মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল
কল্লকখিদবা নিংথৌ মচা মশুশিং



Rennell's Map, Dominion of Meckley, 1769

ꯃꯩꯇ꯭ꯔꯕꯥꯛꯀꯤ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯐꯝꯕꯥꯜ ꯀꯜꯂꯀꯈꯤꯗꯕꯥ
ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯆꯥ ꯃꯁꯨꯁꯤꯡ

মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা
নিংথৌ মচা মশুশিং

Rennell's Map, Dominion of Meckley, 1769

অইবা: বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

১) লাইরিক্কী মমিং :- **"মৈত্রবাক্কী নিংথৌ-ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌ মচা মশুশিং"**

২) মমল :- লুপা ২০০/- (মখুম অপাবা)

৩) মমল :- লুপা ৩০০/- (মখুম অথাবা)

৪) লমায় মশীঙ :- ২২০ (চনি কুন)

৫) অইবা :- বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপাল ইম্ফাল. ৭৯৫০০১, মনিপুর।

৬) অফোংবা :- বিঃ রোসন মেনুস্ক্রিপ্টস লাইব্রেরী, ইম্ফাল ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল, মনিপুর।

৭) মখুম :- অঙ্কি লোংজমচা সেনপোংকাইপোং সনাথোইই পীবা।

৮) হক :- অইবা অমসুং অফোংবা

৯) অহানবা ফোংবগী মতম :- নভেম্বর, খৃঃ কুমঃ ২০০৯।

১০) লাইরিক নম্ফম :- মোনিকা প্রিন্টার্স, কৈশামথোং কৈথেল, ইম্ফাল- ৭৯৫০০১।

১১) লাইরিক ফংফম :- ১) অইবগী য়ুম

২) মণিপুরী সাহিত্য পরিষড, পাউনা ইন্টরনেস্নেল মার্কেট, ইম্ফাল।

৩) রোয়্যাল বুক হাউস, সিঃসিঃ পুর বস পার্কিং এয়রপোর্ত রোড, ইম্ফাল, ৱেষ্ট- ১

৪) রাজেস বুক স্তোল, পাউনা বাজার গোভর্নর রোড, ইম্ফাল।

অইবগী ৱারোল

"মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌ মচা মশুশিং" হায়না মিংথোঞ্জবা লাইরিক অসি ইজরুবাসিগী মরমদি মৈতৈগী নিংথৌ মচা-মশূ খরদা নিংথৌ ফম্বাল কখোকপগী তাঙলবা গুন অসি চেল্লিবসি উৎচনীঙবদগীনি। অদুগা নাকোয়ননা থমজরিবা পান্দমনা সহিত্য অমসুং ইতিহাস হায়বা বিষয় অনিসিগী লমখৈ নত্রগা ঙমখৈ য়াথোক্লজবা পামজবদগীনি। "ইতিহাস" হায়বসি তশেংনমক সাহিত্যগী শরুক অমনি, অদুবু মসিনা অশেংবা থৌদোক-ৱাথৌকশিংদা যুম্ফম ওইবা নত্রগা তশেংনমক থোকখিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী ৱারোল (Statement of real events/occurrences of factual happenings or incidents of facts)নি। অদুগা সাহিত্যদি পাক চাওবনিনা অশেংবা থৌদোক (Factual or realistic occurrence)কী ওইরবসু য়াই, খুৎশেম থৌদোক-ৱাথোক(Artificial event or romantic/factitious/fictional incident)কী ওইরবসু য়াই, অদুগা তশেংবমক্তিঙ সাহিত্যদি ফিদম্লীঙঙাইগী ওইনা ৱাখন্দগী পুথোকপা ৱারীনি।

পৃথ্বীগী ঈতিহাসসি নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা মপানা, মখুরানা, ময়াম্বনা, মাম্মানা, মচানা মপাবু, মখুরাবু, ময়াম্ববু, অসিনচিংবা হাৎপা অমসুং হাৎনবগী ৱারম্লা থন্না য়াওরি। অদুবু নিংথৌ সিংহাসন মশাগী ওইনা ফংলগদবা / লৈরগদবদা কখোকখিবা / থাদোকখিবসি হিন্দুগী মহাকাব্য অনিদা মীশক অনিখক ফংঙি, মখোয়দুদি — রামায়ন(রামগী খোঙচৎ)দা রামচন্দ্রগী মনাউনুপা "ভরত" অমসুং মহাভারত(অহানবদা "জয়"-"মায়পাকপা" কৌরম্মী) তা শান্তনুগী মচানুপা অহন "দেবব্রত" (থৌদৌদুদগী "ভীষ্ম" মিংথোনখিবা) - অসিনি। অদুগা মখোয় অনিসি লীজেণ্ডরী নত্রগা মীথিকেল পার্সোনেলিটীজ(Legendary or Mythical personalities)নি, হিষ্টোরিকেল পার্সোনেলিটি নত্তে। মনিপুরগী পীজরিবা মীওইশিং – (১)ৱাংখৈময়ুম মচা অনি অমসুং (২) নিংথেম মচা

তরুক অসিদি মনিপুর ইতিহাসকী খৃঃ ১৫০০দগীনা ১৮৯১ ফাওবগী মতমগী মীওইশিং ওইবা হিষ্টেরিকেল পার্সোনেলিটিগী মীশকশিংনি। ভারতকী পীরিবশিং আইডলিষ্টিক (Idealistic) ফিক্সন / রোমান্টিসিজম (Fiction/Romanticism)গী মীওইশিংনি অমসুং মনিপুরগীশিংসিনা ফেকচুয়েল। রিয়েলিষ্টিক(Factual/Realistic) থৌদোক-ৱাথোক্কী মীশকশিংনি।

লাইরিকসিদা থমজরিবা, খরসিনা পুমচুম চুমলে হায়বগী ৱাফম লৈজদে, মীওইবা হায়বসি অশোয়বা নাইবা মচা ঙাক্তনিনা খঙজ-উজহৌদবা অৱাৎপশিং য়াওরমখিগনি। অদুগীসু মথক্তা হৌখ্রবা-ওইখ্রবা নত্রগা থোকখিবা কুইখ্রববু তুংলমচত্তা ফাত্তুনা য়েংবগী থৌদৌ (Postmortem)নিনা থবক লৌখৎপা হৈজদবদগী খর মখৈসু অশোয়বা য়াওরমগনি। হায়রিবা হীরমশিং অসি লৈবনা অশোয়বশিংদু তাকপীরক্তুনা চুমথোকচনবগী খুদোংচাবদু পীনবীয়ু হায়দুনা খ্বাই তরা মচাশিংগী মফমদা লাইরিকসি লানথোকচবগা লোইননা নীজরী অরান-অহুই, অশোয়-অঙামনচিংবা তাকপীরক্তুনা মনিপুর ইতিহাসকী মীওইশিং অসিগী মশক ফজবা অমসুং মরীক চুম্বা হেনগৎহনবীয়ু হায়না ঈকোক নোঞ্জারি।

হৌখ্রবা ইতিহাসকী ঈপাক্কী ঈনুংবুঙদগী খুনগত্তুনা থমজরিবা মনিপুরগী লন ওইরবা মনিশিংসিবু মতীক-ময়াই হাপ্পীয়ু!

অরোইবদা মোনিকা প্রিন্টসগী প্রোপাইটর অমসুং অতৈ স্টাফশিংনা থৱাই য়াওনা হোৎনবীদুনা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা লাইরিক অসিবু পুথোকপা ঙমহনবীবগীদমক থগৎপা অমদি নুঙঙাইবা ফোংদোকচরি।

বিঃ কুলচন্দ্র শৰ্ম্মা
ব্রহ্মাপুর, থাঙ্গপাৎ মপান
ইম্ফাল - ৭৯৫০০১
তাং ৭।১০।২০০৯

মনুংদা য়াওরিবা হীরমশিং লমায়

১) ৱাংখৈ চীঙঙা য়াঙবা (মৈত্রবাক্কী নিংথৌ-ফম্বাল খুৎশীন্নখিবা নিংথৌমচা)

ৱাহৌ ৱারোল, ৱারোল মপুঙ, মৈত্রবাক্কী মতমদুগী লৈঙাক্লোনগী ইতিহাস, ৱাংখৈ চীঙঙা য়াঙবদা মৈত্রবাক শীন্নবা, ৱাংখৈ চীঙঙা য়াঙবনা থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বদা নিংথৌ-ফম্বাল খুৎশীন্নবা, ৱাখোয়-ৱারোয় অমসুং মরী মখোং তাকপা ১-১১

২) ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম

ৱাহৌদোক অমসুং শক্তাকপা, ৱাংখৈ খুল্লীংগী লৌনরিবা অথুপ্পা শক্তম, শানোংবা লাল্লুপ খোম্বা, ৱাংখৈরাক্‌পা, ৱাপুঙ-ৱারোল, ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী মতমগী লৈঙাক্লোনগী ৱারোল, মৈতৈ মলেসকী রাজনিতি অহানবা মরী, মনিপুরদা অহানবা বৃটিশ ওফিসারশিং থোক্লকপা, মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা শোক্লবা অৱা-লানওং, অনিশুবা মৈত্রবাক্কী খুন্তাক-লানশিবা, অহুমশুবা মৈত্রবাক্কী খুন্তাক- লৈতাকপা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা মৈত্রবাক পানবা, ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী কখোকপা, ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম কছারদগী হল্লকপা, ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা শ্রীবিষ্ণু ফংজবা, ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা নোঙ্গাখিবা, ৱাখোম-ৱারোয়শিন অমদি মরী-মখোঙ উৎচবা ১২-৩৫

৩) শ্যামশাই খুরাইলাকপা

ৱাহৌদোক, পুন্সিগী লমদাংদা খোঙদারকপা, ধর্ম্মনিতিগী খোঙথাং, রাজনিতিগী খোঙফমদা, অর্থনৈতিক্কী খোঙচত্তা, পুন্সিগী অরোয়বা খোঙচৎ, ৱারোয়শিন অমসুং রিফরেন্স....................... ৩৬-৫১

৪) নিংথৌ-ফম্বাল কল্লকখিদবা আনন্তশাই

ৱাহৌদোক, মালেমদা খোঙদারকপা, মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইগী পুন্সি-ৱারী, লৈঙাক্লোনগী পুন্সিদা খোঙদারকপা, মমাঙগী চহি ৫ রোমগী থৌদোক ৱাথোকশিং, চিৎশাই তাম্বোকখিবা, ভরত শাইগী লীচৎ অমসুং মহাকপু তাম্বোকপা, শগোন মাঙদা পুঞ্জাও পুবা ওকপীদনা ফিকুপ্পা, নিংথৌ ওইবা পাম্বা নত্তে নিংথৌ খুবম মুৎহন্দবা পাম্বনি,

(১) সেনাপতি ওইনা আনন্ত শাই, (২) খ্বাইরাকপা ওইনা আনন্ত শাই, বৃটিশকী য়ানচে আনন্ত শাইগী খুৎকী খুদম, অৱাগী লান-তা অমসুং লৈপাক কায়বদা, ৱায়েনবমচা খেল্লেম্বদা মোইরাং লাই-লাইচুবা, মোইরাংনিংথৌ খেল্লেম্বা খম্লুংদা, রোবার্ট ডি ব্রুসকী শক্তম অমা, ৱাখোম-ৱারোয় অমদি মরী-মখোঙ উৎচবা .... ৫২ - ৮৩

(৫) ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্র, চহি তরেৎ খুন্তাকপগী তাকু নিংথৌ

ৱাহৌদোক, মাঙগী লমদাংদা, মৈদিংঙু তাকু নিংথৌ (খৃঃ১৮১৯-২১), খুন্তাকপা অমসুং হেরাচন্দ্রগী থৌদাং, তাকু তেঙ্গোল, তাকু তেঙ্গোলগী অহানবা লান, মৈদিংঙু চৌরজিৎকী লাঞ্জাবা পীতম্বরসিং, হেরাচন্দ্র অমসুং য়ুমজাও তাবনা অৱাগী মায়য়োক্তা, শীঙজমৈগী লানফম, অৱাংলোমগী লানফম, অহোংবা লানগী ফিবম, লাইফমলাকপা হুইদ্রোম্বা সুবন, শাদুং লৌওনবা, পাখোন লাক্লগা ফম্বাল তোংলবা, পাখোন চৎখিবগী খোঙ্গুল লীরকপা, হেরাচন্দ্রগী অরোয়বা য়াহীপ, ৱারোয়শিন অমদি মতেং লৌজখিবা ৮৪-১০৫

(৬) নিংথৌ-ফম্বাল কল্লকখিদবা নরসিংহ

ৱাহৌদোক, শক্তাকপা অমসুং পারী-পুরী, মহৈ-মশিঙতম্বা, য়ুম্বানবগী পুন্সিদা, কছার লৈপাক্তা ঈবুংশীজ নরসিংহ, নিংথৌ- ফম্বাল মিহৌদবা নরসিংহ, রাজনিতিগী ফম্বাক্তা নরসিংহ,(১) চহি তরেৎ খুন্তাকপগী পাউদা, (২) লেঙওন্দবী পাৎ,(৩) গম্ভীরসিংহ-নরসিংহ উন্নবা (৪) কম্মাণ্ডিং ওফিসার ত্রেনিং,(৫) ঈবুংশীজ নরসিংহনা টিলাইন লান্দা উৎখিবা রাজভক্তি অমসুং হৌন-খঙবা, (৬) মনিপুর হন্দোক্লবগী খোঙজঙদা নরসিংহ, গম্ভীরসিংহ-নরসিংহগী মরান্নাইগী লাঞ্জঙ, বাঁসকান্দিদগী মাকলং ফাওবগী খোঙচত্তা থেংনখিবা খোঙফমশিং, অৱা লান্দা-লাঞ্জঙদা নরসিংহ, সিফাইশিংদা অখাঙ কনবগী মতৌ অমা, নরসিংহদা সেনাপতি হাপ্লা, নরসিংহনা কোনুং ঙাকহৌবা, মনিপুর ঙাকহৌবা থৌদাংদা নরসিংহ, অৱা লাইবার ১২ লাকপা, "মনিপুর লেভী" মিঙ্গৌ কৌরকপা, কবো তম্পাক হন্দোকপদা নরসিংহ, তুমুগী গ্রন্মা

লানবন শাখিবা, শমজোক লৌশিনবা নরসিংহগী শক্তম, তুমু লানবন-থুগায়বা, নিংথি মপান্দা ফিরান য়ুংবা, চন্দ্রকীর্ত্তিবু নিংথৌ-ফম্বালদা থাঙ্গৎপদা নরসিংহ সেনাপতিনা উৎখিবা শক্তম, নিংথৌ-ফম্বালদা নরসিংহ, সেনাপতিনা যুবরাজ ওইরকপদা কল্লকপা, যুবরাজ হাৎননবা লৌতুনবা অমদি মরী-মখোঙ তাকপা ১০৬-১৭০

৭) মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম (রনজিৎ সিংহ ওর্ফে নরেন্দ্রজিৎ সিংহ)

ৱাহৌদোক, লাইওই-তীনওইবগী ৱারী ৱাখুন্দা সনা-চহি-অহুম, মহৈ-মশিঙ তম্বগী পুন্সি, য়ুম্বানবগী পুন্সি, রাজনিতিগী পরমদা খোঙদাবা, ভারতকী সিফাইহি লালহৌ থোক্লকপা, লালহওবা সিফাইশিংনা সনা-চহি-অহুমগা উন্নবা, সনা-চহি-অহুম্বু জিরিদা ফাবা, সনা-চহি-অহুম্না নিংথৌ-ফম্বাল পাম্বা নত্রগা কল্লক-মিহওবগী পুকচেল লৈখিদে, কালপানী (পোর্টব্লেয়র)দগী শকলোৎখিবা, ৱাখোম-ৱারোয়শিন অমসুং মরী-মখোঙ তাকপা ১৭১-১৮৬

৮) নিংথৌ-ফম্বাল মিহৌখিদবা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ

ৱাহৌদোক, মহৈ-মশিঙ তম্বগী লমদাংদা, য়ুম্বানবগী পুন্সিগী লমদাং, মনিপুরগী রাজনিতিদা টেকেন্দ্রজিৎকী মফম, সেনাপতি ফমথোন ওইরকপা, যুবরাজ ফমথোন ওইরকপা, টেকেন্দ্রজিৎপু থাঙ্গাদা লোই থাবা, মচীন-মনাউশিং নাকপাক-নাকপাক তানরকপা, থরুম অমসুং মলোমগী মৈরি, লালহওহন্নবগী, খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বরগী লালহও, টেকেন্দ্রজিৎনা নিংথৌ-ফম্বাল কখোকপা, কখোকপা অমসুং ওইজবা তানবা, ৱাখোম-ৱারোয় অমদি মরী-মখোঙ উৎচবা ১৮৭-২১৩

ৱাংখৈ চীঙ্ঙা য়াঙবা
(মৈত্রবাক্কী নিংথৌ-ফম্বাল খুৎশীন্নখিবা নিংথৌমচা)

ৱাহৌ ৱারোল

ৱাংখৈ চীঙ্ঙা য়াঙবা, মহাকথক্তগী অৱাংবা খৈবা ৱাংখৈময়ুমগী ৱাংঙম শাগৈ থোক্লকুবগী থোং থারম্বা, মণিপুর ইতিহাসগী ময়াম চনবা মতম তাংকক্কী হৌগৎলকপা মতমগী তাঞ্জা অমদা শক্লাইরবা থৌদাং লৌখিবা ঐতিহাসিক পাত্র / চরিত্র নত্রগা পুরুষ অমনি । মহাক ৱাংঙম নিংথৌজা য়েক্কী নিংথেমচা শল্লাইদা পোকখিবা মশাগী হক নত্তবা নিংথৌ ফম্বালবু মপোক্কী নিংথৌ ওইবগী হকসি লোইনরক্লবা নত্রগা হকসি লৈবা মীশক থিদুনা নিংথৌ ফম্বাল পীথোকখিবা, মশাগী ওইজবা থাদোকখিবা অমসুং মীওইবগী অচাওরম কাবগী ৱাখলবু থাদোক্তুনা কথেকপগী অৱাংবা থাক্তা লেপখিবা মীশক - মীওই অমনি। ৱাংখৈ চীঙ্ঙা য়াঙবা, মৈতৈগী মবুংঙো নোংদা লাইরেন পাখংব (চাওরাক্লা খৃঃ৩৩।৩৪ - ১৫৪)দগী হৌরগা শমথরক্লিবা মৈতৈ নিংথৌরোনগী ৩৭ (কুম্লাতরেৎ) শুবা মৈতৈ নিংথৌ খোইমোম লাইমিংনবা চরাইরোংবা নত্রগা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা (চাওরাক্লা খৃঃ ১৪৩২ - ৬৭) না অঙোম নিংথৌ কাওশোম্বচনু নোংবাল্লোন লীন্থোইঙাম্বী পানদুনা পোকপা মৈদিংঙু থাংৱাই নিংথৌবা, ক্যাম্বা (খৃঃ১৪৬৭ - ১৫০৮)গী মনাউ ঈবুংঙো শনোংবা লাল্লুমখোম্বা, ৱাংখৈরাকপনা মহাক্কী তাল্লোই অতোম্বী লৈচোল লাকপা তোললোংখোম্বচনু তরুংঙন্বী পানদুনা পোকপা মচানুপা অহন্নি। মহাক্লা নাউশোমচনু পান্নদুনা মচাঈবুংঙো সনা য়াংনু, য়াইস্কুল লাকপা পোকখি।

ৱাংখৈ চীঙ্ঙায়াঙবা মহাক্কী কোল্লোয় মিংলেন্না মহাক্কী য়ুমদা- লৈতাফম, ময়ুম - ঈংখোল লীংফম তাক্লিবা মীশক্লি, হায়বদি চীঙ্ঙা চীঙদুম্না কোনবা চীঙ্ঙা শাথৌরম, পীসুম শাতুরমদা পানবনি। পাল্লিবা নিংথৌ- শাগৈগা নক্লবা মরী লৈনবনা শা- লানগী শাফা- লানফা, শাদান- লান্দান্নচিংবগী মহৈ- মশিঙশিংদা মীথক থোংবা, তম্লকপা মতমদুগী মহৈ-মশিঙদু নীঙথিনা শীজিন্নবা ঙম্বা মীওইনি। হায়জরিবা ৱাফমশিংসি মহাক্কী পুন্সিগী পরীংদা তারক্লিবা থৌদোক- ৱাথোকশিংনা উৎলিবনি।

ৱারোল মপুঙ্

ৱাংখৈ চীঙ্ঙায়াঙবগী ৱারোল অমতা চৈথারোল কুম্বাবদা নত্রগা অতৈ লাইরিক অমতদা পন্দে। মৈহৌরোনগী নত্রগা শাগৈ শল্লাইরোনগী

লাইরিকশিংদা মমিং মখৈদা পনবা অমসুং মহাক্কী ঈ / চাদা- নাউদানা ৱাংখৈময়ুম ওইবা অমসুং শমথরকপা অসিখক নত্তনা অতৈ করিসু পন্দে। অদুবু থায়নদগী চৎনরকপা চীনবুঙ ৱারীদা মৈত্রবাক্কী লৈঙাকলোনগী ইতিহাসগী মতম তাংকক অমদা য়াম্না মরু ওইবা, লৈঙাক্লোনগী খুর্জি পায়রগা হক লৈবা মীদা নিংথৌ ফম্বাল পীথোকখিবা মীশক অমা ওইনা পীরি। অদুগা হায়জরিবা ৱাংখৈময়ুম শাগৈসিনা মৈতৈ নিংথেমচাময়ুম য়ুম্নাক তরা- (১) খুরাইলাক্পা চীংশোম্বা ময়ুম নত্রগা কর্ত্তাবংস / শাগৈ, (২) সেনাপতিময়ুম নত্রগা নরসিংহ বংস / শাগৈ, (৩) মন্ত্রীময়ুম (৪) উরুংপুরেনময়ুম নত্রগা যুবরাজ বংস/ শাগৈ, (৫) ৱাংখৈরাকপম (৬) য়াইস্কুললাকপম, (৭) লৌরুংপুরেনময়ুম, (৮) পাচাহনবময়ুম,(৯)কৈথেল মপানতাবময়ুম অমসুং (১০) কৌনাথাবম হায়বসিগী মনুংদা ৱাংখৈময়ুম্না ফংলিবা খুন্নাই লীচৎগী ঈকাই খুম্নবা অমদি মখোয় নিংথেমচাশিং অমসুং নিংথৌমচাশিংনা মখোয়দা ঈকাইখুম্নবগী মফম পীরিবা অমসুং হৌজিকসু হায়রিবা লীচৎ- শাজৎসি হিংলি। মরম অসিনা মরু ওইরবা ইতিহাসকী থৌদোক অমবু নাথৈদুনা থল্লিবসিগী করিগুম্বা মরম অমা / খরদি লৈরম্বা তাই হায়না খঞ্জে।

মৈত্রবাক্কী মতমদুগী লৈঙাক্লোনগী ইতিহাস

মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী ইতিহাসতা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবদগী হকথেংনবা ঈ- মরীগী মচানুপা অহন অহনগী পরীংদা শমথরক্লিবা মৈতৈ নিংথৌগী শাগৈসি মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মচাঈবুংঙোশিং - (১) মৈদিংঙু কোইরেম্বা (খৃঃ ১৫০৮- ১২) অমসুং (২) মৈদিংঙু লমক্যাম্বা (খৃঃ ১৫১২- ২৩) না অহন- নহা কায়না পাল্লগা মৈদিংঙু লমক্যাম্বসিগী মচা নুপা অনি- (১) মৈদিংঙু নোংইনফাবা (খৃঃ ১৫২৩- ২৪) অমসুং মচানুপা অহন (২) মৈদিংঙু কবোম্বা (খৃঃ১৫২৪- ৪২) না পাল্লগা মতুংদা মহাক্কী মচানুপা মৈদিংঙু তাংজাম্বা (খৃঃ ১৫৪২- ৪৫)না পানবসিদগী লোয়খ্রে। মখোয়গী মচা- মশূ লৈখিদ্রে, চাদা- নাউদা খমখ্রে। মতমদুদা লৈপাকপু নিংথৌনা পানবা পাম্বা অমসুং নিংথৌ পানবা লৈপাক হায়বদুদা হিংবা / লৈবা পাম্বা মতমদুগী লৈপাক মীয়াম ওইবনিনা নিংথৌগী শাগৈ মুত্তুনা নিংথৌ লৈত্রবদি নত্রগা পানদ্রবদি চাদা- নাউদা মুৎলবা নিংথৌ শাগৈদুগী নক্লবা নুপাগী ঈ মরীদা লৈবা মরী- মতা ওইবা মীশক অমা মহাক্কী মতীক- মথৌনাদা য়ুম্ফম ওইরগা খ্বাই তরা মচাশিংনা নিংথৌ ওইনবা খনবা অমসুং হাপ্পা তাবনি। মরম অসিনা মৈদিংঙু ক্যাম্বগী মনাউ ঈবুংঙো শনোংবা লাল্লুমখোম্বগী মচাশিংদগী নিংথৌ খনবগী ৱাফমসি য়ানদুনা মতীক /মথৌনা

অমসুং অহন- নহাগী য়ুম্ফমশিংদা মিৎয়েং থমদুনা ৱাংখৈরাকপা শানোংবা লাল্লুমখোম্বগী তাল্লোই অহন অঙোমচনু হাওচোঙন্বীগী অনিশুবা মচা কোরৌ নোংথিলচায়বা নত্রগা কাইনৌ চলাম্ববু মৈতৈ নিংথৌ হাপখি। মৈদিংঙু কাইনৌ চলাম্ব (খৃঃ ১৫৪৫-৬২)না খৃঃ ১৫৪৫দা নিংথৌ ফম্বাল কাখি।

মতমদুগী মণিপুরগী লৈঙাক্লোন্দা পাল্লীবা নিংথৌশিংগা য়াম্না নক্লবা অমসুং খুৎকন- পাঙ্গন্না লৈরিবসি অঙোম য়েক অমসুং শল্লাইনি। অঙোমশিংসিগী নিংথৌশিংসি মৈতৈ নিংথৌশিংগা মমাঙগী মতমদগী হৌনা চারৌ- মৌরৌনদুনা; অমুকসু মতেং পাংনা, অমুকসু অমগা অমগা য়েংথীননা ওন্না- ওন্না পানমিন্নরকখি। মমাঙগী চহি ৫০।৬০ রোমগী মনুংগী মতমদা অঙোমশিংনা শোত্থিবসি অঙৌপানবা লোইজাঙম্বগী মতমসিনি। মদুবু অঙৌপাম্বা ক্যাম্ব (খৃঃ ১৪১১-৪২)না মপন লোইজাঙম্বগী মতমদা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংগা শাথোক- লান্থোক্লদুনা অঙোমশিংবু মৈতৈ নিংথেমচাশিংনা তাকপমখৈ খৃঃ১৫১০দা হাৎখিবদু মপাঙ্গীবুংঙো অঙৌপানবা পানশাঙম্বনা নিংথেমমচাশিংগা য়ানবা পুরক্তুনা তাইশিন্নবদগী খুৎকন- পাঙ্গনবা হেনগৎলক্তুনা হাইনা- হুম্না মৈত্রবাক্তা পাল্লকখি। মহাক্না মৈদিংঙু লমক্যাম্বনা থুপখ্রবদা মৈদিংঙুসিগী অনিশুবী তাল্লোই খয়োইরোন চংনীংফাবীগা হৈরাং লোঞ্জা চামিন্ননা ওঙনবদগী লৈমরেন চাখা তাংখুল ঙম্বীনা পোকপা মৈদৈংঙুচা কবোম্ববু নমথদুনা চংনীংফাবীনা পোকপা মৈদিংঙুচা নোংইনফাববু মৈতৈ নিংথৌ ওইহনখি। অসুম্না মনীঙ তম্না তৌনীঙবদা তৌবা ক্যাম্বসিনা উরেকশেক (উরোক মতুগী কোক্তা থেৎপা লৈতেং) চীনবদা চাশঙবা (অঙাংবা মচুগী খোইরূগা চাগা য়ান্নরগা লাকপা) চীল্লগা খয়োইরোন চংনীং ফাবীগী মনাক্তা লাক্লম্মী। মদুদা খয়োইরোন চংনীংফাবীনা চাশঙবা উরেকশেক (মচু অঙাংব)দি অঙোম্না চীনগদবা নত্তে, নিংথৌজা চীনগদবনি হায়রুবদগী অঙৌপানবা ক্যাম্বনা শাওবগী লূতোন কাখিরম্মী। মহাক্না খয়োইরোনসিগা মহাক্কী মচানুপা চহি ১১ খক্তা ঙাইরিবা নোংইনফাবসিগা খুদক্তা হাত্তোকখি [চৈথাঃ কুমঃ ১০০৫,২৩]। অদুগা মৈতৈ নিংথৌগী খুবমদুদি চাখা তাংখুন ঙম্বগী মচানুপা কবোম্বনা ফংখি। মতমদুদা খুৎকন- পাঙ্গনবা হেনখিবনা মৈদিংঙু কবোম্বনা অঙৌপানবা ক্যাম্বদা করিসু তৌবা ঙমখিদে। মরম অদুনা মহাক মৈদিংঙু কবোম্বগী হাক্তক্তু লোয়বা মতম ফাওবদি অঙোমনিংথৌ ওইদুনা অদুম লৈখিরম্মী।

মৈদিংঙু কবোম্বনা খৃঃ১৫৪২, মশাগী চহি ২৪দা নিংথৌ ফম্বালদা চহি ১৮ পাল্লম্লগা নোঙ্গাখ্রবদা মচাঈবুংঙো তাংজাম্বানা নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। হায়রিবা নুমিৎসিদা অঙৌপানবা ক্যাম্বা অঙোম নিংথৌগী

ফম থাদোকখি অমসুং মচানুপা লাংলোইঙম্বদা অঙোম নিংথৌগী ফম্বাল পীদুনা মচানুপাসিনা অঙোম নিংথৌ ওইখি। অদুগা মৈদিংঙু তাংজাম্বগী হাক্তকসিদা মৈদিংঙু কবোম্বা লৈখিদবগী মথৌ- মঙম পাংথোকপসিদা মী খরনা নীঙঙাই শাংদানরকপগী ৱাহৌদগী অঙৌপানবা লাংলোইঙম্বা চেন্নবা থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোকসিদগী হাৎন- শুনবগী মরমদা অঙোম নিংথৌসিদা মরাল শীখিবা মাল্লি। অদুবু মৈদিংঙু তাংজম্বসিনা পুন্সি তেল্লকপনা খৃঃ১৫৪৫দা মশাগী চহি ২৯ খক্তদা নোঙ্গাখিবদগী ৱাসি মনা- মনীন নাইবা য়াদনা তুমিন্না য়ৈশিন্দুনা লেনখি। মরমদি মতমসিদা পাল্লকপা নিংথৌ শাগৈগী চাদা- নাউদা খমখিবনা অনৌবা নিংথৌ অমা খনবগী মথৌ তারক্লম্মী। হায়রিবা নিংথৌ খনবগী লমদাংসিদা অঙোম নিংঙোন্না পোকপা মৈদিংঙুচা শনোংবা লাল্লুমখোম্বগী অনিশুবা হিংলিবা মচানুপা চলাম্ববু খনবসিদা অঙৌপানবা লাংলোইঙম্বী খুৎ চাওনা য়াওখিবগুম তৌই। মসিনা মরম ওইদুনা মৈতৈলৈপাক্কী মীয়াম্না অঙোম নিংথৌসিবু অমুক হন্না অহে- অপা শাবগী মরাল শীরপগুম তৌই। হান্না মমাঙঙৈদা মরাল শীখিবগী থরুম কোক্ত্রিঙৈ অমসুং মলোম তৌবা লোয়দ্রিঙৈসিদা মরাল অমুকসু শীজিল্লকপসিদা অঙৌপানবা লাংলোইঙম্বা অমসুং অঙোমগী মী পুন্নমক শাওবগী ঙমখৈ লৈরমদে।

অঙৌপানবা অমসুং মহাক্কী মীশিংনা লানহৌনবগী তাঞ্জা লুমদুনা অমসুং ফিবম শেমদুনা লৈরক্লম্মী। মরম অসিনা অঙোম নিংথৌ লাংলোইঙম্বনা খৃঃ১৫৪৮দা মপাইবুংঙো ক্যাম্বনা নোঙ্গাখিবগী মথৌ- মঙম লোয়রবা মতুংদা পুক্নীঙদা পুরিবা থরুম- ৱারুমদুগী মৈশাদু হেনগৎলক্তুনা শীল্লিবা শরৌগী খুজিল থৌরাংদুদা মিৎয়েং থল্লক্লম্মী। অদুগা খুদোংচাবা তাঞ্জাদু লাক্লদুনা খৃঃ১৫৪৯দা ফোংনা লানহৌদুনা লাঞ্জঙলক্লমম্মী। অদুবু চেকশিনহৌদবা মিৎকুপ খরদগী অঙোম নিংথৌ লাংলোইঙম্বদু লাঞ্জঙলকপদুদা য়েক্লবশিংনা হাৎখিরম্মী। মৈতৈ নিংথৌগী লাম্মীনা অঙোমশিংবু তান্না- তান্নদুনা হাৎলকপনা মখুন- মরান পুন্নমক পুমতাক তাক্লম্মী [মথক্কীসিদা, ২৫]। অদুগা অঙৌপানবা লনহাংঙম্বগী মচানুপা তুশোনঙম্বনা মপাগী মহুৎ শিন্দুনা খৃঃ ১৫৫০দা অঙৌ পানবগী ফম্বাল কাখি। অদুবু মহাকসু মপাগী লানহৌদুদা শরুক য়ারুবগী মহাক্না ফম্বাল কাবা চহিদুমক্তদা মৈতৈ নিংথেমচাশিংগী লাম্মীনা হাৎখিরম্মী। মরম অদুনা মনাউনুপা লাল্লুমঙম্বা ওম্মানা অঙৌপানবা ওইনা খৃঃ১৫৫১দা ফম্বাল কাখি। অদুবু মহাক্না মপাবুং অমসুং ময়াম্বুংগী খুদুং ইল্লবসু পুক্নীঙদা থরুমদু ফাদুনা থল্লগা মৈতৈ নিংথেমচাশিংগা চান্ননা চৎমিন্নবা য়ানবা থৌরাং লৌখি। মসুন্না তৌই হায়দুনসু অঙোমগী লৈরিবা মতীক- মপাঙ্গল পুন্নমক পুনশিনদুনা মখোয়গী শাগৈ- নাতৈ তুম্না হাৎখিবগী লমন খুম্ননবা খুজীল অমসুং

থৌশীলদি লেপ্তুনা লৌখৎলি। মখোয়গী হোৎনবা অসি শোয়দনা মায় পাক্লখিগনি হায়না অঙোমশিংনা চেৎনা থাজবা থমদুনা খুদোংচাবা ঙাইরি।

মৈদিংঙু চলাম্বনা অঙোমশিংনা মপুক্লীঙদা তৌরিবা থরুম, মখোয়গী ৱাখন্দা পুরিবা মলোম অমসুং থম্মোইদা পুরিবা শামু ৱারুমসিগী শউম খক ফংখিরমদে। মহাক্কী ময়াম্বুং ঈবুংঙো খোংনাম্বা লৈত্রবসু মহাক্কী মনাউ ঈবুংঙো অনি (মমা তীন্নদবা) চীঙঙায়াঙবা অমসুং পুরান- থাবা (পুমিংনবা) লৈরিবনা অমসুং লৈপাক খ্বাইনা হাপ্পা নিংথৌ ওইবনিনা মহাক্কী মায়য়োক্তা লানহৌরক্কনি হায়বগী ৱাখল খল্লমদে। অদুবু অঙোমগী লুচিংবশিং লানহাংঙম্বা, অঙৌপানবা লাল্লুমখোম্বা ওম্মা অসিনচিংবনদি মখোয়দা খৃঃ১৫৪৯দা তুম্না হাৎখ্রবা অঙোম মপাচাশিংদুনা মৈতৈ নিংথৌগী ঈ নীবগুম তৌরম্মী। মৈতৈ নিংথৌ চলাম্বনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লকপা চহি ১৩(তরাহুমদোই) হৌখ্রবা মতুংদা অঙোমশিংনা পুনশিন- খোমজিন্নবা হোৎনরকপা মখোয়গী অপুনবা পাঙ্গন্দু ফংখিরম্মী। মতমসিদা মৈদিংঙু চলাম্বদি কংলৈ পুঙময়োন (ইম্ফাল কংলৈ)গী ময়ায় ওইবা অঙোমশিংগী মরমখৈগী মনুংচনবা থাংৱাইগী লমদম অমদা কোনুং ওইদুনা পাল্লি। মসিনা অঙোমশিংদা ওইজবা অমসুং খুদোংচাবা ফংখিবনা অঙোমশিংনা খৃঃ১৫৫৯সিদা ফোংনা লানহৌদুনা মৈতৈ কোনুংদা লান্দারক্লম্মী। হায়রিবা মতমসিদা মচাঈবুংঙো থাংৱাই নিংথৌ ক্যাম্বদি নোংবাল্লোন লৈরাংবীগী ৱাহৌদগী, কোনুংদা লৈরমদে। অদুগা অহিংদা লান্দারকপা অমসুং চেকশিন- থৌরাংগী মীওইশিং অয়াম্বা অঙোমশিংনা মখোয়গী মীচঙদা নত্রগা খুদুম মনুংদা থমখিবনা মৈদিংঙু চলাম্বগী লাইবক থীরবা থৌদোক্তু থোকখি। অসুম্না অঙোমশিংগী মখুত্তা মৈদিংঙু চলাম্বা খমনুং শৱা তানখি।

অঙোমশিংগী লানহৌদা মপাঙ্গবুংঙো লৈখিদবগী পাউসি মৈদিংঙুচা থাংৱাই নিংথৌ ক্যাম্বা (তুংলমচৎকী মুংয়াম্বা)না তাবা মতমদা কংলৈ পুঙময়োনগী মফম অম(মসি থাঙমৈবনগী লমখৈ মনুংদা ওইরম্বা য়াই)দা লোত্তুনা লৈরম্বদগী অঙোমশিংনা মহাকপুসু ফাননবা লান্দারক্কনি অমসুং শোয়দনা থিরক্কনি হায়না চিংনবদগী লোৎলম্বা মফমদু থাদোক্তুনা অঙোমশিংগী লমখৈদগী তামথোকপা মায়কৈরোমদা হুয়েন লাঞ্জেনখ্রে। অদুগী অঙোমদা মহাক্কী ঈ- পাউ য়ৌখিগনি, হায়না কিবদগী কনা অমতগী মফমদসু চেংলৌ মশক উহন্দনা লোৎখ্রে।

অঙোম নিংথৌ লাল্লুমখোম্বা ওম্মানা মৈতৈ নিংথৌগী কোনুং পায়খ্রে। মখোয়না য়ারিবা মখৈ মৈতৈগী মীশিংনা তাথীদনবা থবক কয়ামরুম

পায়খত্তুনা মৈতৈ লৈপাক ঙাক্লনবা হোৎনরকখি। মায়কৈ অমরোমদা চীঙঙাগী লমদম পাল্লিবা চীঙঙায়াঙবা, ময়াম্বুং হাৎখি হায়দুনসু পাঙ্গল থোকপা ঙমখিদ্রে। অঙোম ময়েকচাশিং- অঙোম, নোংমাই/লংমাই, লুৱোং, খুয়োন্নচিংবগী মথক্তা অতৈ য়েকলুপচাশিং খরসু তোংশিনখিবনা মতম- মতমগী থোক্লক্লিবা থৌদোক্কী মতুং ইন্না খোঙ থাংদুনা অমসুং খুৎ হাইদুনা মতম ঙাইদুনা লৈবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈরমদ্রে। অঙোমশিংনা চহি অহুম লৈঙাক্তুনা খৃঃ ১৫৬২ ফাওবদা লৈরকখিরম্মী। মতুং তারকপদা মৈত্রবাক্কী লৈরিবা য়েকলুপ শল্লাইলুপশিংগী তৌনরিবা মওং- মতৌ, ফিবম- ফিরেপ্নচিংবদুদা অঙোম মচাশিংদুনা লৈঙাকপা ঙমদ্রে। মখোয় মশেনগী মরক্তা লৈঙাক- থৌদা পুবসি নোংবান কারেংশঙ ফাবনা অমুক পু, নোংবান লনহাংঙম্বনা অমুক পু ,শিল্লোন- শিঞ্জিন কয়ারক তৌদুনা য়েংলবদসু লৈপাক্কী ৱায়েন- থৌদা পুবদা ৱানা থোক্লক্লে। মদুদগী মখোয় মশেন পুশিন্নদুনা করি তৌরগা, করম্না থৌদাং লৌরগা ফগদবগে হায়দুনা কয়ারক খন্নরে। অদুবু ৱাহৈ ঙাক্তা মঙাইরে, থবক ওইনা পাংথোকপদি ঙমদরে। মমৈথংদা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক ৱায়েন- থৌদাদি পুবা- থাংবা ঙমদবা থবক ওইনা মখোয় অঙোমশিংদা থোকপনা কনাগুম্বা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নুপা অমদা পীথোক্তুনা মহাক্না থোকপা তৌহনখ্রসি, অদুগা মখোয়না মমাঙঙৈদা তৌবগুম্না লৈঙাক্লোনগী পরমশিংদা তেংবাংদুনা লৈপাক ঙাকহনখ্রসি অমসুং নিংথৌ ওইহনখ্রসি হায়না লেপ্নরে।

ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবদা মৈত্রবাক শীন্নবা

অঙোমগী লুচিংবশিংনা মৈত্রবাকপু লৈঙাক- ৱায়েন থৌদা তৌবা ঙম্লক্ত্রদুনা মৈতৈ নিংথৌগী শাগৈমচা অমদা লৈপাক শীন্নথোকখ্রসি হায়না লেপ্নরবা মতুংদা মখোয়না মৈতৈ নিংথৌগী শাগৈদা মতীক- মপা চাবা, মথৌনা - মরৌশিঙ লৈবা অমসুং তৌবা ঙম্বা মীশক কনা লৈরিবগে হায়না খন্নখি। মদুদা মখোয়না মৈদিংঙু চলাম্বগী মনাউ ঈবুংঙো অনি চীঙঙায়াঙবা অমসুং পুরানথাবা পুমিংনবা লৈরি হায়বসি খঙলকখি। অদুনা মখোয়না ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী মনাক্তা লাক্তুনা মহাক্কী মফমদা চাওরাক্লা খৃঃ ১৫৬২কী অঙনবা মতমদা মৈতৈ লৈপাক্কী লৈঙাক ৱায়েন থৌদা শীন্নরখি অমসুং মহাক্না মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লো, মখোয় অঙোমগী কাংবুনা মতেং খুদিংমক পাংগনি হায়দুন নোংবান করেংশঙফাবা অমসুং লনহাংঙম্বনা লৈঙাক পোৎলুম থারখি।

ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা মপা- মপুশিংনা থল্লবা মরন- মথুম ওইরবা মৈত্রবাক, মাগী মতমদুগী মমাঙদা চহি ১৫০০ রোমগী শাংলবা মতমবু মহাক্কী

মপা- মপু লাইওইখ্রবশিং অমসুং ঈকুই কুইদ্রিঙৈগী মতমদা ময়াম্বুংশিং অমদি মচা ঈবুংঙো অমনা লৈঙাক থৌদা পুরম্বা মৈত্রবাক ঙাকপগী থৌদাং, থৌগায় অমসুং শীম্বাদু অঙোমশিংগী মখুক্তা অসুম লৈহন্নীঙদদুনা শীন্নরিবা লৈঙাক থৌদাদুদি লৌরে। অদুবু মপুন্নীঙদদি মহাক্লা মদু করিগীদমক অমসুং কনাগীদমক্তা লৌরিবনো, হায়বদুদি ফুমদুনা থল্লি। অঙোমগী লুচিংবশিংনা চহি অহুম ফনা কন্না হোৎনদুনসু লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদা চত্থবদা শীম্হোঙ- শীল্লম ঈচা চাদবগুম তৌরবা মৈত্রবাক ঙাকপগী থৌদাংশিং ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবদা শীন্নরম্লগা মশা কোম্না নুংঙাইবা ফংলদুনা মাগী মাগী ময়ুমদা হুন্নখ্রে। হায়রিবা মতমসিদা অঙৌপানবা লাল্লুম খোম্বা ওন্মা অঙোম নিংথৌগী ফম্বালদগী কুমখ্রে। মখোয় অঙোমশিংগী মরক্তা অঙোমগী ফম্বাল কনানা ফংগদবগে হায়বদুগী মথং- মনাউ কায়দনা অঙৌপানবা খনখ্রবসু মতমসিদদি ৱাফমসি মৈত্রবাক্কী লৈঙাকপা ওইনা থবক পুরিবা ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী মফমদদি য়ৌহন্দ্রিবনি। অদুবু ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা নোংবান করেং শঙফাবনা অঙৌপানবা ওইরে হায়বদি খঙলবনি।

ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বদা নিংথৌ ফম্বাল খুৎশীন্নবা

ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা অঙোম নিংথৌ করেং শঙফাবনচিংবা অঙোমগী লুচিংবশিংনা শীন্নরম্বা মৈত্রবাক লৈঙাকপগী থৌদাংদুদি লৌহৌরে। মহাক্কী পোকমিন্নবা (মমা তীন্নবা) মনাউ পুরানথাবা পুমিংনবা অমসুং অতৈ মখোয়গী খুৎ ওইবশিংসু নুংঙাইনরে, ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ ওইরগনি হায়না হরাউনরে। অদুগা হান্ননা মৈতৈ নিংথৌগী লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদাদা থৌদাং লৌরম্বা, থৌগায় পুরম্বা অঙম অথৌশিং অকন- অয়াঙশিং অমসুং য়াইতোঙ- খমতোঙবশিংসু ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী মনাক্তা লাক্কুনা চীঙঙা মরমদমদা তীল্লরে, অফ- ফত্ত খন্নবদা শরুক য়াররে। মতমদুদা মখোয়না ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী পুকচেল অমসুং পুক্নীঙগী ৱা খঙখরে। ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা থম্মোইনুংদা পুরিবা ৱাখলদি মহাক্লা মপা- মপুশিংনা থম্বীরম্বা পোইরৈ নিংথৌগী শাগৈগী চাদা- নাউদা খমখিদুনা মহাক্কী ঈমুং- মনুং ওইবা ময়াম্বুংবু লৈপাক মীয়াম্না নিংথৌ হাপ্পুনা পাল্লকখিবা ময়াম্বুং চলাম্বগী লৈপাক্কি অমসুং নিংথৌ ফম্বালনি। ময়াম্বুংনা নোঙ্গাখ্রবনিনা লৈপাকসিদা লৈরিবা ময়াম্বুং ঈবুংঙোগী মচা ঈবুংঙোদুগীদমক্তা মহাক্লা মহুৎ শীন্দুনা লৈপাকসিগী লৈঙাকপগী থৌদাংদু লৌরিবনি: মহাক নিংথৌ নত্তে, নিংথৌগী মহুৎ শীনবা থৌপুবনি, হায়বসিনি। ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী ৱাখল্লোন অসিদা মমাঙগী মতমদা লৈপাক থৌগায় পুরম্বা অঙম- অথৌশিংনা ঙক্কবা ঙল্লমদে।

ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা মহাক্কী মনাক্তা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কীদমক্তা লাক্লিবা অঙম- অথৌশিংদুদা মচীন্না থোক্লা— মহাক মৈত্রবাক্কী নিংথৌ নত্তে অমসুং পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বালদা মহাক্কী হক লৈতে। নিংথৌ ফম্বালসিদা হক লৈরিবা মীওই অমসুং নিংথৌ ওইগদবা মীশকসি পোইরৈ মৈত্রবাক্কী লৈপাক মীয়াম্না খৃঃ ১৫৪৫দা নিংথৌ খন্দুনা নিংথৌ হাপখিবা ময়াম্লুং চলাম্বগী মচাশিংখক্তনি, মখোয়গী মরক্তসু লৈমরেননা পোকপা মচানুপা অহন থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বনা অথোইবনি। মপারী থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বসি অঙোম নিংঙোন লৈৱাংবীগী ৱাথোক্তগী খৃঃ ১৫৫৯দগী শকলোৎখিবনি। মহাক্লা লোৎখ্রবা মতুংদা অঙোমশিংনা লান হৌরক্তুনা মৈতৈ কোনুং চায়খায়বদগী অদুম্মক হেন্না চেৎশিন্না লোৎখ্রবনি। মহাক্লা শিখি- নাখিবগী পাউ অমতা তাবা লৈত্রি অমসুং মসিনা তাক্লিবদি মহাক হিংলি, পোইরৈ মৈত্রবাক্কী মচি অমদা মহাক লোত্তুনা লৈরি। মহাকপু ফংননবা থিদবা য়াদে, মহাকখক্তনি পোইরৈ নিংথৌ ফম্বালথক্তা থাঙ্গৎলগা লৈরিবা ময়াম্না তেংবাংদুনা পোইরৈ লৈপাক ঙাক্কদবসি - হায়না হায়খিরম্মী। হায়রিবা ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী কোল্লোয় পুকমেন পাউমেনসিদগী পোইরৈ মৈত্রবাক্কী মীয়াম পুন্নমক্লা মৈদিংঙু চলাম্বগী মচাঈবুংঙো থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্ববু থিবা হৌরক্লম্মী।

অথিবনা তশেংনা থিরক্লবদা অরোৎপনা ফনা নাথৈদুনসু কুইনা লোৎপা ঙমদে। ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবা অমসুং মহাক্কী মীশিংনা থা অম- নি চঙনা থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্ববু থিরক্লবদা হায়রিবা মৈদিংঙু চলাম্বগী মচাঈবুংঙোসি নম্বোনগী কবো- ৱাকচীঙ (শানশিংগী ৱা থাবা/ হৌরিবা চীঙ)দা লৈরে, হায়বগী পাউসি ফংবা ঙমখি। মরম অসিগী মৈদিংঙু চলাম্বগী মচা ঈবুংঙোসিবু নম্বোন কবোকচীঙ (কবো- ৱাক- চীঙ)দা পানবা থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বা হায়না মিংথোন্নে। কবো- ৱাকচীঙদা লৈরে হায়বসি তাবদগী মফমদুদা লাক্তুনা মচাঈবুংঙোগা উন্নখিরম্মী। মচাঈবুংঙোনা অহানবদদি নিংথৌ ফম্বালগা মরী লৈননা মহাকপু মাঙহনগে লাকপনি হায়বসিগী ৱাখল্লোন্দা লৌথুপ - লৌকোয়ননা লোক্তুনা ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা লাক্লিবসিগী মরমসি চেকশিন্না কুপনা য়েংদুনা লোৎলম্মী। অদুবু ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবসিগী পুকচেল তিংলবা ৱাখলগা লোইননা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল শীন্নবা লাকপনি হায়বসি খঙলকপদা মশা মতোম্তা ঈকাইজখি। মীয়ামগীদমক্তা অৱাবা খাঙবমখৈ খাঙদুনা ৱাজরবসু মশাগী হক নত্তবদা অহৈ- অপা শাদুনা নত্রগা নম- হাদুনা মীগী হক মৎপা পামদ্রবা, চীঙঙায়াঙবগী পুকচেল মতা অদুনা ঈকাইরবসু ঈকাইনা মৈদিংঙুচা থাংৱাই নিংথৌ ক্যাম্বা চেংলৌ শকথোঙ উত্তবা ঙমখিদে। মৈদিংঙুচাসিনা

ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী মফমদা মশক উত্তুনা উন্নবা লাক্লবা মতমসিদা ৱাংখৈ চীঙঙা য়াঙবনা মচাগী মতৌ উবদা পুকচেল তিংবগা লোইননা অঙোমশিংনা লৈঙাক্লোন শীন্নরম্বা অমসুং মখোয়গী ৱাখল্লোনগী মরমদা ৱারী- ৱাখোঙ শুনা পাউ তাক্লম্মী। অদুগা মহাক্না মহাক্তি মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালদা মহাক্কী হক লৈতে, হক লৈরিবদি ময়াম্নুং মৈদিংঙু চলাম্বা অমসুং মহাক্কী মচা (শিং) খক্তনি হায়বদু শন্দোক্লা তাক্লম্মী। মরম অসিনা মহাক মশাদা হক লৈত্রবা অঙোমশিংনা শীন্নরম্বা পোইরৈ মৈত্রবাকপু লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদাবগী পোৎলুপ অদু ফংফম থোকপা, হক লৈরবা ময়াম্নুং ঈবুংঙো কাইনৌ চলাম্বগী মচানুপাদুদা লৌননবা শীন্নরম্মী। মতমসিদা অমসুং থৌদৌসিদা মশাবু হাৎপীখিগনি, হায়বগী কিবনা লোৎলুরবা মৈদিংঙুচা থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বনা ঙকপগী পনখৈ লৈরমদে। অদুবু মহাক্না ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা মঙোন্দা নিংথৌ ফম্বাল শীন্নরকলিবা খুদোন, মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইবা হায়বসিদি লৌদবা ঙম্লমদে। মরমদি হায়রিবা থৌগায় অমসুং থৌদাংসি মৈতৈ নিংথৌমচা অমা ওইরুবগী লমন তোন্দুনা লৈরবা থৌদাংনি। অদুবু মীয়ামগী তেংবাং অমসুং নুংশিবা য়াওদনদি নিংথৌমচা অমতনা লৈপাক্কী নিংথৌ ওইবগী থবকসি তৌবা ঙমদে। মরম অসিনা মহাক্না মখুরাগী তেংবাং নীজরম্মী অমসুং চীঙঙায়াঙবনা অপোকপা মপা শক্তুনা লাঙ্গোলখিবা অমসুং মৈদিংঙুচা থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বনা মখুরা চীঙঙায়াঙববু ঈকাই খুম্নখিবা অসিগী মরমদা পীবীরম্লিবা অমদি :-

> **........ মৈদিংঙুচা থাঙৱাই কিয়াম্ববু নম্বোন কৌবাকচীঙদগী লৌরুরগা পোইরৈ লৈঙাক থৌদাং শিন্নদুনা ৱাংঙম পুঙখোয় নেৎহনখি। মদুদগী চীঙঙায়াঙববু "পম্বৌ ইপাতোন"হায়না মৈদিংঙু মুংয়াম্বনা ঈকাই খুম্নখিবদুনা মৈদিংঙু মুংয়াম্বগী চাদা- নাউদা খিবিক্লা চীঙঙায়াঙবগী চাদা নাউদা খিবিকপু ঈকাই খুম্নখি [রঃকঃশঃ,১৯৯৬,তা]।**

অসিনি। মৈদিংঙু থাংৱাই নিংথৌ কিয়াম্বনা ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা পুখৎলক্লিবা ৱাফমসি য়ারবদগী নম্বোন কবো ৱাকচীঙগী লমদমদগী ৱাংখৈচীঙঙা য়াঙবগী মতুং ইন্দুনা চৎখিরম্মী। ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা মতমদুগী মৈত্রবাক্তা খুৎকন- পাঙ্গল্লিবা, অঙোম, খুমন, লুৱাংনচিংবা য়েক্কী মীওইশিংবু তেনশিন- তাইশিন্নরগা মচাঈবুংঙো থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্ববু মৈতৈ নিংথৌ হাপখি।

থাঙৱাই নিংথৌ ক্যাম্বনা নম্বোন কবো ৱাকচীঙদগী লাক্লগা মখুরা ৱাংখৈ চীঙঙা য়াঙবগী মরমদম- মরমখৈগী লমদম অমদা কোনুং শেমদুনা মৈতৈ নিংথৌ ওইদুনা খৃঃ ১৫৬২দগী পানখি। মহাক্না নিংথৌ ওইরবা মতুং

খৃঃ১৫৭৩দা কবোগী মুংখোং- মুংয়াং ঙমখি। মদুদগী মহাক্কী মমিংসি মুংয়াংঙম্বা (লোন্থৈ তারক্লগা) মুংয়াম্বা হায়না মিংথোন্নখি [ওঃভঃসঃ,১৯৬৭,২৬৫-৬৬]। অদুগা মহাক্লা কোনুং ওইদুনা পাল্লম্বা মফমসিদা মহাক্লা কৈ (ফৌগৈ।কোৎ) শারম্মী হায়দুনা মফমদুবু "মুংয়াম্বকৈ", "মুংয়াংকৈ" হায়বদগী লোন থৈথরক্তুনা মোংশাঙ্গে হায়না মিংথোন্দুনা খঙনরকখিরম্মী। মৈদিংঙু মুংয়াম্বদা ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কথোক্লগা লৈপাকসিদা লৈঙাক মরা চেৎনা,খুন্নাই খোঙথাং লীরী খোয়রীনা পানবা ঙম্বগী মতৌদু পুরকখিরম্মী।

ৱাখোম- ৱারোয়

মনিপুরগী ইতিহাসতা লৈঙাক্লোনগী পরীংদা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা নত্রগা মৈদিংঙু নাউফংবা (চাওরাক্লা খৃঃ ৪২৮- ৫১৮)দগী মৈদিংঙু তাংজাম্বা ফাওবগী নিংথৌরোলশিংনা পানবগী মতম লোয়খ্রবদা মৈদিংঙু চলাম্বা [খৃঃ১৫১৩- (খৃঃ১৫৪৫- ৫৯)- খৃঃ১৫৫৯] দগী মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা (খৃঃ১৭৬৩- ৭৬)গী মতম ফাওবদা পানখিবা মৈতৈ নিংথৌশিংসিনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ ফম্বালদা ফম্বা ফংখিবসি ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী কথোকপগী খুদোন্ননি। হায়রিবসি নৎলমদ্রবদি মনিপুর ইতিহাসকী ৱারী পরীং অমসুং থৌদোক- ৱাথোক্কী পরেংশিংদি অতোপ্পা মওং- মতৌ অমদা ওইরমগনি, হায়বদা থোইদোক্লা চিংন্নীংঙাই লৈতে। থাগৎলগা হরাউবা, থাদরগা শাওবা মীওইবগী মীরমচৎনিনা মিংচৎ থীবা থৌদোক- ৱাথোকপু নাকোইননা থন্বনা ঐতিহাসিক পাত্র/চরিত্র খরদা লাইবক থীহল্লি, হায়বা ৱাখল অসি কোক্তা থল্লগা ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী নিংথৌ ফম্বাল কথোকখিবগী থৌদোক - ৱাথোক নত্রগা থৌদোক- ৱারী অসিদা মতম খরদং মিৎয়েং থন্বীরবদি মীওইবনা কথোকপা অমসুং মশাগী ওইজবা থাদোকপা হায়বশিংসিগী কয়ামুক য়াম্লা মমল লৈবগে হায়বসিগী ৱাখল ফাওরক্কনি। হায়রিবা ৱাখলসি ফাওরক্তবদি ইতিহাসকী থৌদোক - ৱাথোকপু মীচঙ- মীখায় নাইদনা য়েংবা হৈবগী গুণ অদু ফংননবা হোৎনবগী মথৌ তারি। অদুবু হায়রিবা গুণসি ফংননবা হোৎনবদা মী পুন্নমক্তগী লমলানবা মীতোপ ওইবা তাই অমসুং "ঐগী" হায়বা ৱাখলসিদগী তামথোক্লা লৈবগী মথৌ তাই।

মরী- মখোঙ তাকপা

১) চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫	=	শ্রীলাইরেনময়ুম ৺ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল:- ২০০৫)
২) বিঃকঃশঃ, ১৯৯৬	=	বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা: ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (ইম্ফাল:- ১৯৯৬)
৩) ওঃভঃসঃ, ১৯৬৭	=	ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ: নিংথৌরোল লম্বুবা(ইম্ফাল :- ১৯৬৭)

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম

ৱাহৌদোক অমসুং শক্তাকপা

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম নত্রগা খুল্লীং, ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবদগী শমথরকপা ৱাংখৈময়ুম শাগৈগী মীরোন ৮ (নিপান) শুবদা (চীঙঙায়াঙবা থাদনা) লৈবা মীশক্লি। মহাক্কী অপোকপসিগী মমিংনা ৱাংখৈ লনহাম্বা, পুখ্রনবনি অমসুং অপোকপীনা অপোকপসিনা তাল্লোয় অহুম লোনবগী য়ায়মা ওইবী হাওবমচনু খম্বী হায়না কৌই। মহাক, অপোকপী মমাগী মচানুপা অহন্নি অমসুং পোকমিন্নবা (মমা তিন্নবা) মনাউ "গৌর" কৌবা সেনাপতি ফমথোন ফাওবা ওইরম্বা অমা, পোকমিন্নদবা (মমা তীন্নদবা) ময়াম্বা অনি, তুলসি অমসুং নিমাই কৌবা অমদি মনাউ অনি, ওম্বা অমসুং বলভদ্র কৌবগা মখোয় মচীন- মনাউ নুপা ৬(তরুক) পোকপগী ময়ায়নি। ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম অসিসু পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ ফম্বাল মখুৎনা পায়না পায়না নিংথৌ খুবমদুবু মিহৌবা লৈতনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মফমদা কখোকখিবা মীশক্লি। মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিগী মরমদা করিগুম্বা ৱারোল অমতা ফংবা ঙমদে। অদুগা মহাক্লা মহৈ- মশিঙ তম্লকপা অমসুং ওঝা- গুরু খল্লকপগী মরমসিদসু ৱাফম অমতা থেংনবা ঙমদে। অদুবু মহাক্কী পুন্সিদা থোক্লক্লিবা থৌদোক- ৱাথোক অমসুং ওইরকখিবা ফিবম ফিরেপশিংসিদা মিৎয়েং থম্লকপদদি মহাক নহা ওইরিঙৈগী মতমদা মহৈ- মশিঙ নীঙথিনা তম্লকপা অমদি মাগী মতমদুদা চৎনরিবা, হৈত- খঙদবা য়াদ্রবা অমসুং থাদোক- হুন্দোকফদ্রবা মহৈ- মশিঙ ওইরিবা হুয়েল- লানওংগী ওইবা মহৈ- মশিঙসিদা মমান্নবা মীথক থোংলকপা মীওইনি হায়বসি নীঙথিনা খঙবা ঙমই। অমরোমদা ৱাংখৈ বিনিন্দম্না পোক্লু রিবা ৱাংখৈময়ুম শাগৈসিনা মৈতৈ খুন্নাইদা ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবগী কখোকপগী খুদোন্না মফম অমা কন্দুনা লাকপা অমসুং মৈতৈ নিংথৌমচাশিংনা তৌবীমল খঙনা ঈকাইখুম্নরিবা শাগৈ অমসুং শাগৈমচা অমা ওইবা অমদি মহাক্কী মথক্তা লৈখিবা মপা- মপুশিংনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী লৈঙাক- লৈকল্লোন্দা থৌদাং লৌরকপা অমদি লৈঙাক্লোনগী ফম্নাইবশিং - য়াইস্কুল লাকপা (A Minister as the Administrator of Yaiskul urban commune), চোঙখানবা হঞ্জবা (A Minister as the head of the Bearers of royal insignia), হিয়াঙলোই হঞ্জবা (A Minister as the chief of

office of Water transport, etc.), পুখ্রন্বা (Minister of Food and Civil Supply), অসিনচিংবা ওইদুনা লৈঙাক- থৌদাং লৌরকপা অমসুং লৈপাক থৌগায় পুরকপনিনা মৈতৈ নিংথৌমচা অমদগী তাদবা মহৈ- মশিঙগী থাক অমসুং চাং লৈবা তারম্মী। অমুকসু মহাকপু পোকপীরিবা মপাবুং ঈবুংঙোসিনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী পুখ্রনবা ওইনা লৈঙাক- থৌদাং শরুক য়ারম্বসিনা মহাক অমসুং মহাক্কী মচীন- মনাউশিংসি মতমদুগী চৎনরিবা মহৈ- মশিঙদুদা য়াম্না চঙখোন্নমক নত্রবসু হৈথোই- শিঙথোইরবা, য়েক্লবা লাল্লোই মমিং নাইরবা অমা লাম্বা তৌনবদা নোপ্পরোয়দবগী থাক্কী মহৈ- মশিঙদুদি হৈবা তাবনি। ৱাংখৈ খুল্লীং/ বিনিন্দ্রামসিনা মহাক্কী মচীন- মনাউশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী হেন্না হৈথোই- শিঙথোইবা অমসুং লৈপাক মীয়াম্না শকখঙ- মায়খঙবগী থাক্তা লৈ।

ৱাংখৈ খুল্লীংগী লৌনরিবা অথুপ্পা শক্তম

ৱাংখৈ খুল্লীং নত্রগা বিনিন্দ্রামসিনা মতম খরদং পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী লৈঙাকপা ওইরম্বা অসিনরা নত্রগা লৈঙাকপা ওইনা খল্লকখিবগী মগুন অসিনরা হায়বগী অরেপ্পা খঙদ্রিবা মওং- মতৌ অমনা মহাকসিবু অথুপ্পা শক্তম অমগী মশক লৈবগুম্না লৌনৈ। মহাকসিবু মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংব (খৃঃ১৬৯৭- ১৭০৯)গী অরোনবা মচানুপা অমা লৈখিবগী শক্তমদুদা লৌনৈ। অদুবু হায়জরিবা ৱাফমসি কদায় য়ৌনা চুল্লবগে হায়বদুগী ৱাফমদুদি খুদম- চাংদম উত্তুনা চেবাংগী চেমায়দদি থম্বীরমদ্রে, তৌইগুম্বসুং শাগৈগী চৎন- লোনচৎ অমসুং চৎলম- লুপতীনগী পরীংদদি মমি তাবগুম তৌরি। মহাক্কী অথুপ্পা শক্তমসিগী ঈ- পাউদি :-

লাইরেন মরুম কৌবদি চরাইরোংবগী ৱানে, খঙ- ও।। চরাইরোংবদি তাক্ল- খাদা শাদানবদা পাখংবগা কোম মপান্দা ওক্ল গদবনে, লাইয়িংথৌ পাখংবনা ৱা হায়বীরমগদবনে।। "চরাইরোংবা, নঙসু থুপখিয়ো" - অসুম হায়বীরমগদবনে।। অদুবু হায়রবগা মনাই ৱাংখৈ কোইরেম্বা য়াইসাখুল্লাকপ (য়াইস্কুল লাকপা)সু য়াওরকপা অদুবু উবদা পাখংবনা হায়রক্লগদবনে - " হে চরাইরোংবা ! নঙগী লোইনরকপা ৱাংখৈ কোইরেম্বদা চরাইরোংবা নিংথৌ নঙগী ঈ পীরম- ও"- হাইরমগদবনি, লেপ্পা খঙঙু ।।" ঈ অদুনা হয়েং চক অমদা মাগী ঈনা পানসনো" - হায়রমগদনে। অদুবু হায়রবগা লাইয়িংথৌ পাখংবসু মাঙখরগদনে,থুপখরগদবনে।। হায়রম্বা মতুং ইন্না চরাইরোংবনা তাক্লখাদগী হল্লক্লবদা মতু অকোইজম চনু থা

**মঙা মিরোনলিববু ৱাংখৈ কোইরেম্বদা পীখিয়ে।। অদুনা মচা নিপা অমা পোকয়ে।। লারৈ লাথুপ কৌবদি অসিনে, খঙ- ও।।.....
[থঃথঃমঃ,৩৩৭৭/১৯৭৯,২- ৩:কঃপঃ,খঃঅমসুং নঃমঃ,১৯৭৩,৩২]**

অসিনি। অদুগা ৱাংখৈ কোয়রেম্বা য়াইস্কুললাক্পা হায়রিবসি ৱাংখৈময়ুম শাগৈসিগী ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামসিগী মপাপোকপা মপুবু পোকপা মবুধৌ ওইনা য়াওরি। হায়রিবা শাগৈরোনসিগী চাওরকপা মশক্তি:-

শানোংবা লাল্লুপখোম্বা,০ ৱাংখৈরাকপা

১)অঙোমচনু হাওচোঙঙম্বী
↓
- খোংনাম্বা♂ ৱাংখৈরাকপম
- মৈদিংঙু চলাম্বা⊙ (খৃঃ১৫৪৫-৫৯।৬২) নিংথৌ শাগৈ

২)লৈচোল লাকপা তোংলোংখোম্বচনু তরুংঙম্বী
↓
- ৱাংখৈচীঙঙায়াঙবা
- পুরাংনথাবা পুমিংনবা♂

ৱাংখৈচীঙঙায়াঙবা
↓
ৱাংখৈচীঙঙায়াঙবা নাউশোমচনু⊙
↓
সনায়াংনু (য়াইস্কুল্লাকপা)♂
লংমাইথেমচনু⊙
↓
খুঞ্জাওবা♂
সৌকাইজমচনু⊙
↓
মরাম্বা♂
তেকচমচনু⊙
↓
চীঙশোম্বা (চোঙখানবা হঞ্জবা)♂
অচোমচনু⊙
↓
কোয়রেম্বা (হিয়াঙলোইহঞ্জবা অমসুং য়াইস্কুল লাকপা)♂



[বঃকঃসঃ,১৯৯৬,৫-৯]

অসিনি। অদুগা মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবগী তাল্লোইনি হায়না পীবীরল্লিবা "অকোইজম চনু" অসিসু লৈমতোন নত্রগা থরাকলৈমা হায়বা মিংসিদা য়াওরি। মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবগা অমসুং মহাক্কী ঈমুং- মনুংগা অকোইজম য়ুম্নক্কা চান্নরম্বগী মরীসিসু চৈথারোল কুম্বাবদা মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবগী মচানুপা কোংয়াম্ববু অকোইজম তাবা হায়না খঙনবগী ৱাফম উৎপা [চৈঃকুমঃ,২০০৫,৭৬] অসিনা তাক্কি। মরম অসিনা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামসি মাঙতাক ৱারোল মানহনবা ৱারোল অসিনা পীরিবা মীশকসিনি, হায়না লৌনৈ। মথক্কী মাঙতাক ৱারোলসি লাই- তীনগী নত্রগা লাইওই তীনওইবগী ((Mythical or Legendary) ৱারী- শীঙবুন্দা পীরবসু মসিশিংসি হান্ননা থোকখ্রবা থৌদোকপু খঙলগা তুংদা থোক্লক্কদবা ওইনা

পীবনি, হায়বসিগী খুদম- চাংদম কয়ামরুম লৈ অমসুং ৱারোলশিংগী ৱাফম মশাদসু লোইনবা কয়া য়াওরি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসিনা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা নিংথৌ ওইনমক নত্রবসু লৈঙাকপা অমা ওইনা মৈত্রবাকপু মতম খরদংদা ওইরবসু ৱায়েন- থৌদা তৌরম্বা অমসুং পুকচেল তিংনা লৈঙাক্লোনগী পোৎলুম,নিংথৌ ওইবগী থৌদাং অমসুং নিংথৌ ফম্বাল কথোকখিবগী মগুণ হেনগৎহন্নবনি। মহাক্না নিংথৌগী সিংহাসন পুকচেল মক্তনা শীন্নথোকখিমসিদা মহাক্কী শাগৈ- নাতৈ, মপা- মচা, মরুপ- মপাংনচিংবগী, মরু ওইনা, মহাক্কী শাগৈ মচাশিংগী শাওনবগী ৱাফম, চৈ- থাংবগী ৱাহৈশিংনচিংবা মহাক তাদবা নত্তে অমসুং পুম্নমক্কু খাঙলগা মহাক্না মহাক্কী পুন্সিগী খোঙথাংদুদা অকিবা অমদি হঞ্জানবা লৈতনা চৎলকখিবনি।

ৱাপুঙ- ৱারোল

ৱাংখৈ খুল্লীং নত্রগা বিনিন্দ্রাম্না মহাক্কী পুন্সিগী মপান ফনা পানখৎলকপা মতম তাঞ্জা অসি মনিপুর ইতিহাসকী ময়ায়চনবা মতম তাংকক্কী শা- লান য়াম্না তোয়বা, মীরৈপাক মচা অৱা / বর্মীজ(ম্রাম্মা / ম্যাম্মা)শিংনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজ (খৃঃ ১৭০৯- ৪৮)না অৱা লৈপাক্তা চহি ১০ (তরা) লান্দাদুনা থুগায়- য়ৈখায়খিবা অমদি চহি তরাসিগী মনুংদা চহি তরেত্তি কুম লেপ্তুনা (খৃঃ১৭৩৮- ৩৯দগীনা খৃঃ১৭৪৪- ৪৫ ফাওবা) অৱাগী সহরমচাশিং ম্যেদু (Myedu),শমশোক(Thangdut/ Swang-Hsup)মৎসেম(Matsem), ডবায়েন (Dabayen) নচিংবা হন্না হন্না নৈখায়বা, অৱা কোনুং শগাং (Sagaing/Tsit-Kiang) থুগায়দুনা ক্যাঙউমুদো প্যাগোদগী থোঙবাদা থাঙশাংনা য়ানখিবা অমসুং খুঙ্গং কয়া লৈকংলা/মরুভুমি ওনহনখিবগী লমন খুম্নবগী তাঞ্জা লুমদুনা লৈরকপদা অৱাগী কোনবাউঙ (KONBAUNG) নিংথৌ শাগৈ লীংখৎনবা কন- থৌরবা অলাউঙ ফায়া (Alung-Hphaya)(1754-60 A.D.) না লানগী লাল্লাউ লাউদুনা চঙশিল্লকপা অমসুং মহাক্কী মখা তারকপা মহাক্কী শাগৈগী চাদা- নাউদাগী অৱা নিংথৌশিংগী মতোন তুমখৎলকপা অমসুং ফিরান মমায় চুমখৎলকপগী মতম তাঞ্জাদুদা থোকখিরম্মী। হায়রিবা অৱাগী ৱাফমশিংসিগী চৈথেংদগী মৈত্রপাক্তা মৈশা য়াম্না লাংলম্মী। অসিগুম্বা মৈচাক- মৈশাশিংগী মরক্তা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম্না মমা লৈপাক্কী সেবা তৌবদা লৈপাকসিগী প্রজা অমা ওইনা নত্রগা ৱাংখৈময়ুম মচা অমা ওইনা মনিংথৌগী তেংবাংনবা অৱাগী মতেং লৌদুনা লৈঙাকপা ওইরম্লগা মনিংথৌদুদা নিংথৌ ফম্বাল কথোকখিবনি। মহাক্না মনিপুরদা

লৈপাকসিগী লৈঙাকপা/নিংথৌ ওইনা লৈরম্বা মতমদুদা মহাক্না মখা তাথনা অমসুং মতম শাংথনা মনিপুরগী নিংথৌ খুবমদু ওইথখিগে হায়রবদি মতমদুগী অৱা নিংথৌ শেঙ- প্যু- শেঙ[Hseng-pyu-Sheng (1764-79 A.D.]দা চঙজদুনা হায়রুবা মতমদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্ব (খৃঃ ১৭৫৯- ৬২,খৃঃ১৭৬৩- ৯৮)গী মপাঙ্গন্না থিংবা ঙম্লোয় অমসুং মহাক্না য়াদ্রবদি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা খৃঃ১৭৭৩- ৭৪দা অৱাগা তাইশিন্ননবা ৱাকোংথেম্বা মুরারী থারুব [মথক্কীসিদা, ১২৭]দা তাইশিন্নবা য়াদদুনা লৈরবদগী ৱাংখৈ পুখ্রনবা মচা খুল্লীং(বিনিন্দ্রাম)না থা ২২ (কুন্নীথোই) রোম লৈঙাক্লি ঙৈদা শেনশাবা (শেঞ্জম) শ্যামনগর অমসুং ৱাংখৈ জগদানন্দসি মনিপুরগী নিংথৌ ওইরিবা নত্রগা লৈঙাক্লিবা ৱাংখৈ খুল্লীংগী অয়াবা য়াওদনা অৱাদা চৎলমগদ্রা, অয়াবা য়াওদনা চৎখ্রগা মনিপুরদা অমুক হন্না হল্লক্লমগদ্রা [মথক্কীসিদা, ১২৯]?

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী মতমগী লৈঙাক্লোনগী ৱারোল

ৱাংখৈ পুখ্রনবা মচা খুল্লীং করম্বা মতমদা/চহিদা পোকখিবগে,হায়বসি খঙবা ঙম্নদে।অদুবু মহাক মৈদিংঙু ময়াম্বা/ গরিবনৱাজ মহারাজ(খৃঃ১৭০৯- ৪৮)গী স্নাহাক্তক্কী শা- লানগী শাজেন অমসুং থৌরাংশিং অদু মমিৎনা শং- শঙনা উহৌরবনি অমসুং নিংথৌসিগী মতমদা পাখং য়ং- য়ং ফাগৎলক্লিবা মীওই অমনি। মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজগী স্নাহাক্তক্কী মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী শক্তমদি মৈতৈনা লাকচবা অমসুং বর্ম্মদা কুম খুদিংগী লান্দাবা অসিনি। মৈদিংঙু গরিবানৱাজ মহারাজনা মপারী শাবা চিৎশাইদা নিংথৌ খুবম শিন্নরবদা চহি মরিগী লৈঙাক্লোনগী শক্তমদু মায়খুম উপ্লা, অহিং- অহিংদা মপান থোকপা অমসুং লমন খুম্নবগী লৈপাক লীংবা ওইবনা মীয়াম চঙদুনা হাৎকে তৌবদগী মফম- মরাং খঙদনা চেনখিবা - চেনখিবী মতৌনি। মসিগী মতুং তারকপা চহি অমগী লৈঙাক্লোনগী মশক্তু মীতোপকী হক মৎপগা মশাগী হক তানবগা চায়নবগী মতৌনি। মথংগী চহি ৬(তরুক)কী রাজনিতিগী ফিবমদি অহানবা তাংকক্তি মীফত্তশিংবু লৈপাকসিদগী তাথোকপা অমসুং হেঞ্জিল্লকপশিংদুনা হাৎপা অমদি অচুম্বগী মায়গৈদা লেপ্পশিংবু মনা- মথুম পীবনি। অদুবু মতমসিগী অরোয়বা চহিসিদগীদি মৈতৈ- অৱা চায়নবগী মৈফম লীংখত্তুনা চৈ কারক্লিবা অৱাগী শামু ময়াগুম থিন্দোক্লক্লিবা মপাঙ্গনগী শাফুদা মৈত্রবাক

মনিপুরনা খুন্তাক- লানশি কয়ারক নংদুনা খাঙলম্মী। হায়রিবা মতমসিগী বর্ম্মীজশিংগী অহানবা লান্দাসিগী ঈ- পাউদি:-

.... থিংকুজম অমুগী কুম শক ১৬৮০ হিয়াঙ্গৈ থাদা ঈবুংশীজ ভাগ্যচন্দ্র যুবরাজনা শাইখোম খাবম লাকপগা সমজোকলোমদা ঈবুংশীজ আনন্তশাই সেনাপতিনা মোংবীজাম্বা নহারুপলাকপগা তুমুলম লাল্লম ২মা অৱা নাবা চৎলে।। অৱানা তকথোক্লকএ।। ককচীঙ তাননা হুৈ দাক্লকএ।। হিয়াঙ্গৈ থা ২৮নি (খৃঃ১৭৫৮গী ডিসেম্বরগী ২বা চয়োনগী) ঈরাইদা মৈদিংঙু মরাম্বনা অৱা নাবা শান- এ।। ..... পোইনু থা হুমনি লৈপাকপোকপদা ককচীঙগী তেঙ্গোন কায়নৈএ।। ১১নি লৈপাকপোকপদা লৈশাংখোংদা মনাউ ঈবুংঙো যুবরাজনা শোক্লববু ঙমদদুনা লৈপাক তাকএ।। অৱানা নুমিৎ ৯(মাপন)নি লৈরম- এ।। অদুগা হাও নাইদগী কুম্লত্তুনা মৈতৈ লৈপাক খুনলিং- এ[মথক্কীসিদা,১২২]।

অসিনি। হায়রিবা ৱাফমসি বর্ম্মীজশিংগী মহারাজৱেং (চৈথারোল কুম্বাবগুম্বা লাইরিক)দসু ইদুনা লৈরিবনি। মদুদগী লৌখৎলগা বর্মীজ গেজেত্টীয়ারদা ইরিবা ৱারোন্দি-

While Aloung-bhoora was engaged in overthrowing the Peguan power he found it necessary to detach a force to attack Manipur......... Taking advantage of the disturbances in Burma the Manipuris in 1754-55, recommenced their aggressions and in the latter year Aloung-bhoora despatched a force under one of his near relations which overran the country, owing its success mainly to the use of firearms. After his return from Pegu Aloung-bhoora himself advanced up the valley of the Khyeng-dweng, in 1758,and crossing the Ungoching hills by the Khambat route, he entered Manipur valley by the Imole pass and, after a sanguinary battle, with the inhabitants after Burut Shah he occupied the capital where he

remained for thirteen (13) days. He was recalled thence by news of a rebellion among the Peguans.............[C.B.A., 1987,305].

অসিনি। মসিদা শোয়নরিবসি নুমিৎ মশীঙ ৯গা ১৩গা অমসুং ভরত শাই (শাহ) হায়না মখোয়বু লাম্হেংনরিবা মৈতৈগী লুচিংবা ভাগ্যচন্দ্রবু হায়গদবদু লান- না হায়বা অসিখক্তনি। অদুগা হায়রিবা মৈত্রবাক্তা অৱা নিংথৌ অলাউঙ- ফায়ানা কংলাদা লৈরিঙৈদা মৈদিংঙু মরাম্বা, মনাউ- ঈবুংঙো যুবরাজ ভাগ্যচন্দ্র, মতোনশী আনন্তশাই সেনাপতিনচিংবদি শাঙাইথেলদা লৈ অমসুং মসি মতুং চহি ২।৩(খৃঃ১৭৬০।১৭৬১)দা জয়নগর কোনুং ওন্থোক্লক্লগনি। হায়রিবা শঙাইথেনগী চীঙ,চীঙথাং চীঙজাওগী মনুংচনবসিদগী কুল্লক্তুনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকপু অমুক হন্না খুনবান- লৈপানহন্নবা লৈরীং খুল্লীংলখি।

মৈতৈ- মলেসকী রাজনিতি অহানবা মরী

মৈদিংঙু মরাম্বা গৌরশ্যাম (খৃঃ১৭৫৩- ৫৯) অমসুং যুবরাজ ভাগ্যচন্দ্র অনিগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমগী মতুং ইন্না খৃঃ ১৭৫৯গী চহি হৌগৎলকপদা মৈদিংঙু মরাম্বনা নিংথৌ ফম্বাল কুল্লগা যুবরাজ ওইখি, অদুগা যুবরাজ ভাগ্যচন্দ্রনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা হায়বা মিংথোনসি লৌদুনা পোইরৈ মৈতৈলৈপাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। মৈদিংঙুসিনা রাজনিতিগী মিৎয়েং কুপ্পা অমসুং শান্- না উবনা মৈতৈগা অৱাগা লাম্বা তৌনবদা মৈতৈনা নোপ্লিবসি নোংমৈগী খুৎশূ- খুৎলাইশিংগী মতাংদগীনি হায়বসি খঙদুনা মহাক্না খুৎলাইসি মরাং কায়না ফংনবগী হিরমদা থৌশীন- থৌরাং লৌখৎপা পান্নম্মী। হায়রিবসিগী লমদাংসিনা মহাক্কী রাজনিতিগী মিয়েং অসি নোংচুপলোমদা থন্নকপা তাখি অমসুং থন্নকখি। হায়রিবা মতম (খৃঃ১৭৫৯)সিদা খৃঃ১৭৫২দা মপা হাৎপগী মরান্দা মৈত্রবাক্তগী পোকমিন্নবা মমা তিন্নবা মনাউ নুপামক্না তান্থোকখিবা মৈতৈ নিংথৌমচা শাবা চিৎশাই (খৃঃ১৭৪৮- ৫২)না শামসের (খৃঃ১৭৫৩- ৬০)গী মতেং লৌদুনা মতমদুগী বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী,বেঙ্গোল (নোংপোক নোংচুপ খায়দোক্লিঙৈগী)দা লৈরিবা ওথোরিটীদা মহাকপু মরম চুমদনা মনিপুরগী নিংথৌ সিংহাসন্দগী অমসুং মনিপুরদগী তান্থোকপীরক্লে [ডঃলঃচঃসঃ,১৯৭০,৮], মহাক্কী নিংথৌ খুবম হঞ্জিন্নবা হোৎনবা মতেং পাংবীয়ু "হায়না ৱাকৎ- চে লানখৎখ্রে, হায়বা পাউসি চিট্টাগোংদা লৈবা

চিট্টাগোং ফেক্তরীগী মপু হেরী ভেরেলষ্ট[Herry Verelest] না চিৎশাইসিগী ৱাকৎচেসিগী অচুম- অরান থিরকপগী লমদাংদগী পাউ অসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা (ভগ্যচন্দ্র, জয়সিংহ,কর্ত্তা, নুঙনাংখোম্বা অমসুং চীঙশংখোম্বা)না ফংলম্মী। পাউ অসিদগী মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মশাগী হক লৈতনা নিংথৌ ওইনীঙবা, ঈ মতুমদগী চাওনবা য়োকপীরকপা মপাবু হাৎপা অমসুং মশাবু মশানা মশক খঙজদবা, খঙলবসু মমায় শউন তোপ্পা, অমদি মহাক্না হাৎখ্রবা মপাগী মচা শাবগী মায়খুম উপ্পদুগী মরমশিং শুগায়না খঙহল্লুননবগীদমক অমসুং অচুম্বগী মায়কৈদা অৱাশিংগী মায়য়োক্তা দরকার লৈরিবা তেংবাংদু ফংননবগী রাজনিতিগী মরী লীংখৎনবগী ৱাফমশিং পুহন্দুনা খৃঃ১৭৬০গী জুলাই থাদা মীগা ৱা ঙাংনবদা হৈথোই- শিঙথোইবা বাঙ্গালী মচা হরিদাস গোষাইবু মিঃ হেরী ভেরেলষ্ট উন্নদুনা ৱারী শারুনবা চিট্টাগোংদা থারম্মী।[মথক্কীসিদা,৮]। হরিদাস গোষাইনা মিঃ ভেরেলষ্টনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদা হংলকপগী মতুং ইন্না মৈদিংঙুসিনা ইবা,"চিৎশাইবু করিগীদমক্তা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বালদগী লৈপাক মীয়াম্না চিংথখ্রিবনো অমসুং মনিপুরদগী তাম্বোকপা হায়জিল্লগা চেনখ্রিবনো, হায়বা মিঃ হেরী ভেরেলষ্টকী চিঠিগী পাউখুম পীবা চিঠি অমসু পুদুনা চৎলম্মী। হায়রিবা হরিদাস গোষাইসিনা চিট্টাগোংদা লাক্তুনা মবুংঙো চীঙথংখোম্বগী চিঠিদু খুৎশিন্নরগা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বসিনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইফম থোকপগী হক অমসুং মরম পুম্নমক্তু শন্দোক্লা লীরগা মফমদুদা অমসুং বৃটিশকী মীওইশিংদুদা মরী লৈনরিবা মীশকশিংগা নীঙথিনা খন্ন- নৈনরম্মী অমসুং তানরম্মী। হায়রিবা হরিদাস গোষাইগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী ওথোরিটীশিং অদুনা চিট্টাগোংদা লৈরিবা চিৎশাইগী মফমদা ৱাহং- পাউহং খরদি তৌখি হায়বসি শোয়দ্রবা পাদম্লি। হরিদাস গোষাইনা মৈদিংঙু ভাগ্যাচন্দ্রনা নিংথৌ ওইবগী ৱাফমসি বৃটিশশিংনা য়ারবা,মনানা হৈমাং শাবদু তৌশিন্নবনি হায়না বৃটিশশিংনা ফারবা অমসুং মৱা লৌদ্রবা মতুংদা অৱাশিংগা লাম্বা তৌনবনা মৈত্রবাক্লা নোপ্লিবা অমদি কনাগুম্বা অমগী করিগুম্বা খরগী তেংবাং দরকার ওইরিবদু হৌদোক্তুনা বৃটিশ ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনীগী মতেং নীরম্মী। হায়রিবা তেংবাংসি পীননবা নত্রগা মৈতৈ -মলেসকী রাজনীতি মরী লীংখৎপদা হান্ননা মাঙজৌননা থিজিন- হুমজিনবগী মথৌ চঙবদু লৌখৎনবা বৃটিশশিংনা হরিদাস গোষাইদা খঙহল্লম্মী।

মনিপুরদা অহানবা বৃটিশ ওফিসারশিং থোক্লকপা

হরিদাস গোষাইনা মহাক্কী মবুংঙো চীঙথংখোম্বনা শীন্নরকপগী মতুং ইন্না বৃটিশশিংগী মতেং অসি অসুপকী মতীক থুনা দরকার ওই,মদুদি,

২১

অৱাশিংনা খৃঃ ১৭৫৯গী মতুংসিদা থুজিন্না লান্দারক্লবদা মৈতৈ শিংনা মরৈপাক ঙাক্লবগীদমক্তা য়াম্না থুবা নোংমৈ পায়বা লাম্মী লুপ অমগী মথৌ চঙঙি। মরম অসিনা হরিদাসনা তকশীনবগী মতুং ইন্না বৃটিশ ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনীগী ওফিসারশিংনা মনিপুরদা বৃটিশ ওফিসারশিংনা দায়িত্ব লৈবা অমসুং মনুংগী ওইবা ইনক্বরি তৌবগী ৱাফমসি থুনা পায়খৎনবা শীন্দুনা হরিদাস গোষাইগা লোইননা বৃটিশ ওফিসারশিং মনিপুরদা থোক্লক্লবা শীন- লাংলম্মী। হায়রিবসিগী পরীংদা খৃঃ ১৭৬১গী সেপ্তেম্বর - ওক্তোবরদা বৃটিশ ওফিসার অহুম হরিদাস গোষাইগা লোইননা মনিপুরদা লাক্লম্মী [চৈঃকুমঃ,২০০৫,১২৩]। হায়রিবা মখোয় অহুমসিগী মমিং মথাদি খঙবা ঙমদ্রে। অদুবু মখোয়না মনিপুরদা থা ১৪ - ১৫(তরামরি- তরামঙা) রোম লৈরম্বসি মখোয়বু অতিথি ওইনা সেবা তৌবিবা অমসুং লোইনখিবা মৈতৈ পাঙল (মনিপুরী মুস্লিম)গী " তেলঙ্গা খনবা ময়ুম " হায়না লৈরম্বসিনা শাক্ষী ওইরি অমসুং চৈথারোল কুম্বাবদা পীরিবা ৱারোন্নসু তাক্লি, মদুদি :-

> **......নাউসেকপম চীঙবনগী কুম শক ১৬৮৩ (খৃঃ১৭৬১)... লম্বোইবা হরিদাসনা তেলঙ্গা লোইনরকএ[মথক্কীসিদা,১২৩] ।.......ঙারংয়ানবা পনলিংগী কুমদি শক ১৬৮৪ ফাইরেন থা (খৃঃ১৭৬৩গী ফেব্রুৱারী- মার্চ)দা মনাউ ঈবুংঙো চীঙথংখোম্বা যুবরাজনা লম্বোইবা হরিদাস, তেলঙ্গাসুং লোইননা সোকপাও নায়এ।। সোকপাও ঙমএ।। লান য়াম্না ফায়এ[মথক্কীসিদা,১২৪]।**

অসিনি। হায়রিবা মলেস মচাশিংসিনা থা১৪-১৫ লৈদুনা মৈত্রবাক (মেক্লে)কী য়েংবা য়াবা মরম পুন্নমক য়েংশিল্লগা হনখিদুনা মখোয়গী মথক থোংবশিংদা রিপোর্ট থাগৎখি। হায়রিবা রিপোর্টসিদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী বেঙ্গালদা লৈবা ওথোরিটীনা য়ারদুনা খৃঃ ১৭৬২গী সেপ্তেম্বরগী তারিক ১৪দা মতমদুগী মনিপুরী সরকারনা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগা অমগা অমগা মতেং পাংননবগী ৱারোল ইবা য়ানচে শেম- শারগা নাকল অনিমক্লা সহি তৌনদুনা লৈঙাক্লোনগী মরী লীংখৎখিরম্মী [ডঃলঃচঃ,১৯৭০,১৫]। হায়রিবা য়ানচে অসিগী অরোয়বা ৱাফম অসিদা বৃটিশশিংনা মেক্লেগী লাম্মী, লোইননা, অৱাগী মথক্তা লান্দাদুনা অৱা লৈপাক লৌশিল্লগা মখোয়গী মরুপ মৈদিংঙু জয়সিংহ (চীঙথংখোম্বা/ভাগ্যচন্দ্র) মহারাজবু অৱা লৈপাক অপুন্বগী মপু ওইহনবগী ৱা ফাওবা য়াওরি। অদুবু মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বসিনা খৃঃ১৭৬২দা নিংথৌ ফম্বাল থাদোকখিবনা বৃটিশশিংনা য়ানচে অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিংদু থবক ওইনা ওন্থোকপদা পন্থখি।

মৈদিংঙু মরাম্বনা অনিরক শুবা ওইনা নিংথৌ ওইরবদা খৃঃ১৭৬২দা মৈতৈ- মলেস অনিনা য়ানখিবা ৰাফমশিংদু অমুক নৌনা হৌদোক্লদুনা মখা শমথনদুনা মতমদুগী খ্বাইরাকপা ঈবুংশীজ আনন্তশাইনা লুচিংদুনা বৃটিশকী লমদা চৎলগা অমুক হন্না অনৌবা য়ানচে সহি তৌনখিরম্মী। মসিগী মতুং ইন্না খৃঃ১৭৬৩গী মার্চ থাদা মিঃ হেরী ভেরেলষ্টকী মখাদা বৃটিশকী লান্মী লুপ অমা মনিপুরদা লাক্লবগীদমক্তা চিট্টাগোং থাদোক্লম্মী অমসুং মখোয়না চহিসিগী এপ্রিল থাদা কছারগী খাসপুরদা থুংলম্মী। অদুবু চহিদুদা ঙনখৎনা চঙশিল্লকপা নোংজু পান্থানা চোৎ- চোৎ লাউনা ঈনীন কাবনা মখল- মখা অয়াম্বা লাইনা- তীন্নানা লান্মী কাংবুদুবু য়াম্না খুদোং থীহল্লম্মী। মখোয়না খাসপুরসি হকচাং ফত্তবা লমনি হায়দুনা বরাক তুরেলগী ওয়থংবা তোর্ব্বান্দা লৈবা জয়নগর কৌবা মফমদা লানশঙ হোংদোক্তুনা লৈরম্মী [মথক্কীসিদা, ১০]। মতমসিদা বেঙ্গোলগী নবাব মীর কাসিমগী লান থোক্লকপা অমসুং মদুদা বৃটিশকী লান্মী য়াম্বগী দরকার লৈরকপনা মনিপুররোমদা লাক্লম্বা মিঃ ভেরেলষ্টনা লুচিংবা লান্মী লুপ্তু খাসপুর/জয়নগরদগী হনখিরম্মী। হায়রিবসিগী মতুংদদি কলকাটাদা লৈরিবা বৃটিশশিংগা ঈ- পাউ অমতা ফাওনবা ঙমখিদ্রে অমসুং মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা অমুক হন্না নিংথৌ ওইরগা মহাক্না থোকপা অমা তৌখি। অসুম্না অহানবা লীংখৎখিবা মৈতৈ- মলেসকী রাজনিতিগী মরীদু তৎনখি।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা শোক্লবা অৱা- লানওং

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা খৃঃ১৭৬৩গী আগষ্ট / সেপ্তেম্বরদা অমুক হন্না নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। অদুবু খৃঃ ১৭৬৫গী জানুৱারী থাদা অৱাশিংনা মনিপুরদা লান্দারকখি অমসুং খুৎকন- পাঙ্গল্লবা অৱা নিংথৌ শেঙ -প্যু- শেঙগী লান্মীশিংদুগা লানফম মায়য়োক য়ানবদা মায়থীরদুনা মৈতৈলৈপাক খুন্তাক- লানশিখি। হায়রিবা মৈত্রবাক তাকপসিগী ঈ- পাউদি:-

.........লাইশ্রুম গঙ্গারামগী কুমদি শক ১৬৮৬ ৱাকচীং থাদা ঈবুংঙো শীজ হরিচরন সেনাপতিনা অৱা নাবা চৎএ।। তুমু কৈথেন্দা অৱাগা শোক্লববু ঙমদদুনা চেল্লকএ।। নহারুপ হাজারী, ক্ষেত্রি চৈতন্যগা ২মা শিরৌএ।। ফাইরেন ২৮নি ঈরাইদা মহারাজ অৱা নাবা চৎলে। ককচীংদা তেঙ্গেল শাইএ। চৱনা পন শাদুনা অৱাগা য়াম্না কন্না শোক্লে এ।। ঙমদদুনা চেল্লকএ।। বাজি হরিদাস, বনলকচান্দ, নাকনবা হাজারি,

৩মা লানফমদা য়ান্নদুনা লৈরৌএ।। লৈপাক তাকএ..... [চৈঃকুমঃ,২০০৫,১২৪]

অসিনি। হায়রিবা লানসিদগী মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি ময়াং লৈপাক (কছার)দা মনেম শীজ হরিপ্রিয়া(গরিবনৱাজ মহারাজগী লৈমা মাইবমচনুনা পোকপী, ঙৌব্রাম শাইগী মচন[মথক্কীসিদা, ১১০,১১১,১১২]) না ওঙবা কছারী/ডিমাসা নিংথৌ হিরম্বেশ্বরগী মচানুপা হিরম্বাজ হরিশ্চন্দ্র নরায়ন/সন্ধিকারী (খৃঃ১৭৬৫-৮০)গী মফমদা চেনখিদুনা লৈরম্বদগী মহাক্কী মাম্মসিগা লোইননা অহোম নিংথৌ চাও সুরেমফা নত্রগা স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহ (খৃঃ১৭৫১-৬৯)গী মনাক্তা চৎখিদুনা অহোম লৈপাক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈখি। অদুগা মৈতৈ পুম্নমক্তি মোইরাং নিংথৌ খেল্লে- নুঙনাং তেলহৈবা নত্রগা খেলেম্ব (খৃঃ১৭৫৭-৬৮) গী মচানুপী শীজ শমজমনিবু অৱা তোংদোই নিংথৌ (শেঙ-প্যু-শেঙ)দা থাজদুনা মশাগী খুদোংচাননবা থোল্লিবা য়ুন্ফমদুগী মরুম থুপ্তুনা মোইরাংলোমদা হাইথদুনা লৈরম্মী। তৌনরিবা মতমদুগী মনিপুরগী শা- লানগী থৌদোক্কী খোঙজেনশিংসিদা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামসু য়াওরিবনি।

অনিশুবা মৈত্রবাক্কী খুন্তাক-লানশিবা

অহানবগী খৃঃ১৭৬৫দগী মৈতৈ লৈপাক্লা খুন্তাক- লানসি নংলিবসি খৃঃ১৭৬৭ ফাওবনি হায়বা য়াই। হায়রিবা চহিসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা অহোম নিংথৌগী মতেং লৌদুনা মৈত্রবাক অমুক হন্না হন্দোকখি [মথক্কীসিদা, ১২৫]। মৈদিংঙুসিনা মতমসিদা খৃঃ১৭৬৮গী অঙনবদা শাঙাইথেন্দা, থেংথরক্লগা শঙাইপ্রৌদা কোনুং ওইনা পানখি। খৃঃ১৭৬৮সিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মমাগা পোকমিন্নবা মাম্মা মোইরাংনিংথৌ খেল্লেম্বদু মচন্না পোকপা মমাকপু মশামক য়াওনা মৈতৈ নিংথৌ হাপ্লগা মীশৌ চঙদুনা ওন্না - তৈন্নবা থবক তৌরকপদগী মহাক্লা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইনা অৱা কোনুংদা চৎলুবদগী হল্লকপদা মৈতৈ লান্মীনা খারী লৌবুক্তা (বম্মাগী মংশা খুঞ্জাওগী নোংচুপ্তা) নোঙ্গাহনখি [মথক্কীসিদা, ১২৫]। চহিসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা অহোম নিংথৌগী তেংবাংগী তৌবীমল খঙবা উত্তুনা ময়াম্বুং গৌরশ্যাম্না পোক্লম্বী শীজ কোলালৈমা নত্রগা ফোঙদা লোকপী, অহোমশিংনা কুরঙ্গনয়নী (শজিমিত্তা- তাবী) হায়না মিংথোনবীসি থাজদুনা থিনখি। খৃঃ ১৭৬৯দা মৈদিংঙুনা চজীঙদা কোনুং হোদুনা পাল্লিঙৈদা অৱা নিংথৌনা মকু মোইরাংনিংথৌ হাৎখিবগী পাউ ফংবদগী মৈতৈমচা অনি শীন্নাইবা ঘনশ্যাম অমসুং মোইরেংজম খগীন্দ্রবু লম্বী চিংহল্লগা অৱা লান্মী থারক্তুনা লান্দাহল্লকখি।

হায়রিবসিদগী মৈত্রবাক অনিরক শুবা ওইনা খুন্তাক- লৈতাকখি অমসুং মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি কছাররোম চেনখিরম্মী। অদুগা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মমাতোন থোঙবমচনুনা পোকপা মনাউ ঈবুংঙো ভবানন্দবু অৱাদা জামিন ওইনা পীখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২৫]। অদুনা মৈতৈ লৈপাকসি নুমিৎ ২০(কুন)নিদি খুন্তাক- লানশিদুনা কংলৈ পুমতাক তাকখি।

অহুমশুবা মৈত্রবাক্কী খুন্তাক- লৈতাকপা

খৃঃ১৭৬৯গী মৈত্রবাক্কী খুন্তাকপসিদা মৈতৈ মশেনসু হাৎনবা কয়া থোকখিরম্মী। মথংগী চহি খৃঃ১৭৭০সিদগী অৱাশিংনা মখোয়গী মখাদা মৈত্রবাক্কী লৈঙাকপা নিংথৌ হাপ্পা হৌখি অমসুং খ্বাইদগী ঈহান হানবা অৱ ানা হাপ্পা মৈতৈ নিংথৌসি ঈবুংশীজ নন্দ (গরিবনৱাজগী মনাউ মুংয়াম্বা নত্রগা মনশাইনা উশম চনু পানদুনা পোকপা নন্দশাই সেনাপতি)নি [মথক্কীসিদা, ১২৫]। অদুবু মহাক্না মহাক্কী মমা তীন্নদবা (তাউরেম চনুনা পোকপা) কুকিলানন্দবু লৈপাক ঙাকহল্লম্লগা মহাক্তি অৱা লৈখি। অদুবু খৃঃ১৭৭২গী এপ্রিল- মেদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা মনিপুরদা থোল্লক্লম্মী। অদুগা লৈঙাক্লিবা কুকিলানন্দনা মে থাগী থায়ায়দা মৈদিংঙুবু মহাবলী (মোংবহনবা) উমংদা খুরুমজরগা নিংথৌ ফম্বাল কৎখি [মথক্কীসিদা, ১২৬]। মৈদিংঙুনা মদুদগী মৈতৈ কোনুংলেন কংলাগী মনুংদা হৈগাগোক মখোঙদা শঙ্গাই শাদুনা পাল্লম্মী। অদুবু খৃঃ১৭৭৩গী জানুৱারী থাদা অৱাশিংনা অমুক হন্না লান্দারক্লম্মী। অৱাগী লান্দাসি ঙাক্লনবা মৈদিংঙু মশামক চত্তুনা লান্থেংনববু অৱাশিংবু থিংবা ঙম্লমদে। অদুগা হায়রিবা চহিসিগী ফেব্রুৱারীগী অহুমশুবা চয়োনদা মৈতৈলৈপাক কায়খি। মৈদিংঙুনা হন্দকসু ময়াং লৈপাক কছার লাঞ্জেনখিরম্মী।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী সনাহাক্তক্কী অহুমশুবা মনিপুরগী খুন্তাকপা অসিদা অৱাশিংনা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাদা থা ৫ (মঙা) লৈদুনা অৱাশিংনা লৈপাক পান্দুনা লৈরম্মী। মখোয়না ইম্ফাল কংলৈ থাদোক্তুনা চৎলমদায়দা মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মনাউ ঈবুংঙো খমলাং পামশাবা, ৱাংখৈরাকপা (সেনাপতি, মন্ত্রী)গী মচানুপা গোবিন্দশাইগী নুপী অহন হাওবমচনু সত্যবতীনা পোকপা ভগবন্ত সিং, হাননা য়াইস্কুল লাকপা ওইরম্ববু নিংথৌ হাপ্তুনা লৈপাক ঙাকহল্লম্মী। অদুবু খৃঃ১৭৭৩সিগী নবেম্বর থাগী অরোয়বা চয়োন্দা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা মৈত্রবাক্তা থোক্লক্তুনা মৈতৈ কংলা মনুংগী অঙোম য়ুম্ফমদা লৈদুনা অৱাশিংগা তাইশিন্নবগী ৱাফম ঙাংননবা থৌরাং লৌখৎলম্মী। থৌরাংসিগী মখাদা ৱাকোঙথেম্বা মুরারীবু চহিসিগী

ডিসেম্বরগী অহানবা চয়োন্দা তাইশিন্নবগী ৱা ঙাংনরুনবা অৱা কোনুংদা থাখিরম্মী। মৈদিংঙুসি লাকপদগীদি ঈবুংঙো ভগবন্তদু মতম খর লৈঙাক- থৌ পুরম্লগা পোথাখি। অদুগা অৱা কোনুংদা চৎলুবা ৱাকোঙথেন্বা মুরারী খৃঃ১৭৭৪গী ফেব্রুৱারীগী অরোয়বা চয়োন্দা ইম্ফালদা থুংলখি। মহাক্না অৱাশিংগা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী,তাইশিন্নবগী ৱাফম পুরকপা ঙমদবগী ৱাফম তারগা অমসুং অৱাশিংনা পুরিবা ৱাখল্লোন্দুগী ৱাশিংদু তারগা মৈদিংঙুনা মৈত্রবাক্তা লৈবসি অফবা ওইররোয় হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে। মরম অসিনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা চহিসিগী মার্চ থাগী অনিশুবা চয়োন্দা মৈত্রবাক থাদোকখি [মথক্কীসিদা, ১২৮]।

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা মৈত্রবাক পান্বা

ৱাংখৈ পুখ্রনবা মচা খুল্লীং নত্রগা বিনিন্দ্রাম, মথক্তা থমখ্রিবা, মনিপুর ইতিহাসকী থৌদোক- ৱাথোক্কী খোঙলৈ মনুংসিদা অদুম য়াওদুনা লৈরিবনি, লান চেল্লে চেল্লিবনি, লান থেংনরে, থেংনরিবনি: অদুবু হক থোক্লা মমিং পনবা হৌনদবগী পন্দবনি। অদুবু "শামু ময়ানা থিন্দোক্লক্লবদা মঙ্গে থেঙ্গুনা য়ৈশিনবা য়াদে" হায়বদুনি, মাগী মাগী মতম লাকপদদি কনাসু লোত্তুনা লৈবা য়াদে, মনা- মনীন হেক্তমক নাইনরকপা ঙাক্তনি। অৱাশিংনা মৈতৈ লৈপাক মখোয়না লোই চল্লবনিনা মখোয়না লৈপাকসিগী নিংথৌ হাপ্পগী মতীক মপাঙ্গন্দু পায়দুনা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংগী মরক্তগী মখোয়না হাপ্পা নিংথৌশিংসি মথোঙ কয়া চাদে, নিংথৌ হেক ওইখিবগা মখোয়গী মায়োক্তা হেক্তমক তৌরকই। অদুনদি নিংথৌমচাদি নত্তবা মীদি মীঙম্বা, খুৎসু অদুম কনবা, লৈপাক মীয়াম্নসু অদুম ইকাই খুম্নবা মীওই খন্দুনা ঈবুংঙো ভগবন্তসিংগী মহুৎ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ হাপ্নবা থিরক্লম্মী। মতমসিদা মপা- মপুশিংসু লৈঙাক্লোনগী অঙম- অথৌগী পরীংদা লাকপা- লেপ্লকপা, শাগৈ য়ুম্নাক্তসু নিংথৌমচা অমসুং নিংথেমমচাশিংনা ঈকাই খুম্নবা অমদি মশাগী ওইবা য়েংলবসু মতীক চাজবা ৱাংখৈ পুখ্রনবা মচা খুল্লীং নত্রগা বিনিন্দ্রামসিবু অৱা নিংথৌ শেঙ-প্যু-শেঙনা খৃঃ১৭৭৪দা মৈতৈলৈপাক্কী নিংথৌ হাপ্লকখি। মসিগী ঈ- পাউদি:-

> **.........চীঙশুবা হোঙবগী কুমদি শক ১৬৯৬.....কালেন থা ১১নি (খৃঃ১৭৭৪গী মে থাগী অরোয়বা চয়োনগী) লংমাইচীঙদা ৱ াংখৈনা লৈপাক ঙাকএ [মথক্কীসিদা, ১২৮]।**

অসিনি। ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম্না পানবগী তেল্লবা মতমসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী

অৱাশিংবু লাংদাইননবা হোৎনবগী চিরবা মতম্নি। মহাক্নসু মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবগী পরমসিদা ৱাদি ঙাংদনা অমসুং খুৎথোকপদি উহন্দনা পায়খৎলি হায়বসি ৱাংখৈ জগদানন্দনা অৱা নিংথৌগা তাইশিন্নবগী ৱাফম ঙাংনবদা থৌদাং লৌখিৎবসিসু খুদম- চাংদম অমা ওইরবনি। ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী হাক্তকসিদা মনিপুর ইতিহাসতা খ্বাই পুন্নমক্না কাউনদ্রবা থৌদোক, মহৌশা লাইরেন্বীগী উপদ্রব অমদি "ৱাংখৈ হাক্তক্কী ঈচাও" হায়বসিনি। হায়রিবা ঈচাওসি মায়য়োক্নবদা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা লৈপাক্কীদমক্তা লৌখৎখিবা থৌরাংশিংদি :-

> **....... ৱাইরংবা আনন্দরামগী কুমদি শক ১৬৯৭.... কালেন থা..........১২নি(খৃঃ১৭৭৫গী মেগী অরোয়বা চয়োন্দা) থাঙজদা ঈশিং য়াম্না চাওএ।। য়ুম থায়না থুমদবা খিবিক থুম- ই। ফৌ চাহৈদা লাকএ।। অকোইজম ফুরাসু কীম্থৈএ।। মী য়াম্না শিএ।। য়ুম লোকতাক য়ৌনা তাউথৈএ।। মী য়ুমথক্তা তোংবসু লৈএ।। চাক য়াম্না লামএ।। ঈশিংদি ফক কোনবগুম চেল্লে।। ফৌ শঙবাই অমদা শেন ৩০,০০০ শীৎলে।।...... ২৭নি শগোলশেন্দা ঈবুংঙো ৱাংখৈনা কৈথৈন্দা থুম- শেন য়েনবীএ।। মী অমদা শেন ১০০(শেনমখায় ৮), থুম অমা থুংএ।। [মথক্কীসিদা, ১২৮-২৯]**

অসিনি। হায়রিবা মহৌশা লাইরেন্বীগী অৱা- খুদোংথীবগী থৌদোক অসিদা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা লৈপাক- মীয়ামদা অৱা- তেংবাং ওইনা শেল অমসুং ফৌ য়েল্লিবা অসিগুম্না য়েনখিবা মৈতৈ নিংথৌশিং খুৎ থেক্তুনা মশীঙ থাবা য়াবনি। মসি খ্বাইদগী হেন্না মশীঙ য়াম্না পাংথোকখিবসি মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজনি। ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী হাক্তক্কী অতৈ থৌদোক খরদি:-

(১) খৃঃ ১৭৭৪গী ডিসেম্বরগী অহুমশুবা চয়োন্দা লোক্তাক খোংবান্দাগী শামু ৩(অহুম) ফাখি। মসি, লৈপাক অসিগী শেন- থুমগী ফিবমদা শেন্দান লম্বী ওইনা লৌনরিবা থবক্নি (১২৮)।

(২) খৃঃ ১৭৭৫গী ফেব্রুৱারী থা হৌগৎলকপদা হৈস্নামগী য়ুমদা নুপী অমা কৈনা চীক্তুনা শিবদগী কৈ অদু তানবদা মীয়ামগী উয়োক য়ৌনা চেনশিনদুনা মফমদুদা ফাখি। মসি মীয়ামগী অৱা- অনাদগী কনবা অমসুং য়াইফ- থৌরাং লৌখৎপগী থবক্নি।

(৩) লৈপাক্কী ওইনা শাদানবা (Sporting hunting) খৃঃ১৭৭৬কী ফেব্রুৱারীগী অহানবা চয়োন্দা লৌখৎখি। মসিগী লৈপাক্কী হৱাউ- তয়ামগী শরুক অমনি।

(৪) লৈঙাকক্লোনগী থৌরাংদা খৃঃ১৭৭৫ এপ্রিল- মেদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা কছারদগী চান্দম হিঙম অমসুং মোংবীজম গঙ্গারাম্বু লৈঙাকক্লোনগী ওইবা মহাক মশাগী পাউ পুহন্দুনা লাকহনখি। মখোয় অনি ইম্ফালদা চয়োল অমা লৈরম্লগা য়ানবগী পাউ পুদুনা কছারদা অমুক হনখি।

(৫) চহিসিগী মে থাগী ২শুবা চয়োন্দা কছার নিংথৌনা থারকপা লৈঙাক্লোনগী পাউ পুবা কাংবু অমসু থুংলখি। মখোয় ইম্ফালদা নুমিৎ ১৭নি লৈরম্লগা ঈশিং ঈচাও নংবা য়াওরগা মরৈবাক্তা হনখি। অৱানা মখোয়গী লৈঙাক্লোনগী ঈ- পাউসি মৈদিংঙু চীঙংখোম্বগী মচা ঈবুংঙো অমসুং মৈতৈ লৈপাক্কী জামিন (Surety) ওইনা লৈহন্নবগী ৱাফম পুখৎলকপদা হায়রিবা জামিন ওইগদৌরিবা অসিগী মীশক- মীশা লেপ্পনবা অমসুং ঈ- পাউদুসু ফাওননবা খৃঃ ১৭৭৬কী জানুৱারীগী অরোয়বা চয়োন্দা জগদানন্দ অমসুং শ্যামনগর অনিমক ইম্ফালদা থোকমিন্নরকখি [মথক্কীসিদা, ১২৯]। ৱাংখৈ জগদানন্দনা অৱা কোনুংদা মৈতৈগা অৱাগা তাইশিন্ননবগী হিরমসিদা চৎলিবসিদি ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা মহাক মশানা মনিপুরগী নিংথৌ ফম্বালদু থাদোকপা অমসুং মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মফমদা শীন্নখিবদা মশাগী আপতি লৈত্রে, মশানা য়ারে, হায়বা ৱাফমসি ফোংদোকহল্লুনবা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম্না থাবা মাল্লি।

(৭) মৈতৈগা অৱাগা তাইশিন্ননবগী জামিন ওইনবগী, মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মচাঈবুংঙো অমা অৱা কোনুংদা থম্নবগী ৱাফমসিদা মৈদিংঙুচা মধুচন্দ্রনা মখুরাঈবুংঙো ভবানন্দসু হান্নদগী অৱা কোনুংদা জামিন ওইনা লৈরিবনিনা মশানা য়ানা চোংথোক্লকপদগী শেঞ্জবা শ্যামনগরগা লোইননা মহাক্না অৱা কোনুংদগী থুংলবা মতুং নুমিৎ ৫(মঙা)নি শুবদা অৱা কোনুংদা লৈরুনবা চৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২৯ অমসুং ১৫০]।
অসিশিংশিনি। অসুম্না মৈতৈ অমসুং অৱা জাতি অনি অমসুং লৈপাক অনি য়ানবা পুরক্কুনা তাইশিন্নবা অমদি মৈত্রবাক্লা অৱাগী মখুত্তা খুন্তাক অহুম্লক তাক্লরবা মতুংদা অমগা অমগা লান্দানদবা অমসুং চান্নবগী মরীসি ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম্না লৈঙাক্লিঙৈগী মতম-শক ১৬৯৬কী কালেন ১১নি নোংমাজীংদগীনা শক ১৬৯৭গী ফাইরেন ১৬নি য়ুমশকৈশ নুমিৎ ফাওবসিগী মনুংদা থোকখিরম্মী। অসুম্না মৈতৈনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী অনিরকশুবা ওইনা নিংথৌ ওইবগী অহানবগী চহি ১৩ (তরাহুমদোই)গী মতমদা অৱাশিংনা লান্দাবদগী নংখিবা অৱাবদু কোকখি। অমদি মতুংদা লান্দারক্কনি হায়বগী নুংনাংবা অমসুং চিংনবদুসু কোকখিরম্মী।

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী কখোকপা

মৈতৈ অমসুং অৱা অনিনা লান তৌনদনা ঈংনা- চীক্লা অমসুং চান্না- চীন্নমা মাগী মাগী লৈপাক্তা পান্ননবগী তাইশিন্নবগী য়ান- ৱাফম লেপ্ল নবা নীঙথিনা থৌশীল- থৌরাংলবা মতুংসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা খৃঃ১৭৭৬গী মার্চ থা হৌগৎপা য়ুমশকৈশ (শক ১৬৯৭কী ফাইরেন ১৫নি) দা কছার লৈপাক্তগী মনিপুরদা লাক্তুনা থুংলখি [মথক্কীসিদা, ১২৯]। হায়রিবা নুমিৎসিদা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বু কংলাদা ঈকাই খুম্নবগা লোইননা ওকচখি। মহাক্না পন্থবা তৌদনা মৈদিংঙুগী মফমদা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদাগী কোকথোং পুদুনা লৈরিবা লৈঙাক্লোনগী পোৎলুম অদু থাহনবীননবা য়াথং নীজখি। “মহাকপু অৱাশিংনা মৈদিংঙুনা পোইরে মৈত্রবাক্তা লৈতবা, মখোয়না লৈপাকসিবু মতম খর খুদুম চনবা অমসুং মখোয়গী ওইহননীঙবনা মহাকপু মখোয়গী য়াথং মখা থাবা লৈঙাকপা ওইনা খল্লকপদা মহাক অমা লৈরবদি মতু শোল্লবা মৈতৈশিংগী খজিক্তং ঙাক- শেনবা ঙমগদ্রা হায়দুনা মখোয়না হায়বদু য়ারুরে, হৌজিক্তি পোইরে মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ ফম্বাল মপু অমসুং অশেংবা পোইরে মৈতৈ নিংথৌ লাক্লবনিনা নুমিত্তুদগী লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদাগী শক্তি অমসুং ভার পুন্বা কৎচরি”- হায়দুনা পুকচেল তিংনা নিংথৌ ফম্বাল শীন্নখিরম্মী। অমরোমদা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদা নিংথৌ সিংহাসন শীন্নখ্রে, হায়বসিগী পাউসি তাবদা ৱাংখৈময়ুম শাগৈ মচীন তোঙবা অকন- অথৌশিং অমসুং নহা পাঙ্গল ফবশিংনা শাওনবগী মৈ হৌনখি। ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামবু,“অয়ম্বনি, পাংদবনি, নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা মখুৎনা পায়রিবা থাঙ থাঙ্গৎপা ঙমদবা, মশানা নিংথৌ ওইরগা মশাগী লাম্বাদুবু মায়য়োক্লবা ঙমদনি। মহাক শাগৈগী মৈতাল অশিবনি, অসুম হিংহন্দুনা লৈবদা মতীক চাদ্রবনি”- হায়দুনা ৱাংখৈময়ুম শাগৈ তীন্নখ্রে।

অরোনবগী ঈ- পাউদি লোননা অদুম্মক য়ৌরকই। ৱাংখৈময়ুম শাগৈ মচাশিংনা বিনিন্দ্রামগী মফমদা থল্লিবা মিৎয়েং অসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বসু খঙবা ঙল্লম্মী। ৱাংখৈময়ুম মপা মচা ওইবশিংনা শাওবা হৌখিবসি ৱাংখৈ জগদানন্দনা অৱা কোনুং য়ৌরুবা অদুদগী হৌখ্রবনি অদুবু চীন- লৈ থোক্লবা য়াদবা ৱাফম অমসুং থবক ওইনা উদ্রিবা পাউথাং ওইবনিনা অশাওবদু ফোংদোকপা য়াদদুনা লৈনখিবনি। মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা নিংথৌ ফম্বাল শীন্নবসিদা য়াওবা মৈতৈ নিংথৌ অমনা লোইনগদবা হী- য়াই, পোৎলোই- শেনপোৎ অমসুং নিংথৌগী অয়োক- অকন ওইবা লাইশিং (Guardian deities)– লাইয়িংথৌ নোংশাবা, লাইয়িংথৌ পাখংবা

অমসুং য়ুমজাও লাইরেন্মা লাইস্না নত্রগা য়াবীরোক)- সি ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী মফমদা অমুক হন্দুনা পীবিখি, ঈপুনা ফম্বাল তোংবগী ফম্বাল ফিজেৎ, খুৎশূ থাঙনচিংবা খুৎলাইশিং, নিংথৌগী অয়োক- অকন লাইশিংগী কোনমায় শক্তমশিং পুম্নমকসি ঈপুগী ওইনা থম্বীরো, ঐগীদি পুম্নমক অসি অমুক নৌনা লাংজরগে, অদুগা ৱাংখৈগী পনখৈ- পন্দোনগী লমখৈ মনুংদা লৈরিবা উক্রোঙ য়ুম্ফমসিদা হৌজিক্তগী হৌনা পোত্থাদুনা লৈবীরু, মফমসিদা ঈপুগী শঙ্গাই শাদুনা পানবীয়ু হায়না ৱাংখৈময়ুম শাগৈ মচাশিংগী তৌনরিবা ঈরাংদুগী ঈঙ্গিৎ উত্তুনা মশাগী শাজেন তৌননবা তাকপীরম্মী।

ৱাংখৈময়ুম শাগৈগী মরু ওইবা মতমদুগী য়ুম্ফমদি মবুধৌ পুরেন ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবনা লীংখৎলম্বা চীঙঙা চীঙদুমগী মনাক্কী মফমসিনি। মখোয়গী শাগৈ তীন্নদুনা হৌরকপসিদা অপোকপা মপা ওইরবসু ৱাংখৈ লনহান্বা, পুখ্রনবা শাগৈ মচাশিংগী মমাঙদা ঈকাইবদুনা অশাওবা ওনখিদুনা মচানুপাগী মথক্তা লান্দানবগী থৌরাংদা লানজিংবা ওইনা চোংথোক্লম্মী। মখোয়না খৃঃ১৭৭৬সিগী মার্চ হৌগৎলকপা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদা নিংথৌ ফম্বাল শীন্নবা নুমিৎ (শক ১৬৯৭কী ফাইরেন ১৫নি য়ুমশকৈশ) সিগী অহিংদা লানহৌরকখি। অদুবু মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা হান্নদগী পাউ লৌবা, চেকশিন- থৌরাং পায়খৎপা অমসুং লানহৌ থিংননবা লান্মী থৌরাং তৌদুনা থম্বনা ৱাংখৈ লনহান্বা পুখ্রনবনা লুচিংবা ৱাংখৈময়ুম শাগৈ মচাশিংনা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামবু লৈহনখিবা মফম ৱাংখৈগী শঙ্গাইপাৎ মৰূ (উক্রোঙ য়ুম্ফম) য়ৌদ্রিঙৈদা চীঙঙা চীঙদুমগী মনাক্তা ৱাংখৈময়ুম শাগৈমচাশিংগী অপুনবা লুপ্পু চায়খায়খি অমসুং লানহৌদা মাঙজীন থাদুনা লাঞ্জঙলকপশিং অমদি মখোয়গী লাঞ্জিংলেন ওইরক্লিবা ৱাংখৈ লনহান্বা অমসুং মহাক্কী মচানুপা অতৈ (ৱাংখৈ তুলসী, নিমাই, ওম্বা, বলভদ্রনচিংবা) শিংবু মায়থীবা পীদুনা লানফা ওইনা থমখিরম্মী। হায়রিবা লানহৌসি পাউ তাবদা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম য়াম্না নুংঙাইজখিদ্রে। অদুবু করমদি তৌনি, থোকখ্রবা থৌদোক্লিনা খাম্লুবা য়াবা নত্তে। অচুম- অরানগী ৱারেপ লৌবদা ৱাখল খেন্নবদগী থোক্লকপা থৌদোক ঙাক্তনিনা ৱাখল মান্নরকপগী মতম ঙাইবা তাই।

ৱাংখৈময়ুম শাগৈ মচাশিংগী ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী মথক্তা লান্দানবগী ঈহৌ অমসুং খোঙথাংসিগী মরমদা মথংগী নুমিৎ শগোলশেনসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী অঙম- অথৌশিং, মরু ওইনা, ঙৌব্রাম শাই, আনন্ত শাইনচিংবা চৈরাপ তীন্দুনা খন্নরম্মী। মখোয়না ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামসি মহাক্কী শাগৈমচাশিংগী অশাওবা নেমথদ্রিবা মখৈদি মৈত্রবাক্তা লৈহনবসি অফবা ওইরোয় হায়না লেপ্লখি। অমরোমদা ৱাংখৈময়ুম শাগৈ মচাশিং অদুবুসু হকথী থোক্লা হেক তৌবসু য়াদবা শাগৈনি। মরম অসিনা বিনিন্দ্রামবু মতম খর মখোয়দগী নাথৈদুনা থম্বসিনা খ্বাইদগী হেন্না অফবা পাম্বৈনি। অদুবু মৈত্রবাকসিদা মহাকপু কোয়ঙাক ঙাক্তুনা, কোয়শেন শেন্নদুনা লৈবদুসু

ওইথোক্লোয়। মরম অসিনা চৈশুসু তেক্তনবা লিনসু শিননবগী থৌশীন্দা ৱাংখৈময়ুম শাগৈমচাশিংবু মহাকপু মশক উহন্দবদগী অশাওবা নেমথহন্নবা মহাকপু মতম খর কছার লৈপাক্তা লৈহনখিন্নবগী ৱারেপ লৌরম্মী অমসুং মহাকপু মথংগী নুমিত্তুমক্তদা ময়াং লৈপাক কছারদা চৎহন্নবগী য়াথংসু পীরম্মী। অদুগা অকায়- অতোয়, খুদোংথীবা নত্রগা অশোক- অপন থোক্তনবা মফমদু য়ৌনা থিল্লুনবগী থৌরাংসু তৌরম্মী।

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা মহাক্কীদমক্তা লৈপাক নিংথৌনা লৌখৎপীরিবা থবক্তুদা অয়েৎপা পীরমদে। মহাক্কী শাগৈ লৈজদ্রবা মহাক্কী ঈমুং- মনুং খক্তনা মহাক্কী শাগৈ ওইরবগুম খল্লক্লম্মী। অদুগা মহাক্লা মৈত্রবাক থাদোক্তুনা মতম খর মীরৈবাক্তা লৈরুগদৌরিবসিদা মহাক্লা শাগোন্নরিবা নিংথৌগী পোৎলমশিং, মৈদিংগু চীঙথংখোম্বনা পীবীবশিংদু পুদুনা চৎকে নত্রগা কনাগুম্বা অমদা শীন্নরমগে হায়না খনখিদ্রে। মহাক্লা ফাইরেনগী ১৭নি পানবা নুমিৎসিগী অহিং চুপ্পসি মহাক্কী লৈফম্নি হায়না পীরিবা ৱাংখৈ উক্রোঙ য়ুম্ফমসিগী অৱাং- নেংচুপ ওইরপ্পা লৈবা শঙ্গাইপাৎ মরূদা লুরবা কোম অমা তৌরম্মী। হায়রিবা কোম অসিনা লেপ থুম্না লুরবা মতমদা লাইগী লুপানা শাবা কোনমায়শিং অমসুং লাইশিংগী মপোৎ মচৈশিংদু কোম মনুংদা হাপচিল্লগা ফুমজিনখিরম্মী। হায়রিবা ৱাফমসি কনাসু খঙহন্দনা থমখিরম্মী। অদুগা মথংগী নুমিত্তুদা মহাক কছারদা চৎখিরম্মী। মসিগী ঈ- পাউদি:-

> **......ৱাইরংবা আনন্দ্রামগী কুমদি শক ১৬৯৭......ফাইরেন থা.......... ১৮নি (খৃঃ১৭৭৬কী মার্চকী অহানবা চয়োলগী) ঈরাইদা ৱাংখৈবু ময়াংদা চঙহল্লে [মথক্কীসিদা, ১২৯]।**

অসিনি। ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা কছারদা চৎলমদাইদা ফুম্লম্লিবা লাইগী কোনমায়নচিংবসি মহাক্লা অমুক মনিপুরদা হল্লক্তুনা পাল্লবা মতমদুসু শীজিন্নরমদবা অমসুং কনাবুসু খঙহল্লমদবা মাল্লি। মসি, অরোনবা ওইনা অসুম লৈরম্বদগী ৱাংখৈময়ুম শাগৈমচা বিনিন্দ্রামগী চাদা - নাউদনা ফোংনা খঙলকখিবা অমসুং ফংখিবসি খৃঃ ১৯১৮ খক্তদনি, মদুদি:-

> **.......ৱাইখোং রূপচন্দ্রগী কুম শক ১৮৪০........থৱান থা........ ৯নি ঈরাই (খৃঃ১৯১৮গী আগষ্ট তারিক ৩০)দা ৱাংখৈ লৈকায়দা থাঙ্গবাৎ তৌবদা লেপ থুম্না লুবা মতমদা লাইগী মপোৎ- মচৈ অশুবা, লুপাগী কোমায় ৪ লৈরমএ॥ শ্রীযুৎকী শঙ্গাইদা পুশিন্দুনা য়েংনৈ [মথক্কীসিদা, ৫৮৬- ৮৭....]॥**

অসিনি। অসুম্না শ্রীযুৎ চুরাচান্দ মহারাজগী শঙ্গাই কোনুংদা পুশিন্দুনা মতমদুগী পণ্ডিতশিং - অমাকচাম্বা তোলপীশক, খুমল্লম্বম অঙাংজাও, নাম্মৈরাকপম অমুখোম্বা, লোংজাম্বা গোপালনচিংবা য়াওনা য়েংনরগা ৱাংখৈময়ুম শাগৈগী লাইনি, মবুধৌ বিনিন্দ্রাম্না ফুম্লম্বনি হায়বা

তাক্তুনা ৱাংখৈমযুমদা পীখ্রো, হায়না শ্রীযুৎকী সনা য়াথং তাউথবীরদুনা ৱাংখৈমযুমগী ইবোচাওবনা সনাকোনুংদা চত্তুনা মখোয়গী মপোৎ- মরনশিংদু লৌশিঞ্জখি। হায়রিবশিংসি হৌজিকসু লৈরি, মপা- মপুনা থম্বীরম্বা লাই ওইনা লাৎচদুনা থমজরি।

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম কছারদগী হল্লকপা

ৱাংখৈমযুম শাগৈমচাশিংনা ইন্থোকপীরবা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম খৃঃ১৭৭৬কী মার্চ থাদা কছার চৎখিবদু মহাক কছারগী করম্বা মফমদা লৈরম্বগে হায়মসিগী চপচাবা খঙবা ঙমদে। মহাক মতমদুগী কছারগী কোনুং খাসপুর (খৃঃ১৭৫০গী অদুৱাইদগী কোনুং ওইবনি) দা লৈরমগনি হায়না থাজে। মরমদি মতমদুদা পাল্লিবা কছারগী নিংথৌ হরিশচন্দ্র নরায়ন (খৃঃ১৭৬৫- ৮০) অসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মনেমশী হরিপৃয়া(ঙৌব্রাম শাইগী মচনুপী)না পোকপনি অমসুং ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামবু কছারদা মতম খর মহাক্কী শাগৈমচাশিংনা শাওবা নেমথদ্রিবা ফাওবা লৈরুনবা থাবসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী থৌরাংনি। অদুবু মহাক্না কছার লৈবসিগী পুন্সি মরেন অমসুং হিংলিবা খুৎহিং মরমদা করিসু খঙবা ঙম্নদে।

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা কছারদা চহি ৪ (মরি)গা থা অনিরোম লৈরক্লবদা মৈত্রবাক্তা লৈপাক মরা তপ্পগী ফিবম ফনা নীঙথিনা মরা চেৎলম্মী। লোইননা ৱাংখৈমযুম শাগৈমচাশিংসু মখোয়গী অশাওবগী ফিবমদু ঈংথনরক্লম্মী। হায়রিবা ঈ- পাউশিং তাবদা বিনিন্দ্রামসু মনিপুরদা হন্নীঙলক্লম্মী। অদুবু মহাক্কী শাফনবা অমসুং য়াইফনবগী লাইনীঙবীরিবা মৈদিংঙুগী য়াথং ফংদনদি মহাক্না মনীঙ তম্না তৌনীঙবা তৌবা য়াদ্রি। অমরোমদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা ৱাংখৈমযুম শাগৈমচাশিংগী পুক্লিঙ ঈংথনরকপা লৈপাক্কী লৈঙাক- থৌগায়দা শরুক য়ারক্লবা [মথক্কীসিদা, ১৩১] মতমসিদা বিনিন্দ্রামবু মৈত্রবাক্তা হল্লক্লবা কৌশিনবা য়ারে হায়বসি খনখ্রবনি। অদুবু লৈঙক্লোনগী কোনুং হোংদোক- হোংজিন, খুন্নাই লাইনীঙলোনগী শ্রীগোবিন্দ নির্পণ অমদি ঈবুংঙোসিগী রাসনচিংবা কৎপগী লৈপাক্কী হরাউকুম্মে হৌদোকপা, অসিনচিংবসিনা হেক্তমক কাউথোকপগুম তৌরম্মী। অদুবু খৃঃ১৭৮০গী মার্চ- এপ্রিলদদি হায়রিবা ৱাফমসি নীঙশিঙদুনা মপু ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামবু মৈত্রবাক্তা হল্লকপা য়ারে, খুদোংথীনিঙঙাই নত্রগা কল্লক- য়েংথীগী ৱাফম লৈত্রে হায়বা খঙহন্দুনা য়াথং থাবীখ্রে। য়াথংসি ফংবদা বিনিন্দ্রাম হায়নিঙঙাই লৈতনা হরাউবা অমসুং নুংঙাইবা ফংজখি। মহাক্না কছারদা চান্ন- চীন্ননা লৈম্মিন্নবা মরুপ- মপাংশিংদগী কায়ননবগী য়াথং লৌদুনা মরৈবাক মৈত্রবাক্তা লাক্লম্মী। মসিগী ঈ- পাউদি:-

...........তখেন রামচরনগী কুমদি শক ১৭০২...........
কালেন থা....১১নি লৈপাকপোকপা (খৃঃ১৭৮০গী মে থাগী অরোয়বা চয়োনগী লৈপাকপোকপা তাবা নুমিত্তু)দা ময়াংদগী ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম থুংলৈএ ।।

[মথক্কীসিদা, ১৩৪]

অসিনি। মহাক্না থুংলবা মতমসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি কাঞ্চিপুরদা কোনুং ওইদুনা পাল্লি অমসুং মহাক্না কোনুংদা চত্তুনা, হায়বদি, থুংদুনা শ্রীযুৎ মহারাজ খুরুমজরগা ফরবসু ফত্রবসু শ্রীযুৎনা মহাক্কীনি হায়দুনা তম্বীবা য়ুম্ফমদুদা লাকখিরম্মী। মহাক্না ৱাংখৈ পনখৈ- পন্দোনগী উক্রোউ য়ুম্ফমসিদা ময়ুম শঙ্গাই শাদুনা য়ুমলেপ্লকখি।

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা শ্রীবিষ্ণু ফংজবা

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামসি মনিপুরী হিন্দু বৈষ্ণব সমাজগী নিমাৎ/ নিমান্দি (নিম্বাদিত্য গোষাঞ্জীনা হৌদোকপা ধর্ম্ম, মনিপুরদা গোপালদাস বৈরাগ্যনা অহানবা গুরু ওইবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম সম্প্রদায়) সমাজগী মীওইনি। অদুগা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বসিনা হায়রিবা বৈষ্ণব সম্প্রদায়সি রামগোপাল বৈরাগ্যদগী লাইমিং লৌদুনা চৎলল্লবসু খৃঃ১৭৬৫- ৬৬কী অদুৱাইদা পরমানন্দ আচার্য্যদা গুরু ওইদুনা মাধ্বী/ব্রর্ক্ম সম্প্রদায়দা লাইমিং লৌদুনা চৎলগা মনিপুরদা ধর্ম্ম সম্প্রদায়সি শন্দোক্লবা রাজর্ষিনি। হায়রিবা অকোনবগী মাধ্বী সম্প্রদায়সিগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবা লাইদি শ্রীবিষ্ণু ভগবাননি। মরম অসিনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা খৃঃ১৭৭৬তা অৱাগা লৈঙাক্লোনগী য়ানবা পুরক্তুনা লৈপাক মরা তপ্পা, তঙ- তানা লমলাংতোং/লম্মাংদোংনা কোনুং ওইদুনা পানবা মতমদা শ্রীবিষ্ণু লাৎপা হৌদোকখিবনি, শ্রীবিষ্ণুগী ফুরা শাদুনা লাৎপদগী হৌখিবনি অমসুং বিষ্ণু লাৎপগী অমদি বিষ্ণুগী ফুরা লৈবদগী লম্মাংদোংবু বিষ্ণুপুর হায়দুনা খৃঃ১৭৭৬তগীনা খৃঃ১৭৭৯ ফাওবগী মনুংসিদা থোনখিবনি [মথক্কীসিদা, ১৩৩]।

মৈদিংঙু চীথংখোম্বনা লাৎলম্বা শ্রীবিষ্ণুসি পোং নিংথৌ চাওফা খেকখোম্বা/খেখোম্বা (SAO-NGAN-HPA, the king of Mao-Shan or Tai-Mao, ruled at Magaung as their capital) গী য়াই, শেনবী- য়াই অদুগী মথক্তা সনানা শ্রীবিষ্ণুগী মূর্ত্তি হৈজিন্দুনা শেম- শাবা শ্রীবিষ্ণুনি। হায়রিবা পোং নিংথৌ চাওফা- খেকখোম্বগী য়াই অসি মৈদিংঙু গরিবনাজদা খৃঃ১৭৪০দা পোংনিংথৌ মহিপালনা খুদোন তৌখিবনি। মসিগী ৱারোলদি:-

.... মোইরাং কোইরেংগী কুমদি শক ১৬৬২......ঈঙেন থা থাঅহন নোং (খৃঃ ১৭৪০ জুলাইগী অনিশুবা চয়োনগী থাঙজা তাবা নুমিৎ)দা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইবু নিংথেমগা পোংনিংথৌগা কুচুদা ফম্মিন্নবদা পীএ [মথক্কীসিদা,১০২]।।

অসিনি। ৱারোলসিদা নিংথেম হায়রিবসি মৈদিংঙু গরিবনৱাজনি, অদুগা পোং নিংথৌসিনা মমিং মহিপাল কৌই। [মথক্কীসিদা,১০৪,১১৪]। অমরোমদা অমুক মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি মাধ্বী সম্প্রাদায়না শ্রীবিষ্ণু নত্রবসু শ্রীবিষ্ণুগী লাংওন(অবতার) নত্রগা শানওন/শাইয়োন অমা য়াওরগা লাৎনীঙবা লাইশিংগা পুন্না লাৎমিন্নবা য়াবগী অপীবা লৈবনিনা মশানা পামজবা শ্রীগোবিন্দ নির্পন তৌদুনা খৃঃ১৭৭৯দগী লাৎখ্রে। অদুগা গোবিন্দ হায়বা মিংলেনসি শ্রীবিষ্ণুগী অমসুং মহাক্কী সমপুর্ন অবতার শ্রীকৃষ্ণগীসু মিংনি,অদুবু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হৌজিক শেনবীয়াই শাগোন্নবা শ্রীবিষ্ণুদি মৈদিংঙু সিগী সনা খুত্তা লৈরি।

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা নিমান্দি বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী সমাজদা লৈবসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মাধ্বী বৈষ্ণব সম্প্রদায়দা চিংশিন্নীঙখি। মহাক্তসু নত্তে, অতৈ মৈতৈমচা কয়াসু মাধ্বী সম্প্রদায়সিদা পুশিনগদবা লৈরম্মী। মরম অসিনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামবু মাধ্বী ধর্ম্ম সম্প্রাদায়সিদা খৃঃ১৭৮২গী অঙনবা মতমদা লাইমিং পীবীখি। হায়রিবসিগী ঈ- পাউদি :-

....ৱাইখোং লাইশ্রম লমখামগী কুম শক ১৭০৩........ ৱাকচিং থা ৫নি (খৃঃ১৭৮২গী জানুৱারীগী অহুমশুবা চয়োনগী ঈরাই তাবা নুমিৎ) পানবা নুমিত্তা লৈপাক্কী নগুন লৌথৌক্লবা মী খিবিকপু ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনচিংনা পুখ্রিদা নগুন হাপ্লীএ[মথক্কীসিদা,১৩৬]।

অসিনি। অসুম্না ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামবু মাধ্বী ধর্ম্ম সম্প্রদায়দা চিংশিনখি। অদুগা মহাকসিনা নিংথৌ ফম্বালবু মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদা কথোকপা ঙমখিবা থম্মোই অদুগী শীঙঙমদ্রবা লমন অমা তোল্লি হায়না মৈদিংঙুসিনা লমন কোক্লগে খন্দুনা নিংথৌগী লাই ওইনা থল্লিবা সনানা শেনবীয়াইদা হৈজিন্দুনা শাবা শ্রীবিষ্ণুদুবু ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামদা মহাক্না নৌনা দিক্ষা লৌরিবা ধর্ম্মদুগী লাই ওইনা অমসুং নিংথৌ ওইরম্বগী খুদোল ওইনা পীখিরম্মী। হায়রিবা শ্রীবিষ্ণুসি পীবা মতমদা শেনবী য়াই নত্রগা পোংনিংথৌগী য়াইসি হাপ্পনি হায়বা সনা মুহোর ৮০না শাবা সনাগী ক্নাগোক,তখেন খুনু শাবা [মথক্কীসিদা, ৪২৮-২৯] অদুদি য়াওদে। মদুদি মৈতৈ নিংথৌগী লন- থুম ওইনা লৈখি অমসুং মসি মখা তারকপা নিংথৌশিংগী ওইনা লৈরম্বদগী

মহারাজ দেবেন্দ্র সিংহ (খৃঃ১৮৫০,থা ৬খক)না খৃঃ১৮৫০দা মনিপুরদগী পুদুনা চৎখিবনি,অদুবু মদু খৃঃ১৮৭৬(২৫।১।৭৬)তা বামোন অধিকারীময়ুম জগধাম শাল্লুংপুরেন্না পুথোক্লক্তুনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজদা খুৎশিন্নখি [মথক্কীসিদা,৪২৮-২৯]।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা পীবীবা শ্রীবিষ্ণুসি ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম্না মহাক্কী ময়ুম ঈংখোল লীংলিবা ৱাংখৈ পনখৈ- পন্দোনগী উক্রোঙ যুম্ফমদুদা লাইশঙ শাদুনা মহাক্কী পুন্সিগী অরোয়বা মতম ফাওবা লাৎচখি। মহাক্কী মতুংদা মহাক্কী মচা- মশূশিং অমসুং অমুক মতুং তারকপদা মহাক্কী চাদা- নাউদাশিংনা শ্রীবিষ্ণু অমসুং মৈতৈ উমং লাইশিংগী মরক্তগী নিংথৌগী অয়োক- অকন ওইবা লাইশিংদু মথং মথং লাৎনরকখি। হায়রিবা লাইশিংসি হৌজিকসু লাইশঙ শাদুনা লাৎলি, থৌগল কায়না ঈরাৎচরি।

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা নোঙ্গাখিবা

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা খৃঃ১৭৮০দা মনিপুরদা হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্কী শাগৈ মচাশিংগা তাইশিন্ননবা কন্না হোৎনখি অমসুং থবক্তুসু মায় পাকখি। অদুবু হিংলিবা মীওইবগী পুন্সিনা অহল ওইশল্লকপগী মায়গৈরোমদা চঙশিন্দুনা পুন্সিগী লমদাং তেনশিল্লকপসিদি কনানসু খক থিংবা ঙমখিদ্রি। মরম অসিনা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামসু মালেম তাইবংপানসিদা খুত্তুম শীঙনা মপুগী থৌগায় ইল্লুগে লাকখিবদু তাইবং মপু লীলাগী থৌদাং লৌবা লোয়রদুনা খুবাং তিংনা হন্ননবা য়াহীপ তাখ্রে। মহাক মহাক্কী ময়ুম ৱাংখৈ পনখৈ পন্দোনগী উক্রোঙ যুম্ফম, শঙ্গাইপাৎ মরুগী লমদমসিদা শাবা মহাক্কী শঙ্গাই যুমজাওদা খৃঃ১৭৮৩গী মে থাদা নোঙ্গাখি। মসিগী ঈ- পাউদি:-

..........ৱাহেংবম ওকলাবগী কুমদি শক ১৭০৫......কালেন থা...........১৪নি শগোলশেন (খৃঃ১৭৮৩গী মেগী অরোয়বা চয়োনগী শগোলশেন তাবা নুমিত্তু)দা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম শিএ।। [মথক্কীসিদা, ১৩৮] অসিনি। অসুম্না ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামনা তাইবংমপুগী খুৎয়াদা চঙখিদুনা তাইবং মীওইবগী লৈপাকসি থাদোকখি।

ৱাখোম- ৱারোয়শিন

ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম, তেল্লবসু শাংলবসু অমসুং মীখা থাবা ওইরবসু মীখা থাদববু ওইরবসু মতম খর মৈত্রবাক (মেক্লে/মেখলীদেশ)কী নিংথৌ ফম্বালদা ফমদুনা লৈপাক ঙাকপগী থৌদাং লৌরম্বা, লৈপাক প্রজাগী অৱা- অনা কয়াদা তেংবাংনবা থৌরাং তৌরম্বা মীশক অমনি। মহাক্না লৌরিবা লৈপাক ঙাকপগী পোৎলুম অমসুং নিংথৌ ওইবগী কোকথোং অদু মদুবু লৌফম থোকপা মীশক্তুনা মমাঙদা লেপ্পরবদা মপুক্লিঙ তিংনা হক পুম্নমক্তু

কখোকখিবা মপুকচেল শেংলবা নুপা অমনি। মহাক্না তৌজবা থবক্কী মহৈ চাজবনা মৈত্রবাক্কী লৈপাক নিংথৌগী ওইরবা মমল য়াম্লবা পোৎলম খর মহাক্কী মরন- মথুম ওইনা ফংজখিবনি অমসুং মহাক্না ফংজখিবদু মহাক্কী মচা- মশূ,চাদা- নাউদাগী শূরোনশিংনা মপা- মপুনা থম্বীরম্বা মপোৎ- মরন ওইনা ঙসি ফাওবদা শাগোন্নরি। তশেংনমক ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগুম্বা মীওই নিপানখক মনিপুর ইতিহাসকী পরীংদা লৈবীরম্বসি মৈত্রবাক মনিপুরগী লেমজনফম্লি। রামায়ন্দা সূর্যবংসগী ভারতনা শ্রীরামদা নিংথৌ সিংহাসন কখোকপা অমসুং মহাভারত (অহানবদা "জয়" কৌরম্মী)তা গঙ্গানন্দন ভিস্মনা মপাগীদমক্তা নিংথৌ সিংহাসন থাদোকপা অসি নত্তনা আর্যবত্তগী লমদমসিদা স্বার্থত্যাগকী খুদম উৎখিবা মী য়াম্না তাঙঙি। মথক্কী মীশক অনিসিসু লাই- তীনগী নত্রগা লাইওই- তীনওইবগী ৱারী- শীঙবুনগী চরিত্র (Character)শিংনি, ঐতিহাসিক পাত্র নত্তে। মনিপুর ইতিহাসকী ওইনদি ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবা (খৃঃ১৫৫৯- ৬২) শ্যামশাই খুরাইলাকপা (খৃঃ ১৭১১- ৫২), ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম (খৃঃ১৭৭৪- ১৭৭৬ - ১৭৮৩),আনন্ত শাই মন্ত্রী পুন্সিবা (খৃঃ ১৭২৫- ১৮০৮), হেরাচন্দ্র (খৃঃ১৮১৯- ২০), রাজা নরসিংহ (খৃঃ১৮৪৪- ৫০),সনা চহি অহুম (খৃঃ১৮১৭- ৭৮) অমসুং যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ (খৃঃ১৮৫৫- ৯১) অসিশিংসিনি।

মরী- মখোঙ উৎচবা

১) চৈঃকুমঃ,২০০৫ = লাইরেনময়ুম ৺ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল- ২০০৫)

২) থঃথঃমঃ৩৩৭৭/১৯৭৯ = থোকচোম থৌকাচানবা মীতৈ: লালৈ-লাথুপ থিলেল (ইম্ফাল - ১৯৭৯)

৩) নঃমঃ,১৯৭৩ = নিংঙোম্বম মনিজাও: মতম খোঙলৈ তাকপা (ইম্ফাল - ১৯৯৬)

৪) বঃকঃশঃ,১৯৯৬ = বিঃ কুলচন্দ্র শার্ম্মা:ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (ইম্ফাল- ১৯৯৬)

৫) কঃপঃ,খঃ = কাইবরোন পুয়া,খুৎই লাইরিক.

শ্যামশাই খুরাইলাকপা

হৌদোক

শ্যামশাই, খুরাইলাকপা,নিংথৌ সিংহাসন ফংনবগী মশাগী খ্বাই পুম্নমক্তগী হেন্না চাওবা হক লৈনা লৈনা নিংথৌ ফম্বাল কল্লকপীদনা মপা- ঈবুংঙোগী নীঙবা থুংননবগীদমক্তা নিংথৌগী সিংহাসন কখোকখিবা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংগী মনুংদা অহানবনি। মহাক, লাইরেন মৈদিংঙু ময়াম্বা, গরিবনৱাজ মহারাজ [খৃঃ ১৬৯০- ৯১-(খৃঃ ১৭০৯- ৪৮)- খৃঃ১৭৫২] গী লৈমা অহানবী য়োয়রুমলোন লম্বাশূ (অরাম্বম নিংঙোল) তবং লান্থাবী মহারানীনা খ্বাইদগী ঈহান হাননা ফংজবা মচাঈবুংঙোনি। শ্যামশাই খুরাইলাকপগী অহানবা মমিংদি কাইনৌ চীঙশোম্বা হায়না কৌই অমসুং মহাক শক ১৬৩৩গী থৱান থাগী থানীন থাবুঙ (খৃঃ১৭১১গী আগষ্টকী অরোয়বা চয়োনগী) ঈরাইদা মৈত্রবাক্কী লৈমা- নিংথৌকোন্দা মালেম তাইবংপান ফাওরকখি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫,৭৩৪]। মৈদিংঙুচাসি লৈমা- নিংথৌকোনগী মিৎকী মনি ওইনা মশাগী চহি ৭ ফাওবদা মখাদা মনাউ তাদনা লৈরক্লবসু থোইদোক্লা কেবাক থোক্লা কেথোকপগী মওং- মতৌ লৈরক্তবা মাল্লি। মহাক্লা মহে- মশিঙ তন্নগী মতম য়ৌরক্লবদা মতমদুদা চৎনবা মৈতৈ নুপা ওইবগী মহে- মশিঙ, শা- লানগী মহে নীঙথিনা, পুক্নীঙ চঙনা তন্নকখি। ৱাফমসি মহাক্লা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজগী সনাহাক্তকী অথোইবা লাঞ্জিং পুরেন ৬ / ৭ কী মতুং ইনবা ঙন্নকখিবসিনা ফোংদোক্লি।

পুন্সিগী লমদাংদা খোঙদারকপা

মৈদিংঙুচা কাইনৌ চীঙশোম্বগী অঙাং ওইরিঙৈগী অমসুং মহে- মশিঙ তন্নকপগী লমদাংশিংসিগী ওইনা অপীবা ৱারোন লৈতবগুম তৌই। অদুগা মহাক অমসুং মহাক্কী মনাউ ঈবুংঙোশিংদা "শাই" হায়বা শ্রীভগবান বিষ্ণুগী " ক্ষীরোদ শাই (শয়) ভগবান" হায়বা শঙ্গোমগী সমুদ্র লৈবদগী লৌবসিনা করম্বা মতমদগী নিংথৌমচাশিংসিগী মিংদা হাপ্পা হৌরকখিবা, কনানা হৌদোক্লম্বা, কনাদা হাননা থোনখিবা, অসিনচিংবগী ৱাফমশিং হৌজিক্কী ওইনদি খঙঙমদনা লৈরি। অদুবু মমাঙগী পণ্ডিত খরনদি মুস্লিমশিংগী শাগৈ- জাত খঙনবা মিংতপ "শাহ(SHAH)"নি হায়না পীশিল্লি।

মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা খুরাইরাকপা ওইবসি মতোন ঈবুংঙো মুংয়াম্বা (মন শাই অতোনবা)না য়াইস্কুল লাকপা ওইখ্রবা মতুং খৃঃ১৭২৬কী অদুৱাইদা ওইখিবনি। মহাক হায়রিবা চহি খৃঃ১৭২৬কী অদুৱাইদা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখি। মৈদিংঙুচাসিনা ঈৱাংলোন ৱায়েনবমচনু (মোইরাংথেম নিংঙোল) চাখা মরীং লোইখোম্বীগা হায়না- শীঙনদুনা লুহোংখি। মহাক্কী য়ুম্বানবগী পুন্সিসিদা লীরি- খোয়রীনা পাল্লকপদা খৃঃ১৭২৭কী অদুাইদা মচা ঈবুংঙো অহন গৌরশ্যাম [মরাম্বা (খৃঃ১৭৫৩- ৫৯,১৭৬২- ৬৩)], খৃঃ ১৭২৯গী অদুৱাইদা মচা ঈবুংঙো ভাগ্যচন্দ্র [চীঙথংখোম্বা (খৃঃ১৭৫৯- ৬২,১৭৬৩- ৯৮)] অমদি খৃঃ ১৭৩২গী অদুৱাইদা মচাঈবুংঙো কৃষ্ণচন্দ্র পোকখিরম্মী। অদুগা মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা খয়োইরোন থোংবমচনু অমসু পানদুনা মচা ঈবুংঙো ভবানন্দ কৌবা অমসু পোকখি। অদুবু মৈদিংঙুচাসিগী তাল্লোই অহনবী ৱায়েনবমচনুসিদি শক ১৬৬৩গী লমদাগী ১৬নি পানবা (খৃঃ১৭৪২গী এপ্রিলগী অঙনবা মতমগী) শগোলশেন নুমিত্তা মনুং- মতম চাদনা লাইগী খুয়া তানখি [মথক্কীসিদা,১০৫]।

ধর্ম্মনিতিগী খোঙথাং

মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপসি মপাঈবুংঙো গরিবনৱাজ মহারাজনা শক্তি ধর্ম্মগী কালিকা দেবী লাৎপা লাইনীঙবু থাদোক্তুনা খৃঃ১৭১৫দা অহোম নিংথৌগী গুরুগা লোইননা বৈরাগ্য ৩৯ থোক্লকপদা য়াওরাকপা গোপালদাস বৈরাগ্যদা গুরু ওইদুনা শক ১৬৩৯গী মেরাগী থাজিন (খৃঃ১৭১৭গী ওক্তোবরগী অহুমশুবা চয়োন)দা নিমাৎ / নিমানন্দি (নিমান্দি) ধর্ম্মদা দিক্ষা লৌবসিদা য়াওদুনা মহাকসু ধর্ম্মসি চৎখি। মতমসিদা মহাক মশাগী চহি ৭(তরেৎ) খক্তা ঙাইহিবনি। মৈত্রবাক্তগী গোপালদাস বৈরাগ্য গুরুনা মরৈপাক্তা খৃঃ১৭২০গী সেপ্তেম্বরগী অনিশুবা চয়োন্দা চৎখিরম্মী। গুরুসিনা মেখলীদেশ(মেক্লে / মনিপুর) থাদোক্তুনা চৎখিবসিদগী গুরুসিগা অহোম লৈপাক্তগী লাকমিন্নরগা লৈপাকসিদা খৃঃ১৭১৫দগী লৈরকপা অতোপ্পা বৈরাগ্য অমা (মহাকসু মথক্কী বৈরাগ্য ৩৯ থোক্লকপদুদা য়াওরকপনি), মমিংনা শান্তিদাস গোষাই / গোষাঞী কৌবনা মহাক্কী মশাগী পুন্সি থাক ৱাংখৎহন্ননবগী হোৎননবগী খুদোংচাবা অমসুং তাঞাচাবা ফংখিরম্মী। মহাক্না কন্না হোৎনদুনা মনিপুরবু হিন্দু রাজ্য অমা খৃঃ ১৭২৫গী এপ্রিল থাদগী ওইহনখি। মহাক্না অমুকসু মৈদিংঙুদা কন্না তকশিন্দুনা মহাক্না য়োকখৎনীঙলিবা অমসুং শন্দোক্লিবা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী

রামাৎ / রামান্দি সম্প্রদায় শক ১৬৫১গী ৱাকচিংগী থানীননোং (খৃঃ১৭৩০গী জনুৱারীগী অরোয়বা চয়োনগী) য়ুমশকৈশদা লৌহনখি। অসুম্না মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজনা অচানবা মনাই খরগা লোইননা রামান্দি ধর্ম্ম চৎখি। অদুবু লৈপাকসিগী অয়াম্বা মীয়াম্নদি হান্নগী নিমান্দি বৈষ্ণব ধর্ম্ম সম্প্রদায়দু চৎনরি।

মপাঙ্গবুংঙোনা রামান্দি ধর্ম্ম লৌখ্রবদসু শ্যামশাই খুরাইলাকপদি নিমান্দি ধর্ম্মদা লেপ্তুনা অদুম্মক লৈরি। রামান্দি বৈষ্ণব ধর্ম্ম সম্প্রদায়গী মরু ওইবা লাই অমা ওইরিবা রুদ্রাবতার হনুমানগী মূর্ত্তি লীংখত্তুনা [মথক্কীসিদা,৮৯] অমসুং লাইশঙ শাদুনা শঙ্গারগা [মথক্কীসিদা,৯০] লাৎলবদ্সু মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা রামান্দি ধর্ম্ম লৌখিদে। মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা রামান্দি ধর্ম্মবু লৌহন্নবগী খোঙথাংদা নিমান্দি ধর্ম্ম চৎপশিংবু খৃঃ ১৭৩১ মে থাদা ৱাকোংহনখি [মথক্কীসিদা,৯২]। হায়রিবা ফাইন (Fine) তৌবসিদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাইসু য়াওখি অমসুং ৱাকোংহনখিবশিংসিবু খৃঃ১৭৩৩তা অমুকসু লোই থাদুনা চৈরাক(দণ্ডি) পীখি। হায়রিবশিংসিগী ঈ- পাউদি:-

> **........চিরোম ওম্বগী কুম শক ১৬৫৩ শজিবু থা.......১৭নি লৈপাকপোকপ (খৃঃ১৭৩১গী মেগী ১বা চয়োন)দা নিমান্তি (নিমান্দি) চৎপা খিপিক ৱাকোংহন- এ [মথক্কীসিদা,৯২]।........**
>
> **.........সাইখোম লুৱাংগী কুম শক ১৬৫৫...........ঈঙেন থা......১৭নি [খৃঃ১৭৩৩গী আগষ্টকী ১বা চয়োনগী] নিংথৌকাবা ইবুংঙো শ্যামশাই অহনবনে নিংথেম মনাউ মনুশাইনে ২মনচিংনা মীৱাকোংবা খিবিকপু পন খুদিংদা থা- এ [মথক্কীসিদা,৯৩]।**

অসিনি। মথক্কী ৱাফমশিংসিদা মিয়েং থমদুনা য়েংলকপদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাইসি নিমান্দি ধর্ম্মসিদগী হোংদনা লৈ,রামান্দি ধর্ম্ম খক লৌখিদে। অদুবু চীনবুঙ-ৱারীদা মখল- মখা অয়াম্বা তোকঙা শন্দোক্তুনা লৈ অমসুং শ্যামশাইবু রামগী ভক্ত অমসুং হনুমানজীগী সাধক ওইহল্লি। হংলুরগা ৱারিনি হায়।

রাজনিতিগী খোঙফমদা

মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপগী রাজনিতিগী খোঙথাংসি মহাক্না খুরাইরাকপা ওইবা খৃঃ১৭২৬কী অদুৱাইদগী হৌখ্রে। অদুবু থোইদোক্না মীমাঙ থোকপা থবক থৌরম পায়খিবগী ঈ- পাউদি ধর্ম্মনিতি পরীংদগী রাজনিতিনা ৱাকোঙবা অমসুং লোইথাবগী খৃঃ ১৭৩৩দা চৈরাক পীবা / ফংবসিনা অহৌবা ৱাফম ওই। অদুবু থৌনা ফবশিংগী মথৌনা, তৌবা ঙম্বশিংগী মতীক অমসুং অকন- অথৌশিংগী লান- পাম্বগী মচৎপু খক লোৎশিন্দুনা থম্বা য়াদে। অদুগা শ্যামশাই খুরাইলাকপনা নিংথৌমচা অমা ওইনা লৈঙাক্লোনগী থৌদাংদা শাচৎ- লানচৎপা হায়বসিদি থাদোকপা য়াদ্রবা মথৌনি। মরম

অসিনা মহাক অহানবা ওইনা মতমদুগী কন- থৌবা মখুরা ঈবুংঙো খমলাং পামশাবা ৱাংখৈরাকপগা লোইননা খৃঃ১৭৩৫দা নোংপোকলোমদা লৈবা কবুই চীঙমীখুন লোঙ্গাপাইদা লান্দাবা চৎখি অমসুং মায় পাক্লা হল্লকখি [মথক্কীসিদা,৯৫]। হায়রিবা লান্দাসিগী মতুংদা মৈদিংঙুচাসি মতমদুগী অকন- অথৌ অমা ওইরিবা অমসুং ধর্ম্মগী পরমদসু লৈপাক পুম্নমক্কী গুরু ওইরিবা শান্তিদাস মহন্তগা লোইননা খৃঃ১৭৩৭-৩৮গী লোননবদা অৱা (বর্মা / ম্যান্মার) লৈপাক্তা লান্দারুনবা চৎখি। অদুগা অৱা লৈপাক্তা লানশঙ শারগা থা অহুমলোম লাল্লক্কী লানবন- লানশঙ মনুংদা লেনখিরম্মী। হায়রিবসিগী ৱারোন্দি:-

.....ক্ষেত্রি গোবর্দ্ধনগী কুম শক ১৬৫৯....পোইনু থা ১১নি (খৃঃ ১৭৩৭কী ডিসেম্বরগী অরোয়বা চয়োনগী) লৈপাকপোকপদা গুরুগা ইবুংঙো শ্যামশাইগা ২মনচিংনা অৱা নাবা চৎএ।।......ৱাকচিং থা ৭নি থাঙজদা মচিংদা ঔৱা তেঙ্গোন চাইখায়বগী লান অচঙবা ২০ ফায়এ, অশিবা ৩২৭ ফায়এ।। ১০নি (জানুৱারীগী ২শুবা চয়োন) লৈপাকপোকপদা ঔৱানা ফনসে হায়বা গুরুনা পাউ পীরকএ।। ১৭নি য়ুমশকৈশদা পানা ৪মগী লৌমীনা পনশা তান্না চেঙ হোনচিনএ।।..........ফাইরেন থা ....৬নি লংমাইচীঙদা নিংথেম ঔৱা নাবা চৎএ।। ......লমতা থা ১৪নি (মার্চকী অনিশুবা চয়োন লোয়রমদায়) য়ুমশকৈশদা গুরুসুং নিংথেমসুং থংবিচ্রৌদা থুংলয়ে।। নোংমতা (মথংগী নুমিৎতা) য়ুমফানতা থুংলা-এ [মথক্কীসিদা,৯৮]।

অসিনি। অসুন্না মৈদিংঙুচাসিনা রাজনিতিগী খোঙফমদা অহকপা থৌগায় অমসুং থৌদাং লৌবা হৌরকখি। অদুগা মথংগী চহি খৃঃ১৭৩৮সিদা ঔৱা / অৱাশিংনা অমুক হন্না মৈতৈ নিংথৌগী লৈঙাক্লোনগী মপাঙ্গনবু শীঙনরকপদগী চহিসিগী ডিসেম্বর থাগী অরোয়বা চয়োন্দা অৱাশিংবু নমথরুনবা শান্তিদাস গুরুগা লোইননা চৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা,৯৯]। অদুগা থা অমগা মখায়রোম অৱা লান্দা খোঙচৎ অমসুং লানফম-লানশঙদা লৈরুরগা খৃঃ১৭৩৯গী ফেব্রুৱারীগী অনিশুবা চয়োন্দা ইম্ফালদা থুংলখি [মথক্কীসিদা,৯৯]।

মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপগী রাজনিতিগী পুন্সিদা খৃঃ১৭৩৯গী চহিসিদগী হৌনা অমঙবা নোংগী মপৈশিংনা পাইবা হৌরকখিবগুম তৌই। কন- থৌ-না, মথৌ মশক খঙনা অমসুং মমা লৈপাক্কীদমক্তা খন্দুনা চঙশিল্লক্লিবা মহাক্কী লৈঙাক-লৈকন, লান্দা-লানচৎনচিংবসি, শামু ৱারুম পুবী, লমন খুন্নবগী য়েংথীববু নাইনু

কিশি কিদুনা খোয়জী খাদা লোননা পুরিবী ৱায়েনবম চনু পাইখুলাম্থাবী, গোমতী মহারানী মিংখৈনবী, সনাহল শামৈরাং পোকপীগী মিৎ নারবা থৌদৌশিং ওইরকখি। হায়রিবী লৈমসিনা মৈদিংঙুনা খ্বাইদগী হেন্না খোয়জঙ- খোয়দাবী, মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মপারী মঙা শাৎপীনিনা মশাগী খুদোংচাবা মতম, মফম অমসুং তাঞ্জা- মেঞ্জা য়েংদুনা লাকচবীখিবগী লমন খুম্লনবা, মংশৎ তান্ননবগীদমক্তা শীঙচেপ থাবা হৌরকখি। মহাক্না মৈদিংঙুগী মফমদা মহাক্না পোকচবা মচা সনাহনগীমদক্তা নিংথৌ ফম্বাল নীরকখি। পানবা কৈরেন মচানা পীক্লিদৈঙদা শঙ্গোম থক্লম্লবসু কাংদোং ফারক্লবদি য়াওরৌ শাহিং চারকই। ঈমুং- মনুংগী মৈশা লাংলকপসিনা মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজ পোত্থাফম খঙদনা লেল্লকখি। অৱাগী লানফম কয়া মায় পাক্লবসু, মপাবুং ঈবুংঙোনা শীন্নরম্বা মচন্ চক্পা মখাউ ঙম্বীগী লমন খুম্লবসু অমসুং অৱাগী কংলৈ, কংলৈ- মচা, খুঞ্জাও অমদি খুঙ্গং কয়া থুগায়- চায়খায়রবসু মৈদিংঙুদা নুংঙাইবা পোকখিদে। মরম অসিনা ৱাখন্দা চরাংনরিবা, পুক্নিঙদা নুংনাংলিবা অমসুং থম্মোইদা নুংওৎননা নুংঙাইত্রিবা পুম্নমকসিদগী ঙাইহাক ঙাইহাক ৱাখল থৈদোক্লবা য়ুম থাদোক্কুনা লমলক্তা নোংলেল্লুন্নবগী পুন্সি খোঙথাং লৌখৎলকখি। প্রমার্থ ধর্ম্ম লৌব [মথক্কীসিদা, ৯৯]গী মিংদা / নামাদা লৈশাংহিদেন মপানগী লংথাবান (লাং থাবা / থাকপা মপান / মনাক)গী অৱাং- নোংপোক ঈথং থংবা চীঙদুম মথক্তা চহিসিদগী রামশালা(রাম লাইনীঙশঙ) লীংখৎখি। মরক মরক্তা অচীকপা মফম থিদুনা নোংমাইজীঙগী শামুকোক চীঙয়াগী লফুপোকপীদসু লাইনীঙ হীরী কোনফম, অৱাং কোরৌ লনশাকোনবু শেমদুনা তপস্যা মিতম লাক্কুনা ধ্যান তৌদুনা লেল্লকখি।

মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপনা মৈত্রবাক্কী রাজনিতিগী চুপলী পায়রিবা মৈতৈ নিংথৌগী ওইরক্লিবা ফিবমসিদা মিৎয়েং থমদুনা য়েংলকখি। শাদানবদা শা হাৎপগী হলেংদ্রবা, লান্দা- লানজঙদা মী হাৎপগী তুজুংদ্রবা নিংথৌদুনা ঙসিগী উমং- ৱামংগী লাইনীঙবা, জঙ্গল- বনগী উখোঙ- ৱাখোঙ গী খাঙপোকশঙদা য়াতাবা সাধু- সন্ন্যাসী ওইরকপসিদা পুক্নীঙ থমদুনা ওইহল্লক্লিবসিগী মরম থিরকখি। মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদবনা মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা মৈদিংঙুগী ওইরক্লিবা ফিবমশিংগী মরম খঙলক্খি। মহাক্কী হাক্নবদা অহল মতম ওইশিল্লক্লবা মপা ঈবুংঙোনা লৈমরেনগী তকশিন্দুনা নীরক্লিবা নিংথৌ- ফম্বালগী "ভিক্ষা" অদুদা মচানুপা অহনগী হক মৎনীঙদবা, রাজনিতি, ধর্ম্মনিতি অমসুং সমাজনিতিগী অচুম্বা ৱায়েনগী ৱারেপ লৌবা পাম্বা নিংথৌদুনা অচুম্বা ৱায়েনগী মায়য়োক্তা পোৎনী- থৌনীগী পাউখুম পীঙমদবনা ঙাওচৎননা কনাদসু খঙহন্দনা পুন্সি লেল্লিবা

মপাবুংগী মতৌবু মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপনা খঙলকখি। হিংলিঙৈদা ঙাইহাক মীথক থোংবা, শিবগী চৎখিবদা পুবা য়ারোয়দবা নিংথৌ ফম্বাল, শিখিবা নুমিত্তুদা লোয়খিগদবা নিংথৌ ওইবগী নুংঙাইবা, অদুবু মহাক্কী হকনা কনবগীদমক্তা স্বর্গদগী হেন্না ৱাংনা ঈরাৎনগদবা মপা ঈবুংঙোনা মহাক্কী মরমগীদমক্তা ঙাওচৎননা অচীকপা থিদুনা পুন্সিগী শিবা ঙাইরিবদুনা মহাক্কী ৱাখন্দা মমি তারক্লবদা নিংথৌ মচাশিংনা কল্লক- মিহৌনরবা নিংথৌ ফম্বালদু মৈদিংঙুচা শ্যামশাইগী মফমদদি তীংখং- তুম্বৌনা শাবা, অমুকসু মৈনা য়োম্বা ফম্ফম অমা ওইনা খল্লকখি। "মদুনা অতোপ্পগী থৱাইবু ৱাহন্নবগী মরম ওইরবদি মদুবু থাদোকপা তাই, হায়বা ৱাখলসি পুদুনা মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা মপাঈবুংঙোগী লাইনীঙকোন রামশালাদা লাকখিরম্মী। মপাঈবুংঙোগা উন্নদুনা মহাক্কী থম্মোইদা লৈবা ৱারমগী অশেংবা ৱাফমদু হঙ্গৎচখি" "মহাক নিংথৌ ফম্বাল পামজদে, মচা ওইবশিংনা পামজবা মপা- মমাগী নুংশিবদা পলেম মমা লৈদুনসু পন্থৌ মপাগী নুংশিবদু পামজৈ, মদুখক্তা পীবীয়ু, নিংথৌ ফম্বাল পীবীগনু, ঙসিদগী মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল থাদোকচরবনি"- হায়না শরী নামুং শোন্দুনা মশাগী হক মপাঈবুংঙোদা কথোকখি। মচাঈবুংঙো শ্যামশাইগী অসিগুম্বা থৌদৌসিনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজবু "করিনুংগী তৌজরুরবনো" হায়না থম্মোইদা ওমদুনদি চাকহল্লি, অদুবু মচাঈবুংঙোগীদমক চাওথোকচবদুনা মহাকপু নুংঙাইবদি নুংঙাইহল্লি। তশেংনমক, শ্যামশাই খুরাইলাকপা মপাঈবুংঙোসিগী মতীক চারবা মচা অনিগী মনুংদা হেন্দোক- থোইদোক্লা মপা নীঙবা নিংথৌমচানি।

মচাঈবুংঙো শ্যামশাইগী কথোকপগী লমচৎ অসিনা হৈনীঙলুদ্রবা মপাঈবুংঙো গরিবনৱাজবু নৌহৌননা পুক্নীঙ থৌগৎখি। গোমতী রানীগী মফমদা মচাঈবুংঙো শ্যামশাইগীদমক্তা চাওথোকচবগা লোইননা শেন তাঙগা ফৈকক ৫০০০(লীশীঙ মঙা) কৈথেন্দা চায়খি। অদুগা শক ১৬৬২গী পোইনু থা (খৃঃ১৭৪০- ৪১গী ডিসেম্বর- জানুৱারী) দা অৱা লান্দানবগী ৱাফম লৌখৎলগা চহিসিগী ৱাকচীঙগী নিনি পানবদা অৱাদা লান্দারুনবা খোঙশানখি [মথক্কীসিদা, ১০৩]। মৈদিংঙুসিনা অৱা লৈপাক্তা লান্দাবসি লান্দা- লান্দারুরিবা মফমশিংদু লোই চন্দুনা তঙ তাবা লৈঙাকপা হাপ্পুনা পানহনবা অমসুং চহিগী লোইপোৎ কাহন্দুনা মখা পোনহনবগী থৌদৌদু নত্তে। চহি চহিগী লান্দাদুনা লানলোক পোৎ (War booty) খোম্বা অমসুং লৈরম্বা লীংখৎলম্বা কংলৈ, খুঙ্গংনচিংবদু নৈখায়দুনা মাঙহনবগী মচৎ- মতৌসিনি। মহাক্লা অৱাদা চহি থংন- থংননা খৃঃ১৭৩৮- ৩৯দগী ১৭৪৪- ৪৫ ফাওবদা লান্দাদুনা মেদু, ডবায়েন, মৎসেম (Myedu,

Dabayen,Matsem) নচিংবা সহর / কংলৈশিং, অতে খুঙ্গংশিং মাঙহন- তাকহনবসিদগী মহাকপু অৱাশিংগী অকিবী (Threat of the Burmese) ওইনা মিংথোন্নে। হায়রিবসিগী মমাঙদসু খৃঃ১৭২৫,১৭৩৫ অমসুং১৭৩৭তসু চহি কান্নন লান্দাখ্রিবনি। অদুবু খৃঃ১৭৪০-৪১গী লান্দাসিদদি অৱাশিংগা মনিপুর তম্পাক্কী নোংপোক্লোমদা অমসুং অৱাগী লমখৈ মনুংদা লৈরিবা মরিং চীঙমীশিংগা অৱাগা লৌতুনখিবদগী অৱাশিংনা লানফমদগী চেনখ্রগা [মথক্কসিদা,১০৩] মরিং অমসুং তরাউ চীঙমীশিংনা মৈতৈ তমপাক্তা লান্দরকখি অমসুং মৈতৈনা অৱাদগী হল্লকপগী লম্বীদা থত্তুনা লান্দাশিল্লগা মৈতৈগী লম্বী থিংখি। অদুবু মৈদিংঙুনা লম্বী কোয়থোক্তুনা অনাল লম্বীরোমদা লাক্তুনা তম্পাক্তা থুংলখি। মৈদিংঙুসিগী অৱাদা লান্দাবগী খোঙচৎসিদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাইসি মপা ঈবুংঙোগী থৌগল ইল্লিবনি। মৈদিংঙুচাসি মপাঈবুংঙোদা মশাগী হক অমসুং মৈত্রবাক্কী নিংথৌ-ফম্বাল লানথোকখিবা নুমিৎসিদগী মপাঈবুংঙোদা থৱাই- হকচাংসু কথোক্তুনা ময়ুম- মরানয়ায়দা হন্দনা মপাঈবুংঙোনা লৈবা মফমদা লৈখ্রবনি,চৎপা মফমদা তুংইনখ্রবনি অমসুং মতম পুম্নমক্তা মমিগুম লোইনখ্রবনি। অদুবু মরিংশিংনা লাকচখিবা,তম্পাক্তা লান্দাদুনা পল্লেন,লাংঙথেন,ককচিঙ অমসুং হৈরোক খুঙ্গং ৪ মৈ থাদুনা চায়খায়রম্বসিগী লমন খুম্ননবা মতোনশী ঈবুংঙো মন্ত্রী(খমলাং পামশাবা সেনাপতি, ৱাংখৈরাকপা) গা লোইননা মরিং খুঙ্গংশিংদা লান্দাবা চৎখি। মসিগী ঈ- পাউদি:-

> **..... মোইরাং কোইরেংগী কুম শক ১৬৬২...লমতা থা.....২৩নি (খৃঃ১৭৪১গী মার্চকী অনিশুবা চয়োনগী) ঈরাইদা মন্ত্রিনচিংনা খুরাইরাকপা সনাহন্নচিংনা লৈপাক অয়াম্বা মরিং নাবা শানএ [মথক্কসিদা,১০৪]।।**

অসিনি। মরিংশিংবু নমথরবা মতুংদা মৈতৈ লৈপাক্কী লান্মীশিং, অঙম- অথৌশিং অমসুং মৈদিংঙচা শ্যামশাই খুরাইলাকপা তেক্ত- কায়দনা হল্লকখি [মথক্কসিদা,১০৪]।

মৈদিংঙু গরিবনৱাজদা নিংথৌ সিংহাসন ফমজররোয়, নিংথৌ ওইজররোয় হায়না কথোকখ্রবা মতুংদা শ্যামশাইনা মপাঈবুংঙোগী থৌগল থাদোক্তনা লৈরিঙৈসিদা লৈপাক মনুংগী চাওখৎ- থৌরাংদা মহাকসি পুক্নীঙ চঙদুনা লৈরি। মতমসিদা তাৎ নত্তনা তাৎ তৌবা অৱাশিংগী মমু য়েথেক্লবা মখোয়গী লৈপাক মনুংদা লানফম লানশঙ শাদুনা লৈরগা মতম তাঞ্জা চাবদা খুদোংচাবা য়েংদুনা অৱাবু নৈখায়নবগী থৌরাংদা

৫৩

মৈদিংঙুগী থৌশীন ইন্না গুরু শান্তিদাস গোষামীনা খৃঃ১৭৪৪ চঙলকপদগী অৱাদা মৈতৈগী লানশঙ লীংখতুনা তেঙ্গোল ঙাক্তুনা লৈখি। মসিগী ঈ- পাউদি:-

.......কোমোন লমজাগী কুম শক ১৬৬৫.......পোইনু থা ......থানীন (খৃঃ১৭৪৪গী জানুৱারীগী ১বা চয়োনগী)নোং লংমাইজীঙদা গুরুনা অৱা নাবা যাত্রা তৌএ।।.......ৱাকচীং থাদি লৈপাকপোকপনা হল্লে। অদু নুমিত্তা গুরুনা অৱা নাবা শানএ[মথক্কসিদা,১০৮-০৯]।

অসিনি। অদুগা খৃঃ১৭৪৪গী জানুৱারী থাসিদগী লৈখিবসিনা চহিসিগী জুলাইগী অনিশুবা চয়োন্দা লানফম খুদোংথীনীঙঙাই নত্রগা লানশঙ ঙাক্লিবগী অনাবা নঙবা,অৱাবা তাবা অমগী পাউ পুদুনা তেনশুবম খোন্বা ঔৱাদগী থোক্লক্তুনা ইম্ফালদা থুংলখি [মথক্কসিদা,১০৯-১১০]। পাউ অসিদগী লৈপাক্কী অঙম- অথৌশিং খন্নরগা মথৌ তাবা থবক পুন্নমক পাংথোক্লুবা ঙমগদবা মী থাদুনা তেংবাংলুনবা ৱাফম পুখৎনরকপদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপপু খন্দুনা মপাবুংগী সেবা মতম খর থাপতোক্লবা হায়নরকখি। মরম অসিনা শ্যামশাই খুরাইরাকপনা তেনশুবম খোন্বনা থুংলবা মতুং নুমিৎ ৯(মাপন)নি লৈরগা অৱাগী মৈতৈ লানশঙদা চৎনবা খোঙশানখি[মথক্কসিদা,১১০]। মায়কৈ অমরোমদা অৱাশিংনা মখোয়গী নিংথৌ দিপাতিগীদমক্তা মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী অমা পীয়ু হায়দুনা অৱা নিংথৌগী মংত্রা শাগৈগী মী/অঙম্বা নন্দশারানা লুচিংদুনা ইম্ফালদা চহিসিগী ওক্তোবরগী অনিশুবা চয়োন্দা থুংলখি।

মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা অৱাগী লমদা লৈরিবা মৈতৈগী লানশঙদা খৃঃ১৭৪৪গী জুলাইগী অহুমশুবা চয়োন্দা থুংলবা মতমদি লানবন শারিবা মফমদুগী ঈশিং- নোংশিৎ ফত্তবা, অঙৈং-অশা ওন্নবনচিংবদগী মৈতৈ- লান্মীশিংগী অনা- অয়েক কয়ামরুম থেংনবগুম তৌখি। শারিবা মৈতৈগী লানশঙশিংসি অৱাশিংগী কোনুং অৱা (Ava) সহরদা লান্দাবা য়ানবা,মসিগী নোংচুপ থংবা মায়কৈগী খুদোংচাবা মফম অমদা শারমগদবা মাল্লি। মরম অদুনা অৱা লান্মীশিংনা লোননা লোননা লাক্লগা মৈতৈগী মথক্তা লান্দাদুনা হেক-হেক চায়নরবগদবা মাল্লি। শ্যামশাই খুরাইলাকপনা খৃঃ১৭৪৪গী জুলাইদগী লৈরকপসিনা চহিসিগী ডিসেম্বর থাগী অনিশুবা চয়োন ফাওবসিদা মৈতৈগী লানবনসিগী লাঞ্জিং- পুরেন ওইদুনা লানশঙ লীংখৎলম্বা অমদি লানবনসিবু ঙাক্লবা মহাপুরুষ শান্তিদাস গোষামী নোঙ্গাখি অমসুং মহাক্কী শৱা লুৱাংথৌ(অস্তি) পুদুনা মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাই লাকপা ইম্ফালদা থুংলখি। হায়রিবসিগী ৱারোন্দি:-

.......থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬........ঈংঙা থা........২৫নি ঈরাইদা তেনশুবম খোম্বা ঔব্রাদগী থুংলৈএ।। (অনিশুবা) ঈংঙা থা ৪নি লংমাইচীঙদা শ্যামশাই ঔব্রা চঙবা শানএ।।.......হিয়াঙ্গৈ থা.............২৭নি (খৃঃ১৭৪৪গী ডিসেম্বরগী অনিশুবা চয়োনগী) লৈপাকপোকপদা ঔব্রাদা মহাপুরুষ লিলা ওইখিএ (নোংকায়ে)। থাশি নোং ঈরাইদা ঔব্রাদগী শ্যামশাই থুংলৈএ। পোইনু থা......১১নি লৈপাকপোকপা শ্রীজ গুরু ওংবীনা গঙ্গা ঈরুপ্পা চঙখিএ।। ১২নি য়ুমশকৈশ দাকৃপারা মময়াং চঙখি-এ । [মথক্কসিদা,১০৯,১১০,১১১]।

অসিশিংসিনি। অসুম্না শ্যামশাই খুরাইলাকপনা লৈপাক্কী চিরবা মতমদা মরৈপাক্কীদমক্তা লাঞ্জঙখিবশিংগী মতেং পাংখি অমসুং মপাবুংগীদমক্তা লৌফম থোকপা থৌদাংদু লৌখি। অদুবু চহিসিগী মতুংদগীদি মীচঙ লৈত্রবা, মরুপ- মপাং কায়নখ্রবা অমসুং মরোই- মনাউ লৈত্রগুম লৈপাকসিগী রাজনিতিগী য়াওলশিংদা কুম্মৈ য়েংবা নত্তনা থৌগায় অমতা লৌখিবা অমদি থৌদাং অমতা য়াখিদবগুম তৌরে। মহক্না লৈপাক থৌদাং লৌদুনা মীমাঙ থোক্লগা অমসুং মীথক থোংলক্লগা কনাগুম্বা- কনাগুম্বী খরগী মমিত্তা ককচেং মশা পানবীনা পাইশিন্দুনা মিংথুপ্পগুম থোকপা য়াওরকপদগী মখোয়গী পেন্ননবা মপাঙ্গবুংঙোগী নুংঙাইনবগীদমক্তা মপাঙ্গবুংঙোগী থৌগলখক্তা তৌদুনা পুন্সি লেনখিবগুম তৌখ্রে।

অর্থনৈতিক্কী খোঙচত্তা

মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইরাকপা মৈতৈ নিংথৌ মচা ওইবনা মহাক্কী মতীক ওকপা মরন- মথুম লৈজে। অমরোমদা অমুক মহাক্না খুরাইলাকপা ওইরকপদগী মহাক্কী কংলা লৌরমগী ওইনা মহাক্কী কৈকানরিবা (কৈদা ফৌনচিংবা কারিবা / তল্লিবা) খুঙ্গংশিং- য়েনবা ফিরোয়, য়েনপোৎ মৈখু, ৱাইরা সাজেল্লম, থোঙ্গ্রাইবী, মাকতিং, পোইরৌ হামলৌনচিংবা লৈবনা চাবা থকপদগী লেম- পানা লৈজবনি। অদুবু মহাক্না লৈপাক্কী ওইবা শেন্দান- শেনচৎকি লমদাং লৌখৎখিবা খরদি:-

১).....থিংবাইজম কারুগী কুম শক ১৬৬০ শজিবু থা......১০নি (খৃঃ১৭৩৮গীএপ্রিলগী অরোয়বা চয়োনগী) লংমাইজীংদা ঈবুংঙো শ্যামশাইনা কারোংদা থুমখোং হুকপা চৎএ[মথক্কসিদা,৯৭]।

২)......বামোন গঙ্গারামগী কুমদি শক ১৬৫৮.......লমদা থা............২২নি (খৃঃ১৭৩০গী এপ্রিলগী ১বা চয়োনগী)

থাগুজদা গুরুনে খুরাইলাকপা সনা অহন্নে ২মনা মোইরাংদা শামু তানবা চৎএ। শামু ১১ ফাএ[মথক্কসিদা,৯৭]।

৩)......কোমোন লমজাগী কুম শক ১৬৬৫........হিয়াঙ্গৈ ২০নি (খৃঃ১৭৪৩গী ডিসেম্বরগী অহানবা চয়োনগী) য়ুমশকৈশদা শ্নাহন্না তুপান্তা (তুপুন্দা) হিয়াঙ চিংবা চৎএ[মথক্কসিদা,১০৮]।

অসিনচিংবনি। অদুগা মৈদিংঙুচাসিগী ময়ুম শঙ্গাই খৃঃ১৭৪০গী ওক্তোবর থাদা মৈহৌদুনা চাকখি [মথক্কসিদা, ১০৩]। মসি অমুক হন্না শানবগী উয়ান-ৱায়ানবগী থবক্কুসু মৈদিংঙুচাসিনা তৌখি।

পুন্সিগী অরোয়বা খোঙচৎ

শ্যামশাই খুরাইলাকপনা মশাগী হক কথোক্কুনা মপাঙ্গৈবুংঙোগী পেন্ননবা তৌখিবসিনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজনা মনীঙ তৌনা নিংথৌ ফম্বাল মেনখোম্বা চিৎশাইদা খৃঃ১৭৪৮গী মেগী অরোয়বা চয়োন্দা পীবা ঙমখি। মৈদিংঙুনা ফম্বাল শীন্নথোক্লম্লগা কংলা কোনুংদগী য়ুম পুমহোং হোংদোক্কুনা মমাঙদা শেমখ্রবা লৈশাং হিদেন মপানগী লংথাবান চীঙদুমগী রামশালাদা অমসুং অপোং ঈংখোলগী রামশালাদা লৈখি। শ্যামশাই খুরাইলাকপসু রামশালাসিদা মমা মহারানীগা লোইননা মপাবুংগী থৌগল তৌদুনা লৈরম্মী। মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজনা পোকচবা মচানুপা অহননা পীদোন- লমলানবা মচাগুম মতু ঈপোন পোননা মহাক্কী মনাক্তা লৈবদু উরগা মচীন্দা "রাম শ্রীরাম" শোল্লি, হায়বসি মখৈ লৈরগা থম্মোইনুংদদি লমদা থাদা চাকপা লম্মৈগী মায়কৈ শীন- থুংনা চাকপগী মৈচাক্কুনা চাকখৎলক্লি অমসুং মিৎকুপ খুদিংগী মৈশা হেনগৎলকপগুম তৌরক্লি। মরম অসিনা চীনবান্দি মকা ফোংদনা শ্রীরামচন্দ্রগী রামরাজ্য অমা লৈহন্নবা লাইনীঙখিবগুম তৌদুনা কোরৌ লনশানা হীরী কোনগে খনবনা ভজন তৌফম, ধ্যান তৌবা য়াবা মফম খল্লকখি। অদুগা মৈদিংঙুসিগী থৌগলদা মথম্মোয় কৎনা তৌজরক্লবা মোইরাং য়ুমথংবা / লনহান্বা কত্বান (Chief of City/Town Police)ওইরম্বনা রামনগর(চাওরাক্লা খৃঃ১৭৪৭তা হৈঙাংগী হনচীঙগী নোংচুপ থংবা লমদা শেমখিবাদা কোনুং মফম মহারাজগী শঙ্গায় শানবা য়াথং পীদুনা চহিসিগী জুনগী অহুমশুবা চয়োন্দগী শাগৎখি। অসুন্না শেম-শাবা পুন্নমকসি লোয়রগা গরিবনৱাজ মহারাজনা শ্যামশাইগা লোইননা রামনগরগী কোনুংসিদা খৃঃ১৭৪৯গী এপ্রিলগী অরোয়বা চয়োন্দা হোংজিন্দুনা পানখি। মৈদিংঙু চিংশাইনা কংলাদা পানবা অমসুং গরিবনৱাজ

মহারাজনা হৈঙাংগী রামনগর কোনুংদা পানবা অসিনা মৈত্রবাক্তা নিংথৌ অনি পানবগী তাঞ্জা / মতম অদু ওইখিরম্মী।

শ্যামশাই খুরাইলাকপনা থৌগল তৌদুনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা রামনগরদা পাল্লকপসিদা মমা শামাঙ খৌশাবী, শাতুং শাথৌবী শায়ায় শাৱাইনা লৌওনবীগী মচা তরুক্তুনা কৈদৌজবা ঙমখিদে, অদুবু ৱারুম কিশি কিবদি লেপখিদে। অসুম্না থা তরুক্লোম হৈঙাং রামনগরদা পাল্লক্লবদা মাঙগী লমদাং অমদা খৃঃ১৭৪৫দা অৱানা লৈমা নীরৱৈদা মৈদিংঙুগী মমোম লৈত্রবনা মৈদিংঙুগী মনাউ ৱাংখৈরাকপা খমলাংপামশাবা সেনাপতি, মন্ত্রিগী মমোম ৱাংঙমলোন সত্যমালাবু মমোম শকনা অৱা নিংথৌ দিপাতিদা থাজখিববু লুহোং- খোঙদোং মতম ওইরক্লবগী মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা মমোমবু রামনগর কোনুংদগী শক ১৬৭১গী হিয়াঙ্গৈগী থা অহননোং (খৃঃ১৭৪৯গী নবেম্বরগী অনিশুবা চয়োন)দা অৱা কোনুংদা থিনবীখিরম্মী। হায়রিবা খোঙচৎসিদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপনা মপাঙ্গৈবুংঙোগী থৌগন ইল্লম্মী। মমোম সত্যমালাবু অৱা নিংথৌদা শীন্নরম্লগা মৈত্রবাক্তা হন্ননবগী থৌরাং তৌরকপদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাইদি মমা লৌওন-লৌদ্রাউবীগী মচাশিংগী লমচৎ- ব্যবহারদু মখা তানা উজনীঙদ্রদুনা মনিপুরদা থোকচররোয় হায়দুনা অৱাদা লৈহৌখি। মসিগী ঈ- পাউদি:-

> **......মোইফেংবা মাইতেক্কী কুম শক ১৬৭১.....হিয়াঙ্গৈ থা নিংথৌকাবা হনএ।। মহারাজনা রামনগরদগী মনাও ঈবুংঙো ৱ াংখৈরাকপা মচা শীজ অৱা লৈমা থিনবা চৎলে। মচাঈবুংঙো শ্যামশাইদি অৱাদা লৈরৌএ [মথক্কসিদা, ১১৯]।।.....**

অসিনি। মৈদিংঙুচা শ্যামশাইনা অৱা কোনুংদা লৈহৌরগা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা মৈত্রবাকলোমদা থোক্লক্তুনা ম্যেদু (Myedu) সহর য়ৌরক্লবদা অৱাশিংনা মখোয়না লাকশিনবা অমসুং লাক্ল- ফানবা ঙমদ্রবা "কোই" (KAYA or KA-YAY, a section of KARENG) কৌবা মী- কাংলুপ্তু লাকশিনবীরম্মু হায়না হায়জরদুনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা অৱা কোনুংদা অমুক হন্দুনা অৱা লান্মী পুরগা কারেঙগী ফুরুপ্তুগী মথক্তা লান্দাখি। লান্দাসিদা শ্যামশাই খুরাইলাকপদা নত্তনা মৈদিংঙুগী থৌগন ইনবা মৈতৈশিং পুন্নমক লান চংখি অমসুং লানফমদুদা বামোন গঙ্গারাম অমসুং শৌগ্রাকপম অকোঙ অনিদি মৈদিংঙুগী মমাঙদা "কোই" অথৌবশিংগা লান য়ান্ননদুনা শিহৌখি [মথক্কসিদা, ১১৯]। অদুগা মৈদিংঙু গরিবনৱাজদি মচাঈবুংঙো শ্যামশাইনচিংবা লানঙমদুনা কোই লানফা কয়ামরুমগা লোইননা অৱা কোনুংদা হল্লক্লগা অৱা নিংথৌদা শীন্নরমখি।

মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা কোই জাতি লাকশিল্লবা মতুংদা অৱা কোনুংদগী মৈত্রবাক্তা থোক্লক্তুনা কংলাদা থুংলখি [মথক্কসিদা, ১২০]। অদুবু শ্যামশাই খুরাইলাকপদি মতমসিদা অৱাদা লৈহৌরম্মী। মরম অসিনা নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা মিকারবশিংদুগী ৱাখল খরমখৈদি ঈংলম্মী। অদুগা মমা শারৌ লৌওনবীগী পান্দমদি শ্যামশাই খুরাইলাকপা নত্তে, অদুবু মহাক্কী থম্মোইনুংগী ৱাফম, মহাক্কী মপুকথোক্কী মচাশিং নত্তনা অতৈনা খঙখিবদি য়াদ্রি, মরমদি কুইনা মশা ফাওবা কথোক্তুনা পুরক্লবা থম্মোইগী থরুম মীতোপ পাঙ্গনবশিংনা মমি শামহনখিবা ঙম্বা য়াই। মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা কংলাদা চঙলম্লগা মহাক্কী কোনুং রামনগরদা নুমিত্তুমক্তদা চৎখিরম্মী। মহাক্না মহাক্কী কোনুংসিদা থা ৬ (পোইনু, ৱাকচিঙ, ফাইরেন, লমতা, শজিবু অমসুং কালেন) লোম পাল্লক্লবদা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা কোইরিবা লমদমসিগী লমখৈগী চীঙমৈরোঙ ফাওবা ওইগে হায়রকই, হায়বা তোকঙা অমা থোক্লকখি। তৌনরিবা লানওংসি থম্মোইগী চৈথেংনা পীবা শাফুনা মীওই অনিগী ৱাখলদা পীরগা থেংনরিবা নুংঙাইনদবগী লানওংনি। মৈদিংঙুসিনা মনিপুরদা অসুম লৈরবদি নিংথৌগী মচানুপা অহনগী হক অসি ঙাইহাক লৈতনা মথি ফোংলক্লি। অদুনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজবু কংলা মনুংদা অহকপা মিৎয়েং মখাদা য়ুম অমদা পোইথোক- চথোকপা য়াহন্দবা মওংদা লৈহনখি। অদুবু লৈপাক পানবগী মীয়ামগী মিৎয়েং, মীচঙশিংগী ৱাখল, নিংথৌ ওইবদা মীশৌ চঙলক্কদবা, অসিনচিংবা লৈবনিনা থুনমক মৈত্রবাক থাদোহনখিনবগী পোরম য়াৎখি। মসিগী ঈ- পাউদি:-

....নোংথোম্বম শানোংগী কুম শক ১৬৭২.....কালেন থা........১৭ লৈপাকপোকপদা রামনগরদগী অঙোম য়ুমফমদা লৈএ।........হিয়াঙ্গৈ থা ......২৯নি (খৃঃ১৭৫০গী ডিসেম্বরগী অনিশুবা চয়োন) ঈরাইদা থাঙ্গদা ক্না য়েংবা চৎলে।। নিংথেম চিৎশাই মহারাজনা মপা ঈবুংঙোবু তন্না তানথোক এ।। অৱাদা চঙখিএ।। শামুৱৌদা লাইরিকয়েংবা উমানন্দ হাৎলে।। সমলোইবা কৈরুংবা, মোংবীজাম্বা ৱাংখৈ হিদং, মোইরাংনিংথৌ তেনশুবা মখোয় অহুমদি নিংথৌনাইদগী চেল্লকএ।। তন্না লোই থাইএ [মথক্কসিদা, ১২১]।

অসিশিংসিনি। হায়রিবা শাথোক- লান্থোকশিং অসি মৈদিংঙু গরিবনৱাজখক্তগা নত্তনা শ্যামশাই খুরালাকপগী পুন্সিগসু মরীলৈনৈ। মহাক্কী কথোকপগী পুকচেল অমসুং মশাগী ওইজবা থাদোকপগী লীচৎ অসি অপৌবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন লৈবা, লমন খুম্নীঙবগী ঈখৌলাংলবা অমসুং নিংথৌ সিংহাসনবু মিকা মিহৌজবশিংনা খঙবা ঙম্বীখিদে। নোংমাংখা

মখোঙদা চুহী খরুঙ ১০০০(লীশীঙ অমা) হৈরবসু নোংমাংখাদুগী মনা অমসুং মপাননা খক থুন্নক্লোয়।

মৈদিংঙু গরিবনৱাজবু মচা শাবা চিৎশাইনা মমাগী থৌইনশিন্দগী খৃঃ১৭৫০গী ডিসেম্বরগী অনিশুবা চয়োন্দা মৈত্রবাক্তা লৈরগনু হায়না কংলা মনুংগী অঙোম য়ুম্ফমদগী থাঙ্গদা ৱা পান্বী খৃঃ১৭৪৩ আগষ্ট- সেপ্তম্বরদা থাখিব [মথক্কসিদা, ১০৮] দু য়েংবা চৎপগী থাঙ্গদা লৈরিঙৈদা তাম্হোকপগী পাউ পীরে। মফমসিদগী মৈদিংঙুনা লোক্তাক লান্দুনা ময়াং লৈমনাই (ময়াং ইম্ফাল) তারগা খোংজোমদা হাইগৎখ্রগা পল্লেন লান্দুনা কোন্দোং য়ৌখ্রগা অৱা লৈপাক য়ৌদুনা মচাঙ্গীবেম্মা সত্যমালাগী মনাক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈরম্মী। মতমসিদা হায়রিবা অৱা কোনুংসিদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপদি খৃঃ১৭৪৯গী ডিসেম্বরদগী লৈরিবনি। মপা- মচা উন্নদুনা মফমদুদা খন্নবা হৌনবা পুন্নমক খন্নরগা শীত্তোকখ্রবা তিন হঞ্জিনবা য়াদবা, নোংথক্তা তিন শীৎকৎলগা ঈমায়দা তাবা হায়বশিংসি শোয়দবনা অরানবা তৌরুদ্রগা লোয়রে হায়দুনা পুক্লিঙ থেমজিন্নদুনা অমসুং ৱাখল ফাথনদুনা অৱা লৈপাক্তা লেলম্মী।

অৱা লৈপাক্তা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ, মচাঙ্গীবুংঙো শ্যামশাই খুরাইলাকপা, মচাঙ্গীবুংঙো কিশোর শাই অমসুং মৈদিংঙুগী থৌগল ইনবা মৈতৈ নুপা ৩০।৪০ রোম্না মজাঙ্গীবেম্মা সত্যমালাগী মিংদা থা ১০(তরা) হেন্না লৈরক্লম্মী। মতম অসিদা লৈপাক অমগী নিংথৌ ওইরকপা,অঙম- অথৌ ওইনা লৈপাক পানবা অমগী থৌগায় পুরকপা, থৌদাং লৌরকপা অমসুং সমাজনিতিগী পরমদা নিংঙোন মৱাগী ময়ুমদা লেমজা চাদুনা লৈবসি মৈতৈমচাশিং অদুনা ঈকাইবা পোক্লকখিরম্মী। মরম অসিনা মখোয়না শক ১৬৭৩(খৃঃ১৭৫১)গী হিয়াঙ্গৈ থা (নবেম্বর- ডিসেম্বর)দদি অৱা কোনুং থাদোক্তুনা চৎলসি হায়না লেপ্পরম্মী। অদুবু মখোয়না অতৈ লৈপাক্তা চৎলুনবগী মরম লৈতবনা মনিপুরগী মায়কৈ তম্না হল্লক্লম্মী। মখোয়না মৈত্রবাক্তা হল্লকপগী পাউ অসি মতমদুগী মৈতৈ কোনুংদসু লোননা পাউ লৌবনা ঈ- পাউ পুন্নমক ফংলম্মী অমসুং হায়রিবা খোঙফমসিদদি নিংথৌ ফম্বালগী হক্তা লাংলৌ ওইরিবা মৈদিংঙুচা অহনবা শ্যামশাই খুরাইলাকপসু মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী থৌগল ইল্লকখি, হায়বসিসু খঙলম্মী। লমন খুন্নীঙবগী ঈগী লমন ঈনা খুন্বা অমসুং নিংথৌ ফম্বালদা পানবা কৈরাং ওইনা লৌরিববু লাং কায়বা হায়বা পান্দম অনিসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা

মৈতৈ কংলাগী অরোনবা কা অমদা মথৌ লৈবা মী মখৈ তীন্নদুনা শীন্নগদবা খুজীন পুন্বা শীন্নখ্রে। হায়রিবসিদগী থোক্লকপা থৌদোক ৱাথোক্কী পরেংদি:-

> **.....লুক্রাম তেনশুবগী কুম শক ১৬৭৩......হিয়াঙ্গৈ থা (খৃঃ১৭৫১গী নবেম্বর-ডিসেম্বর) দা অৱাদগী হল্লকএ, হায়বা তাদুনা নহাকপম থরোই, কৈক্রনবা হিদং, য়ুমনা হোংবা, ইরোম লানচিংবা মখোয় ৪বু শীখিদুনা নিংথেম্মু লাকহল-এ।। পোইনু থা......২৬নি (খৃঃ১৭৫২গী জানুৱারীগী অনিশুবা চয়োনগী) য়ুমশকৈশদা গরিবনৱাজ মহারাজনচিংনা মচা ঈবুংঙো শ্যামশাই, কিশোর শাই,বামোন ৱারিবা হঞ্জবা মপা-মচা ২মা, ব্রহ্মরামকৃষ্ণ ২, লমবোইবা লোকদাস, মোইরাং লনহাম্বা কত্বান, মনাও ফৈদা হঞ্জবা, মনাও শেলুংবা, অঙোম চন্দ্রমনি, নাউরোইবা শেলুংবা, নিংথৌখোংজম কামদেব, নিংঙোম্বম শ্যামরাম, ৱাংখৈ মাইমু ফৈদা হঞ্জবা, তখেললম্মু লাইরেন তুম্বা, অসিখিবিক পুম্নমা লোইননা তোফাং হিথাথেন ব্রহ্মপুত্র মপান্দা লীলা ওইএ।। তন্না য়ুহারাইএ [মথক্কসিদা,১২০]।।..........**

অসিনি। অসুম্না মৈদিংঙু গরিবনৱাজবু হাৎননবা অমসুং শ্যামশাই খুরাইলাকপপু লোয়শিন্নবা গোমতী রানী [ৱায়েনবমচনু পাইখু লান্থাবী নত্রগা মোইরাংথেম নিংঙোল থম্বাল], ইরোমচা,ঈবুংশীজ ওইনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা য়োকলকপা চিৎশাই(সনাহল শমৈরাং নত্রগা মেনখোন্বা), মৈদিংঙুচা নন্দশাই (থমংলাং), তঙ্গশাই(শমৈরাং), সব্যশাচি শাই(মুংয়াম্বা) ,ভরতশাই(মিংথোইঙন্বা নত্রগা শঙ্গোইবা নত্রগা শঙ্গোয় তাবা) অমসুং শত্রুঘ্ন শাই (লোইয়ম্বা নত্রগা তোল্লেন-তোম্বা)না লৌতুনদুনা শরৌ শীন্নরগা শত্রুঘ্ন শাইনা মপাঈবুংঙোবু হাৎননবা লুচিংদুনা লাকখি অমসুং ময়াম্বুং শ্যামশাই খুরাইলাকপা অমসুং ময়াম্বুংচা কিশর শাইবু লোয়শিন্নবা শীঙদুনা শেম-শাখি। হায়রিবা খোঙফমসিদা লানগীদমক্তা শেম-শাদুনা লাক্লবা শত্রুঘ্নশাইগী লান্মীগা লাইনীঙবশিংগী লাইনীঙ মালাগা লাম্বা তৌনবদা মৈদিংঙু মশা,অতৈ খোঙলোইশিং অমসুং মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপবু হাৎখি। মৈদিংঙুসি বর্মাগী তোমফাং হিথাথেল(অৱা মরোন্দা ফোংতা / ফোংদা) হায়বা হিরানফমসিগী মৈতৈ কবো(Kase-Shan)নত্রগা নোংচুপ থংবা নিংথি তুরেনগী তোবর্বন্দা নোঙ্গাখি।

ৱারোয়শিন

মালেমসিগী জাতি পুম্নমক্কী ইতিহাসতা নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা নিংথৌমচাশিংনা মপা- মচা, মখুরা- মতোন, ময়াম্বা- মনাউ, অসিনচিংবা হাৎনরবা, অমনা অমগী মকোক কক্লবগী থৌদোক- ৱারীনা পীক থল্লবগী মরকসিদা মনিপুর ইতিহাসকী ময়ায় চনবা মতম তাংকক্কী অরোয়বা শরুক্তগীনা অনৌবা মতম তাংকক্কী মনীঙ তম্বা নিংথৌনা পানবগী অরোয়বা মতম (খৃঃ১৮৯১) ফাওবদা মহাক্কী ওইনা নত্রগা ওইননবা মমাঙদা তারবা নত্রগা শোয়দনা লৌরগদবা নিংথৌ ফম্বালবু কল্লক- মিহৌখিদবা অমসুং অতোপ্পগী মফমদা লান্থোকখিবা মৈতৈ নিংথৌমচা তরুক - (১) শ্যামশাই খুরাইলাকপা,(২) আনন্ত শাই, মন্ত্রী পুঙ্গিবা (৩) হেরাচন্দ্র,(৪) নরসিংহ,(৫) সনাচহি অহুম(রনজিৎ নত্রগা নরেন্দ্রজিৎ) অমসুং (৬) টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ,অমদি ৱাংখৈময়ুম শাগৈ মচা অনি - (১) ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবা অমসুং (২) ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম - হায়বশিংসি লৈরি। অসিগুম্বা নিংথৌমচাশিংসিগী মনুংদা মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মচানুপা অহন খৃঃ১৭১১দা পোকখিবা অমসুং খৃঃ১৭৫২দা নোঙ্গাখিবা শ্যামশাই খুরাইলাকপসিনা খ্বাইদগী অহানবনি। মহাক্লা নিংথৌ ওইখিদ্রবসু মহাক্লা পোকপা মচাঙ্গীবুংঙো অনি- (১) গৌরশ্যাম(মরাম্বা) অমসুং (২) ভাগ্যচন্দ্র(চীঙথংখোম্বা)দি মনিপুরগী নিংথৌ ওইখি।

মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপনা নিংথৌ ফম্বাল থাদোকখিবা অমসুং মশাগী নিংথৌ ওইবগী হক,নিংথৌ মচানুপা অহল ওইবগী শোয়দনা ফংফম থোকপদু কথোকখিবসি মহাক্কী মপাঙ্গীবুংঙো মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী নীঙবা থুংহন্নবনি। মরম অসিনা মহাক অসি মহাভারত মহাকাব্যগী ফিদম্নফম ওইরবা শক্তম চন্দ্রবংসগী শান্তনু মহারাজ অমসুং ত্রিলোগতারিনী গঙ্গা অনিগী মচানুপা দেবব্রত,ৱাশকচেৎবগী “ভিস্ম” হায়না মিংথোন ফংখিবদুগা হিরম অসিদা চাংদম্নবা য়াই। মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপসি শাদা- লানদা, ঈথিংদা- পনথিংদা, চেঞ্জোঙদা- মাঙজোঙদা, অসিনচিংবগী মহৈ- মশিঙদা মহাক্কী মতমগী মমান্নবশিংদগী মীথোই- মীহেনবা নিংথৌমচানি। মহাক্লা লৌজবা ধৰ্ম্ম অমসুং চৎচবা লাইনীঙনা হিন্দু বৈষ্ণব ধৰ্ম্মগী নিমাৎ / নিমান্দিনি অমসুং রাধাকৃষ্ণগী যুগল মূর্ত্তি লাৎচবনা লাইনীঙসিগী মরু ওইবা দেবতানি। মহাকসি পুকচেন চাওবা, মথৌনা ফবা,

অচুম্বা চৎপা অমসুং চীখোন- নাউখোনবা ময়াম্বনি। মঙোন্দা কথোকপা অমসুং মশাগী ওইজবা থাদোকপগী গুণশিং চেল্লি। মহাক নুংশিথোইরবা মপুরোইবনি,নুংশি মিৎয়েং থম্মীঙঙাই ওইরবা মপানি। শ্যামশাই খুরাইলাকপসিনা য়ৌরক্লম্বা মফম্নি, অমসুং মহাক্না থারম্বা লৈপান্নি হায়দুনা মনিপুরগা ম্যান্মারগা তাইনবগী মনিপুরগী খুঙ্গং ক্বাথাদা কবোকলৈ (Gardenia florida, Fam, Rubiaceae) কৌবা লৈপান্দু ঙাক- শেন্দুনা থারি। মহাক মনিপুরগী ইতিহাসনা মুক্ত্রিবা মখৈদি মহাক্কী মমিংসু মাঙদনা লৈদুনা হিংখিগনি। তাইবং মপুনা মহাক্কী য়াইবী থৱাই মঙামকপু ঈংনা চীকনা অশি'লৈপাক্তা নুংঙাই- য়াইফনা পানবদু পীনবীসনু।।

রিফরেন্স

চৈথাঃকুমঃ,২০০৫ = শ্রী৺লাইরেনময়ুম ঈবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা(ইম্ফাল- ২০০৫),

নিংথৌ-ফম্বাল কল্লকখিদবা আনন্ত শাই

ৱাহৌদোক

ঈবুংশীজ আনন্ত শাই, মন্ত্রী পুঙ্গিবা, নোংপোক লৈরিখোম্বা (খৃঃ ১৭২৬ - ১৮০৮), মনিপুর ইতিহাসকী ১৮শুবা খৃষ্ট- কুমশীঙ চাগী অহানবা মশুঙ হৌখিবদগী ১৯শুবা খৃষ্টকুমশীঙ চাগী অহানবা চহি ১০ (তরা) ফাওবা লৈরম্বা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংগী মরক্তা থোইদোক হেন্দোক্লা মশক নাইরবা, নিংথৌ ফম্বাল কল্লক মিহৌখিদবা মৈদিংঙুচা অমনি। মহাক্লা নিংথৌ ওইগে হায়না খনখ্রবদা কনানসু থিংবীনীঙাই লৈররোয়দা তাঞ্জা অদু মমাঙদা তাদুনা লৈরবা ফাওবদা মৈতৈ- চৎলম ৱায়েনগী শম্বন্না কল্লি হায়দুনা অশেংবা নিংথৌ খুবমগী হক লৈবা মীশকশিংবু নিংথৌ ফম্বালদা মশামক্লা থাঙ্গৎখিবা নিংথৌমচানি। মশা নিংথৌমচানি হায়বা খঙদবা নত্তে, মপাগী অশিবগী লাইথৌ মহাক্লা পাংথোক্লিবনি, শ্রাদ্ধ কর্ম্ম তৌরিবনি, ময়াম্লুং অহনগী কর্ম্মসু মহক্লা পাংথোক্লুরিবনি। মরম অসিনা মায়কৈ অসোমদা য়েংলবদি হিন্দুগী দায়ভাগ (Law of inheritance), মনু সংহিতানচিংবদা ৱায়েন তৌরবদি মহাক্কী মপাঈবুংঙোগী মরন- মথুমশিংদা, মৈত্রবাক্কী নিংথৌ- ফম্বাল য়াওনা লৈরিবা লন- থুম পুম্ন মক্তা মহাক্কী হক (Right) না খ্বাইদগী হেন্না চাওরিবা, মতীক- মঙম হক্লিবনি। অদুবু চাওননবা য়োকপীরক্লগা নিংথৌ ফম্বালদু ফাওবদা শীন্নবীরবমক্তদা অপোকপা মপা হাৎখিবগী লমন খুম্লনবা অয়োকপা মপা নিংথৌ হাৎলিবনিনা হক্কী অমসুং চৎনবীগী ৱায়েন মৱা লৌদে,নিংথৌ ফম্বাল মুনগনি হায়দুনা মুল্লবদা চহি ২৬।২৭গী মীওই মহাক্লা খুৎলীংনবা খুৎ শেমদ্রিঙৈদদি করি থবক পায়খৎলুবা ঙমগনি, তাইবং মপুনা শান্নরিবা লীলা য়েংবা নত্তনা। অদুবু থম্মোইদা নিংথৌ ৱারুম,শামু ৱারুমগী মলোম অমসুং থরুম কিশি কিদুনা থমদবদি নৎখিদে।

মালেম্দা খোঙদারকপা

মৈদিঙ্ঙুচা আনন্ত শাই, মৈতৈগী নিংথৌরেল, অৱা / ব্রাম্মগী অকিবী মৈতৈগী মবুংঙো ময়াম্বা (ময়াংঙম্বা) / গরিবনিৱাজ মহারাজগী তরেৎশুবী লৈমা, লাইরিকয়েংবম (নাউদম) দামোদর / দামুদরগী মচা ঈবেম্মা হরিপ্রিয়ানা মতোম্মা পোকচবা মচাঈবুংঙোনি। মহাক মালেম তাইবংপান্দা লংমাইথেম লোইজাগী কুম শক ১৬৪৭গী থৱান থাগী ২১নি

পানবা য়ুমশকৈশ নুমিৎ (খৃঃ ১৭২৪গী সেপ্তেম্বরগী অহানবা চয়োনগী য়ুমশকৈশ তাবা / থোকপা নুমিত্তু)দা খোঙদারকখি (চৈথাঃ কুমঃ,২০০৫,৮৬)। মহাক্কী মপা ঈবুংঙোগী অতোপ্পা মমাঙ্গীবেম্মশিংনা পোকপা মচীন- মনাও তরাতরুক, অয়োকপা ময়াম্বা অমা অমসুং মচন- মচেমগী মাপল্লোম লৈরম্মী। হায়রিবা ময়ামসিগা লোইননা মৈতৈ কোনুংলেন কংলাদা চাওরকখিরম্মী।

মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইগী পুন্সি- ৱারী

মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইগী অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদগী হৌনা পুক্নীঙ- লৌশিঙ চঙখোনবা, খঙখি- উখিবদা কাউগন্দবা, তাকপী- তম্বীবদা হেক্তমক লৌশিনবা ঙম্বা নত্রগা হৈবা অমসুং মীতীক-মীরৌ খঙগনবা অমা ওইনা হৌরক্লম্মী। মহাক মহাক্কী মতমগী লৈঙাক্লোন হৈবা মৈতৈ মচাশিংগী মনুংদা শীঙথানবদা য়াওবা অমসুং শাফম- লানফম, শা- লান্নচিংবগী মহৈ- মশিঙদা মীপান তাংদনা মীথোই- মীহেনবা নিংথৌমচা অমা ওইরকখিবনি। মহাক্কী ওঝা- গুরুশিংগী মমিং- মথানচিংবগী মরমদা করিসু ফংবা ঙমদে। মহাক হায়রিবা মহৈ- মশিঙশিংসি নীঙথিনা তম্লকখি হায়বসি মহাক্না মহাক্কী পুন্সিদা পাংথোক্লখিবা থবকশিংনা খুদম- চাংদম ওইদুনা লৈজৈ।

লৈঙাক্লোনগী পুন্সিদা খোঙদারকপা

মৈদিংঙু আনন্ত শাই পুন্সিবনা খুন্নাইলোনগী পরীংদা থোক্লক্লগা লৈঙাক্লোনগী পনখৈ মনুংদা খোঙ থাংজিল্লকখিবসিগী মশাগী চহি ২৭তগীনি। মহাক্না খোঙ থাংজিল্লকপগী ওইরিবা ঈ- পাউদি:-

চান্দম চীঙশোংগী কুম শক ১৫৭৪..... কালেন থা..৫নি য়ুমশকৈশদা ইবুংশি আনন্ত শাইনা তোমফাং হিদেন্দা মপাইবুংঙো ময়াংঙম্বগী লূ লৌবা চৎলে। নাম সংকীর্ত্তন শক্তুনা শ্রাদ্ধ তৌরমএ।। ১২নি থাঙজদা থুংলৈএ।।
[মথক্কীসিদা, ১২১]

অসিনি। মহাক্না মৈদিংঙু ময়াংঙম্বগী লূ লৌবা চৎলিবসি খৃঃ১৭৫২গী মে থাগী অহুমশুবা চয়োন্দনি অমসুং ঈচম চম্না চৎপা নত্তে, লৈপাক নিংথৌগী অয়াবা য়াওরিবনি। অদুগা হায়রিবা মতমসিদগী চহি মরিগী মমাঙগী মতমদা . মতমদুদা মেখলী (দেশ) কৌরম্বা লৈপাকসিগী লৈঙাক্লোনগী পরীংদা নীঙ- মাঙ য়েংদবা, নাক ওয়- য়েৎ উদবা অমদি ওয়গী লমদাংনা লুৱাংচৈ পায়বগী লৈঙাক লৈখ্রবনি। মদুগী মহৈনা লৈপাক কংথং খঙদবা, খোঙফম অমা শোয়বদা অৱাফমদা তানীঙঙাই ওইবা তাঞ্জা অমা ওইরিবনি।

অসিগুম্বা মতমদা তৌদবা য়াদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মনিপুরগী রাজনিতিগী ক্ষেত্রদা মৈদিংঙুচাসি খোঙদারকখিবনি। অদুগা হায়রিবা চহিসিদা চৈথারোল কুম্বাবদা মহাক্কী মমিঙ পল্লিবনিনা খ্বাইদগী ঈহান-হাননা পনবনি।

মমাঙগী চহি ৫রোমগী থৌদোক ৱাথোকশিং

খৃঃ ১৭৫২-৫৩গী মমাঙগী চহি ৫রোমগী লাইবক থীরবা থৌদোক ৱাথোকশিং মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা নিংথৌমচা অমা ওইনা উহৌবশিং অসি য়াম্না থন্মোই শোকপা ফিবমশিংগীনি। মতমসি মনিপুর ইতিহাসতা অশেংবা মৈতৈ নিংথৌগী মচা-মশূশিংগী মখুত্তগী নিংথৌ ফম্বাল মুন্দুনা মীতোপ্পা পানখিবা ইতিহাসকী থাশিগী অহিং ওইবা তাঞ্জানি।চহি তরেৎ খুন্তাকপা (খৃঃ১৮১৯-২৫)দা ফোংনা লান শীঙনরগা লান্দারক্কুনা ওৎ-নৈবা অমসুং লৈপাকসিদা পাল্লিবনি, অদুবু মতমসিগীদি মীনুংশিবু লৌনম তৌরগা লমন খুম্বগী ঈ লৌখিবনি। হায়রিবা লৈঙাক্লোনগী খোঙফমসি থোকহল্লক্কবা শিনখিবনা মৈদিঙু গরিবনৱাজ (খৃঃ ১৭০৯-৪৮)গী ৱারকপা ঙমদ্রবা পাখংবা ওইবগী লীচৎনি অমসুং থোকহল্লক্লিবনা লিন্দুদগী হেন্না শাথিরবী মমা শাদুং লৌওনবী মোইরাংথেম / ৱায়েনবম নিংঙোল লৈরাং থম্বাল,নাওশেক নাউপুবীগী হূ পুবী গোমতী (ঈৱাংলোন, পাইখুলাম্বাবী) রানীনি।

মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা থম্বাল লৈরাং লৈহেক্লমদায়দা হায়নখিবা - য়ানখিবগী মতুং ইন্না খৃঃ ১৭৪৮গী কালেনগী ১০নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিৎ (মেগী অরোয়বা চয়োন) তা অয়োকপা মচানুপা সনাহল শমৈরাং, মেনখোম্বা / চিৎশাইদা নিংথৌ খুবম শিন্নখিরম্মী। অদুগা মহাক মশানা কংলা কোনুং থাদোক্কুনা লৈশাং হিদেন মনাক লংথবালগী অৱাং ঈথংথংবা চীঙ নাপোমগী মনাক্তগা খৃঃ১৭২০গী অদুৱাইদা শেমখিবা লাইনীঙফম-কোনুং রামশালা (রাঃকুঃমঃ১৯৭০,৮৯)দা লৈখিরম্মী (চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,১১৯)। অদুবু ফিমু শেৎপশিংগী ৱাতানবদা কংলা কোনুং নকপদগী হৈঙাংদা খৃঃ ১৭৪৮দা অনৌবা কোনুং অমা শেমহল্লগা রামনগর হায়না মিংথোন্দুনা খৃঃ ১৭৪৯গী এপ্রিল থাদা হোংদোক্কুনা লৈহনখি। অদুগা অৱা / ম্রাম্মাগী তোঙ্গু নিংথৌ শাগৈগী অরোয়বা নিংথৌরেন মহাধম্মারাজ দিপাতি [(Maha Dhamma Raja Dipati (1733-51 A.D.)] না মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মচাঈবেম্মা অৱাগী মহারানী ওইননবা পীয়ু হায়না খৃঃ১৭৪৪ অমসুং ১৭৪৫দা হায়জবা (মথক্কীদা, ১১০,১১২)দগী মৈদিংঙুগী মচানুপী লৈত্রবদগী মনাউ ঈবুংঙো

ৱাংখৈরাকপা খমলাং পামশাবা, সেনাপতি / মন্ত্রীগী মচা ঈবেম্মা সত্যমালাবু থাজখিবদু মনুং মতম চারক্লদুনা অৱাদা থিনবা খৃঃ ১৭৪৯গী নবেম্বর থাদা অৱা লৈপাক (ম্যান্মার)দা চৎখিরম্মী (মথক্কীসিদা,১১৯)। অপোকপা মপা শক্তুনা অওঙ- অউন পুম্নমক তমদুনা ৱাংঙম্লোন সত্যমালাবু অৱা নিংথৌ দিপাতীদা শিন্নরম্লগা মৈদিংঙুনা মনিপুরদা হল্লকপদা অৱা লৈপাক্কী ম্যেতু(Myedu town) য়ৌরকপদা অৱা নিংথৌনা মখোয়দা ঙাইহাক লৈতনা লান হৌদুনা অৱাবা ওইহল্লিবা মখোয়গী কোই (Ka-ya/ka-yay =Kareng-nee or Karang) কৌবা কাংবুসি লান্দাদুনা লাকশিনবীরমখো, হায়না হায়জদুনা পাউ হায়রক্লম্মী। মরম অদুনা মৈদিংঙুসিনা মহাক্কা লোইনরিবা মচাঈবুংঙো কিশোর শাই, মোইরাং লনহাম্বা, কত্বান (Chief of town/city Police) নচিংবগা অমুক ম্যেডু (Myedu) দগী হন্দুনা অৱা কোনুংদা চৎলগা অৱা লাম্মী পুদুনা কোইশিংগী মথক্তা লান্দদুনা লোই চনবীরম্মী (মথক্কীসিদা, ১১৯-২০)।

মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা অৱাদগী থোক্লকপসিদা মচাঈবুংঙো শ্যামশাই খুরাইলাকপদি য়াওরক্তে, অৱা কোনুংদা অদুম লৈহৌখিরম্মী। নিংথৌগী মতীক মগুণনা মহাক্লা নিংথৌ খুবম চিৎশাইদা শিন্নথোকখ্রবসু মনিপুরদা নিংথৌ অনি পানবা, অমনা কংলাদা কোনুং ওইবা, অদুগা অমনা হৈঙাংগী রামনগরদা কোনুং ওইবা ওইনা লৈরম্মী। মশাগী শক্কী লাংনা নিংথৌ খুবম মুলহৌবী, অমসুং মহাক্কী মচানুপা তরুক (চিৎশাই,নন্দশাই, তঙ্গশাই,স্যবশাচিশাই, ভরতশাই অমসুং শত্রুঘ্নশাই) না কংলা পাল্লিবদু মরিং মরাং অমা ওইনা থোক্লক্লে। লৈপাক প্রজাশিংগী শউম লাংলক্লম্মী। মরম অসিনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা পানবা লম চীঙমৈরোঙগী লমদম অসি ফাওবা পীয়ু হায়রকখি হায়বগী পাউথোক্তা মহাক্কী লৈঙাকলোনগী ওইবা মতীক- মপাঙ্গলবু নমথনবা কংলা মনুংদা যুম অমদা লৈহনবগী মিংদা ফাজিন্দুনা থম্লনবা শরৌ- থৌরাং লৌখৎলক্লম্মী। অদুগা খৃঃ ১৭৫০গী জুন থাগী অহানবা চয়োন্দগী কংলা কোনুংগী মনুংদা অঙোম য়ুম্ফাল (হৌজিক ষ্টেট আর্কিওলোজী ডিপার্টমেন্ট / ওফিস লৈরিবদুগী মখা থংবদা বৃনামচন্দ্রগী লাইশঙ লৈরিবদুগী মমাঙগী লম) কৌবা মফমদুদা লৈহনখি। (মথক্কীদা,১২০)। মফমসিদা মৈরিং- য়াইরেক মীশঙ্বা (শন্ত্রী /ৱাটচমেন) থমদুনা শেন্নরগা যুমদুদগী চখোকহন্দনা থম্বা মাল্লি। অদুগা খুজীন- থৌরাং হৈবীনা শীন্দুনা মচাশিং অমসুং মখোয়গী ওইবা মীশিং পুম্নমক্লা খন্নরগা মৈদিংঙুবু মহাক্লা পাকথোক- চাওথোকহঞ্জরম্বা মরৈপাকসিদা লৈবা য়াহন্দনা মেখলী /মেক্লেদগী খৃঃ ১৭৫০গী ডিসেম্বরগী অনিশুবা চয়োন্দা, মফমদুদা (অঙোমযুম্ফমদা) লৈবা থা ৬(তরুক)কা থাখায় অমা শুরকপদা

তান্থোকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২০]। অদুদগী মনিপুরদা লৈবা য়াদ্রে হায়না তান্থোক্লবদগী মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা মশানা নোংথক্লোমদা ওনখত্তুনা শীৎকৎখিবা তিন্দু মমায়দা তারবনিনা অমসুং মশানা থাকচবা লাংদা মশা মতোম্‌তা থুজরবনিনা মনা- মনীন নাইবা য়াদবনিনা থাঙ্গদা খৃঃ১৭৪৩দা থারম্বা ক্বাদু য়েংগে হায়বগী মিংথোংদা থাঙ্গরোমদা লাক্তুনা মফমদুদগী ফাওগৎলগা ময়াং ইম্ফাল লৈমনাইদা ফাওগৎলকপদা কংলা কোনুংগী খুৎকী শকখঙদবশিংনা লান্দরকপদগী লম্বী খাইদুনা মৈদিংঙু মতুং ইনবশিং চেন্নবদা লাইরিকয়েংবা উমানন্দবু শামুরৌদা হাৎখি: শমলোইবা কৈরুংবা, মোংবীজাম্বা ৱাংখৈ- হিদং অমসুং মোইরাংনিংথৌ তেনশুবা [মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা মোইরাংনিংথৌ হাপ্পনি, মমিংনা তেনশুবা খোম্মা / খোম্বা কৌই (মথক্কীসিদা, ৯১,১০৯- ১০, ১১০)] হায়বা মীওই অহুমনা ময়াংইম্ফালদগী মনীঙলোমদা চেনবদা নিংথৌনাই (নিংথৌখোং)দগী কংলা কোনুংগী লাম্মীনা ফারগা লোই থাখিরম্মী (মথক্কীদা, ১২০) অমসুং মৈদিংঙুগী শাগোন্নবা মীওইশিংনা থৌবাল ৱাংজিং তারগা খোংজোমদা ফাওগৎলগা খারম পল্লেনগী লম্বীদা ক্বাথা- কোন্দোং তারগা অৱা লৈপাক্কী কোনুং য়ৌখিরম্মী। অসুম্না অৱা লৈপাক্তা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মচাঈবুংঙো শ্যামশাই খুরাইলাকপাগা অমুক হন্না উনখিরম্মী।

মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা মহাকপু মনিপুরদগী তান্থোক্লকপদগী অৱা লৈপাক্তা লৈরকপসি খৃঃ ১৭৫০গী ডিসেম্বর থাদগীনি। অদুবু অৱা লৈপাক্তা মখোয়গী জাতি কাংলুপ টলাইং (Talaing) শিংনা খৃঃ ১৭৫১গী ঈঙেন থাদা অমুক হন্না লান (খৃঃ ১৭৪০দা হৌখিবগী মতুং) হৌরক্তুনা তোঙ্গু নিংথৌরেন দিপাতি (খৃঃ ১৭৩৩- ৫১)বু ফাদুনা পুখিরম্মী: অদুনা মজাঈবেম্মা সত্যমালাবু ঙাকপী- শেনবীবা ওইনা মতম খর অৱাদা খৃঃ ১৭৫১গী মেরা থা লোয়বা ফাওবা লৈরম্মী। অদুগা মৈতৈ নিংথৌগী ঈকাইখুম্নবা ঈজ্জৎ পুদুনা অদুম লৈথবা য়াবগী মতমদু লোয়খিরম্মী অমসুং লৈপাক্তুগী মচী- মচী খুদিংমক্তা লানহৌবা কাংবু কাংবু খুৎ লীংনদুনা লৈবা, তত্তনা মখোয়দুনা চায়নবা অমসুং জাতিগী ধর্ম্মনচিংবা মান্নদবদুনা অসুম লৈথবদা খুদোংথীবা থোক্লকপা য়াবগী মমি তারক্লম্মী। মরম অসিনা পুন্সিগী মরাই চায়থরক্লবা অহল ওইবগী পুন্সিদা মাঙগী লম্বী তেনশিল্লক্লবা মতমদা মীরৈপাক্তা শিববুদি ঈরৈপাক্তা শিরুবনা মীৱা- মীশা লাংলোয়, মীতোপ্পা পাউথোকপীরোয়, হায়নচিংবগী ৱাখলশিংদগী অমদি লাম্মী মশীঙ য়াম্বা থাপ্পা হেনখ্রবা ম্রাম্মাশিংগী লানহৌ- লুপ অমনা তকশিল্লকপা মতমদা ঙাকথোক্লবগী পাঙ্গল ৱাৎপদু মচাঈবুংঙো অনিগী মিৎয়েংদা তারকপনা মনিপুররোমদা হল্লক্লবা ৱারেপ্পখিরম্মী। মরম অসিনা খৃঃ ১৭৫১গী হিয়াঙ্গে

থা (November-December) দা অৱা কোনুং (Ava palace -yard/Capital) দগী মনিপুররোমদা খোঙশাল্লক্লম্মী।

মৈদিংঙু গরিবনৱাজ অমসুং মহাক্কী কাংবুনা মনিপুররোমদা হল্লক্লে হায়বসি মৈতৈ কংলাদা লৈরিবা ওয়গী লমদাংগী লৈঙাক- মপু অমসুং মহাক্কী খুৎনা হায়রিবা হিয়াঙ্গৈ থাসিমক্তদা পাউ ফংলম্মী। মখোয়গী শারৌ খুৎকী কোক চুঙশিন্নরবা মতুংদা মৈদিংঙুগী মীশিংসিবু কুপশেন- শেন্ননবা মীওই মরিখক. মমিং পল্লবদা - নহাকপম থারোই, কৈক্রনবম হিদং, য়ুমনা(ম) হোংবা অমসুং ইরোম লানচিংববু মাঙজৌননা থাবা মীওই ওইনা থারকখি। মখোয়না খোঙথাং খুদিংমক শেন্নদুনা অৱা লৈপাক্তগী লাকমিন্নদুনা কবো তম্পাক [মৈতৈ কবো অমসুং অৱা কবো(Kase Shan and Mirap Shan) হায়না খায়দোক্লম্মী] তারক্লগা মৈতৈ কবোদা চঙশিল্লক্লম্মী। অমরোমদা মৈতৈ সনা কোনুংদা অরোনবা মীফম অমা ফমদুনা ৱা খন্নরগা লাম্মী তেঙ্গোন অমা, খৃঃ ১৭৪৭গী জুন থাদা মৈদিঙু গরিবনৱাজনা শুগ্নুদা লোই থাখিবা নিংথেমচা তোল্লেনতোম্বা / শত্রুঘ্ন শাই [মথক্কীদা, ১১৮]বু লুচিংহন্দুনা গোমতী রানীনা মচাগী নিংথৌ খুবম চেৎশিন্নবগী শরৌদুগী থবক্তু লৌখৎলুনবা থারক্লম্মী। তোল্লেন তোম্বা নত্রগা শত্রুঘ্ন শাই মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী ঈনা গোমতী রানীদা হাথদুনা খৃঃ১৭২৯গী আগষ্ট থাদা পোকখিবা মচানুপানি [মথক্কীদা, ৯০]। মহাক্লা লাঞ্জিংলকপা মৈতৈগী লাম্মী তেঙ্গোন অসিনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ, মপাঈবুংঙো মহারাজগী কাংবু অসিনা অৱা / কবোগী তোনফাং হিথাথেন [অৱা মরোন্দা "ফোংদা" হায়, ইম্ফাল তুরেন্না নিংথি / চিন্দৱিন (Khendawen/Khyedawen) তুরেন্দা ঈতীন্নবগী ঈচীন্দা লৈবা হিরানফম]দা হি ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা লাল্লুমদুনা লৈরম্বগী অরোনবা লাম দা- লাঞ্জঙদা শকাব্দ ১৬৭৩গী পোইনুগী ২৬নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিৎ(খৃঃ ১৭৫২গী জানুৱারিগী অনিশুবা চয়োনগী য়ুমশকৈশ তাবা নুমিক্তু)দা খঙহৌদনা লান্দাশিল্লকখি অমসুং তোল্লেন তোম্বা (শত্রুঘ্ন শাই) মশামকনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ, অপোকপা মপাবু তানা লেঙদুনা অমসুং অতৈনা মনাউ ঈবুংঙো কিশোর শাই (খৃঃ ১৭৩৯দা পোকপনি), বামোন ৱারীবা হঞ্জবা মপা- মচা, ব্রহ্মরাম, কৃষ্ণ, লম্বোইবা লোকদাস, মোইরাং লানহাম্বা কত্বান, মনাউ (মোইরাং থৱা) ফৈদা হঞ্জবা, মনাউ (মোইরাং..........) শেল্লুংবা, অঙোম চন্দ্রমনি, নাউরোইবা শেল্লুংবা, নিংথৌখোংজম কামদেম, নিংঙোম্বম শ্যামরাম, ৱাংখৈ(ময়ুম) মাইমু ফৈদা হঞ্জবা, তখেল লম্বু লাইরেন তুম্বা, মী ১৫(তরামঙা) অসিনচিংবা হাংখিরম্মী; অদুগা মচা ঈবুংঙো অহন শ্যামশাই খুরাইলাকপসু য়েক্লবা

লাম্বা তৌনদুনা লানফমদা থৱাই থাখি(অখণ্ড- অহে খরনদি শ্যামশাই খুরাইলাকপদি নিংথি তুরেন্দা চোংথদুনা শিখি, হায়না পীবী) [মথক্কীদা, ১২০]। অসুম্না মোইরাংথেমচনু ৱায়েনবম নিংঙোন অমগী খুজীন- থৌরাংনা অয়োকপা মচানুপাগী য়াথংনা অপোকপা মচানুপানা অপোকপা মপাবু হাৎপা মপা- মচা হাৎনবগী মৈফম লীংখক্তুনা মনিপুর ইতিহাসপু মশক মোৎহনখি।

চিৎশাই তান্থোকখিবা

মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা পীশক পীক্লিঙৈদগী কোনুংদা য়োকপীরক্লবা মচানা মপাবুং, ময়াম্বুংঅহন মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপা, অঙাং ওইরিবা মনাউঈবুংঙো মৈদিংঙুচা কিশর শাই, মোইরাংলনহাম্বা কত্বান্নচিংবা মী ১৭ (তরাতরেৎ)পু লোন্না ফোংদা হাৎখিবসি মৈতৈ লৈপাক মীয়াম্না খঙনরক্লে। অদুনা চিৎশাইবু নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথনবা খুৎ খোল্লরকপদা নিংথৌ ওইরিবা চিৎ শাইগী পোকমিন্নবা, মমানা পোকপদা ৫শুবা মনাউ ভরত শাই (মিংথোইঙম্বা)সু নিংথৌ ফম্বাল পাম্বদগী য়াওরম্মী অমসুং মহাক্লা লুচিংলম্মী। মতমসিদা আনন্ত শাই মৈদিংঙুচা ঈবুংশীজসু মহাক্কী চান্নজরবা মবাই মোইরাং খেলেম্বা [মহাক্কী মচন,শ্যামশাই খুরাইরাকপগী লৈমা চখামরিং লোইখোম্বীনি অমসুং মহাক্লা মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মচানুপী শ্যামশাই খুরাইলাকপগী মচন নুপী চীঙলাইলৈমা ৱাংঙল্লোন মৱাউ লান্থবী লৌরম্মী] নত্রগা খৈল্লেনুঙনাং তেলহৈবনচিংবা মরুপ- মপাং, মরোই- মপীজাশিংগা লোইননা মপাবুংগী লমন শীংনবা অমসুং খুম্নবা অমদি নিংথৌ ফম্বালগী চৎলম- পরীং চুম্না লৈহন্নবগীদমক্তা মীয়ামগী ঈহৌদুদা খোঙ থাংজিনখিরম্মী। অদুবু নিংথৌ ফম্বাল কল্লকপা অমসুং মমা- শাদুং লৌওনবীগী মচাশিংদি তোকপা (Wild cat)গী মচত্তু তোকপা মানা অদুম্মক তৌবা তাবনিনা লৈপাক মীয়ামদুনা মতম খরগী ওইনদি মহাক্কী মফমদা থাজবা থমখিরম্মী। অসুম্না মীয়ামগী ঈহৌ অমসুং মসিগী খুদোংচাবা ভরত শাইনা লৌখিবগী পীবীরম্লিবা ৱারোন্দি:-

> **চান্দম চীঙশোংকী কুম শক ১৬৭৪ শজিবু থা থাঙজনা হনএ। থানীননোং থাঙজদা শঙ্গোইবা ভরত শাইনা নিংথৌ ওইএ। লৈপাক পুম্নমক মান্নদুনা নিংথেম মেনখোম্বা (চিৎশাই), মচা দেবশাই, মনাউ সেনাপতি (নন্দশাই) ৩মবু ময়াং লম তানথোকএ।। ঈবুংশি গঙ্গা বিষ্ণুসুং পোংলম তান্থোকএ।। (মথক্কীদা, ১২১)**

অসিনি। হায়রিবা থৌদৌসিদা সনাহল শমৈরাং, মেনখোম্বসি মতম খর কৌব্রুচীঙজাওগী সনাহল লোকচাওগী লমখৈ মনুংসিদা মীয়াম্না তান্নরকপদা

লোৎলম্মী। অদুগা লমন খুন্বা হৈবী মোইরাংথেম চনুদুনা ঈরোইশেম্বদগী অৱাং- নোংপোক্লোমদা হাইগৎলগা লৈবা লাঙ্গোনচীঙগী চীঙশাং নাপোম অমগী লৈমরোক কৌবা লোক্তা লোত্তুনা মীয়াম্না মথৱাই হাৎপীদনবা লোৎলম্মী। অদুগা মফম মরাং খঙদনা শিফম- নাফম খঙদনা মাঙখিরম্মী।

সনাহল লোকচাওদা লোৎলম্বা গোমতীরানীগী মচা চিৎশাইনা মফমসিদগী লোইচীঙ ফৌওইচীঙ তাখ্রগা ময়াং লৈপাক তাখিদুনা থোংনাং তখেল (ত্রিপুরী / ত্রিপুরা) নিংথৌগী মতেং লৌরগা বৃটিশ ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীদা মহাক্কী মপান: থম্লম্বা নিংথৌ সিংহাসন হজিন্নবা হোৎনবদা মতেং পীবীয়ু হায়না খৃঃ১৭৬১-৬২দা দরখাস্ত থারখিবনি (য়ঃভঃ, ১৯৮২,৮২:লঃচঃসঃ,১৯৭০,৮)।

ভরত শাইগী লীচৎ অমসুং মহাকপু তাম্হোকপা

তোকপনবু কৈ পোকপরা, কৈনবু তোকপা ওনবরা! মাগী মাগী অতাবী তাদুনা লৈজবনি। মৈদিংঙু ভরতশাইনা পোকমিন্নবা ময়াম্বুং তাম্হোক্তুনা নিংথৌ ওইরে, মনাউ ঈবুংঙো তোল্লেন তোম্বা, করিসু খঙজদবদুবু যুবরাজ হাপলে। হায়রিবা মতমসিদা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা হৌদোক্তুনা মপাঈবুংঙোগী মৱ্দ খুল্লুনবগী কবোগী ফোংদা হিথাথেন (হিঙাইফম/ হিরানফম)দা চত্তুনা শ্রাদ্ধ কর্ম্ম পাংথোক্লুনবগী য়ানরদুনা ঈবুংশীজ আনন্ত শাই মশানা চত্তুনা মপাগী অশি- থৌরম পাংথোকপা ফংজবগী লাইবক ফবদু মহাক্না ফংজখিরম্মী। অদুবু উন্না কুপ্পা মীওইবগী পুক্নীঙনি,মনাউ ঈবুংঙো মৈদিংঙু অমসুং যুবরাজ অনিনা করি খল্লমগদবগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদে। অদুবু খল্লম্বা খল্লমদবদুদি মপা হাৎলগা মীগী হক মত্তুনা নিংথৌ ওইগনি, যুবরাজ ওইগনি হায়দুনা ওইরিবা পুকচেলশিং অদুবুনি মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা য়েংলিবদি।

প্রজা মীয়ামগী ঈহৌগী ঈচেলদা তাউথরক্লবা নিংথৌ ফম্বাল লোকপা হৈবা নিংথৌনা নিংথৌ খুবম হেক ফংখিবগা মহাক্কী নিংথৌ সিংহসনগী মরমদা খুনু মখোঙদা শম লৌবগুম লৌরগদবা মশা- মরেঙ ফন্না হৌগৎলক্লিবা মৈত্রবাক্কী অশেংবা নিংথৌ ওইফম থোকপা ময়াম্বুং ঈবুংঙো মৈদিংঙু মচা অহনবা শ্যামশাই খুরাইলাকপা, নোংপোক কাইনৌ চীঙশোম্বগী য়ুমলেপচারী ওইনা শাংথ- লেমথনা লৈহৌরিবা উপালশিংবু মৱ্দ ফুক্কে, চৎলম- লুপতীনগী তল্লা উশা- থাগে হায়না চেকশিন্না হোৎনরকখি। অদুবু মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহাকথক্তা নোংথোনবা ফমথোন পায়বা ৱায়েনবগী মপারী খেল্লেম্বা, মৈতৈ কোনুংদা চাওরক্লবা লমজেন্দা, মুক্নাদা, ঈথিংদা- পনথিংদা, শাফমদা - লানফমদা, থাঙদা-

তাদা,বুদ্ধিদা- লৌশিঙদা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংনা হঙ্গোয়নরিবা অসিনা অপোকপী পলেম মমাগী মায়কৈদগী চীঙলেন পল্লং- লাগুম ওইখিবা অমসুং মৈদিংঙুচা আনন্ত শাই, চেঞ্জোংদা মাঙজোংদা, খুবৈদা- খোঙয়াইদা, থাঙলোন্দা- তারোন্দা, বুদ্ধিদা- লৌশিঙদা মোইরাং খেল্লেম্বমক্লা খৌতক চারিবা মতোনশীনা সেকচুঙ চুঙলেন ওইনা লৈখিবনা মৈদিংঙু ভরত শাইনা ফোংনা থবক পায়খৎপা ঙল্লমদে।

কেগে মোইরাং নিংথৌমচা, কেগে ঙাংঙোই লৈপাক্তা লৈখ্ররোই, মহাকপু লৌনম্বীরবা মোইরাং নিংথৌগী শাগে তীন্নররোই হায়দুনা কৌব্রু চীঙজাওগী লমদমদা পানখিবা ঈৰাং পুরিক্লাইচা খেল্লে- পাম্বা, লৈয়ি লান্থাবদগী শমথরকপা সনালীক্লু ঈৰাংবমচা নানবা শরাবা নত্রগা নোংলেন হাইবীখোং (চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,২০) মৈত্রবাক্কী অহানবা নহারুপ লাকপগী চাদা- নাউদা ওইরিবা খেল্লেম্বনা মৈদিংঙু চিংশাই, ভরত শাইনচিংবগী লুমহাৎ- লুমফুগী মিৎয়েং- নায়েংশিংসিদগী মৈতৈ সনা লীকলু মাঙখিগদরা খনবা অমসুং মতোনশী আনন্ত শাইগী মিৎলৈ- নারৈ খঙনা মহাক্কী মচন ঈবেম্মা চাখা মরীং লোইখোম্বীগা মহাক্কী মপারী অনি গৌরশ্যাম অমসুং ভাগ্যচন্দ্রগা (অনিসি খৃঃ ১৭২৬ / ১৭২৭ অমসুং ১৭২৯ দা মথং শীৎনা পোক্লম্বা য়াই) পুন্না পুদুনা ময়ুম কেগে চাওবপুঙ, মরান মোইরাং শাংবয়ায়গী লোইরেন সনাপুঙ, থম্বাল নোংশারৌগী লমদমদা পুদুনা লোৎনা- ফোংনা থমখিরম্মী। অদুবু ভরত শাইনা মহাক্কী অরোনবা মীশিং থাদুনা মচাঈবুংঙো অনিগী লীখুন খঙননবা অমসুং অফংবা মফমদা লোয়শিন্নবা অয়ুক- নুংথিলদা ফিঙৌ শেৎ, নুমিদাং- অহিংদা ফিমু চীনবুন লাকপা লাল্লোই ওইনা ৰাইরা শাথিবগুম খুজিন- থৌরাং তৌরম্মী। তৌরিবা শরৌ পুম্নমক ঈৰাং ৰায়েনবমচা খেল্লেম্বনা,শজী নঙগী নরৌবু শঙাই ঐনা খঙঙিনে,হায়দুনা মমাক ঈবুংঙো অনিবু মৈতৈ কনাগী মিৎয়েংদা তাহনখিদ্রে।

শগোন মাঙদা পুঞ্জাও পুবা, ওকপীদনা ফিকুপ্পা

মৈদিংঙু ভরত শাই (খৃঃ ১৭৫২ - ৫৩) না গৌরশ্যাম অমসুং ভাগ্যচন্দ্র অনিবু খম্নুং- পুঙদা থাখিনবগী শীল্লিবা শরৌসি মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা মপাঈবুংঙো, ময়াম্বুংগী অহন অমসুং মনাউ ঈবুংঙো অমদি অতৈ লাইওইখ্রশিংদুগী বসর শ্রাদ্ধ (চহিগী সোরাৎ) শোল্লুরগা হল্লকপা মতমদুদগী তারবনি।মরম অসিনা মহাক্লা করি তৌগদবগে হায়বগী মরমদা খনবা হৌখ্রবনি। মহাক্কী হিরম পুম্নমক্তা চৈঙাক ওইবা মবাইঈবুংঙো খেল্লম্বসু অয়াম্বা মতমদা কোনুংদা নত্রগা কংলৈপুঙ (ইম্ফাল)দা লৈতে। অদুগা মহাক্লা

কোনুং নত্রগা কংলৈপুঙ থাদোক্তুনা তোয়না চখোকপসু লাম্মী- লানশঙ লীংদুনা লৈবা নত্রিবনিনা লৈপাক মমাঙদা ফোংদোক্লরুবসু য়াদ্রি। ফত্রে হায়রবসু হুন্দোকপা য়াদ্রিবা "চাশি মরূ, হুন্দোকসি মতোং" হায়বদু ওইরি, মরমদি মখোয়গী মহুম ফাদ্রি। অদুবু মরক মরক্তদি য়েংদবা য়াদ্রি: হো- হা হন্দোকউ, শানা য়েন্না শোক্কনি, হায়দুনা তান্দবা য়াদ্রি অমসুং খুউ শেন্দবসু য়াদ্রি। অসুম্না মায়কৈ খুদিংমক্তা য়েংদুনা মহাক্কী মনুংগী ওইবা মচা- মনাই অচেৎপশিং থাদুনা মবাই ঈবুংঙোগা ঈ- পাউ চৎনদুনা মচাঈবুংঙো অনিবু চাওয়েং য়েংদুনা চহি অমগী মতম হৌজিনখ্রে। অদুবু মৈদিংঙু ভরত শাইগী মনাই- মশনশিংনা থবক খোঙজঙ কনশিনবগী মতৌ অমা খৃঃ ১৭৫৩গী ঈংঙা- ঈঙেনগী মতমদা উরকপদগী মৈদিংঙু আনন্ত শাইনা মহাক্কী মীশিংবু মৈদিংঙু ভরত শাইগী মনাইশিংবু হেঞ্জিন্না কুপশেন- শেন্নহন্দুনা থমখিরম্মী।

খৃঃ ১৭৫৩গী লাংবন (September-October) থাগী পোইরৈ মৈতৈগী শল্লাই চাগোক পুম্নমক্না অপোক- অশাৎ লাৎনবা থাসিদা লাংবন লৌচী কোয়বা, খারী লবুক য়েংবা শাদুনা ময়ুম কংলৈপুঙ থাদোক্তুনা ময়িম কেগে লমদমগী থম্বাল নোংশারৌদা কোয়থোক্লকখিরম্মী। মপারী মচাঈবুংঙো অনিগী তৌগদবা থৌরাং লৌখৎনবা মবাইঈবুংঙো খেল্লেম্বগা শক্কা শক্কা উন্নদুনা ব্রারম পুম্বা ঙাংনখি। মৈদিংঙু ভরত শাইগী করিগুম্বা চাওখৎ থৌরাং অমতা লৌখৎত্রবা হাক্তসিদা গৌরশ্যাম- ভাগ্যচন্দ্র থিবদা চোকথরবা ভরত শাইগী মনাইশিংনা হৈনীঙবা পোক্লক্ত্রবা মতম তাঞ্জা চঙলক্লে, লৈপাক প্রজা পুম্বনা মহাক্কী লীচৎ খঙনরক্লে। মরম অসিনা মখোয়না মথৌ পায়খৎপগী মতম য়ৌরক্লে, খন্নরে। মপা হাৎলগা নিংথৌ ওইনীঙবা, মীগী হক মৎপদা হল্লেঙবা লৈতবা অমদি মপুক মক্রিং নাইবশিংদি য়েক্লবা মখাক থমদনবা, লাইথুং মখাক লৈহৌদনবা অমদি ফত্তবা মরূ ফুক্লবা অরোনবা খুজিন থৌরাং লৌখৎনবা শরৌ লাংলৌ শীন্নরে। মথৌনা- মরীংজেন মান্নবা, মতিক- মপাঙ্গল হেন্নদবা, পায়ম- লৌশিং খেন্নদবা পাম্বা কৈজেংলাংবু ঙম্বা কৈরেন খুত্তা লাক্লে খুৎনা, য়াদা লাক্লে য়ানা ফাবা ঙম্বা কৈরেন কৈজাওগুম্বা অনিদুনা থবক পাংথোক্কদবা নুমিৎ লেপ্লখ্রে অমসুং মানা মানা তৌগদবা মথৌ, পাংথোক্কদবা থৌগায়, লৌগদবা থৌদাং পুম্নমক য়েম্থোক্লখরে।

মৈদিংঙু আনন্ত শাইনা ময়ুমদা হল্লক্লবা মতুংদগীদি মহাকসু, মবাইঈবুংঙো খেল্লেম্বসু শা- লানগী শাজেন লৌখৎখ্রে। অতোপ্পশিংবুদি য়ারিবা মখৈ খঙহন্দনা মাগী মাগী লৈজবা মনাই- মশনশিং ফাওবনা লোন্না লাম্মী খোম্বা হৌনখ্রে, খুৎশূ - খুৎলাই লেপশিন- পৈশিন্দুনা খুৎলাই মশীঙ

থিনা- পানদুনা লৈনখ্রে। মীমাঙদদি অৱা লৈপাক্তা ঈরাং থোক্লে, তোঙ্গু নিংথৌ পানবা ঙমদ্রে, কোই, কারেং, তালেং, খাম্রন, সান্দুনচিংবা পুম্নমক্ক খোইরেন মশা পাইবমখৈ লাংনরে। মৈতৈ ঐখোয়গী অসোমদা লাক্লবদি করম তৌগনি, খরমখৈ য়েংশিন্দবা য়াদবরা, ঐখোয়গী লৈপাক্তা লান্দবীরক্তবদুদি লাইবক ফবনি, হায়দুনা অৱাগী মায়কৈদা খুৎনা থিল্লগা মিৎয়েংনা অমদা থম্লরি। অদুবু মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা লাংলিবা থৌরাং অমসুং মোইরাং খেল্লেম্বনা তৌরিবা শাজেন পুম্নমকসি মখোয়না নিংথৌ অমসুং যুবরাজ / মন্ত্রী ওইননবরা? মতম - মতাং অসিদা মৈদিংঙুচা আনন্তশাই লৌখৎলিবা থৌওং- থৌদৌসি নিংথৌ- শেম্বগী থবক্লি, পাল্লিবা নিংথৌনা শামিন খজীক্তং ফংখিবদা খুদক্তা অঙাং ওনহনখিগদবনি। অদুবু মহাক্লা শিবা কিদনা হোৎনরকখি, মহাক্লা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল কাগে, নিংথৌ ওইগে হায়বা নত্তে। মহাক্কী মপাবুং ঈবুংঙোনা পোকপীরম্বা মখোয় পুম্নমক্কী ময়াম্বুংগী অহন, মপাবুং ঈবুংঙোগী নুংঙাইনবগীদমক্তা মশাগী নিংথৌ ওইবগী হক কথোকখিবা মহাক্তুগী মচাইবুংঙো গৌরশ্যাম্বু নিংথৌ ফম্বাল থক্তা থাঙ্গৎকে, ময়াম্বুংশীদুগী হাক্ততগী মখা শমথরক্কদবা শোয়দনা ফংফম থোক্লবা হক অদু ফংহনগে, হায়দুনা মঙক য়োন্দুনা হোৎনরিবনি।

হৌখিবগী মায়কৈদা লেপ্তুনা চেনশিল্লিবা মতমগী খোঙজেন্না মৈদিংঙু আনন্তশাই অমসুং মোইরাং ৱায়েনবমচা খেলেম্বা অনিনা লেপ্পখিবা নুমিত্তু পুরক্লে। হায়নখিবা ৱাখুনগী মতুং ইন্না মোইরাং খেল্লেম্বনা লেপ্পখিবা নুমিত্তুগী মমাঙগী নুমিত্তুদা মমাকঈবুংঙো অনিগা লোইননা লৈজবা মহাক্কী মী মখৈ পুদুনা ইম্ফাল কংলৈপুঙদা লাক্তুনা লৈরম্মী। লৈরিবা পোইরৈ তমলৈকায়গী মচাশিংনা কনানা করি তৌগদৌরিবনো খঙনদে। চাননা হংদা হংল্লুরগা মৈদিংঙু খুরুমহনগে তৌবনি হায়না ঈরায় লায়না খুমদোকই। মীয়াম্নসু থাজে,"চুমইদা, লৈপাকমচা তাবা হায়বসি অদুনি, ফজৈদা কো", শোল্লম্লগা মচৎনখি।

লেপ্পখিবা নুমিত্তু কোনোক কোংয়াম্বগী কুম শক ১৬৭৫গী হিয়াঙ্গৈ থাগী ২০(কুন)পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎ (খৃঃ ১৭৫৩গী ডিসেম্বরগী অহানবা চয়োনগী নিংথৌকাবা তাবা নুমিৎ)নি। নুমিৎসিদা শিন্নখিবা পোরমগী মতুং ইন্না মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা মপানগী মিৎয়েংদদি মনাই- মশন, মচা- মনাউ, লোইয়িন- খময়িনচিংবা অমত্তা য়াওদনা অমসুং লোইনদনা মৈদিংঙু ভরত শাইগী নিংথৌ শাঙ্গাইরেন্দা চঙদুনা অরুবা লৈপাক্কী- ৱাফম, লৈঙাক্লোনগী কুপশিল- লুশিল্লবা পোচৎ- পোথাং খন্ন- নৈনবা কংলা উত্রা শঙলেন্দা ফমদুনা মৈদিংঙুগী য়াথং ঙাইদুনা লৈরি। মতম ঙাইহাক্কী মনুংদা মৈদিংঙু ভরত শাইনা লৈপাক্কী য়াইফনবা খনবা

মীওই অমা ওইনা উত্রা শঙলেন্দা মৈদিংঙুগী য়াথং ঙাইরিবা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইগী মনাক্তা সনা খোঙলেঙথোক্লকুনা লৈরম্বা মনাই- মশল, ঙাকশেন থোঙঙাক- মৈরীং, অনং- ফিহাইরোইনচিংবা অরুবা ৱারমনি হায়না লমজায়হনখ্রগা ময়াম্নুংশী পায়মা লৌশিঙ থোইবাগা ৱাতা- ৱাখন্ননবা লেঙশিল্লক্লম্মী। ৱারম অরুবা অৱারোমগী মায়কৈদা মবুধৌ ঈবুংঙো তুবী চরাইরোংবা (খৃঃ ১৬৯৭- ১৭০৯)গী সনা হাক্তক্তা শেনবী অৱা নিংথৌনা মৈতৈগী লোইখুনশিং চকপা পুঙপুন, কামু, চিরাং, খরোয়.তীঙয়ীৎশা খুন্থক অমসুং খুনখা, মরু কোন্দোং অমসুং লোইবী তরাউ খুনদোন পুন্নমকসি হন্দোক্কনি হায়র [মঃচঃসঃ,২০০২,২] গা পীরকখিদ্রে[মথক্কীসিদা,৯], হৌজিক করি তৌবা তাবগে?- হায়বনচিংবা অরুবা ৱাফমশিংসি মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা পুথোক্তুনা মতম তাঞ্জা ঙাইবগী লু থুল্লি। মায়কৈ অমরোমদা মোইরাং খেল্লেম্বনা শিন্নখিবা থৌরাংগী লাংথাক মতুং ইন্না মমাক ঈবুংঙো অনি অমদি মখোয়গী থৌগল- লাঙ্গন, লোইয়িন- খময়িন্নি হায়দুনা মহাক্কী লৈজবা মী মখৈ ইলহল্লগা স্নথোঙ থোঙলেল ঙাকপদা "মৈদিংঙু খুরুমহঞ্জগে" হায়দুনা পাউহংলগা স্নথোঙ লানশিল্লক্তুনা কনাবুসু চিংনহন্দনা চঙখরে। স্নথোঙ থোঙলেন লানশিনখিবদগীদি চঙলকখিবা খেল্লেম্বগী লাল্লোইশিংদু শমজি খায়খ্রে। নুপী য়াওবা খুৎনা তুংদা চিরাই- থোঙদা লৈহৌরে, নুপাগী কাংবুনা মাঙলোমদা চঙশিনখ্রে। মখোয়না স্নথোঙদা চঙখিবা উবদা স্নথোঙ মনাক্তগী পঙলাপ লাপ্তনা চাদুনা লৈরম্বা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইগী মচা- মনাউ, মনাই- মশন্নচিংবা পুন্নমক স্নথোঙ মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা পৈদুনা লৈররে অমসুং মখোয়না ঙাইরিবসিনা মোইরাং ৱায়েনবা খেল্লেম্বগী লাল্লাউবুনি।

কংলা উত্রাগী ফম্মেন্দা ফমদুনা মৈদিংঙু অমসুং ময়াম্নুংশীনা মৈত্রবাক্লা মপাঙ্গল শোন্থরক্লবা মতম ওইবদুগী মথক্তা নিংথৌ পান্দবগুম তৌরিবা অৱা লৈপাক্কী ফিবমদুদা করি তৌবা য়াবগে, হায়না খন্নরিঙৈগী তাঞ্জাসিদা কংলা উত্রা শঙলেনগী মায়ওন নোংচুপ ওল্লিবা অদুগী থোঙজাও মপা অদুদা মহাক্কী লাল্লোইশিং ফিনুংদা থাঙ য়েপ্লকপশিং পরেং শানা লেপহল্লগা মোইরাং ৱায়েনবা খেল্লেম্বনা খুৎশূ থাঙ শত্তুনা চোংখৎলগা - "নহাদে, ঈৱাংবমচা খেল্লেম্বদে, মৈতৈ নোংথোনবা ৱায়েনবমচাগী মপারীদে!" হায়না শারাউ- লাল্লাউ লাউরকখিরম্মী অমসুং মখা তানা-"পোইরৈ নিংথৌ ফম্বাল লৌগে, ৱাংঙম কংলা নেৎকে,শামান্নবা থোরক্লো, লেংঙমান্নবা চোংথোক্লকলো, চায়না খোঙফেন হানরসি" - হায়না লানশীঙনবগী লাল্লাউদা তারকখিরম্মী। লাউরিবা লাল্লউসি মৈদিংঙু ওইরিবা ভরতশাই শঙ্গাইতাবা (মিংথোইঙম্বা) পঙতা তাখিদ্রি। অদুগা য়েক্লবা মায়োক

য়াদুনা অসুম্না মশানা শারাউ- লাল্লাউ লাউখিবসু থোইনা য়াওখিদে অমসুং মসিগুম্বা লানশীঙনরকপদা চোঙথোক্তুনা লাম্বা তৌনখিবসু কয়া লৈখিদে। অদুবু ময়াম্বুংশীদুগী মমাঙদুদা ঈকাইখাঙদগী হুয়েন লান্থেংনরগদবগী মওংদা ঈফিং ফিঙ্গৎপা মতৌ উৎলকখি। অদুগা লাল্লাউ লাউরক্লিবা মোইরাং খেল্লেম্বগী মীশিংদুসু লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লম্মী। অদুনা ৱায়েনবমচা খেল্লেম্বনা কংলা উত্রাগী মাঙ্গোন্দা কাখত্তুনা চঙশিল্লকপা, শক্না শক্না উনরবা মতমদুদাদি মহাক্না লাম্বা তৌনগদৌরিবা মীশক্তু কনাগনো হায়বসু শঙশঙ্না উরক্লবা মতমদুদদি মশা লীথোক্লনবা, চেন্নবা থৌরাং তৌরক্লে। মৈদিংঙু ভরত শাইবু চেনখিগদৌরে হায়বসি মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা উরক- খঙলক্লবদা থাঙ শত্তুনা খুদুম চেৎনা পায়রগা মহাক্কী চেন্নবগী লম্বী থৎলে। মৈদিংঙু ভরত শাই অয়া অনেৎ লাং, কোঙ্গোয় লীথু লানদা থুরে, লীৎফম পল্লীৎফম লৈতরে।

মৈদিংঙু ভরত শাইবু হুয়েন লানফা ওইনা মখুৎ তুংবুন পরৈ লাক্লা ফাদুনা থল্লগা হায়রিবা নুমিৎ, শক ১৬৭৫গী হিয়াঙ্গৈ ২০নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎসিমক্তা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাই, ৱাংঙম মপাতোন অমসুং মোইরাং ঈৱাংবমচা / ৱায়েনবমচা পোইরৈ মপুম (মাম্মা) অনিনা ঈবুংশী গৌরশ্যাম্বু নিংথৌ ফম্বাল থাক্তা থাগৎখি অমসুং নিংথৌ ওইনা মৈদিংঙু হায়বা মিংথোনসি ফংহনখি অদুগা মৈদিংঙু গৌরশ্যামসিবু খুদক্তা ফম্বাল তোংহল্লগা মরাম্বা (মরাম ঙম্বা)হায়বা ফম্বাল- মিংথোলসিসু পীখি অমদি মনাউ ঈবুংঙো ভগ্যচন্দ্রবুসু যুবরাজ ফমথোন হাপ্পীখি। অসুম্না মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা মশাগী খুজীন- থৌরাং অমসুং মপাঙ্গলনা ফম্বাল মুনবা পাম্বশিংগী মখুত্তগী ফম্বাল হন্দোক্তুনা লৌরগা মশামক্লা ওইবা য়ারবা তাঞ্জাদা নিংথৌ ফম্বালদুগী অশেংবা হক লৈবা মীগী মফমদা কথোকখি। মহাক্লা নিংথৌ ফম্বাল হন্দোকপা অমসুং ফম্বালসিগী ফংফম থোকপদুদা মহনফমদা হঞ্জিনহনবগী থৌরম- পরীংসিগী মহৈ ওইনা থোক্লক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংদি:-

কোনোক কোংয়াম্বগী কুম শক ১৬৭৫..... হিয়াঙ্গৈ থা..... ২০নি নিংথৌকাবদা মৈদিংঙু মরাম্বনা ফম্বাল কাইএ। নিংথেম শঙ্গোয়তাবদি অৱারম তানথোকএ।। খুমনথেম্বা পুখ্রনবা লুৱাং, ওয়না শেকমু ২মা হাৎনৈএ।। তোল্লেম তোম্বা ওক্তোং (ম্যাম্মার বোর্ডরদা) দা থাই- এ [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,১২১]।

অসিনি। ভরত শাইসিদি অৱাদা অদুম লৈখ্রে অমসুং মহাক্কী চাদা- নাউদাশিংসু অৱা লৈখ্রে । অদুগা মপাবু হকথেংননা তানা থিনবা তোল্লেনতোম্বা (শত্রুঘ্ন শাই)দি নিংথৌ ওইনবা লানহৌরকপদগী য়াংকোকঙা

মাইচৌনা পান্থোইবীগী শুমাই মমাঙ(ফাষ্ট এমঃআরঃগী মখারোমদগী থিরকপদা অহানবা গেটকী মপাগী অৱাংদা লৈরিবা বাবুপড়াগী মখা থংবা লম মচেৎ অমা)দা কব্রং থৌরীনা থৌরী য়াল্লগা হাৎখি। [মথক্কীসিদা, ১২২]। অসুম্না ঈবুংশীজ আনন্ত শাইনা শগোল মমাঙদা পুঞ্জাও পুদুনা মৈদিংঙু ভরত শাইবু লাং থাকখি অমসুং ওকপীদনা ফি কুপ্তুনা গৌরশ্যামবু নিংথৌ হাপখি।

নিংথৌ ওইবা পাম্বা নত্তে
নিংথৌ খুবম মুৎহন্দবা পাম্বনি

মৈদিংঙুচা আনন্ত শাই, নিংথৌ ফম্বাল কল্লকপা, মশানা নিংথৌ ওইবা, সিংহাসন্দা ফম্বা নত্রগা কংলা ফম্বাল তোংবা পাম্বা নত্তে: মহাক্লা পাম্লিবদি নিংথৌ খুবম মুৎহন্দনা লৈপাক্কী চৎলম- লুপতিন্না পীবা নিংথৌ ওইফম থোকপা মীশক অদুনা নিংথৌ ওইদুনা পানবা হায়বসিনি। মহাক্লা মপাগী অরোয়বা লাইথৌ (আন্তিম কর্ম্ম=শ্রাদ্ধ কর্ম্ম) পাংথোকপগী ফংফম থোকপা লৈরবসু অমসুং মপাঙ্গল- মথৌনা, মরৌশিঙ- মবুদ্ধিনা নিংথৌ ফম্বাল মখুত্তা থল্লবসু মহাক্লা নিংথৌ ওইগে খনখিদে। অসিগুম্বা কথোকপা অমসুং মশাগী ওইজবা থাদোকপা (স্বার্থ ত্যাগ),- খ্বাইদগী হেন্না থম্মোই চাওবা ৱাখল ৱাংনা খনবগী খুদম উৎখিবা মীওইশিং - ডাঃ কমলনা খঞ্জখিবা আর্য্যবত্তগী লমদমসিদনি অমসুং পৃথিবী লৈপাক খুদিংমক্তা য়াম্না তাংঙি। কমলগী আর্য্যবত্তদুদা লাইরিক লাইশুগী নত্রগা শা- উচেক্লা মীরোন ঙাংবা ৱারী শীঙবুনগী অমসুং লাই- তীনগী / লাইওই- তীনওইবগী ওইবা ৱারী শীঙবুনগী মীশক অনি - সূর্য্যবংশকী অযোধ্যাপতি দশরথগী মচা ভরত (রামায়ন মহাক্যাবগী) অমসুং চন্দ্রবংসকী হস্তীনাপুরগী গঙ্গাপুত্র ভীষ্ম (মহাভারত মহাকাব্যগী) থকসি ফংঙি অদুবু মনিপুর ইতিহাসকী পরীংদগী মখোয়গী অসিদগী শরুক মরি ওইনা (১) গরিবনৱাজ মহারাজগী মচানুপা অহন মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপা, (২) মৈদিংঙুচা আনন্ত শাই, মশামক, (৩) মৈদিংঙু লাবন্যচন্দ্রগী মচাঈবুংঙো হেরাচন্দ্র (তাকু নিংথৌ), (৪) মৈদিংঙু নরসিংহ ঐখোয়গী ঈনিংথৌ নুংশিখিবা, (৫) মৈদিংঙু নিংথেমতোন চৌরজিৎ মহারাজগী মচাঈবুংঙো সনাচহি অহুম (রনজিৎ / নরেন্দ্রজিৎ সিংহ),(৬) যুবরাজ / সেনাপতি কোইরেং নত্রগা টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ,(৭) শান্নোংবা লাল্লুমখোম্বগী মচাঈবুংঙো ৱাংখৈ চীঙঙায়াঙবা অমসুং (৮) মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবগী সনাঈনি শৈথানবা / শীঙথানবা ৱাংখৈ পুখ্রনবা মচা খুল্লীং নত্রগা বিনিন্দ্রাম - হায়রিবশিংসি ফংঙি। মৈতৈ জাতিসিগী কথোকহৈবা, মশাগী ওইজ- ওইথক থাদোকপহৈবশিং অসিগী লৈঙাক্লোন্দা নিংথৌ খুবম কনখিবগী ইতিহাস লৈবগুম মৈদিংঙুচা আনন্ত

শাইগীসু লৈজে। মহাক্না মশানদি নিংথৌ ওইদনা অমসুং ওইনীঙদনা নিংথৌ খুবম মুৎহন্দনা য়োক্কুনা থম্মনবগী হোৎনখ্রিবা মতৌ অসি মহাভারত মহাকাব্যদা য়াওরিবা চন্দ্রবংসদগী পোক্লকপা কুরু বংসকী শান্তনুনন্দন নত্রগা গঙ্গাপুত্র ভীস্মগী লাইওই- তীনওইবগী পুন্সিদুনা হেন্দে। হায়রিবা কথোকপা থাদোকপসিগী মথক্তা রাজসেবক অমসুং দেশভক্ত অমা ওইনা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা পুরকপা লৈপাক থৌদাংগী মখা চথরকপা ইতিহাসকী থৌদোক ৱাথোকশিং খরদি:-

(১) সেনাপতি ওইনা আনন্ত শাই

খৃঃ ১৭৫৩গী ডিসেম্বর থাদা মৈদিংঙু আনন্ত শাই অমসুং কেগে ৱায়েনবমচা খেল্লেম্বনা মৈদিংঙু মরাম্ব [গৌরশ্যাম (খৃঃ ১৭৫৩- ৫৯ অমসুং খৃঃ ১৭৬১- ৬৩]বু মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বান্দা থাঙৎলবদা ঈবুংশীজ আনন্ত শাইবু চহিসিদা সেনাপতি অমসুং ৱায়েনবমচা খেল্লেম্বু খৃঃ ১৭৫৭তা মোইরাং নিংথৌ হাপখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২২]। হায়রিবা মতম তাঞ্জাসিদা নিংথৌ পান্দনা লৈপাক কাং- খোং চাইরুবা ম্যাম্মা / অৱা লৈপাক্তা তোঙ্গু নিংথৌ শাগৈগী অরাপ্পা নিংথৌশাগৈ মচা, ঔঙ- জা- য়া (Oung-za-ya) কৌবা মূৎ- শো- ভো(Moot-tsho-bho) কৌবা কংলৈগী লৈঙাকপসিনা খৃঃ১৭৫৪দা মহাক্কী মতীক- মপাঙ্গন্না হায়রিবা কংলৈ (টাউন)সিদা কোনুং ওইদুনা ম্রাম্মাশিং অনৌবা নিংথৌ- শাগৈ কোনবাউঙ (KONBAUNG) লীংখৎলক্কুনা "অলাউঙ ফায়া / প্রা(খৃঃ১৭৫৪- ৬০)" হায়বা মিংথোন লৌদুনা ম্রাম্মা লৈপাকসি নিংথৌ পানবা অমুক ওইহল্লক্লম্মী (C.B.A.,1987,297-307)। মহাক্না মহাক্কী লৈপাক শন্দোক্লকপদা ঈবুংশীজ আনন্ত শাইনা সেনাপতি ওইনা লৈঙাক্লিবা মৈত্রবাক মেখলে / মেক্লেগী লমসিদা খৃঃ ১৭৫৮গী ডিসেম্বর লোয়শিল্লকপদগী লান্দারক্কুনা খৃঃ ১৭৫৯গী মার্চ থাগী লোয়বা ফাওবদা লানগী ঈরাংনা মৈত্রাং পাইরম্মী। মসিগী ঈ- পাউদি:-

> থিংকুজম অমুগী কুম শক ১৬৮০ হিয়াঙ্গৈ থা (খৃঃ ১৭৫৮গী নবেম্বর- ডিসেম্বর)দা ঈবুংশীজ ভাগ্যচন্দ্র যুবরাজনা শাইখোম খাবম লাকপগা সমসোকলোমদা, ঈবুংশীজ আনন্তশাইনা মোংবীজাম্বা নহারুপ লাকপগা তুমুলম, লাল্লম ২মা অৱা নাবা চৎলে। অৱানা তকথোকলকএ।। ককচীঙ তান্না হন্দোকলকএ।। হিয়াঙ্গৈ থা ২৮নি ঈরাইদা মৈদিংঙু মরাম্বা অৱা নাবা শানএ।।........।। পোইনু থা হুমনি লৈপাকপোকপদা ককচীঙগী তেঙ্গোল কায়নৈএ।। ১১নি লৈপাকপোকপদা লৈশাংখোংদা মনাউ ঈবুংঙো যুবরাজনা শোক্লববু

ঙমদদুনা লৈপাক তাকএ॥ অৱানা নুমিৎ ৯নি লৈরমএ॥ হাওনাইদগী কুমলক্কুনা মৈতৈলৈপাক খুনলিংএ [চৈথাঃকুমঃ ,২০০৫,১২২] ॥
অসিনি। মথক্কী "হাও- নাইদগী কুম্লক্কুনা খুল্লীংঙি" হায়বসি মৈতৈ নিংথৌ মচীন- মনাও, অঙম- অথৌনচিংবসি শঙাইথেলগী চীঙথক্তা কাদুনা অমসুং মসিগী অকোয়বদা লোক্তুনা লৈরুরগা অৱাশিংনা চৎখ্রবা মতুংদা থোক্লক্কুনা লৈপাক- লৈঙাক অমুক তৌরবগী ৱাফমনি। অদুগা মথক্কীসিনা মৈতৈগী ঈ- পাউনি, ব্রাম্মা / অৱাশিংনা পীবা ঈ- পাউদি:-

.... Taking advantage of the disturbances in Burma the Manapuris, in 1754-55, recommenced their aggressions, and in the latter year Aloung-bhoora despatched a force under one of his near relations which overran the country, owing its success mainly to the use of fire arms. After his return form Pegu Aloung-bhoora himself advanced up the valley of the Khyeng-daweng, in 1758, and crossing the Ungoching hills by Khambat route, he entered the Manipur valley by the Imole pass and after a sanguinary battle with the inhabitants under Burut Shah, he occupied the capital where he remained for thirteen days. He was recalled thence by the news of a rebellion amongst the Peguans who had recaptured Rangoon ......[C.B.A.,1987,305]

অসিনি। তশেংনমক খৃঃ১৭৫৮- ৫৯গী অৱা লান অসিদা কোনবাউঙ নিংথৌ শাগৈ লীংখৎলিবা ঔঙ- জা- য়া / অলাউঙ- ভূরা (খৃঃ১৭৫৪- ৬০) মশামকসি মৈতৈ কোনুংদা নুমিৎ ৯নি (অৱানা চথোক- চৎশীনগী মতম থারগা নুমিৎ ১৩নি) লৈরম্মী। হায়রিবা মতম তাংককসি ব্রাম্মাগী ইতিহাসতা কোনবাউঙ নিংথৌ শাগৈসিগী পুকোকসিগী শামু ময়ানা থিন্দোক্লকপদা মঙ্গে থেঙ্গুনা য়ৈশিনবা ঙমদে হায়বগী তাঞ্জাদুনি। অদুবু মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা মহাক্কী তৌফম থোকপদুদি অদুম্মক তৌদুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল য়োক্ল- কন্নবদুদি অদুম মহাক্কী ঙমজবা থাক্তা হোৎনজখিরম্মী।

(২)খ্বাইরাকপা ওইনা আনন্ত শাই

খৃঃ ১৭৫৮গী অৱানা লান্দরক্তুনা মৈত্রবাকপু মতম খর খুদম চল্লন্বা অসিগী মতুংদা খৃঃ১৭৫৯গী এপ্রিল থাদদি মৈদিংঙু মরান্বনা অহল্লমনশিংনা পীবা ৱায়েন অমদি মনাউ ঈবুংঙো ভাগ্যচন্দ্রগা য়ানখিবা চহি ৫।৫ নিংথৌ ওইনবা, নিংথৌ ওইদবদুনা যুবরাজ ওইনবগী ৱাফমসিদা মৈদিংঙু মরন্বা ফম্বাল কুন্নগা মনাউ ঈবুংঙো ভাগ্যচন্দ্রনা "চীঙথাংখোম্বা / চীঙথংখোম্বা" হায়বা ফম্বাল মিংহুনসি লৌনদুনা ফম্বাল কাখিরম্মী। অদুগা মতম অদুৱাইদা ঈবুংশীজ আনন্ত শাইসু মাগী মীচঙ হেনগৎহন্নবা সেনাপতিগী ফমথোন, মনাউ ঈবুংঙো হরিচরন শাই (মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী রানী চিনফুরোন / চীঙঙাখমচনু শরীঙম্বীনা পোকপা)দা পীরগা মহাক্লা খুরাই লৈকোক লৈকায়গী লাকপা, খুরাইরাকপা ফমথোল লৌদুনা লৈপাক থৌদাং পুরকখিরম্মী। মহাক মতমসিদা মৈতৈ লৈপাক্কী ওইনা কুম্বারোন [শক(Era)] অমা শকাব্দ ১৬৮২ (খৃঃ ১৭৬০)দা পুথোক্তুনা চৎনহনখিবসিদা লৈপাক্কী অঙম্বা অমা ওইনা শরুক য়ারম্মী।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা / ভাগ্যচন্দ্র, হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী নিমাৎ / নিমান্দি সম্প্রদায়দা য়াম্না হকচিন্না মিৎয়েং থমজবা রাধা- কৃষ্ণগী যুগল মুর্ত্তি লাৎচবা বৈষ্ণব অমনি। অদুগা মহাক্লা অৱাগী কনখৎলক্লিবা মপাঙ্গনসিনা মৈত্রবাক্তা লান্দারকপগী ঈরাংসি ঙাকথোক্লবগী ৱাফম খন্নদুনা লৈরিঙৈ, খৃঃ ১৭৬০গী মতমসিদা কলকটাদা লৈরিবা বৃটিশ ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনীদা মনিপুরগী অয়োকপা মপা হাৎপগী তান্থোকখিবা গোমতী রানী অমনবীগী চেল্লকপা মচা চিংশাইনা মহাকপু মনিপুরগী সিংহাসনদগী মরম চাদনা তান্থোকপীরে, মনিপুরগী সিংহাসন হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়দুনা মতমদুগী ত্রিপুরাগী নিংথৌ কল্যান মানিক্য (খৃঃ১৭২৭-৬০)গী মতেং লৌদুনা দরখাস্ত থারক্লে। মসিগী অচুম- অরান, মরম চাবা- চাদবা, নিংথৌ ওইফম থোকপা নত্রগা থোক্তবগী মরমদা অশেংবা ৱাফম পীয়ু, হায়না মতমদুদা নোংপোক থংবা বঙ্গলাদেশগী চিট্টাগোংদা লৈবা চিটুগোংগী ফেক্তরীগী মপু হেরী ভেরলষ্ট (Herry Verelst) না ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনীগী ওনরেবল মেম্বর ওফ সুপ্রীম কাউনসিল (Honourable Member of the Supreme Council) অমা ওইনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদা ৱাহং- পাউহংলক্লম্মী। হায়রিবা ৱাফমসি মৈত্রবাক্কী চৈরাপ ফম্বৈদা খন্নরবা মতুংদা হিরমসিদা মায়পাক্লবা থবক পুবা ঙমগদবা,চিট্টাগোংগী ফেক্তরীগী মপু বৃটিশমচাদুনা ভাব তাননবা ৱা ঙাংনরুগদবা মীশক অমা নেকপা অমসুং মীশক্তুনা চিংশাইগী ৱাফমশিংদু হুন্দোকহনখ্রবা মতুংদা অৱাশিংনা মনীঙ তম্না মনিপুরদা লান্দানীঙবা মতমদা লান্দাবনচিংবসি থিংননবা বৃটিশ ঈষ্ট

ঈন্দিয়া কম্পনীগা মনিপুরগা মতেং- মতেং পাংননবা, তেংবাং পীনবগী ৱাফমশিং থাঙ্গত্তুনা য়ানবা পুরকপা ঙমগদবা মীশক অমা ওইগদবনি হায়বগী ৱারমশিংসি ৱারেপ্লখিরম্মী। মৈত্রবাক্কী চৈরাপ ফম্বৈনা লেপ্লরিবসিগী থবক পায়খৎনবা অমসুং পুননবা মতমদুদা বঙ্গদেশতগী মনিপুরদা কোয়রকপা নত্রগা লাক্কুনা লৈরবা (মহাকসিগী অশেংবা লাকফম খঙদে,) হরিদাস গোষাই কৌবা (লম্বোইবসু হায়) বেঙ্গোলী নুপা অমদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা শিন্নরে। হায়রিবা হরিদাস গোষাইসিনা থীন্দনা চিট্টাগোংদা চত্তুনা ভেরলষ্ট উনখিরম্মী। অদুগা মহাক্না ঈ মতুমদগী চাওনবা য়োকপীরকপা অমসুং নিংথৌ সিংহাসনসু পীবীবা অয়োকপা মপাবু করিগীদমক্তা হাৎলিবনো, মসিদা লৈপাক- প্রজানা য়াফম থোকপরা, অসিনচিংবা পুন্নমক্তু মিঃ ভেরলষ্টতা শুগায়না লীদুনা অমসুং হায়দুনা ভাব তাহল্লে। অদুগা মহাক্কী পরীংদগী মতমদুগী বেঙ্গোলগী গর্ভনর ঐচঃ বেনোসিটার্ট (H.Venositart) (য়ঃভঃ,১৯৮২,৮৩)তা পুখৎহন্দুনা মৈতৈগা বৃটিশকা মতেং মতেং পাংনবগী ৱাফমদুগী থবক পায়খৎখিরম্মী। বেঙ্গোলগী গর্ভনরসিনা চিৎশাইগী তৌশিন্নবদু খঙলক্কুনা মাগী ৱাফমসি ককথৎখ্রগা পুখৎলক্লিবা মতেং পাংনবগী ৱাফম লৌখত্তুনা হায়রিবা হিরমসিগী ওইনা মনিপুরদা থিজিন- হুমজিল্লুনবা বৃটিশ ওফিসার অহুম বেঙ্গোলী হরিদাস গোষাইগা লোইননা থোরকখি। মদুগী ঈ- পাউদি:-

নাউসেকপম চীঙবনগী কুম শক ১৬৮৩ (খৃঃ ১৭৬১)...লম্বোইবা হরিদাসনা তেলঙ্গা লোইনরক -এ (চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫,১২৩)।

অসিনি। মসিদা তেলঙ্গা হায়রিবসি মৈতৈনা বৃটিশশিংবু ফিরাংজি / ফিরিঙ্গি, মলেসনচিংবনা খঙনদ্রিঙৈগী মমাঙদা শীজিন্নরম্বা ৱাহৈনি (কঃ১সুং বঃ ১৯৯০,১২০-২১)। মখোয় বৃটিশমচাশিংদু মনিপুরদা থা ৬, ৭(তরেৎ) রোম রোম লৈরগা থিজিন- হুমজিনবগী থবক চৎখি। হায়রিবসিগী খুদম - চাংদমদি :- ঙারংয়ানবা পল্লিংগী কুম শক ১৬৮৪ ফাইরেন থাদা (খৃঃ১৭৬২গী ফেব্রু:- মার্চ, মসি মৈতৈগী কুম্বাবগী শক শোয়রবনি) ঈবুংঙো চীঙথংখোম্বা যুবরাজনা লম্বোইবা হরিদাস, তেলঙ্গাসুং লোইননা সোকপাও নাইএ।। সোকপাও ঙম- এ, লান য়াম্না ফাইএ (চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,১২৪)। অসিনি। অসুম্না মনিপুরদা লৈরম্লিবা বৃটিশ ওফিসারশিংসিনা থা ১৪গী মতুংদা হনখিদুনা মখোয়গী রিপোর্ট থাগৎলগা য়ানবা পুরক্তুনা চহি (খৃঃ১৭৬২)সিগী সেপ্তেম্বর তারিক ১৪ নংননবা হরিদাস গোষাইনা ইস্লাম্বাদ(কলকটা / ঢাকা?)তা চত্তুনা নুমিৎসিদা য়ানচে(সন্ধী পত্র) সহি তৌনরুগদৌরিবনি অমসুং তৌনখিরম্মী।

বৃটিশকী য়ানচেদা আনন্ত শাইগী খুৎকী খুদম

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বসিনা নিমান্দী বৈষ্ণব ধর্ম্মসিদা হকচিন্না পুক্নীঙ-ৱাখল থমদুনা চৎপসিনা ব্রাহ্মন- বৈষ্ণবশিংদসু য়াম্না ঈকাই খুম্ননা চৎচৈ। মরম অসিনা খৃঃ ১৭৬১দা ইংলিস মচাশিংনা মৈতৈ লৈপাক্তা অহানবা ওইনা খোঙদারকপা মতমসিগী মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ব্রহ্মচারী, তাংখম খুন্দা লৈবা অমবু ব্রহ্মচারীদুগী মনাইনা হাৎখি, হায়দুনা নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্লগা ময়াম্বুংশী মরাম্বদা শিন্নখিরম্মী। মসিনা মহাক্না হৌদোক্লম্বা মৈতৈ- মলেস য়ানবগী ৱাফমদুদা মহাক্না নিংথৌ ওইদ্রবদুনা সহি তৌনখ্রবা য়ানচেদু চৎনবা য়াররোয়দবা ওইবনা বৃটিশশিংনা য়ানচেগী মরমদা খন্নরগা নৌনা চৎনবা য়াহনবা য়ানচে অমা শেম- শানবগী ৱাফম খঙহল্লক্তুনা পাল্লিবা নিংথৌগীদমক্তা থৌদাং লৌবা ঙম্বা মীওইশিং থারক্ল বা খঙহল্লক্লম্মী। ৱাফম অসিগী ঈ- পাউ ফংলবদা মৈতৈ চৈরাপ ফম্বে তীন্নদুনা খন্নরবা মতুংদা মৈদিংঙুগী পন্থৌ - মপাতোন আনন্ত শাইবু খ্বাইরাকপা ফম থিদোক্লগা মহাক্না লুচিংবা মীওই অহুম অমসুং মফমদুগী চৎনবা বাঙ্গলা লোন খঙবা জগন্নাথদাস কৌবগা থাদুনা য়ানচেদু শেমদোক- শাদোকপনচিংবা তৌরুনবা থাবা হায়না ৱারেপ্লখি। মরম অসিনা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনচিংবা মীওইশিংদু খৃঃ ১৭৬৩ দা ইস্লাম্বাদ (মতমদুগী) তা চৎখিরম্মী। হায়রবসিগী ৱারোন্দি :-

........শন্থাম পল্লিংগী কুম শক ১৬৮৫ (খৃঃ ১৭৬৩)....

ঈবুংশীজ খ্বাইরাকপা আনন্ত শাইনা জগন্নাথদাস লোইননা ফিরিঙ্গিদা চঙখিএ।। থা ৯দা থুংলৈএ (মথক্কীসিদা,১২৪)।

অসিনি। অদুগা হায়রিবা য়ানচেসি শেমদোক- শাদোক্লগা খৃঃ১৭৬৩সিগী সেপ্তেম্বর তারিক ১১দা ঈবুংশীজ আনন্ত শাই, খ্বাইরাকপা,পোদুল্লো সিংহ অমসুং চিত্তোন সিংহ, হাজারীনা মৈদিংঙু মরাম্বা / গৌরাশ্যাম সিংহগী মহুৎ শিন্দুনা মৈতৈ লৈপাক্কীদমক্তা মৈতৈ- মলেমকী য়ানচেদুদা মখুৎকী খুদম নমদুনা য়ানবগী ৱারোল লৌনখি। অসুম্না মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা নিংথৌ ওইদ্রবসু লৈপাক্কী থবক অমসুং থৌগল তৌবা য়াই, হায়বসি উৎখিরম্মী।

অৱাগী লান্- তা অমসুং লৈপাক কায়বদা

মৈদিংঙুচা আনন্ত শাই, খ্বাইরাকপনা মৈদিংঙুগীদমক্তা লৈপাক থৌদাং লৌদুনা মলেসশিংগী লমদা থা ৯লোম লৈরুরগা থোক্লক্তুনা য়ানচেদা য়ানবগী খুৎকী খুদম থম্নদুনা য়ানবা পুরকখ্রদুনা মরৈপাক্তা থা ৯গী মতুংদা থুংলদুনা বৃটিশকী মতেং ফংলগনি হায়না পাউদমখি। অদুবু মসিগা মতম ইকান কান্নদনা মৈদিংঙু মরাম্বা শক ১৬৮৫সিগী থৱান থাগী ২৯নি পানবা

লৈপাকপোকপা নুমিত্তা মশাগী চহি ৩৬।৩৭ খক্তদা লাইগী খুৎয়া তানখি। মসিনা মরম ওইদুনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা অমুক হন্না নিংথৌ ওইখিরম্মী। নিংথৌ ওইবসিগী চহি অমগা থা ৬ লোমদা ঙাইরিঙৈদা মৈত্রবাক্কী নোংপোক্লোমদগী লানগী মৈখু কারকখি অমসুং অৱানা লান্দারক্তুনা মৈত্রবাকসি লৈপাক কায়রম্মী। হায়রিবা মতমসিদা মৈদিংঙু আনন্ত শাইনা উখিবা থৌদোক- ৱাথোক, তৌখিবা থৌওং- থৌদৌগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবদা করিসু পন্দে। মরৈবাক্তা মীনা লান্দরক্লগা অমসুং মরৈপাক কায়রগা মৈদিংঙু আনন্ত শাইগুম্বা নিংথৌমচা অমনা খুৎ পুম্বায়নদুনা ফমদুনা লৈরমগনি হায়মসিদি থাজবগী ৱাংমদনি।অদুবু মতাংসিগী পীবীরম্লিবা ঈ- পাউদি:-

...... লাইশ্রম কংগারামগী কুমদি শক ১৬৮৬ ৱাকচীঙ থা (খৃঃ ১৭৬৫গী জানুৱারী- ফেব্রুৱারী)দা ঈবুংশীজ হরিচরন সেনাপতিনা অৱ া নাবা চৎএ।। তুমু কৈথেম্দা অৱাগা শোক্লববু ঙমদুনা চেল্লকএ।। নহারুপ হাজারী, ক্ষেত্রি চৈতন্যগা ২মা শিরৌএ।। ফাইরেন থা ২৮নি ঈরাই (মার্চগী অনিশুবা চয়োন)দা মহারাজনা অৱা নাবা চৎলে। ককচীঙদা তেঙ্গোন শাইএ।। চৱনা পন শাদুনা অৱাগা য়াম্না কন্না শোকনৈ এ।। ঙমদদুনা চেল্লকএ।। বাজি হরিদাস, বনলকচান, নাকনবা হাজরি ৩মা য়ান্নদুনা লৈরৌএ।। লৈপাক তাকএ।। নিংথেমদি ময়াংলম চেন্দুনা তেখাও লৈপাক য়ৌখিএ।। (মথক্কীসিদা, ১২৪)

অসিনি। মতমসিদা ঈবুংশীজ আনন্ত শাই, মশাগী চহি ৪০ (নিফু) খক্তা ঙাইরি। মহাক লানসি য়াওরম্লোইদ্রা, লৈপাক তাকপসিদা মহাকসু লান্নংলিবনি। অদুবু ময়ামদগী থোইদোক- হেন্দোকপা থবক নত্তবনা মহাকপু পন্দবনি। লৈপাক কায়বসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি কছাররোমদা চেনখিদুনা নাম্থোকখ্রে অমসুং অৱানা লৈপাকসি মখোয়গী খুদম মখাদা থমখ্রে।

ৱায়েনবমচা খেল্লেম্বদা মোইরাংলাই- লাইচুবা

মৈতৈ কোনুংদা চাওরাকপা, মৈতৈ নিংথৌমচানুপী লৌবা ৱায়েনবমচা খেলেম্বা, মহাক্না তৌরুবা কথোকপা, অচুম্বগী মীচঙদা লেপ্পা অমসুং মফম- মতম চানা মথৌনা- মরীংজেন উথোকপগী মহৈনা মমাক ঈবুংঙো মৈদিংঙুনা মোইরাং নিংথৌগী ফম্বালবু খুদোল ওইনা খৃঃ ১৭৫৭তা কৎচদুনা ঈকাই খুম্নবা উত্তুনা তৌবীমল খঙবা ফোংদোকখ্রে। মমাক অনিনা য়াইফত্রবসিদদি মহাক্না পুরকপা মচনঈবেম্মগী পোৎলুম কোকথোংদু থারে, হায়দুনা নীঙলম্মী। মহাকপু মোইরাং নিংথৌগী ফম্বাল খুদোঞ্জবদু পাম্না লৌখি , মরমদি মহাক্কী মপা- মপুগী পোকলেন- পোকপা পুকোক লৈয়ি

লান্থাবনা ফম্বাল অসিগী হাক্তক্তগী মশাগী পোক্লফম লমদম মোইরাং থাদোক্তুনা কৌব্রু চীঙ্গোলগী লমদমদা খুনহোংলকখিবনি। মরম অসিনা মহাক কংলৈপুঙদা তোয়না চৎখিদ্রে, মরমদম মোইরাংগী লমদমশিং কোয়না চত্তুনা য়েংবদা অমসুং ময়ুম মোইরাংগী মপা- মচা, শাগৈ- নাতৈনচিংবগা লোইনদুনা লৈবদা মশাদা অপেনবা ফাওজরে। মতমসিদা মোইরাংগী অনকপা পাৎ- কোম অমসুং থমং- তরংগী তূ- খোংদা চাক্তাবা তম্নলাইশিংনা "কেগে মোইরাংনা খৃঃ১৪৬৬তা মোইরাং - লান তকশিন্দুনা লৌখিবা লমসি চীঙঙা চীঙদুমগী লম ফাওবনি (কঃয়ঃসঃ, ১৯৭২,৭৯-৮০ অমসুং মঃনঃলঃ,খঃলঃ)" - হায়বসিনা ঙংবদা তাহল্লস্মী অমসুং তপ্না তপ্না মহী- ময়াইদু থাজিল্লক্তুনা লাইচুশিল্লক্লস্মী।

অৱা / ম্রাম্মাগী কোনবাউঙ নিংথৌ- শাগৈগী আলাউঙ- ভূরাগী অনিশুবা মচানুপা শেঙ- প্যু- শেঙ (Sheng-hpyu-Sheng (1764-79)] না মহাক্কী অৱাং- নোংচুপকী ঙমখৈ শন্দোক্লকপদা মনিপুরদা লান্দারক্তুনা লৈপাক কায়বা, মৈদিংঙুনা কছার লৈপাক্তা চেনখ্রবা অমসুং মৈতৈ নিংথৌমচাশিং পুম্নমকসু শিখিবনা শিখ্রগা মানা মানা থোকপা চেন্নখিদুনা থৱাই হিংননবা হোৎনখিবা মতমসিদা মৈতৈ লৈপাক্কী মীয়াম পুম্নমক্লা মপী- মপা লৈত্রবগুম মায়কৈ খঙদনা মফম অমদা অমুক চেন, মফম অমদা অমুক লোৎ, তৌদুনা অৱাশিংগী মখুক্তা নংখিবা ফিবমদু উরুবদা মোইরাং খেল্লেম্বনা মখোয়গী উকন তৌগে, অৱাগা মহাক্কা য়ানবা অমা পুরক্তুনা অৱাগী ওৎ- নৈবসি তোকহনগে হায়না লেপ্লদুনা লান্দারক্লিবা অৱা নিংথৌগা উন্নরস্মী অমসুং তাইশিন্ননবগী ৱারম ঙাংনরস্মী। অৱা নিংথৌসিবু মৈতৈনা অৱা তোংদোই নিংথৌ কৌই অমসুং মহাক লাক্লস্মী হায়বগী খুদম- চাংদমদি:-

.... In 1765 Tsheng-hpyoo Sheng attcked Manipur and took possession of the Capital, remaining there a month and retiring with his army laden with booty; no assistance of any kind was afforded by the British.[C.B.A,1987,313]

অসিনি। হায়রিবা অৱা নিংথৌসিদা ৱায়েনবমচা খেলেম্বনা মজাইবেম্মা ঈৱাংলোন সমজমনি পীরগা তাইশিন্নদুনা য়ানবা পুরকখি। অসুম্না কোয়ঙাওনদুনা লৈরম্লবা মৈতৈগী মীচম- মীয়াম পুম্নমক্কী অৱাবা কোক্লবা শীল্লস্মী। হায়রিবা য়ানখিবগী পাউসি তাবদগী চোয়জায়ননা কোয়চেল চেল্লুরবা মৈতৈ মচা পুম্নমক মোইরাংগী লমদমদা খুদোংচাবা মফম থিদুনা চঙজফম লৌদুনা লৈনরস্মী।

মোইরাং নিংথৌগা অৱানিংথৌগা য়ানখিবগী পাউসি তাবদগী মৈদিংঙু আনন্ত শাইসু মবাই মোইরাং নিংথৌগী মনাক্তা লাক্লম্মী অমসুং য়ানরিবা ময়ানদুগী মরমদা ৱারী শানরম্মী। অৱা নিংথৌনা মৈতৈ কংলা কোনুংদা থা অমরোম লৈরগা ময়ুমদা হনখ্রগে খল্লক্লবদা মোইরাংনিংথৌ খেল্লেম্ববু কৌরগা মৈতৈ লৈপাকসি মহাক্কী মচানুপীগী মনকৎ / মংকৎ (Bride-price) পীবগুম শীন্নরম্মী। হায়রিবা থৌদৌ অসিদগী মোইরাংনিংথৌসিগী ৱাখলসি হান্নন লাইচুদুনা লৈরবা থমং- ঈয়ৈবীগী লাইশিংদু পাইখৎখিদুনা উক্রোঙ অহোবদা কাইদোংখ্রে অমসুং মোইরাং নিংথৌগী ৱাখল ফাথবা ঙল্লক্রে। মহাক্কী ৱাখলদা মোইরাং নিংথৌ ওইবদা নত্তনা মৈতৈ লৈপাক পুম্নমক্কী নিংথৌ ওইবগী ৱাখল ফাওরক্লে। অদুবু মহাক্কী ৱাখলসিদা অয়েৎপা পীরগদবা মীশক্তু মতমদুদা মহাক্কী মনাক্তা লৈরে। মরম অসিনা য়েৎলক্কদৌরিবা মীশক, মহাক্কা হৈবা- শিঙবা মান্নবা, মথৌনা- মরীংজেন খেন্নদবা, খুৎশূ - খুলাইগী মহৈদসু হেন্নদবা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইসি ফাজিন্দবা য়াদে হায়বসি লেপখ্রে। চীনগা খুৎকা মান্নবা, ৱাখলগা থবক্কা শাগোন্নবা মোইরাং নিংথৌ খেল্লেম্বনি, ময়ামগী পাঙ্গলগা অমতগী পাঙ্গলগদি মান্নদবনিনা অচানবা, অখন্নবা মনাইশিং থাজিন্দুনা মৈদিংঙচা আনন্ত শাইবু ফাজিন্দুনা মোইরাংগী কৈশুমশঙদা শুমখ্রে। মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনা কেগে কৈশুমশঙ হেক য়ৌখিবগা মোইরাংনিংথৌনা মহাক্কী নিংথৌ ওইবগী থবকশিং পায়খৎলকখি। হায়রিবা ৱাফমসিগী চৈথারোল কুম্বাবদা তৌরিবা খুদমদি:-

......লাইশ্রম কংগারামগী কুম শক ১৬৮৬....লৈপাক তাকএ।। নিংথেমদি ময়াংলম চেন্দুনা তেখাও লৈপাক য়ৌখিএ।। লৈপাক অয়াম্বা মোইরাংদা লৈএ।। বামোন পীতম্বরগী কুমদি শক ১৬৮৭ (খৃঃ ১৭৬৫) মহারানী অখা(অখামচনু ঙাংবী)বু নিংথেম তান্না ময়াং চঙহল্লে। মহারানী (খুমন্থেমচনু লীক্লাংখোম্বী / চীলমনি)সু মচাইবুংঙো হেমচন্দ্র যুবরাজসুং ময়াংদা লীলা ওইএ।। ঈবুংশীজ দুর্লভ শাইনচিংনা লৌক্রকপম হাজরী, চীঙঙাখনবা হিনাউহনবা, শঙলেন শ্রীরাম মখোয় ৪মা মোইরাং নিংথৌনা হাৎলে। বামোন জয়কৃষ্ণগী কুমদি শক ১৬৮৮(খৃঃ১৭৬৮), মোইরাং ন্দ্রমনিনচিংবা কাওরেন ওন্থা পঞ্জাও থোন এ। তোবর্বুঙদা কিয়ামগৈ খুন লীংহন- এ মোইরাং নিংথৌনা শাচুং নাদুনা শাচুং ঙমএ।। চন্দ্রমনিবু ময়াম্বা মোইরাং নিংথৌনা হাৎলে।। তেখাওদগী বামোন জয়দেববু মৈতৈংঙু চীঙথংখোম্বনা লাইবার ওইনা শীরকএ।। মোইরাংদা থুংলৈএ।। (চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,১২৪-২৫)

অসিনি। হায়রিবা মতমসিদা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইদি মোইরাং নিংথৌগী কৈশুমশঙদা লানফা ওইনা লৈরি। অদুগা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা লাইবার (Envoy) থারক্লিবসি অহোম নিংথৌ মতেং ফংলে, য়াম্না থুনা মৈত্রবাক্তা লাম্মীগা লোইননা থোক্লক্লগনি, হায়বগী পাউনি।

মোইরাংনিংথৌ খেল্লেম্বা খমুংদা

মেদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মহাকপু শেম্বীরকপা মাম্মা/মপুম খেল্লেম্বদা মহাক্না অহোম রাজ্যগী নিংথৌ চাও- সুরমফা[স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহ (খৃঃ১৭৫১-৬৯)]গা য়ানবা মরী পুরকপা ঙমলে, অহোম লাম্মী পুদুনা মৈত্রবাক য়ৌরক্লগনি, মমালৈপাক অৱাগী মখুত্তগী হন্দোক্লগনি, হায়বা পাউসি পুহন্দুনা তেখাও বামোন জয়দেববু লাইবার ওইনা থারকপসিদা মোইরাং নিংথৌগী লাইনা হেঞ্জিল্লম্মী। অদুবু তাঞ্জাসিদা অৱা তোংদোই নিংথৌ, শেঙ-প্যু- শেঙনা মহাকপু কৌরকই হায়দুনা খৃঃ ১৭৬৭তা ম্রাম্মা / অৱাশিংগী কোনুং অৱা কংলৈ (Ava town/city)দা চৎখিরম্মী। মহাক্না মোইরাং লৈপাক থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতমসিদা মহাক্কী অতত্বায় ওইবা মী হায়ববু মহাক্কী মোইরাংলৈমা অমসুং লৈমসিনা পোকপা খেল্লেম্বগী মচানুপা মোইরাং মশেম্বা কৌবসিনি, অতৈদি মশা ঙাক্তনি অমসুং মখোয়গী য়াথংদা হীকতোকপা ঙম্বা কনাসু য়াওবা নত্তে।

মোইরাং নিংথৌ খেল্লেম্বা নত্রগা খেল্লে নুঙনাং তেলহৈবগী মোইরাং লৈমসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে, মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজগী মমোম ৱাংঙমলোন, মহারানী য়োঙ্গরুমলোন লম্বাসু (অরাম্বমচনু) অরান্বী তবংলান্থাবীনা পোকপী, ঈবুংশীজ শ্যামশাই খুরাইলাকপগী মচন অমসুং ঈবুংশীজ আনন্ত শাইগীনা মচেমশী চীঙলাই লৈমা নত্রগা শেনবী মৱাউ লান্থাবী হায়না কৌবীদুনি। মহাক্না মৌপ্বা মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইবু কৈশুমশঙদা থম্বসি হেক খঙলকপদগী শুপয়া য়ানীঙদবনি। অদুবু মপুরোইবদা অরংননা শীঙনদুনা ৱা হৌদোকপা ঙমদবনা তুমিন্না খাঙলকপনি। মরম অসিনা মহাক্না মপুরোইবা লৈত্রিঙৈ, অৱা কোনুংদা মচানুপীগী মনাক্তা চৎখ্রিঙৈসিদা খুদোংচাবসি লৌদুনা ঈবুংশীজ আনন্ত শাই খ্বাইরাকপবু মৌপ্বা ওইবগী ঈকাইখুম্নবা পুম্নমক্তুগা লোইননা কৈশুমশঙদগী থাদোকখিরম্মী। ঈবুংশীজ আনন্ত শাইনা মহাক্কী চিরবা তাঞ্জসিদা মচেমশী মোইরাং লৈমসিনা তৌখিবা মীনুংশি অমসুং উপায় অসিগীদমক্তা মচেমশী মোইরাং লৈমসিবু শুপকাউ কাউজখিদে, হয়েং মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা মপান ফরক্লবা, মৈত্রবাক্কী অনিশুবা নিংথৌগুম পান্দুনা মহাক্কী কোনুং শেম্লকপগী থাঙ্গপাৎ (Moat) তৌরবদা মহাক্কী নুংশিজরবী মচেমশী তুবী চীঙলাই লৈমা,

শেনবী মৱাউ ঙম্বী, মোইরাং লৈমবু, তুংলমচৎকী মীরোন্না কাউদনবা , তুংদা লাকপা মীওইশিংনা নীঙশিঙননবা, মোইরাংলৈমসিগী তৌবীমল, খঙবা উৎপা অমসুং ঈকাই খুম্নবগী মশক তাকপা ওইনা "মোইরাং লৈমা থাঙ্গাপাৎ[Moirang queen's moat]" হায়না মিংথোন্দুনা মহাক্কীদমক্তা তৌবীখিবদুগী তৌবীমল কাউদবা উৎচখি। হায়রিবা মোইরাং লৈমা থাঙ্গাপাৎসি মনিপুর ইতিহাসকী মতম্না হোংখ্রবসু, মীরোন কয়ারক ওল্লবসু মহাক্তি মফম হোংদনা লৈরি। মৈদিংঙু আনন্ত শাইবু থাদোক্লকপগা মতম ঈকান কান্নদনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা মৈত্রবাক য়ৌরক্লে, শঙাইথেন্দা থুংলরগনি, হায়বা পাউ তারে। অদুগা মৈদিংঙু থুংলবগী ঈ- পাউসিদা শন্দোক্লক্লিবা তোকঙাদি:-

......বামোন হরিনন্দগী কুমদি শক ১৬৮৯ (খৃঃ১৭৬৭) মোইরাংনিংথৌ অৱাদা চঙখিএ।। মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি তেখাওদগী লান্মী ৮০,০০০(লীশীঙ মরিফু) লোইননা লাকএ হায়বা তাদুনা নিংথৌগী পোৎলোই খিবিক য়াওনা মতোন ঈবুংঙো সেনাপতি (হরিচরন শাই)সুং ঈবুংশীজ খ্বাইরাকপা (আনন্ত শাই), মনাউ ঈবুংঙো ভবানন্দ(চীঙথংখোম্বগী মমা অতোনবী থোংবমচনুনা পোকপা), মোইরাং মশেম্বা অসিনচিংনা লৈপাক অয়াম্বা মোইরাংদগী শঙাইথেন্দা তন্না ওকএ ।।

মথক্কীসিদা "লান্মী ৮০,০০০ পুরকই" হায়বসিনি।। অহোম লান্মীশিংদি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা চীঙমীশিংগা অসুপকী মতীক হকচিন্না লোইনবা অমসুং মখোয়না শৌগৎপদু উবদা কছারদগী হনখ্রবনি [R.S.B.,1930,289]। অদুনা মতম অসিদা মোইরাং নিংথৌ খেল্লেম্বনা মৈত্রবাক্কী মৈদিংঙু ওইননবগী খল্লম্বা ৱাখল অমসুং মহাক্লা মদুগীদমক্তা তৌখিবা, মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইনচিংবু কৈশুমশঙদা ফাজিন্দুনা থমখিবা অসিনচিংবদু মকা ফোংলক্লে অমসুং মৈতৈশিংনা থম্মোইদা খুত্তুম্না শুদুনা, লাইবক পায়দুনা খাঙলম্বদুগী লমন খুম্নবগী তাঞ্জাদু লাকখিরম্মী। অদুগা মৈতৈ পুম্নমক্লা মোইরাং তূম্না মাঙহল্লম্লগা মৈদিংঙুনা লৈবা লমদম শঙাইথেন্দা খুনগারক্লম্মী। হায়রিবসিগী ঈ- পাউদি:-

........বামোন হরিনন্দগী কুমদি শক ১৬৮৯ (খৃঃ১৭৬৭)....... লৈপাক অয়াম্বা মোইরাংদগী শঙাইথেন্দা তন্না ওকএ।। লাল্লুপৈদা শল্লাম খুঙমনা মোইরাং মশেম্ববু হাৎলে।। হৈস্নাম খুয়োল্লাকপা, নিংথৌজাম্বা খাম্বীলাকপা, খোম্মা শেল্লুংবা মপা- মচা ২মা ৪মসু হাৎলে। লমদা থা (মার্চ - এপ্রিল,খৃঃ১৭৬৮) থা অহননোং থাঙজদা মোইরাং পাত্তা লাচোন হাৎলৈএ।। মোইরাং তাকএ।। হিশাবা

নিত্যানন্দ, শাইরোম গঙ্গারাম ২মসুং হাৎনৈএ।। মৈতৈ লৈপাক পুম্নমক মোইরাংদগী খুনগারকএ [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,১২৫]।

অসিশিংনি। হায়রিবশিংসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি করিসু খঙদ্রিবনি, হায়বদি, মহাক মতমসিদা মৈত্রবাক্কী লমখৈ য়ৌরক্ত্রি, শঙাইথেন্দা থুংলদ্রি, মহাক চহিসিগী লমদাগী ৬নি পানবা শগোনশেন (মার্চ থাগী অহুমশুবা চয়োনগী শগোনশেন তাবা নুমিৎ) দা শঙাইথেল য়ৌরক্কদবনি: মসিগী মমাঙদা থোকখিবা ৱাথোক- লাম্হোক ঙাক্তনি। অদুগা মৈদিংঙুসিনা মহাক্কী মাম্মা ৱায়েনবমচা খেল্লেম্বদা অরানবা ৱাখল খল্লমদে, মহাকপু শেম্বীরকপা গুরুনি হায়বদু অদুম খল্লি। অদুবু মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইগী মফমদদি হায়রিবা মবাই খেল্লেম্বসি কৈদগী হেন্না শিল্লবা য়েক্লবনি। মথক্তা মোইরাং ময়াম অমসুং মোইরাংগী মায়কৈদা তোংবা মী ময়াম লোয়শিন্নবা শিনখ্রিবা পুম্নমকসি মহাক্কনি। সেনাপতি ওইরিবা ময়াম্বু হরিচরন শাইদি মহাক্কী মীনি, মহাক্না থাবা সেনাপতিগী চারনি। অদুনা হায়রিবা মতম অসিদা মহাক্না নিংথৌ ওইগে খল্লম্লবদি নিংথৌ ওইবা য়ারম্লবনি অমসুং মহাক্না নিংথৌ ফম্বানদা ফমখ্রবদি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা অমুক হল্লকপা ঙম্লরোয়দবনি। অদুবু মহাক নিংথৌ ওইগে হায়না খনখিদে, মহাক্কী মপাবুং অমসুং ময়াম্বুংশী অনিগী অশিবগী কর্ম্ম ফোংদাদা তৌরুবা ময়াম্বুংশীখক্তুগী হক ওইবা নিংথৌ ফম্বালদুবু শকহেনবীনি ঙমই হায়দুনা মুনবীখিবনা মশাগী হক কথোকখ্রবা ময়াম্বুংশীগী মাঙখ্রবা হক্তু হঞ্জিহল্লক্লবা মহাক্না লেপখিবনি, লেপখিগনি.......পুন্সিগী মিৎকুপ অমতং লৈরিঙৈ, আনন্ত শাইগী পাম্বোম্না লাম্থাঙ হাইগৎপা ঙম্লিবা ফাওবদি ময়াম্বুংশীদুগীদমক্তা নিংথৌ সিংহাসন্দু ঙাকখিগনি হায়না খনখিবা মাল্লি মৈদিংঙুচাদু:পুন্সিগী অরোয়বা মিৎকুপ য়ৌরমদায়দা নুংশিজরবা মশূ অনিনা সিংহাসনগীদমক্তা লাম্হেংনবা য়েংবা ঙম্লোয়, হায়দুনা লানফম থাদোক্তুনা লাকখিবনি/চৎখ্রিবনি। হায়রিবসিগী ৱারোন্দি:-

> **.......থাংকা হেরাগী কুমদি শক ১৭২৮..........ৱাকচীঙ থা.....২৩নি থাঙজ (খৃঃ১৮০৭কী ফেব্রুৱারীগী অহানবা থাখায়দা) ....ঈবুংশীজ আনন্তশাই ৱাংখৈরাকপা, ঠাকুর অনুপানন্দ, হাওবম কুমুদ কৈরুংবা, ঈবুংশীজ খুজুং (আনন্ত শাইগী মচানুনপা),উরুংপুরেন ৪মদি নচিন- ননাও(চৌরজিৎ অমসুং মার্জিৎ)না শোক্লবা য়েংবা ঙমলোয় হায়না চেনখি- এ [মথক্কীসিদা,১৯৮]।**

অসিনি। মসিনা মৈদিংঙু চা আনন্ত শাইবু চৈথারোল কুম্বাবদা পনবগী অরোয়বা পনবা ৱারোন্নি।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা খৃঃ ১৭৬৮-গী মার্চ থাদা শঙাইথেন্দা থুংলখি। অদুগা এপ্রিল থাদা মহাক্কী কোনুং শঙাইথেন্দগী শঙাইপ্রৌদা হোংদুনা লৈরম্মী। হায়রিবা শঙাইপ্রৌগী কোনুং মফমসি হৌজিক হৌজিক মফমদি লৈরি, অদুবু হিষ্টোরিকেল ভেল্যু অমসুং আর্কিওলোজিকেল ইম্পোর্টেন্স খঙদবশিংনা এল্লোটমেন্ট পীদুনা মী তাশিনখ্রে। মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মফমসিদা লৈরিঙৈদা মোইরাংনিংথৌ খেল্লে নুঙনাং তেলহৈবা, শ্রাম্মাগী অৱা কোনুংদগী হল্লক্লে হায়বা পাউ তারম্মী। মৈদিংঙুদি মনুংদা তৌনরিবা থরুম অমসুং মল্লোমদু করিসু খঙদবনিনা অচানবা মনাই ৱাহেংবম মাধবরাম কৌশিন্দুনা মহাক্লা মী খর পুরগা "মহাক্কী মাম্মা অৱাদগী হল্লক্লে, মাম্মবু ওক্লু" হায়দুনা য়াথং পীরম্মী। হায়রিবা য়াথংসি তারগা ঈবুংশীজ আনন্ত শাইনা মাধবরামগা মান্ননা নিংথৌগী মনাক্তগী হৌগত্তুনা থোক্লক্লগা মাধবরামগী খুদাংদা খুৎচপ্লীনা চপ্লগা ওক্লক্কদবা মওংগী পাউতাক পীখি অমসুং মহাক্কী মনাই অমসু লোইনখো হায়দুনা মচীন্না মখা তানা হায়রকখি। মৈদিংঙুচা আনন্ত শাইগী ৱাহৈশিংদুদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা ৱাংঙম মপাতোন অসিগা ঈৱাং মপুম (মাম্মা) অসিগা মমাঙঙৈদগী লুনা চান্না তীন্নরকপা, চেৎনা হক্লা লোইনরকপনিনা মহৌশাগী মহৌশা, চান্নবা মতৌগীনি খনখি, অদুগা ৱাহেংবম মাধবরাম্নদি পীরিবা খুৎচপ্লীগী পাউতাক্তুগী ৱাখল লাম্বা ফংখিরম্মী।

মোইরাংনিংথৌ খেল্লে নুঙনাং তেলহৈবনা ম্যান্মারগী অৱা কোনুংদা মচানুপী সজমনিগী মনাক্তা চহি অমরোম লৈরবা মতমদা মৈত্রবাক্তা তৌনরিবা ঈ- পাউসি অমতা তাদবনা অৱা/বর্মীজশিংগী লানগী ঈরাংদা লুপ্তুনা লৈরম্মী। মতমসিদা তৌনরিবা অৱা লৈপাক্কী ঈরাংদি:-

.... In the commencement of 1767 Tsheng-hpyu-Sheng had to meet an invasion of his country by the Chinese. An army, said by the Burmese historians to have numbered 50,000 men, penetrated Burma from the north and passing the fort of Kwang-tung marched straight on the capital. To oppose them Tsheng-hpyu-Sheng sent a force to check their advance whilst another was sent with instructions to move round to their rear by the north easternly line, in the meanwhile the Burman governor of Kwang-tung, finding himself unmolested collected troops and prepared to

intercept the retreat of the Chinese army. The first encounter was unfortunate for the Burmese but some days later the Chinese were attacked in front, flank and rear by the three Burmese divisions and, after an action, said to have lasted three days were completely defeated; not a man returned to tell the tale...................... The Chinese force which had advanced on the Irrawaddy river and which was besieging Bha-maw, then subject to a tributary Shan Tsaw-bwa, retired and the Burmans succeeded in making themselves once more masters of the eight Shan States (Ho-tha, Ta-tha, Isan-da, Maing-la, Maing-won, Maing-tee, Maing-mo and Kaing-ma) in the hills seperating the Burmese dominions from the Chinese province of Yunnan. In 1769 the Chinese again advanced on Burma and by the same route; the Burmans, though inferiors in numbers, fought gallantly, avoiding general actions as far as possible and confining themselves in skirmishes in the forests and glens every mile of which was thoroughly wellknown by the peasantry hastily collected to oppose the advance of the enemy.

[C.B.A.,1987,310-11]

অসিশিংসিনি। অসুম্না চাইনীজশিংগা লান্থেংনবগী, লান্থেংননবা শেমশাবগী, লান্থোঙ শীনবগী, অসিনচিংবগী লানগী মৈথ্রাং পাইরিবা মতমসিদা অৱা নিংথৌদু মমায় হাইগৎপা ফাওবা শংলমদে। মরম অসিনা মোইরাং নিংথৌ খেল্লেম্বনা খৃঃ১৭৬৮গী শজিবু থা (April-May)দা মরৈপাক্তা হল্লক্লবা থৌরাং তৌরকপসি অৱা নিংথৌনা শামু অমা পীরগা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা থিংনবগী ৱাফমদু কোন্না খন্নরগা মহাকপু অমুক মৈত্রবাক্তগী তান্থোক্লগা নিংথৌ ওইহন্নবগী ৱাফম থল্লক্তুনা য়াম্না ৱাখল নুংঙাইনা অৱা কোনুংদগী মনিপুররোমদা লাক্তুনা মৈতৈ কবো লানশিল্লক্লম্মী।

মৈত্রবাক্তগী ৱাহেংবম মাধবরাম্না লুচিংবা মৈতৈগী খুৎলাই পায়বা লাম্মী তেঙ্গোল মচা অমনা মোইরাং নিংথৌ অৱাদগী হল্লকপা ওক্কনি হায়দুনা

চৎখিবশিংদুগা মোইরাং নিংথৌনা মংশা লালথোক্লগা (মনিপুররোমদগী চৎখিবদা - ইম্ফাল- থৌবাল-ৱাংজীঙ- হৈরোক - তরেৎ নমথৌচীঙ (খোইবু মরিংচীঙ) চীঙশাং ৩- মংশা- খারি) খারি লমদমগী লৌবুক ময়ায় ফাওদুনা চৎপা লম্বীদা লাকপদা ওক্লরম্মী। মতমদু অৱাশিংনা হাইনা হুম্না পাল্লিবা মতমনিনা মোইরাং নিংথৌসু মশা ঙাক-শেনবগী মরমদা থোইনা থৌশারমদে, অদুগা মনাই- মশনশিংসু চেকশিন- থৌরাংগী ৱাফমসিদা করিসু খল্লুদে। অদুবু মৈতৈগী মায়কৈদদি অকক্লবা পান্দম অমা পীদুনা লাকপনিনা অখন্নবা লাল্লোই খরদি ময়াউরবনি অমসুং খুৎ থাবসু হানগদৌরিবনি। মরম অসিনা হায়রিবা খারিগী লৌবুকসিদা মোইরাং নিংথৌ খেল্লেম্বদু মঙোন্দা লাইচুরম্বা মোইরাং লাইদুনা পুদুনা খম্নুং লৈপাক্তা চৎখিরম্মী [চৈথাঃকুম,২০০৫,১২৫]। অৱাগী খারিগী লৌবুক্তা মোইরাং নিংথৌ লাইনা লৌখিবগী ঈ- পাউসি ৱাহেংবা মাধবরাম অমসুং মহাক্কী খোঙবুনা মৈতৈ কোনুং য়ৌরক্লিঙৈদা কোনুংদা হান্না থুংলরম্মী। মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী থম্মোইদা পাউ অসিনা নুংঙাইতবা অমসুং নীঙঙমদবগী ঈথিনশিং পীরম্মী। অমরোমদা অমুক সনা য়াথং পুদুনা চৎখিবা মাধবরামনা থৌদৌসি করম্না থোকহল্লিবনো, হায়বসি খল্লুরগা অমুকসু থম্মোইদা শাওনীঙবগী ঈপোকশিংনা য়ৈরম্মী। মাধবরাম অমসুং মহাক্কী খোঙবুনা ইম্ফাল কংলৈদা থুংলবা মতমদা তারে। মৈদিংঙুনা ৱাদি ঙাংদ্রি অদুবু শাওবদি শাওরে হায়বসি তাবদগী ৱাহেংবা মাধবরামগী কাংবুদু কোনুংদা চঙবা ঙমদ্রে। মখোয়না মতোন ঈবুংঙো ঈবুংশীজ আনন্ত শাইগী শঙ্গাইদা চত্তুনা মৈদিংঙুগী ওইরিবা মওং- মতৌ অমসুং মখোয়গী ওইরিবা ফিবমদুগী লমদাংদা লাংদাই তাইবীনবা ৱাফম হঙ্গৎল্লুরে। মৈদিংঙুচা আনন্ত শাই, নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বনি, অদুনা খুদক্তা লেঙখিদুনা মজাঈবুংঙো মৈদিংঙুগী মনাক্তা লেঙশিনখি। অদুগা নিংথৌশেনবা মনাই- মশল পুম্নমক তান্থোক্লগা নিংথৌ মপা- মচাখক্তা ঙাইরবদা নিংথেমগী মপুম / মাম্মা মোইরাং নিংথৌ খেল্লেম্বগী লাইবক থীরবা থৌদোক্তুগী মরমদা কুপ্না, মহাক্না মদুগী মমাঙদা পায়খৎখিবা থবকশিংগী মরমদা শন্দোক্না অমসুং মহাক্না অৱা কোনুংদা চৎলিবগী মরমদা শুগায়না ৱারী শান্নরম্মী। অদুগা ৱারী শান্নবা লোয়শিল্লকপদা - "নিংথেম ! পুম্নমক অসি পন্থৌ নপাতোন ঐনা নহাক্কী নিংথৌ সিংহাসন অসিগী খুবম চেৎনবা শিনবনি, নিংথেম নঙগী নপুক্কি ঙদা চিংনবা, নুংঙাইতবা পুম্নমক থাদোক্লো, লৈঙাক্লোন হায়বসিদি অসি ঙাক্তনি, য়াথং চৎপা ননাইশিং অদুনা চঙবা ঙমদ্রিবশিংসি কৌশিনবীয়ু, মৈতৈ নিংথৌগী সিংহাসনবু মোইরাংনা ফম্বা য়াবরা" হায়না হায়রকপদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা "ঈপাতোন"- হায়না পাউখুম্লগা অদুম তুমিন্না লৈখ্রে। অসুম্না মোইরাং নিংথৌ হাৎখিবগী ৱাথোকসি মনা- মনীন নাইনখিদ্রে, কনাদসু চৈরাক পীদনা তুমিন্না অদুম লৈনখ্রে।

রোবার্ট ডি ব্রুসকী শক্তম অমা

রোবার্ট ডি ব্রুস, ১৪শুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চাগী খৃঃ১৩০৬তগী খৃঃ১৩২৯গী জুন ৭ ফাওবদা গ্রেট বৃটেনগী স্কোটলেন্দদা পানখিবা ঈংলিসকী নিংথৌ এডৱার্ড অহানবা [Edward I(1237-1307 A.D)]অমসুং এডৱার্ড অনিশুবা (খৃঃ১৩০৭-২৭)গী মখুত্তা তরুক্লক হন্না লৈপাক কায়দুনা মীরৈপাক্তা অমসুং চীঙনুং মান্নুংদা ৱানা পুন্সি লেল্লুরগা মতুংদা খৃঃ১৩৪১দা তরেৎলকশুবা ওইনা ঈংলিস নিংথৌ এডৱার্ড অনিশুবগা স্কোটলেন্দগী ফল্কার্ক (Falkerk) বন্নোক্বর্ন (Bannockburn) কৌবা মফমদা জুন ২৪দগী হৌনা লান শোক্লরগা লানফমদা ঈংলিসশিংবু মায়থীবা পীদুনা স্কোটলেন্দদা খৃঃ১৩০৬তগী মনীঙ- মখা তন্বা মাঙলুরবদু অমুক হন্না হঞ্জিনখিবা [G.P.,1987,50-59]অখাঙ কনবদা পৃথিবী থুংনা মমিং চৎলিবা নিংথৌনি।

(১) মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা যুবরাজ ওইরিঙৈ খৃঃ১৭৫৮-৫৯দা অৱানা লান্দারক্তুনা মৈতৈ লৈপাক তাক্তুনা নুমিৎ ৯নি অৱা নিংথৌ অলাউঙ ভুরা (খৃঃ১৭৫৪-৬০)না মৈতৈ কোনুং কংলাদা পানখিবা চীঙথাংচীঙগী চীঙ্গোন্নুংগী শঙাইথেন্দা লোত্তুনা লৈরুরগা অমুক লৈপাক লীংখিরম্মী।

(২) খৃঃ১৭৬৫দা অৱানা অমুক হন্না লান তারক্তুনা লৈপাক কায়বদগী কছারদা চেনখ্রগা মদুদগী তেখাও / অহোম লৈপাক্তা চৎখিদুনা চহি অহুম (শক ১৬৮৫কী ফাইরেনদগী শক ১৬৮৯গী লমদা ৬নি ফাওবা) হেন্না মীরৈপাক্তা লৈরুরগা অমুক হল্লক্তুনা লৈপাক লীংখৎখি।

(৩) খৃঃ১৭৬৯দা মৈদিংঙু ময়াম্বুঙ গৌরশ্যাম্না পোক্লম্মী ৱাংঙমলোন কোলালৈমা / ফোংদালোকপী (অহোমশিংনা কুরঙ্গনয়নী মিংথোনবী)সি অহোম নিংথৌ চাও সুরমফাদা অওঙ- অউন তমদুনা থাজরগা তেখাউ লৈপাক্তা মনাইশিং থাদুনা থিহনখি। অদুগা শঙাইপ্রৌদগী চজীঙদা চহিসিদা কোনুং ওইদুনা পানবা হৌগৎলকপদা মোইরাংনিংথৌসি হাৎখিবগী মল্লোমদগী মহাক্কী মনাইশিংনা অৱা লান্মী পুদুনা লাক্লগা লান্দাহল্লকপদগী লৈপাক তাকখিরম্মী। অদুগা মহারাজদি কছাররোম চেনখিরম্মী অমসুং অৱাশিংনা নুমিৎ ২০ লৈরম্লগা চৎখিরম্মী [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,১২৫]। মতমসিদা কৈবিরাম্না নিংথৌখোংদা লৈদুনা লৈপাক ঙাক্লিঙৈদা খৃঃ১৭৭০দা ঈবুংশীজ নন্দশাই(গরিবনৱাজ মহারাজগী মনাউ খল্লাং পামশাবা ৱাংখৈরাকপা / সেনাপতি / মন্ত্রি তাল্লোইগী উশমচনুনা পোকপা মচানুপানা অৱাগা লোইননা লাক্তুনা কৈবিরামবু তুসারোক্তা হাৎখিরম্মী। মরমদি কৈবিরামসিনা অৱাদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মনাউ ভবানন্দবু অৱা পীথোক্লগা লৈঙাকপা ওইখিবনি। অদুগা অৱা অমসুং নন্দশাইনা মনাউনুপা(মমাতীন্নদবা) কুকিলানন্দ / ঈরেংববু লৈঙাকপা ওইনা থল্লমলগা মহাক মশাদি অৱাদা চৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা,১২৫]।

(৪) খৃঃ১৭৭২গী মেগী অনিশুবা চয়োনগী নোংমাইজীঙদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা অমুক মনিপুরদা লাক্কুনা শঙাইথেন্দা থুংলরম্মী। অদুগা কংলা কোনুংদা চঙদুনা শঙলাংমৈদা লৈরম্মী অমসুং থুংলবসিগী মতুং নুমিৎ ৬নি শুবা থাঙজা নুমিত্তা কুকিলানন্দনা মহারাজদা রাজদণ্ড কৎখিরম্মী। অদুগা অৱাগা তাইশিন্নবা য়ানবা কবো নরহরি কৌবা নুপা অমা থাদুনা ঈ- পাউ লৌবা হৌহনখি [মথক্কীসদা,১২৬]। অদুবু খৃঃ১৭৭৩গী ফেব্রুৱারী থাদা অৱানা অমুকহন্না লান্দারক্কুনা লৈপাক কায়খি। মহারাজদি ময়াংলোমদা চেনখিরম্মী। অদুগা অৱানা থা ৫(মঙা) মৈত্রবাকপু খোঙনেৎনদুনা লৈরম্লগা ভগবন্তসিংহবু লৈঙাকপা হাপ্পুনা থম্লম্লগা মরৈপাক্তা হনখিরম্মী।
(৫)মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা খৃঃ১৭৭৩গী নবেম্বরগী অরোয়বা চয়োন্দা মীরৈপাক্তা থা ৯(মাপল) লোম লৈরুরগা থোক্লক্লম্মী।অদুগা কংলা কোনুংগী মনুংদা লৈবা অঙোম য়ুম্ফমদা লৈরম্মী। মতমসিদা অৱাগা তাইশিন্নবা য়ানবা ৱাকোঙথেম্বা মুরারীবু লাইবার ওইনা অৱা কোনুংদা থারম্মী [মথক্কীসিদা,১২৭]। অদুবু অৱাগা য়ানবা পুরকপা ঙমদনা ৱাকোঙথেম্বা মুরারী হল্লক্লম্মী। অৱাশিংনা তাইশিন্নবগী মহুত্তা লান্দারক্লবগী কিহল্লকপগী ৱাফম পীরকপদগী মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা খৃঃ১৭৭৪গী মার্চকী অনিশুবা চয়োনদা মৈত্রবাক থাদোক্কুনা চৎখিরম্মী। অৱাশিংনা মুরারীদা হায়রকপা অদুমক তৌরক্লম্মী, মখোয়না খৃঃ১৭৭৪গী মে থাদা অমুক হন্না লান্দারক্কুনা মৈতৈ লৈপাক খুদুম চনখিরম্মী। অদুগা থাসিগী অরোয়বা চয়োন্দা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম্বু লৈপাকসিগী লৈঙাকপা নিংথৌ ওইনা হাপ্লম্লগা মরৈবাক্তা হনখিরম্মী।
(৬) মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মবুধৌ ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম্না লৈঙাক্লিঙৈগী মতম [শক ১৬৯৬কী কালেন ১১নিদগী শক ১৬৯৭গী ফাইরেন ১৬নি (চহি ১গা থা৯ নুমিৎ ৫নি)]সিদা অৱাগা তাইশিন্ননবা শেনশাবা (শেঞ্জম) শ্যামনর অহানবদা থাদুনা হোৎনরবা মতুংদা ৱাংখৈ জগদানন্দসু অমুক থাজিন্দুনা হোৎনরকপদা অৱাগা তাইশিন্ননবগী লমদাংসিদা অৱানা মনিপুরীশিংনা লান অমুক মখোয়গী মথক্তা লমন খুম্ননবগী তারক্তনবা ফিবম শেমদুনা অৱা লৈপাক্তা হান্নদগী মখোয়গী মখুত্তা লৈরিবা ঈবুংশীজ ভবানন্দ (মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মমা তীন্নদবা,থোংবম চনুনা পোকপা মনাউঈবুংঙো) অসিগা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মচাঈবুংঙো অমগা জামিন(Surety) ওইনা অৱা কোনুংদা লৈহন্নবগী ৱাফম পুখৎলক্লম্মী। মৈদিংঙুনা ৱাফম অসি কুপ্পা খল্লবা অমসুং অহল্লমনশিং তানরবা মতুংদা মচাঈবুংঙো মধুচন্দ্রবু অৱা লৈপাক্তা মৈতৈ লৈপাক্কী থৌদাং লৌরুনবা হায়দুনা থাখিরম্মী। হায়রিবা মীশক অনি- মনাউ ঈবুংঙো ভবানন্দ অমসুং

মচাঙ্গৈবুংঙো মধুচন্দ্র অনিসি খৃঃ১৭৮৭কী ডিসেম্বরগী অরোয়বা চয়োন (শক ১৭০৯গী পোইনু৭/৯) দা অৱাদগী থাদোক্লক্লগা মৈত্রবাক য়ৌরকখি [মথক্কীসিদা, ১৫০]। অসুম্না মহাক্কী পোকমিন্নবা মনাউ অমসুং মহাক্না পোকপা মচাবু লৈপাক্কী মনীঙ- মখা তম্বা ফংহন্নবা অমসুং ঙাইহাক লৈতনা লান্দারক্কুনা প্রজাশিংনা অৱাবা তাবদু কোকহন্নবা মীরৈপাক্তা জামিন ওইনা থমদুনা নিংথৌ অমা ওইবগী ঙমজবা মথৌ তৌজখি। অসিগুম্বা অৱাবগী মতমসিদা শরুক য়াখিদবা পোইনু লৌরোক পান্থাগী মরুপশিংনা মহাক্কী অৱা মৈশাসিবু খঙবীখিদ্রে।

ৱাখোম ৱারোয়

মৈদিংঙু আনন্ত শাই, মথক্তা থমজখ্রিবা ৱাফম খর অসিদা মিৎয়েং থম্লকপদা মনিপুর ইতিহাসকী ওন্থোক্লা নোংদম থীরবা মতম তাংকক অমদা লৈঙাক্লোনগী পরীংদা চোংথোক্লকখিবা, খুদোংথীবা মায়য়োক্লবদা মায় ওন্দুনা চেনগন্দবা, মৈতৈ নিংথৌমচা অমা ওইনা নিংথৌ ফম্বাল কল্লকপীদবা, নিংথৌ ফম্বালবু য়োকপা, হক লৈবা নিংথৌবু শৌগৎপা অমসুং অচুম্বগী মীচঙদা লেপ্পদা অকিবা লৈখিদবা মৈতৈ নিংথৌ মচা অমনি। মহাক মশাবু নিংথৌ শেম্বদা য়াওদবদা নত্তনা অমসুং ওইরিবা নিংথৌবু কনবদা য়াওবা থোইদোক হেন্দোক্লা পুকচেল চাওরবা অমনি। অদুবু মহাকসি ফত্ত' লৌশিঙ তৌবা মীগী মফমদি মদুগা মান্নবা ফত্ত' লৌশিঙনা অদুম লমন খুম্বা মীশকসু নি। মহাক খৃঃ১৭৫৭তগী সেনাপতি, খৃঃ১৭৬১দা খ্বাইরাকপা, খৃঃ১৭৮৩দা নোংথোনবা, খৃঃ১৮০৩দা মন্ত্রী অমসুং খৃঃ১৮০৬তা অমুক হন্না খ্বাইরাকপা ওইখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২২, ১২৩, ১৩৯, ১৮৩, ১৯৫]। মহাক খ্বাইরাকপা ওইনা তাইবংপাল থাদোককি। মহাক্না শগোবন্দা অনৌবা লৈফম কোনুংগুম্না শেমদুনা খৃঃ১৭৮০গী অদুদা শ্রীগোবিন্দজী ময়াম্বুং অহন শ্রীবিজয়নাথ গোবিন্দজীগী চেক্কী লাইশঙ খৃঃ১৭৮৯দা শাদুনা লাৎলগা পাল্লম্মী। নিংথৌ ফম্বাল কল্লকপীখিদ্রবা মৈদিংঙুচাসিনা তাইবং থাদোকখিবগী চপচাবা কুমশীঙ, থা, থাবান অমসুং নুমিৎনচিংবসি চৈথারোল কুম্বাবদা চনখৎপীমরদবনা অশেংবা খঙদনা লৈরি। অদুগা মহাক্কী লৈখিদ্রবা হকচাংদি ঈরোইশেনবগী নম্বুন তুরেলগা লুৱাং- ঈগা ঈতীম্নফমদা লুৱাং- ঈ তুরেনগী ঈচিনগী মায়য়োক্লবা খাথংবা তোর্ব্বান্দা লোয়শিনখি। মৈদিংঙুচা আনন্তশাই মন্ত্রী পুন্সিবদা হায়জদুনা মতমদুদা লমলৌঙগৈ কৌরম্বা, হৌজিক্লা মন্ত্রী পুখ্রি হায়না খঙনবা মফমসিদা খৃঃ১৭৮৩- ৮৪দা পুখ্রি অমা মৈদিংঙুচা মশামক য়াওনা তৌখিরম্মী। অদুগা পুখ্রিসিদা মৈতৈলৈপাক্কী লাইশিং -

গোবিন্দ, সনামহীনচিংবা পুম্নমক ঈরুজহল্লগা অমুক্তা থোকখিদ্রবা মওং- মতৌদা পুখ্রিদু হোঙখি [মথক্কীসিদা,১৩৯-৪০]। পুখ্রি অসিগী মমিং "মন্ত্রী পুখ্রি" হায়না খঙনবদগী মসিনা লৈবা লমদমসিবুসু মমিংসিনা খঙনখি। পুখ্রি অসি হৌজিক- হৌজিক মফমদু নীঙথিনা লৈরি। মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালবু মিহৌদনা য়োকখৎলম্বা মৈতৈ নিংথৌমচা আনন্ত শাইগী য়াইবী থৱাই মঙামকপু মতমচুপ্পদা তাইবং মপুনা শান্তি পীনবীসনু।

মরী- মখোঙ উৎচবা

১) চৈথাঃকুমঃ,২০০৫ = শ্রীলাইরেংময়ুম ৺ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)

২) কঃয়ঃসঃ,১৯৭২ = শ্রীকাংহুজম য়াইস্কুল সিংহঃ অশম্বা মীতৈ ইতিহাস (ইম্ফাল-১৯৭২)

৩) রাঃকুঃসঃ,১৯৭০ = রাজকুমার সনাহল সিংহ গুনেশ্বর (আমিস্না)ঃ সৎজাল (ইম্ফাল-১৯৭০)

৪) য়ঃভঃ,১৯৮২ শ্রীয়েংখোইবা ভাগ্যঃ অশম্বা কুমপাবা অমসুং য়েংখোম শাগৈলোন (ইম্ফাল-১৯৮২)

৫) লঃচঃসঃ ১৯৭০ = ডাঃ লৈশংথেম চন্দ্রমনি সিংহঃ মনিপুর ইতিহাস (ইম্ফাল-১৯৭০)

৬) মঃচঃসঃ,২০০২ = মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহঃ শমসোক ঙম্বা (ইম্ফাল-২০০২)

৭) কঃ১সুং বঃ,১৯৯০ = কুলচন্দ্র, বডরুদ্দিনঃ মৈতৈ পাংঙল হৌরকফম (ইম্ফাল-১৯৯০)

খুৎয়ি লাইরিক

১) মঃনঃলঃ,খঃলঃ = মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা, খুৎই লাইরিক

ঈঙ্গ্রেজী লাইরিশিং -

1) C.B.A.,1987 = Compiled By Authority; Gazatteer of Burma (Delhi-1987)

2) R.S.B,1930 = Rai Saheb Gulap Chandra Barua; Ahom Buranji (Calcutta-1930)

3) G.P., 1972 = Galley Press: The Children Book of Famous Lives (Yugoslavia-1987)

ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্র
চহি তরেৎ খুন্তাকপগী তাকু নিংথৌ

ৱাহৈদোক

ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্র, মমিং হেক তাবদা অৱা / ম্রান্মাশিংদা অকি- অথুকপা পোকপা অমসুং মখোয়না "তাকু নিংথৌ" হায়না মিংথোন দুনা য়াম্না কিনা- হঙ্গোয়না তৌবা, মনিপুরগী চহি তরেৎ খুন্তাকপা (খৃঃ১৮১৯- ২৫)গী মতমদা তোল্ল- তারবা মৈতৈশিংবু ঙাকপী- শেনবীখিবা অমসুং অৱানা নৈহৎলবা মরৈপাক মনিপুরবু কন্ননবা অমদি অৱাগী মখুত্তগী হন্দোক্তুনা অমুক হন্না মনীঙ- মখা তমহন্নবগী খোঙজঙদা খ্বাইদগী ঈহান হানবা থৌশীল- থৌরাং লৌখৎখিবা অমসুং অচৌবা লৈকন- থৌদাং লৌখিবা, মৈতৈ নিংথৌ মচা অমা ওইনা মশাগী হক অমসুং মহাক্কী মরৈপাক- নীঙবগী মহৈনা মমাঙদা তাদুনা লৈরবা নিংথৌ ফম্বালবু কল্লক- মিহৌবীখিদবা, লৈপাক্কীদবু ফগনি হায়রবদি হায়না মঙোন্দগী হক্তসু, মথৌনাদসু হন্থরবা লৌনম চাওবগী মচানুপা মীনম চাওখ্রবা অমদা নিংথৌ ফম্বাল লানথোকখিবা মৈতৈ নিংথেমমচা,নাকোয়নদবা / হকথেংনবা মৈতৈ নিংথৌমচা অমনি। অৱানা মখোয়গী মতমদুগী তঙ- তারবা য়েক্লবনি হায়রিবা মৈতৈ জাতি (মৈতৈনসুনি)অসিগী মীয়ামশিংদুদগী নত্রগা মৈতৈ অকন- অথৌশিংদুদগী মমিংদা তাবদা পাখৎপা মীশকশিংসি মীওই অনিখক্কি, অমনা মৈদিংঙু মেখলেশ্বর গরিবনৱাজ মহারাজ [খৃঃ১৬৯০- (খৃঃ১৭০৯- ৪৮)- ১৭৫১] নি; অদুগা অতোপ্পা অমদুনা ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্র অসিনি।

ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্র, মৈদিংঙু লোইরেনখোম্বা / লাবনচন্দ্র (খৃঃ১৭৯৮-১৮০০) গী তরুকশুবী তাল্লোই অপানবী অকোইজম চনু (অকোইশু)না শকাব্দ ১৭২০গী ঈংঙা থাগী ৫নি পানবা(জুনগী অহুমশুবা চয়োন,খৃঃ১৭৯৮) নোংমাইজীঙ নুমিত্তা পোকখি [চৈঃকুঃ,২০০৫, ১৭২]। মহাক মমা অসিগী মতোমতা পোকচবা মচাঈবুংঙোনি। অতৈ মমাঈবেম্মশিং (মহারানী থাওজম চনু রসনিকা য়াওনা)না পোকপা ময়াম্বুং অমসুং মনাউ ঈবুংঙোশিং তরেৎ লৈরম্মী। মৈদিংঙুচা হেরাচন্দ্র মীরৈপাকচা অৱাশিংনা মৈত্রবাক মনিপুরগী মায়য়োক্তা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাংবু য়েংঙমদবা, মৈতৈ নিংথৌমচাশিংনা নিংথৌ খুবম কল্লক্লবগী পোকমিন্নবা মচীন- মানউশিং মখোয় মশেন নুংশিনদনা য়েক্ল'-য়েংথীনববু

উনীঙদবা,নিংথৌ ফম্বালদগীদি ঈমা লৈপাক্লা হেন্না মরু ওই, খঞ্জবা, মহাক্কী শা- লান্দা হৈ- শীংবা অমসুং কখোকপা, মশাগী ওইজবা থাদোকপগী গুণ কয়ামরুম্না মহাক্কী তুখোঙ খুদিংমক্তা লৈতেংবা মীনি,মৈতৈ নিংথৌমচা অমনি হায়বদা লেমজনীঙঙাই ওইরবা মীশক্নি।

মাঙগী লমদাংদা

মৈদিংঙুচা হেরাচন্দ্র, মপাঈবুংঙো লাবন্যচন্দ্রনা ৱাংখৈরাকপা ওইনা লৈপাক ঙাক্লিঙৈগী মতমদা পোকখিবনি। মহাক মশাগী চহি অহুমগা থা তরুক শুকরপগী মতমদা মপা ঈবুংঙোবু নিংথৌফম্বাল মিকানবগী মীনম / লাংথাক হৈরবা শান/ কবো ষ্টেট(কবো)দগী খুম্বোংময়ুম্না মখোয়গী নিংঙোনমচা ঈবুংশী কবোতাবা নত্রগা শামুফাবা(রাজা গম্ভীর সিংহ)বু নিংথৌ ওইহন্নবগীদমক্তা শগোল কাঙজৈ শান্ননবগী থৌরম পুথোক্লগা শরৌ শীন্নরগা ফুগায়দুনা হাৎন্নবা খুজীন-থৌরাং চখখি[মথক্কীসিদা, ১৭৯,অঃঙঃ,খুঃ;খঃঙঃ,খুঃ ১সুং গঃনঃ,খুঃ]। থৌরাংদুদা ফুগায়দুনা লৈমায়থক্তা তাদুনা লৈরবা মৈতৈ নিংথৌদুবু মচীন-মনাউশিং নত্রগা মৈতৈমচা কনানসু হন্না য়েংবীখিদে। খুম্বোংময়ুমগী খুৎ (তুলশী, রতমনি,মাইবম চক্রপানি,য়ুম্নাবা খেলেম্বা খোংদৌ,অহৈবম নরতোম, হৈখাম মুংয়াম্বা মচীন- মনাউ, খোংবানতাবম খেকলাউবা, অচোইবম ১দি মচীন- মনাউ,অচোইবম কোইচোম,কবো গৌরমনি, অসিনচিংবা)নদি শিরবনি হায়দুনা কাঙজৈবুং [মনুং কাঙজৈবুং] মপান্দা হুন্দোক্লন্নবনি। তৌরিবা পুন্নমকসিবু কুম্মৈ ওইনা য়েংলগা খুদোংচাবা লৌননবা তাঞ্জা লুপ্লিবা মতমদুগী বর সেনাপতি ওইরিবা ঈবুংশী মধুচন্দ্রনা ময়াম্বুং কনবা শাশিন্নদুনা মাগী মী থাদুনা অশোকপা য়েংবা লাকপগী মমিংদা লৈমায়দা তাদুনা লৈরবা মনিংথৌদুবু লোয়শিনহন্নবা খুজীন- থৌরাংলগা, মীয়ামদনা ময়াম্বুং লাইকন্নবগী মিংদা উৎ চায়রগা লৌনম চাওরবা মধুচন্দ্রনা ময়াম্বুং হাৎহনখি[ৱঃগঃসঃ,১৯৭০,২৯-৩১]। অদুগা মহাক্লা ওক্লা নীল্লগা হুইনা মনা থাবা ওইনা নিংথৌ ফম্বাল লৌখি। হায়রিবা নুমিৎসিদা নিংথৌ ওইরগা মথংগী নুমিত্তদা মনাউ ঈবুংঙোশিং- ঈবুংশী চৌরজিৎপু যুবরাজ অমসুং ঈবুংশী মার্জিপু সেনাপতি হাপ্লগা খুম্বোংময়ুমগী খুৎকি মীশিংবু নুমিৎ ৫ শুবদা কংলাগী উখুন ফুকপদা মী ৮ উখুন্দা ইন্থদুনা ফুল্লগা হাৎখি,৯অমনা শুগুন্দা অমসুং ১না খুরাইলাকপা পন্দা হাৎখি। মখোয়সিগী মতু- মচাশিংবুনা লান্মীশিংবু শরাক তমহনখি,খুম্বোংময়ুমশিং ক্লাক্তা কৈ ওইনা থাবগা লোইননা মরাল লৈরবা ঈবুংশী কবো তাবা (রাজা গম্ভীর সিংহ)বু কছারদা তাম্হোকখি [মথক্কীসিদা,১৭৯]। অসুম্না অফবা

শাদুনা শগোন মমাঙদা পুঞ্জাও পুবা, ওকপীদনা ফি কুপ্পা মধুচন্দ্রগী মচত্তু ঈবুংশী চৌরজিৎনা খঙলকখি অমসুং ঈকুই কুইদনা চহি অনিগা থা অনিরোমগী মতমদা যুবরাজ চৌরজিৎনা মীনম চাওরবা মধুচন্দ্রবু থাদোক্তুনা কছাররোমদা চৎখি। অদুগা চহি অমগা থা ৪রোমগী মতুংদা মৈত্রবাক্তা হল্লক্তুনা নিংথৌ ফম্বাল লৌখি। মীয়ামদা উৎ চায়রম্বদু ময়াম্না খঙনরক্লবনিনা মাগী মীচঙদা মী ৫/১০ নত্তনা কনা লেপ্পিনিঙাই লৈতবনা লান তৌনদনা মহাক্না মচানুপী ইন্দ্রপ্রভাবু খৃঃ১৮২০দা থাজখিবা ডিমাসা (কছারী) নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র(খৃঃ১৭৮০-১৮১৩)গী মনাক্তা চেনখি [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ১৮৩]।

মৈদিংঙু চৌরজিৎ (খৃঃ১৮০৩-১৪)না পানবা মতম অসি ঈবুংশী হেরাচন্দ্রগী মহৈ-মশীং তম্বগী মতম্লি। মহাক্কী ঈনখৎলকপগী মতমসিদা মহাক মবুদ্ধি-মরৌশিং চঙখোল্লি অমসুং মথৌনা-মরীংজেল পাল্লি। মহাকপু মমা ঈবেম্মা অকোইশুনা মতীক চাবা, অখন্নবা ওঝা-গুরুশিংদা মহৈ-মশীং তমহল্লকই, হায়বসি মহাক্কী তুংলমচৎকী ৱান্থোক-লান্থোক্লা অদুম খুদম চাংদম / শাক্ষী-প্রমান ওইদুনা লৈজে। মহাক্না মখুরা ঈবুংঙো নিংথেমতোন অনি (চৌরজিৎ অমসুং মার্জিৎ) অনিগী নিংথৌ ফম্বালগী তৌনরিবা ঈরাং,নিংথৌ ওইনীঙমনবনা ঙাওরবা মার্জিৎনা লানশোনবীদা উতোংচাগে হায়দুনা চৎখ্রগা খৃঃ১৮০৬গী ডিসেম্বর থাদা লানহৌবা, অৱাদা চেনখিবা [মথক্কীসিদা, ১৯৬-৯৭],থা ৩লোম লেপ্তুনা চিফেৎ-চিফেৎ শোক্লখিবা লানফমশিং [মথক্কীসিদা -১৯৭-৯৯], খৃঃ১৮০৮গী মে থা ঈবুংশী মার্জিং অৱাদগী শামু অনি পুরগা থোক্লক্তুনা [মথক্কীসিদা, ২০৫] লাল্লে হায়জদুনা অমুক যুবরাজ ওইরবা [মরমদি অৱা নিংথৌ বদাও-ফায়া / মেঙটা-রা-গ্যী (খৃঃ১৭৭৯-১৮১৯)না মচীন-মনাউ তাইশিন্নৌ, মখোয় য়াওনীঙদে, হায়রকপদগীনি], অমুকসু মার্জিৎনা লানশোনবীদা উতোংচাক চাগে হায়শিন্নরগা খুৎ খোমদুনা খুদৈবন্দা তেঙ্গোন লীংদুনা লানহৌবা [মথক্কীসিদা, ২০৬], মদুগী ঙমদদুনা ময়াং লৈপাক্তা চেনখিবা, অসিনচিংবসি মহাক্না উই, তা-ই অমসুং খঙজিল্লি। অসুম্না নিংথৌ মচা অমা ওইনা লৈঙাক্লোনগী মহৈ- মশিঙশিংসি তানশিল্লি।

নিংথৌ ফম্বালদগী হেন্ন অতৈ অমতা উদ্রবা মার্জিৎনা অৱা নিংথৌগী মশূ-নুপা শগাং-মেঙ / ব-গ্যী দাও [খৃঃ ১৮১৯-৩৭]দা চঙজদুনা কবো তম্পাক (Kabo Valley or Kase Shan) পীথোক্লগা মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল লৌগে হায়বসি য়ানদুনা খৃঃ১৮১৯গী মার্চ থাদা অৱা লাম্মী পুদুনা লাক্লগা এপ্রিল থাদা নুমিৎ ১১নি ককচিঙ পঞ্জাও (পঞ্জাওপল্লুমচীঙ) দা শোক্লরগা নিংথৌ ফম্বাল লোকখি

[মথক্কীসিদা,২১১]। হায়রিবা মতমসিদা হেরাচন্দ্র মশাগী চহি ১৬ চঙলে অমসুং য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদারে।

মার্জিৎ(খৃঃ১৮১৪-১৯)না নিংথৌ হেক ওইবগা মৈতৈ নিংথৌগী সিংহাসন্দা হেক হক লৈবা মীশিং, নিংথৌমচাশিংবু মাগী নিংথৌ ফম্বালদা খুৎ থিংজিল্লক্তনবগীদমক্তা মখোয়বু লোন্না, ফোংনা নত্রগা উপায় / পান্থে অমা তৌদুনা হাৎননবা / হাৎহন্নবা খুজীন-থৌরাং লৌখৎলকখি, হায়রিবসিগী খুদম-চাংদমদিঃ-

> **........লাংমাইথেম মনিগী কুম শক ১৭৩৬.....কালেন থা.......৩নি (এপ্রিল ৩শুবা চয়োল,খৃঃ১৭১৪) থাঙজদা চীঙঙামখাদা মী ২৪ হাৎনৈ[মথক্কীসিদা,২১১]।**

অসিনি। মসি, তুংলমচৎকী মৈদিংঙু / রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃঃ১৮২৫-৩৪)বু হাৎননবা হোৎনবগী মহৈনি। অদুবু গম্ভীরসিংহবুদি কাংঙবা ক্ষেত্রি সিংহ (ব্রিগেদিয়ার-জেনরেল কাংঙবা থাঙ্গাল নত্রগা চিদানন্দ সিংহগী অপোকপা মপা)না লাল্লকসিদগী কল্লগা কছারদা চেনহনখি। নিংথৌ ফম্বালগী হক্কী লমদাংসিদদি রাজা গম্ভীর সিংহদগী হেরাচন্দ্রনা য়াম্না হেন্না মপাঙ্গল কল্লি অমসুং চাওবা হেল্লি। মরম অসিনদি ঈবুংশী হেরাচন্দ্রসি মতমদুগী মৈতৈ তম্পাক্তা লৈবা য়ারিব্রা? ঈবুংশী ভদ্রসিং-নিংথৌ খাবা (খৃঃ১৮২৪-২৫) হিরম্বী দেশ(ডিমাপুর)তা চেনখ্রে, অতৈ নিংথৌমচাশিং য়ুমজাও তাবা (ডিমাসা/ কছারী নিংথৌগী মশেন), গম্ভীরসিংহ,চৌরজিৎনচিংবা কছারদা সীলেটতা, অৱাদা, কবোদা চেনখ্রে। মরম অসিনা ঈবুংশী হেরাচন্দ্রসু মমা ঈবেম্মা, মাগী লৈমা অনি পুদুনা মনিপুর / ইম্ফাল তমপাক থাদোক্তুনা হিংননবগী মফম থিখিবা তাবনি।

মৈদিংঙু তাকু নিংথৌ (খৃঃ১৮১৯-২১)

ঈকাইবসু খঙদবা, থৌনা ফবসু শাবা,তৌবীমল খঙদ্রবা অমসুং মতম পুন্নমক্তা, মফম খুদিংমক্তা অমদি হিরম পুন্নমক্তা অফবা ৱাখল হায়বদু খক তৌদ্রবা মৈতৈ নিংথৌ মার্জিৎপু শাওবদগী অৱা নিংথৌ বা-গ্যী-দাও (খৃঃ১৮১৯-৩৭)না মহাক্কী লাঞ্জিংলেন অনি পাখানৱুন অমসুং কনেৱুনগী মখাদা অচৌবা লান্মী তেঙ্গোন অমা থারক্তুনা মৈত্রবাক্কী লৈপাক পানবা, শকাব্দ ১৭৮১গী ৱাকচীঙ ১২নি পানবা (জানুঃ৪বা চয়োল,খৃঃ১৮২০) লৈপাকপোকপা নুমিত্তা থুগায়খি। মার্জিৎ কছারদা চেনখিদুনা চৌরজিৎ মহারাজদা চঙজরগা মহাক্কী লম শরুক পীয়ু হায়না নীরখি,ময়াম্বা কৌবনিনা মবুক ফবা চৌরজিৎনা নোংমাংখা মখোঙদা চুহী খরুঙ ১০,০০০ হৈরবসু থুম্লক্লরোয়দবা মার্জিত্তা মাগী লমগী তংখায় অমা

খায়দুনা কছারদা পানহনখি। অদুবু মতুং ঈকুই কুইদনা মার্জিনা গম্ভীরসিংগা লৌতুনরগা চৌরজিৎপু কছারদগী তান্থোকখি। হায়রিবা মীনুখাংসিগী মরমদা ত্রাম্মাশিংগী "মহারাজরেঙ"দা ইবদুগী লৌখত্তুনা ঈঙ্গ্রাজীদা ইবদুদা হায়রিবদি:-

.......On the accession of Hpa-gyee-daw in 1819 all the tributary princes were summoned to do personal homage to the suzerain and among them Marjit, the Raja of Manipur............ For some time past however he had not been on good terms with the court of Ava;not withstanding his renunciation of all rights over the valley of Kubo large quantities of valuable timber had been felled there in by Manipuris and Marjit himself had offended against a Burman sumptuary law, which is insisted on with a tenacity incomprenensible to Europeans, in building for him a palace profusely gilt and ornamented with the royal pyathat or spire ; on both these subjects the court of Ava had made remonstrances. The Manipuri prince, distrusting the Burmese goverment, declined attending in person at the installation of Hpa-gyee-daw, pleading as an excuse the enimity of his brothers and strong probability that they would take advantage of his absence to forment distrubances in his State and, possibly, endeavour to seize the throne.This refusal to do homage, following on the assumption fo the emblems of royalty on his palace, was looked upon as evidence that Marjit was aiming at independence and a Burmese Force was at once despatched against him. The Manipuris were defeated and Marjit fled to Cachar which had been treacherously taken possession of by his brother Chorjit who received him kindly and into whose hands he formally resigned the sovereignty of

Manipur, of which with the assistance of the Burmans,he had deprived him seven years before. On this occasion the Burmese troops remained in the country but were continually harrased, by Petumbhur Singh and Heerachandra, nephews of Choorjit and Marjit,who succeeded in cutting of many of their small detachments,and in 1822 in decoying into an ambush and in almost annihilation a strong force, but who eventually, owing to the devastation of the country, were obliged to with draw to Cachar............

[C.B.A.,1987,327]

অসিনি। অসুন্না মনিপুরবু মার্জিৎনা চহি তরেৎ খুন্তাকহনখি,মীচম কয়াগী মথ্বাই থাখি ,অদুবু মহাক্তি মথ্বাই হিংনবা কছারদা চেনখি। চহি তরেৎ খুন্তাকপসিদগী কন্ননবা মার্জিৎনা লৈতুম অমা ফাওবা লংখিদে।

খুন্তাকপা অমসুং হেরাচন্দ্রগী থৌদাং

মৈত্রবাক্না খুন্তাক্লবসিদা অৱাগী সেনাপতি অনিসিনা মৈত্রবাক্কী মপু ওইনা মৈতৈ কোনুংলেন কংলাদা তেঙ্গোন শাদুনা পানখি। মখোয়না লৈরকপা নুমিৎ ২৫নিরোম শুরকপদা চীঙদা চীঙমীশিংগী মরক্তা ঈবুংশী জয়(মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মচানুপা নন্দশাইনা পোকপা কুকিলানন্দগী মচানুপা) লোত্তুনা লৈরে হায়বা তারদুনা মৈতৈমচা চাকাপিয়াং কৌবা অমা থাদুনা,"নিংথৌ শেন্নীগে /ওইহনগে লা- উ" হায়দুনা নমথাক তৌদুনা কৌরম্মী। নিংথৌ ওইবা ফংলগনি খন্দুনা ঈবুংশী জয়না মাগী মী ওইবা মৈতৈমচা খরগা চীঙগী হাওখুন্দগী লাক্তুনা অৱা তেঙ্গোন্দা থুংলখি। অদুবু হায়রিবা ৱাফমদি লৌনম- লাংথাক্লি হায়বসি ঈবুংশী জয় মশা মতুংদা খঙজখি অমসুং মহাকপু লানফা ওইনা মৈতৈমচা লখা অহুমগা লোইননা পাখানৱুন লানজিংলেন্না অৱা লৈপাক্তা পুদুনা চৎখিরম্মী [চৈঃকুঃ,২০০৫,২৯৬]। অদুগা খুন্তাক- লানশিরবা মৈত্রবাকপু লোইলম লৈঙাক লীংখত্তুনা অৱাগী লাঞ্জিংলেন কানেৱুন্না অৱা লান্মী ২০০০গা লোইননা কংলা কোনুংলেনগী কাঙজৈবুংদা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরম্মী।

মথক্কী তৌনখিবা থৌওংশিংসিগী ঈ- পাউশিং অসি মৈদিংঙুচা হেরাচন্দ্রনা মনিপুর তম্পাক্কী নোংপোক- মৈরমদা লৈবা খোংজাই [Kuki or the Thadou tribe]গী খুন অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরগা

খোমজিল্লম্মী। অদুনসু নত্তনা ঙাকপী- শেনবীনবা লৈত্রবা মৈতৈমচা কয়াবু মঙক্তা থৌরী থুদুনা শা- শন হোইবগুম হোইবা,অঙাং কয়াবু ঈমুংদা হোইজিল্লগা মোরোক থাদুনা লাক্লবা,অশোন- অনাশিংবু মখোঙনা কাওদুনা হাৎপা, নুপী ওইবী কয়াবু থাঙনা কক্তুনা মথ্বাই মাঙহনবা, অসিনচিংবা কয়াসিগী ঈ- পাউসু ফংলম্মী। হায়রিবশিংসিনা মরৈপাক নীঙবা অমসুং মজাতিবু নুংশিজবা হেরাচন্দ্রগী থম্মোইদা খাঙঙমদ্রবা মৈশা পীরম্মী। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা করি তৌসিগে হায়না তরেৎ- তরা থোক্লা খন্দুনা ফুম্বংননা লৈরম্মী। চীঙদা অসুম ফুম্বংননা লৈবসিনদি কান্নরোয় হায়না খল্লদুনা তম্পাক্তা কুম্লগা করি তৌবা য়াবগে,অৱা- অনা তারবশিদুগী মতেং খজীক্তা ওইরবসু পাংবা ঙমব্রা য়েংলুরগে হায়না লেপখ্রে। নুংশিরবী পলেম থাদোক্লম,চান্নজরবী তাল্লোই হুন্দোক্লমদুনা মরুপ- মপাং ওইবা খোংজাই খরগা লোইননা মৈতৈ তম্পাক্তা কুম্লকখি।

ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্রনা মহাক্লা মশা থুপচরম্বা খোংজাই খুন থৈয়োঙ [মঃ চঃসঃ,১৯৯৫,৮১]দগী শকাব্দ ১৭৪২গী শজিবু থাগী ৩নি (এপ্রিলগী ৩বা চয়োন,খৃঃ১৮২০)ঈরাই নুমিত্তা তম্পাক্তা লেপ্লখি অমসুং হায়রিবা নুমিৎসিমক্তদা মতমদুগী চাকথি- ঙাথি, চাকহোন- ঙাহোন তৌদুনা হিংননবগীদমক্তা হোৎনরিবা মৈতৈ মচাশিংগী মফমদা মনীঙ- মখা তম্বগী লাইরেম্বীদা কৎননবা মশা- মশাগী ঈ নীরখি। লৈপাক কায়বা মতুং থা ২মখায় হেন্না লুচিংবীনবা লৈতবনা চোয়জাইনদুনা লৈরম্বা মৈতৈ পাখং খর হেরাচন্দ্রগী মফমদা মশাগী ঈদগী হেন্দুনা তোংশা ফাওবা কত্তুনা লান্না থৌরমগী ঈরাৎ ওইনা তৌরসি হায়দুনা চোংথোক্লকখি। মখোয় খরসি পুন্দুনা মমা লৈপাকপু খোঙনেৎনরিবা অসিদমক্তা লমন খুমগনি হায়বগী ৱাশক্কা লোইননা মৈত্রপাকপু কন্নবা, মৈতৈবু ঙাক- শেন্ননবা লুপ মচা অমা শেমখি।

তাকু তেঙ্গোল

মৈত্রবাক কন্নবা মনীঙ- তন্বা মৈতৈ লুপ অমা "শিরবসু হিংলবসু ঈমা লৈপাক্লীদমক্তনি হায়না নীঙহন্নবা লৈররোয়" হায়বা ৱাশক্কা লোইননা শেমখিবসিদা হকথেংননা শরুক য়ারিবা মশা কথোক্লবা লুচিংবশিং,মৈদিংঙুচা হেরাচন্দ্রগী লুচিং মখাদা লেপখিবশিং অদুদি:-

১) অঙোম সুবুনাথ- মনি, ২) অকোইজম খম্বা,
৩) এলাংবা (বম) অমু, ৪) মৈয়েংবা(বম) শ্যাম
৫) মোইরাংথেম(বা) লবঙ্গ

মঙাসিনি [মথক্কসিদা,২১৭]। অসুম্না মখোয়না নুমিৎ ২৫রোম চোন্থনা

মখোয়গী খুৎ খোল্লকখি। মখোয়গী লুপসি শেম্বগী পাউসি মতমদুগী মৈতৈ তম্পাক্তা অমসুং তম্পাক্কী মনাক নকপা চীঙশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মৈতৈমচাশিংগী মনাকোংদা য়ৌরকখি। নোংমগী অমা লাক, অনি লাক তৌদুনা মৈতৈ নীঙতম লুপসিগী লান্মী মশীঙ ফানা নীঙথিনা হেনগৎলকখি। মৈতৈ লৈমগী মপারী ৬(তরুক)সিগী অচেৎপা ফিরেপ অমসুং অহকপা ৱাশক্কী মঙাল অমা লাক্লবসিদা মৈতৈগী নীঙতম লুপ অসিনা শক ১৭৪২গী কালেনগী ৬নি (মেগী ৩বা চয়োন, খৃঃ১৮২০) ঈরাই নুমিত্তা কংলাদা লৈরিবা অৱা তেঙ্গোনগী মথক্তা লান্দাসি হায়দুনা ৱারেপ তানখি। অদুবু ৱারেপ্পুনা পুল্লিবা মীশিং অদুগী মরক্তা মৈতান অশিবা য়াওরমদুনা তৌগদৌরিবদু থবক পাংথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা থৌরাংদুগী পাউ অৱা তেঙ্গোন্দা ফংখিরম্মী। মরম অসিনা অৱানা মখোয় মশাগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলক্তুনা অয়াওবা মীওইশিং থি- হুন্বা হৌরকখি। হায়রিবা মতমসিদগী মৈতৈগী নীঙতম লুপসিবু "তাকু তেঙ্গোল" হায়না অৱাশিংনা থোল্লম্বা/ খঙনরম্বা য়াই।

তাকু তেঙ্গোলগী মীশিং, মরু ওইনা, লুচিংবশিংবু থি- হুম্বগী থবক চথরকপসিদগী মমাঙগী মতমগুম ঈফোং ফোংনা চেঙ- ফৌ হোনবা, লবুক- লমহাঙদা য়েনশাং- নাপী হেকপা চৎপা য়াখিদ্রে। অৱাগী থৌদৌসি খঙদুনা তাকু তেঙ্গোলগী মীওইশিং নুমিৎ খরনিদি মীরোৎশিং ওইনা লৈনখি। অদুবু অদুম্মা লৈবদুদসু চাদবদি য়াদবনিনা চান্নবা চীঞ্জাক ৱাৎলকপগী খুদোংচাদবসি লাকখি। মরম অসিনা তাকু তেঙ্গোলগী লান্মী- লাল্লোইশিং, লাঞ্জিংবশিং পুম্নমক লাঞ্জিংলেনগা লোইননা চিঞ্জাক ফংননবগীদমক্তা মোইরাংগী লমদমদা কুমখি। হায়রিবা মোইরাংগী লমসিদদি অৱাশিংনা লান্দাদে, ওৎ- নৈদে। ৱাফম অসি লম তামখিবগী ৱাফম ঙাক্তা নত্রি, মতমসিগী মমাঙদা অৱা নিংথৌ শেঙ- প্যু- শেঙ (খৃঃ১৭৬৪- ৭৯)দা মোইরাং নিংথৌ খেল্লেম্ব(খৃঃ১৭৫৮- ৬৮)গী মজাইবেম্মা শমজমনি থাজখিবনা অৱালৈমগী মপামনি হায়না অৱাশিংনা ঈকাই খুম্নরবা য়াই। ঈবুংশী হেৱাচন্দ্র অমসুং মহাক্কী তাকু তেঙ্গোনবু মোইরাংশিংনা য়োকপী- থাকপীখি অমসুং মফমদুদা চীঞ্জাক মরাং কায়না ফংহনবদা নত্তনা তাকু তেঙ্গোল হেন্না মীশীঙ হেনগৎহন্দুনা চাওখৎহন্ননবগী পাম্বৈসু পীবিখি। মফমদুদা ঈবুংশীজ হেৱাচন্দ্রবু মপুঙ ফানা শৌগৎপীবনা লান্মীশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎলকখি।

তাকু তেঙ্গোনগী অহানবা লান

অৱাশিংনা মনিপুরদা পাল্লিবনি হায়দুনা লৈরিবা ইম্ফাল কংলৈগী লমদমসিদি খুন্তাক- লানশিরবা মী কনাসু লৈত্রবা লম্লক্কী লমশাশিং কৈ,লমহুইনচিংবগী শান্নফম ওইদুনা লৈখ্রবনি। মরম অসিনা চাননবা চেঙ- ফৌ মরু অমতা ফাওবা লৈত্রবা লম্নি। অৱাশিংনা মখোয়না পুরকপা মখোয়গী চীঙ্গাক লোয়খ্রবনিনা লৈপাকসিগী অফংবা মফম অমদগী চীঙ্গাক লৌরগা চাবা তাবনি। মখোয়না মখোয়গী মরক্তা য়াওরিবা মৈতৈ মচাশিংদগী পাউতাক লৌদুনা চীঙ্গাক ফংগদবা মফমদা চৎননবা শেম- শারম্মী। মখোয়না হায়রিবা চহি শক ১৭৪২(খৃঃ১৮২০)সিগী কালেনগী ৯নি লৈপাকপোকপা নুমিত্তা (নোংমা লৈতে) অৱা ৫০০ খক মোইরাংদা চীঙ্গাক খোম্মনবগীদমক্তা লাক্লম্মী। মখোয়দি মায়কৈ অদোমদা অমসুং লমদম অদুদা হেরাচন্দ্রগী তাকু তেঙ্গোল লৈখ্রে হায়বসি খঙলমদে। অমরোমদা তাকু তেঙ্গোনগী লুচিংবশিংবু মখোয়না থি- হুম্বগী থবক চথখিবা মতমদুদগী কিদুনা মনিপুর থাদোক্তুনা চেনখিরম্লগনি হায়না কোমথোকপা অমা নত্রগা লান্মী লাল্লোই ৫০০নি য়েক্লবা মৈতৈনা হেঞ্জিল্লকপা ঙমলোয় হায়দুনা উশীত্তবা অমা, অসিনা মখোয়না থৌ- ৱা ঈশা- শাদনা মোইরাংলোমদা লাক্লম্মী।

হেরাচন্দ্র অমসুং মহাক্কী লাঞ্জিংবা মঙানা অৱা লাকপগী ঈ- পাউশিং কুপ্পা লৌরবা,মখোয়গী লাল্লোই মশীঙ অমসুং পায়রিবা খুৎশৃ খুৎলাইনচিংবগী মরম পুম্নমক খঙলবা মতুংদা মখোয়গী মথক্তা লান্দনবা শেম- শাখি। লুমফুনি অমসুং খংলাক খংজিনগী লান্দানি। মতমদুদা শীজিন্নরিবা নোংমৈশিংসি অশুবী [Muzzle loading musket]ঙাক্তনি। মরম অসিনা থাঙ- তাগী মতম লোয়দ্রিবা তাঞ্জানি। খংলাক- খংজিন ওইনা লুমদুনা লৈরম্লগা লান্দারকপসিদা অৱা ৫০০দু ৱাখল লৌশীং তাবা ঙমখিদে। অৱাশিংদু কায়দুনা মায়কৈ- শল্লাই খঙদনা চেনখি অমসুং লানসিদা অৱা লান্মী ৫০০দগী মনুংদগী ২০০ খক হাৎখি। অসুম্না অহানবা লানফমসিদা মায় পাক্লবা তাকু তেঙ্গোন অসি মশাগী ওইনা শগোন লান্মী ৫০(য়াঙখৈ), নোংমৈ ১২ (তরানিথোই) অমসুং খোঙমী ৮০০(চনিপান) খক লৈবা ঙমখি।

মৈদিংঙু চৌরজিৎকী লাঞ্জাবা পীতম্বরসিং

মনিপুরদা চহি তরেৎ খুন্তাকখিবসিদগী মরৈবাক নীঙবা মৈতৈ নিংথৌমচা অনি মনিপুরবু অৱাগী মখুত্তগী হন্দোক্লবগী থৌরাংদা হিদান্নরকখি। হায়রিবা অনিসি মাঙলমচৎকী মৈদিংঙু চৌরজিৎ অমসুং

তুংলমচৎকী মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ (খৃঃ১৮২৫-৩৪)নি। লাঞ্জদনা লৈপাক থুগায়রম্বদুদি অনিসিগী মরক্তা হিগায়-ৱা শান্নরি। অসুন্না কছার অমসুং সীলেটতা লৈরিঙৈ তাঞ্জাসিদা চৌরজিৎ মহারাজনা ময়াম্বুং য়াইমা মধুচন্দ্রগী মচানুপা ঈবুংশী য়ুমজাও তাব (পীতম্বরসিং)বু মনিপুরগী ফিবম,অৱাগী খোঙথাংনচিংবা য়েংলুনবগীদমক্তা থারকখি। ঈবুংশী য়ুমজাও তাবা মনিপুরগী অৱাং-নোংচুপকী চীঙগা তমগা লোন্নবা মৈতৈ খুন মাক্লংদা খৃঃ১৮২০সিগী জুনগী অরোয়বা চয়োনগী ঈরাই নুমিত্তুনা থুংলখি। মহাক্না থুংলবগী পাউ অসি তাকু তেঙ্গোন্না তাদুনা মখোয়গী লাঞ্জিংলেন হেরাচন্দ্রনা ময়াম্বুং ওইবা য়ুমজাওতাববু ওকপা লাকখি। লমদাংসিদা মচীন-মনাউ অনিসিনা শানখিবা ৱারী ৱাতাইগী মরমদা পীবীরম্লিবদি:-

......মোইরাং খেলেম্বগী কুম শক ১৭৪২.....কালেন থা.......১২নি ঈরাইদা ঈবুংশীজ য়ুমজাও তাবা মাকলংলোমদা তারকএ। মনাউ ঈবুংঙো হেরাচন্দ্রনা ওকলুইএ। য়াম্বুং লৈপাক অসিবু করম মাঙহনসিবনো হায়না কপ্পা শাওএ। ময়াম্বনা হংএ। খুৎশু-খুৎলাই করি লৈবা হায়রবদা শগোল ৫০, নোংমৈ১২,মী ৮০০ অসি লৈএ। ফরে নাসে হায়দুনা ময়াম্বনা পুরকপা শগোল ২,কবাক-থাঙ ৫, নোংমৈ ৩ অমসু মনাউদা পীরে। "ঐদি কানেউন্দা চঙগে," মনাউনা,অৱা অসিবু অরেপ্পা লৈতে,য়াম্বুং ও!' হায়না খাম্ববু য়াদরে। ১৭নি য়ুমশকৈশদা ইবুংশী য়ুমজাওতাবা কানেউন্দা চঙলক্লে[মথক্কীসিদা,২১৭]।

অসিনি। হেরাচন্দ্রনা য়ুমজাও তাবদা মরৈপাক মনীঙ তমহন্নবগী ৱাফম থাঙ্গৎলবদা পুক্লিঙ থৌগৎপা, মাগী মীচঙ ওইবদি শাদুনা মাগী অপাম্বদু ফংলক্ত্রবদি মতুংদা উকন ওইনবা লম্বী য়াৎলম্লগা মহাক্না অৱা লাঞ্জিংলেন কানেৱুন্দা চঙজখি। মহাক কছার / সীলেটতগী মনিপুরগী ফিবম য়েংলুনবা থারকপনি,অদুবু মদুসু মহাক্কী মশা নাম্থোক্লক্লবা খুজীন্নি অমসুং লম্বীদগী হৌনা অৱাদা চঙজরগা মৈতৈ নিংথৌ ওইগে হায়বসি মহাক্কী মপুক্লীঙদা কিশি কিদুনা থম্বা মরৈবাক নীঙবা শাশিন্নবগী মায়খুম্না পুম্নমক্কী মমিত্তা উৎ চায়বনি। মসিগী খুদম চাংদমদি:-

......১৭নি য়ুমশকৈশদা ঈবুংশী য়ুমজালতাবনা কানেউন্দা চঙলক্লে। "কদায়দগী লাকপা হংএ"। "ঐদি নিংথেম য়াইবগী (মধুচন্দ্রগী) মচানে,লহান ইপা ইবুংঙোবুসু অৱা নিংথৌনা শেম্বীরকএ",হায়না খুম্লবদা,"নমিং করি কৌবা?" হংএ।"য়ুমজাওতাবা কৌএ", "মী কয়া লাকপা, খুৎশূ খুৎলাই করি পুরকপা?"হায়রবদা, মী ৪তনে,খুৎশু-খুৎলাইদি হাওনা খোমলৌরে" খুমএ।"লৈও" হায়দুনা নুমিৎ ৫নি লৈরে। ২১নি লংমাইজীঙদা

কানেউন্না হায়এ,ঐখোয়দি চাক চাদরে, ফৌ পুববু হেরাচন্দ্রনা হাৎএ,নঙনচিংনা চৎও, হায়রবদা,"ঐ চৎকে",য়ারে। সেকমাইদা অৱা ১০০ পুদুনা ফৌ পুরুই। ২৪নি য়ুমশকৈশদা হল্লকএ। কানেউন্না হরাউএ,ঐগী মীচং ওইরে,নিংথৌ শেমবীগে,হায়রে। ইংঙা থা.......৫নি ঈরাইতা কানেউন্না "ঐকি য়েক্লবদি হেরাচন্দ্রনে,মাবু নাবা ঙম্লবদি নিংথৌ শেম্লগে" হায়রে [মথক্কীসিদা,২১৭]

অসিনি। মসিদগী মহাক্না হেরাচন্দ্রগী তৌবা ঙম্বগী মতীকসি নীঙথিনা খঙলে অদুবু মহাক্না হেরাচন্দ্রবুদি লাং থাক্তুনা থল্লম্লে। অদুগা অৱা লাঞ্জিংলেনসিনা চীন মখৈ ফজদুনা থবক শীজিন্নবা নত্তনা য়ুমজাওতাবনা পাল্লিবদুদি করম্বা মতম ফাওবদা য়ৈথোকখিগদবগে হায়বগী অরেপ্পা লৈতে। অমুকসু মহাক্না হেরাচন্দ্রবু লান্থেংনৌ, মায়থীবা পীয়ু,হায়রিবদু মতমদুদা য়ুমজাওতাবগী নত্রগা অৱাশিং মতীক্কী ৱাংমদনি,হায়বসি য়ুমজাওতাবনা খঙলক্লে অমসুং অতোপ্পা লৌ অমা হোংদ্রবদি মহাক্না নিংথৌ ওইবা ফংলরোয়, হায়বসি খন্দুনা ফত্ত- লৌশিংগী শরৌ হোংলকপনি। হায়রিবা ৱাফমসি মখা তানা লাকখিগনি।

হেরাচন্দ্র অমসুং য়ুমজাওতাবনা অৱাগী মায়য়োক্তা

য়ুমজাওতাবনা কানেৱুন্দা হেরাচন্দ্রবু মায়থীবা পীগে মতীকচাবা লান্মী,খুৎশূ - খুৎলাইনচিংবা পীয়ু হায়দুনা হেরাচন্দ্রদা নমথাক তৌরম্বদু অমুক কানেৱুন্দা ওনশিনখি। হেরাচন্দ্রবু মাঙহন্নীঙমনবা অমসুং মমাঙদা হায়বা ইনবা মানবা থৌওং- থৌদৌ খর লৈখিবনা অৱাগী লাঞ্জিংলেনবু য়াই থারবা ঙাগুম পঙথখ্রে। য়ুমজাওতাবদা অৱা লান্মী খোঙমী ২০০,শগোল- লান্মী ৪০, নোংমৈ ২০ স্নাগী পে ২,লুপানা থাঙখোক পানবা থাঙ অনি পীদুনা হেরাচন্দ্রবু মায়থীবা পীননবা লাক্লে। য়ুমজাওতাবা লাকপগী পাউ পুন্নমক হেরাচন্দ্রনা ফংলম্মী অমসুং মখোয় অনি হৈয়েন্দা উন্নরম্মী [মথক্কীসিদা,২১৮]। য়ুমজাওতাবনা মপুক্লিঙদা নীঙদুনা লাকপশিংদু পাংথোক্লে। অৱা লান্মী ২০০দু লোয়শিল্লগা মচীন- মনাউ অনিমক হৈয়েন্দা নোংমা ফাইদুনা অহিং অনি লেকমিন্নরে। অদুগা ঈংঙা থাগী ৭নি নোংমাইজীংদা ইম্ফাল কংলৈরোমদা লাকখিরম্মী।

হেরাচন্দ্র অমসুং য়ুমজাওতাবা মচীন মনাউনা তাকু তেঙ্গৌনগী লান্মীশিং য়েন্থোক্লরগা শমজী খায়দুনা শীন্নখিবা লান্থোঙগী মতুং ইন্না য়ুমজাও তাবনা খোম্বীদোক্তা তেঙ্গৌন শাদুনা লৈখি। অদুবু হায়রিবা অৱাং মায়কৈরোমসিদি অৱানা তোয়না য়ৌগনবা মফম নত্তে। হেরাচন্দ্রনা মহাক্না

লুচিংবা তেঙ্গোন কংলাগী অৱা তেঙ্গোনগী মনাক নক্লা মোইরাংখোমদা তেঙ্গোন শাদুনা লৈখি। অসুম্না নুমিৎ ২০রোম অৱাগী মরু ওইরিবা তেঙ্গোন কোয়শিন দুনা থৎলগা লৈরম্বদগী ককচীংদা অৱাগী তেঙ্গোন অমা লৈ, হায়বসি খঙলদুনা হেরাচন্দ্র অমসুং মাগী লান্মীশিংনা লোন্না ককচীংদা লাক্তুনা অৱা তেঙ্গোন্দুদা লান্দাখি। ককচীংগী অৱা তেঙ্গোনগী অৱা লান্মীশিং হাত্তুনা তেঙ্গোন থুগায়খিবসি খৃঃ১৮২০সিগী জুলাইগী অহুমশুবা চয়োন দনি[মথক্কীসিদা,২১৮]। ককচীংগী তেঙ্গোনসি থুগায়বদা চোয়জায়নদুনা চেনখিবা অৱাশিং অদুনা মখোয়গী মরু ওইরিবা তেঙ্গোন কংলাদা লৈরিবদুদা তীল্লনবগীদমক্তা অৱাংলোমদা হাইগৎলকপা মতমসিদা হেরাচন্দ্রগী তেঙ্গোন্না চাওবোক চীঙজীন্দা লুমদুনা লৈরগা লোয়না অমুক হাত্তোকখি।

হেরাচন্দ্রনা মরৈবাক্তগী অৱাশিংবু তান্থোক্লবগী লাঞ্জঙশিংদা শীজিন্নরিবা লাল্লোঙসি হৌজিক্কী লোন্দাদা গুরিল্লা ৱারফিয়ার (Guerrilla warfare)নি। মসিদা কেমৌফ্লেগ (Camouflage)কী মওংশিংদুসু য়াওরিবনি। মসিদা চথরিবসিগী চাওরাকপা মশক্তি:-

> অহানবদা অশোংবা উমং- ৱামংগী মনা পুঙবা উশিংগী উনা মরক্তুদা উথক্তা কাখত্তুনা লোত্তুনা লৈরগা য়েক্লবা অৱাশিংনা লাকপা মতমদা মথক্তগী চোংথরক্তুনা অৱা লান্মীশিংগী মথক্তা লান্দাই। অসুম্না অৱা লান্মী কয়া হাৎখিবদগী অৱাশিংনা উথক্তা মৈতৈ লান্মীশিং লোৎলমগনি হায়দুনা উথক্তা য়েং- য়েংদুনা চৎনখি। মসিদগী কুইদনা ওল্লকপা লাল্লোংদা মৈতৈ লান্মীগী শরুক অয়াম্বনা নারক- মোংশোংদা লোত্তুনা লৈরগা নোংথক য়েংদুনা লাকপা অৱাশিংবু নারোন্দগী য়াম্থদুনা কয়ারক হন্না হাৎখি।

অসিনি। অসিগুম্বা অরোনবা লান্দা- লাঞ্জঙগী লাল্লোঙসিদগী অৱাশিংনা হেরাচন্দ্রবু অকি- হঙ্গোয়বা পোকখিবনি।

শীঙজমৈগী লানফম

হেরাচন্দ্র অমসুং মহাক্লা পুবা মৈতৈ লান্মী লুপনা চাওবোক চীঙজীন্দা অৱাশিং হাৎলম্লগা পন্থদনা হাইগৎলক্তুনা শীঙজমৈদা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরকখি। হায়রিবা লানশঙসিদা থা অমগী মতম লানবন ঙাক্তুনা অমসুং অৱা লান্মীশিংগী লৌ ঙাক্তুনা লৈরম্মী। থৱান থা (আগষ্ট- সেপ্তেম্বর) চঙলকপগী মতমসিদা কংলাগী কাঙজৈবুংদা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরিবা অৱা তেঙ্গোন্দগী হেক হেক মপান্দা থোক্লকপগী তাঞ্জাসি তাকুনিংথৌ হেরাচন্দ্র অমসুং মহাক্কী লোইনবশিংনা চেকশিন্না য়েংদুনা লৈরম্মী। থৱান থাসিগী ৭নি পানবা

য়ুমশকৈশদা অৰাগী তেঙ্গোন অমা অৰাগী অমুপা- লাবা কৌবা লাঞ্জিংবগী মখাদা শীঙজমৈরোমদা লাক্লম্মী। মথক্তা হায়জখিবদুনি, তাকু তেঙ্গোন্না তেঙ্গোন শাই হায়রিবসিদি মিৎনা উবা, অফোংবা লানশঙ শাদুনা লৈবা নত্তে: নারক- মোংশোং, লৈকু- লৈরাইনচিংবদা মশা থুপ্তুনা লোন্না লুমদুনা লৈরগা ফোংনা/ লোন্না লাক্লিবা অৰাশিংগী মওং- মতৌ য়েংদুনা লৈরগা খুদোংচাবা তাঞ্জা- মেঞ্জাগী মতুং ইন্না লাকচবা ঙল্লগনি হায়বা ফিবম (শিং)দুদা য়েক্লবগী মথক্তা লান্দবনি।মসিনি লাল্লুম্বগী খুৎলুম মখল অমনি।অমুপা লাবগী তেঙ্গোনসিনা কয়ারক হন্না অৰাগী লান্মী- তেঙ্গোনশিংদা তাকু তেঙ্গোন্না খঙহৌদনা খংলাক- খংজীনগী লান্দা- লানওং শাজিন্নদুনা অৰাবু মায়থীবা পীখিবগী ৰাফমসি খঙবনা মশা চেকশিন্না লাকচরবসু মফমদুদা লৈরে হায়বসিদি তাংদাংনা খঙবা নত্তে, মখোয়না শীঙজমৈ য়ৌরকপা, চীঙঙা চীঙগী নোংপোক থংবা চীঙমৈ- য়ৌরকপগী মতমসিদা অমুপা লাবনা লুচিংবা অৰা তেঙ্গোনসিগী মথক্তা ঈবুংশী হেরাচন্দ্রনা লুচিংবা তাকু তেঙ্গোন্না লান্দারক্লে। অৰাশিং অসিদি চীঙমচা (Hill men)নত্তে, মখোয়দি তম্পাক লমগী মচা (Plain people)নি: অদুনা চীঙগী / চীঙলক্কী লানফমসি থোইদোক্লা হৈনদে। খঙহৌদনা চীঙয়াদুদা লান্দারকপদুদা মশা- মশা ঙাক্লবা হোৎনরিঙৈদুদা অৰা তেঙ্গোন্দুগী লুচিংবা অমুপা লাবগা মৈতৈগী মোইরাংথেম্বা লবঙ্গগা মায়য়োক্লবা লাম্বা ওইনা তাররে। থাপ্তোক্লবা নোংমৈগী লান্দদি অৰ ানা হেন্না হৈ- শীংখিবা য়াই অদুবু নক্লনা খুৎনা ফংনা য়ান্নবা লান্দদি অৰা ১০গা মৈতৈ অমগা লাম্বা তৌনবদা নোপত্রিবনি, মরমদি অৰাগীদি মখোয়না পায়রিবা থাঙদু লুম্বনা খুৎ অনি চঙনা শীজিন্নদ্রবদি লাহ্নেংনবা ঙমদে। অদুগা মৈতৈগী লাম্থাঙদি খুৎ নামতনা হাইবা খুৎ নামনা চুঙ্গোয় পায়বা অমসুং থাঙগী মশাদা অকনবা হু তৈবনি, অদুগা হাইরিবা / য়াল্লিবা মওংসু তুবৎ তুপ্লবা নত্তে, থাঙদোন্না, থাঙচেপনা য়েক্লবদুগী মশাদা ঈ খজীক্তং থোক্লনবা খেৎপা / শোকহনবদনি, মদুদা হুগী ময়াইনা য়েক্লবদু শিজগদবনি। অসুম্না খোঙলৈ- খুৎলৈ থুবা, য়াঙনা অমসুং য়াংনা মশাবু অমসুং খুৎলাইবু শীজিন্নবা ঙম্বসিনা মৈতৈনা অৰাবু লাকচবা ঙম্বগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম্লি।

অৰা তেঙ্গোনগী লাঞ্জিংলকপা অমুপা লাবগী মকোক্লা লৈমায়দা হেক তাখিবগা হায়রিবা অৰা তেঙ্গোনসিগী লান্মীশিংদু কায়দুনা চেন্নখি। চেল্লিবশিংদু তান্নদুনা অৰা লান্মী ১০ লানফা ওইনা ফারম্মী। অদুগা মখোয়না পুরকপা নোংমৈশিং অদুদগী নোংমৈ- অনি (Double barrel musket)- লোঙবা অমগা য়াওনা নোংমৈ ৬০ লানখোমপোৎ ওইনা ফংলম্মী। অসুম্না লানফমদা মৈতৈ মায় পাকখিরম্মী।

অৱাংলোমগী লানফম

অৱাংলোমদা হায়বদি খোম্বীদোক্তা শারিবা মৈতৈগী তাকু তেঙ্গোনগী লাঞ্জিংলেন্দি ঈবুংশীজ য়ুমজাওতাবনি, হায়বাসি মথক্তা পঞ্জখ্রে। চীঙ্গাক লৈতবা / ৱাৎপগী খুদোংথীবসিদা অৱাশিংনা কংলাগী কাঙজৈবুংদা শারিবা মখোয়গী তেঙ্গোনসিদগী মপান্দা থোক্লক্তুনা চীঙ্গাক থিবা লাক্কনি, হায়বসি য়ুমজাওতাবা মশামক্লা অৱাগী তেঙ্গোনসি নুমিৎ ১০/২০নি লৈরুরবা অমসুং মশানা লুচিংদুনা অৱা লান্মী ১০০ পুদুনা অৱা লান্মীশিংগী চাননবা ফৌ হোল্লুরবনিনা তশেংনা খঙই। মহাক্লা অৱাগী মতেংনা নিংথৌ ওইগে হায়না খনবদু য়াদ্রবনিনা অৱাশিংবু হাৎপা তাই,মখুত্তা লৈরবা থবকপু মতেং পীনীঙদবা মখোয়সিবু য়েক্লবা ওইনা লৌবা তাই অমসুং শীঙনদুনা চৎকদবনি, হায়না লেপখি।

লানশঙদা চীঙ্গাক লৈরক্তবনা অমুপা লাবনা লুচিংবা অৱা লান্মী মপৈ অমনা কংলা কোনুংলেনগী মখারোমদা চীঙ্গাক থিবা থোক্লকখিবগী মতম অদুৱাইদা অতোপ্পা অৱা লান্মী মপৈ অমসু অৱাংলোমদা চীঙ্গাক থিবা লাকখিরম্মী। মখোয়সু ঈবুংশী য়ুমজাওতাবনা লুচিংবা তাকু তেঙ্গোনগা থেংনখিরম্মী। অদুবু অৱা লান্মীশিং অমসুং তাকু তেঙ্গোন অনিনা খুৎ থোক্লখিবা মফমদুদা পীরমদ্রে। হায়রিবা লানফমসি খোম্বীদোক অসিমক্তদা ওইরম্বা য়াই। লানফমসিদসু অৱানা "খুই" হায়না মৈতৈবু / কটে বু চৈরিবসিগী তাকু তেঙ্গোনসিনা অৱাবু মায়থীবা পীখি। হায়রিবা অৱাংলোমগী অৱা লান্মী মপৈসিদি কামন, তোপ (Cannon)লোইনবগী ৱাফম পল্লি। মসিনা তাক্লিবদি মখোয়সি করিগুম্বা লানবন / তেঙ্গোন অমা থুগায়বা চৎপগী ৱাফম্লি, মরম অসিনা মখোয়না থুগায়নবা লাক্লিবা তেঙ্গোনসি ঈবুংশী য়ুমজাওতাবনা লুচিংদুনা খোম্বীদোক্তা শারিবা মৈতৈগী তাকু তেঙ্গোন অসি নত্তনা অতৈ লৈতৈ। অদুবু লান্দুদা অৱাশিংদুবু মৈতৈনা মায়থীবা পীখি অমসুং অৱা লান্মী ৫,মখোয়গী মনুংদা কামন কাপ্পা(Artillery-soldier) অমা য়াওনা লানফা ওইনা ফারম্মী, অদুগা কামন অমসু লানখোমপোৎ ওইনা ফংহৌখি।

অহোংবা লানগী ফিবম

মৈতৈগী নীঙতম্বা অমসুং মমা লৈপাক মনিপুর হন্দোক্লবগী লান হেরাচন্দ্র অমসুং য়ুমজাওতাবনা লুচিংদুনা মৈতৈগী তাকু তেঙ্গোন্না অৱা লাম্থেংনরক্লিবসি থা ৬(তরুক) হৌজিনখ্রে। খা- ৱাং চপ্তুনা থল্লগসু কংলাদা শারিবা অৱাগী তেঙ্গোন অদুবুদি থুগায়বা ঙমদ্রি। অমরোমদা গ্রান্মা লৈপাক বর্মা, অৱাং নোংপোক থংবা ভারতবর্ষ অমসুং মসিগী লমখৈদা লৈরিবা

মনীঙ তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাকশিং (ত্রিপুরা,ডিমাসা / কছার,অহোম / অসাম,মনিপুর,খাসি, গারোনচিংবা)দা য়ুরোপকী লল্লোনবা লুপশিং (বৃটিশ ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনী, পোটুগীজ ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনী, ফ্রেন্স ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনী, ডটচ ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনী, ডেন্স ঈষ্ট ঈন্দিয়া কম্পনী, অসিনচিংবা)না মখোয়গী পোৎফম অমসুং কৈথেলগী লম মুন্নবগী হিয়াঙ লমজেন্দা অমনা অমগী মায়য়োক্তা শ্রান্মাগী নিংথৌবু মখোয় মখোয়গী মী ওইহন্নবা হোৎনবদা লান্মীগী হিরমশিংদা শ্রান্মা / অৱাশিংবু তাকপী-তম্বীবনচিংবগী থবকশিংসু পায়খৎলকখিরম্মী। মরম অসিনা অৱাশিং অসি মঙক য়াম্না হাইগৎপগী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক্তুদা চঙশিল্লক্লিবা তাঞ্জানি। হায়রিবা অৱাশিংগী খোঙথাংশিংদি মৈতৈশিংনদি করিসু খঙদনা লৈরম্মী।

শক ১৭৪২গী হিয়াঙ্গৈগী ৩নি (নবেম্বর ৩বা চয়োন,খৃঃ১৮২০) য়ুমশকৈশ নুমিৎসিদা মৈতৈগী তাকু তেঙ্গোলগী লুচিংবশিংগী লাঞ্জিংলেন অনি হেরাচন্দ্র অমসুং য়ুমজাওতাবগা মতমদুগী ওইরিবা শা- লানগি ফিবম- ফিরেপ্তুদা অৱাশিংনা কংলাগী কাঙজৈবুংদা শারিবা তেঙ্গোনসি করম্না থুগায়বা য়াগদগে, হায়বা হিরমসিদা খন্ন- তান্নখি [মথক্কীসিদা,২১৮]। মতমদুদা মনিপুরদা লৈরিবা অৱাশিং অদুদি য়াম্না পুক্লীঙ শোন্থনা ময়ুম লৈপাকলোমদগী তেংবাং থাবীরক্লবা ঙাইবগী, হায়বদি, চানবী মিৎয়েং ঙাইবগী ফিবমসিদা লৈরবনি। হায়রিবা অৱাগী ফিবমসি তাকু তেঙ্গোনগী লুচিংবশিংনসু খঙলিবনি অদুবু য়ুরোপলোমগী অখন্ননা তম্বীবা লান্মী লাল্লোই খর য়াওরিবনা, খুৎলাইদসু ফবা হেনখিবনা ঈরায় লায়না হেক্তেমক লান্দারুবা নত্রগা চঙশিল্লুবদি ঙল্লমদে। য়েক্লবনা খুদোং চাবা ফিবমদা লায়না চঙবা য়াদবা নোংচুপ্পা থাঙ্গাপাৎকী পল্লোন অনি অমসু নোংপোক্তা থাঙ্গাপাৎ অমদি ইম্ফাল তুরেন্না অমুকসু ঙাকখিবা মফমগী ফিরেপ্তা অৱা তেঙ্গোন্না অতোঙবা লেপখিবনা লান্দারুরগা মৈতৈগী লান্মী মশীঙদমক মাঙজবা য়াবগী মওং- মতৌদা লৈখিবনা মতম তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈবা নত্তনা উপায় লৈরমদে।

মৈতৈগী তাকু তেঙ্গোন্না অৱাগী অচেংবা য়েংদুনা লৈরিঙৈসিদা অৱা লান্মীশিংবু তেংবাংনবা অচৌবা অৱা লান্মী কাংবু অমা মৈত্রবাকলোমদা চঙশিল্লক্লে হায়বগী পাউ ফংখি। মতমসি য়ৌরকপদা চঙশিল্লক্লিবা অৱা লান্মীদু থিংননবগী ৱাফম খন্নরকপদা নোংমা নিংথৌ ওইখিগনি হায়বগী ৱাখন্দা শিনীঙদ্রিবা য়ুমজাওতাবনা লানফম মায়য়োক য়ানবগী ৱাফমদগী থৈদোক্লগা হেরাচন্দ্রদনা ইম্ফালদা তেঙ্গোন ঙাকহৌবগী ৱাফমদা লৈখি অমসুং মরৈবাক, মজাতিগীদমক্তা শিজরুরগে চোংথোক্লক্লবা হেরাচন্দ্র

অমসুং মহাক্কী তুংইনবশিংনা য়েক্লবগা লান মায়রোঙ য়ানদুনা চঙলক্লিবা অৱা তেঙ্গোল থিংননবা চোংথোক্লকখি অমসুং লানগীদমক শেম- শাদুনা ইম্ফালগী তাকু তেঙ্গোনগী লানশঙ থাদোকখি। অৱাশিংনা লাকপা খোঙফমসিগী ওইনা চৈথারোল কুম্বাবদা পীরিবদিঃ-

> **মোইরাং খেলেম্বগী কুমদি শক ১৭৪২...........হিয়াঙ্গৈ থা...........১৬নি [ডিসেম্বরগী ১বা চয়োন, খৃঃ১৮২০] লৈপাকপোকপদা পাখানউন্নচিংনা অৱা ১০,০০০ ককচীঙ তাইএ। ২০নি ঈরাইদা ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্রনা চিংনা থৌপান চীঙঙামাঙদা শোক্লপপু ঙমতরে [মথক্কীসিদা,২১৮]।**

অসিনি। হন্দক্কীসিদা অৱানা লাক্লিবা লম্বীসি অঙ্গোচীঙ লাল্লগা আইমোল চীঙলম্বী ফাওরক্তুনা লাকপা মমাঙদা খৃঃ১৭৫৮দা আলাউঙ- ফায়া (খৃঃ১৭৫৪- ৬০)না লাকখিবা লম্বী [C.B.A.,1987,305] অদুদনি। অদুননি ককচীংদা থুংলরিবসি। মতমসিদা ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্রনা লুচিংবা মৈতৈগী তাকু তেঙ্গোন্না থৌবাল চীঙঙামাঙ হায়বদি থৌবালগী তোমচীঙ চীঙমাঙদা লানশোক্লবসিনা থৌবাল তোমচীঙদা তেঙ্গোল শাদুনা লৈ, ককচীংদা থুংখিবা অৱা তেঙ্গোন অচৌবসিনা ইম্ফাললোমদা হাইগৎলকপা মতমদা লম্বীদা থত্তুনা লান থেংনখিবনি। অদুবু মৈতৈ লান্মী লাল্লোই(চাওনা পারবদা) ১০০০ রোমদুনা অৱাগী লাল্লোই ১০,০০০না শাবা খোঙমী,শগোল- লান্মী, কামন- লান্মী(Artillery section) নচিংবা য়াওবদুনা লান্বা পাবা হায়বসি ওইথোক্তৎবনি। মথক্তগা হায়জখিবদুনি, য়ুরোপীয়ান মিলিটরী ওফিসারশিংনা ট্রেনিং তৌবীরবা লান্মী য়াওরে,হায়না। মরম অসিনা ঈবুংশী হেরাচন্দ্র অমসুং মহাক্কী লাল্লোইশিংদু শিহৌদবা মখৈদি লানফম থাদোক্তুনা মথৱাই হিংনবা চেনখিবা তাবনি।

ঈবুংশী হেরাচন্দ্রনা "নমা লৈপাক্কীদমক্তা হেক্তমক নথৱাই থাদোকখিগনু, নমা লৈপাক্তুগীদমক্তা হিংখো(Don't die for your mother country but live for her)"হায়বসিগী মখাদা থৌবাল তোমচীঙ চীঙমাঙগী লানফম থাদোক্তুনা ইম্ফাল কংলৈদা লৈরিবা তাকু তেঙ্গোনগী অরোনবা লানশঙদুদা থুংলখি অমসুং লাক্লিবা য়েক্লবগী লান্মীগী মশীঙ অমসুং মতীক্লচিংবগী মরমদা পাউদমখি। মখোয়গী মরেপ্তগী হেনখ্রবা তৌবা ঙম্লরোয়দবা খোঙফমদুদা মায়য়োক য়ারুবদি অশিঙবা নত্তে হায়বসি খন্নদুনা অহোংবা লানগী ফিবম অমা পুরক্তুনা মখোয়গী ফিরেপ চাননবা শেম- শাননবা য়ানখি। মরম অসিনা ঈবুংশী হেরাচন্দ্র অমসুং

ঈবুংশী যুমজাওতাবা মনিপুর থাদোক্তুনা কছার লৈপাক্তা খোঙশানখি। মখোয় অনিনা য়েক্লবা মায়রোঙ য়ারম্বসি থা ৮নি [চৈঃকুঃ,২০০৫,২১৮]।

লাইফম লাকপা হুইদ্রোম্বা সুবন

ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্রনা মৈত্রবাক থাদোকখিবগা লোইননা মৈত্রবাক অমুক হন্না অৱাগী মখুত্তা তাহৌরে। অৱাশিংগী ওৎপা- নৈবদু অমুক চথবা হৌরক্লে। অসুম্না পোইনু, ৱাকচীং অমসুং ফাইরেন থাগী ৮নি পানবা ফাওবা অৱাগী লাঞ্জিংলেন অনি পাখানৱুন অমসুং কনেৱুন অনিনা লৈপাক মপু ওইদুনা পাল্লম্মী। হায়রিবা চহিসিগী ফাইরেন থাগী ৯নি [ফ্রেব্রুঃ৪শুবা চয়োন,খৃঃ১৮২১]নোংমাইজীং নুমিৎসিদা অৱাগী লাঞ্জিংলেন অনিসিনা লাইফম লাকপা ওইরম্বা হুইদ্রোম শাগৈগী সুবন কৌববু মখোয়গী মখাদা মৈত্রবাকপু ঙাক্লনবা নিংথৌ ওইহল্লম্মী। অদুগা লাঞ্জিংলেন অনিসি মখোয় অৱানা অসামদা শোক্লরিবা লান অমসুং অতৈ অতৈ মরমশিংদগী মরৈপাক ময়ুম- লমদম ঙাকশেনবগী মথৌ লাকপদগী কৌরকপনা মখোয়গী লান্মীশিংগী অয়াম্বা শরুক্কা মৈতৈ লানফা লখা ৩গা পুদুনা হায়রিবা ফাইরেন ৯নি নোংমাইজীং নুমিৎসিদা ইম্ফাল থাদোকখি।

মৈত্রবাক্তা তৌরিবা ঈরাং পুন্নমকসি ঈ- পাউ পুন্নমকসি চিথদনা চেকশিন্না লৌরিবা ঈবুংশী হেরাচন্দ্র অৱা লাঞ্জিংলেন অনিনা ইম্ফাল হেক থাদোকখিবগা ইম্ফাল কংলৈগী মচী অমদা থুংলখি। হুইদ্রোম্বা সুবন্না মশাগী হক নত্তবদা অৱানা নিংথৌ হাপ্পগী হংলাই নিংথৌ [Puppet(C.B.A.,1987,329)] ওইবসিবু তাম্হোক্লনবগীদমক্তা মহাক্কী হান্নগী তাকু তেঙ্গোনগী লান্মীশিং,থিদুনা ফাইরেন ৯নি নোংমাইজীংসিদগী খোমজিল্লকখি। হান্ননা শাগত্তুনা লৈখ্রবা তেঙ্গোন্নিনা মনা মনীন্দা তাবদা হেক্তমক পুনশিন্নরকখি। হায়রিবা তাকু তেঙ্গোন, তাকু নিংথৌনা লুচিংবসিনা ফাইরেন থাসিগী ১২নি পানবা যুমশকৈশ নুমিৎতা হুইদ্রোম্বা সুবনগী লান্মীশিংগী মথক্তা খুৎ থাদুনা লান শোক্লখি। লানসিদা সুবন হেরাচন্দ্রগী মখুত্তা মায়থীবা ফংখি। অদুবু হেরাচন্দ্রনা মথৱাই হাৎপীদনা ৱারকফম থোকপগী হায়ফম থোকপা অদুখক্তং হায়রগা লৈহনখি।

শাদুং লৌওনবা,পাখোন লাক্লগা ফম্বাল তোংলবা

যুমজাওতাবা মনিপুরদা চৌরজিৎ মহারাজগী মী ওইদুনা লৈপাক্কী ফিবম য়েংবা লাকখিবনি। মহাক্না মনিপুরদা থা ৮ /৯ লোম লৈদুনা মরৈবাক নীঙবা শাজিন্নদুনা হেরাচন্দ্রদা নপ্পগা অমুক্তং মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল কাগে

হায়দুনা লুমদুনা লৈরকপনি। অদুবু অৱা সেনাপতি পাখানব্লুননা অচৌবা লান্মী তেঙ্গোন পুদুনা লাকপদগীদি মহাক মনিপুর লৈরবদি হিংলরোয় হায়দুনা কছারদা অমুক হন্না চেল্লকপনি। খোঙফমসিদা মহাক্না চৌরজিত্তা অমুক হন্না চঙজরুরবদি মথোঙ কয়া চাররোয় হায়বসি মশানা খঙজদুনা মশাগী ওইজবা থিবদা হলেংদ্রবা য়ুমজাওতাবদু অমুক গম্ভীরসিংহগী মফমদা নমথাক তৌননবগীদমক্তা চঙজরক্লে। কছারদা গম্ভীর সিংহসু অৱাগী খোঙচৎ-খোঙথাংশিংগী ঈ- পাউ পুন্নমক লৌদুনা লৈরিবনি অমসুং লাইফম লাকপা সুবনবু অৱা সেনাপতি অনিনা মৈতৈ নিংথৌ হাপ্লল্লগা মরৈপাক্তা হনখ্রে, হায়বা পাউসি ফংলম্মী। মরম অসিনা মহাক্না ঈবুংশী য়ুমজাওতাবগী ফত্রবা মপুকচেল অদুবুদি খঙদবনা গম্ভীরসিংহগী লান্মী, খুৎশূ- খুৎলাইনচিংবা পীদুনা লাইফম লাকপা সুবনবু তাম্হোক্লুনবা পাখোন থারকখি। হায়রিবসিগী লমদাংসিদা অৱাগী ওইবা ৱাফম্না পীরিবনা- -

.........On this occasion the Burmese troops remained in the country were continually harrassed by Petumbhur Singh and Heerachandra, nephews of Choorjit and Marjit, who succeeded in ,cutting off many of their small detachments, and in 1822 in decoying into an ambush and in almost annihilating a strong force, but who evenually, owing to the devastation of the country were obliged to withdraw to Cachar. The Burman placed on the throne a puppet of their own named Shabool and in 1823 Petumber Singh was despatched against him and having succeeded in worsting him decalared himself sovereign.....

[Ibid;327],

অসিনি। ঈবুংশী য়ুমজাওতাবনা তোংজৈ লম্বীদা লাক্লগা ফাইরেন থাসিগী ১৪নি পানবা ঈরাই নুমিত্তা মাকলংদা থুংলকখি। মহাকপু পাংথোক্লুচো হায়না থারক্লিবা থবক্তুদি ঈবুংশী হেরাচন্দ্রনা হান্ননা পাংথোক্তুনা লোয়খ্রবা থবক্লি।

ঈবুংশী হেরাচন্দ্র, থম্মোই শেপত্রবা তাকু নিংথৌদুনা ঈবুংশী য়ুমজাওতাবা লাক্লে হায়বসি তাবদা য়াম্না হরাউখি। মরৈপাক শোয়দনা হন্দোক্লগনি হায়বগী মঙ ফাওবা মঙজবগুম লাইফম লাকপা হুইদ্রোম্বা সুবন পুদুনা য়ুমজাওতাববু ওকপা মাকলংদা লাকখি। হায়রিবা মতাং অসি

ফাওবনি তাকু নিংথৌ নত্রগা হেরাচন্দ্রবু চৈথারোল কুম্বাবদা পল্লম্বসি [চৈঃকুঃ,২০০৫,২১৮]। হায়রিবা মতমসি খৃঃ১৮২১গী ফেব্রুৱারী লোয়বা,মার্চ হৌগৎলকপনি। অদুবু লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহনা ইবীরম্বা "ডাকু নিংথৌ" কৌবা ঈবুংশী হেরাচন্দ্রগী চহি খুন্তাকপগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিকসিদদি খৃঃ১৮২৫গী জুনগী তাং ১২দা অন্দ্রোদগী অৱা তেঙ্গোন থুগায়বগী নুমিৎসিদা হেরাচন্দ্র অমসুং মহাক্কী কাংবুনা অন্দ্রোগী মৈরম ওইরপ লৈবা থৈয়োঙলোক্তগা লৈহল্লম্মী[মঃচঃসঃ,১৯৯৫,৮১]। কদায়দগী লৌরুরিবা ঈ- পাউনো হায়বদু খঙজদে,- অন্দ্রোগী অৱা লানবন থুগায়নবা লাকখিবসি মথক্তা পীজরিবা নুমিৎ (তাং ১২।৬।১৮২৫ ইং, নোংমাইজীং)সিদা চৎলিবসি রাজা গম্ভীরসিংহগা আরঃবিঃ পেম্বরটননা লুচিংবনি, নরসিংহনা য়াওদে। অসিখক্তং হায়রগা তোকচরগে। হেরাচন্দ্রবু মশাগী মপুন্সিদগী হেন্না পুন্সিহনবীবসিগীদমক্তা থাগৎচরি।

পাখোন লাক্লিবা ঈবুংশী য়ুমজাওতাবনা মাগী থবক্তু মীনা লোয়থোকপীরল্লবদুদা মশা কোমলে। অদুগা মহাক্না মাকলংদা থুংলবা মতুং নুমিৎ ২ শুবদা কোনুং (কংলা কোনুংলেন)দা চঙখি। নুমিৎসি নোংমাইজিং নুমিৎনি,নুমিৎ ফবা- ফত্তবগী ৱাফম থিখিদে। নিংথৌ ফম্বাল কাখি,নিংথৌ ওইখি। মতাংসিদা হেরাচন্দ্র অমসুং হুইদ্রোম্বা সুবন লোইনবদি মালহল্লি অদুবু মখোয়গী ৱাদি শুপন পন্দে[চৈঃকুঃ,২০০৫,২১৮ - ১৯]।

পাখোন চৎখিবগী খোঙ্গুল লীরকপা

মনিপুরদা তৌনরিবা য়ুমদাংবনা কইনাবা, পাখোন চৎখ্রগা ফম্বাল তোংশিল্লবগী ৱারীসি /ঈ- পাউসি কছার লৈপাক য়ৌখি। পাখোন থারক্লিবা মীসিসু নিংথৌ ফম্বালসিগী ৱাথোক্কী মমিং লৈরিবা মীশক্লি, মাগীনি খন্দুনা পাখোন থারুবদুনা মাগী মপোত্তু পায়শিল্লকপদুদি পাখোন চৎখ্রিবা মীদুগী খোঙ্গুল লীবগী মথৌ তারে,হায়বসি শেংনা খঙলে। অমরোমদা য়ুমজাওতাবনা মৈতৈ নিংথৌ ওইনা লৈরক্লিবসি থা অনিগা নুমিৎ ৯নি ফাখ্রে। ঈবুংশী গম্ভীরসিংহ, পাখোন থাবা মপুদুনা কছারদগী থোক্লক্তুনা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলারোমদা লাক্লে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা পাখোন লাক্লগা মপু শারম্বা শদুং লৌওনবদু মফি য়োমখ্রে। মচেনা ময়াংলৈপাক্কী মহারানী ওই হায়দুনসু অদোমদা চৎলুরবদি খুদোংথীনীঙঙাই ওইবনিনা অৱাশিংদা অমুক নমথাক লাং থাক্লুগে হায়দুনা অৱা লৈপাক্তা চঙখি। মহাকসি শুমহৎয়াই চেনবা মীনি। মতমসিদগী (খৃঃ১৮২৩ ওইনা পী) অৱা লৈপাক্তা খুন্দারগা বা- দাও- ফায়া (খৃঃ১৭৭৯- ১৮১৯)

নিংথৌরেন্না অৱা লৈপাক্তা লীংখৎখিবা মৈতৈ শগোল-লান্মীগী কম্মান্দর ওইনা চহিসিমক্তদগী লৈখি [ডঃলঃচঃ, ১৯৭০,৬৬-৫৭]।

পাখোন থাখিবা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহ (খৃঃ১৮২১)না থা ১০ রোম মনিপুর নিংথৌ ওইরমখি। হায়রিবা মতমসিদসু মৈদিংঙুচা হেরাচন্দ্রগী ৱাফমসি ৱাহৈ অমতা ফাওবা চৈথারোল কুম্বাবদা পন্দ্রে। অসুম্না ঈবুংশীজয়, মৈদিংঙু যদু সিংহ, মৈদিংঙু রাঘবসিংহ অমসুং মৈদিংঙু নোংচুপ লমগায় ঙম্বা (ভদ্রসিং- নিংথৌ খাবা) অৱানা নিংথৌ হাপ্লক্তুনা খৃঃ১৮২৫গী জুন তাং ১১ থাঙজা নুমিৎ ফাওবদা পানখি। মসিগী মখা তারকপদা রাজা গম্ভীর সিংহ, মহাক্কী লেভীগী কম্মান্দিং ওফিসার নরসিংহ অমসুং রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী(মনিপুর লেভীগী অহানবা মমিং)গী খোঙমী ৫০০,শগোল- লান্মী ৪০ মখোয়গী ওফিসার ৪ অমসুং বৃটিশ ওফিসার লেফটেনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টন য়াওনা লাক্তুনা মনিপুরগী লৈমায়দগী অৱাশিংবু পুমতান তান্থোকখিদুনা মখোয়গী খোঙ্গুন মুথৎখি।

হেরাচন্দ্রগী অরোয়বা য়াহীপ

ঈবুংশী হেরাচন্দ্র খোংজাই খুন থৈয়োঙদগী তম্পাক্তা কুমথরক্তুনা মহাক্কী মমা মৈতৈ লৈমগী মচাশিংবু তমথীরবা অৱাশিংগী মীওৎ- মীনৈদগী কন্ননবা অমসুং ঙাক- শেন্ননবা মশাগী চহি ২১ থা ৯ নুমিৎ ২৮দগী থৌদাং লৌরকখিবনি। মহাক্কী থৌদোক ৱাথোক্কী পরীংদা খ্বাইদগী ঈরোয় লোইবদা পাল্লখিবসি শক ১৭৪২গী ফাইরেনগী ১৪নি পানবা ঈরাই নুমিৎ, মশাগী চহি ২২ থা ৮ নুমিৎ ৭ শুবা অসিনি। মসিগী মখা তারকপদা মালহনবা ৱাহৈনা শমজিনবা নুমিৎ নিনি খক্তগী মতমদনি। হায়রিবসিগী মতুংদদি মহাক কদায়দা চৎখিবা, করি তৌরিবা / তৌখিবা, করম তৌরিবা, হায়বনচিংবগী ৱাফম অমতা লৈতে। মসি চৈথারোল কুম্বাবা চনখৎলিবা মীশকসিনা খঙখিদদুনা তৌবা মান্দে: লোৎকে, পল্লোয় হায়দুনা পান্দবনি হায়না চেৎনা থাজজে। অমরোমদা অসুম্না পল্লম্বদগী পল্লকখিদবসি অয়াম্বা মতমদা মশা লৈখিদবা মীওইশিংদা অয়াম্বা তৌনৈ। অদুগা মৈদিংঙুচা হেরাচন্দ্রগী মরমদা পল্লোয় হায়না পন্দবসিগুম্বগী লমদাং অমদি -

...........পুখ্রনবা তাংখোম্বগী কুম শক ১৭৫২ .... ফাইরেন থা...... ২৮নি শগোনশেন্দ লম্বোইবা মীরৈবাকচা চংকোন কৌবা ১না নিংথৌমচা খ্বাইরাকপনে হায়দুনা মৈতৈ মচাকা মান্নদুনা নোংঙালমদাইদা কোনুং চঙএ।.........২৯নি ঈরাইদা শ্রীঈবুংশীচা সেনাপতি, অচোমচা লুৱাংপা,হাওপম পিনোতা ৩মনা চংকোন

খোংতেকপবু ফারে। শ্রীযুৎ মহারাজ (রাজা গম্ভীরসিংহ)সুং থুংলৈএ। চংকোনবুদি লৈশাং হিদেনতা শগাই শানা হাৎএ। ৱাংখৈরাকপম চিংখুদি ময়াংলম চেনখিএ। চীংকাংপম মহারাণীতি ৱাকোংএ। [চৈঃকুঃ,২০০৫,২৩৮]।

অসিনি। হায়রিবা চংকোনসি কনানো, মীরৈবাক্তগী লাকপা মীতোপ অমনা হায়খ্রিবা লানহৌসি তৌবা ঙম্বগী মতীকসি মঙদা ফাওবা মঙলোয়দবা ৱাফম্নি। নিংথৌমচা মশেন য়েংথীনদনবনি হায়দুনা ৱাবীহৈবা পণ্ডিত অদুনা ইতিহাসবু নাথৈরম্বনি। মসিগুম্বনি ঈবুংশী হেরাচন্দ্রগী লমদাংসিসু।

থোক্লিবা থৌদোক- ৱাথোকশিংদুগী চেল্লিবা রাজনিতিগী ঈচেন্দুগী তীন্নরুরিবা নিংথৌ ফম্বাল পাম্বা ময়ামদুগী অমসুং মরৈবাক নীঙবা ঈবুংশী হেরাচন্দ্রগী চম্লবা ৱাখলগী পরীংদুগী মায়কৈশিংদা মিৎয়েং থম্লগা হায়বা তারবদি ঈবুংশীজ হেরাচন্দ্র নমথাক তৌদুনা পুথোক্লগা / থম্লগা হাৎখিবনি / হাৎহনখিবনি। অদুগা হায়রিবা থৌদোকসি খৃঃ১৮২১সিগী ফেব্রুৱারী লোয়খিবা, মার্চ থা হৌগৎলকপগী নুমিৎ৩।৪ নিগী মনুংগী মতমসিদা মাল্লি। হায়জখ্রিবা থোক্লিবা থৌদোক- ৱাথোক্তুগী ওইফম থোকপা, তৌফম থোকপশিংদু তৌরক্তবগী ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা হায়জবনি।

তাইবংপানবগী অচাওরম,তান্নবা নিংথৌ ফম্বাল কল্লক্লবগী লাল্লক্তা মমা লৈপাক্কী সেবা তৌজগে, চোংথোকচরকপা ঈবুংশী হেরাচন্দ্র, খম্বন- মিকানবগী তীন্না চীক্তুনা মালেম উফুল্লক্তা তীনখি। মাবু পোকচবী পলেমগী তেংথাখোনসু তাখিদে, থম্মোই শেংলবী তাল্লোয় অনিগী নুংশি মীকপ খোনসু নাচুংখিদে, মপারী চাওদ্রিবা অনিনা করি ওইহৌবা হায়বসু খন্দনা মমা লৈপাক্কী পাম্বোম তিংখিবা হেরাচন্দ্রগুম্বা অমখক্তং লৈবনা ফম্বাল মিহৌ- কল্লক চাওরবা ১০,০০০ লৈবদগীদি মৈতৈ লৈমা ঈমাগী য়াইফবনি।

ৱারোয়শিন

মৈতৈ লৈপাক্কী ফম্বাল মিহৌবীদবা, মমা লৈপাক অমসুং মজাতিগী মীয়ামবু অৱাগী মখুত্তগী কন্ননবা নিংথৌ মচা ওইবগী লৈজবা থৌনা অমসুং ঙমজবা থৌদাং পুম্নমক শীজিন্নদুনা মশা কথোকখিবা ঈবুংশী হেরাচন্দ্রবুদি মৈতৈগী চৈথারোল কুম্বাবদা ময়েক শেংনা, শুনা অমসুং মমুৎ তানা চনখৎপীরমদ্রে। হু পাম্বী মনাক্তা হৌবা অতৈ উপান ফাওবদা হু চেনবগুম্লবা খরনা মফম মরাং খঙহন্দনা মৈতৈ লৈমা ঈমাগী হেরাগী খুদোপ

মাঙহনবীখ্রে। শুপ্পদগী "তাকু নিংথৌ" হায়বসিখক্তগী ফংলিবা ঈবুংশীজসিগী ফোংনা থুপ্লবা পুন্সিগী ৱারী লৈচন্দি সাহিত্য লৈকোনগী নত্তে ইতিহাসকী লংলা- লংজীনগীনি: ৱাখন্না শাজিন্দুনা পঙই ইশিনবীবনা অইবগীদি তোংজরম্বা য়াই অদুবু খ্বাইগীদি অমাঙবনি।

মতেং লৌজখিবা

১) চৈঃকুঃ,২০০৫	=	লাইরেনময়ুম ৺ইবুংঙোহল ১সুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল- ২০০৫)
২) ডঃলঃচঃ,১৯৭০	=	ডাঃ লৈশংথেম চন্দ্রমনি সিংহঃ মনিপুর ইতিহাস (ইম্ফাল- ১৯৭০),
৩) ৱঃগঃসঃ,১৯৭০	=	ৱাহেংবম গৌরচন্দ্র সিংহঃ কর্ত্তা মহারাজগী মচাইবুংঙো নিংথৌ মরি (ইম্ফাল- ১৯৭০)
৩) অঃঙঃ,খুঃ	=	অৱা ঙম্বা, খুৎয়ি লাইরিক
৪) খঃঙঃ,খুঃ	=	খাহি ঙম্বা, খুৎয়ি লাইরিক
৫) গঃনঃ,খুঃ	=	গম্ভীরসিংহ নোঙ্গাবা, খুৎয়ি লাইরিক

নিংথৌ- ফম্বাল কল্লকখিদবা নরসিংহ

ৱাহৌদোক

ঈবুংশীজ নরসিংহ, মৈত্রবাক মনিপুরগী রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী (খৃঃ১৮২৪-২৫)গী কম্মান্দিং ওফিসার, লৈপাকসিগী সেনাপতি (খৃঃ১৮২৫-৩৫),মনিপুরগী যুবরাজ (খৃঃ১৮৩৫-৪৪) অমসুং মৈদিংঙু -নিংথৌ (খৃঃ১৮৪৪-৫০) ওইখিবা:“ঐখোয়গী ঈনিংথৌ নুংশিখিবা” হায়বা মিংথোনসি লৈপাক্লা কৎখিবা, নিংথৌ ফম্বালগী কল্লক-মিহৌবা লৈখিদবা অমদি মৈত্রবাক মনিপুরসিগী কথোকপা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা অমসুং মৈতৈ নিংথৌগী সিংহাসনবু য়োক্তুনা, ঙাক-শেন্দুনা অমসুং অশেংবা হক লৈবা নিংথৌবু শৌগৎপগী শকপান্দুনা মূর্ত্তি ওইনা চোংথোক্লক্লবা তাঙলবা মহারাজনি। মহাক অসি মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল অসিগীদমক্তদি মীগীদমক্তা পোকপীরক্লবা মীশক অমসুনি হায়বা য়াই।

শক্তাকপা অমসুং পারী-পুরী

ঈবুংশীজ নরসিংহ, মহাক্না মনিপুর কনবদা অমসুং মমালৈপাকসিগী মনীঙ-মখা তন্বা ঙাকপদা, নিংথৌ খুবম য়োকখৎপদা অমদি স্বার্থত্যাগকী লমদাংশিংদা মিৎয়েং থল্লবদি খ্বাইনা হেক্তা খঙনরবা শক্তাক্রবসু য়ারবা মীশক অমনি। অদুবু পারী-পুরীনা মী অমগী শক্তাকপগী ৱারোল ওইনবা অমসুং শকখঙনবগী ৱাফম ওইনবনা ৱারম অসি লৌখৎচরিবনি।

ঈবুংশীজ নরসিংহ, পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক মেখলীদেসকী খ্বাইদগী হেন্না খুৎকল-পাঙ্গল্লবা অমসুং কন-থৌরবা নিংথৌরেন ময়াম্বা / গরিবনৱাজ মহারাজ (খৃঃ১৭০৯-৪৮)গী ৮শুবী লৈমা হীদাকশুংবী, মাইবমচনু লোইবী চরোইঙম্বীনা মতোমতা পোকপা মৈদিংঙুচা ঙৌৱাম শাই, সেনাপতিনা মোইৱাংথেমচনু পোংলেনখোম্বী পান্নদুনা পোকপা ঈবুংশীজ ভদ্রসিং, ৱাংখৈরাকপম নত্রগা নিংথৌ খাবা নত্রগা মৈদিংঙু নোংচুপ লমগাইঙম্বা (খৃঃ১৮২৪-২৫)গী অহুমশুবী তাল্লোই লোকতোনবমচনু প্রেমলতানা পোকচবা মচাঈবুংঙো অনিগী অহন্নি। ঈবুংশীজ নরসিংহ মৈতৈ হুয়েন লানওংগী লান্দা-লানকন, শাফা-লানফারোন, লানশোক-লান্থেংনবা, শাতু- লানতুরোন্নচিংবা, শা-লানগী মহৈ মশিঙগী লমদাংদা- “থাঙ হৈবদা নরসিংহ, তা হৈবদা

গম্ভীরসিং” হায়নরিবসিগী “নরসিং(হ)” হায়বসিনি। মৈদিংঙুসিগী পোকফম শাৎফমসি মৈত্রবাক মনিপুরসিগী কোনুং ওইরিবা ইম্ফাল কংলৈপুঙ (সহর / টাউন)গী ময়োন লৈকোয়পুঙগী য়াঙ্গোই শগোলবনগী লমদমনি। মহাক্কী মপা মমা তীন্নবা অমসুং মমা তীন্নদবা পুন্না মচীন-মনাউশিং ৮ (নিপান)নি অমসুং মসিগী মনুংদা নিংথৌ ফম্বাল ফমখিবসি মখোয় ৩ (অহুম)- যদুসিং নত্রগা নোংপোক চীঙলেনখোম্বা (খৃঃ১৮২২-২৩), নরসিংহ (খৃঃ১৮৪৪-৫০) মশামক অমসুং দেবেন্দ্র সিংহ (খৃঃ১৮৫০গী এপ্রিল ১০-জুলাই ১২নি)। মহাক খৃঃ১৭৯২তা মালেম তাইবং পান্দা খোঙদারকখিবনি [চৈথাঃ কুমঃ,২০০৫,২৯৯]।

মহৈ- মশিঙ তম্বা

মনিপুর ইতিহাসতি শা-লানগী থৌদোক-ৱাথোক, শাথোক-লাম্থোক্লবা, অসিনচিংবগী ইতিহাসনি। মরম অসিনা মনিপুরদা ইতিহাসকী যুগদা শা-লানগী মহৈ-মশিঙসিনা হৈতবা য়াদ্রবা, থাদোকফদ্রবা, শুপশোয় শোয়নদমক শাগোন্নরগদবা, নুপা ওইবশিংনা লানগীদমক্তা পোক্লক্লবা অমসুং খোঙথাং খুদিংমক্কী লোইনদুনা লৈরবা খ্বাইদগী হেন্না অথোইবা মহৈ-মশিঙ ওইনা লৈরম্মী অমসুং চৎনরম্মী। হায়রিবা মহৈ-মশিঙসি অরামচাশিংদা অদুক হকচিন্দ্রবসু নিংথৌমচাশিং অমসুং নিংথেমচাশিং গীদমক্তদি মপোক্কী পীথোক্লক্তুনা তমদবা অমসুং হৈতবা য়াদ্রবা মহৈ-মশিঙ ওইরম্মী। অদুনা ঈবুংশীজ নরসিংহসু মহৈসি অঙাং ওইরিঙৈদগী চেকশিন্না তন্লকখিরম্মী। অদুবু মহাক্কী ওঝা-গুরুসি কনানো হায়বদুদি খঙঙমদবগী ঈরোন্নুংদা লৈরি। অদুগা মৈদিংঙুচা নরসিংহসি হায়রিবা মহৈ-মশিঙসিগী থাঙ (থাঙশাং, থাঙপাক, কমথী, নামৈয়েপ, অসিনচিংবা) শীজিন্নবগী মহৈ-মশিঙদা মহাক্কী মতমগী মখা শমথহৌবা মহাক্কী সেবক শখা অমতা লৈহৌবা নত্রগা মহাক্কী থাঙলোনগী মরম খঙবা নত্রগা হৈবা মীশক অমতা লৈবা থেংনজদ্রি। মহাক্কী মহৈ-মশিঙসিগী গুরুসি মৈদিংঙুচা আনন্তশাই ওইরমগদ্রা খঞ্জে, অদুবু অরেপ্পদি হায়জবা ঙমজদে।

যুম্বানবগী পুন্সিদা

ঈবুংশীজ নরসিংহনা পুমকক চাওরকপদগীনা পাখং ৱাই-ৱাই ফারকপা অমসুং মহৈ-মশিঙ কন্না তম্লিঙৈগী মতমসিদা মহাক মৈদিংঙুচা শামুফাবা (রাজা গম্ভীর সিংহ)গা য়াম্না নক্লনা তীন্নবা অমসুং লোইনবগী খুদম-চাংদম ফংই [গঃচঃশঃ,X,২৯]। মখোয় অনিনা ময়াম্লুংশিং-লাবন্যচন্দ্র,

মধুচন্দ্র, চৌরজিৎ অমসুং মার্জিৎকী নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী ঈরাংশিংদুদা মচীন-মনাউনা করিগুম্বা মখোয়গীসু অদুগুম্বা লাইবক ফবা মতমদু লাক্লবদি ময়াম্বুংশিংনা তৌনরিবা ঈরাংশিংদুগুম্না খক তৌরোয়সি হায়না ৱারী-ৱতাই শান্নখিরম্মী, হায়বা ৱারোন পীরি [মথক্কীসিদা, ২৯]। অসুপ লুনা তীন্নরম্বা মচীন-মনাউ অসি নোংমা করিসু লৈতবা ৱাহৈ অমদগী / খরদগী খনমুক-খনমুক তৌনদুনা লাপথোক্লখিবনি, হায়নসু হায়রি [মথক্কীসিদা,২৯]। হায়রিবা ৱাফমশিংসিনা তাক্লিবদি মচীন-মনাউ অসি নহা ওইনা মীথক থোংবা, নিংথৌমচা অমসুং নিংথেমচাশিং ওইনা মশাগী ঈকাই খুম্নবা মাঙখিগনি হায়বসিগী য়াম্না চেকঞ্জিবা অমসুং নুপা থোকপা মীশক ঙাক্তনি, হায়বসিনি। অদুবু লাপথোক্লখিবনা তশেংনমক য়েংথীনবগী ফিবমদুদি য়ৌখিদে।

তরামাপনশুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাগী মতম অদু খুন্নাই লোনচত্তু মমাঙগী চহি চাদগী শুমথরকপা মতমনিনা মৈতৈদা ঙন্না য়ুম পানবগী চৎনবীসি লৈরম্মী। মৈদিংঙু নরসিংহনা পুন্সিগী অরোয়বা য়হিপ তানখিবা মতম খৃঃ১৮৫০গী এপ্রিল ১০ ফাওবদা মহাক লৈমা ১৩ (তরাহুমদোই)গী মবুংঙো ওইখি অমসুং লৈমশিংসিদগী মজাইবুংঙো ২৬ (কুনতরুক) ফংদুনা মৈতৈ নিংথেমচাশিংগী শাগৈ লেপ্পদা শরুক য়ারকখি [মঃসঃকঃ.১৯৯৪.২৬২-৬৪ অমসুং শঃফঃ,খুঃলাঃ]। মহাক্কী তাল্লোইশিংসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না উইন লৈবী, অখাঙ কনবী অমসুং মপুরোইবা নীঙবীসি ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙা (ৱাহেংবম অঙাং) নত্রগা রসনী হায়বীসিনি। মহাকসি মতম তাঞ্জা চানরুবা হায়গদ্র, লাইমক্কা তম্লকপনিবু হায়গদ্রা- মহারাজ নরসিংহনা খৃঃ১৮৫০গী এপ্রিল হৌগৎলকপদা খোঙহাম্বগী (পুকচৎপগী) লাইনানা নারকপদা মপুরোইবগী অনা-লাইকন্নরিবী ৱাহেংঙা অপানবীসি মপুরোইবনা নোঙ্গাখিবা এপ্রিল তারিক ১০, য়ুমশকৈশ নুমিৎসিমক্তদা মহাক্কী থৱাইসু চুপখিদুনা মপুরোইবগী মতুং ইন্দুনা নোঙ্গাখিরম্মী [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ২৯৯-৩০০]।

কছার লৈপাক্তা ঈবুংশীজ নরসিংহ

মহারাজ চীঙথংখোম্বনা খৃঃ১৭৯৮গী মেরাগী ৩নি ঈরাই (ওক্তোবরগী অহুমশুবা চয়োনগী ঈরাই তাবা নুমিৎ)দা শ্রীপাটক্ষেত্রদা নোংগাখ্রবদা লৈহৌরিবা মহাক্কী মচাঈবুংঙোশিং ৭(তরেৎ)কী মনুংদা ৫দি ফম্বালগী উঙখৎনবনা তাঞ্জা ঙাইনদুনা ফিবম শেম-শাদুনা লৈনরম্মী। অসুম্না লুম্নরকপসিদা খুম্বোংময়ুম শাগৈনা মখোয়গী নিংঙোনমচাগী হাকন অমসুং

হককন্দা ময়াম্বুংহন লাবন্যচন্দ্রবু শগোল কাঙজৈ শান্নবদা শোয়খিবা শাদুনা পোপ তুগদবা মওঙদা খুৎ থারগা খৎনবা হৌদুনা মীয়াম কায়হনখ্রগা ময়াম চঙদুনা শিননবা ফুদৎলগা শিরে হায়দুনা হুন্দোক্তুনা কাঙজৈবুঙদা থল্লম্লগা মখোয়সু মফমদু থাদোক্তুনা মাঙনখিরম্মী। তাঞ্জাসিদা নিংথৌ কনবা শারগা চত্তুনা শিবরা, শিদব্রা য়েংনবা অমসুং শিরমদ্রগা লোয়শিন্নবা থাখ্রগা মহাক্না কোনুং মনাক্তা খঙদবা শাদুনা লুল্লগা লৈরম্মী। অদুগা ময়াম্বুংগী শোর থৎলে হায়না পাউ হেক পীরবগা থীন্থদনা কোনুংদা চঙদুনা নিংথৌ ওইখি। মখোয়গী নিংঙোনমচা থাঙ্গৎনবা কবোশিংনা হোৎনরুবদু অকেম ফাত্তা মীনা লোকখ্রে, ওক্না নীল্লগা হুইনা মনা লৌখ্রে। মসিগী থরুম পুরিবা ব্রাংখৈরাকপা আনন্ত শাইনা কংলাগী উখুন ফুকপা নুমিত্তা কংলা শঙলেনগী উখুন্দুনা কবো খুম্বোংময়ুমগী তুলসী ইন্থরগা মদুদা হাক্নন চঙলকপা খুম্বোংময়ুমগী মীশিংগা পুন্না মী ৮ (নিপান) হাৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৭৯]। অদুগা মখোয়গী মীচঙদা লেপখিবা অমসুং লেপ্লিবা নোংপোকহারমগী মী ৯সু সুগ্নুদা পুথরগা হাৎখি। মসিগী ঈ- পাউদি :-

> **..........মাইস্নাম পুঙথোনগী কুম ১৭২২ ব্রাকচীঙ থা......৪নি ঈরাই (খৃঃ১৮০০)দা খুনফোংময়ুমগী তুলসী, রতনমনি কৈরুংবা, মাইবম চক্রপানি হাজারি ৩ মনচিংনা কংলাগী উখুন ফুকপা নুমিত্তা মী ৮ হাৎনৈ-এ।। য়ুমনাম খেলেম্বা খোংতৌ, অহৈবা নরতোন, হৈখাম মুংয়াম্বা মচীন-মনাউ, খোংবানতাবম খেকলাউবা, অচোইবম ওভি মচীন-মনাউ, কোইচোম ৯বা শুগ্নুদা হাৎনৈএ।। কবো গৌরমনিদি খুরাইলাকপা পন্দা হাৎনৈএ।। মতু-মচাদি পানা লাম্মীবু য়োঞ্জহলএ।। খুনফোংময়ুমদি ক্বাক্তাদা কৈ ওইহলএ।। ৯নি য়ুমশকৈশদা ঈবুংশী কবো তাববু ময়াংলম থাজিন-এ [মথক্কীসিদা,১৭৮-৭৯]।**

অসিনি। মসিদা ঈবুংশী কবো তাবা হায়না পীরিবসি নিংথৌমচা গম্ভীরসিংহ (রাজা গম্ভীরসিংহ)দুনি। মহাক্কীদমক্তা খুম্বোংময়ুমনা হৌরকপনিনা মহাকসু চেন্নদবা য়াদবনা মনিপুরদগী ময়াং লৈপাক কছারদা তান্থোকখিবনি। অদুবু মতুংদা মৈদিংঙু চৌরজিৎগী সনা হাক্তক্তা অমুক হল্লক্তুনা মনিপুরদা লৈরখিগনি [মথক্কীসিদা,১৯৮]।

মৈদিংঙু মধুচন্দ্র (খৃঃ১৮০০-৩০)সি মনাউনুপা অনিনা মহাক্না তৌজখিবা থবক্কী মহৈ ওইনা খৃঃ১৮০৩দা ফম্বালদগী চিংথবদগী মহাক্না কছার লৈপাক্তা মমাক নুপা কছারী নিংথৌ (মহাক্কী মচানুপী ইন্দুপ্রভা খৃঃ১৮০২দা থাজদুনা লুহোংখিবা)কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগী মনাক্তা চেনখিবদগী মফমদুগী মতেং লৌদুনা বৃটিশ লম্মী খরগা লোইন্দুনা খৃঃ১৮০৪দা মনিপুরদা লান্দারকপদা চৌরজিৎ মার্জিৎনা কৈনৌগী মনীঙগী শামুপন্দা লান

শোক্লবদা মনাউ অনিসিনা চহিসিগী কালেনগী ১৪নি পানবা য়ুমশকৈশ (মেগী অরোইবা চয়োন)দা হাত্তোক্লুনা মাগী ফংফম থোকপদু ফংহনখি [মথক্কীসিদা,১৮৪-৮৫]।

চৌরজিৎ মহারাজ অমসুং মার্জিৎ যুবরাজ অনিসি মৈদিংঙু মরাম্বা (খৃঃ১৭৫৩-৫৯,১৭৬১-৬৩) অমসুং মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা (খৃঃ১৭৫৯-৬১ ,১৭৬৩-৯৮) অনিনা চহি ৫ / ৫ নিংথৌ অমসুং যুবরাজ অমুক অমুক ওইনবগী ৱাফম থম্লখিবদুগুম্না মখোয়নিসু ৩ / ৩ নিংথৌ ওইনসি হায়না য়ানবগী ৱাফম থম্লখি [R.K.S,1989,71-71] । অদুবু চৌরজিৎনা য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্লক্তবদগী মার্জিৎনা মহাকপু নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথনবা অমসুং মশামক নিংথৌ ওইনবা পান্বে থিরকখি। মহাক্না হন্না হন্না অৱা নিংথৌদা চঙজদুনা অনি অহুম্লক তক্লদুনা অমসুং মহাক মশা অৱা কোনুং লৈদুনা হোৎনরকপদা মহাক্না মৈতৈ কবো (Kase Shan)সি অৱাদা মাগী তেংবাংমল ওইনা কথোক্লগে অমসুং মখোয়গী মীখা পোনগে হায়বদা য়ানদুনা অৱা নিংথৌনা পখেপ সেনাপতিগী মখাদা অচৌবা লান্মী মপৈ অমা পীদুনা খৃঃ১৮১৩দা মনিপুরদা লান্দারক্লুনা চৌরজিৎপু নিংথৌ ফম্বালদগী তান্থোকখি। হায়রিবা মৈদিংঙু মার্জিৎসিনা ময়াম্বুং লাবন্যচন্দ্রগী হাক্তক্তা তৌখিবা লৌতুনবগী থৌদোকশিংদু মহাক্কী মিৎমাঙদা থমদুনা মহাক্না নিংথৌ ওইবসিদা য়েৎলক্কদবা, লান হৌরক্কদবা অমসুং শরৌ শিন্দুনা নিংথৌ শেন্নক্কদবশিং মাঙহন্নবা থৌরাং মহাক্না নিংথৌ হেক ওইবা লৌখৎলক্লম্মী। মহাক্না মৈতৈ নিংথৌ সিংহাসনসিদা হক লৈবা অরাপ্পা অমসুং অনকপা মরীগী নিংথৌমচা অমসুং নিংথেমমচাশিং পুম্নমক হাৎননবা খুজীল-থৌরাং শীল্লম্মী। মসিগী ওইনা ঈবুংশী গম্ভীরসিংহবু লোয়শিন্নবগীদমক্তা মহাক্না মী থাদুনা গম্ভীরসিংহনা মহাক্কী নুপী মৈস্নাম নিংঙোনগী মপাম মনাক্তা লৈরিবা মফমদুদা লান্দারক্লুনা অহিং অমদা মী ২৪ (কুনমরি) হাৎখিরম্মী। হায়রিবসিগী থম্বীরল্লিবা ৱারোন্দি:-

> **.......সিনাম মুংয়াম্বগী কুম শক ১৭৩৫.....(ওল্লকপা) শজিবু থা ১৭নি য়ুমশকৈশ (খৃঃ১৮১৪গী মেগী অহানবা চয়োন)দা কোনুং চঙদুনা শ্রীযুৎ মহারাজ নোংপোক ৱাইরং পামহৈব (মার্জিৎ)না চহি ৩৪দা নিংথৌ ওই। ....লংমাইথেম মনিগী কুম শক ১৭৩৬........কালেন থা......৩নি থাঙজ (খৃঃ১৮১৪সিগী মেগী অহুশুবা চয়োন)দা চীঙঙামখাদা মী ২৪ হাৎএ [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,২১৯]।**

অসিনি। অসুম্না অহিংদা লান্দারকপসিদা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহদু য়েক্লবনা লাঙ্গোয় চনখ্রবা মতমসিদা ময়ুম মনাক্তা, মরৈকায়দা লাংনরিবা অদু করি

তৌরবনো হায়না য়েংবা থোক্লকপা কাংঙবা ক্ষেত্রি সিংহনা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহগা থেংনরম্মী। ক্ষেত্রি সিংহনা অঙন্বা উপায় তৌদুনা গম্ভীর সিংহবু কল্লম্মী অমসুং য়েক্লবশিংদুগী লাঙ্গোয় চল্লিবদুদগী পুথোক্লক্লগা মহাক্কী মশক-মমিং তাক্লগা গম্ভীর সিংহবু কছাররোমদা চেনখিনবা লন্বীদা পুরক্লম্মী। অসুম্না ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহবু কাংঙবা ক্ষেত্রি সিংহ (মহাকসি কাংঙবা থাঙ্গাল / চিদানন্দ সিংহগী অপোকপা মপানি)না কল্লগা কছাররোমদা চেহল্লক্তুনা উচিন- নাচিন্না হিংখিরম্মী। হায়রিবা অহিংসিগী নোংঙানবদগী মৈতৈ নিংথৌমচাশিং অমসুং নিংথেমমচাশিং পুম্নমক মনিপুর থাদোক্তুনা মাগী মাগী মথৱাই হিংননবা চেনখিরম্মী।

খৃঃ১৮১৪গী মৈদিংঙু মার্জিৎকী মীফত্তগী খুজিল থৌরাং অসিদা শগোলবন ময়োন্দা লৈরিবা মৈদিংঙু গারিবনৱাজ মহারাজগী মশূ, ঈবুংশীজ নরসিংহগী অপোকপা ভদ্রসিংহ (নিংথৌ খাবা), ৱাংখৈরাকপা ওইরম্বসু লৈপাক্কী মশক নাইবা ঈবুংশীজ অমা ওইরুবনিনা মৈত্রবাক্তা লৈবা য়াদদুনা মহাক্কী মচা-মশূ, নুপী- অঙাং, ঈমুং-মনুং পুম্নমক পুদুনা ময়ুম- মকৈ থাদোক্তুনা ডিমাসা / কছারীশিংগী লৈপাক্তা চেনখিরম্মী। মরমদি মহাক্কী মপাঈবুংঙো, মৈদিংঙুচা ঙৌব্রাম শাইগী পোকমিন্নবা মচন ঈবেম্মা হরিপৃয়াসি ময়াং / কছারী নিংথৌ হরিশ্চন্দ্র নরায়ন নত্রগা সন্ধিকারী (খৃঃ১৭৬৫-৮০)না খৃঃ১৭৪৪-৪৫দা লুহোংদুনা লৌখিবনি (মথক্কীসিদা,১১০,১২)। অদুগা ঈবুংশীজ ভদ্রসিং, নিংথৌ খাবসি খৃঃ১৮২২-২৩গী মতম অসিদা কছার লৈপাক্কী কোনুং ওইরম্বা হিরম্মীদেশ (হৌজিক্কী ডিমাপুর টাউন)তা লৈরম্মী [মথক্কসিদা,২২১]। অদুনা খৃঃ১৮১৪গী লাঞ্জেনবসিদা ঈবুংশীজ নরসিংহ, মশাগী চহি ২২ শুবা মতমসিদা মনিপুর থাদোক্তুনা মপাঈবুংঙোগী মতুং ইন্দুনা চৎখিবনি। অদুবু করিগুম্বা মরম অমদগী, হায়বদি, মহাক্কী পুন্সি খোঙলোই ৱাহেংবম নিংঙোনসিগী মতাংদগী য়ানদবা অমা লাকপদগী ঈবুংশীজ নরসিংহনা ডিমাপুরদগী হাইদোক্লক্তুনা কছারগী শিলচরদগী খারোমদা কিঃমিঃ৩৫ রোম চৎলগা লৈবা খোইরেন পাৎকী অৱাংথংবা পাৎপান্দা খুন্দাদুনা লৈখিবনি।

নিংথৌ-ফম্বাল মিহৌদবা নরসিংহ

ঈবুংশিজ নরসিংহ, মৈতৈ নিংথৌমচা অমসুং নিংথেমচাগী শাগৈদা পোক্লবনা অমসুং মতমগী খোঙচৎনা পুরকপা ৱাজনিতিগী য়াওন্না পীরকপা ঈথিন্না লৈঙাক্লোনগী পুন্সিদা চিংশিন্দুনা তৌদবা য়াদ্রবা লৈঙাক-লৈকনগী পুন্সিদা খোঙদারকখি। অমরোমদা মীরৈপাক-মীরমদমদা

লাঞ্জেল্লকপা মীওইশিংগী লানথুপ-লাম্হেংরবগী পুন্সিদা মীরমদা পানবা যুন্বান ওইবা, চাদবা য়াদবা, তিঙদবা য়াদবা চাদিং / খরচকী লাংদা থুবা, চাগা কারক্লীঙাই লৈতবনা, শূফম-নোমফম খঙদবনা অমসুং পুম্নমকসিগী মথক্তা মৈতৈ নিংথেমচা অমা ওইবগী ঈকাই খুম্নবা মাঙহনবা য়াদবনা ঈবুংশীজ নরসিংহ খোইরেন খুন্দুদা ৱানা পুন্সি লেল্লম্মী। অদুবু নোম্বা কনবী, শূবা লেপ্তুবী ৱাহেংঙাদি ঙাইহাক্তা পোথাদে। হুরাল্লুবসু নত্তবা, নীরুবসু নত্তবা ঈপাঙ্গন্না শূ-নোমদুনা ঈশাগী ঈচীঞ্জাক তাঞ্জববু করিগী ঈকাইজরুগদবগে হায়দুনা নহা ওইরিবী মহাক্না মপুরোইববু থবক অমতা শূহন্দনা ফৌশু-লল্লোন্দুনা চাননবা তাল্লি। ফৌ-কোকথোং, চেঙ-কোকথোং পুদুনা লল্লোল্লগা ঈমুং পুনবা হোৎনরম্মী। অসুম্না ঈবুংশীজ নরসিংহনা লৈত-লায়রগী পুন্সিদা কছারগী খোইরেন মৈতৈ খুন্দা লৈরম্মী।

রাজনিতিগী ফম্বাক্তা নরসিংহ

ঈবুংশীজ নরসিংহ, কছারদা লৈত-লায়রগী অমসুং মহাক্কী শাগৈ-নাতৈশিংনা ইন্থোকপীদুনা পীদোন-পাদোনবা পুন্সিদা লেঞ্জরবসু মহাক্কী থম্মোইনুংদা লৈরিবা মরৈপাক-মজাতিবু নুংশিবা অমসুং মহাক্কী ৱাখন্দা তুঙলিবা মরৈপাক নীঙবগী ৱাখল্লোন্দুদি ময়েং তাবা লৈরমদে। মহাক্না খৃঃ১৮১৫গী অদুৱাইদগী খোইরেন পাৎপান্দা লৈরকপসিদগী হৌনা মনিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক, শাথোক-লাম্থোক্লচিংবগী ঈ-পাউ পুম্নমক লৌরম্মী অমসুং খোমজিল্লম্মী। অদুগা মহাক্না মরৈপাক্কীদমক্তা করি তৌবা য়াবগে হায়বসিসু খল্লম্মী, তাল্লোই ৱাহেংঙাগসু তান্নরম্মী অমসুং মনিপুরগীদমক্তা করিগুম্বা খর তৌনীঙঙকপদা নত্রগা তৌবা তারক্লবদা মদুগী চৈঙাক ওইনবা পাম্বৈ অমসুং হিরোই, হিনাউ শাবনচিংবা ওইননবগী উপায়সু থিরম্মী। মহাক্না কছারসিদা লৈবদুসু মীনা (মনিপুরী, ডিমাসা / কছারী, বেঙ্গোলীনচিংবা) উশীৎনবা, হন্থনা য়েংদ-খন্দনবগী লম্বীসু য়েংলম্মী। মহাক অমসুং মহাক্কী তাল্লোই ৱাহেংঙাসি মতমগী ফৌরোই য়েংদা তাম্থা পীবসু হৈরম্মী / ঙল্লম্মী।

মতমদুগী কছার লৈপাক্কী রাজনিতিদা খৃঃ ১৮১৩দগী রাজদণ্ড পায়রক্লিবা ডিমাসা নিংথৌ রাজা গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন (খৃঃ১৮১৩-৩০)সি মহাক্কী হান্নগী চফুমচেৎ-উয়ানমচেত্তগী হৌদোকমিন্নরকপী কছারী নিংঙোন "চন্দ্রপ্রভা" দগী খর মখৈ পুক্লীঙগী ঈচেল থৈরকপা অমসুং মৈতৈ নিংঙোল, মৈদিংঙু মধুচন্দ্রগী মমোম তমফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাদা পুক্লিঙ থমদুনা মৈতৈ নিংথৌ চৌরজিৎতা তাথী-তাওইনবা মিৎয়েং থম্লকপসিদা হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী মনাক্তা চঙনীঙলমদে। মদুগী

মহুত্তা মহাক্না গোবিন্দচন্দ্রগী কাংখদা চঙবা লিন ওইরিবা তুলারামগা মীচঙ ওইনদুনা মশাগী ফিবম শেমগে হায়না লৈরম্মী। মরমদি তুলারামসি, মহাক্কী মপা রামসিং হায়বা মতমদুৰাইদা জয়ন্তিয়া (খাসিয়া-জয়ন্তিয়া)গী লৈঙাক্লোনগী লুচিংবা ওইরিবসিনা মৈতৈ নিংঙোন লৌদুনা পোকপা মনিপুরী নিংঙোন মচানি। মতমসিদা অমসুং মসিদগী চথরক্লগা খৃঃ১৮১৭-৩০ ফাওবদা ওইরিবা কছার লৈপাক্কী রাজনৈতিক অমস্থাদা লৈরিবা মতৌদুদা পীবীরম্লিবদি :-

(1)......Chaurajit due to some misunderstanding with the new ruler of Cachar (1813) Govindra Chandra, left Cachar for Jaintia and began to raid Cachar, Govindahandra also heard that Ram Singh, the Chief of Jaintia was making preparations to invade Cachar. He was not all sure of his strength and feeling helpless on the face of imminent attack applied for help to the Governor-General of India. But no help came from the British Government. In the mean time Gambhir Singh, brother fo Chaurajit who was appointed Senapti of Cachar forces joined in a conspiracy against Govinda Chandra along with other important officers like Tularam and Sanandaram [J.R.,1973,58].

মতম অসিদা গোবিন্দচন্দ্রগী মথক্তা মহাক্কী মতম কুইনগী য়েক্লবা ওইরবা তুলারামনা লান হৌগদবগী খুদোংচাবা ঙাইদুনা লৈরম্মী। গোবিন্দচন্দ্র অমসুং তুলারামগী মরী অসি অহানবদদি চান্নরম্মী। অদুবু মমৈথংদদি গোবিন্দচন্দ্রগী মীচঙ থাদোক্লগা অৰাং কছারদা লৈবা মপাগী মনাক্তা য়াওখিরম্মী। তুলারামগী অর্জীদা হায়রিবা গোবিন্দচন্দ্রনা মহাক্কী মপা অমদি মখুরাবুসু হাংখি অদুগা মহাক্কী মীওই খরবুসু ফারগা জেলদা থমখি, অসিনি। অসিদসু নত্তনা কছারগী নিংথৌনা মহাকপু (তুলারামবু) "মীনাইনুবীগী মচা" হায়দুনা চৈরম্মী। অমরোমদা তুলারামনা মহাক্কী মখুরানা পোকপা গোবিন্দরাম অমদি দুর্গাচরনগা লোইননা কছারগী নিংথৌবু য়াম্না অৰাবা পীরম্মী। গম্ভীর সিংহ অমসুং তুলারামগা মতম অমতদা য়েক্লবা ওইবা অসিনা গোবিন্দচন্দ্রগী ফিবম অসি মরা চেৎলমদে। অৰাবা অসি অমুক্কা হেন্নবা গোবিন্দচন্দ্রনা প্রজাবু ওৎ-নৈবগী শাসন অমা হৌদোরক্লম্মী।

অনৌবা শাসন অসিগী মখাদা কছারগী প্রজা অয়াম্বা থবক্তগী লৌথোক্লম্মী। অদুগা মখা থংবা বাঙ্গালদগী ওফিসার অয়াম্বা পুরক্তুনা..........লৈপাক ঙাকহল্লম্মী। নীঙবা কায়দুনা কছারীশিং অদুনা জয়ন্তিয়া, কুমিল্লা অমদি ত্রিপুরা তান্না চেনখিরম্মী, অদুগা তুলারামগী মীচঙদা য়াওখিরম্মী [লঃচঃসঃ১৯৭০,৩৩]।

(১) চহি তরেৎ খুন্তাকপগী পাউদা

মৈত্রবাক্তা মার্জিৎ মহারাজ (খৃঃ১৮১৩-১৯)না নিংথৌ ওইদুনা পাল্লবদা মহাক্না অৱাদা মৈতৈ কবো কখোকখিবা অমসুং অৱাগী মখা থাবা নিংথৌ ওইনা পানগনি হায়না য়ানখিবশিংদু ঙাক্লকখিদ্রে। মসি, মৈদিংঙু মার্জিৎনা মহাক্না নিংথৌ সিংহাসন পাম্মনবদগী মৈতৈশিং অমসুং মমা লৈপাক্তা লানখিবদুগী নীঙঙমক্তবা অমসুং "মৈতৈগী মীওইশিংদি য়াথং তৌনবা / পীনবা পোক্লকপনি, য়াথং ইন্নবা পোক্লকপা নত্তে" হায়বসি নীঙশিঙলকপদগীনি হায়জনীঙঙি। মহাক্না ম্রাম্মা / বর্ম্মা নিংথৌরেন বো-ডোআ প্রা(বাদুন-মেঙ / মেঙতারা-গ্যি(খৃঃ১৭৮১-১৮১৯)না নীঙবগী মায়য়োক্তা নত্রগা ওন্ন- তৈনবদা তৌথোক্লকপা মওং-মতৌ ময়ামসিনা মহাকপু নিংথৌ শেম্মীরক্লিবা নিংথৌরেনসিনা মহাকপু হিংনা ফাদুনা পুরক্লবা য়াথং পীদুনা পাখানৱোন /পাগান ৱূন [Pagan/Pugan-Woon or Commissioner of Pagan] অমসুং কানেউন / কলেৱূন [Kale-Woon or Commissioner of Kale] কৌবা সেনাপতি অনিগী মখাদা অচৌবা লান্মী মপৈ অমা থারক্তুনা শক ১৭৪১গী ৱাকচীঙগী ২নি, লংমাইজীঙ(খৃঃ১৮১৯গী জানুৱারীগী অহুমশুবা চয়োনগী নোংমাইজীঙ তাবা নুমিৎ)দা মনিপুরগী লমখৈদা লানশিল্লক্তুনা ককচীঙলোমদা লান্দারক্লম্মী। লান অদু নুমিৎ ৭(তরেৎ)নি শোক্লরগা অৱানা তকশিল্লক্তুনা থাসিগী ১২নি পানবা লৈপাকপোকপা (জানুৱারীগী ৪শুবা চয়োনগী লৈপাকপোকপা তাবা নুমিৎ)দা লৈপাক কায়রম্মী। মৈদিংঙু মার্জিত্তি তাৎকী তাৎ অদুম হৈবনিনা শ্রীগোবিন্দ পুরগা কছার চেনখিরম্মী।

মৈদিংঙু মার্জিৎসিনা নিংথৌ ওইনীঙবসিগুম রাজনিতি হৈবা নিংথৌ অমা ওইরম্লবদি চহি তরেৎ খুন্তাকপা (খৃঃ১৮১৯-২৫) অসি থোকহল্লমদবা য়ারম্বনি। মহাক্না অৱা নিংথৌ বো-ডোআ- প্রা অসি নীঙথিনা পেনহন- নুংঙাইহন্দুনা শীঙনবা, শাওহনবনচিংবসি থাদোক্লগা তাইশিন্নবা য়াগদবা নিংথৌনি। হায়রিবা খৃঃ১৮১৯সিগী মমাঙদা ওইখিবা কছার লৈপাক্কী রাজনিতিগী ফিবমদি:-

কছার লৈপাক্তা চৌরজিৎ লাক্লম্বা জয়ন্তিয়াদা লৈখিবা, কছারদা গম্ভীরসিংহনা কছার নিংথৌগী সেনাপতি ওইনা ওইনা তুলারমগা লৌতুনবা অমসুং তুলারম্না লানহওনবগী শেম-শাবসিগী মতমসিদা মৈদিংঙ্গু মার্জিৎনা খৃঃ১৮০৭তা ময়াম্বুং চৌরজিৎকী মথক্তা লানহৌরুবদা মায়থীরদুনা অৱা চেল্লগা অমুক য়াম্বুংগা তাইশিন্নদুনা মনিপুরদা চহি অনিরোম পানমিন্নরগা অমুক হন্না খৃঃ ১৮০৯দা লানহৌবদসু মায়থীরদুনা কছার লৈপাক্কী খাসপুর কোনুংসিদা লাঞ্জেল্লক্লম্মী [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫,২০৬]। মতমসিদা পাল্লিবা হিরম্বরাজাসি গোবিন্দ্রগী ময়াম্বা কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন (খৃঃ১৭৮৫- ১৮১৩)নি। মহাক অসি খৃঃ১৮০২দা অহল-লমন্না হায়ন-শীঙনদুনা মৈদিংঙ্গু মধুচন্দ্রগী মজাঙ্গীবেম্মা ইন্দুপ্রভাসি লুহোংদুনা লৌজবনি [মথক্কীসিদা, ১৮১]। ৱাংঙমলোনসিনা মহারানীনি অমসুং কছারগী রাজনিতিগী পোরম য়াৎপা, পো থাংবা, পোৎচৎ শীনবনচিংবদা চাওনা শরুক য়াখিবী অমসুং মচীন চৎপী মহারানীনি। মরম অসিনা মহাক্কী মপাবুংবু চৌরজিৎ-মার্জিৎ মচীন-মনাও চঙদুনা শামুপন (হৌজিক্কী ওয়নাম কৈনৌগী মনীঙদা লৈবা লম অমা)দা খৃঃ১৮০৪দা হাৎখিবা মখোয়গী মফমদা মতেং পীবদি ওইথোক্তবা ওইহল্লম্মী। মরম অসিনা মার্জিৎনা কছার লৈপাকসিদগী মতমদুগী ত্রিপুরাগী লম লুশাইচীঙলোমদা হাইথরগা আরাকান য়োমা (Arakan Yoma/hills) ফাওদুনা চৎখ্রগা অৱা কোনুংদা চৎখিরম্মী। মৈদিংঙ্গু মার্জিনা মহাক্না নিংথৌ ওইদুনা পাল্লবা মতমসিদা মাগী মতেং পীখিদবদুগী লমন খুমগে,হায়না লেপ্লদুনা খৃঃ ১৮১৭গী অঙনবা মতমদগী কছার লৈপাক্তা লান্দানবা থৌরাং তৌরম্মী। হায়রিবা লান্দানবগী থৌরাংসি কছারী প্রা-আরী হিরম্বা রাজা গোবিন্দচন্দ্রগী মফমদা পাউ য়ৌখিরম্মী। মতমসিদা মহাক, মহাক্কী মহারানী ইন্দুপ্রভা (ময়াম্বা শিখ্রগা মহাক্না অমুক হন্না লৌবনি) অমসুং লৈজবা কছারী অঙম-অথৌ খরগনা করি তৌগদবগে, হায়বদু তান্নরম্মী। মদুদা মহারানী ইন্দুপ্রভানা মহাক্কী মপাবুং হাৎখিবা মীশক অনিসি চায়নহন্নবা অমসুং হাৎনহল্লগা কছার নিংথৌনা কুম্মৈ য়েংলগা থোক্লকপা ফলদুগী মতুং ইন্না তাবা থবক লৌখৎনবা ৱাফম পুখৎখিরম্মী। মতমদুদা চৌরজিৎ মহারাজ জয়ন্তিয়াদা লৈরি, মহাকপু কছারগী লান্মীশিং পুরগা মার্জিৎনা লান্দারকপা ঙাকথোকপীয়ু, ঙাকথোকপা ঙম্লবদি কছার লৈপাকসিগী তংখায় অমা পীবা, হায়বা ৱাফমসিদা পোন্থা থানদুনা মচীন-মনাউ হাত্তোক্লহন্নবগী ৱারেপসি তানখিরম্মী। মরম অসিনা কছার নিংথৌনা চৌরজিৎ মহারাজগী মফমদা পাউ অসি থাখিদুনা মহাক্কী পাউখুম ঙাইদুনা লৈরম্মী।

মৈদিংঙ্গু চৌরজিৎনা কছার নিংথৌনা থাঙ্গৎলক্লিবা ৱাফমসিদা কছার লৈপাক্তা মার্জিৎ মহারাজনা লান্দারকপদগী ঙাকথোকপদু য়াবগী

পাউখুম ফংলম্মী। মহাক মশা থীন্থদনা জয়ন্তিয়াদগী খাসপুরদা লাক্লম্মী অমসুং কছারী লান্মীশিংদুগী লানগী শাজেন তৌবা,লান ঔরায়বনচিংবদা মশামক্লা য়েংশিলম্মী। অদুগা মনাউ ঈবুংঙো গম্ভীরসিংহসু ময়াম্লুংগী মতেং পাংলম্মী। মার্জিৎ মহারাজনা খৃঃ ১৮১৭কী ডিসেম্বর থাগী অনিশুবা চয়োন দা কছারদা লান্দানবা খোঙশালকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২১৪]। লানগী খোঙচৎসিদা মীরৈপাক্কী ওইরিবা ফিবমশিংগী ঈ-পাউ লৌবদা কছারী লান্মীশিংবু ময়াম্লুং চৌরজিৎনা সেনাপতি ওইরগা মনাউ ঈবুংঙো গম্ভীর সিংহনা থৌগল্লগা শেম-শাদুনা লৈরে হায়বা পাউসি তারে। হায়রিবা ফিবমসিদা মৈদিংঙু মার্জিৎনা কছারী লান্মীশিংগা লান মায়য়োক্লবগী ব্রাফম থাদোকখিরম্মী, মরমদি মহাক্লা পুরক্লিবা মৈতৈ লান্মী লাল্লোইশিং অদুনা ময়াম্লুং চৌরজিৎকী মশক হেক উবদা মার্জিৎ মহাক্কী মায়য়োক্তা লেপখিগনি অমসুং মাগী মথক্তা থাঙ হাইগত্তুনা য়ান্থরক্কনি, হায়বসি খঙজরম্মী। মরম অদুনা মহাক্লা কছারদা লান্দানবগী লাক্লিবসিদগী অঙম্বা পান্বে অমা শীজিন্নদুনা মৈতৈ লান্মীশিংদু মৈত্রবাক্তা হলহল্লকখি। অদুবু চৈথারোল কুম্বাবা চনখৎপদা চনখৎলিবা পণ্ডিত অদুনা মিত্রং অমা তৌদুনা থম্লম্মী, মদুদি:-

> **.........লাইশ্রম তান্ত্রসিংগী কুম শক ১৭৩৯........হিয়াঙ্গৈ থা ......২৫নি শগোলশেন (খৃঃ ১৮১৭কী ডিসেম্বর)দা শ্রীযুৎ মহারাজ নোংপোক ব্রাইরং পামহৈবনচিংনা মৈতৈ লৈপাক পুম্নমক ময়াং নাবা চৎএ ।। ময়াং ঙমএ ।। লানতি নোকথিরখোনসিং, রামসিং ২মনচিংনা লান য়াম্লা ফায়এ।। থাঙজমচা রুপচন্দ্র, লংমাইথেম্বা লৈরিখোমবা ২মা শিরৌএ।। তুবাতুলি কোনুংদা খাল্লে তৌরমএ।। ময়াং অচঙবা ১০০০ খোমলকএ।। [মথক্কীসিদা,২১৪]**

অসিনি। মিত্রং তৌরিবা পণ্ডিতসি ঈশ্বরনা কুবীসনু। মার্জিৎকী লান্দাবা ঙাকখিবসিদগী চৌরজিৎ মহারাজনা কছার লৈপাক্কী তংখায় অমা ফংলে, অদুগা মহাক্কী তেংবাংখিবা মনাউ ঈবুংঙো গম্ভীরসিংহদা অফংবা লমদুগী তংখায় অমা অমুক খায়দুনা মচীন-মনাউ কছারগী মফম অনিদা কোনুং শেম্নদুনা খৃঃ১৮১৮দগী পানখিরম্মী। হায়রিবা ঈ-পাউশিংসি ঈবুংশীজ নরসিংহনা লোয়না খোমজিল্লম্মী। অমসুং মপুক্লীঙদা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংসিগীদমক্তা চাওথোকচরম্মী। অদুবু কুইদ্রে, মথংগী চহিদা মৈতৈ লৈপাক অব্রানা থুগায়খ্রে। মার্জিৎ মহারাজনা কছারদা শ্রীগোবিন্দজী পুরক্তুনা ময়াম্লুং চৌরজিত্তা শীন্নখ্রে, নিংথৌ ওইনীঙবগী ময়াই কাবা কোক্ত্রিবা নুপাদুনা মহাক্লা নিংথৌ ওইননবা চৌরজিৎ মহারাজদগী লম নীখ্রে, অমসুং চৌরজিৎ মহারাজনা মহাক্কী লমদুদগী তংখায় অমা অমুক মনাউ ঈবুংঙো মার্জিত্তা খায়দুনা ঝাব্রিবন্দা কোনুং লীংখত্তুনা পানহনখ্রে। অদুগা মৈত্রবাক মনিপুরদি অব্রানা খোঙনেৎনহল্লগা মৈতৈ

পুন্নমক্কী খুন্তাক-লৈতাক্তুনা অৱাবা নংবগী লাইবক্তু নিংথৌ ফম্বাল পাম্বদা হুই অঙাওবগুন্নবা মার্জিৎনা পীবীরম্লে।

(২)লেঙওন্দবী পাৎ

ঈবুংশীজ নরসিংহ, মৈত্রবাক্তা খুন্তাকপগী পাউসিদা তৌফম খণ্ডদে, মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালদা হকথেংননা হক লৈরিবা নিংথৌ মচাশিং (চৌরজিৎ, মার্জিৎ, গম্ভীরসিংহ, তুলজিৎ, পুৱারাজ, অসিনচিংবা) অমদি হক কনবা য়াবা অমদি থৌদাং লৌবা য়াবা মৈতৈ নিংথেম মচাশিং (য়াম্না য়াম্মী)না করি তৌরিবগে, হায়বসিগী ঈ-পাউ তত্তনা লৌরি। মনিপুরদা ঈবুংশীজ জয় সিংহ, হেরাচন্দ্র (তাকু নিংথৌ), য়ুমজাও তাবা (পীতম্বরসিং), মহাক্কী ময়াম্নুং যদু সিংহ অমসুং মচাঈবুংঙো রাধব সিংহনা অৱাগী মীচঙদা অমসুং মায়য়োক্তা তৌনরিবশিংগী পাউ তাদুনা চহি তরুক হৌজিনখ্রে। অদুগা কছার অমসুং সীলেটতা চৌরজিৎ অমসুং গম্ভীর সিংহগী বৃটিশ ঈষ্ট কম্পনীদগী মতেং লৌননবগী লমজেন অমদি ফিগ্রী হৈবা অমগী ফিগ্রী লীলাগী পাউশিংসু তারি। গম্ভীর সিংহনা লমজেন থোইবগী শা পায়খিদুনা মনিপুরগী লান্মী-লুপ অমা, মহাক্কী মমিংদা "রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী" থোন্দুনা খৃঃ১৮২৪কী এপ্রিল থাদা, অৱা / গ্রাম্মাশিংনা চহিসিগী জানুৱারীদা মায়কৈ অহুমদগী কছার তম্না ফুজিল্লকপ [লঃচঃমঃ,১৯৭০,২০]দগী লান বৃটিশশিংনা শোক্না শোক্নুনা মখোয়গী ওইজবা ফংনবগী মিৎয়েংদগী মতেং পীদুনা খোঙমী ৫০০ (চামঙা) অমসুং শগোল লান্মী ৪০না শারগা বৃটিশ ওফিসার অমনা লান্দম্বীবা অমসুং লানজিংবসি লীংখৎখ্রে [মথক্কীসিদা,২১]।

মৈদিংঙুচা নরসিংহনা পাউ পুন্নমকসি তারগা মহাক্তি মমান্নবা মৈতৈ নিংথৌমচা অমসুং নিংথেমচাশিংগী মীরক তীনবা ঙমদ্রেকো খল্লুবদা মথৱাই নুংঙাইমন্দদুনা মহাক্না তীন্নরিবা তুলারামনচিংবদসু করিসু ৱা হৌদোক্লুদনা মতোম্তা করি তৌশিগে, হায়না খল্লক্লম্মী। অৱাশিংনা কছারদা তকশিল্লক্লিবা, কছারগী টিলাইন্নচিংবদা তেঙ্গোল শাদুনা লৈররিবা,"মনিপুরগী অততায় ওইনা চৌরজিৎ, মার্জিৎ অমসুং গম্ভীরসিংহ হিংনা পীয়ু, হায়দুনা অৱা নিংথৌ বো- ডোআ-প্রনা হায়রিবা, অসিনচিংবা অৱাশিংগী মপাঙ্গলগী ফিবমসিদা মমা লৈপাক হন্দোকপা ঙমখিগদ্রা নত্রগা ঙল্লরোয়দা হায়বগী পল্লেফম খঙবা ঙল্লক্ত্রে। চহিসিগী (খৃঃ১৮২৪গী) মার্চ তারিক ৫দা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী গভর্ণর- জেনরেল লোর্ড আমহষ্ট (খৃঃ ১৮২৩-২৮)না বর্ম্মাগী মথক্তা লান তৌরে" হায়না লাউথোকখ্রবসু মায় পাকপগী খোঙথাং অমা ফাওবা পুরক্ত্রি।

ৱাফমশিংসি খল্লুরগা মহাক মতোমতনা লাই-ৱায়েনগী খেন-চাং য়েংলগে হায়না লেপ্পদুনা "কছারগী খোইরেন পাৎ অসি মহাক মথন্তনা, অমুকসু ঈস্তোপ (ঈশীৎ-তোক = Bail/Bale) লেঙ ওন্দবা শীৎপা ঙম্লগনা মৈত্রবাক হন্দোকপা ঙল্লোয়," হায়বা পাদম অমসুং চাংদম থন্নদুনা খোইরেন পাৎ অদু ঈশীৎপা হৌগৎখি। মনাইদুগী অয়ুংবা পুক্নীঙদু শ্রীগোবিন্দনা কছার সোনাইগী ডুঙ্গুরীপারাদা লৈরিঙৈসিদা উবীবা মাল্লে, মনাইনা নীঙজবা লেঙওন্দনা পাত্তু ঈশীৎপা ঙমহনবিখি। মসিনা ঈবুংশীজ নরসিংহগী ৱাখলদা থৌনা অমদি হাপ্পীরম্মী।

ঈবুংশীজ নরসিংহ, মহাক্কী লাই-ৱায়েনগী চাংয়েংদুদা মায় পাক্লবসু মহাক মশানা চত্তুনা "রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী"দা মিং চল্লুবদি ঙমদ্রি, করম্মা লাইরেন্না মগুন ঙাক্লোয়দবগে! হায়না খল্লি। অদুনা কছারী লাল্লুন্লিবা তুলারামগী অচেৎ-অকোমগী তেংবাংবা, মতমদুগী রাজনিতিগী ঈ-পাউ তাশিনবা অমসুং ৱারী শান্নদুনা খন্ন-নৈনবদুদা অদুম চথরি। অদুবু ৱাখন্দদি মমা লৈপাকপু করম্মা হন্দোকপা ঙম্লগদবগে হায়বা ৱাফমসিদা ৱাখল লম্মাঙনদুনা লৈরি। মতমসিদা চহিসিগী আগষ্ট থা চঙশিল্লকপদা ঈবুংশীজ গম্ভীরসিংহনা মহাক্কী লেভীসি য়ুরোপীয়ান ওফিসার অমনা ড্রিল তম্বী, লান্দম্বী, খুৎশু-খুৎলাইনচিংবগী লমজিং-লমতাকপী অমসুং অশোয়-অঙাম শেম্বী-শাবী হায়দুনসু থাজনীঙঙাই ওইরবা মৈতৈ নিংথৌমচা, নিংথেমমচা নত্রগা লীংজেল পাল্লবা অকন-অথৌ অমনা লুচিং'পুরেন ওইনা মৈতৈগী ওইনা য়েংশিন-খোৎচিনবা, খুৎশূ-খুলাই তম্বী-তাকপীবা, অসিনচিংবগী মথৌ চঙঙি, হায়না চেৎনা থাজরম্মী। অদুবু অদুগুম্বা থাজনীঙঙাই ওইরবা মীশকসি খনবদা খর লুনা থোকই, য়ুমজাও তাবনা অৱাদা চঙজফম লৌখ্রিবসিদা হেরাচন্দ্রগুম্বা দেশভক্ত থিবদি খর ৱানা থোক্কনি। অদুগা লেভীসি লান-ঔরায়বা অমসুং তম্বা ৱাৎলি, লান হৈত্রি হায়দুনা চহিসিগী ফেব্রুৱারী-মার্চতা অৱালান য়াওহল্লমদবনি, মতুংদদি খর ফিবম ফগৎলদুনা মসিগী শা-লান অমসুং লৈঙাক-লৈকনগী থবকশিং অসুম হেনগৎলক্লম্মী। মতমসিদা নরসিংহবু নীঙশিঙল্লক্লম্মী।

(৩)গম্ভীরসিংহ-নরসিংহ উন্নবা

রাজা গম্ভীরসিংহ (বৃটিশনা পীবা "রাজা" মিংথোন্নি) অমসুং ঈবুংশীজ নরসিংহ মৈতৈ নিংথৌরেল গরিবনৱাজ মহারাজ (খৃঃ১৭০৯-৪৮)গী চারোন-শুরোন্দা মশূ-শূথাং ওইবা মৈতৈ নিংথেমচা শাগৈগী মচীন-মনাউনি, চহিদা রাজা গম্ভীরসিংহ ঈবুংশীজ নরসিংদগী চহি ৪ / ৫ রোম হল্লি অমসুং অমনা অমবু য়াম্না মুন্না মশক খঙনবা

নিংথেমচাশিংনি। রাজা গম্ভীর সিংহনা মহাকপু নীঙশিঙলকখিবা মতমদুদগী হৌনা নরসিংহ কদায়দা লৈরিবগে, করি তৌরিবগে, কনা কনাগা তীন্নরিবগে, হায়বনচিংবাদি থিগৎপা হৌখ্রবনি। মহাক্না থিরকপসিদগী নরসিংহসি কছারগী খোইরেন পাৎপানগী খোইরেন খুন্দা মহাক্কী থাজনীঙঙাই ওইরবী তাল্লোই ৱাহেংঙাগা লোইননা লৈরি, মহাক তুলারামগী সঙ্গ মনুংদা চন্দুনা নুমিৎ খুদিংগী মখোয়গা উন্নবা নুমিদাংৱাইরমদা চৎখ্রগা য়াচঙবা মতুংদা খর থেংলপ্না ময়ুমদা হেক হেক হল্লকই, হায়বনচিংবা ঈ-পাউসি ফংলম্মী। রাজা গম্ভীরসিংহনা মহাক্না পাল্লিবা থবক্তুদা ঈবুংশীজ নরসিংহদগী হেন্না মতীক চাবা মী অমা অমুক লৈররোয় হায়না খনখ্রে অমসুং মহাকপু য়ারিবা মখৈ থুনা উন্নদুনা ৱারী- ৱাতাই শাননবা লেপখ্রে।

খৃঃ১৮২৪সিগী আগষ্ট থাসিগী তারিক ৭তা রাজা গম্ভীরসিংহনা মনাই- মশন, থৌগল-লাঙ্গন নত্রগা লোইয়িন-খময়িন অমতা লোইনদনা ঈবুংশীজ নরসিংহনা ময়ুমদা হল্লক্কদবা মতমদুদা লম্বীদা ঙাইদুনা লৈরম্মী। ঈবুংশীজ নরসিংহসু মহাক্কী হেক হেক হল্লকপা মতমদুদা মনাই-মশন কনাসু য়াওদনা করিসু অকি-অথুকপা লৈতনা হল্লক্কম্মী। মহাক্না রাজা গম্ভীরসিংহনা লেপ্লিবা মপা অদু য়ৌরকপদা - "ঈনাউ নত্রা" হায়না রাজা গম্ভীরসিংহনা কৌরকখি। ঈবুংশীজ নরসিংহনা খোঞ্জেন্দু খঙলবসু - "কনা ওইরবনো" হায়না খুল্লগা চঙশিন্নরকপদদি শক খঙলকপগী মতৌদা - "এঃ য়াম্বুংশী ওইবীরবোইনা"- হায়না ব্যবহার উৎলগা থাঙখুমদগী থাঙ শৎকে হায়না তৌরম্মী [গঃচঃশঃ,X,৩০]। রাজা গম্ভীরসিংহ তপথনা- "ঈনাউ ঈবুংঙো! থাঙদু অমুক্তা থাপ্লা থমখো! হৌজিক্কী মতমসিদা মৈতৈগী মী অমা মাঙবা হায়বসি, ঈমা লৈপাক্কী মশা শাগন তেকহনবনি।"- হায়না হায়রকপা ৱাহৈদুদা ঈবুংশীজ নরসিংহ তুমিন্না উয়ুঙগুম লেপ্তুনা লৈরম্মী। রাজা গম্ভীরসিংহনা ঈবুংশীজ নরসিংহবু মখা তানা থেমজিন্দুনা, মখোয় অনিগী মমাঙগী ৱাফমবু লায়না চমথোক্লগা মতমদুদা মখোয় অনিগীদা নত্তনা মৈতৈ পুম্নমক্কী মমাঙদা তাদুনা লৈরিবা মমা লৈপাক মনিপুরগী অমসুং মজাতি মৈতৈশিংগী ওইবা থবকশিংগী ৱাফমদু পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনবগী থাক্তা পুখৎলক্তুনা ঈবুংশীজ নরসিংহবু মমিত্তগী মপী তাহনখি। মচীন-মনাউ অনিমক্কী পুক্নীঙ কিশি থোক্লদুনা তাইশিন্নরবা মতুংদা পুকচেল-খোয়জেন তীন্ননা মাগী মাগী পুক্নীঙগী ৱাফম ফোংদোক্লরম্মী। ঈবুংশীজ নরসিংহনা মহাক্কী লাই-ৱায়েল চাংয়েং(Ordeal-test)তা খোইরেন পাৎ ঈশীৎখিবা অমসুং "লেঙওন্দবী পাৎ" ওইহনখিবনা মহাক্কী ৱাখন্দসু মৈত্রবাকপু শোয়দনা হন্দোকপা ঙমগনি, হায়বগী থাজজবা লৈরিবদু পাউদমখি। নুমিৎসিদগী মরৈপাক অমসুং মজাতিগীদমক্তা

কথোক্লুবা ঈবুংশীজ নরসিংহদি অদুম্মক থৱাই-হকচাং পুম্নমক খাক্তনা কথোকখ্রে। ঈবুংশীজ নরসিংহসি ময়ুমদা হন্দনা ময়াম্বুং রাজা গম্ভীরসিংহগী থৌগল তৌদুনা চৎখ্রগা ঈবুংশীজগা অদুম লৈমিন্নখ্রে [মথক্কীসিদা,৩১]।

ঈবুংশীজ নরসিংহনা ময়াম্বুং রাজা গম্ভীরসিংহগী স্নানাক্তা নুমিৎ হুম্নি লৈদুনা তমথীরবা ম্রাম্মা / ম্যাম্মা, মৈতৈ জাতিগী তঙ তানা য়েক্লুবা ওইরবা জাতিসিগী মখুত্তগী মমা লৈপাক মনিপুরবু হন্দোক্লবগী থৌরাংদা শীল্লিবা খুজীন- থৌশিন, মসিগীদমক্তা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীদগী তেংবাং পুম্নমক লৌবা অমসুং ফংলিবা পুম্নমক শুগায়না ময়াম্বুংনা লীদুনা তারম্মী। অদুগা হোৎনরিবসিগী পান্দম ফংননবা মৈতৈগী লান্মী-লুপ, রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী" কৌবসিগী সিফাইশিংবু ম্রাম্মাগী ফ্রান্স, পোর্টুগীজনচিংবনা ট্রেনিং পীরবা লান্মী লাল্লোইশিংবু লাম্বা তৌনবদা নোপ্তুনবা অমসুং মখোয়বু মায়থীবা পীননবা শেমগৎ-শাগৎনবা, লান্মীশিংবু তম্বী-তাকপীবা অমসুং নীঙথিনা য়েংবী-লমচিংবীনবগী মহাকপু রাজা গম্ভীরসিংহনা থিরকপনি হায়বসি ঈবুংশীজ নরসিংহনা খঙহল্লম্মী। মহাক্লা মহাক্কী মথৌগী মথক্তা পামজবা থবক্কী মখুন ফংলবসিদা মায়থোঙ মকা লাম্না নোক্তুনা মমা মৈতৈ লৈমবু খুরুমজখিরম্মী।

রাজা গম্ভীরসিংহ অমসুং ঈবুংশীজ নরসিংহ অনিনা নুমিৎ খরনি লৈমিন্নদুনা ৱারম পুম্নমক মমুৎ তানা ঈবুংশীজ নরসিংহদা খঙহল্লবা মতুংদা রাজা গম্ভীরসিংহনা ঈবুংশীজ নরসিংহবু ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী অৱাং-নোংপোক লমদমগী হেডক্বার্টরস ওইরিবা সীলেটতা মায়কৈসোমগী ওইনা থবক পুদুনা লৈরিবা বৃটিশ ওফিসারশিংগী মনাক্তা পুদুনা চৎলগা শকখঙ-মায়খঙনহল্লে। হায়রিবা মতম অদুৱাইদা কুচু ঙৌবা বৃটিশ মচাশিংনা কুচু মুবা ভারত মচাশিংবু ঈকাই খুম্নবা অমসুং ঈকাই খুম্নবা উৎপসি য়াম্না তাঙনা থোকলম্মী। মখোয়না ভারতমচাশিংবু মীনাই-মীশলগুম্না লোইনরম্মী। অদুবু মখোয়না নাপু মচু চঙবা কুচুগী মীওইশিং ওইরিবা মীশিংবুদি ঈকাই খুম্নদবা তৌরমদে, মসি মমাঙঙৈদা মার্কো পোলোনা চাইনাদা লৈরম্বা ১৩শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাদুদগীনি। অদুগা মখোয়গী মরক্তসু মথৌনা মরীংজেন লৈবা মীবুদি হেন্না ঈকাই-খুম্নদবা খক তৌরমদে। মরম অসিনা মথৌনা-মরীংজেন, শা-লানগী মরৌশিঙ, মহৈ অমসুং অখাঙ-কনবা লান্মী লীংজেন্না চৎপা রাজা গম্ভীরসিংবুদি মতম পুম্নমক্তা তরাম্না ওক্তুনা ঈকাই খুম্নরম্মী। অদুগা মখোয়গী রাজা গম্ভীরসিংহনা ঈবুংশীজ নরসিংহবু লু-না অমসুং চেৎনা তৌবগী মতৌসিনা মখোয়না ঈবুংশীজ নরসিংহবু ঈকাই খুম্নদবা ঙম্লমদে। হায়রিবা গম্ভীরসিংহ নরসিংহ অনি পুন্না সীলেটতা লৈমিন্নখিবা নুমিৎ হুমনিসিগী মনুংদা নিনি চনবা (আগষ্ট ৯) নুমিত্তুদা রাজা গম্ভীরসিংহনা ভারতবর্ষগী গোভনর-জেনরেলগী এজেন্ট অমসুং

সিলেটকী মেজিষ্ট্রেট ডেভিড স্কোট, মিঃ টক্করনচিংবা বৃটিশ ওফিসার ময়ামগী মমাঙদা ঈবুংশীজ নরসিংহবু রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার (Commanding Officer) হাপখিরম্মী[মথক্কীসিদা, ৩২]।

(৪)কম্মাণ্ডিং ওফিসার ট্রেনিং

ঈবুংশীজ নরসিংহবু রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার হাপখিবা নুমিৎসিগী মথংগী নুমিত্তা বৃটিশ ওফিসার/ এজেন্ট মিঃ টক্করনা ঈবুংশীজ নরসিংহবু মতৌকচাবা কম্মাণ্ডিং ওফিসার অমা ওইহন্নবগী বৃটিশ অমসুং অন্তরজাতিগী লান্মীগী পরীং- পথাপ [The trend and trait of Miliary service in the British and International Army]কী ওইনা লৈরিবা ড্রিল, পেরেট(Parade), মখল-মখা অয়াম্বা নোংমৈশিংগী মহৈ-মশিঙশিংগী মথৌ চঙলিবদুগী ৱাফম পুখৎলক্লম্মী। হায়রিবা ট্রেনিংসি মতমদুদা ঢকা / ধকা (হৌজিক্কী বাঙ্গলাদেশকী কোনুং Dhaka)সিদা তৌরম্মী। পুখৎলক্লিবা ৱাফমদুদা মতমদুদা ওইরিবা অহানবা এঙ্গো-বর্মীজ ৱার (খৃঃ১৮২৪-২৬)গী মতম-তাঞ্জাগী অচিনবা লৈবনা ঈবুংশীজ নরসিংহবু হায়রিবা মথৌ চঙলিবা লৌশিঙশিং অমসুং মহৈ-মশিঙশিংসি ফংহন্নবগী মওং-মতৌসি য়াম্না অতেনবা মতমগী ওইনা তন্বী-তাকপীবগী তাংকক অমা ওইনা ফংহন্নবগীদমক্তা ধকাদা থা অমগী ওইবা মতম তাংকক্কী য়াওরুনবা পন্থদনা থারম্মী। ঈবুংশীজ নরসিংহনা ধকাদা সেপ্তেম্বর থাদুমা লৈদুনা হায়রিবা নোংমৈ মখলশিংগী মহৈ-মশিঙশিংগী মঙাল ফংখিরম্মী[মথক্কীসিদা, ৩২]। অসুম্না ঈবুংশীজ নরসিংহসিনা লান্মীগী মহৈ-মশিঙসিদা বৃটিশশিংগী কম্মাণ্ডরশীপ (Commander-ship)কী ট্রেনিং, মরু ওইনা, নোংমৈ মখল- মখাশিং, অরিবা অমসুং অনৌবা মখল পুন্নমক্কী ট্রেনিংগী লৌশিঙগী মঙাল খ্বাইদগী ঈহান হান্না ফংখিবা মৈতৈমচানি।

(৫)ঈবুংশীজ নরসিংহনা টিলাইন লান্দা উৎখিবা রাজভক্তি অমসুং হৌন'- খঙবা

ঈবুংশীজ নরসিংহনা খৃঃ১৮২৪ সেপ্তেম্বর তা অসিমা ধকাদা মিলিটরী / আর্মী কম্মাণ্ডিং ওফিসারগী ট্রেনিং য়াওরুরগা ট্রেনিং লোয়দুনা সীলেটতা হল্লক্লগা যাত্রাপুরদা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী বেজ হেডকোর্টরসতা চৎখিদুনা লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ওইনা মথৌ পায়দুনা অমসুং লেভীগী থৌদাং লৌদুনা যাত্রাপুরদা লৈখিরম্মী। ঈবুংশীজসি লান্মী ওইনা পোক্লকপনি অমসুং লান্মীগী পুন্সি ওইনা হিংখিবনি। মরম অসিনা

ঈবুংশীজসিনা মনিপুরবু চহি তরেৎ খুন্তাকপদগী কনবা অমসুং হন্দোকপদা, মৈতৈগী অমদি মনিপুরগী মিং-দা থীবদগী কন্ননবা অমসুং কোকহন্নবগী লমদাংশিংদা লৌখিবা থৌদাংসু লান্মীগী থৌদাংনি অমদি লান্দা-লানকনগী ওইবা লান্মীগী লাল্লোংগী শীল্লম- শীনথোঙদনি। অদুগা খ্বাই-ময়াম পুন্দুনা মীয়াম্না লৈপাক্কী, জাতিগী নত্রগা ময়ামগী / অপুনবগী ওইবা থবক অমা তৌরকপা নত্রগা পাংথোক্লকপা মতমদা থবক্কুগী মহৈ নত্রগা থবক্কু পাংথোকপগী নত্রগা মায়পাকপগী / ঙস্বগী মিংচৎসি থবক্কু লুচিংলিবা মীশক্তুদা পীবা, মহাক্না তৌবনি, মহাক্না পাংথোকপনি হায়বসিদি নীঙশিঙবা থোক্রবা মতমদগী মালেম-পৃথিবীসিগী জাতি পুম্নমক্কী চৎনবী ওইদুনা লৈরিবনি লৈরবনি। ঈবুংশীজ নরসিংহনা অৱা লান্মী চা কয়া হাৎলবসু লানঙম ফিরাল য়ুংখিবদি রাজা গম্ভীরসিংহনি, মরমদি মহাক্কী লুচিং' মখাদনি মৈতৈ লান্মী সিফাই ৫৯৪গী লেভী লীংখৎখিবা অমসুং কছারগী যাত্রাপুর হেডক্বার্টর্সদগী খোঙহৌরক্তুনা মনিপুর খোঙনেৎনদুনা লৈরিবা অৱা লান্মীশিংবু তান্থোকখিনবা লাকখ্রিবদু।

ঈবুংশীজ নরসিংহনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ওইনা থবক পায়দুনা মহাক্কী মিয়েং অমসুং লমজিং-লমতাক্কী মখাদা লৈরকপসিদা বৃটিশ ওফিসারশিংনা লেভীসিগী লান্মী ওইবদগী থাক অদু হান্নগী চাংদগী হেনগৎনা ফগৎলকপা উরম্মী অমসুং মখোয়না লেভীসিদা থাজবা থম্ললদবদু মাঙখিরম্মী। অদুগা খৃঃ ১৮২৪সিগী ওক্তোবর থাগী লোয়রমদায়দা ম্রাম্মাশিংনা কছারদা চত্থরিবা মখোয়গী লাল্লোং হোংদুনা কছারগী নোংপোক্লোমগী মতায় ওইরপ্পা লৈবা "দুটপাতলী" হায়না কৌবা সহর মচা অমা খুদুম চনশিল্লগা মখোয়গী লানবন লীংখত্তুনা তেঙ্গোল শারগা লৈখিরম্মী। বৃটিশকী সীলেট ফ্রোন্টিয়ারগী ওথোরিটিনা দুটপাতলীদা লৈরিবা ম্রাম্মাগী লানবন / মহুমসি থুগায়নবগীদমক্তা বৃটিশক্কী লান্মী মপৈ অমা লেফটেনেন্ট কর্নেল বাউনবু লুচিংহন্দুনা কছারদা লাক্লগা যাত্রাপুরদা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী মনাক্তা লানবন শেমগৎলগা তেঙ্গোন শাদুনা খৃঃ ১৮২৫গী জানুৱারী হৌগৎলকপদগী লৈরম্মী। মখোয় অসি দুটপাতলীদা লৈরিবা ম্রাম্মাগী তেঙ্গোল অদুদা সীলেটতগী লাক্লগা খৃঃ১৮২৪গী ডিসেম্বর তাদা লান্দাদুনা ম্রাম্মাগী তেঙ্গোলবু থুগায়রুনবা হোৎনরুবদা ঙমদদুনা হন্দোক্লক্লগা লান্মী থোমজিল্লকপা ঙাইদুনা লৈরিবনি। অদুনা খৃঃ১৮২৫গী ফেব্রুৱারীগী তারিক ২৭তা সীলেট ফোর্ন্টিয়ার ইনফেন্ট্রীগী কমান্দেন্ট কর্নেল ইন্নস [মহাকসি খৃঃ১৮২৪গী রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীসি হৌদোকলকপা মতমদা, মহাক্না লেফটেনেন্ট-কর্নেল ওইরিঙৈদা লেভীসিগী মকোক থোংবা ওফিসার ওইনা লৈরম্মী (কঃ ১সুং

বঃ, ১৯৯০, A-IX)] না অচৌবা লান্মী মপৈ অমা পুদুনা যাত্রাপুর য়ৌনা লাক্লগা হান্ননা যাত্রাপুরসিদা লৈরবা লেফঃকর্নেল বাউনগী লান্মীশিংদুগা পুনশিন্নখিরম্মী। মসি, দুটপাতালীদা লৈরিবা ম্রান্মা লান্মীশিংদু তকথোক্লনবগী পান্দমদনি।

বৃটিশগী যাত্রাপুরদা লৈরিবা লান্মীসিনা দুটপাতলীদা লৈরিবা ম্রান্মা-লান্মীশিংদুগী মথক্তা লান্দাননবগী থৌরাং তৌনরিঙৈদা ম্রান্মা লান্মীশিং অদু দুটপাতলীগী লানবন থাদোক্তুনা মনিপুররোমদা লান হন্দোকখিবগী পাউ তারম্মী। অদুদগী থীন্থদনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার নরসিংহগা লোইননা চৎমিন্নদুনা ম্রান্মা লান্মীশিংগী খোঙ্গুল-লীবা অমসুং মতুংদা ইন্নদুনা লান্দানবগী পাউ তারম্মী। পাউদু ফংবদগী রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাই ৫৯৪দু পুরদুনা মখোয়গী কমান্দেন্ট ঈবুংশীজ নরসিংহ অমসুং লানজিংলেন-পুরেন রাজা গম্ভীরসিংহ থুনমক লাক্লগা বৃটিশ লান্মীগা লোইননা ম্রান্মা লান্মীশিংগী খোঙ্গুল লীরক্লম্মী। হায়রিবা মতমসিদা লম্বী-থোংগী খুদোংথীবা, নোং-চীংগী ফিবম ফত্তবা, অসিনচিংবা মরম খরদগী বৃটিশ লান্মীশিংদুনা লেঙম-শানঙমদবদগী ম্রান্মা লান্মীশিংদু তান্নবা ফংলমদে। অদুবু মখোয়না হল্লক্লবা মতমদা শিলচর সহরগী খারোমদা লৈরিবা টিলাইন কৌবা চীঙ অদুগী চীঙথক্তা ম্রান্মাশিংগী অচৌবা লান্মী মপৈ তেঙ্গোল শাদুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংলম্মী। পাউ অসি তাবদা বৃটিশ লান্মী লাঞ্জিংলেন অনি অমসুং মৈতৈগী লেভীগী লাঞ্জিংলেন অনি পুন্না ফম্মিন্নরগা ৱা তান্নখি। অসুম্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা লাল্লম-মায়কৈ য়েন্থোক্লদুনা বৃটিশ লান্মীগা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগা পুন্না টিলাইন্দা লান্দানবা চঙশিল্লক্লম্মী। মৈতৈগী মায়কৈনা নোংচুপলোমদগী অদুগা বৃটিশকী মায়কৈনা নোংপোক্লোমদগী লান্দনবা লানথোঙ শীন্নদুনা লাল্লম অনিমক্লা মতম তাঞ্জা য়েংনরগা ম্রান্মা তেঙ্গোন তম্লা চঙশিল্লক্লম্মী। মৈতৈগী লেভীগী মনুংদসু রাজা গম্ভীরসিংহনা অৱাং মায়কৈ অমদি লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসারনা মখা মায়কৈ পুদুনা লাল্লম শমজী খায়দুনা লাঞ্জঙলক্লম্মী। মচীন-মনাউ কায়নরমদায়গী মতমদা হায়নখিবদি লান মায় পাক্তুনা মাগী মাগী মায়কৈদা লান লোয়রবদি মৈ থাদুনা মৈখু নোংমদোন্দা কাহল্লক্লগা মায়কৈদুগী লান লোয়রে খঙনসি, হায়বসিনি। ঈবুংশীজ নরসিংহ, খোইরেন-পাৎ ঈশীৎঙৈগী মতমদা মখুৎনা ফংনা অৱা / ম্রান্মা মচাশিংগী মঙক কক্লীঙখিবদু নীঙবা থুংলে, য়েক্তা-ওয়দা লৈরম্বা অৱাশিং নোংমৈনা কাপথুরগা মমাঙদা চঙলকপা হাথেংনবা অৱা-লান্মী মশাগী থাঙশাং শত্তুনা মখুৎ পেন্নবা য়াম্থুরে। মায়কৈ অদোমদা লৈরম্বা অৱা লাল্লোইশিং পুম্নমক অৱাংলোমদা হাইগৎখিবনা হাইগৎখ্রে,

নোংপোকলোমদা তাখিবনা তাখ্রে নত্রগা অসুকপা উমং থিদুনা থৱাই হিংনবা চেনখিবনা চেনখ্রে, অৱা লান্মীশিং অমতা লৈত্রে। মখোয়গী কম্মাণ্ডিং ওফিসারগী লান্দা-লানচন্দা হৈ-শিঙলবা মতৌদুদা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী নোংমৈ পায়বা সিফাই ২৫০দু অশোক- অপন থোইনা য়াওদনা ঙন্না লান লোয়রদুনা হকচীক লাংবা ফংজরে। মতম অসিদা মচীন-মনাউগী কায়নরমদায়গী ৱাহৈশিংদু তাহৌবা কম্মান্দেন্টকী বোডী গার্ডশিংনা মৈ হৌগত্তুনা অতিয়াদা লান লোয়বগী খুদম উৎলসি হায়রম্মী। অদুবু ঈবুংশীজ নরসিংহনা "হায়হৈদে" গুরুগী মতুং সেবক্লা ইনগদবনি, য়াম্বুং শ্রীযুৎনা গুরুনি, য়াম্বুংগী মৈখুনা অতিয়াদা কারক্ত্রিবা মখৈদি, ঐখোয়রোমগী মৈখু কাহনবা য়াদ্রি-হায়না খুল্লক্তুনা রাজভক্তি উৎলকখি।

মৈতৈগী অৱাংগী লাল্লম রাজা গম্ভীরসিংহনা পুবা লাল্লমদসু থোইদোক্লা কুইনা চঙনা শ্রান্মাশিংগা লান শোক্লখিবা নত্তে। মৈতৈ লান্মীবু উশীত্তবা খল্লম্বা শ্রান্মা লান্মীশিংদু মমিৎ-মনা চোয়বা য়াদনা পুংখায় অমরোম কাপ্পরম্লগা হাথেংননা থাঙ পায়দুনা য়ান্নবগী থাক্তুদা লাকপদদি চেনহৌবা নত্তনা মখোয়গী মথৱাই হিংগনি হায়বগী থাজবা লৈরমদে। মরম অসিনা মখোয়না বৃটিশনা পুরিবা মায়কৈ নোংপোক্লোমদা থোমজিল্লগা মনিপুররোমদা চেনখিনবগী থৌরাং শেম-শারক্লম্মী। রাজা গম্ভীরসিংহনা মহাক্কী মায়কৈগী লান মায় পাক্লে, অৱা লান্মী পেন্নবা হাৎলে, হায়বসি মনাউ ঈবুংঙো অমসুং মহাক্কা লোইনরিবা লেভীগী সিফাইশিংদা খঙহন্ননবা মৈ হৌগৎত্তুনা মৈখু কাহল্লকপা মতমদা টিলাইন চীঙ্গোনগী নোংচুপ মায়কৈগী লাল্লমগী খা মায়কৈ পুরিবা শরুক্তুগীসু মৈখুদু পঙকান কান্নদনা থাগৎলকপগী অতিয়াদা থোইনা খেন্নদনা কাখৎলকপদু রাজা গম্ভীরসিংহনা উরম্মী অমসুং থীন্থদনা শমজী খায়নরুবা লান্মী অনিদু বৃটিশকী মতেং পাংননবা পুনশিন্নরক্লবদা রাজা গম্ভীরসিংহনা মনাউগী পুক্লীঙ থৌগৎনা - "কয়াম কুইরে ঈনাওগীদি লান লোয়বা?" হায়না পাউহংবীরকপদা মনাই সুবদার অমনা - "ননাই ঐখোয় পুংমুক (মৈতৈগী পুং ৬৪না নোংমা শাবা পুংদুনি) ফাজরে- হায়না খুল্লকখি। পাউখুমদুদা রাজা গম্ভীরসিংহনা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহগী লাল্লুপ্তুনা মাগীদগী য়াম্না হান্না লান লোয়খি, হায়বসি খঙখিরম্মী, অদুনা মখা তানা তাকপীরকখি- "অদুগা কৈদৌ-ই, মৈখু থাগৎলত্তুবদে?" ৱাহংদুদা মনাইশিংনা খুম্বা নুংঙাইররোয় হায়দুনা - "ননাই ঐনা ব্যবহার থোক্তে, হায়দুনা থাগৎহঞ্জদবনি"- হায়না ঈবুংশীজ নরসিংহনা খুম্নলকখি। অসুম্না ঙাইহাক ঙাংনরগা বৃটিশকী মায়কৈরোমদা লৈরিবা শ্রান্মা

লান্মীশিংদুগী মথক্তা টিলাইনগী চীঙদোনশিংদগী নোংমৈ কাপ্পা হৌখ্রে। ম্রান্মা লাল্লোই পুন্নমক শিবা নত্রগা থৈদোক্তুনা চেনখিবা হায়বসিদা লান্থেংনবদা অয়াম্বা লাল্লোইশিং নাকন অনিনা চপ্তুনা হাৎখিরম্মী [মহাক্কী ৱারী অসি ঐবু তাকপী তম্মীরম্বা জিঃ নন্দলাল শর্ম্মা পাবুংনা লীবীরম্বনি]।

(৬)মনিপুর হন্দোক্লবগী খোঙজঙদা নরসিংহ

টিলাইন লানফমসিদা বৃটিশকী ওফিসারশিং মিঃ টক্কর, এফঃজেঃ গ্রান্ট, কেপ্তেন, আরঃ বিঃ পেম্বর্টন লেফটেনেন্টনচিংবনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডেন্ট, ঈবুংশীজ নরসিংহ, মহাক্কী লেভীগী সিফাইশিং অমসুং রাজা গম্ভীরসিংহবু হান্না খঙলম্বদুদগী হেন্না য়াম্না হকচিন্না খঙখ্রে। মখোয়গী মপান্না টিলাইনগী লানফমসি মায় পাকপনি হায়বসি চপ চানা খনখ্রে। অদুগা ম্রান্মাগী লান্মীশিংনা টিলাইনগী লান্দা মায়থিবা অমসুং মখোয় খরনা লানবন থাদোক্তুনা চেনখিবা অসিদগীদি অহোমগী লৈপাক, কছারী-ডিমাসাগী লৈপাক, জয়ন্তিয়ানচিংবা লমদমশিংদা লৈরম্বা ম্রান্মা লান্মীশিং তকথোকপা লোয়বগী মওঙদা লাক্তুনা বৃটিশশিংগী ফিবম ফগৎলক্লম্মী। অসুম্না এঙ্গোলো-বর্মীজ ৱার (মার্চ,১৮২৪- ফেব্রুঃ ২৪, ১৮২৬)গী লালওঙ হোংলকপা অসিদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী গর্ভনমেন্টনা ম্রান্মাশিংবু মখোয়গী ফ্রোটিয়ারদা অমুক হন্না কা হেঞ্জিল্লকপা ঙমদনবা বৃটিশকী অচৌবা লান্মী মপৈ অমা শেল্লগা কছার ফাওরগা মনিপুর তম্পাক্তা থাজিন্দুনা মফমদুদগী ম্রান্মাশিংবু তান্না তান্নদুনা মখোয়গী মরৈপাক্তা তানশিল্লগা কৈশুম (কৈ ফানবা লাং)দা চঙহল্লগা ফাগে হায়না খন্নদুনা হায়রিবসিগী থৌরাং লৌখৎলক্লম্মী। হায়রিবা লান্মী মপৈগী তেঙ্গোল অসি শেম্মনবা অমসুং মশামক্লা লমজিংবা অমসুং লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইনা থবক তৌননবা বৃটিশ ইন্দিয়া রাজ্যগী অৱাং-নোংপোক থংবা ভারতকী লমখৈ অমসুং ঙমখৈগী লুচিং-পুরেন ওইরিবা ব্রিগেডিয়ার- জেনরেল ("Brigediar-General" equivalent to "Major-General" at present) মিঃ শুলধাম (Suldham)বু থবক থীন্থদনা লৌখৎনবা গোর্ভনর- জেনরেলনা য়াথং থোক্কলম্মী। মহাক্লা বৃটিশকী মায়কৈ অসোমদা অমসুং বঙ্গদেশতা লৈরিবা বৃটিশ লান্মীশিংদগী খোমগত্তুনা য়াম্না চাওরবা লান্মী মপৈ অমা শেমগৎলগা মদু পুদুনা খৃঃ১৮২৫সিগী ফেব্রুৱারীগী ময়ায় অদুৱাইদা কছার লৈপাক্কী বাঁসকান্দি কৌবা জিরী তুরেনগী মপান্দা লৈবা মফমদুদা অনৌবা

থৌরাংসিগীদমক্তা থুংলম্মী। বাঁসকান্দিসিদগী মহাক্না লান্মী তেঙ্গোন্দুগা লোইননা মনিপুররোমদা চঙশিন্নবগী থৌরাং-ঈরাং পুম্নমক শেম-শারম্মী। অদুবু লম্বী-থোংগী ফিবম ফত্তবা, কুমগী নোংনা মতম ঙনখৎনা চহিসিগী ফেব্রুৱারী থাসিগী অহানবা চয়োন্দগী তাবা হৌরকখিবা অমসুং তীন-কাঙ কনখৎলক্তুনা লাইনা-তীন্নাশিংনা লান্দবা হৌরকখিবনা ব্রিগেঃ- জেনঃ শুলধামগী হোৎনবা পুম্নমক্তু মহৈ য়ালহল্লমদে। মরম অসিনা মহাক্না খাঙবা য়াবা খাঙলবা মতুংদা চহিসিগী মার্চ থাগী তারিক ১১দা-"থৌরাংসিদা মহাক্কী উপায় লৈত্রে, ওইথোক্লরোদবা থবক হায়বদু ওইরে"-হায়না বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল(Supreme Administrative Council)দা রিপোর্ট থাখিরম্মী [ল ঃচ ঃ সঃ ,১৯৭০ ,২৩]অসুম্না বৃটিশ ওইনা লৌখৎকদবা থৌরাং অমসুং থৌশীলসিগী লানওঙ লৌখৎপা ঙমলোইদবগী মওং-মতৌদা লৈরম্মী।

গম্ভীরসিংহ-নরসিংহগী মরান্নাইগী লাঞ্জঙ

বৃটিশশিংদি লল্লোনবা লাকপনিনা তোকপসু য়াই,অদুবু মৈতৈগী মমা-লৈপাক হন্দোকপগী ৱাফম্নিনা তৌদবা য়াদে। অদুনা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱারগী মনিপুরদা বৃটিশকী লান্মী থাজিন্দুনা মনিপুর তম্পাক্তগী অৱা /গ্রাম্মা লান্মী তান্থোকখিনবগী থৌশীল-থৌরাংদা ব্রিগেঃ-জেনঃ শুলধাম্না ওইথোক্লরোয়দবা থবক্লি হায়দুনা বাঁসকান্দিদগী হনখিবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা খুদোংচাবা লৌদুনা মনিপুরদা লান্দারগা বর্মীজশিংবু তকথোক্কে, মনিপুর হন্দোক্কে হায়বগী পান্দম অমসুং আশাদা মৈতৈগী লান্মী লুপ, লেভী লীংখৎলুরিবা অমসুং লেভীসিবু শঙদুনা শেন্নরিবা রাজা গম্ভীরসিংহ অমসুং লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ঈবুংশীজ নরসিংহ অনিদি শাথীনা নীঙবা কায়রম্মী। অদুবু হায়রিবা নীঙবা কায়বসিনা মখোয়নিদা করি তৌগদবগে হায়বসিগী লমদাংদা পল্লেপফম অমা ফংননবগী ৱাফমদা লাক্লম্মী। মখোয় অনিনা মখোয়গী লেভীগী সুবেদার, জমাদারনচিংবা সিফাইগী ওফিসারশিং অমদি সিফাইশিংদা হন্দক্কী খুদোংচাবসি মাঙহনবা য়াদে, হায়না খন্নদুনা লৈরম্লগা শুলধাম্না শীৎ-নান্থোক্তুনা চৎখিবসিদা করি তৌসিগে, মখোয়বু শিসিরা, চঙশিরা নত্রগা হিংনা হিংনা শিখিসিরা, হায়বা ৱাহংশিংগা লোইননা খন্ন-তানরম্মী। বৃটিশ হওরিঙৈগী তাঞ্জা, মখোয়নসু হৌ-হৌ চোঙলুরিবা তাল্লক অমসুং অৱাশিংনা মনীঙ হল্লিঙৈগী মতমসিদা য়ৈহৌদনা কৈদৌঙৈ য়ৈগদৌরিবগে!

অসিগুম্বা তাঙনা লাকপা তাঞ্জাসিগী খুদোংচাবসি মাঙহন্নীঙদে, ময়ামগী করি ৱাখল লৈবগে, হায়না ৱা হৌদোক্লগা মুন্না খন্নরগা মতুংদুদা ময়ামদু শিরবসু, চঙলবসু মনিপুরদদি ময়ৌরম্লসি হায়না চপ য়ুংনা লেপ্লরে। মরম অদুনা মখোয়না ব্রিগেঃ জেনঃ শুলধামনা ঙমদ্রবা থবক্তু শোয়দনা পাংথোক্কে, হায়দুনা বৃটিশ সীলেটতা লৈরিবা পুম্নমক্তুগী মমাঙদা চোংথোক্লক্লম্মী [মথক্কীসিদা, ৩২]। মৈতৈশিংনা পুখৎলক্লিবা ৱাফমসি মৈতৈগী মরন্নাই-ওইবা ৱাফমনিনা গর্ভনর-জেনরেলনসু মখোয়গী অপাম্বদু মখোয়না পাম্বদুদা অদুম তৌজখিবদা করিসু হায়নীঙঙাই লৈতদুনা থোইদোক্লা ৱা হায়রক্লমদে। অদুবু সীলেট হেডক্বার্টরসসিদা লৈরিবা বৃটিশ ওফিসার লেফটেনেন্ট রোবার্ট বোইল্যু পেম্বর্টননদি মহাক রাজা গম্ভীরসিংহনা হায়রিবা লান্দা' খোঙচৎসিদা ঈরাং য়েংবা মী (Observer)অমা ওইনা মখোয়গা লোইননা চৎলুগে, মহাক্কী থবক্কী ছুটি পীবীয়ু হায়না দরখাস্ত থারক্লম্মী।

সীলেটতা লৈরিবা বৃটিশ ওফিসারশিংনা মথক্কী হায়রিবা ৱাফমশিংসিগী ঈ-পাউশিংসি বৃটিশকী সুপীম এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিলগা চৎনরবা মতুংদা মনিপুরদা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীনা লাঞ্জঙবগীসু পেম্বর্টনগী ছুটিগীসু অয়াবা ফংলম্মী। মরম অসিনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী লুচিংলেন অমসুং লাঞ্জিংলেন-পুরেন অমসুং কম্মাণ্ডিং ওফিসার অমদি মখোয়সিগী মখাদা লৈরিবা- সুবেদার ৫ (মঙা) জমাদার ১০ (তরা), হবিল্ডার ১০(তরা), নাইক ২৫(কুনমঙা) অমদি শগোল লান্মীগী সির্দার ৪ (মরি), মখোয়না লাঞ্জিংলিবা খোঙমী ৫০০ (চামঙা) অমসুং শগোল লান্মী ৪০ (নিফু), পুন্না লান্মীগী মীওই ৫৯৪ (চামঙা মরিফুদ্রামরি) অমসুং লেফটেনেন্ট আরঃ বিঃ পেম্বর্টন মনিপুর হন্দোক্লবগী লান্দা-লাঞ্জঙনবা খৃঃ১৮২৫গী মে থাগী তারিক ১৭তগী থোক্লকপসিদা [মতাংসিদা লেভীগী সিফাইশিং অমসুং ওফিসারশিংসিনা যাত্রাপুর হেডক্বার্টসতগী বাঁসকান্দি লাক্লগা পুন্না মনিপুররোমদা লাকমিন্নখিবা মাল্লি] নোং য়াম্লা চুমনখিবনা অশম্বা লম্বীদা চৎপা য়াদদুনা অকোয়বা লম্বীদা লাকপগী মে থাগী তারিক ২৩দা বাঁসকান্দিদা থুংলম্মী। হায়রিবা বাঁসকান্দিসিদা নোংমা (তাং ২৪সি) ফাইরগা মে থাগী তারিক ২৫দগী মনিপুররোমদা চঙশিনবগী খোঙচৎ হৌরকখিরম্মী। হায়রিবা খোঙচৎসিগী লম্বী পরীং অমসুং খোঙচৎকী ঈ-পাউদি:-

মশীঙ	খোঙহৌরকফম		অরাপ্পা			থুংফম		ৱারোল
	থাবান	মফম	মাইল	ফালং	য়ার্ড	থাবান	মফম	
১)	২৫।৫।১৮২৫	বাঁসকান্দি	১১	৫	৬০		তাকমু নালা	
২)		তাকমু নালা (তুরেন)	৬	৭	২০৪		জিরী নালা	
৩)		জিরি নালা (তুরেন)	১১	৪	০		মক্রু(মকু)তুরেন	
৪)		মক্রু(মকু)তুরেনগী তম্পাক-লম	২	৭	১১৭		কালা নাগাগী খুনশিং	
৫)		কালা নাগাগী খুনশিং	৪	৪	১৬৭		বরাক নালা /তুরেন	
৬)		বরাক নালা(তুরেন)	৭	০	০		কম্বুনগী নোংপোক থংবা নাকন	
৭)		কম্বুনগী নোংপোক থংবা নাকন	৫	৭	৫৬		নোংবা (নুঙবা)	
৮)		নোংবা (নুঙ্বা)	৩	৭	৫	১।৬।১৮২৫	মুঞ্জিরোন কোনা	মুঞ্জিরোন কোনাদা নুমিৎ ৩নি নোংনা চৎপ য়াদদুনা ফাইখি।
৯)	৪।৬।১৮২৫	মুঞ্জিরোন কোনা	৪	২	৩৯		ঈরং তুরেনগী য়েৎথংবা তোর্ববান	
১০)		ঈরংতুরেনগী য়েৎ থংবা তোর্ববান	৩	২	১৮৫		অৱাং খুন্দা তাবা খুনশিং	
১১)		অৱাং খুন্দা তাবা	৩	৬	০		এয়ী নালা /তুরেন	
১২)		এয়ী নালা /তুরেন	৩	৫	১৪৮		নুনাই খুন	
১৩)		নুনাই খুন	৫	০	১৬৩	৯।৬।১৮২৫	এয়ী নালাগী ওইথংবা তোর্ববান	
১৪)	১০।৬।১৮২৫	এয়ী নালাগী ওই থংবা তোর্ববান	১০	২	১৯৭	১০।৬।১৮২৫	মনিপুর তম্পাককী নোংচুপ-লমথৈগী মৈতৈখুন মাকলং	
১৫)	১২।৬।১৮২৫	মাকলং খুন	১১	০	৫	১২।৬।১৮২৫	কংলাদা লৈরিবা অৱাগী লানবন	
		অপুনবা	৯৬	০	২৬			[গঃচঃশঃ,X,৪৩]

খৃঃ ১৮২৫গী মে-জুন্দা গম্ভীরসিংহ-নরসিংহনা লুচিংবা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীনা মনিপুর হন্দোকপা লাকখিবা খোঙচৎকী ঈ-পাউ:- অসিশিংসিনি। মসিগী মনুংদা জিরি নালা / তুরেন্দগীনা মাকলং খুনা ফাওবগী অরাপ্পা /অশাংবা মাইল ৮০ (মরিফু) (কিঃমিঃ ১২৮)গী লম্বীসি চীঙগী অকা-অকুম তৌবা তোংজৈ মরীন হায়বা চীঙগী / চীঙলক্কী খোঙলম্বীদুনি। অদুগা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীনা মাকলং খুন্দা থুংখিবা নুমিৎসি খৃঃ১৮২৫সিগী জুন থাগী তারিক ১০ ইরাই নুমিৎ (শক ১৭৪৭কী ঈংঙাগী ২৪নি পানবা)তনি। মসি নুমিৎ ১৬(তরাতরুক)নিগী মনুংদা নুমিৎ ৩,(হুম)নি চুপ্পা নোং চুবনা চৎপা য়াদদুনা লেপ্পগা অতৈ নুমিৎ ১৩নিদি অহিং ঙাইহাক ঙাইহাক পোথানবা নত্তনা লেপতনা চৎপা খোঙচত্তা লাক্লগা মাকলং খুন্দা থুংলখিবনি। অদুগা মথক্তা পীজরিবা মফমশিংসিনা অহিং লেকখিবা খোঙচৎসিগী মফমশিংদুনি।

বাঁসকান্দিদগী মাকলং ফাওবগী খোঙচত্তা থেংনখিবা খোঙফমশিং

রাজা গম্ভীরসিংহ্ লেভীগী সিফাইশিং অসিনা কছারগী বাঁসকান্দিদগী খৃঃ১৮২৫সিগী মে তারিক ২৫দা জিরী নালা (জিরি তুরেন) লান্থোক্তুনা লাক্লগা লক্ষ্মীপুরগী মনাক্তা লৈবা পাখী-কোমথী নত্রগা পাখী-কোমপুৎ ওইনা তৌবা মফমদু লান্থোক্লক্লগা বরাক তুরেনগী অৱাং থংবা তোর্ববানলোমদা লৈবা চীঙ্শাং অমগী পরীং ইন্না লাকখিরম্মী। হায়রিবা চীঙশাংগী পরীং ইন্দুনা চীঙখোঙ-চীঙয়াদা চৎপা লম্বীসিদগী হেন্দোক্লক্লগা জিরি নালা /তুরেনগী নোংপোক থংবা তোর্ববান্দা থুংখিরম্মী। মখোয়না মফমদুগী নোংপোক থংবদা লৈরিবা উমং-ৱামং (জঙ্গল) অদুগী মতাই অমদা পোথারম্মী, চাক-ঈশিং থোংদুনা চারগা উমংদুদা অহিং লেকখিরম্মী। নোং ঙাল্লগা হায়রিবা জিরী তুরেনগী নোংপোক্তা লৈরিবা উমংসিদগী চীঙ কাবা হৌদুনা চীঙগী চীঙলম্বীদা লাক্তুনা মাঙলোমদা চঙশিল্লকপনা চহিসিগী জুন থাগী তারিক ১ (অমা)দা মুঞ্জিরোন কোনা হায়রিবা মফমসিদা থুংখিরম্মী। মরম অসিনা চীঙলম্বীদু নানবনা চৎপা য়াদবদগী মুঞ্জিরোন কোনাদুদা নুমিৎ হুমনি ফাইদুনা পনখিরম্মী। মখোয়না মুঞ্জিরোন কোনাদা থুংলুবা জুন থাগী তারিক ১ (অমা)সিদা মখোয়না সীলেটতগী পুরকপা চেঙজেন লান্মীগী লানচাক-চেঙজেন (Ration)অদু লোয়থোকখিরম্মী।

চেঙ লৈত্রবদুদা রাজা গম্ভীরসিংহ্ লেভীগী লুচিং-পুরেন অমসুং লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইরিবা রাজা গম্ভীরসিংহ্ অমসুং কম্মাণ্ডিং ওফিসার ওইরিবা ঈবুংশীজ নরসিংহ্ অনিনা মুঞ্জিরোন কোনাগী চীঙলক্কী চীঙ্গোন্নুংদা খুন্দা-লৈতারিবা, খুনবান-লৈপাল্লিবা চীঙমী খুল্লাকপশিংগা ঙাংনা-শানদুনা মখোয়দগী চেঙ ৱাল্লগা চাবা হৌরকখিরম্মী। চীঙমীশিং অদুনা তায়রিবা চেঙদুগী মমলদি য়াম্না হোঙলম্মী, অদুবু অদুক য়াম্বা মী ৬০০ (চাতরুক) লোমদুগী চানবা চেঙ পুন্না হেক্তমক ফংবা হায়বদুদি ৱানা থোক্লম্মী। মরম অসিনা চেঙ ফংদবনা অয়াম্বা চীঙলম্বীদুগী মফমশিংদুদা অৱাবা নংলম্মী [গঃচঃশঃ,x,৪৪ (পেম্বর্টননা থল্লম্বা রেকোর্ডতগীনি)]।

খোঙচৎসিদা য়াওরিবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী লান্মীগী লেফটেনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টন্না লেভীসিগী সিফাইশিংগী অখাঙ কনবা অমসুং মখোয়গী ৱাখন্দা নীঙলিবদুনা পীবা থৌনা অমদি লীংজেন্না চাবা-থকপা ফংলক্তবা মতমদা মপুক্লীঙ ফাজিন্দুনা চরা হেন্দোকপা ঙম্বদুদা অঙকপা মতৌ অমা পোকখিরম্মী। মরম অদুনা মহাক্না অসিমসু হায়রম্মী-“গম্ভীরসিংহগী

লান্মীশিংদু মৈতৈ ঙাক্তনি, মখোয়দু [মথক্কী চেঙ ফংদবগী থৌদোক্তুদা] চাবোই-চাদবোই তৌরবা, নোং চুদুনা লম্বীসু ফৎখিদ্রবা অদুমক্তদা কনা অমতনসু বেরা তৌনদে, হৰাউ-হৰাউনা অদুম চৎলি। ৱাবনা চোকথরবা মতম অদুদসু পোখাবা লৈতনা ঈরং,এয়ী,মক্রু / মকু তুরেন, হায়রিবা তুরেনশিংসি লাম্বোক্লবা উ য়াল্লগা থোং শাই"। মসিনি মরৈপাক হন্দোক্ল বগীদমক্তা চঙশিল্লক্লিবা রাজা গম্ভীরসিংহ অমসুং ঈবুংশীজ নরসিংহ অনিনা মৈতৈ নিংথৌ মচা ওইরুবগী থৌদাং।

মৈত্রবাক মনিপুরগী রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাইশিংনা মখোয়গী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ঈবুংশীজ নরসিংহগী লমজিং অমসুং য়াথংগী মখাদা খৃঃ১৮২৫সিগী জুন থাসিগী তারিক ১০গী অয়ুক অঙনবদগী এয়ী নালা / তুরেন খোংলমগী খা থংবা তোর্ববান্দগী মাঙলোমদা চঙশিন্দুনা মনিপুর তম্পাক্কী নোংচুপ ঈথং থংবা মতাইগী লমখৈ /ঙমখৈদা শন্দোক্লিবা চীঙ্গোনগী চীঙলোন পল্লংলা "লোইচীঙ ফৌওইচীঙ" হায়না মৈতৈনা থোনবা চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী চীঙ কাবা হৌদুনা মাইল তরাগা মাইল মশুঙ অমা(কিঃমিঃ১৬.৫৪)রোম লাপ্পা লম্বীদা চত্তুনা চীঙজাওসি লাম্বোক্লগা নুমিৎসিগী নুংথিলগী পুং ০ (অয়ুক্কী পুং ১২)রোম তাবা মতম অদুৱাইদা মৈতৈখুল মাকলংদা থুংখিরম্মী। মখোয়না হেক থুংবগা লেভীগী সিফাইশিংগী চানা-থক্লনবগী থৌরাং তৌননবগী থবক শীন্নরগা মখোয়গী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং লাঞ্জিংলেন অনিদুনা অৱা / ম্রাম্মা লান্মীশিংনা মনিপুরগী তম্পাক লমদমগী করম করম্বা মফমশিং করম্বা ফিবমদা লানবন নত্রগা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরিবগে, মখোয়না (অৱাশিংনা) করি-করি খুৎলাই পায়দুনা মখোয়গী লৈফমশিং, তেঙ্গোনশিংনচিংবদু ঙাক্লিবগে অমসুং করম্না শেন্নবগে লোইননা লাঞ্জারিবগে, হায়বশিংসিগী ঈ-পাউ লৌনবা থবক লৌখত্তুনা লৈরম্মী। মখোয়না পাল্লিবশিংদু ফংখিরম্মী।

অৱা লান্দা-লাঞ্জঙদা নরসিংহ

মমালৈপাক মনিপুর উদ্ধার (Liberation) তৌনবা লাঞ্জঙলক্লিবা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী লুচিংবশিংনা মাকলংদুদা লৈরিবা মৈতৈমচাশিং অদুদগী চান-থক্লবা থিবগী কোয়চৎ-চৎলুবা লেভীগী সিফাইশিংদগী ফংলিবা পাউদি- ইম্ফাল কংলৈ(সহর)দগী খা-নোংচুপ্লোমদা মাইল ১২ (কিঃমিঃ১৯১)রোম লাপ্পা লৈরিবা খুন, ময়াং কৈনৌ(হৌজিক্কী নম্বোল মখাগী/ নোংচুপকী ওয়নাম কৈনৌ খুঙ্গং) অমসুং কৈনৌসিগী অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদা লৈরিবা চীঙমী খুন নুংঙাখুন হায়বা খুঙ্গং

অনিসিগী মফম অমমমদা অৱাগী লানঙাকপশিং অমসুং লাঞ্জাবশিংনা লৈননবগীদমক্তা লানবন মচা অনিখক শাদুনা অৱা লান্মীশিংনা শঙদুনা লৈরে-হায়বসিনি। লেভীগী লুচিং-পুরেন রাজা গম্ভীরসিংহ, লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ঈবুংশীজ নরসিংহ অমসুং বৃটিশকী ঈরাং য়েংবা লাক্লিবা ওফিসার লেফটেনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টননা খন্ন-তানরবা মতুংদা, লেভীগী সিফাই কাংলুপ অমনা কম্মাণ্ডেন্ট ঈবুংশীজ নরসিংহ মশামক্লা নুংঙা খুন্দুদা লান্দাদুনা অমসুং লেভীসিগী সিফাই কাংলুপ অমনা লেভীসিগী নাইক(Naik)পূর্ণা সিংনা ময়াং কৈনৌদা লান্দাদুনা অৱা তেঙ্গোন থুগায়বা হায়না লেপ্ল-য়ানরদুনা ঈবুংশীজ নরসিংহনা অৱাশিংগী মথক্তা লান্দানবগী অহানবা খোঙজঙগী খোঙথাং অমসুং লাঞ্জঙ পায়খৎখিরম্মী। মসিনা মনিপুরদা থোকপা মৈতৈ-ম্রাম্মানা চহি তরেৎ খুন্তাকপদগী মনিপুরবু কন্ননবগী অহানবা শোক্লবা লানসুনি।

মনিপুর হন্দোক্লবা শেমখিবা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ঈবুংশীজ নরসিংহনা লেভীগী সিফাই ২০০ রোম পুদুনা খৃঃ ১৮২৫গী জুন থাসিগী তারিক ১০ (তরা), ঈরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩(অহুম) তাবা মতমদা ইম্ফালগী খা-নোংচুপলোমদা পৈরপ্লা লৈবা নুঙাখুন্দা অৱাশিংগী মথক্তা লান্দাখিরম্মী। ঙাইহাক্কী ওইনা নোংমৈনা খুৎ থোক্লবদুদা অৱা লান্মী খরদি হাৎতোকখি, অদুগা খর অমনা মখোয়না ঙাক্লম্বা লানবন মচাদু, থাদোক্তুনা চেনখিরম্মী। মখোয় চেনখ্রিবা খরসি মৈতৈগী কোনুংলেন কংলা মনুংদা লৈরিবা মতমদুগী কাঙজৈবুঙ (হৌজিক্কী মনুং কাঙজৈবুঙ)দা শারিবা মখোয়গী অচৌবা অমসুং মপী ওইবা তেঙ্গোন্দুনা চেনখি, হায়বসি মতুং তারকপা থৌদোক্লা উৎল্লকখিরম্মী। মায়কৈ অমরোমদা নাইক পূর্ণাসিং (লেমথোং লৈশংথেমচা পূর্ণানন্দ, কমপু হাওশী ঙমগা চিংবা [খাহিঙম্বা,১৯৬৭,৪৪])সু লেভীগী সিফাই কম্পু / কম্পনী মরি পুদুনা ময়াংকৈনৌদা নুংথিলগী পুং অহুম তাদ্রিঙৈদা থুংদুনা অৱা লান্মীশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দাখিরম্মী। ময়াং কৈনৌগী লানফমসিদদি অৱাগী লানবন শঙলম্বা লান্মী লাল্লোই অয়াম্বা হাৎলম্মী। অদুবু খর অমদি লানবন থাদোক্তুনা চেনখিরম্মী। ময়াং কৈনৌদগী চেনখ্রিবা অৱা লান্মী খরদুসু মখোয়গী মৈতৈগী কোনুং কংলাগী কাঙজৈবুঙদা তেঙ্গোন শারিবা অৱাগী মপুঙ অমসুং মপী ওইবদুদা চেনশিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। য়েক্লবা ম্রাম্মা লান্মীশিংগী লমচী অনিদা শারম্বা তেঙ্গোন থুগারুরবা মতুংদা লাল্লম য়েন্নদুনা শমজী খায়দুনা চৎনখিবা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাইশিংদু মখোয়গী লাঞ্জিংলেন অনিগা লোইননা মতম চানা মখোয়গী মাকলংদা লৈরিবা তেঙ্গোন্দা হরাউনা হল্লক্তুনা থুংখিরম্মী।

সিফাইশিংদা অখাঙ কনবগী মতৌ অমা

ঈমা লৈপাক হন্দোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়গী ঈঙক য়োল্লবনি হায়না রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীদা সিফাই খল্লকখিবা মনিপুরী সিফাইশিং অদুদা অখাঙ কনবগী মতৌ অমা উখ্রিবসি মৈতৈ-ব্রাম্মা লান শোক্লবগী লানগী ঈরাং য়েংবা লাকখিবা বৃটিশকী মিলিটরী ওফিসার লেফটেনেন্ট পেম্বর্টন্ননি। মহাক্কী মমিৎনা উরিবা, দৃশ্যদু মখুৎনা কলম পায়দুনা মহাক্কী ডাইরীদা য়েকশিন্দুনা থম্লম্বনি, উখ্রিবা দৃশ্য / দুদি:-

নুংঙাখুনা অমসুং ময়াং কৈনৌদা লান চৎলুবা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাইশিংদু লানঙম ফিরাল পুরক্কুনা হরাউ-তয়ামগা লোইননা মাকলং খুন্দা থুংলরে। অদুবু মখোয়না য়ৌরকপা মতমদদি মমলি মমলি তৌখ্রে। অদুগা রসনগী চেঙফু (Receptacle)দা চাক থোংলমদায়দা য়েংলুবদদি চাবা কোন্নগদবগী তংখায় অমখক্তমক লৈরম্লে। খুঙ্গংদুগী খুঞ্জাশিংদা হংলুগদবগী মতমসু হেনখ্রে, হংলুরবসু খুন্দুনা চেঙ লৈরমগনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লৈরম্মী। অরৈবা খরদু থোংদুনা চাবগী ৱাফমদা য়ানরদুনা লেভীগী সিফাইশিংদু চাক চরা তংখায়-তংখায়ক্তং চানরগা অহিং অদু খাঙনখি। চোকথরবা মৈতৈগী লেভীগী সিফাইশিংদুনা চাক চরা ৱাৎপগী মচীন থোক্লদনা,ৱা মচেৎ অমা ফাওবা কাঙথোক্তনা অহিংদু লেল্লগা মথংগী নুমিৎ জুন ১১, থাঙজা নুমিৎকী অয়ুক্তুদা মখোয়গী কম্মাণ্ডিং ওফিসারগী য়াথং মতুং ইন্না নুমিত্তুগী মখোয়গী চানা-থক্লনবগী থৌরাংগীদমক্তা চেঙ খর ফংননবগীদমক্তা মাকলং খুঙ্গংদুগী মায়কৈ মরিমক্তা লৈরিবা চীঙ অমসুং তমগী খুনশিং অদুদা মখোয় মশেন চায়থোক্লদুনা চেঙ থিবা চৎনখিরম্মী। খুন্তাক-লানাশিদুনা চহি তরেৎ চুপ্পা লৌ উখিদ্রবা লৈপাক্লিনা চেঙ থিবগী থবক্তু য়াম্লা অৱাবগী মশক ওইরম্মী। মখোয়না থিরুবদা ফংলকপা খরদু থোং-থাক্তুনা চারগা ঙাইহাক ঙাইহাক পোত্থানরম্মী। অসিগুম্বা অখাঙ কনবগী চাংয়েং অমা ওইবগুম থোক্লিবা থৌদোকসি উরগা লেফটেনেন্ট পেম্বর্টন্না মৈতৈগী মশক খঙখিরম্মী।

জুন ১১সিগী নুংথিল ঙাইহাক্তং পোত্থানরিঙৈগী তাঞ্জাসিদা লৈত-লায়রা থিদুনা কোয়চৎ-চৎলিবা অচোয়বা মৈতৈ নুপাশিংদগী মাকলংগী তেঙ্গোন্দা নুংথিন্দুগী পুং ২(অনি,I,S,T.) রোম তাবগী মতম অদুৱাইদা পাউ ফংলম্মী, মদুদি "মনিপুরগী কোনুংলেন কংলাগী কাঙজৈবুঙদা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরিবা, মখোয়দা শোয়দনা ঙসি হয়েংমক লান্দারগনি হায়না লৈরিবা অৱা লান্মীশিংদু কংলাগী লানবন থাদোক্তুনা নোংপোকলোমদা চৎখ্রে, হায়বসিনি। পাউ অসি অফবা মৈতৈগী য়াইফরবা পাউনি, অদুগা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাইশিং, তুমদ-হীপুবা,

১৩৩

পোত্থাবা নাইদ্রবা খোঙচত্তা য়ৌরগা লোয়রে হায়দুনা চীঙলক-মাল্লক থিদনা লাক্লিবশিংদু কংলাগী লানবন লৌশিল্লুনবা খুদক্তুমক্তদা কংলারোমদা খোঙশাল্লবা য়াবগী ফিবমদা পুরক্লম্মী। মদুদা শাফম-লানফমদা কন-থৌরবসু থম্মোই থোৎনা মীনুংশি চাওরবা লেভীগী কম্যাণ্ডিং ওফিসার ঈবুংশীজ নরসিংহনা মহাক্কী লেভীগী সিফাইশিংনা লমশাং চৎলকপগী চোকথরবা অমসুং লানফম-মৈশা লাংলুবগী শোর হোন্দোক্ত্রিবশিংদুনা ৱারবসু চোকথরবসু ৱাদবা, চোকথদবা শাদুনা মশা-মশাগী ফিরেপ পুবা ঙমদবা মখৈ লৈরিবা ফিবমশিংদুদা মখোয়বু নুংশা অমক্তুং হোন্দোকহনবগী মথৌ তাই হায়না লেপ্পদুনা লুচিংবা অমা ওইবগী মথৌ-মঙম অমসুং মগুণদুদা তোংলদুনা ময়াম্বুং ঈবুংঙো লেভীগী লুচিংলেন-পুরেন ওইবীরিবা রাজা গম্ভীরসিংহ মফম নুমিত্তুমতং মনাইশিংদু পোত্থাহনবীনবা হঙ্গৎচরম্মী। রাজা গম্ভীরসিংহনসু ৱাফম অসি অচুম্বনি হায়না পোত্থাবগী ৱাফমসিগী অয়াবা পীবগা লোইননা মনাউ ঈবুংঙো লেভীগী কম্মাডেন্টনা সিফাইশিংগীদমক্তা খল্লিবা ৱাখল অমসুং উরিবা মিৎয়েং অদুগীদমক্তা থাগৎখিরম্মী। ৱাফমসিদগী সিফাইশিং অদু পেরেড তৌহল্লগা মখোয়দা- "মৈতৈগী কোনুংলেন ওইরম্বা কংলাবু অৱাশিংনা লৌশিল্লগা মখোয়গী তেঙ্গোল শাদুনা লৈরম্বা তেঙ্গোল অচৌবদু কংলা থাদোক্তুনা নোংপোক্লোমদা চৎখ্রে, হায়বা পাউ অসি তাহল্লে। অদুগা হায়রিবসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না মশা খজীক্তং কোমথোকপা য়াবগী তাঞ্জা অমা ফংলিবসিদা নুমিত্তুমদি মাকলংদা নুংঙাইনা পোত্থাননবগী য়াথংসু লাউথোকপীরম্মী। অমুক মখা তাথনা মথংগী নুমিত্তা মৈতৈগী কোনুং হন্দোক্তুনা মফমদুদা লৈরুনবগী অমসুং কোনুং লৌননবগী শীল্লিবা মতুং তারকপা ঈ-পাউদু পীরগা মখা তাবা য়াথং ঙাইননবা স্নায়াথংসু ময়াম মমাঙদুদা হায়দোকখিরম্মী।

নরসিংহদা সেনাপতি হাপ্পা

মথংগী নুমিৎ, খৃঃ ১৮২৫গী জুনগী তারিক ১২ লংমাইজীঙ / নোংমাইজিংগী নুমিৎনা তু উরকপা মতম, অয়ুক্কী য়েন্দা অহানবগী মতমদা লেভীগী কম্মাডেন্ট ঈবুংশীজ নরসিংহনা মহাক্কী সিফাইশিংদু মাঙজৌননা শেম-শাহন্দুনা পেরেড গ্রাউন্দা লেপহন্দুনা মখোয়গী লাঞ্জিংলেন-পুরেনবু ঙাইদুনা লেপহল্লগা রাজা গম্ভীরসিংহনা লেঙথোক্লক্লবা মতুংদা নীঙ-মাঙগী নিংথৌগী নাকথং খনবা অমসুং নিংথেমগী পুয়োক-পুকল্লোইশিংগী চেকশিন'-থৌরাংগী মীশিং শীন্দোক্লরগা শ্রীযুৎকী থৌগল তৌদুনা মাকলংদগী ইম্ফাল কংলৈ তম্না হাইগৎলকখিরম্মী। হায়রিবা রাজা

গম্ভীরসিংহগী লেভীগী সিফাইশিংসিনা নোংমৈ লেঙথোং নাদুনা ইম্ফাল কংলৈ য়ৌরকপসিদা অপন-অরাক থোকখিবগী পাউ অমতা লৈতে। মখোয়না কংলা কোনুংলেনগী নোংচুপ থোঙলোমদগী চঙলক্তুনা লাম্হেং-লানথোক্লবগী ৱাফম অমত্তা লৈতনা নুমিত্তুগী অয়ুক্কী পুং ৮(I,S,T)গী অদুৱাইদা মৈত্রবাক্কী মাঙলুরবা কোনুং হন্দোক্লে, মৈতৈ কংলা কোনুংলেন খুদম চল্লে।

রাজা গম্ভীরসিংহ অমসুং ঈবুংশীজ নরসিংহ, রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার অনিগা বৃটিশকী লান্মীগী ওফিসার রোবার্ট বোইল্যু পেম্বর্টনগা অহুম্না মমাঙদগী লৈরক্লবা কংলা শঙফমগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা লেপ্লবা মতমদা লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ঈবুংশীজ নরসিংহনা লেভীগী সিফাই পুম্নমক্তুবু পেরেড তৌদুনা লেপহল্লগা ময়াম পুম্নমক্তুগী মমাঙদা নুমিত্তুগী মতমদুমক্তদগী রাজা গম্ভীরসিংহনা মনিপুরগী নিংথৌ ওইরে, হায়না লাউথোক্লম্মী। লাউথোক্লিবা য়াথংদু তাবদা লেভীগী সিফাইশিং অদুনা নোংমৈগী শলামী পীদুনা নৌনা নিংথৌ ওইবীরিববু ওকচখিরম্মী। থীন্থবা তৌদনা কংলা ফম্বাল কাফম (Site of coronation seat) মনাক্তা ফম্ফম ফাল থারগা নিংথৌ ওইবগী থৌদাংবু লৌরে হায়না অমুক লাউথোক্লম্মী। সিফাইশিংদুনা হরাউজবগী ঙমখৈ লৈতনা মখোয়গী মনিংথৌ লৈতবদু লৈজরে হায়না জগোয় শাদুনা চোংলগা নুংঙাইবা ফোংদোক্লখি।

রাজা গম্ভীরসিংহনা নিংথৌ ওইবগী থৌদাংসি হেক লৌবগা মহাক্না লাউ-খোংদুনা হরাউনা লাংলিবা লেভীগী সিফাইশিংদুগী অরাংবদু নেমথহল্লগা মশামক্না "নুমিত্তুগী (খৃঃ১৮২৫গী জুন ১২ নোংমাজীঙ নুমিত্তুগী) মতমদু [অয়ুক্কী পুং ৯-৩০(মাপন মখায়) রোম তাবা অদুৱাইদা] মক্তদগী রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ওইরিবা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহবু মনীঙমখা তম্বা মৈত্রবাক মনিপুরগী সেনাপতি হাপলে"- হায়না লাউথোকখিরম্মী [চৈঃকুঃ,২০০৫,২২৫]। অদুগা মখা তানা শ্রীযুৎ সনা য়াথং লাউথোক্লকপদা-"মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহনা সেনাপতি ওইনা ওইনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসারসু অদুম ওইখিগনি। মখা তাবা য়াথং অমা লৈত্রিবা ফাওবদি ঈবুংশীজ নরসিংহনা ফমথোন অনিমকসি থোনখিগনি"- হায়বসিসু য়াওরম্মী। অসুম্না ঈবুংশীজ নরসিংহনা খৃঃ ১৮২৫গী জুন ১২সিগী লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাগী সিভিল অমসুং মিলিটরী পোর্টফোলিও (Civil and Military protfolio)ওইবা সেনাপতি[Chief of Army/ Military] অমসুং অশেংবা লান্মী লাল্লোইগী ফম রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ওইবগী ফমথোন অনি পুননা পায়খিরম্মী।

রাজা গম্ভীরসিংহনা মনিপুরগী নিংথৌ অমসুং ঈবুংশীজ নরসিংহনা সেনাপতি অমসুং লেভীগী কম্মাণ্ডিং ওফিসার ওইনা বৃটিশকী মিলিটরী ওফিসার লেফটনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টন অমসুং লেভীগী মকোক থোংবা অতৈ ওফিসারশিং (সুবেদার, জমান্দার, কুট,সির্দার)গা লোইননা অৱাশিংনা মৈতৈ কোনুংলেন কংলাগী কাঙজেবুঙদা লানশঙ খনগত্তুনা শারম্বা লানবন অমসুং তেঙ্গোল শাফম মফমশিংদু চঙদুনা য়েংলম্মী। মদুদা থোইদোকপা পোৎলম- চৈরমদি লৈরমদ্রে, অদুবু নোংমৈ অশুবী(মস্কেট=Musket)খরগা য়োৎনা শাবা নোংমৈ অচৌবা(Big gun)অনিগা চেঙ, ৱাই খপ্তোক্ত্রিবা চেঙ মন ১৫০(চামাগা য়াঙখৈ) রোমদগী খর হেনবগা অসিশিংসি হুন্দোক্লম্বা থেংনখিরম্মী। [গঃচঃশঃ,৪৫]।

নরসিংহনা কোনুং ঙাকহৌবা

মৈতৈ কোনুং কংলাদা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাইশিং অমসুং মখোয়গী মকোক কোকলেন ওইবা লাঞ্জিংলেন-পুরেন্নচিংবনা নিংথৌ ওইবগী, সেনাপতি হাপ্পগী লাংনরিঙৈ অমসুং নুংঙাইনরিঙৈগী মনুংসিদা অৱা লান্মীশিংনা লান্থেদুনা লৈবগী পাউ অমা লাক্লম্মী। পাউ পীররিবদুনা তন্নরিবা পাউদি- "ইম্ফাল সহরগী নোংপোক্লোমদা লৈরিবা নোংমাজীঙ চীঙজাওসিগী ৱাংমদা লৈরিবা কংলাদুদগী মাইল ১৭(কিঃমিঃ২৭.২)লাপ্পা লৈরিবা চকপা অন্দ্রোশিংগী খুঙ্গং অন্দ্রো হায়বদুদা অৱা লান্মী লাল্লোই ৬০০ (চাতরুক) অমসুং মখোয়গী পোথাং পুবা মী (Porter) ৬০০ (চাতরুক)কা লোইননা লান্থেরগা লাল্লুমদুনা লৈরে"- হায়বসিনি। পাউসিদা খন্নবা য়াবা খন্নরবা মতুংদা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ মশামক্লা লেভীগী সিফাই ২০০(চনি) শগোল লান্মী ২০(কুন) পুদুনা বৃটিশকী আর্মী ওফিসার লেফেনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টনগা লোইননা চৎননবা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহদা লেভীগী সিফাই ৩০০(চহুম) অমসুং শগোল লান্মী ২০(কুন) শীন্নদুনা মৈতৈ কোনুং ঙাক্লনবগী থৌদাং শীন্নরম্মী। অদুগা মখোয়না লান্মী পুদুনা অন্দ্রো চৎনবা খোঙশাল্লক্লম্মী। মখোয়না ঈরীন তুরেনগী মপান (ঈরীনবুঙগী লমদম) য়ৌরকপা তুরেনগী তোবর্বান কারকপদদি য়েক্লবা অৱাশিংদু অন্দ্রো থাদোক্লম্লগা মখোয়গী মনীঙ তাবা নোপোক্লোমদা মথং-মথং অসুম অসুম লেপ্তুনা হন্দোকখিদুনা মনিপুর তম্পাক্কী লমদম পুমথা থাদোক্তুনা নোংপোকলোমগী চীঙশাং পরেংশিংদা কাখৎখিদুনা চেনখ্রে, হায়বা পাউসি অমুক তারম্মী। পাউসিদা চৎলিবশিংদুগী মকোক থোংবশিংদুনা খন্নবদা চেনখ্রবশিং অদুদি খোঙ্গুল লীরুরবসু থেংননরোয় অমসুং মখা তানা তান্নরুবদসু ফংবা ঙম্লরোয়। অদুনদি মখোয়বু তান্নবগী

ৱাফমসি মতম মাঙনবা অমসুং থবক শীৎননবনি কান্নদে, তোক্লসি হায়না ৱাফমদু থাদোকখ্রে। অদুগা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা হায়রিবা মতমদুদা ওইরিবা চীঙ্গাক্কী ফিবম অমসুং চাননবা চেঙ-চাক্কী অৱাৎপা লৈরিবা তাঞ্জাসিদা থৌবাল্লোমদা হাইথদুনা ফৌ চেঙ খর ফংবা ঙম্লা য়েংলুগে হায়বা ৱাফম পুখৎলক্লম্মী। মদুদা লেফটেনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টনদি চৎলরোয় হায়না ঈরীনবুঙদগী মখোয় অনি কায়নরে। রাজা গম্ভীরসিংহনা লেভীগী সিফাইগী অয়াম্বা শরুক্কা লোইননা থৌবাললোমদা চৎখ্রে। অদুগা লেফঃ পেম্বর্টননা সিফাই খরগা লোইনদুনা কংলা কোনুংলেন্দা হল্লকখিরম্মী।

মৈদিংঙুগম্ভীরসিংহনা লৈত্রিঙৈ তাল্লকসিদা ঈবুংশীজ নরসিংহ সেনাপতিনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাই ৩৫০(চহুম য়াঙখৈ) রোমগা লোইননা মৈতৈগী কোনুং ঙাকপগী থৌদাংসি পুরি। মতম অসি চহি তরেৎ খুন্তাক্লু বগী লাঞ্জেনখিবা মৈতৈমচাশিং ঈহন হঞ্জিনরক্ত্রিবা মতমনি। কোনুংগী মপান্দা লৈখ্রিবা রাজা গম্ভীরসিংহনা লোইনখ্রিবা লেভীগী সিফাইসি ১৫০(চামাগা য়াংখৈ) রোমদনি। সিফাই মশীঙ কংলা কোনুংদা লৈরিবদুনা ১০০(চাম)গী মথক্তা হেল্লি, অদুগা বৃটিশ মিলিটরী লেফটেনেন্টসু ঈবুংশীজ নরসিংহগী মনাক্তা লৈরি। মতম অসিদা করিগুম্বা ঈবুংশীজ নরসিংহনা নিংথৌ খুবম পাল্লম্লবদি, নিংথৌ ফম্বাল কল্লক্লম্লবদি নত্রগা নিংথৌ ওইনীঙলম্লবদি মধুচন্দ্র মহারাজগী মচানুপা য়ুমজাও তাবগুম্ন া নিংথৌ ওইরে হায়না লাউথোক্লম্লবদি রাজা গম্ভীরসিংহ ফনা য়াম্না ৱাগনি, অৱারোমদা চেনবসু য়াদে, কছাররোমদা চঙবসু য়াদে। অদুগা বৃটিশতা চঙজরবসু মতমদুদদি রাজা গম্ভীরসিংহদু সেনাপতি নরসিংহগা মখোয় অনিসি থোং হাইফেৎ মান্নরবনি। অদুবু অদুগুম্বা তৌবীমল খঙদবা মীনুখাঙদু ঈবুংশীজ নরসিংহনা ওইখিদে। মদুগী মহুত্তা ভরতনা শ্রীরামগী সিংহসন ঙাকপগুম্বগী ৱাখলসি চেল্লম্মী। য়াম্লুং মহারাজ লৈত্রিঙৈসিদা য়েক্লবনা হাইজিল্লক্তুনা লান্দারনদবা মিৎকুপ-নাহুম শেন্দবা য়াদে, অৱা লান্মীশিংদুনা কংলাসিদগী চেনখ্রে হায়দুনা লৈরুরগা অন্দ্রোদা লাম্থৈদুনা লৈরে হায়রক্লিবা অসিগুম কোনুংসিগী অনকপা মফম অমাদা থুপ্তুনা অমুক লৈরম্লগা খঙহৌদনা লান্দারক্তুনা কোনুং অসি মুনখ্রবদি য়াম্লুংগী স্নামাঙদা মায়সি হাইগৎপা ঙমলোয়, শিখিবনা শরুক তরা হেন্না ফৈ, হায়রিবা ৱাখল্লোনসিদা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাবু ঙাক-শেনখিবা মাল্লি।

মনিপুর ঙাকহৌবগী থৌদাংদা নরসিংহ

মৈতৈশিংনা গম্ভীরসিংহ অমসুং নরসিংহগী লমজিং' অমসুং লাঞ্জিং'মখাদা মৈত্রবাক মনিপুরগী চহি তরেৎ খুন্তাকপদগী কল্লবা অমদি চহি তরেৎ খুন্তাকহল্লিবা অৱাশিংবু মায়থীবা পীদুনা মনিপুরগী লৈমায়দগী ফুক্তোক্তুনা হুন্দোকখ্রগা মখোয়না খোঙনেৎলরম্বা মনিপুরবু হন্দোক্লবা মতুংদা মনিপুরগী মৈতৈ লান্মী লাল্লোইশিংগী লাল্লুপ ওইরিবা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী হেডক্বার্টর্সসি মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাদা ওইরম্মী। মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা থৌবালদা চত্তুনা ফৌ-চেঙনচিংবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং থিবা য়াবা মখৈ থিরুরগা ফংলকপা খর পুরক্তুনা লেভীগী হেডক্বার্টর্স কংলাদা হল্লক্তুনা লৈররে। মৈদিংঙুসিনা মতমদুদা ওইরিবা মৈতৈ লৈপাক্কী ফিবমশিং চহি তরেৎ খুন্তাক্লুবনা চহি তরেৎমক্তু চুপ্পা লৌ উরক্তবনা মৈতৈ তম্পাক্তা ফৌ মরু অমতা তাদ্রবা, অতৈ চান-থক্লবা চীঞ্জক্কী পোৎলমশিংসু ৱাৎলবা অমসুং ঈশিং- নোংশীৎ, নোংজু-নুংশানচিংবগী ফিবমশিংদা লাই-না পুরবা মহীকশিংগী খুদোংথীবা ময়ামদুগী মথক্তা মতম অদু ফাওবদা লৌ উননবগী থৌরাং লৈত্রিবা খুদোংচাবা অমসুং খুদোংথীরবা মতমসিদা করম্মা অনৌবা মনিপুর অমা শেমগৎ-শাগৎনবগী থৌরাং লৌখৎনবা অমসুং লৈপাক অসিদা অৱাশিংনা চঙলক্তনা করম্বা থৌরাং লৌখৎনবা কয়াম কুইনা শঙদুনা লৈবা ঙমখিগদৌরিবগে খল্লকপদা মহাক মনিপুরদা নিংথৌনি হায়দুনা ফমদুনা লৈনীঙলমদে। মনিপুরদা লৌ উদুনা চাননবা ফৌ পুথোকপা ঙমদ্রিবা মখৈদি সীলেটতগী চীঞ্জাক লৌদুনা মনিপুর ঙাকখিবা তাবনি হায়বসি খল্লম্মী। অদুগা সীলেটতগী চানা-থক্লবা চীঞ্জাকশিং লৌরুদ্রবদি লৈপাকসি অমুক হন্না শেমগৎপা ঙম্লরোয় হায়বসিসু খঙলক্লম্মী। মরম অসিনা ৱাফমসি মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি অমসুং লেফটেনেন্ট পেম্বর্টনগা কুপ্পা খন্ন-নৈনরবা অমসুং তানা-তাক্লরবা মতুংদা মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতিদা মনিপুর লেভীগী খোঙমী সিফাই ৩০০(চহুম) শগোল তোংবা সিফাই ২০(কুন)গা লোইনদুনা লৈপাক ঙাক্লম্নবা শীন্নরম্লগা [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,২২৪-২৫] মহাক্লা লেফটেনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টনগা লোইননা লেভীগী খোঙমী ২০০(চনি) অমসুং শগোল লান্মী ২০(কুন) পুদুনা খৃঃ১৮২৫সিগী জুলাইগী তারিক ২৪দা সীলেট চৎননবা মনিপুর থাদোকখিরম্মী [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,২২৪]।

ঈবুংশীজ সেনাপতি নরসিংহনা ময়াম্বুংনা মকোক্তা থোঙ্গৎলম্বা লৈপাক ঙাকপগী পোৎলুম অদুগী থৌদাং লৌদুনা চহিসিগী জুলাই ২৪ লৈপাকপোকপা নুমিৎসিদগী মৈতৈগী মনিপুরগী কোনুং য়ুম্ফম, কংলাদা লীংখৎখিরম্মী। মহাক্লা মনিপুরগী মনীঙ মখা তম্বা, মতোম্তা লৈঙাক-

ৱায়েল থৌদা তৌজবা লৈপাক অমগী য়ুম্ফম লীংখৎখ্রিবা মফমসি খৃঃ ১৮১৮দা কংলা কোনুংলেনগী মনুংদা লম অহুম ৱাংনা থোনখিবা শঙ্গাই য়ুম্ফম অদুগী অকোয়বগী লমদম অদুদনি। হায়রিবা লম অহুম ৱাংনা থোনগৎলিবা শঙ্গাই য়ুম্ফম লম অহুম ৱাংনা থোগত্তুনা নিংথেমগী শঙ্গায় শারম্বা শঙ্গায় য়ুম্ফমসি সেনাপতি নরসিংহনা মতুংগী মতমদা মৈতৈ নিংথৌ ওইরক্লবা মতমদা খৃঃ১৮৪৪গী এপ্রিল থাগী তারিক ১৮দা তেমথোক্লগা লৈমা-নিংথৌকোন শেম্লরখিগনি।

মৈত্রবাক মনিপুরগী লম অমতদা চহি তরেৎ চুপ্পা লৌ উখিদ্রদুনা লৈপাকসিদা চানীঙঙাই ফৌ মরু অমতা থোক্রবা মতম তাঞ্জাসিদা মহাক্কী লেভীগী সিফাই ৩০০(চাহুম)দুগী চান-থক্লবা চীঞ্জাক থিবদা ৱারবা, নরক- মোশোংনা শানম-মীনম তাদ্রবদগী শোংজীল্লক্তুনা তীন-কাঙ, মহীক-মতাংশিংনা মপাঙ্গল কনখৎনা লৈরিবা ফিবম অসিদা অমসুং লম্লক্কী শাহিং চাবা শাশিংগী মশীঙ হেনগৎলকপা অমদি মী লৈত্রবনিনা হাপুঙ অমতং লৈবদা শা অমা হেক্তা কুল্লস্বনা মীনা নাইতোম চৎপদা নুংঙাইনদ্রবা মতমসিদা ঈবুংশীজ নরসিংহ সেনাপতিনা মৈত্রবাক ঙাকপগী থৌদাং পুরিবদুদা হায়নখিবা ৱাফম শোয়দনবা সীলেটতা লেঙখ্রিবা ময়াম্বুং রাজা গম্ভীরসিংহনা অচা-অথক ময়াম পুদুনা লাকখিগনি, মৈতৈ লৈপাক মনিপুরবু মমাঙঙৈগী মতৌগুম্মা অমুক হন্না পান্ননবা শেমগৎ-শাগৎখিগদবনি হায়বা ৱাখলসিদা থাজবা থমদুনা লৈপাকসিদা য়েক্লবশিংগী মীওইশিং চঙলক্তনবা ঈ-পাউ লৌদুনা করি-করিগুম্বদা লাঞ্জাবা, লম্লক্তা চত্তুনা য়েংশিল্লুবা, অসিনচিংবগী থবক পায়খত্তুনা চেকশিন্না শাজেন তৌদুনা লৈরম্মী। হায়রিবা চিরবা মতমসিদা ঈবুংশীজ নরসিংহগী মপাবুংনা পোকপা মনাউশিং, অৱাদা লৈরুবা, হিরম্বা দেশতা লৈরুবা, খাসপুরদা লাম্থেরুবা, ঢাকা তাননা লানজেল্লুবশিংনা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহগী মনাক্তা লাক্তুনা "নিংথৌ ওইরো, তাঞ্জাসিদদি রাজা গম্ভীরসিংহ সীলেটতগী হল্লকপসি, সেনাপতি নরসিংহনা নিংথৌ ওইরে হায়না লাউথোকপগী পাউ তারবদি খক ঙম্লরোয়, ময়াম্বুং ঈবুংঙো চৌরজিৎ মহারাজদা থাগী পেন্সিন লুপা ১০০। ১০০ পীদুনা বঙ্গদেশকী নদিয়া জিলাদা থমখ্রিবা (লঃচঃসঃ,১৯৭০,২১-২২) অদুগুম মনিপুরগী মপান্দা থমজখিনি অমসুং বৃটিশকী লৈনরিবা মরীদু করি অমতা কায়হন্দনা লৈহন্নবা সীলেটতা নত্রবসু কলকটাদা মী থাদুনা হোৎসি, অসিনচিংবা হায়দুনা," নিংথৌ ওইরে হায়না লাউথোক্লগে-হায়না হায়রম্মী। মখোয়গী অসিগুম্বা পাউথেম অসিনা ঈবুংশীজ নরসিংহগী পুকচেলদু খজীক্তা মচী লেঙহনবা ঙম্লমদে। তশেংনমক হায়বা তারবদি- চহি তরেৎ খুন্তাকপগী

137

মনুংদুদা নিংথৌ ওইরম্লিবশিং- (১) মৈদিংঙু যদু সিংহ, নোংপোকচীঙলেন খোম্বা [শক ১৭৪৪(খৃঃ১৮২২)গী হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবগী শক ১৭৪৫, মেরা-থাশি (খৃঃ১৮২৩গী ওক্তোবর)], সেনাপতি নরসিংহগী ময়াম্বুংনি,(২) মৈদিংঙু রাঘব সিংহ শক ১৭৪৫গী হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবদগী- [শক ১৭৪৬-৪৭কী ওল্লকপা শজিবুগী থানীন (খৃঃ১৮২৫গী এপ্রিল লোয়বা)] হায়বসিনা ময়াম্বুং যদু সিংহসিনা পোকপা মচাঙ্গীবুংঙোনি অমসুং (৩) মৈদিংঙু নোংচুপ লমগাই ঙম্বা (ভদ্রসিং, নিংথৌ খাবা) [শক ১৭৪৭গী শজিবু ২৪নি (খৃঃ১৮২৫গী মেগী মরিশুবা চয়োন)-ঈংঙা ২৫নি (জুনগী তাং ১০)] কৌবসিনা মহাক্কী অপোকপা মপাবুংনি। মরম অসিনা শাগৈসিগী মীওইশিংসি খুৎ কন্না লৈরিবনিনা করিগুম্বা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা নিংথৌ ওইগে হায়বা ৱাখল অসি খল্লম্লবদি নত্রগা নিংথৌ ফম্বাল মিহৌরম্লবা নত্রগা পাম্লম্লবদি কনা অমতগী মতীক্লসু মহাকপু থিংবা ঙম্লোয়। লেভীগী মায়কৈদা য়েংলুরবসু সিফাইশিংগী মফমদা নরসিংহ, রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী কম্যাণ্ডিং ওফিসারসিনা খল লুম্বা হেল্লি, অমসুং ঈংলিসকী মায়কৈরোমদা য়েংলুরবসু সেনাপতি নরসিংহনা খল লুম্লপ তৌবা হেনগৎলক্লিবনি। অদুবু ঈবুংশীজ নরসিংহ সেনাপতিনা মনাউ ঈবুংঙোশিংনা থেম্বা নত্রগা হায়জবদু য়াদুনা তীন্নরুরবা ময়াম্বুং গম্ভীরসিংহদা কথোকখ্রবা থম্মোইদু অদুক লৌশিনখিদে, থম্নরিবা থাজনবদুদা বিস্বাসঘাট তৌখিদে, অমসুং হায়রিবা মহাক্কী চপ য়ুংবা ৱাখল, শেম্বী-শাবীরকপা মীবু কাউদবা, মীগী তৌবিমল খঙবা অমসুং হায়নখিবা ৱাফমদগী হোংদবা পুকচেল মতাসিদা মনাউ ঈবুংঙোশিংনা ৱা মখা তাবা ঙমখিদে।

মীওইবনা তৌবা থবক্কীদি তৌরক্কদৌরে হায়বগী শামীন নত্রগা লংজীন অমতা ওইরবসু ফংই, খঙজ-উজহৌদবদগী শামীন লৈতবগুম লৌবনি অমসুং থোক্লক্লবদসু কন্না হোৎনদুনা মীগী থবক্কুনা অমাঙ-অতা থোকল্লকপদুদগী খরখক্তা ওইরবসু কনবা ঙমনৈ। অদুবু মহৌশা লাইরেম্বগী উপদ্রবশিংদি খঙহৌ-উহৌদে, ওইরক্কনি হায়বসু থাজদে, অমসুং থিংবসু ঙমদে। সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা মনাউ ঈবুংঙোশিংগী ঈথিন ঙাক্লবা হোৎনরিঙৈ লৈঙাক' থৌদাংদা কনানা করি তৌরক্কদৌরিবগে হায়না য়েংলিঙৈসিদা আগষ্ট-সেপ্তম্বর থা অনিগী লোন্নবা মরক্কী মতমসিদা ঈশিং-ঈচাও অমা থোকখিরম্মী [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,২২৪]। অদুবু হায়রিবা ঈচাওদুনা শোকহন ৱাহনখিবসি রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাই ৩২০(চহুম কুন) অদুগা চহি তরেৎ খুন্তাক্লুবদগী লান লোয়খিদুনা লাঞ্জেনরুবদগী হঞ্জিনরক্কুনা ময়ুম-ঈংখোল লেপ্পবা হোৎনরিবা মীওই খরগা অসিখক্তদনি। অদুগা ঈশিং ঈচাওগী খুদোংথীবগী মমিসি

শামখিবগা হায়রিবা আগষ্ট-সেপ্তম্বরসিগী পুর্নিমা নুমিৎ অমসুং থাশি নুমিৎ অনিসিদা থা মখায় অমগী মতম কাননরগা য়ুহা অনিরকসু হাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২২৫]।

অৱা লাইবার ১২ লাকপা

সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী সিফাই ৩২০ অমসুং মখোয়গী ওফিসার ৩২গা লোইননা রাজা গম্ভীরসিংহগী মিংদা লৈপাক ঙাক্লকপা থা অমগা মখায়গা নুমিৎ ৪রোম শুরকপা মতম, চহিসিগী থৱান থা(আগষ্ট-সেপ্তেম্বরডগী ২নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অৱা লাইবার(Envoy of Burmese emperor) ওইনা মী ১২(তরানিথোই) খক ইম্ফালদা লাক্তুনা কংলাদা থুংলখি [মথক্কীসিদা, ২২৫]। মখোয়গী অসি অৱা নিংথৌ শগাইং-মেঙ নত্রগা ফাগ্যি- ডোআ [Sagaing-Meng alias Pha-gyi-doa](1819-37 A.D.)] না তশেংনা থারক্লিব্রা নত্রগা অৱাশিংগী মরক্তগী কনাগুম্বা ম্রাম্মাগী অচৌ-অশাং নত্রগা অকন-অথৌ(শমজোক নিংথৌ শোইমাও-লাগুম্বা)না মখোয়গী লৈঙাক্লোনগী ফিবম, বৃটিশকী মখোয়গা লান শোক্লরিঙৈ [খৃঃ ১৮২৪-২৬]গী মতমসিদা ৱা ঙাংননবা লাইবার /মী থারক্লিবসি চহি তরেৎ খুন্তাক্লুরবা (খৃঃ১৮১৯- ২৫) মতুংসিদা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মসি, মীনম- শোরি তৌগদবা, হুরান-লাংথাক চথুরক্কদগী মওং-মতৌ মাল্লি। অদুগা হায়রিবা মতমসি অৱা লৈপাক মনুংদা লানগী মৈচ্রাং পাইরিবা মতম্লি। অৱা / ম্যন্মার লৈপাক্কী আরাকান অমসুং ইরাবতী তুরেনগী নাকয়েৎ-ওয়গী তম্পাকশিং(Irrawaddi basins)দা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী লান্মীশিং অমসুং বর্মীজ / ম্রাম্মা লান্মীশিং অনিগী লান শোক্লবসি খৃঃ১৮২৫গী এপ্রিল-মে থাদগী হৌখ্রবনি অমসুং চথদুনা লৈরিবনি। অদুনা হায়রিবা লমদমশিংসিগী লানফমশিং অয়াম্বদা মখোয় ম্রাম্মা লান্মীশিংনা মায়থীবা ঙাক্তা ওইরম্মী। মরম অসিনা মখোয়না মখোয়গা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা মৈতৈ-কটেশিংগা য়েক্লবসি ফত্রে, চান্নবা/য়ানবা অমা পুরক্লগা কটেশিংসিনা ম্রাম্মাগী লমদা লান তাশিল্লক্তনবগীদমক্তা খুদোংচাবা লৌননবগী তাঞ্জা অমা লৌরিব্রা নত্রগা মৈতৈদি বৃটিশশিংগা অচেৎপা মরুপ ওইদুনা তীন্নখ্রবনি, মখোয়দগী বৃটিশকী অচেৎ- অকোমগী পাউ লৌননবা তৌরক্লিবা থৌরাংলা নত্রগা মনিপুরদা মৈতৈ কটেশিংনা করি তৌরিবা, মখোয়গী লান্মীনা কদায়-কদায়দা লৈরিবা, মশীঙনা কয়া, করম্বা খুৎলাই পায়রিবা অমসুং করম্বা ফিবমদা লৈরিবা অসি খঙদোক্কে হায়দুনা পাউখোল্লোই থারক্লিব্রা অরেপ্পা মওং-মতৌ অমতা খঙবা ঙম্মদে।

১৫১.

অৰা লাইবার মী ১২ অসিগা মনিপুরগী সেনাপতি নরসিংহগা উনদুনা ৱারী শান্নরবদা ঈবুংশীজ সেনাপতিনা লৈঙাক'-থৌদাং মতম খর পুবা ওইবগী অমসুং মৈতৈ নিংথৌনা য়ুমদা লৈতবগী তাঞ্জা থোক্কুনা থবক পায়খৎপা য়াদবনা মরম ওইবনা মতম মতমদুগী ঙম্ন-ঙম্নবা ৱারম অমসুং ৱাফমশিং ঙাংনদুনা অৰা /ম্রাম্মা লাইবারশিং অদু থাদোকখিরম্মী। মরমদি তৌনরিবা মাঙদা থোকখিবা অমসুং মৈতৈগী ফিবমদুদা ফিবম-ফিরেপ তাউবসু খঙহন-উহনবা য়াদবা অমসুং মৈতৈগী লান্মী-লুপকী কাইদোং ফম্মীরেন ওইরিবা কংলাগী লানবনদুদা লৈরিবা মনিপুরগী সিফাই অমসুং লানগী থবক তৌবা ঙম্বসি শুপ্নগী মী ৩৬০(চহুমগা হুম্ফু) রোম খক্তনি। ম্রাম্মাশিংগীদি মৈতৈগীগা পানরুরবদি সমুদ্রগী ঈথক্কু ম্বনি, লান্দি লান্মী-লাল্লোইশিংনা থেংনগদবনি, লাঞ্জিংলেন, লাঞ্জিং-পুরেন্নচিংবা লুচিংবশিংদি লান্মী-লাল্লোইশিংগী মথৌনা হাপকৎপীবা অমসুং লানফমদা লাল্লোইদুবু মথৱাই অচঙবা লান্মী অমা ওইহনবদনি। অদুবু অৰা লাইবারনি হায়রিবশিংদুদি, মথক্তা হায়জখিবদুনি, মনিপুরদা লাঞ্জাবা লাকপা অমসুং মতমদুদা মৈতৈ লান্মীগী ফিবম, ফিরেপ, খোঙথাংনচিংবা য়েংবা লাকপগী মওং-মতৌদা লাকপা ওইরম্মী মরমদি মখোয়না মনিপুর তম্পাক্কী মফম খরদা মখোয়গী লান্মী থাজিল্লক্তুনা চায়খায়না তেঙ্গোল শাদুনা লৈরম্মী।

ম্রাম্মাশিংগী লৌনম-লাংথাকসি ঈবুংশীজ নরসিংহ সেনাপতিনা খঙলবসু খঙলুবা য়াদ্রি, পাঙ্গল থোকপা য়াদবগী মতাং ওইরি, পাৎলিঙৈদদি হয়িংদা ফাওবসু নোঞ্জৌ হায়বদুনি। মরম অদুনা ময়াম্বুং লেঙথোক্লকপা ঙাইদুনা শোয়দা-ঙামদনবগী খোঙজেল য়েংদুনা লৈরম্মী। অসুম্না শকাব্দ ১৭৪৪সিগী থৱান অমসুং লাংবন থা অনি হৌজিনখ্রে, মেরা থা চঙলক্তুনা ৮নি পানবা ঈরাই নুমিৎ (ওক্তোবর থাগী ৪শুবা চয়োনগী ঈরাই নুমিৎ থোকপা) মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহগা ঈংঙা থাদা সীলেট চঙমিন্নখিবা মবাই ঈবুংঙো লংমাইথেম্বা / নোংমাইথেম্বা কৃত্তি, মাকলংদা থুংলরগা ইম্ফালদা পন্থদনা কারক্লগা মহারাজ লেঙথোকরকহৌরে, হায়বগী ঈ-পাউ পুম্নমক ফাওনখিরম্মী।

"মনিপুর লেভী" মিঙ্গৌ কৌরকপা

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা সীলেট সহরগী বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী হেডক্কার্টর্সকী ওফিসতা মফমদুগী অঙম-অথৌ, ওফিসারশিং পুম্নমক উন্নদুনা ঙাংনবা য়াবা, তান্নবা হৌনবা, খন্ন- নৈনবা য়াবা অমদি হায়জ-নোঞ্জফম থোকপা শুনা পাংথোক্লগা বৃটিশকী কম্পনীগী সুপ্রিম কাউন্সিলদুদগী লৌবা য়াবা মতেংশিং পুম্নমক লৌরগা মফমদুদগী বৃটিশকী

আর্মী / মিলিটরী ওফিসার অনি, মমিং ওইনা পল্লবদা কেপ্তেন এফঃজেঃগ্রান্ট অমসুং লেফেটেনেন্ট আরঃবিঃপেম্বর্টন অনিবু বৃটিশ গোভর্নমেন্টনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী ইনষ্ট্রক্তর-কম-কম্মিস্নার(Instructor-cum-commission)ওইনা হাপ্তুনা পীরকপগা লোইনদুনা লেভীগী সিফাই ২২০না খুৎশু-খুৎলাই, নোংমৈ মরু, হীদাক-লাংথক, ফিরোন, চানা-থক্নবা রেসনগী পোৎলম্নচিংবশিং পুরক্লিবদু শেন্নদুনা খৃঃ১৮২৫গী ডিসেম্বর তারিক ৪দগী সীলেট থাদোক্তুনা মনিপুর তম্না লাকখিরম্মী। লম্বীদা অকায়-অতোয়, অপন-অরাক্লচিংবা করিসু য়াওদনা লাকখিবনা মখোয় হায়রিবা ডিসেম্বর থাসিগী তারিক ১৮ নোংমাইজীঙদা মাকলং খুন্দা থুংখিরম্মী। মৈদিংঙুনা মাকলংদা থুংলবগী পাউ অসি মনিপুরগী মায়কৈ মরিমক্তা য়ুমথোঙ য়ৈনা মৈহুম-মোরোক চৎপগুম থুনা-য়াঙনা শন্দোকখিরম্মী। হায়রিবা মৈতৈশিংগী নুংঙাইরবা পাউ অসিনা য়ুমথোঙ য়ৈরম্বদগী চীঙ-পাৎ তুরেন্দা শীঙজন-ঙাথিবা অমসুং লবুক-লমহাঙদা য়েনশাং হৈকপশিংদা খোন্থাং য়ৈরক্লম্মী। মসিনা মনিপুরগী তম্পাক লমদমগী মফম খরদা লৌনম-নমথাক তৌদুনা, হুরান-লাননাগী লাল্লুম তৌননবা গ্রাম্মা ওথোরিটিনা লোন্না থাজিল্লকপা গ্রাম্মা লান্মী লাল্লোইশিংনা পাউ অসি হেক ফংখিবগা খুদক্তা মনিপুরগী তম্পাক অমসুং নোংপোক্কী চীঙলোনশিং লান্থাক্তুনা চৎখ্রগা মতমদুগী মৈতৈ-কবো তম্পাক্তা চেনখিরম্মী। চেনখ্রিবা গ্রাম্মা লান্মীশিং অসিনা শমজোক নিংথৌ,তুমু লাকপা, অসিনচিংবা অৱাগী মীচঙদা লৈবা লুচিংবশিংনা চেল্লকপা গ্রাম্মা লান্মীশিং খোমজিন্দুনা তুমুগী উমং অমদা নৌনা লীংখৎলিবা চেকশিন্না শারবা লানবন অমদা লৈরিবা গ্রাম্মা তেঙ্গোন্দা তীনখিরম্মী।

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা মাকলংদা ডিসেম্বর তারিক ১৮-দা থুংখ্রবসু হেক্তমক কংলা কোনুংলেন্দা চঙলমদে। মফমসিদা ফাইদুনা নুমিৎ ৫(মঙা)নি লৈরগা সীলেটতগী পোৎয়োম পুরকপদা শোথহৌবা সিফাইশিংদু মাকলংদা থুংলবা ঙাইদুনা লৈরম্মী। শোথহৌবশিং অদুনা থুংলরবা মতমদা মখোয়বুসু নোংমা পোথাহল্লগা পুন্না কংলা কোনুংলেন তম্না লাক্লগা ডিসেম্বর থাসিগী তারিক ২৩,ঈরাই নুমিত্তা কোনুংদা থুংলবা নুমিৎ ডিসেম্বর তাং ২৩সিদগী সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা মহারাজ গম্ভীরসিংহগী মমিংদা নত্রগা মহুৎ শিন্দুনা লৈঙাক-লৈকনগী পোৎলুম থাখিরম্মী অমসুং ঈবুংশীজ সেনাপতি নরসিংহনা নিংথৌগী মহুৎ শিন্দুনা লৈপাক পুবসি থা ৫(মঙা) (জুলাই তারিক ২৪দগীনা ডিসেম্বর থাগী তারিক ২৩ ফাওবা)নি।

রাজা গম্ভীরসিংহনা সীলেটতকী অচা-অথক ময়াম পুদুনা মনিপুরদা থুংলরবদা মহাক্কী মমিংদা লীংখৎখিবা লেভীগী সিফাইশিং অমসুং মখোয়গী ওফিসার ৫৪(য়াংখৈমরি)সিনা মনিপুরবু অৱাগী মখুত্তগী হন্দোক্লবা তুম্বা-চাবা থিদনা,উমংদা উকক্তা, উরাদা মোন খাঙদুনা তুন্লক্লবা ৱাজরক্লবশিং অসিবু নোংমতংদি চাক চারা অমা পীজদুনা নুংঙাইহনগে হায়না মাকলংদা ডিসেম্বর ১৮দা থুংলবা নুমিৎসিদগী খল্লকখি। মৈদিংঙুসিনা মৈতৈ কংলাদা লৈঙাক্লিবা সেনাপতি নরসিংহগী মফমদা মহাক্কী পুক্নীঙগী ৱাফমসি ফোংদোক্কুনা সীলেটতগী রসন লৌরুবা লেভীগী সিফাইশিংনা ডিসেম্বর ২২দা থুংলরবদা রসনগী শরুক খর থুনা য়াঙনা নুমিৎসিমক্তদা মনাই থাদুনা য়ৌহল্লগা মহাক্কী লেভীগী অপুনবা [কম্পনী ৪(মরি) কম্পনী ১। ১দা খোঙমী ১২৫ অমসুং ওফিসার ৪না] শাবা সিবু ডিসেম্বর ২৩গী নুমিৎসিদা ভিক্তোরিয়া পল্টন [Victoria Platoon]৪(মরি) হায়না মিংথোন্দুনা চাক খাঙগনি / পীজগনি / কৌগনি, চাক্কী থৌরাং তৌরম্মু, থোং-থাক্তুনা থন্লম্মু হায়না য়াথং পীরক্লম্মী। অদুগা হায়রিবা চাক পীজবসিগা লোইননা নুংঙাইরবা পাউশিং খরসু মৈতৈ লৈপাক্কী মীওই খুদিংমক্তা খঙহন্নবা লাউথোক্কনি, মদুগীদমক্তসু শেম-শারম্মু, হায়নসু পাউ পীরক্লম্মী। মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতিনা ময়াম্বুংগী পুক্নীঙ থুংননবা মায়পুননা থবক পায়খৎখিরম্মী।

খৃঃ ১৮২৫গী ডিসেম্বর তারিক ২৩সিদা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা মাকলংদগী কেপ্তেন এফঃ জেঃ গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট আরঃ বিঃ পেম্বর্টনগা লোইননা লেভীগী সিফাইশিংনা সীলেটতগী পুরকপা পোৎয়াম পুদুনা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলা তম্না লাক্লম্মী। মখোয়না কংলা য়ৌরক্ত্রিঙৈসিদা কংলাগী রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী হেডক্বার্টর্সকী চাকথোংশঙদা মনাউ মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতিনা মিৎয়েং তাদুনা সিফাইশিংগী "বড়াখনা" চাননবা চাক থোঙ্গৎখ্রে। মাকলংদগী লাক্লিবা সিফাইগী লাল্লুপ অদুনা কংলাদা থুংলরদুনা মখোয়গী মপী ওইবা তেঙ্গোলদা তীল্লরে অমসুং মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতিনা ময়াম্বুং মহারাজ খুরুম্বগা লোইননা লেভীদা ডিপুট(Deputes) তৌরক্লিবা বৃটিশ ওফিসার অনিবু তরাম্না ওক্লে। মখোয় ঙাইহাক পোত্থারবা মতুংদা লেভীগী চার্জ,সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা কম্মিস্নার কেপ্তেন এফঃ জেঃ গ্রান্টতা শীন্নফম থোকপদু শীন্নদুনা সেনাপতি নরসিংহগী মশাগী কোকথোং অমসু থারে। মখোয়না মৈতৈ নিংথৌ অমসুং সেনাপতি শীল্লিবা চাকলেন অসি চাদ্রিঙৈগী মমাঙদা লেভীগী সিফাইশিংদু পেরেড গ্রাউন্দা কৌথোকলক্লে অমসুং সিফাইশিংদু পেরেডকী(ফলিল) মওংদা লেঙদুনা লেপ্লরে। মতমদুদা

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ অমসুং সেনাপতি নরসিংহ বৃটিশ ওফিসার অনিগা লোইনদুনা থোক্লক্লে, অদুগা লাম্মী-লাল্লোই সিফাইশিংগী অশোয়-অঙাম, অৱাৎ-অপানচিংবা পুন্নমক য়েংবীরগা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ সিফাইশিংদুদা মহাক্না সীলেটতা চৎলুবদা মায়পাক্লকপগী ঈ-পাউ পুন্নমক্তু তম্লে। অদুগা মখা তানা লেভীগী ওইবা অকক্লবা পাউশিং, ওইগদবা মওং-মতৌশিংনচিংবদু পাউদমদুনা সনা য়াথং তাকপীরক্লম্মী, মদুশিংদুদি:-

(১)"রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী" হায়বা লেভীগী মমিং অসি থাদোক্লগনি অমসুং নুমিত্তুমক্তদগী "মনিপুর লেভী" হায়বা মমিং অসি থোল্লগনি, অমসুং মসিদা খঙনরগনি, বৃটিশশিংগী ওইনদি মহাক্না সীলেটতা লৈরিঙৈদগী খঙনখ্রবনি।

(২) মনিপুর লেভীসিগী হৌজিক খোঙমী ৫০০, শগোল ৪০(৫০ সেঙ্কসন তৌবনি) লৈরিবসিগী মহুত্তা অমসুং মথক্তা খোঙমী ১৫০০ অমসুং শগোল লাম্মী ১৫০ ওইহন্নবগী অয়াবা বৃটিশ ভারতকী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিলনা পীরে। মখোয়গী মশীঙশিং অসি শুননবা অনৌবা সিফাই লৌবগী থবক চথুবা হৌরগনি অমসুং হায়রিবা পাউসি মৈতৈশিংনা খুন্দাবা লমশিং-অসামগী হোজাই, রঙ্গপুর /সিবাসগরনচিংবা, কছারগী লক্ষীমপুর, শিলচরনচিংবা বঙ্গদেশকী সীলেটনচিংবা, ত্রিপুরাগী আগরটলানচিংবা লমশিং য়ৌনা খঙহনবগী মথৌ তাই।

(৩) মনিপুর লেভীগী সিফাইশিংগী তলব, ফিজেৎ, রসন্নচিংবা পুন্নমক বৃটিশকী সুপ্রিম কাউন্সিননা পুগদবনি। হায়রিবশিং য়ৌরক্লগনি, লোইননা নোংমৈনচিংবা খুৎশূ-খুৎলাইশিং, নোংমৈ মরু, নোংমৈ-হীদাক্লচিংবসু বৃটিশনা পীগনি। অদুগা বৃটিশনা পীরিবা মনিপুর লেভীগী পোৎ পুন্নমকসি কছারগী ভুবনচীঙগী নোংচুপকী চীঙখোঙ-চীঙয়াগী মফম ওইনা লৈরিবা, মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা (খৃঃ১৭৬৩-৯৮), মপাঙ্গৈবুংঙোনা শেমগৎপীরম্বা চন্দ্রপুর কৌবা মফমদা নোংমৈশঙ(Arsenal/Magazine)অমা শাদুনা থল্লগা মদুদগী লৌগদবনি [গঃচঃশঃ,৪৫- ৪৬]।

অসিশিংসিনি। হায়রিবা পাউসি তাবদা মনিপুর লেভীগী সিফাইশিং অদু হরাউবগী ঙমখৈ লৈরমদে। অদুগা মতুং তারকপদা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা বৃটিশ ওফিসার অমসু থোইনা কুইদবা মতমগী মনুংদা থোক্লক্লগদবদুনা কনানো হায়বসি খঙহনখিরম্মী। অসুন্না মনিপুর লেভীগী কম্মিস্নার কেপ্তেন এফঃজেঃ গ্রান্ট, এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার লেফটেনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টন অমসুং মতুংদা থোক্লক্কদবা মনিপুর লেভীগী এডুটেন্ট লেফটেনেন্ট জর্জ গোর্ডোন (খৃঃ ১৮৩৫দগী কেপ্তেন কারক্কনি)গী মশকসু খঙখিরম্মী। অসুন্না নুংঙাইরবা পাউশিংসিগা লোইননা মনিপুর লেভীগী

ভিক্তোরিয়া পল্টন মরি[চৈথাঃ কুমঃ,২০০৫,২২৫]গী সিফাইশিংদু চাকলেন হাউনা চাজবা ফংজখি।

মনিপুর লেভীগী লান্মী-লাল্লোইদা সিফাই অমসুং মখোয়গী ওফিসারশিংগী মশীঙ হেনগৎপা হাপকৎপগী ৱাফমসি মতুং খর কোন্থরগা থা ১ (অমা)গী মতুংদা অহানবা থাক্কী ওইনা খোঙমী ১,০০০(লীশিঙ অমা) শগোল লান্মী ১০০(চাম্মা) অমসুং মখোয় ওফিসার ১১০(খোঙমী১০০, শগোল লান্মীগী ১০)গী মশীঙদা লাকখিগনি। অফং-অফংবা মীওইশিং হাপ্পনি।

কবো-তম্পাক হন্দোকপদা নরসিংহ

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ অমসুং সেনাপতি নরসিংহ অনিসি মমাঙঙৈদগী হৌনা ৱাখল লীচিং অমতগী মীওইশিং ওইবা, করিগুম্বদা খল্লুবা ৱাখলসি চপ মান্নগনবা অমদি ৱাখল পরীং অমতদা পুন্না চেন্থমিন্নরগা নুঙাইমিন্নবা মীশকশিংনি। মখোয় অনিমক্না মনিপুর লেভীগী মপান তাংদুনা মনিপুরগী নিংথৌ অমসুং সেনাপতি ওইরবা মতমসিদা মমাঙঙৈদা মবুধৌ ক্যাম্ব (খৃঃ১৪৬৭-১৫০৮)গী সনা হাক্তক্তগী মনিপুরগী মৈতৈগী লম ওইদুনা লৈরম্বা মৈতৈ কবো তম্পাক (Kase-Shan or Kabo valley of the Kate)অসি মৈদিংঙু মার্জিৎনা নিংথৌ ফম্বাল পাম্মনবদগী ম্রান্মাশিংদা পীথোক্তুনা মখোয় ম্রান্মাগী ওইখিবা, নিংথি তুরেনগী নোংচুপ থংবা তম্পাক (Western basin of the river Ningthi or Khwendwen/Chindwin)অসি হন্দক্কী চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মনিপুরদগী ম্রান্মাশিং তান্থোকপগী থবকসিদা মসিদগী ম্রান্মাশিং তান্থোখিবা অসিসু য়াওহৌদবা য়াদে নত্রগা ঈনৌ নৌনা অমুক হন্না জয় তৌদবা য়াদে হায়বসি মচীন-মনাউ অনিমকসি মাগী মাগী ৱাখল ওইনা পুন্না খনমিন্নরম্মী অমসুং ৱাফমসি মখোয় অনিনা অমগা অমগা ফোংদোক্ন রক্লবা মতমদা খঙনরক্লম্মী। অদুবু খৃঃ১৮২৫গী ডিসেম্বরগী মতম অদুৱ ইদদি মনিপুর তম্পাক্কী থৌবাল লমদমগী লমজাও অমদুদা মী ৪০০০। ৫০০০ রোমখক্তং লৈবা থেংনরদু নত্তনা অতৈ লমদম অয়াম্বদি মী তাদবা লমহাং ওইনা লৈরম্মী, মরমদি চহি তরেৎ চুপ্পা খুন্তাকপদুদগী ময়ুম-ঈংখোল থাদোক্তুনা চেনখিবা মৈতৈমচাশিংদু লান হাঞ্জিন্নরক্তি। মরম অসিনা রাজা গম্ভীরসিংহ মশামক্না মনিপুর লেভীগী অনৌবা হাপকৎকদবা সিফাই মশীঙগী থৌবান্দগী লৌবা য়াবা মী, মশানা সিফাই খন্নীঙবা মীওইশিং খর ফংবা য়াব্রা হায়বা য়েংলুনবা খৃঃ১৮২৫গী ডিসেম্বরগী তাং ২৪ থাঙজা নুমিত্তা থৌবালদা চৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২২৫]।

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ থৌবালদগী মনিপুর লেভীদা সিফাই খনবা য়াবা মীওই ৫০ / ১০০ রোম ফংলম্মী অমসুং খর পুরকপসিনা মতুং নোংমা-নীনিগী মতমদসু মী খর অমুক লাকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরম্মী। অদুগা অমরোমদা অমুক ডিসেম্বর থাসিগী লোয়শিল্লকপগী মতমদদি অনকপা লম / লৈপাক্তা লাঞ্জেল্লুবা মৈতৈ মচা শঙ্গু শঙ্গুসু লান হঞ্জিন্নরকপগী পাউসু ফংলম্মী। রাজা গম্ভীরসিংহনা থৌবালদগী মী খর পুদুনা মনিপুর লেভীগী হেডক্বার্টর্স কংলাদা হল্লক্লগা সেনাপতি নরসিংহগা ৱাখল ফাওদোক্লবদা কবো তম্পাক অমুক হন্না লান্দাদুনা লৌশিনবগী ৱাফমসিদা ৱাখল মান্নরল্লদুনা মচীন-মনাউ অনিসিনা লেভীগী থৌদাং পুরিবা বৃটিশ ওফিসার অনি কেপ্তেন গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট পেম্বর্টনগা পুন্না ফমিন্নদুনা ৱাফমসি তানরে। বৃটিশ ওফিসার অনিদুসু ৱাফমদু অচুম্বনি, লান্দাদুনা লৌশিনবা নত্রবদি শ্রান্মাশিংনা তুংদা অচুম্বা ৱাফমদা য়েৎলকপা য়াই অমসুং মদু য়েৎলক্তনবগীদমক্তা খোঙফমদুদা থাংজিনহৌমসি অচুম্বা ৱাফম্নি, হায়দুনা শৌগৎলকখিরম্মী। অদুগী মখা তারকপা থবক্তুদি হৌজিক্তগী (মতমদুদগী) হৌনা মৈতৈ কবোগী পাউ লৌরগা লান্দাননবগী থৌরাং তৌবা হৌগৎপা য়ারে হায়না লেপ্পখিরম্মী।

ঈরুজনীঙবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা মান্নে, হায়বদুনি: মৈতৈ কবো তম্পাক অমুক হন্না লান্দাদুনা লৌশিন্নবগী ৱাফম খন্নরিঙৈসিদা মৈতৈ কবো তম্পাক্কী পঞ্জীন ওইনা লৈরিবা "তুমু" (Tamu) কংলৈ-মচা অদুদা শ্রান্মা লান্মী খরনা লানবন শাদুনা লৈরে হায়বা পাউসি তারে। হায়রিবা ৱাফমসি লুচিংলেন মরিসিনে লৈপাক্কী অঙম-অথৌ, অকন-অরিং ওইরিবশিংসু য়াওনা তীন্নদুনা তুমুদা অৱা / শ্রান্মনা লানবন অমা শাদুনা লৈরে, মসিদা করি তৌগদবগে, হায়বা ৱারমসিদা খন্ন-নৈনরে। মদুদা ঈবুংশীজ নরসিংহবু লৈপাক্কী সেনাপতি ওইনা থৌদাং লৌদুনা মনিপুর লেভীগী সিফাই খোঙমী ২৫০গা শগোল তোংবা লাল্লোই ২০ খক্কা নৌনা লৌবা ৫০০গা অচোয়বা লাল্লোই অমসুং পোত্থাং-পুবা মীশিংগা পুন্না মীশীঙ ১০০০ (লীশিঙ অমা) শুনবা শেন্নগা মদু পুদুনা তুমুদা চত্তুনা মফমদুদা অনৌবা ওইনা লীংলক্লিবা শ্রান্মাগী লানবনদু থুগায়রুনবগী ৱাফম লেপ্পখিরম্মী। অদুগা লেপ্পরিবদুগী মতুং ইন্না মৈদিংঙুনসু চৎননবগী য়াথংদু অদুম পীরম্মী। মরম অদুনা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা হায়রিবা লান্মী অমসুং পোত্থাং-মীগা পুন্না ১০০০ পুদুনা তুমুগী শ্রান্মাশিংগী লানবন্দা লান্দারুনবা খৃঃ১৮২৬গী জানুৱারী তারিক ১(অমা) ঈরাই নুমিত্তা কংলাদগী খোঙশানখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২২৫]।

তুমুগী ম্রাম্মা লানবন শাখিবা

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা সীলেটতা লেঙশিল্লুরগা খৃঃ১৮২৫গী ডিসেম্বর তাং ১৮দা মাকলং খুন্দা থুংলরে হায়বা পাউ অসি তাবদা মনিপুরসি অমুক হন্না খুদুম চনবা য়াবরা য়েংগে, হায়দুনা অৱাগী অঙম-অথৌ খরনা খুজীন-থৌরাং তৌরগা মনিপুর তম্পাক্তা অরোনবা লান্মী থাজিল্লক্তুনা মৈতৈ তম্পাক্কী মফম খরদা তেঙ্গোল লীংলম্বদগী রাজা গম্ভীরসিংহ থুংলরবদি য়াররোয় হায়দুনা মচোয়-মচোয় ওইনা চেন্নখিবা ম্রাম্মাগী লান্মীশিং অদু মৈতৈ কবো অমসুং অৱা কবো(Mirap Shan)গী, লমদমশিংদা কোয়চায় চায়দুনা লৈরম্মী। মখোয়সি মলেস-ম্রাম্মা লান(Anglo-Burmese War)দুগী এক্সিয়েল ফোঁস (Axial Force) অদুগা শম্নবা অমসুং লাল্লোইনবগী ৱাফমসু উবা ফংদে, আরাকান অমদি ইরাবতী তম্পাক(Irrawaddi basin/Valley)শিংদা শোক্লরিবা মলেস-ম্রাম্মাগী লানফমশিংদুদা চঙলুবা নত্রগা য়াওরুবা মীওইশিংগী লমজিং মখাদা চৎপসু য়াওবা মান্দে। হায়রিবা ম্রাম্মা মচাশিংসি তুমু নিংথৌ অমসুং মহাক্কী মখাদা লৈবা খুল্লাকপশিংনা খোমজিন্দুনা মখোয়গী লৈজরিবা কবো লান্মীশিং খরগা পুনশিন্দুনা লান্মী লাল্লোই ১২০০।১৩০০ শুহল্লগা তুমুগী অশুকপা উমং অমগী ময়ায়দা নুঙ, উ, ৱানচিংবনা পল্লোন নাইনা খারগা অকোয়বদা চীঙশু-উ (Teak)গী য়ুন্বী উয়ুংনা কোয়না য়ুংলগা চেকশিল্লবা লানবন অমা শারগা তেঙ্গোল লীংদুনা লৈরম্মী।

সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা কবো তম্পাক্তা লান্দানবা লাক্কদৌরে হায়বা পাউসি মনিপুর তম্পাক্তগী পীরক্লবদা,খৃঃ১৮২৫গী জুন তারিক ১০দা কছারদগী লাক্তুনা মনিপুরদা ম্রাম্মা তাম্হোক্লবা লাঞ্জঙলকপদা নুমিৎসিমক্তা অহানবা মৈতৈ-ম্রাম্মা লাম্হেংননবগী নুংঙা চীঙমী খুন্দা ঈবুংশীজ নরসিংহনা লান্দারকপদা মায়থীদুনা লানবন / তেঙ্গোল থাদোক্তুনা চেনখিবা নুংঙাখুনগী তেঙ্গোল পুরন্বা শমজোক নিংথৌ (শোইমাওলা)না শমজোক (Thuangdut)অমসুং মৈতৈ অমদি অৱা কবোগী লমদমশিংদা অৱা / ম্রাম্মা নিংথৌ বাগ্যি-ডোআগী মমিংদা ম্রাম্মা লান্মী খোল্লম্মী [গঃচঃশঃ, ৪৫]। অসুম্না মহাক্না খোল্লবা লান্মীশিংদু লাল্লোই মশীঙ ৭০০(চাতরেৎ) খর হেল্লম্মী অমসুং হায়রিবসি কবো মীওইশিং নত্রগা লান্মীশিং ঙাক্তনি। অদুগা মখোয় ৭০০(চাতরেৎ)লোম খর হেনবদুসু তুমুদা শারিবা লানবন অসিদা চঙখিদুনা তীন্নখিরম্মী অমসুং সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহগী লান্দা খোঙজঙসিবু থিংননবা শেম-শাদুনা লৈখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৪৪]।

ঈবুংশীজ সেনাপতি নরসিংহনসু তুমুগী লানবনদা শমজোক নিংথৌগী লাম্মীশিংনা থোমজিনখিবা অমসুং মশেন তীন্নখিবগী ঈ-পাউসি ফংলম্মী। অদুগা তুমুগী লানবনসিগী ঈ-পাউ লৌবা অমসুং মদুদা লৈরিবা লাম্মী লাল্লোইগী মশীঙগী পাউ লৌবদা তুমুদা লৈরিবা লাল্লোই মশীঙসি ২০০০(লীশীঙ অনি)দগী হেনবনি, হায়বসি খঙলে। অদুগা অমুক কুপথনা পাউ লৌবদা তুমুগী লাল্লোইশিং অদুগী মনুংদা পোর্টুগীজ, ফ্রেঞ্চ, ডটচ(Dutch), স্পেনীজনচিংবা য়ুরোপীয়ান জাতিশিংগী শা-লানগী, লান্দা-লানকনগীনচিংবগী হিরমশিংগী ট্রেনিং নীঙথিনা পীরবা গ্রাম্মাগী অখন্নবা লাল্লোই ৭৮০ অমসুং মখোয়সিগী খোঙলোই-লাল্লোইনরবা কবো অমসুং অৱাগী লাম্মী লাল্লোই ১,৩০০ লোম, পুন্না লাল্লোই ২,০৮০(লীশিঙ অনিগা মরিফু) চপ চানা খুদক্তা হেক্তমক লাম্থেংনবা য়াবগী ফিবম-ফিরেপ্তা খুৎলাই পায়দুনা লানবন মনুংগী অকোয়বদা লেপ্লুনা লাঞ্জাদুনা লৈ-হায়বা অকুপ্পা পাউসি ফংলম্মী। মদু পুম্নমক্কু য়েংলকপদা গ্রাম্মা লাম্মীনা লাম্মী মশীঙদসু তংখায় অমা হেনখ্রে। মরম অসিনা ফিবম অসিদা মফম মরাং খঙদনা লান্দানবনি, হায়দুনা হেক্তমক চঙশিল্লুবদি অফবা ওইরোয়, মৈতৈ সিফাইশিংগী খুদোং থীনীঙঙাই লৈ, মরমদি লমদুগী ঈশিং-নুংশিত্তা মশা উইবা মখোয়না হেল্লি, লানবন লৈরিবা উমংদুগী লম্মিৎ-তুমিৎ, লৈপুৎ-কোপুৎনচিংবা খঙবদসু য়েক্লবা ওইরিবা মখোয়না হেল্লি, হায়বা শা-লানগী লাল্লম-লাম্থোঙ শীনবগী মহৈ-মশিঙগী মায়কৈসিদা মিৎয়েং থমদুনা লাম্মী-লাল্লোইশিং অমসুং সিফাইশিংদু মিৎশিঙ-নাশিঙনা থুপ্তুনা লৈননবা পাউতাক পীরগা মৈতৈ' স্নাকোনুংদা ৱাফমশিংদু পাউদমদুনা হঙ্গৎলগা অহেনবা লাম্মী থাজীনবীরক্লবা শগোল পাউ থাখিরম্মী। অদুগা লাম্মীগী ফিবম শেন-দা-ঙামদনবা শেন্নদুনা লাঞ্জা-লাল্লুমদুনা কোনুংলোমদগী অনৌবা লাম্মী থাজিল্লকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী।

শমজোক লৌশিনবদা নরসিংহগী শক্তম

শমজোক, মৈদিংঙু খাগেম্ব হাক্তক্তা(খৃঃ১৫৯৭-১৬৫২)গী মৈতৈগা চায়নদুনতা লাকপনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজগী হাক্তক(খৃঃ১৭০৯-৪৮)তা মরু ফংনা নৈখায়দুনা লৌখিবা নিংথি তুরেনগী ওয় থংবা (নোংপোক থংবা) তোবর্বান লোমদা তাবা, অৱা কবো(Mirap Shan)গী নোংচুপ লমখৈদা লৈবা কংলৈ মচা অমনি। মফমসিদা সেনাপতি নরসিংহনা মহাক্কী অকক্লবা মথৌ ওইনা খৃঃ১৮২৬গী জানুৱারী তারিক ১৮দা তুমুদগী লান্দানবা চৎলগদৌবনি।

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা সেনাপতিগী শগোল-পাউ লাক্লিবদুগী পাউসি ফংবগা কেপ্তেন এফঃ জেঃ গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট আরঃবিঃ পেম্বর্টনগা লোইননা লেমহৌরিবা মনিপুর লেভীগী সিফাইশিং অরিবা অমসুং অনৌবা পুম্নমক পুদুনা থীন্থদা খোঙশাল্লক্লম্মী। মখোয়না তুমু য়ৌরক্তুনা সেনাপতি নরসিংহ অমসুং মহাক্কী তেঙ্গোনগা তুমু কৈথৈলগী মনাক্তা থেংনরগা লান্মী অনিদু পুনশিন্নদুনা অপুনবা তেঙ্গোন ওইদুনা পুন্না লাকমিন্নরম্মী। অপুনবা মৈতৈগী তেঙ্গোলসি ম্রান্মাশিংগী তুমু লানবন লৈরিবা উমংদুদা খৃঃ ১৮২৬সিগী জানুৱারী তারিক ১৮দা থুংলম্মী। মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা সাহেব অনিদুগা লোইননা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহ সেনাপতিগী মফমদগী তুমু লানবন অদুগী মরমদা খঙবা য়াবা মখৈ খঙলগা লানবন অসি লৌশিনবসি নুমিৎ খরনীদি চঙখিগদৌরি, হায়বা ৱাফম থম্লক্লম্মী। মতমদুদা কেপঃগ্রান্টনা লানবন অসিগী চেকশিন্না শারিবা মওং-মতৌ অসিদা মিৎয়েং থম্লগা মসি তোপ (Cannon)য়াওদ্রবদি থুগায়বা ঙমলোয় হায়না খনবদা নত্তনা মচীনমক থোক্লা হায়রম্মী। অদুবু মদুদা রাজা গম্ভীরসিংহনা থুগায়গনি, হায়না থাজবা পীরম্মী। অদুনা তুমুগী লানবন থুগায়বা অমসুং লৌশিনবগী থৌদাংসি রাজা গম্ভীরসিংহনা বৃটিশ ওফিসার অনিদুগা লোইননা মহাক লৌহৌরগে হায়রম্মী, মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি নরসিংহবু লেভীগী সিফাই ৩০০ পুদুনা শমজোম লান্দারু হায়না য়াথং পীরম্মী।

সেনাপতি নরসিংহনা স্নায়াথং ফংবগা মনিপুর লেভীগী মখুৎ চারবা সিফাইশিংদুদগী ৩০০খম পুরগা হায়রিবা জানুৱারীগী তারিক ১৮গী নুমিৎসিদা তুমুদগী অৱাং-নোংপোক পাংনা চৎখৎখিদুনা নিংথি তুরেনগী তোবর্বান য়ৌখিরম্মী। মফমদুদগী থাসিগী তাং ২০দা হি ৱাইদুনা নিংথি তুরেন লাল্লগা তুরেনসিগী নোংপোক্লোমদা লৈবা অৱা কবো নত্রগা মিরাপ শান(Mirap Shan)গী নোংচুপ লমখৈগী পন্থোঙদা লৈবা শমজোক্কী লানবন অমসুং শমজোক নিংথৌ শোইমাওলাগী কোনুং-লানবনসিদা লান্দাখিরম্মী। নুমিৎ অহুমনি চুপ্পা লান থেংনরবা মতুংদা জানুৱারী থাসিগী তারিক ২৩দা লানবনসি থুগায়খিরম্মী। হায়রিবা শমজোক্কী লানবন অসি থুগায়বদা শমজোক নিংথৌ শোইমাওলা(খৃঃ১৮২৫গী জুন ১০দা নুংঙাখুন্দগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবা মশামক),ককাংকা কৌবা খমপাৎৱূন(Commissioner/King of Khampat),কলে নিংথৌ(King of Kale or present Kalewa)অমসুং পোইয়োং অথৌবা, মখোয় ৪(মরি) অসিনচিংবা লানফা। মী ৩০ ফারম্মী [চৈথাঃ কুমঃ,২০০৫,২২৫]। অদুগা লানখোমপোৎ (Warbooty)ওইনা

নোংমৈ কামার(Musket),খুদোং মরু(Bullet of crude rifle)শিং, চৈঙ্গ(Big rice receptacle), ফৌঙে(Big paddy receptacle), ঙাকৈ(Big fishes containers), থুমগৈ(Big salt containers), ফি-রোন, সনা, লুপা, কোল-লীক (Utensils), য়োৎ-থাঙ(Iron implements)নচিংবা পুরকখি [মথক্কীসিদা, ২২৫]। অদুগা লানবনসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লমদমশিং, হায়বদি শমজোক্কী লমখৈ মনুংদা লান্দারুবদা অৱা /ব্রাম্মা অমসুং কবো / শানশিংনা ফাদুনা নত্রগা মনিপুরদগী খুন্তাকপদা ফাদুনা পুখ্রগা মখোয়গী মীনাই ওইহন্দুনা থম্লম্বা মৈতে মচা ৩০০(চহুম) রোমদগী হেনবসু মীনাই য়োৎহিং ককথত্তুনা মনীঙ তম্বা মৈতৈ ওইহনখিরম্মী [গঃচঃশঃ,X,৪৮]।

তুমু লানবন থুগায়বা

ব্রাম্মাশিংগী চেকশিন্না শারবা তুমু লানবনসি থুগায়বগী থৌদাংশি মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি নরসিংহদগী রাজা গম্ভীরসিংহনা লৌহৌরে। কেপ্তেন গ্রান্টতি কুম্মৈ য়েংবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈরমদে। মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা লানবন থুগায়নবা থুংলুবা নুমিৎ জানুৱারীগী তারিক ১৮(তরানিপান)অসিগী নুংদাংৱারমমক্তদগী লাম্হোঙ শীল্লে। মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহ সেনাপতিনা পুখিবা লাম্মী ৩০০ অদুদগী লেমহৌরিবা মনিপুর লেভীগী সিফাইশিংদুদগী অরিবা সিফাই ৫০ / ৫০ অনৌবা সিফাই ১০০ / ১০০,সুবেদার ৩(অহুম) অমদি জমান্দর১(অমা)দা সিফাই পুন্না ১৫০ / ১৫০ পীদুনা তুমু লানবন্দুগী অকোয়বা মায়কৈ মরিমক্তা মনাক্তা থোইনা নকশিন্দনা মৈতৈ সিফাই লৈবনা ব্রাম্মা অমসুং কবো লাম্মীনা থোক্লকপা অমসুং লানবনগী মপান্দা লেপ্লবদি য়ারোয়দৌবা মফমদা লৈহন্দুনা তুমু লানবনদু পুমকোয় কোয়শিন্দুনা থম্লে। লেমহৌরিবা মৈতৈ সিফাই ৫০০ / রোমনা রিজার্ভ(Reserve)ওইনা মৈদিংঙু নাক্তা য়াথং ঙাইদুনা লৈহল্লে অমসুং লান্চাক থৌরাং তৌহল্লে। অসুম্না জানুৱারীগী তারিক ১৮(তরানিপান) অমসুং ১৯(তরামপন)সি কোয়শিন্দুনা থম্লবা মতুং তাং ২০(কুন)দগীদি মৈতৈগী সিফাই ৬০০(চাতরুক) লানবনগী অকোয়বদা লৈরিবশিংদু মশা লোৎশিল্লগা য়েক্লবনা নোংমৈ কাপ্লকপদা শোক্ত-পন্দনবা শাজেন তৌরগা লানবন লৈবা মায়কৈরোমদা নোংমগী খাজিক / খজিক্তং ওইনা নকশিল্লকপগী অতপ্পা খোঙথাং লৌখৎহল্লম্মী।

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা শীল্লিবা লাম্হোঙ অমসুং চঙশিল্লিবা লাঞ্জওসি মবুধৌ ঈবুংঙো মৈদিংঙু গরিবনাৱাজ মহারাজনা খৃঃ১৭১৮দা শমজোক লান্দাবদা শীজিন্নখিবা লানওংদুনি। মসিগী পান্দমদি লৈরিবা লানবন্দুগী মনুংদা চানা-থক্লবা চেঙ-চাক, য়েনশং-নাপী অমসুং ঈশিং ফংহন্দবনি। অসুম্না কোয়শিন্দুনা লানবন মনুংগী লাম্মীশিং অদুবু মপান থোক্লকপা য়াহনদবনা চানবা চীঞ্জাক লোয়খিবা অমসুং থক্লবা ঈশিং লৈরক্তবা মতম অমসুং মখোয়না লানবন মপান্দগী পোৎলম অমতা পুশিনবা য়ারক্রবা, চাবা থকপা ফংলক্রবা মতমদুদা য়েক্লবশিংদুনা মশা মতোমতা চঙজরক্লবগী থৌশীল-থৌরাংনি। অসুম্না পান্দমদুনা রাজা গম্ভীরসিংহগী খুজীল থৌরাং মখাদা নুমিৎ নিনি চুপ্পা তুমু লানবসি কোয়শিন্দুনা থল্লবদা মপান থোক্লকপা য়াদ্রবা ম্রান্মা অমসুং কবো লাম্মীশিংদুনা জানুৱারী থাসিগী তারিক ২০(কুন) অমসুং ২১(কুনমাথোই)গী নিনিদু অয়ুক নুংথিল অমসুং নুমিদাং খাক্তনা লানবনা মনুংদগী মপাল্লোমদা নোংমৈ অমসুং তোপশিং লেপ্তুনা কাপথোক্লক্তুনা মখোয়বু কোয়শিল্লিবা মৈতৈ-কটে সিফাইশিংবু তাম্হোক্লবা ঙমজবা মখৈ কন্না হোৎনরম্মী। অদুবু মৈতৈশিংনা পুম্নমক্তু মাঙজৌননা খন্দুনা মশা ঙাকথোক্লবা ফিবম পুম্নমক হানননা শেম-শাদুনা লৈখিবনা ম্রান্মা লাম্মীশিংনা হোৎনরিবা পুম্নমক্তু অরেম্বদা তাখিরম্মী। অদুগা হায়রিবা জানুৱারী তারিক ২১(কুনমাথোই)গী নুংদাংদদি পাম্বে লৈত্রবা ম্রান্মা লাম্মী-লাল্লোই খরদি মখোয়গী লানবন্দুগী মপান্দা থোক্লক্তুনা মৈতৈ সিফাইশিংগা অরোয়বী থাদুনা চাং য়েংনখি। অদুবু হকথেংননা খুৎনা ফংনা য়ান্নবগী লানফম অমসুং লানওংদদি মখোয়না মৈতৈবু খক লাকচবা ঙমদবনা মখোয় ম্রান্মাগী মী খর শিরগা লানবন মনুংদা চেনখিদুনা তোকখিরম্মী। হায়রিবা মতাং অসি য়ৌরকপদদি ম্রান্মা অমসুং কবো লাম্মীশিং অদুনা চেনহৌবা নত্তননি থৱাই হিংলরোয় হায়বসি খঙলকখিরম্মী। মরম অসিনা জানুৱারী থাসিগী তারিক ২২(কুননিথোই)গী নুমিৎ, অয়ুক অমসুং নুংথিলগী মতমশিংদু নোংমৈ মপাল্লোমদা কাপথোক্লকপা লেপ্তুনা লানবন মনুংদা লাল্লুমদুনা লৈবগী মওং মানহন্নবা শেম-শাদুনা লৈরম্মী। অদুগা মখোয়দি অয়ুক-নুংথিলদুদগী হৌনা খর খর মচীৎ- মচীৎ ওইনা মৈতৈ সিফাইশিংনা উরোয়-খঙলরোয়দবা তাঞ্জা য়েংদুনা লানবন থাদোক্তুনা চেন্নবা হৌখিরম্মী। মরম অসিনা নুমিৎসিগী নুমিদাংগী পুং ১০(তরা) রোম তাবগী মতমদদি লানবন অদু পুমহাঙ হাঙলম্মী [মথক্কীসিদা,৫১ অমসুং লঃচঃসঃ,১৯৭০,২৫]। অদুবু হায়রিবা তুমুগী লানবনসি মনিপুর লেভীগী সিফাইশিংনা জানুৱারীগী তাং ২৩(কুনহুমদোই)দা মী লৈত্রে খঙলদুনা তঙতানা লৌশিন্নবা চঙলুবদা মী

লৈত্রবা লনবন মনুংদুদা তোপ মচা ৪(মরি), নোংমৈ-অরৈবী / জিঞ্জাল (Jingal=Large Chinese/Indian swivel musket) খরনে অমসুং চেঙ, মনিপুর লেভীগী মী ১০০০(লীশীঙ অমা) রোদুগী থা অনিরোম চাবা কোন্নগদবগী চাংদা ফংখিরম্মী। অসুম্না তুমু লানবনসি লৌশিনখি। অদুগা তুমুগী লানবন থুগায়নবগী লাঞ্জঙগী লানফম অসিদা মনিপুর লেভীগী সিফাই ৬ (তরুক)খক শিখি অমসুং অতোপ্পা সিফাই ৫(মঙা)না খর শোকখিরম্মী [গঃচঃসঃ,X,৫১]।

নিংথি মপান্দা ফিরান য়ুংবা

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা তুমুগী লানবন লৌশিল্লবা অমসুং সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা শমজোক লৌশিনবগী পাউ য়ৌরক্লবা মতুংদা মখা তাবা থবক চত্থগদবা থৌরম পরেংগী মায়কৈদা মিৎয়েং থমদুনা সেনাপতি নরসিংহ উনবা অমসুং মহাক্কী তুমু থাদোক্তুনা চৎখ্রিবা লান্মী তেঙ্গোগা পুনশিন্নবা পাল্লম্মী। মরম অসিনা মৈদিংঙুসিনা তুমুদা নুমিৎ ৬(তরুক)নী লৈথদুনা ম্রাম্মাশিংগী ঈরাং য়েংলবা মতুংদা মৈতৈ লান্মী তেঙ্গোন পুদুনা অৱাং- নোংপোক্লোমদা হাইগৎলক্তুনা লাক্লগা নিংথি তুরেন লাল্লক্তুনা খৃঃ১৮২৬সিগী ফেব্রুৱারীগী তারিক ১(অমা)দা শমজোকতা থুংলখি [মথক্কীসিদা,৫২]। মৈতৈগী মপুঙ ওইবা তেঙ্গোন, খোঙমী সিফাইশিং অমসুং শগোল তোংবা সিফাইশিং পুননা লান্মী-লাল্লোই ১,০০০(লীশীঙ অমা) হেনবনা নিংথি তুরেনগী ৱাংমা ম্রাম্মাগী লমদা থুংলরবসিদদি তৌশীন্নদুনা, করিসু তৌজদবা-খঙজদবা শাদুনা লোৎলম্বা অমসুং লৈরম্বা ম্রাম্মাগী লান্মীশিং পুম্নমক কায়দুনা চেন্নখিরম্মী অমসুং মখোয়দা নত্তনা খুনবান- লৈপান্দুনা লৈরম্বা খুঞ্জা-খুন্নাইচাশিংসু মখুন-মরৈ থাদোক্তুনা চেন্নখিরম্মী [মথক্কীসিদা,৫২]। হায়রিবা মখোয়সিগী লানফা অমসুং মীনাই ওইহন্দুনা থল্লম্বা মৈতৈ মচা ১০০০(লীশীঙ অমা) হেনবুসু কনখি, অদুগা য়ুমকায়-লৈকায়বগী ৱাথোক-লানথোকশিংসিদা মখোয়না লোইরম্বদগী মৈতৈ লান্মীনা ফাদুনা য়ুমশা,শন, ইরোইনচিংবা ১,৫০০(লীশীঙ অমা চামঙা) রোমসু লানখোমপোৎ(War booty)ওইনা ফংলম্মী। অদুবু মৈতৈনা, অৱা /ম্রাম্মাশিংনা লানফা ওইনা ফারগা মীনাই ওইহল্লম্বা মী ১০০০ / ২০০০ খক হন্দোকপসিদি মৈতৈগী মীশীঙদা মাঙজখিবসিগী ৱাফমদদি করিসু ওইবা ৱাফম নত্তে, মরমদি ম্রাম্মাশিংসিনা লানফা ওইদুনা চহি তরেৎ খুন্তাকপা হৌরকখিবদগী ফাদুনা পুখ্রিবশিং - (১) খৃঃ১৮১৯গী নবেম্বর থাদা পাখনৱোন / পাগান ৱূন(Pagan/Pugan-woon or the Commissioner of

Pagan)না লাখা / লাক্ষ ৩(অহুম),(২) খৃঃ১৮২০গী নবেম্বর থাদা কানেউন /কলে-ৱূন(Kale-woon)অমসুং পাখানউন্না লাখ ৩(অহুম) পুশিনখিবা[চৈথঃকুমঃ,২০০৫,২১৬,২১৮],অসিনচিংবগী মীওইশিংদুগী লীখুন নীঙথিনা খঙবা ঙমদে। হায়রিবশিংসিগী লীখুন খঙবা য়াবা মীশক্তি, খৃঃ১৮২০দা হেরাচন্দ্রবু হাৎলগা মনিপুরগী নিংথৌ ওইগনি হায়দুনা থা ২(অনি) রোমখক নিংথৌ ওইরম্বা,ময়াম্বুং হাৎহল্লগা নিংথৌ চহি অহুমলোমখক ওইরম্বা মধুচন্দ্র(খৃঃ১৮০০-০৩)গী মচানুপা য়ুমজাও তাবা[পীতম্বর সিংহ(খৃঃ১৮২০)]নি,মরমদি মহাক মরম অসিদা (খৃঃ১৮২৬তা) অৱা নিংথৌ বাগ্যডো- আনা লীংখৎপা অৱা লান্মীগী মৈতৈ-শগোল তোংবা লান্মীগী শগোল মকোক ওইরি[N.I.S.,1976]।

গ্রাম্মা লৈপাকলোম থংবা নিংথি তুরেনগী ঈশিং চাবা তম্পাকলম (Eastern Chindwin basin)দু চায়খায়রবা মতুংদা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি নরসিংহগা মৈতৈ লৈপাক মনিপুরগী নোংপোক্কী লমখৈগী ঙমখৈ য়াৎলম্নবা ৱা তান্নরম্মী। মৈদিংঙুসিনা ময়াম্বুং ঈবুংঙো চৌরজিৎ (খৃঃ১৮০৩-১৩),নিংথেমতোন মহারাজনা- “অৱা হাৎপদা শীজিন্নরকউ অমসুং মখোয় হাৎপগী ঈ অদু নিংথি তুরেন্দা চামলকউ”- হায়না পীনরকখিবা “বজ্রসিংহ” হায়না কৌবা থাঙশাং(Sword)অদু পুথোক্তুনা মহাক্কা ময়াম্বুংগী মফমদা শোয়দনা পাংথোক্লক্কনি হায়বা ৱাফম হঙ্গৎলম্বগী ৱা হৌদোক্লম্মী। অদুগা হায়রিবা ৱাফমশিংসি পাংথোক্লবগী থৌরাং শেম-শানবা খঙহল্লকপদা সেনাপতি নরসিংহনা থৌরাংশিংদু খুদক্তা শেম-শাদুনা হঙ্গৎলবদা-মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ শমজোক [Thaungdut or Hswanghsup-24.43^{0} N, & 94.42^{0}E]কী নিংথি তুরেনগী ঈশিং খোংবান্দা কুমথদুনা গ্রাম্মা মঙক ককপগী তৈরিবা ঈদু চামখিরম্মী। অদুগা তুরেন খোংনুংগী ঈশিং খোংবান্দুদগী কাখৎলক্লগা মনিপুর লেভী(অশেংবদি রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী)না, শেম্বা, বৃটিশকী মরুপ ওইনবগী বৃটিশ ক্রাউনসু লাইয়েকসিগী মরক্তা খুদম অমা ওইনা হাপ্পা মৈতৈ জাতিগী নত্রগা মনিপুরগী নীঙতম' ফিরান অদু মনাউ ঈবুংঙোদগী সনা খুৎনা লৌরগা মফমদুগী নিংথি তুরেনগী তোবর্বান্দুদা য়ুংখিরম্মী। অদুগা ফিরান্দুগী মনাক্তা লেপ্লদুনা “নিংথি তুরেন মপানগী লম / মফমদু ফাওবসি মৈতৈ-কটেশিংনা মমাঙঙৈ লৈরম্বদগী মাঙলুরবদু অমুক হন্না জয় তৌদুনা লৌশিল্লবা মনিপুরগী লমনি”-হায়না শেনবী কবো মচাশিং, ময়ুম গ্রাম্মা মীপুম তিংনা তাননবা অমদি পোইরৈ লমলেন মচাশিং পুম্নমক্না খঙহৌনবা লাউথোকখিরম্মী। অসুম্না মৈদিংঙু চীঙলেন-নোংদ্রেন-খোম্বা গম্ভীরসিংহনা মনিপুর লেভীগী মমাঙদা বৃটিশ

ওফিসার অনি-কেপ্তেন এফঃজেঃগ্রান্ট অমসুং লেফটেন্টে আরঃবিঃ পেম্বর্টন অনিগী মিৎমাঙদা শমজোক্কী নিংথি তুরেন মপান্দা মৈতৈগী জাতিগী ফিরান য়ুংদুনা তুরেনসিগী নাকল অনিকমসিগী লমদমশিং লোই চল্লম্লগা মনিপুরদা হল্লকখিরম্মী [চৈথঃকুমঃ,২০০৫,২২৫]।

চন্দ্রকীর্ত্তিবু নিংথৌ-ফম্বালদা থাঙ্গৎপদা নরসিংহ সেনাপতিনা উৎখিবা শক্তম

মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা, রাজা গম্ভীরসিংহনা নিংথৌ ওইদুনা অমসুং মৈদিংঙুচা / ঈবুংশীজ নরসিংহনা সেনাপতি ওইদুনা পাল্লক্লবদা খৃঃ১৮২৭কী জুন থাগী অনিশুবা চয়োনগী নিংথৌকাবা [(শক ১৭৪৯গী কালেন ২৬(কুনতরুক)নি পানবা) নুমিত্তা মাইস্নামচনু কুমুদিনী অপানবীনা মৈদিংঙুগী মচাঈবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন পোকখিরম্মী [মথক্কীসিদা,২২৯]। অদুগা হায়রিবী অপানবী(Superior queen)অসিনা খৃঃ১৮৩০দা মহারানী লংমাইথেমচনু নোঙ্গাখিদুনা মহারানী চহিসিদগী ওইরবদা [মথক্কীসিদা,২৩৯-৪০] খৃঃ১৮৩২গী নবেম্বরগী অরোয়বা চয়োনগী লৈপাকপোকপা তাবা নুমিৎ (শক ১৭৫৪গী হিয়াঙ্গেগী ১৩[(তরাহুমদোনি পানবা নুমিৎ)]তা মচাঈবুংঙো সনাহল(চন্দ্রকীর্ত্তি) পোকখিরম্মী। মজাঈবুংঙোসি মৈদিংঙুসিনা মশাগী চহি য়াম্না লৈশিল্লবা (চহি ৪৪-৪৫দা) পোকপনিনা য়াম্না নুংশিনা তৌজে অমসুং মৈদিংঙুসিনা থুপখ্রগা মজাঈবুংঙোসিনা মৈতৈ নিংথৌ ওইবা ফংলোয়দ্রা হায়না য়াম্না পাখৎচৈ। মরম অসিনা মৈদিংঙুসিনা মচাঈবুংঙোগীদমক্তা কেপ্তেন গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট পেম্বর্টন ফাওবদা ৱাচৎ-ৱানোম তৌরম্মী। হায়রিবসিগী লমদাংদা পীবীরম্লিবদি:-

.......মনিপুরদদি নিংথৌগী মচা অহনতনা নিংথৌ ওইগদবনি হায়বগী চৎনবী অসি লৈরমদবনা মহাক্কী (গম্ভীরসিংহগী) মতুংদা নিংথৌ ওইহৌগদবা নুপা অদু খনবসি য়াম্না লুনা থোক্লম্মী। খুদোংথিবা ময়াম অসি লৈবনা মহাক্না শিগদবা চহি খরগী মমাং খৃঃ১৮৩১(১৮৩২)দা মহাকমক্না পোকচবা মজাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু মহাক্কী মতুংদা মনিপুরগী নিংথৌ ওইগদবা নুপা ওইনা খঞ্জগদবা ফাওবদা ইচং থৌবা ঙম্লমদে। মরম অসিনা গম্ভীর সিংহনা শিরবা মতুংদা মহাক্কী অচানবা সেনাপতি মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহনা মনিপুরগী নিংথৌ শোয়দনা ওইবা তারবনি। অদুবু গম্ভীরসিংহগী পুক্লিং খংলবা নরসিংহনদি চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু মথংগী মনিপুরগী নিংথৌ ওইনা খনবা পাম্লম্মী। অদুম ওইনমক গম্ভীরসিংহনা লায়না লৌথোকপা য়াদ্রবা ময়াম্মুংশিংনা পোকপা

মজাঙ্গীবুংঙো ত্রিভুবনজিৎ সিংহ, যোগেন্দ্রজিৎ সিংহ অমদি জয়বীর সিংহগী ৱাফমশিংসু লৈরম্মী। মরম অদুনা মহাক্না মহাক্কী দরবারদা লৈরম্বা অঙম-অথৌশিং অমসুং বৃটিশ ওফিসারশিং-মরু ওইনা গ্রান্ট অমসুং পেম্বর্টনবু করি তৌগদবগে পাউতাক পীয়ু হায়না হায়রম্মী। মতাং অসিদগী মনিপুরগী ইমুং-মনুংগী রাজনিতীদা বৃটিশনা খুৎ থিংজিনবা হৌখ্রে [লঃচঃসঃ,১৯৭০,৫১]।

অসিনি। অদুবু পীরিবা কম্মেন্টসিদা, "মনিপুরদদি নিংথৌগী মচা অহন্তনা নিংথৌ ওইগদবনি হায়বা চৎনবী অসি লৈরমদবনা" হায়রিবসি চুমথোকপা ফৈ, পাল্লিবা চৎনবীদু লৈরম্মী, চিৎশাই(খৃঃ১৭৪৮-৫২)না থুগায়খিবনি, মরম অসিনা পীরিবা কম্মেন্টসিগী মমাঙদা "মতমসিদা" হায়বা ৱাহৈসি হাপচিল্লগা "মতমসিদা মনিপুরদদি নিংথৌগী মচা অহনতনা ....চৎনবী অসি লৈত্রবনা / লৈরমদ্রবনা" হায়রবদি চুমগনি।

মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বনা চহি ৯(মাপন) লোম নিংথৌ ওইদুনা পাল্লক্লবদা খৃঃ১৮৩৩গী ডিসেম্বর থাদা মরুপ শাবা বৃটিশশিংনা মৈতৈগী কবো তম্পাক (Kase Shan)বু মৈতৈ নিংথৌ খঙহল্লমদনা অমসুং তাক্লমদনা ম্রান্মা / ম্যান্মাশিংদা পীথোকখিবগী পাউ অসি খৃঃ১৮৩৪গী জানুৱারী তারিক ৭(তরেৎ) লৈপাকপোকপা নুমিত্তা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বনা তাবদগী "মৈদিংঙুগী স্নাহকচাংসি ৱাখন্দা মিপাই-থাপাইবা অমসুং অখং-অথুক্কী ঈপোম্না শাফু কন্না ফুরকপদগী হকচাংগী কায়াৎশিং পুম্নমক পঙথরক্কুনা স্না হকচাং ঈরম্মী। ময়াম চঙদুনা লাইকন্নবা ঙমদনা স্না ফমলেন্দা উতুপ তাবগুম তাদুনা লৈরম্মী। মদাইরেম অখঙ-অহৈ অমাইবশিংনা লাইনা-লাইওং চম্মননবা মবুধৌ পাখংবা হরাউরুবা (চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,২৪৪)দা লাইয়িংথৌসিগী ফিজী-ফিনা নেৎলুরবরা, লমলান-লমথৎলুরবা, হায়বনচিংবগী চিংনবনা মবুধৌবু ঈরাৎ-থৌনি তৌজখি। মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি নরসিংহনা থৌওইনা অনা'ফমশেন্নদুনা লৈরম্মী। অসুম্না পুং অনি অহুমলোম অনাবগী লাইরী থিদুনা লাক্লরকপদা মৈদিংঙুসি নুংশা খরদি হোন্থরক্কুনা অনাবগী মৈচাক্কু খর নেমথরক্লম্মী। ৱাখন্দা পানবা লাইনানিনা হকচাংদদি করিসু শোক্তবগুম উরম্মী, অদুগা পুক্নীঙদা ফাওরিবা মৈতৈ কবো তম্পাক মাঙজবগী ৱাফমদুদি মদাইরেমশিংদা হায়দোকখি। অসুম্না নোংমদুমা খঙহৌদনা হৌখ্রে অমসুং অহিং চুপ্পদুদি মিৎকী ককলা অমতা উইশিনবা ঙম্লমদে। মৈদিংঙু মশামকসিনা "ঐবু নহানমখৈগী অনাবগা মান্নদে, পুন্সি পিখম্লগদৌরিব্রা" হায়না চিংনজরম্মী।

মথংগী নুমিৎ জানুৱারী তারিক ৮(নিপান)সিনা মৈদিংঙু মদাইরেম অথোইবশিং পুম্নক্না কোয়না তীন্দুনা ফমশেন্নরি। স্না হকচাংসু খর

হনগৎলে, অনাবগী লাইনাসু খর হন্দোকপগুম তৌরে। ৱা-লান নীঙথিনা ঙাংনবা য়াবগী মওংদা লাক্লম্মী। অদুগা ময়াম তীল্লিবদুগী মরক্তা শ্রীভগবত গীতা পাঠ তৌহন্দুনা শ্রীযুৎনা লাইয়েং-হীদাক চাবগুম তারম্মী [মঃচঃসঃ,১৯৯৬,৫৫]। ভাগবত গীতা তাবা লোয়রবা মতুংদুদা ব্রাহ্মন- বৈষ্ণব পুম্নমক্তা দান-দক্ষীনা কৎচরবা মতুংদা মজাঈবুংঙোং সনাহলগী ৱাখল নীঙশীঙলক্লে অমসুং মজাঈবুংঙোবু সনা নাক্তা কৌশিন্দুনা মিৎয়েং তারে। অদুগা মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি নরসিংহ কৌশিল্লগা মচীন- মনাউ ৱাফম খর ঙাংনরম্মী। ঙাংনরিবা ৱাফমশিংদুগী মরমদা থম্বীরল্লিবদি:-

> **........গম্ভীরসিংহ মহারাজনা হকচাং কন্না ইশিল্লক্লবা মতমদা মনাও ঈবুংঙো নরসিংহ সেনাপতি কৌশিল্লগা মজা ঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিবু পীরগা হংখি- "ইনাও ঈবুংঙো! অঙাং অসি কনানো ?- "অজ্ঞা! ননাইগী মবুংঙোগী মজাঈবুংঙোনি।" "ইনাও ঈবুংঙো! মসিবু কনানোনে?" - "অজ্ঞা! মনিপুরগী নিংথৌ সিংহাসন ফমগদৌরিবা মজা ঈবুংঙোনি"- "ইনাও ঈবুংঙো! নত্তে, অঙাং অসিবু কনানোনে?- অজ্ঞা ননাই ঐগী ইচানি।"- অরোয়বা পাউখুম অসি হেক ফংবদা মহারাজ গম্ভীরসিংহ হরাওনা মমিৎ উইশিনখি [গঃচঃসঃ,১৯৭০,৩০]।**

অসিনি। মসিদা য়াম্না শাংলবা নৈন-ৱারোলসু থম্বীরল্লিবনি। অদুবু ৱারী অসি নিংথৌ সিংহাসনবু মিহৌবশিংগী মফমদদি করিসু লৈত্রবা ৱারোন্নি।

জানুৱারী তারিক ৮(নিপান)(শক ১৭৫৫গী পোইনু থাগী ২৯নি)গী নুংথিল নুমিদাংৱাইগী মতমদু শ্রীযুৎ সনা হকচাং ইবগী ফমশেন্নরিবা খুদিংমক্লা অনা লাইওং খর হন্দোকপগুম উরম্মী। শ্রীযুৎসু সন্ধ্যাগী মতম অদুদদি খর পোত্থাবগুম তৌরম্মী। লৈরিবা মীওইশিংদুসু অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা ঙাইহাক অৱা পোত্থানৈ। সূর্য্যদেবগী খোঙচত্তি লেপ্পে, মতমগী খোঙথাংসু ঙাইহাক্তা পন্থনা লৈথোক্তে, য়াচঙবা সন্ধ্যাগী মতমদু নুমিদাং ওইশিল্লকখি। মদুনা অঙনবশিংগী চান-থক্লবা মতম লোয়খ্রদুনা অথেংবশিংগী তরা চাক চাননবগী মতম তাঞ্জাদু তল্লক্লে। মতমদুদা মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি নরসিংহনা লংথবান কোনুংদুগী লমখৈ মনুংদুনা লৈরিবা সেনাপতি মশাগী শঙ্গায়দা তরালুকলেন ফংলুগে হায়দুনা খোঙগুমখিরম্মী। মতম ঙাইহাক কান্নরগা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বনা লংথবানগী কোনুংগী লমখৈ মনুংদা ময়ুম শাদুনা খৃঃ১৮২৮গী জানুৱারীদগী লৈরক্লবা কেপ্তেন এফঃজেঃগ্রান্ট, লেফটেনেন্ট আরঃবিঃপেম্বর্টন অমসুং জর্জ গোর্ডোনবু নীঙশিলক্লম্মী। মদুদগীদি

মৈদিংঙুগী ৱাখল অসি শন্দোকখ্রে,কবো তম্পাক্কী ৱাফমদুনা মতোমতা খোন্থাং য়েজরক্তুনা নহান লৈপাকপোকপা নুমিৎ(জানুৱারী ৭,খৃঃ১৮৩৪)তা ৱাখন্দা য়ৈখিবা মিপাই-থবাইবা অমসুং অখং-অথুকপগী ঈথক-ঈপোমদু হৌরক্লে, শোর ফুইনা হোল্লগা হকচাংদু খংপা-খংপা পাখৎলক্লে। ফমশেন্নরিবা মাইবনা লাইওং অমা হৌরক্লে হায়দুনা করিনা থৌগল তৌগদবগে খন্দুনা ময়ামদা পাউ পীরক্লম্মী। ময়ামসু "সেনাপতি কৌরু হায়দুনা কৌরুনবা মী থাখ্রে। মতমসিদা মৈদিংঙু লাইওংসি মওং অমা অমুক হোংদুনা লাইয়ৈ য়ৈব(Sudden heart attack or Sudden High Tension or B.P. stroke)গী নোংশিৎ নোংহুম ফংক্লে। ময়াম পাখৎনদুনা লৈরিঙৈদা ঈবুংশীজ সেনাপতি থুংলরে [মঃচঃসঃ,১৯৯৬,৫৬]। সেনাপতিনা মাইবশিংগী মফমদা মানা মানা হৈজবা মহৈ শীজিন্নদুনা মৈদিংঙুগী অনা-লাইকন্ননবা হায়রম্মী অদুবু অমাইবশিং অদুনা মখোয়গী পান্থে লৈজদ্রে, হায়বগী ঈঙ্গিৎ উৎলম্মী। অসুম্না মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহবু লাইয়ৈ য়ৈদুনা মাইবনা খুৎ থারবা মতম অসিদা ঈবুংশীজ সেনাপতিনা ৱাজখিবা মতৌ অদুগী মরমদা পাউদম্বীরল্লিবদি:-

> ....লীক্লাই মশানৌন নুংশি মখৈ ফংন পাউমেননববু মাইব লাইয়েং হৈবশিংন পাউখুমবদি-নতাইরেম ঐখোয়দি লাইরেন নশাবীগী মতীক অরুবা অসিবু করম খঙসিবনো? ঙমখৈ পান্দম লাকঙমদন খুৎতম ময়েক থাঙমদে। লাইনীঙ মহৌশাদ নুংঙাই মনিঙ থুংগে হায়ববু মাললে। অসুম পাউখুম্লবদ লীক্লাই মশানৌদি লাইরেন মশাবীগী হকশাং লাইওঙ পান্দম য়েংন নুংশি লাইজ ঈথক মরাঙ হত্ত, পিরেম ঈচাও চয়রোয়ন হাইহৎ লৈফাই তুন, মালেম লৈদ ওন য়াওৱা খোঞ্জেল চাওনা মী কপলে। ....মশনৌ পোইরৈ যুবরাজনা অসুম মীকপলিঙৈদা লাইরেন মৈতৈঙু তুবী চীঙলেল নোংদ্রেন খোম্বদি মপাল য়াথোকনা তুলসী মালেম লৈপুথোল শঙলেন তৈন খননা শানশেমলিব অদুদা তুবী য়োয়কোনুংগী লাইরেন মাগী নোংদম মতুং ঈন্না লোইদাম পোইনু থা নিনদুং থাশিনোং কোরৌ শগোলশেনগী নোংঙাল য়ুথক মতুংদা পুংগোয় ৪(মরি) শুরকপা ক্ষেললেন নোংমাইজীঙগী মহেন্দ্র পুংজা মনুংদা মপাল য়াথোক্লক্লে [মথক্কীসিদা,৫৭-৫৮]।

অসিনি অসুম্না মৈদিংঙুসিগী কবো-তম্পাক মাঙজবগী ৱাখন্দগী নুংঙাইতবা, শাওনীঙবা, নীঙঙমদবা, খোয়দৌ শাওগৎপা, অসিনচিংবা কয়ানা পুনশিল্লগা থোকহল্লকপা লাইয়ৈ য়ৈবগী লাইনাদু জানুৱারী ৮গী নুমিদাংগী পুং ১০ অদুৱাইদগী লাইকন্নবা ঙম্বা য়েংনবা লাক্লরকপা হোৎনরকপদু ঙল্লক্তুনা নুমিত্তুগী অহিং নোংয়ায় মতুং ৩(অহুম) রোম

১৫৮ঈ

তাবদা লাইয়েং খুৎ থারগা নোংঙাল্লগা অয়ুক্কী পুং ৫(মঙা) মিনিট ৪৫গী মতম অদুৱাইদা সনাহকচাং পুথোকখিরম্মী।

মৈদিংঙুনা নোঙ্গাখিবসিদা কোনুং মনুংগী মীপুম তিংনা কপ্লা লাউনদুনা কনানা করি তৌরিবগে খঙনদ-য়েংনদনা মতম হৌখিদুনা মৈদিংঙু সনা হকচাং কোনুংগী সনা শঙ্গাই শুমাঙদা থাংদোক্লগা কশা পাউতাক্লগা মথৌ-মঙম তৌননবা থৌরাং-ঈরাং তৌদুনা খাঙঙেন্দুনা লৈরি। মতম অসি য়ৌরক্লবদা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী অঙম-অথৌ পুম্নমক ঙরাংদগী লেক্লবা য়াও, ঙসি নোংঙাল্লমদায়দা কারক্লবা য়াও লংথাবান কোনুংগী শঙ্গায় শুমাঙদা পুন্না শুনা তিল্লি। মৈদিংঙুনা নোঙ্গাখ্রবসিদা নিংথৌ নোঙ্গাখিবগী চৎলম-লুপতিন পুম্নমক পুথোক্লদুনা খন্নরক্লে। মৈতৈ পোইরৈগী নিংথৌ ফম্বালদি হাঙনা থম্বা য়াবা ফম্বাল নত্তে, নিংথৌ খুবম হাঙবা য়াদে। মৈদিংঙুগী হকচাং তুমদ্রিঙৈগী মনুংদা মহুৎ শিনবা নিংথৌ অমা হাপকদবনি। মতমসিদা লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংনা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহগী মহুৎ শিনবা নিংথৌ ওইগদবা মীশক খনবগী মতাংদা থম্বীরল্লিবা ৱারোন্দি:-

> ....পোইরৈ লমদাং মতুং ইন্না সনা ফমবাল্লাংদি চেংলও মিৎকুপম, ৱাংলেন পুংজামবু হাঙফদে। নিংথৌ মহুৎ লয়ন শিনদন নিংথৌ মাগী করও নোংগাথৌ, পুরোয় লম্থোক্প লম্য়ায় কাইখিন্ন মথৌ য়াঙকেনগদবন পোইরৈ লৈপাক কোয়ব অঙম্বনা লিকলাই মশনৌদা ৱাকৎচখিবা- "লিকলাই মশানৌ পোইরৈ যুবরাজ ঈবুংঙো তা-ও, লাইরেন নশাবী খুননিংথৌগি মহুৎ লয়ন শিন্ন ফমমোইমিৎপু ফম্ন, ফল্লাংমৈবু তোংবিরো"- হায়ন পুরুমজরবদ শ্রীনরসিংহ সরি নামুং অচেৎপনা পাওমেল্লকয়ে- ঈতাইরেম "অথৌ লিচা হেপ্প, থায়াঙ কোন দাই রোনশিং-ও, তারবা, লাইরেন ঈশাবীগী লিকলাই চারান ওইখিব, য়োয়বু ঈশাবি কংলৈ মৈতৈ লৈম পায়ম উনগোয়নুংগি কোরও নোংবুম চহুমনি, লোইদাম থাবুম তরাবু য়েৎলম নাউপুব.......লিকলাই ঈপারি নাউৱা অখুব অদুমক লাইরেন ঈশাবী মহাক্লে, পোইরৈ সনা ফমবাল্লাংদি পারি নাউবা অখুব মহাক্কীনে। লিকলাই ঈপারিবু পোইরৈ খুননিংথৌবু ওইনা সনা ফবাললাংদা ফমফমহনসে"- হায়বদা ফমদৌ মঙাইরোইনা সনা য়োয়কোম্নুংদা চঙন পাউতমখ্রে।............
>
> [মথক্কীসিদা,৩৬- ৬৪]।

অসিনি। হায়রিবা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ নোঙ্গাবগী মতমদা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী লৈপাক পুবা অঙম্বশিংনা মৈতৈ নিংথৌ ওইনবা খ্বাইদগী ঈহান হাননা খনখিবা মীশকসি সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহসিনি, হায়বসি মথক্কী

ৰাফম অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। অদুগা বৃটিশ মচাশিংনা মখোয়না মনিপুরগী নিংথৌ শিনবা, রিজেন্ট হাপ্পনচিংবদা পঙখন্দা খন্নবীবগী ৰাফম লৈরিবসি বৃটিশ মচাশিংসিনা ঈকাইবা খঙমন্দবদগীনি, মখোয়না মতমদুগী মনিপুরদা করি ওইরিবগে? মসিদা মখোয়গী ৰাহৈদা থাজবা থমদুনা ইতিহাস নৈনরিবসি অৰাবগী মশক্কি, ঈকাই খঙদবা মীগী মতুং ইনবনি।

মথক্কী মনিপুরগী অঙম-অথৌশিংনা সেনাপতি নরসিংহবু নিংথৌ ফম্বাল কাবিরো হায়না হায়জবা মতমসিদা মহাক্না য়াদুনা নিংথৌ ওইরম্লবদি মাইস্না কুমুদিনীনা মহাকপু হাৎননবা লৌতুনবগী খুজীল থৌরাং পুথোক্কুনা মন্ত্রী ময়ুমচা ঈবুংশীজ নবীনবু থাঙনা য়ানহনবসি ঙম্লমলোয়। অদুবু মতমদুগী সেনাপতি নরসিংহদি কথোকপগী মূর্ত্তিনি, মশাগী ওইজবা থাদোকপগী প্রতিমানি অমসুং নিংথৌ খুবম য়োকখৎশৌগপিগী য়োৎকী য়ুম্বীগী শক্তমনি। অদুনা সেনাপতি নরসিংহনা মাবু শেম্বীরকপা মবুংঙো কাউদনা, মহাক্কী তৌবীমলবু কাউবদগী নাথৈহন্দুনা অমসুং শেম্বী-শাবীরকপগী ঈকাইখুম্নবদু মাঙহন্দনা ময়াম্বুং ঈবুংঙো মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহগী মজাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিবু নিংথৌ ফম্বাল মহাক্কীনি, মহাকক্তনা ফমগদবনি, হায়না অঙম-অথৌশিংদা পাউখুমখ্রিবদুনি। অদুবু পুকচেল চাওবা, কথোকপা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা অমসুং মীগী তৌবিমল কাউদববু মশক খঙদবা পুকচেল পীক্লবা মীনদি মহাক্কী জাতিদুবু চেন্থহন্দুনা লৌরিবা ৰারেপ্পুগী মশক্তি:-

> **"…….লীক্লাই ঈপারীবু পোইরৈ খুননিংথৌ ওইনা সনা ফম্বাল লাংদা ফমফমহনসে" হায়রবদা ফমদৌ মঙাইরোসন সনা য়োয়কোনুংদা চঙন পাউতমখরে।। মিপাই চাওবী নুজারুপনি…….পোইরৈ চৎৰা হায়দে।।……"য়োঈবু মৈতৈ লৈমন হাওসি ঙমগ চিং, য়োইবুমঙাইরোই য়োইহৈ মহীশাংনা।।……." লাইরেন ঈপারি নাউৰা অখুব অসিগী মশুলাং মঙাইরুপবু পুমনা লৈতরে।। লাইরেন মপা ঈবুংঙোগী হৈনা মতুং ইন্না কোরও নোংকাহনগে হায়বা ৰাবু ওইরঙৈনে।। পোইরৈ করি খোয়নো কল্লকয়ে। পুনুং লফু নোইগুম নোইহৎকে, শংলৌ য়েননা থৎকুম থদৎকে হায়ববু ওইরবরা।। অসুম্লা তেংথারবগ পলেম ইনুং শিলয়োম ল্লান য়োমশিললে, নাউৰা থৰাই লাইকনফিন কনন নুংবান ময়ুমনাক লুৰাং মশাইকোনদ শাম্বুপখরে।[মথক্কীসিদা, ৩৬- ৬৫]।**

অসিনি। নিংথৌগী অঙম-অথৌশিংনা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু সেনাপতি নরসিংহনা নিংথৌ হাপ্পগনি হায়বসিদা শারৌ হৈবী মৈস্না কুমুদিনীনা নরসিংহ সেনাপতিনা হায়রিবদু নিংথৌ হাপকে হায়বা নত্তে, হাৎকে হায়না

হায়বনি, মপা শিখ্রে মাগীনি হায়বা কনাসু লৈত্রে অমসুং মহাকপু হাৎতোক্লগা নিংথৌ সিংহাসন্দা অয়েৎপা পীরক্কদবা অমা লৌথৌক্কে হায়না খুজীল থৌরাং তৌরকপনি হায়না লৌদুনা চহি ২ খক্তা ঙাইরিবা চন্দ্রকীর্ত্তিদা ফত্ত-লৌশিঙ তম্বীদুনা মী খঙহন্দনা লোন্না মনাই অমা(থাঙ্গাল) থাদুনা মহাক্কী(কুমুদিনীগী) মপাম লুৰাং য়েক্কী মৈস্নাম শাগৈগী ময়ুম চীঙঙা মখাদা থৈদুনা থমখিরম্মী। অদুগা অঙম-অথৌশিংদনা চন্দ্রকীর্ত্তি লৈতে কনাগুম্বা খরনা ফাদুনা পুখ্রগা লোৎশিনখ্রে হায়না অমুকসু লৌনম তৌদুনা নমথাক তৌরি, শীজিন্নরি।

লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংদু মৈস্না কুমুদিনীদগী মখা তাবা অফবা থবক্কী মহে ফংগনি হায়বা থাজদদুনা কোনুং মনুংদগী থোরক্লগা মৈদিংঙুচা চন্দ্রকীর্ত্তি লোৎশিনখ্রে, কোনুং মনুংদা লৈত্রে অমসুং মখোয়না ফংবা ঙমদ্রে হায়ব পাউদু তম্লম্মী। হায়রিবা থৌদোকশিংসি মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা লংথবান কোনুংগী নিংথেমগী শঙ্গাইগী শুম্মাঙদা খাঙঙেন্দুনা লৈরিঙৈ, খৃঃ১৮৩৪গী জানুৱারী তারিক ৯গী অয়ুক্কী মতমদা থোক্লবনি। অঙম-অথৌশিংনা চন্দ্রকীর্ত্তি থিবা ফংদ্রে, হায়বা ৱাফমসি তাবদা নরসিংহ সেনাপতি শাওবনা মৈ হৌখ্রে অমসুং মহাক্লা মতমদুদা হায়খিবা ৱাফমশিংগী ওইনা থম্বীরম্বা পাউদমদি:-

......লিকলাই ঈপারী নাউৰা অখুববু নমু কনাগুম্বনা শানথুপলিবনো? খোকমৈ নাশোন য়েংন চেংলৌ শকখঙলু-ও, শাখৈ লেনফু মরা ফংন পনথেংগে।। লাইরেন মশানৌ ঐবু লৈরিঙৈদি চিঙঙু নোংথৌ সোরারেল মহাকমক্লবু পঙন চঙঙমলোইয়ে।। লিকলাই ঈপারী নাউৰা অখুববু পোইরৈ ফম্বাললাংদগী হাথয়গে হায়না শংলৌ থৌরাঙবা কনানো নরসিংহ ঈতিক খঙগনি।......[মথক্কীসিদা,৫৬]

অসিনি। অসুম্না চন্দ্রকীর্ত্তি লোৎলিবা, মহাক্লা নিংথৌ ওইগদবসি কায়হনগে হায়দুনা থৌরাং তৌরিবা মীশক্তু কনানো, মশক খঙলকউ, মহাক্তুগী শাগৈ ফাওবা তুম্না হাৎকনি, হায়দুনা ৱাশকলকপা অমসুং মচা- মনাইশিং থাদুনা থিহন্নবগী থৌরাং শীল্লক্লবসিদদি অরোনবা থবক হৈনবা মীওইশিংদু খাঙবা য়াখিদ্রে, মরমদি মখোয়না সেনাপতি নরসিংহগী অমুক্তং হায়খ্রবদি শোয়দনা পাংথোকপগী অচেৎপা পুকচেল লৈবনিনা খুজীল /থৌরাং হৈবী কুমুদিনীদু মপামদা মী তম্থা থাদুনা মহাক্লা লোৎলিবা চন্দ্রকীর্ত্তিবু লৌহল্লুরগা লংথাবান কোনুং মনুংদা লৈমা-কাদা পুশিহল্লক্লম্মী। অদুগা করি তৌজদবী, লাঞ্জদবী শাদুনা মচানুপাদু মোইরাং নিংথৌ লৈরিখোম্বা কৌব(মিং অসি অশাবা মমিংনি)বু পমহন্দুনা ময়াম মমাঙদা-পুথোকহল্লকখি [মথক্কীসিদা, ৬৭-৬৭]। চন্দ্রকীর্ত্তিবু পুথোক্তুনা মশক উবমক্তা সেনাপতি ঈবুংশীজ

১৬।

নরসিংহগী অশাওবা নেমথখিরম্মী। মহাক্লা অঙাং ওইরিবা মৈদিংঙুচা চন্দ্রকীর্ত্তিবু লৌদুনা খুদক্তুদা নিংথৌ ফম্বাল থাঙ্গৎনবগী য়াথং পীদুনা অঙম-অথৌ অমসুং অকন অরিং পুম্নমক্তুনা থৌরাং পুম্নমক শীল-লাংলম্মী। হায়রিবা থৌরাং-ঈরাংসিদা মৈদিংঙুচা চন্দ্রকীর্ত্তিবু নিংথৌ হাপ্পগী থৌরমসিগী থন্বীরল্লিবা পাউদমদি:-

.........তুবী য়োয়নোংতা নোংতা লাইরেন পাখংবনা ৱাইথুং-কা লাইসরা শঙলংমৈগি চোয়নৌ সনা ফম্বাল থক্ত ফমফমহনগে হায়বগী তুবী ফমদৌ মঙাইরোয়.......পুমন হওন নিংথৌ পোৎলোই শু, পোইরৈ খুঞ্জা হও,তয়ুম নাইজা তিললবদা পোইরৈ লৈকোয়পুঙগী পণ্ডিত.......মুংয়াম্বা পাউনমচানা মনু লাইহোই তাল.......লুপা কোনগা চন্‌ন মালেম লৈতায়রগা.....অশাংবমন খোঙহামলে, অরাম্বমন ঈরু শানতেংলে। নুংবান লৈরোংজমন লৈরোং কোকশা শমজিন নায়েৎ চিফৈ শমপরেৎ লোনয়ামব, পাকলোই ঙাংজ, মায়মু তোমশোন, উরেকশেক নোইনিংখোই খৈবিক য়াওনা ফমফমলবদা মতাইরেম পোইরৈ শৈশকপ..........পনশা হোদামচান....... খোইয়ম কোরৌ লনশারে। লিকলাই মপারী নৱা অখুব.....বু ময়ায় কোয়রেন হূইরেন তোং পোইরৈ খুননিংথৌবু শানশেমবিরগ সনা থৌগল তৌনা পোইরৈ সনা লৈপাক ঙাকচরে। পোইরৈ যুবরাজ চিঙথংলেন পামহৈবসি ধর্ম্ম মতৌ ওনথোকপ কোল্লোয় য়াথং হোংদব, সরি নামুং অচেৎপ অসিগুমবদি লহান খমলাং পাপললোনদসুঙ তারক্লে, হয়েং পোইরৈ চানোনদসুঙ লৈররোয়[মথক্কীসিদা,৫৬]।

অসিনি। অদুবু মসিনা মবুক ফত্তবনা পুল্লপ তাশিন্দুনা শারবা পাপকী মূর্ত্তি অদুদা কয়াম কুইনা মসিগী তৌবীমলসিবু খঙখিগদগে। অসুম্না সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা মখুত্তা তরবা, লৈপাক মীয়াম্নসু মহাক্লা নিংথৌ ওইবদা য়ানরবা অদু ফাওবদসু মহাক্কী কথোকপগী থম্মোই, মশাগী ওইজবা থাদোকপগী পুকচেল অমসুং তৌবীমল খঙবগী পুক্নিঙ-ৱাখল অদুনা মহাক্কী মবুংঙো ময়াম্বুং মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহগী অনীঙবা থুংহন্নবা ময়াম্বুংসিগী মচাঈবুংঙো অঙাং ওইরিবা, চহি ২(অনি)খক্তা ঙাইরিবা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু নিংথৌ ফম্বালথক্তা থাঙ্গৎলগা মহাক্লা মচাদুগীদমক্তা লৈপাক ঙাক্তুনা মহাক্কী মথম্মোই পেনথোক্তুনা লৈখিরম্মী।

নিংথৌ ফম্বালদা নরসিংহ

নিংথৌ ফম্বাল মমাঙদা তাদুনা লৈরবা মনিপুরগী অঙম-অথৌ অমসুং লৈপাক প্রজা মীয়াম্না নিংথৌ ওইবীরো হায়না হায়জরবা ফাওবদা নিংথৌ-ফম্বালগী কল্লক-মিহৌবা লৈতবনা অমদি মশানা ওইনীঙলম্লবদি ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অমসুং শক্তি লৈবা মতম তাঞ্জা অনিরক লৈখ্রবসু ওইররোয় হায়দুনা মশাগী ওইজবা পুম্নমক থাদোক্কুনা লৈখ্রবা মীশক অসিবু ওইদবা য়াদবা ফিবম কয়াদগী অমদি লৈপাক প্রজা, অঙম-অথৌনচিংবা পুম্নমক্কা হায়জদুনা থাদোকফদ্রবা মথৌ ওইনা মৈতৈ নিংথৌগী সিংহাসনদা সেনাপতি নত্রগা যুবরাজ নরসিংহবু ফমহনখিবসি মীফত্ত'পুম্নমকক্কী মবেম্মা, অচাওরম পান্বী অমদি নিংথৌ সিংহাসনগী মরুমদা মঙক হাইগৎনা মশক উৎচনীঙবী অমদি হুরান লান-নাদা ঈকাইবা নাইদ্রবী মৈস্নাম চনু কুমুদিনীগী মপান্দগনি। মহাক্না যুবরাজ নরসিংহবু হাৎননবা হোৎনরুবদা মশাগী শাজেন চেৎপা যুবরাজ নরসিংহনা মশা কঞ্জখিবনা হূরান লান-নাদা লৌতুনবা শরৌগী থৌরাং মায়থীরদুনা গম্ভীরসিংহগী উত্তরাধিকারী ওইনা নিংথৌ সিংহসন্দা ফম্ফম থোকপা নিংথেমপীশক,চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু কছারদা পুদুনা চেনখিবনা মৈতৈ নিংথৌগী সিংহাসনসি হাঙহন্দুনা লৈবসিনা যুবরাজ নরসিংহনা নিংথৌ ফম্বালসি লৌদবা য়াদবা ওইনা লৌখিবিনি। অদুনা মৈস্না কুমুদিনীনা যুবরাজ নরসিংহ হাৎননবগী লৌতুনবগী শরৌসি পায়খৎলমদ্রবদি, মায়থীদুনা মথৱাই হিংনবা কছারগী বৃটিশ সুপরিন্টেন্দেন্টকী মনাক্তা চেল্লমদ্রবদি অমসুং মৈদিংঙুচা চন্দ্রকীর্ত্তিসিনা মমাশীজগী মতুং ইন্দুনা মনিপুর থাদোক্কুনা কছারদা চৎলমদ্রবদি যুবরাজ নরসিংহনা মহাক্না মনিপুরগী নিংথৌ ওইবগী লাইবক ফবদু ফংলমলোয়।

সেনাপতিনা যুবরাজ ওইরকপদা কল্লকপা

সেনাপতি নরসিংহনা ময়াম্বুং রাজা গম্ভীরসিংহগী মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু নিংথৌ ফম্বালদা থাঙ্গত্তুনা মহাক্না সেনাপতি ওইনা ঙাকপগী থবক-থৌরম পুম্নমক কোকথোং নাদুনা পুরম্মী। অদুগা মৈদিংঙুচাসিবু ফম্বালদা থাঙ্গৎলে হায়বসি খৃঃ১৮৩৩গী এঙ্গলো-মনিপুরী ত্রিটীগী এগ্রীমেন্ট নম্বর ৫গী মতুং ইন্না মরুপ-মপাং অমদা খঙহনফম থোকপা ৱারোল অদুসু সেনাপতিসিনা খঙহনসি। অদুবু বৃটিশশিংনা মনিপুরসিবু মখোয়গী মপানা থম্লম্বা লমগুম রিজেন্ট খনবনচিংবদা থৱাই য়াওশিন্দুনা নমথাক্কী লাং থাকপা হৌরকখি। মখোয়গী ব্রিগেঃজেনঃ শুলধাম্না

ঙল্ললোয় হায়না চেনখ্রবদগী মৈতৈমচা ৫৯৪ খক্তনা অৱা তান্থোক্তুনা মনিপুর হন্দোকখিবনি। মতমদুদা মখোয়গী মীওইনা লানগী ঈরাং য়েংবা লাকখিবা লেফটেনেন্ট পেম্বর্টনবু নোংমৈ কাপ্পদি লায়রদনা উনা অমতা হাইদোকখি, হায়বা তাদে, তুমুগী লানফমদসু মঙাই, মমিৎনা উনা ফিরান য়ুংখ্রিবদু অচুম্বা পুথোক্তুনা কবো-তম্পাক পীথোকখিবদা মখোয় অনিনা খৃঃ১৮৩৪গী জানুৱারী তাং ৯(মাপন)না সন্ন্যাচিল, ঘাট, নিংথি(মপান)দা লোননা সহি তৌরুই [No,S,I-1988, A-17]অমসুং কটে / কাসে-শানসি পীথোকখিবগী স্টাইপেন্দ(Stipend=চান-থক্লবা শেনহুন)বৃটিশনা পীবগী খৃঃ১৮৩৪গী য়ান-চে অদুসু মখোয় অনিসিনা সন্ন্যাচিল ঘাটতগী হল্লক্লগা লংথবান্দা চহিসিগী জানুৱারী তারিক ২৫(কুনমঙা)দা তৌরম্মী [মথক্কীসিদা,A-16 & M.L.B., 1979,81]। মখোয়সি মী নত্তে, হকচাং মখৈ মী মানবনি। মনিপুরগী নিংথৌ খনবসিদা মখোয় বৃটিশ মচাশিংগী মথৌ করি লৈবগে, মখোয়না য়াবীবা য়াবীদবনচিংব খন্নবীরিবসি [লঃচঃসঃ, ১৯৭০, ৫২ - ৫৯] মখোয়গী মপানা তৌ, হায়দুনা মখোয়দা পীবা থবক্লা ?

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা নোঙ্গাখিবগী চহি ওল্লকপদদি বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীনা মনিপুর লেভী (খৃঃ১৮৩৪দদি সিফাই ৩,০০০ শুরে)দা থাদরিবা শেনফমসি কান্নদবদা শেল অরেম্বদা চৎলে, মখোয়না ফাইনান্স তৌবা মনিপুর লেভীসি মুথৎনবা খন্নরগা খৃঃ১৮৩৫গী ফেব্রুৱারী তারিক ৭(তরেৎ)তগী হৌনা মুথৎখি [মথক্কীসিদা,৯৩ ১সুং লঃৱঃবঃ, ১৮৩৩,]। অদুগা মখোয় বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্সী হায়দুনা মনিপুরদা মখোয়গী গুপ্তচর(Spy/Emissary)থম্মনবা খুজীল- থৌরাং তৌরগা মনিপুরগীদমক্তা য়াম্না ৱাবীবা, য়াম্না খনবীবা শাদুনা মথক্কী হায়রিবা তারিকসিদগী পোলিটিকেল এজেন্সী লীংখৎখিরম্মী। মসিদা মখোয়না পোলিটিকেল এজেন্টনি হায়দুনা খল্লিবা মীশকসি হাননা মনিপুরদা খৃঃ১৮২৬তগী মনিপুর লেভীগী এডজুটেন্ট(Adjutant]) ওইদুনা লৈরম্বা লেফটেনেন্ট জর্জ গোর্ডোনবু কেপ্তেন ওইনা প্রমোসন পীরগা থাগী তলব লুপা লীশীঙ(১০০০) অমমম পীদুনা ওইহনখিবনি। হায়রিবা গোর্ডোনসি মৈতৈ নুপী লৌরগা মনিপুরদা খৃঃ১৮৪৪গী ডিসেম্বর থাদা শিখি।

বৃটিশনা পোলিটিকেল এজেন্সী লীংখৎখ্রবা মতুংদা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা, খৃঃ১৮৩৪দগী কলকটাদা বৃটিশতা চেনশিন্দুনা নিংথৌ ওইনবগী মতেং নীনবা হোৎনরিবা হান্না যুবরাজ ওইরম্বা ঈবুংশীজ জয়বীর সিংহগী যুবরাজ ফমসি হাঙবা অমসুং মনাউ ঈবুংঙো দেবেন্দ্রসিংহ(ঈবুংশীজ নরসিংহগা মমা তীন্নদবা মমাশীজ য়াংঙম্বমচনুনা

পোকপনি)বু লৈঙাক্লোনগী থবক্তা মায়পুনহনগে হায়না খৃঃ১৮৩৫সিগী মে থা হৌগৎলকপদা যুবরাজগী ফমথোন ওইখি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫,২৪৫,] অমসুং মনাউঈবুংঙো দেবেন্দ্রসিংহদা সেনাপতিগী ফমথোনসি পীখিরম্মী [মথক্কীসিদা,২৪৭,২৫৫]। অসুম্না মজাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা পাল্লিবা লৈপাক অসি কদায়দা করি শোয়খিগদবগে হায়না চেকশিন্না লৈপাক ঙাক্লম্মী। অদুবু য়েংনীঙদবা মীগী মমিত্তি নারমগনি মরমদি "বিষ্ণুগা যুবরাজগা থোক্তুনা লংথবান্দা নৌনা শেম্বা কৈথেল খৃঃ১৮৩৫গী সেপ্তেম্বর থাদা হোঙবনচিংবা" খরদি তৌরে।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ [খৃঃ১৮৩২,নবেম্বর- খৃঃ১৮৩৪,জানু:- ১৮৪৪ জানুৱারী)- খৃঃ১৮৮৬ এপ্রিল- ২০]না পাল্লিঙৈগী মতমসিদা চীঙমীশিংগী লালহৌ নমথবা নত্রগা মখোয়গী মথক্তা লান্দাবদুদি খর কোল্লপ্পা ওইনা লৌরগা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংনা লান্দাকপসিদা মিৎয়েং থল্লকপদা লংথবান কোনুং মনুং ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা লাম্হেংনখিবা য়াওরি। হায়রিবসিগী ৱারোল অমদি:-

.......হৈস্নাম পূর্ণগী কুম শক ১৭৬৩........কালেন থা........১৩নি (খৃঃ১৮৪১গী মেগী অরোয়বা চয়োন্দা) নিংথৌকাবদা ময়াংলমদগী ঈবুংশীজ ত্রিভুবন সিংহ, রামসিংহ মচীন-মনাউ(মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মচাঈবুংঙোশিংনি) ২মা লাকএ হায়না পাউ অদুনা শ্রীমনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি মাকলংদা লান চৎএ।.........২৩নি ঈরাইদা থমনোং শেনপাংয়ান ২মগী লোকচন্দা শোকনৈএ।.......॥ অহিং নোংয়াই মতুংদা সনা ত্রিভুবনজিৎ মচীন-মনাউ ২মা কোনুং চঙএ॥ ঈবুংশী যুবরাজদি নোংমৈ তোপ মফমদা লেকএ॥ ২৪নি থাঙজগী অয়ুক্তা স্না মচীন-মনাউ ২মা লানফমদা থীরে॥ লানফম মনুংদা মী ২০ শিএ॥ লোইনরকপা ঈবুংশী স্না শাজৌবদি লমখাঙদগী চেনখিএ॥ [মথক্কীসিদা,২৫৮]

অসিনি। মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মজাঈবুংঙোশিংসি সেনাপতি দেবেন্দ্র সিংহগী তেঙ্গোল নমখায়রগা লংথবান কোনুং মনুংদা চঙলক্লিবনি। মরাইবক থিবনা যুবরাজ নরসিংহগা লাম্বা পারুবদুদা থৱাই মাঙলিবনি, অতৈগা পানদুনা শোক্লবা ওইরল্লবদি শাফরমগদবনি। মতমদুগী কনথৌরবা সেনাপতিদুগী তেঙ্গোন্না থৎপদু লাম্হোক্লক্লিবনি।

যুবরাজ হাৎননবা লৌতুনবা

যুবরাজ ঈবুংশীজ নরসিংহনা লৈঙাক-থৌগাই পুম্নমক পুদুনা মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগীদমক্তা হোৎনরকপসিদা মহাকপু মশাগী মরান্নাইগী ওইনা যুবরাজসিবু য়েংথীবা মীওই খর লৈরম্মী। মখোয়দুগী মনুংদা অচৌবা শরুক লৌরিবসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিসিগী মমা মৈস্না কুমুদিনীসিনি। মহাক্কী মফমদা যুবরাজ নরসিংহনা অকায়বা লমচৎ চৎখিবগী রেকোর্ড লৈতে। মচাবু নিংথৌগী সিংহাসন্দা থাঙ্গৎপা, ফমহল্লিবা, মদুগীদমক্তা লৈঙাকপদা নিংথৌ শেমদুনা লান্দারকপা কয়া, লৈপাক মনুংগী লানহৌ কয়া থেংনদুনা মশাগী হুমাংমন ফাওবা পীথোক্লিবা মীশক অসিদা য়েংথীবগী মিৎয়েং থল্লিবী মপুরোইবা নীঙবী শারিবসি মশাগী নুংঙাইবা পাম্বদগী হনুথংদা ৱাথোক্কখিবগী ৱাফম পীবীরম্মী, মদুদি:-

> **......কুম্বীখুন নাথাবগী শক ১৭৭৩..........থৱান থা........২৮নি নিংথৌকাবা (খৃঃ১৮৫১গী সেপ্তেম্বরগী ২শুবা চয়োন)দা.......অহৈমমচা চৈত্নানন্দ মোইরাং নিংথৌবু মমা শীজনা ৱাথোকএ হায়দনা মহারাজনা ময়াংলমদা থাজিনখিয়ে [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,৩০৯]**

অসিনি। মসিগী চৈত্নানন্দসি, খৃঃ১৮৪৩দা মৈদিংঙুচা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু মৈস্না কুমুদিনীনা মপামদা লোৎলুবদগী লৌহল্লুবা অমসুং ময়াম মমাঙদা নিংথৌ হাপ্লবা পুথোকহল্লকখিবা মোইরাং নিংথৌ "পুরিক্লাই লৈরিখোম্বা" হায়বদু ওইরমগনি হায়না থাজে।

মৈস্না কুমুদিনীনা মচাঈবুংঙোনা নিংথৌ ওইরিবদুবু ওইদবগী মমিংদা ওইদবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা মতমদু (খৃঃ১৮৩৪-৪৪)দা লেমজা চাদুনা অঙম-অথৌ ওইরিবা খরবু মহাক্কী শারৌ খুজীন-থৌরাং, যুবরাজ নরসিংহবু লোয়শিনবা, হায়বসিদা চিংশিনবা ঙমখি। মখোয়দুগী মনুংদা চৈথারোল কুম্বাবনা মমিং পীরম্বদি- হাওবম মন্ত্রী, কৈশা(ম) নোংথোনবা, খুম্বোং মেঞ্জোর, কোঞ্জেংবা কৈরুংবা, মাইস্না হাজরী খেন্দম্বা, হুইরোংবা দোহার, য়ুম্নাম কিশোর- অসিখক্তনি [মথক্কীসিদা,২৬৫], অঁতৈ অয়াম্বদি মবুক শেংদবা কুম্বাবা চনখৎলিবা পণ্ডিত অসিনা লোৎপনি। মৈস্না কুমুদিনীসিনা নরসিংহবু য়েংথীরিবসি মহাকপু নিংথৌপোকপী ওইনা কোনুংদা লৈহল্লিবদুগী ওইরম্বা যাই। অদুগা যুবরাজ নরসিংহবু হাৎননবা লৌতুনবসিগী অয়াওবা মীশিংগী মমিংসি, অতোপ্পা অখণ্ড-অহৈশিংনা পীবদা-থাঙ্গাল(কাংঙবা চিদানন্দ সিংহ, মেজর। জেনরেল), পাওশং [লঃচঃসঃ,১৯৭০,৭০], দেকাভান্দরি, নিংথৌজাম্বা পোচা, চবুংবা

সুবেদার অমসুং ক্ষেত্রি জমাদার [মথক্কীসিদা,৭২-৭৩]সু য়াওই হায়বা উৎলি। অদুগা হাৎনবগী খোঙজঙসিদা খুৎলাই থাখিবা মীশক অদুগী মরমদা পীবীরম্বদি:-

......রাজাকুমার নবীনসিংহ হায়বা নরসিংহগা য়েংথিনখিবা নুপা অমনা রিজেন্ট(নরসিংহ)পু হাৎকে চোংথোরক্লম্মী। ব্রাফম অসি মহারানীনসু য়ারম্মী [পোঃকনঃ,১৮৪৪,১০০]। রাজকুমার নবীন হায়রিবা অসি থাপ্লরবসু নিংথৌগী ঈনি। গম্ভীরসিংহনা পাল্লিঙৈ মতমদদি ফম্লাইবা নুপা অমসু ওইরম্মী। নরসিংহনা মহাকপু ফম লৌথোকলগা কৈশুমশঙদা প্রিথাইনা শাবা চেনগী মহুত্তা য়োৎনা শাবা চেন্না বন্দি থমখি(রাজকুমারশিংদি প্রিথাইনা শাবা চেন্না পুনবা হায়বা অসি মনিপুরগী চৎনবীনি)। থৌদোক অসিনা নরসিংহ অসি নবীনগী তমথীরবা য়েক্লবা অমা ওইবা হৌখি। মথব্রাই নুংঙাইতবদগী নবীন্না নরসিংহবু হাৎকে হায়না ব্রাশকখিবনি [লঃচঃসঃ,১৯৭০,৭০]।

অসিনি। মৈস্না কুমুদিনীনা নরসিংহবু নুংঙাইতবগী মলোম অমসুং লমন খুন্নবগী থরুম-ব্রারুম পুরিবসি চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু খৃঃ১৮৩৪দা নিংথৌ হাপ্লমদায়দা মহাক্লা মপামদা থৈরুবা, নরসিংহনা চন্দ্রকীর্ত্তিবু লোৎলম্বা মীদু মাগী শাগৈ ফাওবা তুন্না হাৎকনি হায়না ব্রাশক্লক্লবদা কিদুনা চন্দ্রকীর্ত্তিবু মপামদগী লৌহল্লুরগা মোইরাং নিংথৌ লৈরিখোম্বাবু পুথোকহল্লখিবা, অদুদা নংখিবা ঈকাইবা অদুগী ওইবা নত্তনা অতৈ মরমশিং হায়বা তারবদি "মীনা নুংঙাইখিবদা, চাওখৎখিবদা য়েংবা ঙমদবা, মীগী অফবা উরগা নুংঙাইতবা, অসিনচিংবনি। তশেংনমক মহাকসিনা মরীন চুম্না ফবী, হৌন'খঙবী অমা ওইরম্লবদি চন্দ্রকীর্ত্তিবু নিংথৌ হাপ্লমদায়দা ঈকাই নংলিবদু ঈকাইফম থোক্তে, সনাবু মৈনুংদা লৌবদা ফজথোক্লকপা নত্তনা ফৎলক্তবদি খক লৈতে।

মী'ফত্ত ময়ামদুগী লৌতুনরিবা শারৌদুগী খুজীল-থৌরাংদু পাংথোক্লবা লেপ্লখিবা নুমিত্তু অতোপ্পা, শরৌদুগী মপান্দা লৈবশিংনা খঙবা নত্রগা শমিন ফংবা ঙমখিদে। মখোয়না থবক পায়খৎনবা চঙলকখিবা খোঙজঙদুগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবদা তারিবা মমিদি:-

........অহোংশংপম প্রেমশিংগী কুম শক ১৭৬৫...... ফাইরেন থা ৮নি থাঙজ (তাং ২৭।১।১৮৪৪ইং)দা শ্রীযুৎ সনা খুৎয়া যুবরাজবু শ্রীঈবুংশি নবিন (মন্ত্রী ময়ুমগী ঈবুংশীজ কুঞ্জারাজ স্নাগী মচানুপানি)না সন্ধ্যা মতুং পুং ৫গী মনুং (নুমিদাংগী পুং৭,মিঃ৩৬কী অদুব্রাই)দা শ্রীবৃন্দাবনচন্দ্রগী হরি মন্দির (লংথবান কোনুং মনুংদা লৈরম্বা)দা শ্রীভাগবত তাবগী লাই খুরুম্মিঙৈদা স্না পাম্বোম য়েৎতা

থাঙনা য়ানএ।। ঈবুংশী নবিনগা লোয়নরক্তুনা মান্দোপ চঙলকপা মী ৫৩ শুইএ।। ঈবুংশী নবিনদি অৱাং থোঙদা থমলে, অদুগা থুপখরে [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫,২৬৪-৬৫]।

অসিনি। অদুগা অসিগুম্বা নুঙফান্দা মরু-মরাং তকখায়বগুম তৌগদবা মীওইশিংসিগী থৌদাং-থৌওংসিদা অখঙ-অহৈ অমনা থিজিন-হুমজিল্লুরগা থন্বীরিবা পাউদম্না:-

.........হান্না য়ানখ্রবা ৱাফমগী মতুং ইন্না নরসিংহবু হাৎকে হায়দুনা লৌতুনবা মীওইশিং অদু নবীনসিংহনা মকোক চিংঙগা খৃঃ১৮৪৪গী জানুৱারী তাং ২৭, থাঙজা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা কোনুংদা চংলক্তুনা রিজেন্টনা লাইশঙদা লাই খুরম্লিঁদৈদা নবীনসিংহনা থাংনা য়াম্থরক্লম্মী [পোঃকনঃ১৮৪৪,১০০-৩৩]। লাইবক ফবদগী নরসিংহ সেনাপতিগী হকচাংদা য়াম্না শাথিনা শোক্লবসু থৱাইমক্তিং মাংলমদে। তৌইগুম্বসুং রাজকুমার নবীনসিংহদি খুদক অদুমক্তদা মনাক্তা লৈরম্বা সিফাইশিংনা ফারগা অঙাং ওলহনখি। নবীন হাৎখিবগী ইরাং লাংলিঁদৈগী খুদোংচাবা লৌদুনা অতৈ লৌতুনবদা য়াওরুবা কাংবুশিংদি চেনখিরম্মী। লৌতুনবা অসি মহৈ য়াম্দ্রে হায়বা মহারানী অমদি অতোপ্পা কোনুংগী নুপীশিংনা ৱারী তারিঁদৈদা থাঙ্গালনা মহারানীদা পাউ তম্লম্মী। তম্লরিবা পাউ অসিগী মরোল করি হায়রিবনো হায়বদুদি তিল্লম্লিবা মীওই অমতনসু তারমদে [মথক্কী য়াওফম]। পাও অসি হেক ফংবগা মহারানীনা মজাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতম করি অমতা হংলমদনা কোনুং থাদোক্তুনা চেনখিরম্মী, অদুগা মতুং খর লৈরগা মজাঈবুংঙোগা লোইননা মনিপুর থাদোক্তুনা চেনখিরম্মী [পোঃকনঃ,১৮৪৪, ১৩০-৩৪৩][লঃচঃশঃ, ১৯৭০,৭০-৭১]।

হায়বসিনি। মসিগী অকোনবগী ৱাহৈ পরেংশিংগী মতুং ইন্না লৌতুনবসিদা নিংথৌ ওইরিবা চন্দকীর্ত্তি সিংহ মহাক মশামকসু য়াওই, হায়বসিনি। কেগে পান্বীদা থৈবোঙ পাল্লকপা হৌনদে।

যুবরাজ নরসিংহ, মশাদা শা-লানগী শাজেন থাদবা মীশক্লি হায়বসি ঈবুংশীজ নবীন সিংহনা খঙজরম্লবদি মহাক্কী লাইবক থীবগী থৌদোক্তু থোক্লমলোয়দবনি, মহাক্কী চেকশিন্দবসিনা মহারানী অমসুং মহারাজবু কছারদা চেলহনখ্রিবনি অমসুং মনিপুরদা নিংথৌ লৈতবগী ৱাথোকসি থোকহনখ্রবনি। অদুবু যুবরাজ নরসিংহ মশা থাঙনা শোক্লবা, য়েৎথংবা পাম্বোম্না ঙক কন্দুনা থুপ্লগা ঙাকপদগী পাম্বোমদা থাঙয়ানগী চৈথেং ফংলবসি ফাওবদা তৌবীমল খঙদবগী লৌতুনবা, মহাকপু হাৎননবা

থবক্তু লৌখৎলিবা মীশকশিং খঙলবসু-খঙদ্রবসু মচাঈবুংঙোবু অদুমক নুংশিনা তৌরি। মসিগী খুদম-চাংদবদি মহাক্না মতমদুদা বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্ট মিঃজর্জ গোর্ডোন্দা ইবা চিঠিনা পীরি, মদুদি:-

শ্রীযুৎ রিজেন্ট, সাহেবনা শ্রীযুৎ কাপ্তান গোর্দন পোলিটিকেল এজেন্ট সাহেবতা শালাম তৌখি। থা অসিকি শুক্ল অষ্টমী থাঙচা নুমিৎ সন্ধ্যাকি মতমতা মানতোপতা লাইরিক তাপতা নিংথেমচা নবিননচিংবা ফৎতবা মিনা ঐকি হকচাং খিকতং সোকনা খুৎলাই থোকলরে অদুতকি নিংথেম মচাকা মি ২তংতি ফারে মখোয়কি মিয়াম অদুদি ফংপা ঙমতরি অসিনা মখোয় অদু থিপা শ্রীইরোইপা মেঞ্জোর শ্রীশোইপ্যা পহিলানচিংপা শীখি ১সু ৱা অসিকি কিপনা শ্রীযুৎ মহারাজসু শ্রীনিংথৌপোকপিসু লোৎখিরম্না থিহনলি অসিনা শ্রীসাহেবসু যত্ন তৌকল্লে ইতি ১৭৬৫ মহে ১৫ মাঘ মাসস্য।

From The Regent To Captain Gordon With Compliments

At dusk on the evening of Saturday, the 8th day of this moon (27th January) some evil disposed persons headed by the Prince Nabin took up arms and attacked and slightly wounded me while hearing the scriptures (Hindoo) read in Chapel. With the Prince two men were then apprehended. The rest of the conspirators have not yet been taken. Major Eroiba and senior Subadar Saibya have been sent in quest of them. Further the Maharajah and Maharajah's mother taking alarm have concealed themselves and I am making enquires for them. It will be well for you to be on your guards, Magh 16th 1765(January 28th, 1844). [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,২৬৫]।

অসিনি। মায়কৈ অমরোমদা মনিপুর থাদোক্তুনা মথৱাই হিংনবা চেনখিবা মৈস্না কুমুদিনী, চন্দ্রকীর্ত্তি, থাঙ্গালনচিংবগী কাংবুদু চহি (খৃঃ১৮৪৪)সিগী ফেব্রুৱারীগী তারিক ৩(অহুম)গী নুমিদাংৱাইরমদা কছারদা থুংলম্মী [পোঃকনঃ,১৮৪৪,২১৬-১৭]। মখোয়না মনিপুরদগী শিলচর য়ৌবদা

নুমিৎ ৬দগী তাদনা চঙলিবসি মবুক মাংবদুননি, কুইনা চঙলবদা নুমিৎ নিনি(48 Hours) খক্তগী লম্বীনি, শন গাড়ী চৎপা য়ানবা ১৮৪০গী অঙনবা শেম্বা হৌখ্রবনি [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,২৫৪-৫৫]।। হায়রিবা মখোয়না শিলচরদা লৈবদা মতমদুগী কছারদা লৈবা বৃটান্নিক সুপরিটেন্দেন্ট মিঃলীয়ন্সনা মনিপুরদা লৈবা পোলিটিকেল এজেন্টতা পাউ পীরকপদগী, মৈদিংঙুচা চন্দ্রকীর্ত্তিনা নিংথৌ ওইনীঙদদুনা কছারদা চেনখিবসিদগী মনিপুরগী নিংথৌ সিংহাসন হাঙলে, নিংথৌ ওইবীনবা লৈত্রে, হায়বসি খঙনরক্লম্মী। মতমদুগী মনিপুরী প্রজাশিংদি মৈতৈ নিংথৌবু লাইনি হায়না খঞ্জবা অমসুং মখোয়গী মপা-মপুশিংদা ব্রাখল অসি মৈদিংঙু খাগেম্বা(খৃঃ১৫৯৭-১৬৫২)গী সনাহাক্তক,খৃঃ১৬০৮ / ১৬২২দগী হৌরক্লবা [মথক্কীসিদা,৩৪,৩৭]অমদি পরীং কায়দনা চথরক্লবা চৎনবী ওইবনা নিংথৌ খুবম হাঙবা য়াদে হায়দুনা পাঞ্জবা মীওই কাংলুপনি। মশা মতোমতনা মথন্তবু কল্লকচরবা মীগী য়াইফ' নুংঙাই উবা ঙমজদ্রবা মীওইশিংগী মরক্তা তীন্দুনা মশানা নুমিত্তু ফাওবদা হিংদুনা লৈরিবদু যুবরাজ নরসিংহগী থৌজান্ননি খঙজদ্রবা, নৎলমদ্রবদি নহাননা অশি' লৈপাক য়ৌরন্নগনি নত্রগা মোইরাংনিংথৌ ময়ুমদা লৈরন্নগনি খন্থজবা ঙমদবনা মশা ব্রাজবদা নত্তনা মনিপুরগী লৈবাক মীয়ামদসু মতমদুদা ব্রাহল্লিবনি। নিংথৌ পান্দবগী মখোয়গী পামদবসি কোক্লনবগীদমক্তা লৈপাক প্রজাশিং অমসুং অঙম-অথৌশিংনা লৌখৎখিবা থবক্কী মরমদা চৈথারোল কুম্বমনা পাউদল্লিবদি:-

> **......অহোংশাংপম প্রেমসিগী কুম শক ১৭৬৫.......ফাইরেন থা......১৯নি শগোলশেন (তাংঃ৮।২।১৮৪৪ইং)দা শ্রীপঞ্চযুক্ত যুবরাজ, অদুগুম্বা যুবরাজ মহাক অদুদি অসুর্য্যমূর্ত্তি খুফমপু পামদরবা, শ্রীরাধাকৃষ্ণগী.......তৌবা শ্রীযুৎ স্নাখ্যা যুবরাজবু ব্রাহ্মন, বৈষ্ণব, পাত্রমন্ত্রী, প্রজা পুম্নমক্লা "নিংথৌ ওইবীরো, ফম্বাল হাঙফদে" হায়জদুনা শ্রীমনিপুর পুরন্দর শ্রীনরসিংহ মহারাজ চহি ৫১শুবদা ফাইরেন ১৯নি শগোলশেনগী অয়ুক য়ুথক (অয়ুক পুং ৮গা মখায় খর হেনবা অদুব্রাই-(I.S.T.)তা নিংথৌ ওইএ [মথক্কীসিদা,২৬৫,৬৬]।**

অসিনি। মহারাজ নরসিংহগী পুকচেল মতা, মথৌনা মরীঞ্জেন, ব্রাশক চেৎপা, হায়খিবা হোংবদা, অসিনচিংবগী গুণশিংসি বৃটিশমচাশিংনা য়াম্না মুন্না খঙলম্মী। হায়রিবা ব্রাফমসি খৃঃ১৮৯১গী সেপ্তেম্বর থাদা মকা লাম্না ফোংদোক্লুরকখিগনি [মথক্কীসিদা,৫০১,০৩]।

অসুম্না নিংথৌ ফম্বাল কল্লকচদ্রবা, মশাগী মমাঙদা নিংথৌ ফম্বালদু অহুল্লক তাররবা, খুৎকন-পাঙ্গল্লবা মচীন-মনাউশিংনা থেম্বদা ফাওবা য়াজদ্রবা যুবরাজ নরসিংহ, মৈস্না কুমুদিনীগী থৌজান্দগী নিংথেম পীশক চন্দ্রকীর্ত্তিনা নিংথৌ-ফম্বাল হুন্দোক্লম্লগা চেনখিবদগী নিংথৌ ফম্বাল হাঙবা য়াদে হায়দুনা লৈপাক মীয়াম পুন্নমক্লা হায়জবদগী নরসিংহনা নিংথৌ ফম্বাল লৌখিরম্মী।

মরী-মখোঙ তাকপা

(ক) মৈতৈরোনগী লাইরিকশিং

১) চৈথাঃকুমঃ,২০০৫ = শ্রীলাই: ইবুংঙোহন সিংহ অমসুং শ্রীনিংথৌ: খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা(ইম্ফাল-২০০৫)

২) গঃশঃ X, = গৌরচন্দ্র শর্ম্মা: চহি তরেৎ খুন্তাকপা অমসুং গম্ভীর সিংহ (ইম্ফাল)

৩) মঃসঃকঃ,১৯৯৪ = মনিপুর ষ্টেট কলা একাডমী: শাগৈ শলাইরোল (ইম্ফাল-১৯৯৪-X)

৪) শঃফঃখুঃলাঃ = শঙ্গাই ফম্মাঙ, খুৎয়ি লাইরিক

৫) লঃচঃসঃ,১৯৭০ = ডাঃ লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহ: মনিপুর ইতিহাস(বৃটিশ মরী লৈনরকপা) (ইম্ফাল-১৯৭০)

৬) কঃ১সুং বঃ,১৯৯০ = কুলচন্দ্র, বডরুদ্দিন: মৈতৈ পাংঙল হৌরকফম (ইম্ফাল-১৯৯০)

৭) ৱঃগঃসঃ,১৯৭০ = শ্রীৱাহেংবম গৌরচন্দ্র সিংহ: মৈদিংঙু নরসিং (ইম্ফাল-১৯৭০)

(খ) ঈঙ্গেজী লাইরিকশিং

1) R.K.S.1989 = R.K. Sanahal Singh B.Com.: A Short History of Manipur (Imphal-1989)

2) J.R.,1973 = Jyotirmoy Roy. History of Manipur (Imphal-1973)

3) M.L.B.,1979 = M.L. Bose : Historical And Constituional. Documents of North-Eastern India(Delhi- 1979).

4) পোঃ কনঃ,১৯৭০ = Political Consultation

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম
(রনজিৎসিংহ ওর্ফে নরেন্দ্রজিৎ সিংহ)

ৱাহৌদোক

সনা-চহি-অহুম, মনিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা মৈতৈ' নিংথৌমচা রনজিৎ সিংহ, ভারতবর্ষগী অহানবা নীঙতম-ঈহওগী সিফাহি লানহওগী খোঙজঙদা লাঞ্জিং-পুরেন ওইনা লালহওরিবা সিফাইশিংবু ঙাক-শেনবা, লমজিং-লমতাকপা অমসুং য়েক্নবা বৃটিশতা লান্দাননবগী থৌরাংদা মনিপুরগী রাজ সিংহাসনবু লৌগে হায়না খনবীদনা বৃটিশকী অৱাং-নোংপোক ভারতকী হেডক্বার্টরস সিলেট থুগায়নবা চঙশিনখিবা অমসুং বৃটিশশিংনা "নরেন্দ্রজিৎ" হায়না খঙনবসি অতাঙবা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংগী মরক্তগী অমনি। মহাক মৈদিংঙু নিংথেমতোন চৌরজিৎ (খৃঃ১৮০৩-১৩) মহারাজগী ১৬শুবী লৈমা অপানবী লাইরিকয়েংবচনুগী অমতা পোকচবা মচাঈবুংঙোনি। মহাক মপাঈবুংঙোগী নোংপোক থংবা কছারগী সোনাইমূখ সহরগী ডুঙ্গুরীপারা কোনুংদা খৃঃ১৮১৭-১৮দা তাইবঙ ফাওরকখিবনি।

লাইওই-তীনওইবগী ৱারী ৱাখুন্দা সনা-চহি-অহুম

অচৌবা, অফাওবা অমসুং শীঙথানীঙঙাই ওইরবা মীওইশিংগী পুন্সি' ৱারীদা লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-ৱাখুন অমা তোপশিনবসি মালেমসি মী কাংলুপ-ফুরুপ অয়াম্বগী মচৎ-মনাৎ ওইনা লৈখ্রবা অমসুং হৈনবী ওইনা চৎনখ্রবা মওং-মতৌনি। অদুনা নিংথৌমচা অসিগী মমিং "সনা-চহি-অহুম" হায়বা মহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না ফাউবা, খ্বাইনা পাম্না খঙনবা মিংলেনসি মহাকপু পোক্নবগী মমি তল্লকপদা মহাকপু মমানা চহি অহুম নাউপুবদগী কৌখিবনি হায়বা ৱাফমসি হাপচিল্লি। ৱাফমসি মৈতৈমচাশিংদগী তাদুনা বৃটিশ আর্মীগী ইন্টেলিজেন্ট ডিপার্টমেন্টকী কেপ্তেন ঈ ডব্লীয়ু ডুন ফাওবনা - **"Chai Aham", three years, so called as he was supposed to have been three years in his mother's womb."**- হায়বসিনা নিংথৌমচাসিগী মতীক-মগুন নীঙথিনা হেনগৎহল্লি, হায়বসি শেংলবা ৱাফম্নি।

মহৈ-মশিঙ তম্বগী পুন্সি

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্না লৈরম্লিবা মতমদুগী মৈতৈ সমাজগী অথোইবা মহৈ-মহৈশিঙসি শা-লানগী মহৈ-মশিঙসিনি। হায়রিবা

মতমসিগী মমাঙদা শা-লানগী মহৈ-মশিঙসিদা থাঙ-তা, তেন-অরাম্বাইনচিংবা শীজিন্নবসিগী মথক্তা মনিপুরদা নোংমৈ শীজিন্নবগী মহৈ-মশিঙসিনা মাঙজীন থারকপসি মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্ব (খৃঃ১৮২৫-৩৪)গী সনা হাক্তক্তগী হৌখ্রবনি। হায়রিবা মহৈ-মশিঙশিংসিদা মৈদিংঙুচা সনা-চহি- অহুমসি মমান-মমান্নবা লাম্বা পাবদা নোপ্তুনা লান্থেংনবা য়ানবগী মহৈ-মশিঙদু তম্লকখি। অদুবু মহাক্না হায়রিবা মহৈ-মশিঙশিংসি করম্বা ওঝা গুরুদগী তম্লখিবগে, হায়বসিগী ৱারী-ৱাখোঙদি ফংবা ঙমদে। অমরোমদা মহাকসি মৈতৈগী লাইয়েংগী হিরমসিদসু খর মখৈ নীঙথিনা খঙলবা মীওই অমা মশাগী চহি ৩৫ / ৩৬কী অদুৱাইদদি ওইরম্মী অমসুং হিরমসিগী লমদাংদসু মহাক্কী ওঝা গুরুগী মমিং-মথা খঙবা ঙম্নদে।

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুমনা ঈনখৎলকপা পুন্সিদা চঙলকপগী মতমসিদা মহাক্না তাবা অমসুং হংবগী মহৈ তম্বগী মওং-মতৌসিদগী লৈঙাক্লোন / রাজনিতি মহৈ-মশিঙসিগী শরুক খর ফংখিরম্মী। হায়রিবা রাজনিতি ৱাফমশিংসিদা মহাক্না মপাবুং ঈবুংঙোগী পুন্সিদা থোকখিবা ৱারী-ৱাখোঙশিং তারুরগা মপুক্লীঙদা মপাবুংগীদমক্তা থোইদোক্না নুংঙাইতবা ফাওজখি। অদুবু মপাবুং ঈবুংঙোদি মহাক্না মশাগী চহি ১০ / ১১ শুরকপদা মালেম তাইবংপান থাদোক্তুনা লাইরৈপাক্তা চৎখ্রবনি [বঃকঃশঃ,১৯৯৮,৩৭]।

য়ুম্বানবগী পুন্সি

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম, মহাক্কী মতমদুগী চৎনবা ওইনা লৈরিবা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংগী য়ুম্বানগী পুন্সিদা চঙবা মতম, মশাগী চহি ১৫ / ১৬ শুরকপা মতমদা হায়রিবা পুন্সিসিদা খোঙদারকখি। মহাক্কী তাল্লোই অহনসি লাইশ্রমচনুনি। হায়রিবা তাল্লোইসিগী মতুংদা মহাক্না হাওমচনু, হাওরোঙবমচনু, থিংবাইজমচনু, হৈক্রুজমচনু, খুমন্থেমচনু অমসুং হাওবম চনু নহা হায়রিবা তাল্লোই ৭ (তরেৎ)সিবু য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদামিন্নখি। অদুগা অপুনবা তাল্লোই তরেৎসিগী মনুংদা অনিশুবী তাল্লোই হাওবমচনু অহন্নচিংদুনা মঙাশুবী, তরুকশুবী অমসুং তরেৎশুবী তাল্লোইশিংদি মপারী-মমোম শাত্তে। অদুগা শীজ অহন লাইশ্রম চনুনা থাকা-তাবা (ধকা তাবা), হাওরোংবমচনুনা চাওবা অমসুং থিংবাইজমচনুনা অঙৌ অমদি গোকুলসিং কৌবা মজাঙ্গীবুংঙো মরি পোকখিরম্মী। হায়রিবা মজাঙ্গীবুংঙোশিংসিগী চাদা-নাউদানা হৌজিক মনিপুর, অসামগী হাইলাকান্দি, লক্ষীমপুর, হাফলোং, (কছার): ত্রিপুরাগী আগরটলা, ধর্ম্মনগরনচিংবা মফমশিং অমদি বাঙ্গলাদেশকী সীলেট, ঢকানচিংবা লমশিংদা খুন্দা লৈতারি।

রাজনিতিগী পরমদা খোঙদাবা

মৈতৈ নিংথৌমচাশিংসি, খৃঃ১৮৯১গী মমাঙদা লৈরম্বশিংনা মনিপুরদবু লৈরবসু মনিপুরগী মপান লৈবাকশিং কছার, সীলেট, ঢকা অমসুং অৱা (ম্যান্মার) লৈপাক্কী মন্দলে, ভামো, অৱা, শগাং, শমজোক্ল চিংবা অমদা লৈরসু মাগী মাগী মচা-মনাইশিংগী খুৎ লীংদুনা পান্নবা ঙাক্তনি। অদুগা নিংথৌমচা অমা ওইবগী হৌনবা মশাগী ঈকাই খুম্নবা ঙাক্না ঈজৎকী মথক্তা হিংনবা ঙাক্তনি। অসুম্না মখোয়সি অয়াম্বা মতমদা মানা মানা ফংবা লৈপাক-নিংথৌগী, মীয়ামগী, শা-লানগীনচিংবগী পাউ তম্নবা, ফাওদোক্লবা অমসুং ঈ-পাউ লৌবগী থবকসি লেপ্তুনা তৌনৈ। মরম অসিনা সনা-চহি-অহুম্না লৈরবা কছারগী সোনাইমুখ লমদমগী ডুঙ্গরীপারাদসু তৌরিবনি। অদুগা মফমসিদা মপাবুংনা কোনুং শেমদুনা পাল্লম্বনিনা মফমসিদা মৈতৈ খরদি মরৈরবনি। মখোয়দুনা মৈদিংঙুচাসিগী দল / খুৎপু অমা ওইনা লৈরিবা মৈতৈগী চৎন-লোনচৎ, মহৈ-মশিঙনচিংবগী তস্ফম অমসুং ঔরায়নফম নত্রগা শাজেন তৌফম অমা ওইনা লীংখৎত্তুনা লৈরম্মী। অদুগা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংদি পীক্লবসু চাওরবসু লৈঙাক্লোনগী মহৈ-মশিঙ খঙদবা য়াদ্রবা অমদি মসি তৌদবা য়াদ্রবা থবক-থৌরম অমা ওইনা লৌনরম্মী। মরম অসিনা মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্না মমা লৈপাক মনিপুরগী রাজনিতি ঈ-পাউশিং চিথদনা লৌবা অমসুং খঙজিনবদা নত্তনা মহাক্লা লৈরিবা মফমসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লমদমশিংগী পাউ কুপ্না লৌরম্মী। অদুবু মীমাঙ থোক্লা অদুগুম্বশিংদু উৎলুবা নত্রগা রাজনিতিগী লমদাংসিদা য়ৌশিন্না চঙশিল্লুবদি য়াদ্রি, মরমদি কছারদা লৈরিবা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংসিনা কছারদা নত্রগা মনিপুরদা লৈপাক মরা তপ্না পাল্লিবা অদুদা ঈরাং থোকহল্লক্কদবা, লানহৌ খোঙজঙ শাগৎলক্কদরা হায়বসি কছারদা লৈরিবা বৃটিশ সুপরিন্টেন্দেন্ট, মহাক্কী থানা / চৌকী (Outpost) শিং অমসুং বৃটিশকী মী নত্রগা মীচঙশিংনা য়াম্না কুপ্না অমসুং হকচিন্না য়েংশিল্লিবনি অমদি চেকশিন্ন শেন্নরিবনি। হায়রিবসিগী মথক্তা মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুমখোয়গী নিংথৌমচা ফুরুপসি মমাঙদগী, হায়বদি সনা-চহি-অহুমসিগী ময়াম্বুং ত্রিভূবনজিৎ, ময়াম্বুং রামসিং, ময়াম্বুং তিলানতাবনচিংবনা খৃঃ১৮৪১গী মে-জুন্দা কছারদগী লাম্মী খোমদুনা লানহৌরগা মনিপুরগী কাঞ্চিপুর কোনুং য়ৌনা চঙশিন্দুনা লান্দরুবদগী কছারগী বৃটিশ সুপরিন্টেন্দেন্টকী অশাওবা অমসুং মলোম কোক্ত্রিবনি। ময়াম্বুং ঈবুংঙো ত্রিভূবনজিৎনা কছারদা শান্নরম্বা লাংলৌ অমসুং অদুনা সুপরিন্টেন্দেন্টনা মখোয়গী মচীন-মনাউশিংগী মফমদা হকচিন্না য়েংদুনা লৈরিবনি।

ভারতকী সিফাইহি লালহৌ থোক্লকপা

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্না রাজনিতিগী লমদাংসিদা ঈ-পাউ পুন্নমক্তি লৌরগা চঙশিল্লুবদি য়াদা / চাসি মরু, হুন্দোক্লসি মতোং ওইনা খম্মুক্লদুনা লৈরিবৈগী মতমসিদা লল্লোনপোৎ পুদুনা লাক্লগা লৈঙাক্লোনগী খুৰ্জীসু পায়শিনখিবা বৃটান্নিক মচাশিংগী লৈঙাক- ৱায়েন- থৌদাদা পেন্নদ্রবা ভারতমচাশিংনা মখোয়গী অহানবা নীঙতম-লানগী খোঙহৌ, মীরুটকী বামোনমচা মঙ্গল পান্দেনা লমসিগী বেরেকপুর কৌবা মফমদা, নত্তবা ৱা ঙাংলকপা বৃটিশ ওফিসার মচা অমা কীন্না থিনগায়দুনা হৌদোকখি। মসিগীদমক্তা মঙ্গল পান্দেবু বৃটিশশিংনা খৃঃ১৮৫৭ কী মার্চ২৯দা ফাঁর্শি তৌদুনা হাৎৎরম্মী [B.C., 1994.110]। মসিদগী মঙ্গল পান্দেগা বৃটিশকী সিফাই খনমিন্নবা হিন্দু, মুস্লীম, শিখ, গুর্খানচিংবগী সিফাইশিংনা চহিসিগী মে ১০দা নোংমৈ মখোল থোকহন্দুনা মীরুটকী বৃটিশ ওফিসারশিংগী মথক্তা লানহৌদুনা বৃটিশমচাশিং হাৎলগা মখোয়গী জেলদা থমলিবা ভারতবাসি সিফাইশিংবু জেলদগী লৌথোকখিরম্মী[বঃকঃশঃ, ১৯৯৮,৫৮]। মসিদগী সিফাই লালহওগী ঈরাংসি দিল্লিদা শন্দোক্লকখি অমসুং মদুদগী বঙ্গদেশ, অযোধ্যা, রোহিলখন্ড, ডোৱাব, বুন্ডেলকন্ড, মধ্যপ্রদেশ, বিহার, পঞ্জাব, ইন্দোর, গ্বলিয়র,ঝান্সি, রাজস্থান, মহারস্ত্র, হায়দ্রবাদনচিংবদা শীন-থুংনা চৎখিদুনা ভারতবর্ষগী কাচীন-কোয়া য়ৌনা শন্দোক্লক্লম্মী[B.C., 1994,১১০-১১১]। হায়রিবা সিফাই লালহওসিদা পুন্না মী ১,৫০,০০০ শিখি অমসুং মসিগী মনুংদা মী লাখ অমরোমদি মীচম্লি হায়না পীরি [বঃকঃশঃ, ১৯৯৮,৬০]। ভারতবর্ষদা খৃঃ১৮৫৭ মে ১০দগীহৌদুনা থা ৫।৬ লোম মৈবুল পাইবগুম কোয়পাই পাইদুনা ভারতবর্ষগী মফম শীনবা থুংলক্লিবা সিফাহী লালহওগী ঈ-পাউসি কছারগী সোনাইমুখতা লৈরিবা মৈদিংঙুচা সনা-চহি- অহুমদি ফংখ্রে। অদুবু মনিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ নিংথৌনচিংবদি পাউ অমতা তাদ্রি, মরমদি মখোয়দা পাউসি পীগদবা মরুপ শাদুনা মনিপুদা লৈরিবা বৃর্টিশকী পোলিটিকেল এজিন্ট ৱিল্লিয়ম মেকুল্লোক্লা পাউ পীদে অমসুং তাক্তে, মহাক মশা পাউ পুম্নমকসি কছারদা লৈবা বৃটিশ সুপরিন্টেন্দেন্টগী ফংবা খৃঃ১৮৫৭গী মে থাসিদগী অদুম খঙঙি। অদুবু লালহওসিগী খোঙচৎসিনা খৃঃ১৮৫৭সিগী নবেম্বর থাগী থাখায় লানশিল্লক্লবদা চিট্টাগোংদা লৈরিবা ৩৪শুবা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফেন্ট্রীগী সিফাই কম্পনী অহুম্না চহিসিগী নবেম্বরসিগী তারিক ১৮দা মখোয়গী বারিক (Barrack) মনুংদা নোংমৈ কাপ্তুনা মখোয়সু লালহওরে হায়না ফোংনা খঙহল্লকখি [H.K.B., 1960,175]। হায়রিবা লালহও-লুপ অসিনা পান্দম্লিবদি- নোংপোক

বঙ্গগী সীলেট ডিভিজন্দা লৈরিবা সীলেট সহরদা য়ুম্ফম ওইদুনা লীংলিবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী নোর্থ-ঈষ্টরন ফ্রোন্টিয়ারগী বেজ-হেডক্কার্টর্স অদু থুগায়বনি। মখোয়না মখোয়গী পান্দমসি ফংননবগীদমক্তা চিট্টাগোংদগী সীলেট ফাওবা চৎকদবা খোঙচৎসিগী অহানবা খোঙথাং ওইনা চিট্টাগোংগী চীঙলক-মাল্লক্তগী ত্রিপুরাগী জঙ্গলগী উমং-ৱামংশিংদা চঙশিল্লক্লম্মী [লঃচঃসঃ, ১৯৭০]। মখোয়না অশুকপা উমংগী অরোনবদা লন্মীদা চৎলিবসি বৃটিশ লান্মীশিংনা মখোয়গী মথক্তা লান্দারক্তুনা মখোয়গী পান্দম ফংহন্দনবগী হোৎনরকপদু ঙাকথোক্লনবগী খুজীন-থৌরাংগী ওইবা মিৎয়েংদা থমদুনা চৎলিবনি। মখোয়না য়ারিবা মখৈ লোন্না চত্তুনা সীলেট য়ৌবা অমসুং মফমদুগী হেডক্কাটর্সদু থুগায়বা পাল্লম্মী।

লালহওবা সিফাইশিংনা সনা-চহি-অহুমগা উন্নবা

৩৪ শুবা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফেন্ট্রীগী সিফাহী লালহওদা য়াওরবা কম্পনী অহুমগী সিফাইশিং অদুনা ত্রিপুরাগী জঙ্গলশিং ফাওদুনা লাক্লগা খা-নোংচুপ থংবা কছারগী ঙমখৈদা থুংলরম্মী। মখোয়না মফমদুদগী অৱাং পাংনা হাইগত্তুনা লোক-তায় অমসুং উমং-ৱামংগী খোঙলম্বী ইন্দুনা অদুম্মক চৎলম্মী। মখোয়না কছারগী ঙমখৈ হেক লানশিল্লকপদগী কউারগী মনুংদা লৈবা মরু ওইবা লুচিং-লমজিংবশিং নত্রগা মচীন চৎপা, মহাক্কী মৱা/ ময়াথং অতোপ্পনা ইনবা খুনবু -খুঞ্জাহনশিং, লুপ্লাক- খুল্লাকপশিং,অমসুং খুন্নিংথৌ-খুনসেনপতিশিং নত্রগা মখোয়বু লমজিংবিবা ঙম্বা অমসুং মতেং পাংবীবা য়াবা মীওইশিং থিরকপনি। অদুবু মখোয়না অদুগুম্বা মীওই ফংদদুনা খুঞ্জা খরনা লমজিংদুনা লাকখিবনি। মখোয়না উমং-ৱামংগী মরুম থুপ্পুনা অন্দরগ্রাউন্দগী ফিবমদা চঙশিল্লকপসিদা মৈতৈ নিংথৌমচা সনা-চহি-অহুমগী খুৎপুগা খা-নোংচুপ থংবা কছারগী উমং অমদা থেংনখিরম্মী। মৈসিংঙুচাসি, কছারদা পোকপা, চাওরকপা অমসুং লৈরিবা মীওইনিনা বেঙ্গোলী, হিন্দুস্থনী, কছারীনচিংবা লোনশিং নীঙথিনা খঙবা অমসুং হৈবা মীশক্কি। অদুনা মহাক্কী খুৎপুগা সিফাহী লালহওগী লাক্লিবা সিফাইশিংগী লুচিংবশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মদুদগী মখোয় মশেন নীঙথিনা ৱাখল ফাওনরবা মতুংদা লালহওরিবা সিফাই পুন্নমক্তুগা মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম অমসুং মহাক্কী কাংবুগা শকখঙ-মায়খঙনরগা মখোয়-মখোয়না তৌগদবা মথৌশিং য়েম্থোক্লদুনা লম্লান্নরম্বা লুপ অনিদু অমতা ওইনা পুনশিন্নরগা পান্দম অমতগী মখাদা থবক চঙশিনমিন্ননবা য়ানখ্রে। অসুম্না ৩৪শুবা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফ্রেন্ট্রীগী সিপোই ম্যুটিনীগী লানহৌবশিং অদুগা মৈতৈ নিংথৌমচা

সনা-চহি-অহুম (রনজিৎ / নরেন্দ্রজিৎ)কী মীশিংগা পুনখি অমসুং সনা-চহি-অহুমনা মায়কৈ অসোমগী, হায়বদি মতমদুগী অৱাং নোংপোক থংবা ভারতকী লমদম অদুগী মীচম-মীয়াম(Civil/Public)গী ওইবা সিপোই ম্যুটিনীগী খৃঃ১৮৫৭গী লানহওদুগী লুচিংবা লাঞ্জিংলেন ওইখিরম্মী [P.C., No 139, & L.F.M. 12-2-1858]।

চিট্টাগোংদা পোষ্টিং লৈবা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফ্রেন্ট্রীগী কম্পনী অহুমগী সিফাইশিংনা খৃঃ১৮৫৭কী নবেম্বরগী তারিক ১৮দা ফোংনা লান হওরবা অসি ফাওবদা সীলেট লাইট ইনফ্রেন্ত্রগী ভারতমচা সিফাইশিংদু মখোয়না বৃটিশ সরকারবু থাজজবদু মাঙলমদে। অদুনা মখোয়বু মখোয়গী মবুংঙো বৃটিশ মচাশিংদুনা থাজবীবদুসু মাঙহল্লমদে। অদুনা মখোয়না লানহওরিবা সিফাইশিং অদুগী মায়য়োক্তা লেপ্তুনা বৃটিশশিংগীদমক্তা লান শোক্লবীননবা শেম-শাদুনা লৈরি [বঃকঃশঃ, ১৯৯৮, ৬৯]। ভারতকী দিল্লি, উত্তর প্রদেশনচিংবদা থোক্লিবা সিপোই ম্যুটিনীগী ঈ-পাউসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ১৮৫০-৮৬)না লানহওবগী চহিসিগী জুলাই-আগষ্টতা ফংলম্মী। মতমদুদা মহারাজসিনা পোলিটিকেল এজেন্টকী মনাক্তা চত্তুনা মশামক্তা বৃটিশনা অৱাবা তারিবা মতমসিদা মতেং ওইনবা করি তৌবা নত্রগা পাংবা য়াবগে হায়না হংলম্মী। অদুবু পোলিটিকেল এজেন্ট মেকুল্লোক্লা মতম অদুদা অৱাং-নোংপোক ভারতকী লমদমদা লৈরিবা সিফাইগী রেজিমেন্ট, বেটাল্লিয়নশিং, সীলেট লাইট ইনফ্রেন্ত্রীনচিংবদা লানহৌবা য়াওনীঙবগী ঈরাং লৈতবা অমসুং ঈঙ্গিৎ ফংদবনা করিসু তৌনীঙগাই লৈতে হায়দুনা থাদোক্লকখিবনি। অদুবু বেঙ্গোল নেটিভ ইনফ্রেন্ত্রীগী কম্পনী অহুমগী সিফাইনা চহিসিগী নবেম্বর ১৮দা সিফাহী লানহও য়াওশিল্লকপসিদদি পোলিটিকেল এজেন্ট মেকুল্লোক্লা লাই শারকখি। মহাক্লা তৌখিবা ৱাফম অমসুং থবক্তুগী মচেক-ময়াদা ফোংদোক্লিবা ৱারোন্দি:-

........Advantage was taken of the arrival of the mutineers by some of the Manipur chiefs in Cachar and several joined them with a view of getting their aids in overthrowing the Manipur Government. Among them was Nurendrajit or Chai Aham ("Chai Aham", three years, so called as he was supposed to have been three yrears in his mothers womb), a younger son or Chourajit Singh, he was made prisoner and handed over to the British Officers; he was everntually transported.[E.W.D., 1987,47]

অসিনি। মেকুল্লোক্লা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা অহানবা হংবদগী থৌশাদরগা ঈকাই খাঙগী কং কোৎলি হায়দুনা সনা-চহি-অহুমনা নিংথৌ সিংহাসনগীদমক্তা সিফাহী লালহওগী সিফাইশিং পুদুনা মনিপুরদা লান্দারক্লগনি, অদুনা মনিপুরগী লমখৈ ঙাক্লনবা লান্মী থাসি, সিফাহী লালহও লান্মীশিং মনিপুরগী লমখৈ মনুংদা চঙহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না হায়খিব [বঃকঃশঃ,১৯৯৮,৭৬-৭৭]দুদগী থোকহল্লকপা মহৈনি। হায়রিবা মনিপুরগী মনুংদা সিফাহী লালহওগী সিফাহীশিং চঙহন্দনবা ঙমখৈ ঙাকপগী থৌরাংসিগী ওইবা ঈ-পাউশিংদি:-

.......লাইশ্রম বলদেবগী কুম শক ১৭৭৯....ৱাকচিং থা..... ৯নি ঈরাই (খৃঃ১৮৫৭গী ডিসেম্বরগী অরোয়বা চয়োনগী ঈরাই তাবা নুমিৎ)দা হিন্দুনা ফিরিঙ্গি থুগায়রে, মৈতৈরম লাক্কনি হায়দুনা নোংমৈ ৫রক থাই। নামৈরাকপা মেঞ্জোরনা চিংদুনা সিফাই ৬০০ চৎলে।। জিরি য়ৌএ ।।[চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,৩৩৬]।

......The Political Agent, on hearing of the Chittagong mutiny, asked the Raja to send a body of his troops to the frontier to prevent the mutineers entering his country; this was at once done and 400 men under two majors despatched. These troops did good service, and captured a number of the mutineers who given up to the British officials. It is supposed that nearly, if not all the mutineers were killed, captured or perished miserably in the jungles of the Manipur and Kuki hills.

[E.W.D.,1981,47]

অসিনি। মনিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লনবা লান্মী থাবগী ৱাফমসি ৩৪শুবা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফ্রেন্ট্রীগী লানহওবা সিফাইশিংগা সীলেট লাইট ইনফ্রেন্ট্রীগা লাটু (সীলেট অমসুং অৱাং থংবা কছার অনিগী মরক্তা লৈবা লম অমা)দা খৃঃ১৮৫৭কী ডিসেম্বর তাং ১৮দা লান্থেংনখ্রবা, বৃটিশ লান্মীগী সীলেটদগী লাঞ্জিংলকপা মেজর বীঙ(Major Beeng)হাৎখ্রবা, অমসুং লেফটেনেন্ট রোজ (Lieuenant Rose)দা অচৌবা লান্মী মপৈ অমা পীদুনা থোমজিল্লক্লগা মুটিনীয়রশিংবু তানখায়দুনা মায়কৈ খঙদনা চেন্নখ্রবা মতমসি [বঃকঃশঃ,১৯৯৮,৭১-৭৪]গী মতুংদনি।

সনা-চহি-অহুম্বু জিরিদা ফাবা

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্মা ৩৪শুবা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফ্রেন্ট্রীগী চিট্টাগোংদা লৈবা সিফাইশিংনা ভারতকী অহানবা ফ্রিদম মুভমেন্টকী সিপোই মুটিনীদা য়াওবা সিফাইশিংগা অৱাংথংবা কছারগী লমদমদা থেংনদুনা তীন্নখিবসিদগীদি ম্যুটিনীয়রসিগী চীঞাক পীবা, তুস্ফম চাফম শীনবা, মখোয়গী অৱা-অনা, অশোক-অপন্নচিংবা য়েংশিনবা অমসুং মখোয়বু মফম চাবদা লমজিংদুনা পুবা অমসুং থম্বসি মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্মা লাঞ্জিং-পুরেন অমা ওইনা মহাক্কী মথৌ ওইরে অমসুং মথৌদু নীঙথিনা পাথোক্লে। ম্যুটিনীয়রশিংদুগী পান্দম মতুং ইন্না সনা-চহি-অহুম অমসুং মহাক্কী মীশিংনা লমজিংদুনা অৱাংথংবা কছারদগী নোংচুপলোমদা সীলেটকী মপা তমদুনা চঙশিল্লক্লম্মী। মখোয়না চহিসিগী ডিসেম্বর ১৮দা লাটু(LATU) কৌবা মফমসিদা চঙশিল্লকপা মতমদা মেজর বীঙনা কম্মান্দ তৌবা সীলেট লাইট ইনফ্রেন্ট্রী বেটালিয়ান, মতুংদা খৃঃ১৮৮০-৮৮ ফাওবদা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফ্রেন্ট্রীগ ৪৪শুবা বেটালিয়ান ওইরক্কদৌরিবনা পেট্রোল লাকপদা থৈদোক-নাথৈনবা য়াদবা মওংদা লৈবদগী মায়োক্লনা লান শোক্লখিরম্মী। লাটুগী লানফমদুদা সিফাই লালহওগী সিফাইশিং অমসুং মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুমগী মীশিংগনা থৌনা ফনা লান্থেংনদুনা পেট্রোল্লিং পার্টীদুগী কম্মান্দিং ওফিসার মেজর বীঙবু হাৎপা ঙমখি। অদুবু থীন্থবা তৌদনা লেফটেনেন্ট রোজনা লুচিংবা অচৌবা লান্মী মপৈ অমা থোমজিল্লক্কুনা ম্যুটিনীয়রশিংগী মথক্তা লান্দারকখিরম্মী।

বৃটিশকী থোমজিল্লক্লিবা লান্মী মপৈদুগা লাম্বা তৌনবদা অশোক-অপন অমসুং অশি- অনা কয়া মুটিনীয়রশিংদুগী মায়কৈদা নংলম্মী অমদি মখোয়গী মফমদা খুদোংথীবগী মমিনা ইন্নদুনা লৈরবদা সনা-চহি-অহুম অমসুং মহাক্কী মীশিংনা মখোয়বু লাটুদগী অৱাং থংবা কছারদা ঙাক-শেন্দুনা পুথোকপীরক্লম্মী। অদুগা অমুক মখোয়বু নীঙথীনা থুপচফম ফংনবগীদমক্তা অৱাং থংবা কছারদগী মনিপুরগী লমদমদা পুননবগীদমক্তা জিরি তুরেনগী ওয় / নোংচুপ থংবা তোবর্বনগী মায়কৈদা লৈবা উমংদা পুশিল্লক্লম্মী। অদুবু অৱাবদি মতমদুদা বৃটিশ ইন্দিয়াগী মনুং চন্দবা লমদমদুদা বৃটিশকী মীচঙদা লেপ্পুনা মৈতৈ / মনিপুরগী সিফাই লান মীনা ম্যুটিনীয়রশিংবু চঙহন্দনবা ঙমখৈ ঙাক্কুনা লৈরম্লে। চঙলুরবদুদদি হন্দোকপসু য়াদ্রদুনা মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুমগী খোঙলোই মৈতৈ মচাশিং অমসুং ম্যুটিনীয়র সিফাইশিংগা মৈতৈ সনা কোনুংগী লান্মীশিংগা খুৎ থোক্লদুনা নোংমৈ কাপ্পরে। সনা-চহি-অহুমগা খৃঃ১৮৫৮গী

জানুৱারী থাদা জিরিগী উমংদা লান্থেংনখিবা মৈতৈ সনা কোনুংগী সিফাই লান্মীসি মশীঙ ৪০০নি অমসুং মখোয়গী লাঞ্জিংলেন্না পোৎশঙবা হঞ্জবা রোমা সিংহ (মহাক পুখ্রনবা অমসুং মেজর, তোপ মেজর অমদি ফুল জেনরেলগী ফমশিং ফাওবা ওইখি)নি। লানফম অসিদা মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম নোংমৈনা শোকখি অমসুং য়েক্লবগী বন্দী ওইনা ফাখি। মহাকপু ফারবা মতুংদা জিরিদগী ইম্ফাল য়ৌনা পুরগা লোংজাম্বা রোমা সিংহনা মনিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজদা কৎখিরম্মী। মৈদিংঙুচাসিনা ইম্ফালদা য়ৌরকপসিগী ৱারোন্দি:-

......লাইশ্রম বলদেবগী কুম শক ১৭৭৯......ফাইরেন (২শুবা)থা ১১নি নিংথৌকাবা (খৃঃ১৮৫৮গী জানুৱারী তারিক ২৫)দা ময়াম্বুং ইবুংঙো চহি ৩ ময়াংদগী থুংলৈএ।।

[চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,৩৩৫]।

অসিনি। মৈতৈগী সিফাইনা ফাবা লানফা মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্বু বৃটিশকী লানফা ওইনা নত্ত-ওইদবা মরালশিং শীজিন্দুনা বৃটিশকী ব্লেকলো (Black law of the British), হায়বদি - Might is Right শীজিন্নদুনা ৱায়েল তৌরগা থৱাই হাৎপগী চৈরাক্তগী থৈথরক্তুনা কালাপানি(আন্দমান ঈথৎকী পোর্ট ব্লেয়ার জেল)দা মপুন্সি চুপ্পা থম্লনবা চৈরাক পীখিরম্মী। অদুগা ভারতকী সিফাই লালহও নমথবদা থবক য়াওবা অমসুং মতেং পাংবা ওইনা মৈত্রবাক্কী মীওই ১০ (তরা) খক্তী লানসিগী ওইবা ম্যুটিনী এৱার্ড (Mutiny Award)পীখি। মনা ফংখিবা মীওইশিং অমসুং মখোয়গী মনাশিংদুদি:-

১)	রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ	-	(1)Dress of Honour. (II) A sword. (III) A belt (leather)
2)	লোংজাম্বা রোমা সিং, পোৎশঙবা হঞ্জবা	-	Mutiny medal (special award)
৩)	চীঙঙাখম্বা, পুখ্রনবা	-	Khillut or Robe of honour
৪)	চীঙঙাখম্বা দেৱান	-	-do- -do-
৫)	নেপ্রা, শেল্লুংবা	-	-do- -do-
৬)	সৌগাইজম শেল্লুংবা	-	Khillut or Robe of honour
৭)	নন্দবাবু লাইরিকয়েংবা হঞ্জবা	-	-do- -do-
৮)	নামৈরাকপা মেজর	-	-do- -do-
৯)	ঈবুংশীজ হাওজৌমচা মেজর	-	-do- -do-
১০)	লৈহাওথাবম গোকুল ঠাকুর	-	-do- -do-

অশিনশিংসিনি। হায়রিবা মনাশিংসি, বৃটিশ ভারত সরকারগী খুথাংদা য়ুনাইটেড কিংদমগী মহারাণীনা পীরকপনি। মসিশিং পীরকসিগী ৱারোল্দি মখাগীসিনি:-

.........In 1859 at the recommendation of the Political Agent, the Raja was presented with a dress of honour, sword and belt; at the same time eight of his chief officers received Khilluts. These gifts were expressive of approval of conduct of the Raja and his officers during the mutiny. One Major Roma Sing also received the mutiny medal, he having been actually engaged with the mutinous sepoys from Chittagong. [E.W.D., 1981,47]

সনা-চহি-অহুম্মা নিংথৌ ফম্বাল পামবা নত্রগা কল্লক-মিহৎওবগী পুকচেল লৈখিদে

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম নত্রগা রনজিৎ, বৃটিশশিংনা "নরেন্দ্রজিৎ সিংহ" হায়না মিঙ্গৌনবসিগী ৱাখন্দা নিংথৌমচা ওইবগী নিংথৌ-ফম্বালদা মিকাবা অমসুং মিতাবগী মওং-মতৌ অমদি মচৎ-লমচৎসি খক লৈখিদে। বৃটিশ ওফিসারশিংদা মপাঙ্গৈবুংঙোনা ৱাচৎ-ৱানোমদুনা নীজবগী ৱা ওইরব [লঃচঃসঃ,১৯৭০,৫১]গী অমসুং মপাবুংগী উত্তরাধিকারী ওইনা বৃটিশশিংনা নিংথৌ খুবম পীবগী ৱাফম ওইরব [মথক্কীসিদা,৫৪]দি খঙদ্রে, মৈত্রবাক্কী চৎন-লেনাচৎ, চৎলম -লুপতীন্নচিংবগী মায়কৈদা অমসুং য়ুম্ফমদা মিৎয়েং থল্লবদি চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহদগীদি মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্মা মৈতৈ নিংথৌগী সিংহাসনগী ওইনদি হক য়াম্না কনবা, হকপা অমসুং চাওবা হেল্লি[মথক্কীসিদা,৫১-৫২]। মনিপুরসিবু মতমদুদা বৃটিশনা পাল্লব্রা ? নিংথৌ ফম্বাল পামনবগী লাইচুরবশিংনা বৃটিশশিংবু মনিপুরগী রাজনিতিদা খুৎ থিংজিনহনখিগনি [মথক্কীসিদা,৫১]। ভারতকী সিফাই লালহওগী মতাংদা হান্ননা মেকুল্লোক্তা লালহওসিদা তেংবাংগে ৱানোমলুবা অমসুং মতুং তারকপদা তেংবাংলিবসিসু নিংথৌ সিংহাসনগা মরী লৈনননি। অদুগা লানফা ওইনা ফাদুনা লৈরবদুদা লৈপাক্কী য়েংবা ফাওবদা কল্লকপা পোক্লিবা মতৌ[বঃকঃসঃ,১৯৯৮,১০০]অদুগুম্বদু মৈতৈ নিংথৌমচা সনা-চহি-অহুমগী পুকচেলদা লৈখিদে। লাইবক্লা পুবা মায়কৈদা চত্তুনা

অৱা-অনা তারবশিংগী মতেং পাংবদুনা নিংথৌ ফম্বালদগী হেন্না মমল লৈ খন্দুনা মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্না ৩৪শুবা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফ্রেন্ট্রীগী মতীক চাবা খুৎলাই পায়রক্লবা কম্পনী অহুমগী সিফাই (মী ৮০০দগী তাদবা) শিংদু কছারগী জঙ্গলদা শকখঙ-মায়খঙনরগা মশানা নিংথৌ ফম্বাল কল্লকপীদবা মশাগী ফম্বাল ফংননবগীনি খন্দুনা মনিপুরদা পুশিল্লক্লমদবনি। করিগুম্বা নিংথৌ ফম্বালগী ওইনা পুশিল্লক্লম্বা থোক্লবদি মতমদুদা মনিপুরদা লৈরিবা শক্তিং / মপাঙ্গল অমতনা থিংবা ঙম্লরোয়দবনি। হায়রিবা ৱাফমসি, মেকুল্লোক মশামক্লা চন্দ্রকীর্ত্তিগী মফমদা সনা-চহি-অহুম্না ম্যুটিনীয়র পুদুনা লান্দারক্কদৌরে, হায়জিল্লবসু ভারত সরকারদা ৱারোল থাবদা অমসুং লৈঙাক্লোনগী তান-খন্নবদা হায়দোকখ্রবা ৱাহৈনি। মসিগী অফংবা ঈ-পাউদি:-

(i)........ডিসেম্বর তাং ২৫দা লাটুদা থেংনখিবা লান অদুগী মরম পুম্নমক তারম্মী। কছারগী মনিপুরীশিংনা লালহওবা কাংবু অদু মনিপুর তান্না পুরক্কদ্রা হায়না চিংনরম্মী। করিগুম্বা লালহওবা কাংবু অদুনা জীরিরোমদা লাক্লগা মনিপুর তারক্কদ্রা হায়না চিংনবদগী অদুগা এজেন্টনসু হায়জবদগী মনিপুরগী লাম্মী ৪০০ খক মেজোর অমগী মখাদা লালহওবা কাংবু অদুবু থিংনবা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জীরি ফাওবা থাখি। সিফাই লালহৌবা কাংবু অসিগী মতেং লৌরগা নরেন্দ্রজিৎনা মনিপুরগী নিংথৌ ওইগে হায়না খল্লবদি মহাক্লা মায় পাকপা য়াবগী খুদোংচাবদু লৈরবনি [লঃচঃসঃ,১৯৭০ ,৯৯-১০০]।

(ii) লাটুগী লানফম অমসুং লান অসিগী মমাঙদা মনিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল অসি নিংথৌমচা সনা-চহি-অহুম্না মমাঙঙৈদগী নত্রগা মতমগী মতুংইন্না করিগুম্বা পাম্লক্লম্লবা নত্রগা সিপোই ম্যুটিনীগী ম্যুটিনীয়র সিফাইশিং অসি সিলেটলোমদা হাননা চৎহন্দনা মনিপুররোমদা হাননা পুরক্লগা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল লায়না লৌবা ঙমগনি-হায়বসি পোলিটিকেল কন্সলটেন্টেনা মখোয়গী সুপ্রীম গর্ভনমেন্টতা খঙহনখ্রবনি[বঃকঃশঃ,১৯৯৮ ,৭৫&P.C.N.139 dt 28-5-1885]। অসিশিংসিনি। অদুগা অকোনবগী ৱাফম নত্রগা ৱারোলসিগী অচুম-অরানগী ৱারম নৈনবা অমসুং খন্ন-তানবদা পীরিবা ৱারোন্দি:-

.......৩৪শুবা বেঙ্গোল নেটিভ ইনফ্রেন্ত্রগী লাম্মীশিংগী নবেম্বর তাং ১৮গী চিট্রাগোংগী লানহওবগী ৱাথোক-লাম্থোকসি মনিপুরদা মী কনা অমা ফাওবা তাদ্রি। অদুগা মসি তারম্বা য়াবা মীশকসি পোলিটিকেল এজেন্টনি, অদুবু মহাকসু ম্যুটিনীয়রশিংগী মওং, মফম, মচৎনচিংবা অমতা

মওং- মরীন তানা মফম-মরাং খঙনা তাদ্রি, খঙদ্রি। অদুবু লাটুগী ডিসেম্বর ১৮গী লান অসিগী পাউ অসি মনিপুরদা থাসিগী তারিক ২৫দা তারম্মী অমসুং লানফম থাদোক্তুনা চৎখ্রিবা ম্যুটিনীয়রশিংদু নোংপোক্লোমদা মনিপুর তমদুনা চৎখি-হায়বসিমসু তারম্মী। পাউ অসি হেক তাবদগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরিবা মেকুল্লোক্লা লাই শাবা হৌখ্রে। মরমদি মনিপুরদা লৈরিবা মীয়াম-মীচমশিং, অঙম-অথৌশিং অমসুং নিংথৌ মচা ফাওবা সিপোই ম্যুটিনীসি মরম করিগী হৌরিবা লানহৌনো হায়বসি খঙদে-হায়বসি মেকুল্লোক্লা খঙলম্মী। অদুগা পোলিটিকেল এজেন্টসিনা সিপোই ম্যুটিনীগী মায়কৈ অসোমগী লাঞ্জিংলেন ওইরিবা সনা-চহি-অহুম্বু য়ারমদে অমসুং পাল্লমদে। অদুগা মহাক্লা নিংথৌ ওইনীঙলমগনি হায়বা মঙ অমা মতোমতগী ওইনা শাগৎলগা, মদুগী হুদু মৈতৈ নিংথৌদা কামশিল্লম্মী [বঃকঃশঃ,১৯৯৮ ,৭৫- ৭৬]।

অসিশিংসিনি। হায়রিবা ৱারমশিংসি বৃটিশকী পোলিটিকেল কন্সলটেসন, খৃঃ১৮৮৫ মে ২৮গী মশীঙ ১৩৯ অমসুং মেকুল্লোক মশামকসিনা ভারত সরকারগী সেক্রেটরীদা ১৮৮৫গী ফেব্রুৱারী ১২দা ইখিবা রিপোর্ট অদুদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। অদুগা পোলিটিকেল কন্সলটেসনগী চেরোলসিদা সনা-চহি-অহুম্না মশা নিংথৌ ওইনবা হোৎনখিদে, হায়বদি নিংথৌ ফম্বাল পামদে নত্রগা কল্লক্তে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। মরমশিং অসিনা সনা-চহি-অহুমসি মমাঙদা তারবা নিংথৌ সিংহাসনবু কল্লকপীখিদবা মৈতৈ নিংথৌমচা তরুক– শ্যামশাই খুরাইলাকপা, আনন্ত শাই মন্ত্রী পুন্সিবা, হেরাচন্দ্র (তাকু নিংথৌ), রাজা নর সিংহ, সনা-চহি-অহুম অমসুং যুবারাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ (কোইরেং যুবরাজ) অমদি ৱাংখৈমযুম মচা অনি — ৱাংখৈ চীঙঙা য়াঙবা অমসুং ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামগী মনুংদা চল্লিবসিনি।

কালাপানী (পোর্টব্লেয়র)দগী শকলোৎখিবা

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্বু ভারতবর্যগী নীঙতম ঈহওগী অহানবা খোঙজঙ সিফাহী লালহওগী অৱাং-নোংপোক ভারতকী লাঞ্জিং-পুরেন ওইবগী মরাল শীদুনা মনিপুরদা লৈবা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট অমসুং কছারদা লৈবা বৃটিশ সুপরিন্টেন্দেন্টনা বিচার তৌরগা থৱাই হাৎপগী মরালগী মহুত্তা মপুন্সি চুপ্পা কালাপানী (পোর্ট ব্লেয়র জেল)দা লোই থাদুনা জেলদা লৈহনবগী চৈরাকসি পীদুনা মহাকপু মনিপুরগী মপান্দা মীনুংশিগী ওইবা ৱায়েল চত্থবগী মিংদা পুথোকখিবসি খৃঃ১৮৫৮দনি। মহাকপু মনিপুরগী মপান্দা পুথোকখিবগী লমদাংসিদা চৈথারোল কুম্বাবনা পীরিবা

ৰারোন্দি:-

.........য়ুম্মাম চাওবগী কুম শক ১৭৮০.........কালেন থা..... ২নি (খৃঃ১৮৫৮গী এপ্রিল তাং ১৫) শগোলশেন্দা ইবুংঙো চহি ৩ ময়াংদা থাজিনখি- এ [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,- ৩৩৬]।

অসিনি। কছারদগী মহাক হাজরীবাগতা পুরগা মফমদুদগী অমুক কলকটা (কোলকতা)দা পুরগা মদুদগী জহাজ তোংদুনা আনন্দমান ঈথৎকী পোর্টব্লেয়ার সহর য়ৌগদবনি। অদুগা মহাকপু মফমদুগী জেলদা থাজিনগদবনি। হায়রিবা পরীংসিদা মহাক কালাপানীদা থুংখ্রে। অদুবু মহাক্কী করিগুম্বা ঈ-পাউ অমতা ফংবা ঙমদনা মহাক কালাপনীগী জেলদা চঙখিরম্মী।

"সনা-চহি-অহুম" হায়রিবা নিংথৌ মচাসি পাক চাওখ্রবা সমুদ্রগী ঈশিংনা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা লৈরিবা বঙ্গোব সাগরগী আন্দমান ঈথৎসিদগী মহাক্না জেলসিদা থুংলবা মতুং চহি অহুমলোমগী মনুংদা শক লোৎখিবনি। মহাক্না হায়রিবা ঈথৎকী জেল অসিদগী করম্না নাম্থোক্তুনা মহাক্কী পোক্লফম লমদম কছারদা শকলোত্তুনা হল্লকখিবনো হায়বসিগী মরমদা লাইওই-তীনওইবগী অঙকপা মতৌ অমা ওইনা খন্নরিবা অমসুং লৌনরিবনি। মহাক্না পোর্টব্লেয়ার জেলদগী নাম্থোক্লকপা অমসুং সমুদ্রগী পাক্লবা ঈপাকসি জহাজ তোংদুনা লাল্লগা মদ্রাজ বন্দরদা থুংলখিবনি। হায়রিবা মহাক্না জেলদগী নাম্থোক্লকপা খুৎনাম্থোকসিগী মরমদা লেপ্পা লৈতনা অসুম থিজরকপদা কছারগী অহল অমনা মহাক্কী লাইয়েংবা হৈবগী মহৈননি হায়দুনা তাকপীরকখি। ৰাফমদুদা করম্নো মহাক্না নাম্থোক্লক্লিবসি হায়দুনা মখা তানা হংজরুবদা অহল অদুনা লীবীরকখি।

সনা-চহি-অহুম্না পোর্টব্লেয়র জেল য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মফমদুদা থবকপুরিবা জেলর অদুগী নুপী অদু অঙৌবা পকপগী লাইনা (Leprosy)মখল অমনা নারম্মী। হায়রিবা লাইনাসি সনা-চহি-অহুম্না জেলদা লৈররবদা থা অহুম মরি চঙনা লাইয়েংবদগী ফখিরম্মী। অসিগুম্বা সনা-চহি-অহুমগী থবক অসিদা জেলর মতৈ-মনাউদু য়াম্না পেনখিরম্মী। মরম অসিনা মখোয় অনিনা অতৈ অতোপ্পা কনাবুসু খঙহন্দনা মহাকপু হায়রিবা কালাপানী, পোর্টব্লেয়রসিদগী নাম্থোক্লবগী থৌরাং অসি থৌশীনবীখিবনি-হায়না তাকপীরকখি। হায়রিবা ৰাফম অসি ওইথোকপা য়াবগী মরম কয়ামরুম লৈ অমসুং মরু ওইবা ৰারম অমদি কছারদা লৈরিবা মীওই কয়ানা মখোয়গী অহল-লম্মনশিংনা তাকপীরম্বদা মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুমসি সিদ্ধ পুরুষ (Accomplished or semidivine

man) অমা ওইনা তাকপীরম্মী অমসুং মহাক্না শোকপী-থেংবীবদা তীনকোক-লাইকোকপা মীশক অমা ওইনা লৌনদুনা অমদি মহাক্না শকলোত্তুনা হিংলিঙৈদা "ভুবনচীঙগী সাধুবাবা" ওইনা খঙনদুনা মরক-মরক্তা, মরু ওইনা ভগবান শিবগী পবর্বদিনশিংদা শকউৎপীরম্মী-হায়না চেৎনা থাজনৈ।

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম্না পোর্টব্লেয়র জেলদগী নাম্থোক্তুনা মদ্রাজগী হিথাংফমদা থুংলরবদা জহাজগী কুমথরকপদা বৃটিশ সিপোই অমনা মহাকপু কনানো, কদায়দা চৎলুরিবনো নত্রগা কদায়দগী লাক্লিবনো, অসিনচিংবগী মরম খঙদনা অমুক্তং উখি। অদুগা মদুদগী মহাক্না মীয়াম মরক্তা চঙখিবদগী অউবা মীদুগী মিৎয়েংদগী মুৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১১৯-২০]। মফম অসিদগী মহাক্না উপায় অমা তৌদুনা মহাক্কী ময়ুম-ঈংখোল লৈরম্বা কছারগী সোনাইমূখদা লাকখিবনি।

ৱাখোম-ৱারোয়শিন

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুম, কুঠি মিংনা "রনজিৎ সিংহ" অমসুং বৃটিশশিং খঙনবা অমসুং থোনবা মমিংনা নরেন্দ্রজিৎ সিংহ হায়বসি বৃটিশশিংনা ভারতবর্ষদা লোইলম লীংখত্তুনা পানবা মতমদুদা ভারতকী সিপোই ম্যুটিনীগী হাক্তক্তগী শকলোৎপা মীরোৎনি। মহাক কছার জিলাগী মফম অমদা মশাগী মপুন্সিগী মতম লোয়দুনা চাওরাক্না খৃঃ১৮৮৮গী অদুৱাইদা নোঙ্গাখি [মথক্কীসিদা, ১২৬-১৩১]। অদুবু মহাক্কী মচা-মশূদগী শন্দোক্লকপা চাদা-নাউদশিংনা মহাক্না লৈখিদবগী শোরাৎ (শ্রাদ্ধকর্ম্ম) শোনবগী থৌরম ঙসি ফাওবদা পাংথোক্ত্রি অমসুং মহাক শিখ্রে হায়না লৌদে। মহাক হল্লকখিগনি হায়না চেৎনা থাজবগা লোইননা মহাক্কী মপোৎ-মরনশিং-খুরুম, ফিজেৎনচিংববু লাই ওইনা লাত্তুনা থম্লগা মহাক হল্লকপা ঙাইরি। বৃটিশ পেরিওডতা কছারদা খৃঃ১৮৬২-৬৩গী মতুংদা মহাক্কী মমিং পন্নদে, বেঙ্গোলী মরোন্দা "উনি-তিনি" নত্রগা মৈতৈলোন্দা "মহাক" নত্রগা "মহাক্তু" হায়না শীজিন্নদুনা শক্তাক্লে। বৃটিশ সরকারগী য়েক্লবা মীরোৎ নত্রগা শকলোৎপা ওইনা হিংলম্বা অমসুং থুপখিবগী ঈ-পাউশিং লৈ। অদুবু মহাক্কী মোংফম মালেমসিগী লৈমায়গী মচেৎ অমতদা লৈতে। মনিপুর ইতিহাসকী মতমগী মৈতৈ-মলেসকী মরী (Anglo-Manipur Relation)দা বৃটিশশিংবু "শঙাই নঙগী নরৌবু শজি ঐনা খঙঙিনে" হায়না লৈবা, বৃটিশশিংগী খ্বাইদগী হেন্না চাওরবা য়েক্লবশিংগী মনুংদা অমনি।

মৈদিংঙুচা সনা-চহি-অহুমসি নিংথৌমচা ওইনা, মশানা লৌগে হায়না খনবদা লৌবা ঙম্লগদবা নিংথৌ ফম্বালবু লৌখিদবা, পামখিদবা অমসুং কল্লক-মিহৌখিদবা মৈতৈ নিংথৌমচা তরুকগী মনুংদা বৃটিশকী

মথক্তা লাটু-সীলেটনচিংবদা লান্দাবা অমসুং লানহৎওসিগী ম্যুটিনীয়রশিংবু ঙাক-শেন্নবা অমসুং কনবীনবা জিরিগী উমংদা মৈতৈগী সিফাই লান্মীগা লান শোক্লখিবদু মনিপুরগী নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তনি হায়না পাউথোক্লিবসি বৃটিশশিংগী খুৎশেমনি। হায়রিবসিগী ওইনা পীরম্বা চাওরাকপা পাউগী লীখুন অমদি:-

খৃঃ১৮৫৮গী জুনগী তাং ১৫.......দা নরেন্দ্রজিৎকী মীচঙদা য়াওরুবা মনিপুরী তরুকখক কছারগী সুপরিন্টেন্দেন্টনা ফারম্মী। কছার অমদি শিলেটতা লৈবা মনিপুরীশিং অমদি মনিপুরী রাজকুমার (Rajkumar)ময়াম পুল্লগা মনিপুরদা লান্দাগে হোৎনরে হায়না চিংনরম্মী। পাউ অসি ফংবদগী চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা লাম্মী তেঙ্গোন অমা লানহৌবা কাংবু অসিবু থিংননবা থাখিরম্মী। সনা কোনুংগী সিফাইগা নরেন্দ্রজিৎ সিংহগী কাংবুগা লান থেংনরম্মী। লানফম অদুদা সিফাই লানহৌবা কাংবু কয়া মরুম শিখি অদুগা নরেন্দ্রজিৎসু মনিপুর য়ৌননবা চেনখিগে হোৎনবদা ফারম্মী। [লঃচঃসঃ,১৯৭০ ,১০০-১০১ অমসুং বঃকঃসঃ,১৯৯৮,১২৮]।

অসিনি। মসিনা নরেন্দ্রজিৎ সিংহ ওর্ফে ''রনজিৎ'' ওর্ফে সনা-চহি-অহুমগী বিশ্বপ্রেমগী অমসুং স্বার্থত্যগকী থবকশিং অদু মাংথোকপনি। বৃটিশ মচাদবু মশাগী ওইজবা থিবা, লৌনম-নমথাক্লচিংবা তৌবা নত্তনা মশাগী ওইজবা থাদোকপা হায়বগদি লৈবা নত্তে। অদুম্মকপু মতমদুগী বৃটিশ ভারত সরকারগী খৃঃ১৮৫৮গী পোলিটিকেল কন্সলটেসন মশীঙ ১৩৯দা পীরিবা ৱাফম-

.......সিফাই লালহৌবা কাংবু অসিগী মতেং লৌরগা নরেন্দ্রজিৎনা মনিপুরগী নিংথৌ ওইগে খল্লবদি মহাক্লা মায় পাকপা য়াবগী খুদোংচাবদু লৈরবনি [লঃচঃসঃ,১৯৭০,৯৯-১০০]।

অসিদা মিৎয়েং থম্লবদি হায়রিবা রাজকুমার নরেন্দ্রজিৎ সিংহ, ওর্ফে সনা-চহি-অহুমসিনা মনিপুরগী নিংথৌ- ফম্বাল খক পামখিদে, হায়বা ৱাফম অসি শোয়দনা খঙলমগদবনি। অদুবু অসিগুম্বা কথোকপা অমসুং নিংথৌ সিংহাসন কল্লক্তবা, পামদবা অমসুং মিহৌদবগী ৱারী ৱাখোঙসি বৃটিশকী ইতিহাসতা য়াওদবননি অমসুং য়ুরোপীয়ানশিংনা খঙবা ঙমখিদবনি।

মরী- মখোঙ তাকপা

১। চৈথাঃকুমঃ,২০০৫ = লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ চৈথারোল কুম্ববা

(ইম্ফাল-২০০৫)

২। লঃচঃসঃ,১৯৭০ = ডাঃ লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহঃ মনিপুর ইতিহাস (ইম্ফাল-১৯৭০)

৩। বঃকঃশঃ,১৯৯৮ = বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মঃ ভারতকী অৱাং-নোংপোক লমদমগী সিপোই ম্যুটিনীগী লাঞ্জিংলেন সনা-চহি-অহুম....(ইম্ফাল-১৯৯৮) কছারগী অহল

= লাইশ্রম বিধু সিংহ, লাইশ্রমখুন, কছার, মশাগী চহি ৭১ (খৃঃ১৯৯৮ইং)দা

1) B.C.,1994 = Bipan Chandra : Modern India (New Delhi-1994),

2) H.K.B.,1960 = Dr. H.K. Barpujari: Assam in days of the Company (Guahati-1960),

3) P.C.,No.139 = Political Consultation ,28 May, 1858 No. 139,

4) L.F.M.-12-2-1858 = LetterFrom McCulloch to the Secretary to the Government of India, dt.12-2-1885

5) E.W.D.,1981 = E.W.Dun: Gazatteer of Manipur (Delhi-1981)

নিংথৌ- ফম্বাল মিহৌখিদবা
যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ

ৱাহৌদৌক

ঈবুংশী কোইরেং সেনাপতি নত্রগা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ, মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা নত্রগা রাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ১৮৩৪-৪৪ ১সুং খৃঃ১৮৫০-৮৬), কেঃসিঃআই,(নাইট কম্মান্দর ওফ ষ্টার ওফ ইন্দিয়া)গী লৈমা অপানবী চোংথাঅহন নত্রগা চোংথাম চনু / নিংঙোন কৌশেশ্বরীনা মতোম্মক পোকচবা মৈদিংঙুসিগী মরিশুবা মজাইবুংঙো ওইবদগী ময়াম্বুং ঈবুংঙো ঝালকীর্ত্তি সিংহনা মশাগী চহি নৌনা নোঙ্গাখিবদগী মৈদিংঙুগী অহুমশুবা মজাঈবুংঙো ওইহৌরবা মৈতৈ নিংথৌমচানি। ঈবুংশীজ কোইরেং যুবরাজসিবু মহাক্কী মমা লৈপাক নীঙবা অমসুং মফুরুপ-মজাতিবু নুংশিজবগী তৌথৌক্লকখিবা থবক-থৌরমশিংগী মহৈনা ঙসি ভারতবর্ষ অপুনবগী ওইবা জাতিগী বীর, নেস্নেল হিরো(National Hero)গী থাক্তা "বীর টিকেন্দ্রেজিৎ সিংহ" হায়না খঙনদুনা মহাক্লা মরৈবাক-মজাতিগীদমক্তা ফাঁশি শগাই কাদুনা মথৌনা-মরীংজেন লৈবগী মিংচৎকী উরোঙ খীল্লম্লগা য়াইবী থৱাই কত্তুনা কোরৌ নোঙ্গাখিবগী নীঙশিঙ থৌরম চহি খুদিংগী ওইনা গীগোরিয়ান থাজত্তা আগষ্ট থাগী তারিক তরাহুমদোইদা পাংথোক্তুনা মহাক্কী তৌবীমল খঙবা অমসুং মহাকপু ঈকাইখুম্নবা উত্তুনা মহাক্কী আত্মা শান্তিগীদমক্তা মৈত্রবাক শীনথুংনা ঈশ্বরদা থৌনীরি।

ঈবুংশী কোইরেং যুবরাজ, সেকমাই দেবান্দগী কুম শক ১৭৭৭কী পোইনু থাগী ২১নি পানবা থাঙজা নুমিৎ, গীগোরিয়ানা কুম্বারোনগী চহি ১৮৫৫গী ডিসেম্বর থাগী তারিক ২৯দা মালেম তাইবংপান্দা খোঙদারকখি [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫-৩২৯]। মৈদিংঙুচাসি পোকপগী মথংগী নুমিৎ পোইনুগী ২২নি পানবা (ডিসেম্বর ৩০) নোংমাইজিং নুমিৎসিদা মহাক্কীদমক্তা শনবী ১০৮(চামগা নিপান)গী শঙ্গোম য়াওনা হিয়াঙথাং লাইরেম্মা (কামাক্ষ্যা দেবী)দা যজ্ঞ তৌদুনা কৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা,৩২৯]। অসিগুম্বা থৌওং-থৌদৌ অসিনরা নত্রগা মহাক্কী পোকপদগী লোইনরক্লবা মগুণরা নত্রগা তৌজরকপা থবক্কী মহৈনরা খঙদে মহাক্লা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখিবা অমসুং ওইখিদবা নিংথৌমচাশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী হেন্না অথোইবা নিংথৌমচা নত্রগা মীশক অমা ওইনা ঙসি শীঙথানরিবসি!

মহৈ-মশীঙ তম্বগী লমদাংদা

ঈবুংশী কোইরেংসি অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদগী হৌনা হৈথোই-শিঙথোইবা, মশা খীংবা অমসুং লাক্ল-ফানবা ঙমদবা নিংথৌমচা ওইনা হৌরকখিরম্মী। "অঙাংদি নীঙথাদা খঙঙি" হায়নবগুম মহাক্কী মহাকথক্তা করিগুম্বা মশক নাইবা থৌদোক-ৱাথোক অমদি / খরদি থোক্লগনি-হায়না মথক থোংবা অহল-লম্মন, লাই-গুরুশিংনা থাজবা থম্বা মীশক্লি। মহাক্কী অসিগুম্বা গুণশিংসি মরুপ শাজিন্নরগা কাংখদা চঙবা লিন ওইরিবা বৃটিশ মচাশিংনদি মহাকপু য়াম্না তাথীবা, কল্লকপা অমসুং মমিৎ নাবা মীওই অমা ওইরম্মী। মখোয়গা শিঙবা মান্নবা, মখোয়না তৌরক্কদবা পোমিৎ উবা অমসুং মখোয়না হেঞ্জিনবা য়াদবা মীওইশিংবু মখোয় বৃটিশশিংনা মাঙহন্নবা তত্তনা হোৎনৈ। ৱাফমসিগী ওইবা ঈ-পাউ খর জেমস জোনষ্টোন্না যুবরাজ টেকেন্দ্রেজিৎকী মরমদা ইরম্বদি:-

The fourth son, Katwal Koirang, who afterwards acquired an infamous reputation as the "Senapatee", was always a bad character, cruel, coarse and low minded. From early childhood he was given to foul language and was absolutely dangerous when he grew up. His mother had been unfaithful to the Maharajah, who used to say that the son was worthy of her. Colonel McCulloch had always disliked him as a boy.[S.J.J.,1990,72].

Kotwal Koirang had always been a bad character, and had for years been under a cloud. Had I –remained in Manipur I should have turned him out when the Maharajah his father died and reported the matter to Government. He was allowed to remain, and proved the ruin of the state. His blood-thirsty nature soon showed itself, and he half-roasted two men after a most cruel flogging, the Maharajah was asked to turn him out of the state and would probably have consented, but just at the time a European sergeant shot a cow, the sacred animal of the Hindoo, and outrage far exceeding any that our imagination can paints, and

the Rajah in his wrath flatly refused to punish his brother, while such a fearful crime as cow killing, was allowed to pass unnoticed........ [ibid,277-78]

অসিশিংসিনি। মশাগী ওইজবা তানবদা মথী ফাওবা লৌদুনা চানীঙবা জোনষ্টোনগুম্বসিদগী শরুক তরা হেন্না হৈ-শিঙবা, তৌবা ঙম্বা অমসুং মীওইবগী লোনচৎ খঙবশিংনা কোইরেং সেনাপতিগী মফমদা থল্লিবা মিৎয়েংসি তোঙাল্লি। অসিগুম্বা মীওইশিংগী মনুংদগী অমগী ৱারোন্দি:-

........This was my first introduction to the Senapati of Manipur, and little did we foresee the terrible influence he was destined to bear on our future! He was not a very striking looking personage. I should think he was about five feet eight inches in height, with a lighter skin most natives, and rather a pleasing type of countenance. He had nice eyes and a pleasent smile but his expression was rather spoilt by his front teeth, which very much broken. We liked, what we, saw of him on this occassion and thought him very good natured looking.....................The Senapati was the only one who could speak Hindustani, but the others only knew Manipur. [E.S.C.G.,2000,27-28]

......The Senapati in particulars was our very good friend. There was something about him that is not generally found in the character of a native. He was manly and generous to a fault, a good friend and a bitter enemy. We liked him because he was much more broadminded than the rest.If he promised a thing, that would take the trouble to a thing, that would be done, and he would take the trouble to see himself that it was done and not be content with simply giving the order.........[ibid,31-32]

.........The Senapati was a magnificient rider and he was always mounted on beautiful, ponies,

He wore a very picturesque dress for polo–a green velvet zouave jacket edged with gold buttons and salmon, pink silk Dhotee with white leather leggings and pink silk turban. He had long hair, which he used to twist up into a knot at the back of the neck and he always looked very nice...........[ibid,34-35]

অসিশিংসিনি। মসিশিংসিদগী হেনবা কয়া লৈরি। অসিগুন্বা মিৎয়েংশিংসি মশা মতোম্‌তা চাওজনীঙবা, মীফত্ত' ওইবা জোনষ্টোন্না য়ৌবা ঙমদে: ঙমফমসু থোক্লোয়, মরমদি মহাক্তি মথীবোঙ থন্নবা থবক তৌরকপা সিফাইনি।

ঈবুংশীজ কোইরেং সেনাপতি মৈতৈ নিংথৌমচা অমনা হৈফম থোকপা, খঙফম থোকপা অমসুং তমফম থোকপা মহৈ-মশিঙ পুম্নমক তম্লকখি। শা-লানগী অমসুং শাফম-লানফমগী শাফা-লানফা, শাথেং-লান্থেংনবগী মহৈ-মশিঙ: শারীৎ-শারাক,ঙাকথোক-ঙাকশীন্নচিংবদা খুৎলাই য়াওদনা অমসুং খুৎলাই মখল অফংবা অমা হেক্তা পায়দুনা য়েক্লবা লান্বা তৌনবা মহৈশিং পুম্নমক খাক্তনা, খুৎশূ-খুৎলাই মখল শুনা শীজিন্নবা ঙম্বগী বিদ্যাশিং নীঙথিনা তম্লকখি। লাইরিক-লাইশূগী মহৈ-মশিঙদা ইবা পাবা ঙম্বগী থাক্তা লৈরম্মী। মতমদুদা খঙবা য়াবা মীরৈপাক্কী লোনশিং- বেঙ্গেলী, হিন্দুস্থানী,ব্রজাবোলী, মৈথেলী, কবোলোনচিংবা খঙঙি, হৈ অমসুং ঙাংবা ঙম্নবা তম্লখি। অদুগা মিঃ সেন্ট ক্লেয়ার গীমউডনা তম্বীবদগী মহাক ফিরিঙ্গি মরোন ঈঙ্গ্রেজী খঙঙী অমসুং ঙাংবা খর মখে ঙম্লম্মী। লৈঙাক্লোনগী লৈঙাক ৱায়েল-থৌদা, ৱায়েল-চৈরাক্কী কাংলোনচিংবগী মহৈ-মশিঙ পুম্নমক চিথদনা তম্লকখি। অদুবু মহাক শা-লানগী মহৈ-মশীঙশিং, নুপা থোক্লা শাথেং-লানথেংননা পাংথোকপা য়াবা হিরম-লমদাংশিংগী মহৈ-মশিঙশিংদা হেন্না পুক্নীঙ ৱাখল থম্লকখি। মশান্নশিংদসু নুপাগী মশান্নশিংদনা হেন্না পুক্নীঙ থিংজিল্লকখি। মৈদিংঙুচাসিগী মতম অসিগী মনিপুরদা থাঙ-তানচিংবগী মহৈ-মশিঙসিনা থাদোক-হুন্দোকফদ্রবা থায়নদগী চৎনরকপা অরিবা মহৈ-মশিঙ ওইনা অমসুং নোংমৈ শীজিন্নবগী মহৈ-মশিঙসিনা অনৌবা যুগকী মাঙদা তারিবা মহৈ-মশিঙ ওইনা চৎনরম্মী। মৈদিংঙুচাসি মহাক্না তম্লুরিবা মহৈ-মশিঙগী হিরমশিংসিদা মমান্নবগী মীথক থোংবা মহাক্কী মতমগী মমান-মমান্নবশিংদগী অহেন-অথোইবা মীশক অমা ওইনা মমিং লৈবা মীশক ওইরম্মী। মহাকসি মতমদুগী শগোল কাঙজৈ হৈবদা, শগোল শীজিন্নবগী হৈ-শিঙবদা, অপীবা নোংমৈ অমা পায়নদুনা হেক্তমক খুৎ চুম্বা, খুৎকাপ য়াঙবা অমসুং

শরীৎ-শারাৎ, খৌশা-থেঙ্গৌ, মুক্না-কাঙজৈ, লমজেন চেন্নবা, অরুম্বা থাঙ্গৎনবা, নুঙ হুন্নবা, মুক্না শান্নবনচিংবদা থোইদোক্লা মিংচৎ ফংবা মীওইনি। ব্রাফমসিগী ঈ-পাউ খরদি:-

.........It was a fine sight to see the Senapati play polo. He was very strong; in fact, the Manipuri used to tell us that he was the strongest man in the country. He could lift very heavy weight and throw long distance, and to see him send the ball skimming half across the ground with one hit was a very pretty sight [ibid,34]

অসিনি। ঈবুংশীজ কোইরেং সেনাপতিনা মহৈ-মশিঙগী হিরমশিংদা ফংলিবশিং, শান্ন-খোৎনবগী লমদাংদগী ফংলিবা মিংচৎ অমসুং মীথোই-মীহেনবা মীশক অমা ওইনা মহাকপু কিনা-হঙ্গোয়না অদুমকপু নুংশিনা চৎনরিবা অমসুং ঈকাই খুম্নরিবদু মহাকপু পলেম মমা ঈবেম্মা চোংথা অহন অসিনা মপারী তোমপোকপা ওইনা ফংজবনা কদায়দা করি শোয়খিগদবগে হায়না লুনা শেন্নজবগী খুদোলননি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিগী লমদাং

ঈবুংশীজ কোইরেং মহাক্কী মতমদুগী মনিপুরগী সমাজদা চৎনবগী মতুং ইন্না মশাগী চহি ১৫ / ১৬ শুরকপা খৃঃ১৮৭০গী অদুৱাইদা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখিরম্মী। মহাক্কী খ্বাইদগী ঈহান হানবী তাল্লোইসি শাৎপম চনু পেমতোন দেবী হায়বসিনি। হায়রিবী শাৎপমচনুসি অহল লম্মন্না হায়ন-শীঙনদুনা লুহোংলগা লৌন-লৈনবা মাল্লি। অদুবু মহাকসি লাইবক থীবদগী মচা ধারা পান্দ্রবদগী মতুংদা অনিশুবী তাল্লোইসি হায়না-শীঙনদুনা লুহোংবা মাল্লি। ঈবুংশীসি তাল্লোই পুন্না ১২(তরানিথোই) পান্নে, মখোয়সিগী মনুংদা তাল্লোই ৪(মরি)দি শোইনাইদে(ধারা পান্দে)। মহাক্কী তাল্লোইশিং অমসুং মজা ঈবুংঙোশিংদি:-

মশীঙ	তাল্লোইগী মমিং মথা	মচাঈবুংঙোগী মমিং	অঙাং মশীঙ
১)	শাৎপমচনু পেমতোন দেবী	শোইনাইদে	০
২)	লোংজমচনু লুকমনি দেবী	১)স্নাহল অমসুং ২)স্নাতোম্বা	২
৩)	অহৈবমচনু চাওবীহল দেবী	শোইনাইদে	০
৪)	কোনশমচনু অঙাংজাওবী নত্রগা থম্বাল দেবী	নেতেন্দ্রজিৎ / স্নায়াইমা সিংহ	১
৫)	শেঞ্জমচনু তথোৎ দেবী	পুতীন্দ্রজিৎ সিংহ(স্নাচাওবহল সিংহ)	১

৬) ঙাংবমচনু কুঞ্জমালা দেবী	বীরচন্দ্র সিংহ	১
৭) লাইতোঞ্জমচনু উমাবতী নত্রগা অতোয়াইমা দেবী	ভাগ্যজিৎ সিংহ	১
৮) লাইশোম চনু	স্নাচাওবতোন	১
৯) মাইমবচনু অমু দেবী	তোনচৌস্না	১
১০) অকোইজমচনু অঙাংমচা	শোইনাইদে	০
১২) কোনশমচনু থানীন দেবী	শোইনাইদে	০
	[রঃকঃসঃ,১৯৭৩,২৪০-৪১	৯
	১সুং চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,৫০৮]	

অসিশিংসিনি। মখোয়সিদগী খরদি খৃঃ১৮৯১গী মৈতৈ-মলেস লাঞ্জাও (Anglo-Manipuri War, 1891)দা মনিপুর। মৈতৈনা মায়থীরবদা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহদা নত্ত-ওইদবা মরাল শীদুনা মালেমসিদা চৎনদ্রবা য়াদ্রবা ৱায়েন-ৱাখুন্দা বিচার তৌরগা হাত্তবা য়াদে হায়দুনা হাৎখ্রবা মতুংদা কুলচন্দ্র মহারাজ অমসুং কোইরেং যুবরাজগী মচাশিংবু মনিপুরদা লৈহনবা য়াদে হায়দুনা মনিপুরগী মপান্দা খৃঃ১৮৯২দা পুথোকখিরম্মী। মসি ঈ-পাউদি:-

> **........অহোংশাংবা দুহোবকী কুম শক ১৮১৩.........লমতা থা.....১০নি লৈপাকপোকপা (খৃঃ১৮৯২গী মার্চ থাগী তারিক ৮)দা শ্রীকুলচন্দ্র মহারাজগী থৌরানী হিদাম চনু ১, মচা ঈবুংঙো সনাহল হাজুর কৌবা ১, মচন স্নাতোম্বী ১, মনাই নিপা ৫, নুপী ৩মকপু, স্নাতোম্বা ১, মনাই নুপা ৪, নুপী ৩, শ্রীকোইরেং যুবরাজগী থৌরানী শেঞ্জবী(শেঞ্জমচনু)১, মচা স্নাচাওবহল, থৌরানী কোনসবী (কোনশমচনু)না পোক্লম্বা স্নায়াইমা, থৌরানী লাইশু (লাইশোমচনু)না পোকপা স্না চাওবতোন ১, থৌরানী ঙাংবী (ঙাংবমচনু)না পোকপা ১ অসি মনাইগা লোইননা ময়াংলোমদা পুশিনখি এ। শিলোৎতা লৈহনগনি হায়এ। ....[মথক্কীসিদা, ৫০৮]**

অসিনি। মখোয়সিনা মহারাজ অমসুং যুবরাজগী নুপী অমসুং মচাশিং ওইরুবা অমদি মখোয়গী মনাই ওইরুবদগী মী ২৫ / ২৬ রোম্না অৱাবা নংখ্রিবসি বৃটিশশিংনা মীনুংশি চাওবদগীনি।

মনিপুরগী রাজনিতিদা টেকেন্দ্রজিৎকী মফম

ঈবুংশীজ কোইরেং ওর্ফে টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহনা মনিপুরগী রাজনিতিগী খোঙথাংদা খোঙদারকপসি মশাগী চহি ১৯(তরামাপন)

শুরকপদগীনি। হায়রিবা চহিসিদা মহাক মপা ঈবুংঙোনা রাজনিতিগী লম্বীদা পুশিন্দুনা মৈত্রবাক মনিপুরগী কত্বানগী ফম হাপ্লীখিরম্মী। হায়রিবসিগী ঈ-পাউগী ৱারোন্দি:-

> ....থাঙজম চাওবগী কুম শক ১৭৯৬.........ঈংঙা থা........থানীন নোং লংমাইচীং (খৃঃ১৮৭৪গী মে থাগী তারিক ৩১)দা মচা ঈবুংঙো কোইরেংনা কত্বান ওই [মথক্কীসিদা,৪১৯]।

অসিনি। হায়রিবা কত্বানগী ফম অসি সিটি / টাউন পোলিসকী খ্বাই পুন্নমক্কী মকোক থোংবা ফমথোন, চিফ ওফ সিটি / টাউন পোলিস (The Chief of City or own police)হায়বসিনি, হিন্দুস্থানী মরোন্দা "কোটৱাল (Kotwal)হায়বদুনি। মপাবুং ঈবুংঙোগী সনা হাক্তকসিদা মনিপুরগী ওইনা রাজনিতিদা শক্লাইরবা মীওইশিং (১) নিংথৌখোংজা প্রেমানন্দ মেঞ্জোর / মেজর, (২) মাইস্নামচা শামু মেজোর / কর্নেল, (৩) হাওমচা কুলোনখোম্বা মেজর, (৪) ঈবুংশীজ হাওজৌমচা মেজর, (৫) লোংজম্বা রোমাসিংহ (মেজর / জেনরেল (ফুল), (৬) সৌগাইজাম্বা মেঞ্জর / জেনরেল (ফুল), কাংঙবা থাঙ্গাল সিংহ, মেজর / জেনরেল (বৃগেঃজেনঃ), (৮) ঙাংবমচা গুলাপসিংহ, মেঞ্জর, (৯) সৌগাইজমচা সুর্য্যসিংহ, মেজর, (১০) খুম্বোংময়ুমচা অয়াপুরেন মেঞ্জোর, (১১) লৈহাওথাবমচা গোকুল ঠাকুর মেজর, অসিনচিংবা-লৈবনিনা যুবরাজ, ৱাংখৈরাকপা, কত্বান্নচিংবা নিংথৌমচাশিংসিদি লৈপাক্কী থৌগায়দা অহলশিংগী মতুং ইন্দুনা চৎপদনি। খুদম ওইনা, খৃঃ১৮৭৯গী থিবোমৈরোমগী মোঞ্জু (আঙ্গামী) খুন লান্দাবা মজাঈবুংঙো যুবরাজ সুরচন্দ্র চৎলিবসি [মথক্কীসিদা,৪৪২] অমসুং মজাঈবুংঙো কত্বান কোইরেং য়াওরিবসি [মথক্কীসিদা,৪৪২] কাংঙবা থাঙ্গালসিংহ, মেঞ্জোর অমসুং মৈস্নাম শামু সিংহ মেঞ্জোর অনিসিগী মরুমদা চৎপনি।

সেনাপতি ফমথোন ওইরকপা

কত্বান কোইরেংনা চহি ১২ চুপ্পা কত্বান ফমসি ওইনা লাকপদা খৃঃ১৮৮৬কী মে তারিক ২০, শগোলশেন নুমিত্তা মপাবুং ঈবুংঙো শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ মহারাজ সনা কৈরাক থাদুনা নোঙ্গাখিরম্মী। মৈদিংঙু নোঙ্গাখিবগী মরাং-মরাং তৌনরিঙৈসিদা হেঞ্জিন্না হৈ-শিঙবা হেন্মনবা অনিগী থৌশীলগী লানহওনবগী মচাক ওইখিদুনা নরসিংহ মহারাজগী নোংমাইথেম চনুনা পোকপা সনা এথরসিংহ ওর্ফে সনখ্যা বরচাওবনা লান হওরকখি। হায়রিবা লানহওসি নমথনবগী থবক্তদি কত্বান কোইরেং অচৌবা

অমসুং অথোইবা থৌদাং লৌখিরম্মী। লানফম অনি – য়াওরৌ (মালেমগী মমাঙদা) অমসুং খুরাইরাকপন (ওয়নামগী মনীঙ, লম্মাঙদোংগী অৱাং নোংপোক্তা)দা শোক্লবদা লানহওবগী লুচিংবা চেনখিদুনা লানগী ঈরাং খর নেমথরম্মী। মসিগী মতমসিদা চহিসিগী জুন তারিক ২ (ইংঙাগী ২ পানবা) য়ুমশকৈশ নুমিত্তা হান্ননা সেনাপতি ওইরম্বা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী ওয়নামচনু ভীমেশ্বরীনা পোকপা মজাঈবুংঙো ফৈজাওস্না (ঝলকীর্ত্তি সিংহ) নোঙ্গাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৪৬৮]। মৈদিংঙু চাসি লৈতবগী শ্রাদ্ধকর্ম্মনচিংবা লোয়রবা মতুংদা লৈঙাক্লোনগী পরীংদা রাজা সুরচন্দ্রনা পুক্নীঙ থিংজিল্লক্তুনা জুন থাগী তারিক ২৪ শগোলশেন্দা পোকমিন্নবা (মমা তীন্নবা) মনাউ ঈবুংঙো গোপালস্না (পদ্মলোচন সিংহ)বু ফুঙ্গাগাই শঙলাকপা অমসুং থাসিগী (জুনগী) তারিক ২০দা মনাউঈবুংঙো কোইরেং (টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ)বু সেনাপতি হাপখিরম্মী। অসুম্না মৈদিংঙু সুরচন্দ্র সিংহ (খৃঃ ১৮৮৬-৯০)গী মতমদা ফম পায়রম্বা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী মজাঈবুংঙোশিংদি:-

(১) মহারাজ	-	মৈদিংঙু সুরচন্দ্র সিংহ
(২) যুবরাজ	-	ঈবুংশীজ কুলচন্দ্রধ্বজ সিংহ
(৩) সেনাপতি	-	(১) ঈবুংশীজ ফৈজাওস্না (ঝলকীর্ত্তি) তাং ২।৬।১৮৮৬ ফাওবা (২) ঈবুংশীজ কোইরেং (টেকেন্দ্রজিৎ) তাং ৩০।৬।১৮৮৬তগী
(৪) শামুহঞ্জবা	-	থম্বৌস্না (কেশরজিৎ সিংহ)
(৫) শগোলহঞ্জবা	-	ঈবুংশীজ পাকাস্না (ভৈরবজিৎ সিংহ)
(৬) ফুঙ্গানাই শঙলাকপা	-	ঈবুংশীজ গোপালস্না (পদ্মলোচন সিংহ)
(৭) দোলাইরোই হঞ্জবা	-	ঈবুংশীজ অঙৌস্না (ভুবন সিংহ)

অসিশিংসিনি। অদুগা মরু ওইবা ওইনা লৈহৌরিবা মজাঈবুংঙো জিলা ঙন্বা (লক্ষ্মীনরায়ন সিংহ)দি খৃঃ ১৮৭৪গী জিলাদরবার মতুংদা পোকপনিনা নহা ওইরিবনা মফম নাইদ্রি। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী লৈমশিং অমসুং মখোয়না পোকপা মজাঈবুংঙোশিংগী মমিংশিং মখাদ উৎচরি:-

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী লৈমশিং অমসুং মপাঈবুংঙোশিং:-

মশীঙ	লৈমগী মমিং	-	মচাঈবুংঙো(শিং)গী মমিং
১)	অঙোমচনু লুকেশ্বরী	-	(১)সুরচন্দ্র, (২) থম্বৌস্না(কেশরজিৎ)

			(৩) পাকস্না (ভৈরবজিৎ), অমসুং (৪) গোপালস্না (পদ্মলোচন)
২)	ওয়নামচনু ভীবেশ্বরী	-	(১) ফৈজালস্না (ঝলকীর্ত্তি), (২) স্নায়াইমা
৩)	লোংজমচনু হরিমঞ্জরী	-	(১)শোইনাইদ্রে (চাবোক্তে)
৪)	চোংথামচনু কৌশেশ্বরী	-	কোইরেং (টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ)
৫)	চোংথামচনু লুকেশ্বরী	-	(১) কুলচন্দ্রধ্বজ, (২) গন্ধার সিংহ
৬)	হাওমচনু রূপবতি	-	অঙৌস্না (ভুবন সিংহ)
৭)	কোংখামচনু চন্দ্রবলী	-	শোইনাইদে,
৮)	অকোইজমচনু খন্দালেখী	-	জিলাঙম্বা (লক্ষ্মীনরায়ন)
৯)	চীঙশুবমচনু মৃখেশ্বরী	-	শোইনাইদে,
১০)	থোকচোমচনু চন্দ্রমুখী	-	শোইনাইদে,
১১)	হৈখামচনু যুবতী	-	শোইনাইদে,
১২)	উশমচনু দুলবী	-	শোইনাইদে,।

[রঃকুঃসঃ,১৯৭০,৩-৪]

যুবরাজ ফমথোন ওইরকপা

মৈদিংঙু সরচন্দ্র সিংহ, কৌবা চীঙলেন লাম্বাবনা মনিপুরগী সিংহাসন্দগী মহাকপু মপা তীন্নবা, মমা তীন্নদবা মনাউশিংনা তাম্থোকপীরে, মহাকপু নিংথৌ খুবম হাঞ্জিহনবীযু হায়না মতমদুগী বৃটিশ ভারত সরকারগী গর্ভনর জেনরেল / ভাইসরোয়দা ৱাকৎলুনবা মনিপুরদগী "সিংহাসন থাদোক্লগে, তীর্থ চৎখ্রগে" হায়না হায়জিল্লগা কলকটাদা চৎননবা থৌরাং তৌরকপগী মতমদা "নিংথৌ সিংহাসন হাঙহনবা য়াদে হায়দুনা সুরচন্দ্র মহারাজবু কংলা কোনুংদগী তাম্থোক্লিবা মচীন-মনাউ অহুম্না নম্বোনগী ফোয়জীঙ (বুরী বজার)দা নাথৈদুনা লৈখ্রিবা ময়াম্নুং কুলাচন্দ্রধবজবু লৌরুরগা খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর তারিক ২৩, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা নিংথৌ হাপখিরম্মী। অদুগা হায়রিবা নুমিৎসিমক্তদা নিংথৌ ওইরবা মৈদিংঙু কুলচন্দ্র (খৃঃ১৮৯০-৯১)না নুমিৎয়ুংবগী মতমদা মনাউ ঈবুংঙো টেকেন্দ্রজিৎ (কোইরেং সেনাপতি)বু যুবরাজ হাপখি অমসুং মতমসিমক্তদা দোলাইরোই হঞ্জবা ওইরিবা মনাউ ঈবুংঙো অঙৌস্নাবুসু সেনাপতি হাপখিরম্মী [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,৪৮১]।

কোইরেং / টেকিন্দ্রজিৎ বীর সিংহ সেনাপতিনা যুবরাজ ফম ওইবসি নমফু-হাফু পাম্বা বৃটিশ ওফিসারসিংহনা মথৌমক ওইনা পামদে অমসুং

মখোয়না টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহবু যুবরাজনি হায়নীঙদে। অদুবু মৈত্রবাক মনিপুরগী খৃঃ১৮২৬কী ফেব্রুৱারী ২৪গী য়ান্দাবু ত্রিটিগী মতুং ইন্না মনীঙ-মখা তম্বা, মশা-মতোম্‌তা লৈঙাক ৱায়েন থৌদাজবা অমসুং মীখা পোন্দবা নিংথৌনা হাইনা হুম্না পানবা নিংথৌপানবা লৈপাক ওইনা মালেমসিগী জাতি কয়ানা শকখঙখ্রবা লৈপাকসি ঈংলেন্দগী কিংজোন (খৃঃ১১৯৯-১২১৬)গী মেগ্নাকার্টা (Magna C(h)arta - 1215 A.D)দা য়াওদে, মখোয় হেনরী-ফানরী, এর্ৱাড- রিচার্ড কনানসু জয় তৌখিবা লৈত্রি খঙবা বৃটিশ মচা খরনসু ৱাফমসিদা য়াদবা। য়েৎপা তৌখিদ্রে [E.S.C.G.,2000,97-98]।

টেকেন্দ্রজিৎপু থাঙ্গাদা লোই থাবা

কোইরেং সেনাপতি / কত্থানসি য়াম্না শাথীবা / তমথীবা মীওই অমনি হায়না মহাকপু য়েংথীবা মীশিং অমসুং মখোয়গী মতুংইন্না লোইয়িন-খময়িনশিংনা হায়রবসু মহাক্না মথৌ ফবা অমসুং মরীংজেল লৈবা মীওইশিংবুদি ঈকাই খুম্নে, লুনা তৌই অমসুং মহাক্কী মী ওইহন্নবা কন্না হোৎনৈ। ৱাফমসিগী খুদম য়াম্না লৈখ্রে। অদুবু হেক্তমক থেংনগদবা ৱারী-ৱাখোঙ অমখক্তি খৃঃ১৮৮৬কী মে থাদা সনখ্যা বরাচাওবগী লানহওদা য়াওবদগী মে থাসিগী তারিক ১০দা খুরাইরাকপনা লান্থেংনবদা ফাবা অথৌবা লানফাশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা পুখ্রনবা (পুখনবম) তংকো অমসুং চোংথা মিয়া (মতুংদা খোংজোম লানবনগী কম্মাণ্ডেন্ট ওইখিবা, মেজর খৃঃ১৮৯১গী এপ্রিল তাং ১৭তা হাপ্লগদবা) অনিসিবু খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর ২২গী অহিংগী লানহওগা মরী লৈননা জেলদগী মী থাদোকপদা য়াওরগা সেনাপতি কোইরেংনা মখোয় অনিমকপু মহাক্কী ময়ুম, যুবরাজকোন্দা চোংথা মিয়াবু মহাক্কী হান্নগী সিফাইগী ফম সুবেদারদু হাঞ্জিনহন্দুনা মহাক্কী মী ওইনা থমখিরম্মী। মহাকসি য়েক্লবা ওইরবদি য়াম্না তমথীবা মীনি হায়বসি মিসেস গীমডউকী ৱারোন্দা য়াওখ্রে। অদুগা করিগুম্বা য়েক্লবদুনা নত্রগা য়েক্লবদুগী মীনা / মীচঙনা, অরানবা তৌরক্লবদি শিবা-নাবা কিদবমখৈ হকথি থোক্লা তৌবা মীনি। জেমস জোনষ্টোনা পল্লিবা মী অনিখক শাথিনা ফুগায়রবা মতুংদা মৈদা য়াইফৌ থাই (Roasted) হায়রিবদু মনাউ ঈবুংঙো পাকস্নাগী মনাইশিংনি। নিংথৌমচা অনিসিনা মচু মান্নবা, মশকসু হাইরপ মান্নবা শগোল আর্বী(Arabian horse) অমমম লোইনবদা ঈবুংশী কোইরেংগী শগোন্দু মনাই অমনা তুরেন্দা ঈরুজীবীরিঙৈদা ঈবুংশী পাকাস্নাগী মনাই অনিদুনা ঈবুংশী পাকাস্নাগী শগোন্নি খন্দুনা ঈবুংশী টেকেন্দ্রজিৎকী মনাইদু ফুদৎলন্নগা শগোন্দু চিংদুনা পুখিরম্মী। ঈবুংশী কোইরেংগী মনাইদুনা

মবুংঙোগী মনাক্তা লাক্লগা পাউদু হঙ্গৎলবদদি ঈবুংশী কোইরেং মশা য়াওনা ঈবুংশী পাকাস্নাগী শঙ্গাইদা চত্তুনা শগোনগা মনাই অনিদুগা পীয়ু হায়রবদা পীদবা ঙমদবদগী ঈবুংশী পাকাস্নাগী মনাই অনিদু খুদোংথীরবা মতৌদুদা তাখিবনি। থৌদৌকসিদগী চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা মচাঈবুংঙোসিবু থাঙ্গাদা লোই থাখিরম্মী। মদুগী ৱারোন্দি:-

.........থোকচাও চাওথোইগী কুম শক ১৮০৩.....কালেন থা ১০নি লংমাইচীং (খৃঃ১৮৮১গী মে থাগী তারিক ৮)দা মচা ঈবুংঙো কত্বানগী মনাই খৎনবগী বিচার হৈতে হায়দুনা মচা ঈবুংঙো কত্বানবু মী ১০গা লোইননা থাঙ্গাদা থাখিএ [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,৪৪৭]।

অসিনি ৱাফমসি জোনষ্টোদি খঙদবগুম তৌই। খঙফমসু থোক্তে, মথৌসু নত্তে।

মচীন-মনাউশিং নাকপাক-নাকপাক তানরকপা

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা পানবা হৌগৎলকপদা মৈদিংঙুসিগী মচীন-মনাউশিংগী মরক্তা খায়বুঙ-খায়বুঙ তানরক্লনবগী মৈফম অমা মহারাজ মশা, মচীন-মনাউশিংগী কোকহন-লাইহন ওইরিবনা মৈ হৌগৎলগা মনাউ ঈবুংঙো পাকাস্নানা মৈ য়াঙলকখিরম্মী। মপাবুং ঈবুংঙোগী তাল্লোই, মখোয়গী মমা তরুক্লা পোল্লকপা মচীন-মনাউ লৈখিদবশিং থাদনা লৈহৌরিবা নিপানসিগী মনুংদা পুকচেল-খোয়জেন তীন্নরকখিদে। মসি ৱায়েনগদবা ৱায়েল-মপুদুনা ঈচা-মীচা-খায়বা, য়োংলৈ-মৈল্লে নাইবদগী থোক্লকখিবনি। মতমদুদা অচাওরম তান্নবা, অমনা অমগী মথক থোংনবা হোৎনবগী মুক্নরকপা অমসুং চীনবান থোংদদা নহা-অহন খায়নবগী পরীং অমা তত্তনা য়াৎপা মীওই য়াওরকপা, অসিনচিংবগী মরমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা চায়নরকপসিনা মৈত্রবাক্কী লৈপাক অমসুং লৈঙাক মরা চেত্তবা, লৈপাক্কী লৈঙাক-লৈকনগী মপাঙ্গল শোন্থহন্দুনা মীয়ামগী ওইনসু ফিবম শোহল্লক্লম্মী। হায়রিবশিংসিদা মরু ওইনা মহুম শারিবদি মমা তীন্নবা খুৎ অমা অমসুং মমা তীন্নদবা খুৎ অমা অনিদনি। মমা তীন্নবগী খুৎসিদা লৈরিবনা- (১) সুরচন্দ্র মহারাজ,(২) থম্বৌস্না, শামু হঞ্জবা, (৩) পাকাস্না, শগোহঞ্জবা অমসুং গোপাস্না, ফুঙ্গানাই শঙলাকপনি। অদুগা মমা তীন্নদবগী খুত্তনা- (১) কুলচন্দ্রধ্বজ যুবরাজ, (২) কোইরেং ওর্ফে টেকেন্দ্রজিৎ সেনাপতি, (৩) অঙৌস্না দোলাইরোইহঞ্জবা অমসুং (৪) নহা ওইরি হায়দুনা ফম পীদ্রিবা / হাপত্রিবা জিলাঙম্বনি।

থরুম অমসুং মলোমগী মৈরি

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিবসি থাঙ্গাল জেনরেল, সৌগাইজাম্বা জেনরেল, মৈস্না শামু কর্নেল অহুমসিনা চুঙ ওইদুনা পাল্লিবনি। মহাক মরীন পানবা মী ওইবদা নত্তনা চীরোন্দা কা হেন্না থাজবা অমসুং মশাগী ৱাখল্লা ৱাফম অমগী ৱারেপ লৌবা ঙমজদবা অশোনবা নিংথৌনি। মহাক্না মনাউ ঈবুংঙো পাকাস্নাগী চীরোন-খারোনগী মতেংনা মপা অমতগী মচা ওইরিবা মখোয় মশেলগী মরক্তা পোকমিন্নবা অমসুং পোকমিন্নদবী শম্বল খারকখি। ঈবুংশী পাকাস্নাসি পুন্সিগী ঈনখৎলকপা মতমগী ওইবা ৱাখন্দগী হেনজিন্না অচাওরম কানীঙবা মীশক্লি, অদুবু মরীন লৈতবা, মপাঙ্গল কন্দবা, অয়ম্বা অমসুং হৈ-শিঙবা ৱাৎপা মীশক্তি নত্তে। মহাকসু শগোল কাঙজৈদা অমদি শগোল শীজিন্নবা হৈবদা মমিং লৈরিবা নুপানি। মতমদুগী মুক্নাদা, লমজেন্দা, ঈথিংদা-পন্থিংদা, থাঙদা-তাদা মহাক্না উশীৎপা মী লৈতবা নিংথৌমচানি। অদুবু মঙোন্দা লৈরিবা ফত্তবা লাইনাসি মীনা খজিক্তং ফখিবদা খাঙবা ঙমদবা, মহাকখক্তনা মচাওইজনীঙবা অমসুং লৈপাক্কী, মীয়ামগী নত্রগা লৈমা-নিংথৌগী করিসু খন্দবা মীশক ওইবসিনি। মরম অসিনা মহাকসি ময়াম্বুং মহারাজ, মতৈমা মহারানী অমসুং মহাক্কা পোকমিন্নবা ময়াম্বুং অমদি মনাউ ঈবুংঙোদু নত্তন মী অতৈনা কয়া য়ানদবা নত্রগা য়ানীঙদবা মীশক্লি । অতৈনা য়াদ্রবসু ময়াম্বুং মহারাজগা মতৈমশী মহারানীগা অনিসিদি মহাক্কী চীরোনগী লাংদুদগী খক নাম্থোকপা ঙম্লমদে। মহাক্কা য়ানদবশিংগী মরক্তা মহাক্কা খম থেংনা য়ানদবা অমদি হেক উনবদা থরুম অমসুং মলোমগী মৈরি ৱাংখৎনরিসি কোইরেং সেনাপতি, অঙৌস্না দোলাইরোই হঞ্জবা অমসুং জিলাঙম্বা ফম্নাইদ্রিবা অহুমসিনি। মহাক্না হায়রিবা মীশকশিংসিদা খোই মহুমদা চৈনা থিনবগুম ঙাইহাক লৈতনা কাইহৌরম্মী অমসুং অসুম্না কাইহৌবসি নিংথৌ নত্তবা অতৈদদি ময়াম্বুংনা নিংথৌ ওইরি-হায়বগী ৱাজাওসু য়াওনা, নাপনসু তৌনা অমসুং মহাক্না তৌনীঙবদা তৌবা ঙম্বনি হায়বগুম মুকপসু য়াওনা কাইহৌরিবনি।

পাকাস্নানা মীগা মুক্নবসিদা মায়থীবা থোক্লবদি ময়াম্বুংগী কোনুংদা হেক্তা চেনশিনখিদুনা তৌনরুরিবা মীদুগী মায়য়োক্তা নমথাক অমসুং চীরোন্না মখোঙ পান্দুনা চৎহল্লি। অদুগা ময়াম্বুংদুনসু মহাকপু লাঞ্জদবা ওইনা হেক্তা কললি। অসুম্না সুরচন্দ্র মহারাজনা পাকাস্নাগী মীচঙদা লেপ্তুনা করিসু নত্তবদা, ফজনরোয়দবদা মীগী তিঙ শোকপা মচৎ- মতৌদা হাক্কন ইতত্তনা চঙবসি লৈপাক মীয়াম পুম্নমক্না খঙনরম্মী। মহাক্কা সেনাপতি কোইরেংগা মুক্নরকপা, মহাক্না শঞ্জেনথোংগী থোংয়ায়দা অকা-অকুম থিংদুনা চৌবর শান্নবগী ৱাথোক্তুনা কোইরেং সেনাপতিনা থৌওইনা ফানবা তান্নরক্লবদদি

মহাক কোনুংদা চেনশিল্লগা মতৈমশী মহারানী ঙানবী লৈহাও(প্রেমময়ী)গী কাংথোন মখাদা চঙদুনা কাংখদা লোৎলগা খাঙখি, হায়। অসুম্না পাকাম্নাসিনা পুংজা খুদিংগী পোকমিন্নদবা মচীন-মনাউশিংগী মরক্তা ঈরাং থোক্লনবগী, নুংশিনদনবগী অমসুং মলোম অমদি থরুম তৌননবগী মরম ওইদুনা লৈরম্মী।

ঈবুংশী জিলাঙম্বনা কৈরাউ খুনদা কৈ ফাবা চৎলুবগী হল্লকপদা লৈপাক -নিংথৌগী অয়াবা য়াওনা বঝাই-বেঙ্গুন খোংদুনা হল্লকপবু পাকাম্নানা জিলাঙম্ববু মফম নাইদ্রি বঝাই খোংবা য়াদে হায়দুনা ঈকাইবা পীরুবা ৱাফমদুদা মহারাজ সুরচন্দ্রনা পাকাম্নাগী মীচঙদা লেপ্লুনা মহাক্না হায়বদুবু অচুম্বা ওইনা লৌখিবা অমদি শন চাজেনবীগুম হাক্কন চঙখিবসিনা মচীন-মনাউশিংগী মরক্তা নুংশিনদবা, মুক্লবা অমসুং য়েংথীনবগী চাংসি য়াম্না হেনগৎহল্লক্লম্মী। অদুগা লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংদসু মহাক্কী কা-হেনবা লমচৎসিনা মখোয়দসু ঈকাইবসিগী শরুক থুংলকপা য়াই, হায়বগী মিপাইনবসু পোক্লরম্মী। অসুম্না মৈত্রবাক মনিপুরগী মতমদুগী রাজনিতিগী লমদাংদা মরম চাদনা লৈপাক মরা চেত্তবগী থাক অমদা লৈবগী ফিবমদু য়ৌরকখি।

লালহওহন্নবগী মরু হল্লকপা

কৈরাউদা কৈ ফারুবগী ৱাথোকসিদগী নিংথৌমচা ওইদুনসু অঙাং ওইদুনা মফম ফমথোন নাইদ্রিবা / পীদ্রিবা জিলাঙম্বনা মহাক্কুম্না মমানা মতোমতা পোকপা অমসুং মচীন-মনাউশিংগী মরক্তা অতোন-অতাং ওইরিবা দোলাইরোই হঞ্জবা অঙৌম্নাবু মহাক্কী মায়কৈরোমদা চিংশিনবা ঙমখিরম্মী। অদুনা নিংথৌগী পোকমিন্নবা মনাউনুপা পাকাম্নানা মখোয়দা ঙাইহাক লৈতনা কাইহৌরিবসিগী মতাংদা মখোয় অনিনা মথক থোংবা পোকমিন্নদবা ময়াম্বুংশিংগী পুক্নীঙ চিংশিন্নবা হোৎনরকখি। মরম অসিনা মখোয় অনি নোংমা কোইরেং সেনাপতিগী শঙ্গাইদা লাক্কুনা ৱাকৎপগী ৱারী-ৱাতাই শাররম্মী। মখোয়না নিংথৌমচা অমমম ওইদুনসু মদুগী ঈকাই খুম্নবা ফংবা ঙমদ্রিবা অমসুং ঈবুংশী পাকাম্নাগী চীরোন-খারোন্দগী চোপ্পা অমদি ঈকাই নংখ্রিবা পুম্নমক্কু পুথোক্কুনা অমদি ময়াম্বুংশিংগী মফমদা থকশী-খাশী নাইদনা চৎলিবা শাজৎকী মরম পুম্নমক হৌদোক্কুনা অদুগুম্বশিংদু মতুং তানা থোক্কনবগী পাম্বৈ হংবা ওইনা নাকোয়ননা লালহও অমা দরকার ওইরকপগী ঈঙ্গিৎ উৎলম্মী। ময়াম্বুং অহল ওইবগী মনাউশিংদা থমগদবা মান্নবা মিৎয়েং, লমজিং-লমতাপীগদবা লোনচৎ-শাজৎ, ৱারক-ৱাতেমগদবা মতৌ, অসিনচিংবা খঙদবগুম উরিবা, অমদি লৈবাক্কী নিংথৌ অমা ওইরগা লৈপাক- প্রজাগী মফমদা মীচঙ- সঙ্গন নাইনা লৈরিবা অমসুং

চীরোন্দা অসুপ থাজবা থল্লিবা, অসিনচিংবসি খঙনা- খঙনা খঙজিন্নদ্রবদি থবক্লা থিন্দুনা খঙহন্নবগী মতম ওইরে, হায়না প্রমান- পাম্নে তৌদুনা উৎলম্মী। অদুবু সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা মতমদুগী চৎলিবা রাজনিতিগী মচৎ- মতৌগী য়েংদুনা মখোয় অনিগী ৱাখলগী থাক্তু ফাথনবা মতমদুদা মনিপুরগা মরুপ ওইনা তীন্নরিবা বৃটিশশিংনা ওইরিবা ফিবম- ফিরেপ, মখোয়না খল্লিবা ৱাখল, মণিপুরদা থল্লিবা মিৎয়েং; মতমদুগী ভারতবর্ষ অমসুং বর্মা অনিমক বৃটিশকী খোঙউপ বুটকী মখাদা লৈখ্রবদা অচৌবা লৈপাক অনিসিগী লাংদাই- চীদাইদা মনিপুরখক্তমক মনীঙ- মখা তম্না লৈরিবসিদা বৃটিশশিংনা ঙারাকপীনা / হৌদোংনা ঙা লুম্বগুম তাঞ্জা ঙাইরিবদুদা লালহৎওরুরগা ওইরক্কদবা মৈত্রবাক্কী ফিবমনচিংবগী মরমদা শন্দোক্লা তাক্তুনা মখোয়না মতমদুদা লানহৎওবা য়াদে, মচীন- মনাউশিংগী মরক্তা পুকচেল- খোয়জেল তীন্নদবা উথোকপা অমসুং উহনবা য়াদে, খুদোংচাবা লুমলিবশিংদা তাঞ্জা পীখিবা ফত্তে, হায়বনচিংবা ৱাফম কয়ামরুম পুথোক্তুনা মখোয়বু রাজনিতিগী ফিবমশিংদু খঙফম থোকপা মীশিংনা খঙদ্রবসু মখোয়দি খঙদবা য়াদে হায়নসু হায়রম্মী । অদুগা মহাক মশামক্লা ময়াম্বুং মহারাজদা হঙ্গত্তুনা মখোয়গী শাফনবা হোৎনগে, হায়দুনসু থেমজিন্দুনা মপুক্লীঙ ফাথনবা তৌরম্মী। সেনপতিগী থেমজিনবগী ৱাফমশিংসি তারবা মতুংদা ঈবুংশী অঙৌম্না অমসুং জিলাঙম্বা অনিনা ময়াম্বুং কুলচন্দ্রধ্বজ যুবরাজগী শঙ্গাইদসু চত্তুনা ৱাফমশিংসি তাননীঙখিরম্মী অমসুং পাউতাক লৌনীঙখিরম্মী, অদুবু মদুশিংদুদি থবক ওইনদি পাংথোকখিদ্রে।

লালহৎও থোকহল্লকপা

ঈবুংশী পাকাম্না শগোল হঞ্জবসি মঙোন্দগী চহি নৌদুনা মখা তাবা পোকমিন্নদবা মনাউশিংসিবু মখোয়গী হক মৎপা নত্রগা নমথদুনা মতীক- মগুন য়াওহন্দনা থল্লগা মহাক্লা নুংশিদ্রিবা ঈবুংশী কোইরেং সেনাপতিগী মপাঙ্গল হস্থহন্নবা অমসুং মতীক- ময়াই লৌথোক্লবা ইতত্তত্তনা অমসুং লেপ্তুনা হোৎনরিবনি অমসুং থৌশীল্লিবনি। অসিগুম্বগী তাঞ্জা চাবসিনি ঈবুংগী পাকাম্নানা ঙাইরিবসি। মতম তাঞ্জা অদুৱাইদা ঈবুংশী অঙৌম্না অমসুং জিলাঙম্বা অনিনা য়াম্না চান্ননা লোইনবা, চৎমিন্নবা অমসুং তীন্ন-তোৎনবসি মহাক্কী মিৎয়েংনুংদা য়াম্না য়েংনীঙদবা, অমা ওইনা তারকখিবনি। অদুগা মখোয়নিনা চান্নবা অমসুং তীন্নবসি মখোয়গী খুৎকী অফবা ওইরোয়, হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি। অদুদি মশক নুংশিখিদ্রবশিংসি করি তৌরগা ময়া কাদুনা নোক্লকপসি উমশিনহনগনি, হায়বসি ঈবুংশী পাকাম্না চেকশিন্না খল্লম্মী। মহাক্লা মতাংসিদা য়েক্লববু মাঙহনবদি থাঙদগীদি চীরোন- খারোন্না হেন্না ময়া থৌই হায়না খল্লম্মী।

ঈবুংশী অঙৌস্না অমসুং জিলাঙম্বনা চৎমিন- কোয়মিন্নরুরগা মনাই মশনশিংগা লোইননা চামিন- থকমিন্নবসি লানচাক খাঙবা, নুমিদাংদা মনাই- মশনশিংনা থৌগল তৌদুনা ৱারী- ৱাতাই শান্নবসি লৌতুনবগী ৱারী অমসুং লালহও ৱাফমগী ৱাশক্লবা, অসিনচিংবা কয়া মহাক্কী ৱাখন্দা শাগত্তুনা ঈবুংশী পাকাস্ননা মনাউ অনিসিদা মিৎয়েং থল্লম্মী। খৃঃ১৮৯০গী লাংবন নিনি পানবা লৈপাকপোকপা (সেপ্তেম্বর তাং ১৬) সিদা মখোয়গী মাম্মা ঈবুংঙো মাইস্নামচা শামু মেজরবু লুৱাং নিংথৌগী ফম থিন্দোকপ [মথক্কীসিদা, ৪৮০]দা োকমিন্নদবা মচীন- মনাউ অনিসিনা চীঙঙা- মখাদা মখোয়গী ওইনা চাকচা হৈজানদুনা লাংবসিগী খুদোংচাবসি ঈবুংশী পাকাস্ননা ফংখিরম্মী। মসিদগী মহাক্লা ময়াম্বুং সুরচন্দ্র মহারজদা অঙৌস্নাগা জিলাঙম্বগা অনিনা মতৌ মানহন্দনা মপান্দা অমা উৎলগা মনুংদা অমা শীন্দুনা লৌতুনবগী লানচাক খাঙলে, লানহওননবগী থৌরাং তৌরে, হায়না পাউ তল্লম্মী। মহাক্লা ঙম্বা মখৈ চীরোন অমসুং লৌনম তৌদুনা নত্ত- ওইদবা খুদম- চাংদম কয়া পুথোক্তুনা থাজরমদবা ময়াম্বুংদু লালহাওনবগী নুমিৎ লেপখ্রেনচিংবা হায়জিনবসিদগী সুরচন্দ্র মহারাজনসু শাওরদুনা ঈবুংশী অঙৌস্না দোলারোইহঞ্জবা অমসুং জিলাঙম্ববু, "হয়েংমক (শক ১৮১২গী লাংবন ৮নি, খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর তাং ২২, নিংথৌকাবা নুমিৎতা) ফাও হায়দুনা স্নায়াথং পীথোকখিরম্মী।

মৈতৈ নিংথৌমচাশিং অসি মমাঙঙৈদগী হৌনা নিংথৌ ওইবসু ওইদবসু মাগী মাগী খুৎ লীংনদুনা মী ৫০মা চামাদি মীচঙ খোম্লদুনা লৈনবনিনা অমসুং মখোয়- মখোয়গা মরী লৈনবা ঈ- পাউশিং লৌনবনিনা শ্রীযুৎ মহারাজগী স্নায়াথংসি ঈবুংশী অঙৌস্না অমসুং ঈবুংশী জিলাঙম্বগী মফমদা স্নায়াথং তাউথবা লাংবন ৭নি পানবা নুমিৎ (সেপ্তেম্বর তাং ২১) কী নুমিদাং ৱাইরমদা ফংখিরম্মী। হায়রিবা পাউসি হেক ফংবগা ঈবুংশী অনিসি ময়াম্বুং যুবরাজ কুলচন্দ্রধ্বজগী শঙ্গাইনা চেল্লক্তুনা কন্নবা উকন্দা করি তৌবা য়াবগে অমসুং করি তৌসিগে নত্রগা মখোয়না করি থবক পায়খৎকদবগে, হায়বনচিংবসি তানরে, খন্ন- নৈনরে। অদুবু ময়াম্বুং কুলচন্দ্র যুবরাজদি লৈপাক্তুগী লৈঙাক্লোন্দা করিসু হক লৈজদ্রবা, তোল্ল-তারবা অমগুম ৱাফমদুদা লংলা-লংজীন অমতা পুথোপীরক্রে। ৱাদনা নুংঙাইবা পাম্বা, অতোঙবদা লেপচনবা খনবা অমসুং খুদোংচাবদমক লৌগনবনিনা মশা কন্থোক্তুনা মহাকক্তি হায়রিবা স্নায়াথং অমসুং স্নায়াথংদুগী থবক পায়খৎনবগী ৱাফমদুদা মহাক্কী অখঙবা করিসু লৈতে হায়দুনা ৱা থৈখ্রে। তৌরিবা মওং-মতৌসিদা মতম পন্থবা য়ারক্রদুনা ঈবুংশী অঙৌস্না অমসুং জিলাঙম্বদু মফমদু থাদোক্তুনা লালহওনীঙবগী ঈঙ্গিৎ উৎলম্লগা ফিংনা চৎখিরম্মী।

শ্রীযুৎ স্নায়াথংনি হায়না ঈবুংশী অঙৌস্না দোলাইরোই হঞ্জবা অমসুং ঈবুংশী জিলাঙম্বা অনিনা তম্লম্লিবা ৱাফম, মখোয়নিনা পাল্লিবা থবক, চৎখিৱবা মওং-মতৌ অমসুং থাংখিৱবা খোঙথাংসি উরুবদগী যুবরাজ কুলচন্দ্রধ্বজনা মখা তারকপদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বসি মহাক্কী ৱাখন্দা ফাওখ্রে। অদুনদি ফিবমসি ফৎলকলোয়দৌরি, হায়বসিসু খনখ্রে। মরম অসিনা মহাকপুসু চেন্নরকপা য়ানা লৈরে, অদুনদি মহাক মহাক্কী যুবরাজকোন নিত্যাইপাৎ চীথেক মপাগী মফমসিদা লৈবসি ফত্রে, অতোপ্পা মফম অমদা নাথৈরুবনা শাফরগনি হায়না খনখ্রে। অদুনা মহাক নুমিদাং য়াচঙবগী মতম অদুৱাইদা ময়ুম থাদোক্তুনা মহাক্কী ওইবা মী খর লৈবা নম্বোল ফোয়জীঙগী বুড়া বজারদা চৎখ্রে।

খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বরগী লালহৎও

ঈবুংশী অঙৌস্না দোলারোই হঞ্জবা, ঈবুংশী জিলাঙম্বা অনিনা যুবরাজ কুলচন্দ্রধ্বজগী শঙ্গাইদগী থোক্লক্লগা মখোয়না ৱাফমসি মরমদা ময়াম্বুং কোইরেং সেনাপতিগা খন্না তানরুগদ্রা নত্রগা তান্নরোয়দ্রা হায়না চৎন-চৎনা খন্নবদা অমসুং মখোয়না পাল্লিবা থবক্তু হৌদোক্লুবদা কান্নরোয়, মমাঙগী মতমদসু মখোয়বু থেমজিল্লগা থাদোক্লকখি, অদুনা হঙ্গৎলুররোয় হায়না খন্নখি। মরমদি মহাকসিদি মখোয় অনিগী কেয়ারটেকর(Care-taker) ওইনা হেক-হেক মমাঙদা লেপ্পীরকপনিনা মতুং তারকপা মতমশিংদসু লেপ্পীরকখিগনি হায়না থাজবা থল্লি। করিগুম্বা মখোয় অনিনা লানহৎওবগী ৱাফম, ময়াম্বুং পাকাস্নাগী চীরোন অমসুং নথাক্কী মঙক হাইগৎলিবদু থুদেক্লবা ময়াম্বুং মহারাজগী মথক্তা খুৎলাই থাঙ্গৎপগী থবক্তু পুখৎলুবদা "লানহৎওবা য়াদে" হায়দুনা হায়বীরক্লবদি মখোয় অনিদি লৈপাক্তুগী নিংথৌগী য়াথংনিনা হয়েং ফাখিবা তাবনি, লৈপাক্তুগী নিংথৌমচা ওইবগী ঈকাইখুম্নবা অমসুং ঈজৎ পুম্নমক মরৈবাকসিদা মাঙবা শোয়দ্রবনি, অমসুং মখোয়নিনা মশাগী ঈজৎ কঞ্জনবা হোৎনজবা তাবনি। মরম অসিনা অমুক ৱা শাংথনরুবগী কান্নদ্রে, তানরুবগী থোইদোক্লা কান্নবা লৈগদবা মান্দ্রে, থবক থোক্লক্লগা পুম্নমক খঙনবা হায়বদুনি, হায়দুনা মাগী মাগী তৌগদবা থৌরাংশিং, লৌখৎলুগদবা থবক্কী থৌশীল্লুনবা উন্নগদবা মতম অমসুং মফম থানরগা ময়ুম-ময়ুমদা থুনা য়াঙনা হন্নখ্রে। মখোয় অনিনা ময়ুম ময়ুমদা হেক থুংবগা মখোয়না লেপ্পখিবগী মতুং ইন্না থবক পায়খৎপা হৌখি।

ঈবুংশী অঙৌস্নানা মহাক্কী ওইনা লৈজবা নোংমৈ পায়বা সিফাই ৮০ অমসুং ঈবুংশী জিলাঙম্বনসু মহাক্কী ওইনা লৈজবা নোংমৈ পায়বা সিফাই ৬০দু মাগী মাগী অৱাৎ-অপা য়েংদুনা শেম-শাহল্লম্মী। হায়রিবশিংসি নত্তবা

থাঙ পায়বা, তা-পায়বা, তেন শীজিন্নবা, অসিনচিংবা মী ৪০০(চামরি) রোমসু মখোয়না খোমজিল্লম্মী। মখোয়না ময়াম্বুং যুবরাজনা য়ারে হায়না চীনহায় হায়দুনা যুবরাজসিগী বোডী গার্ড(Body guard) নোংমৈ পায়বা সিফাই ৩০০গী লুচিংবদা পাউ থাদুনা ময়াম্বুং লৈত্রিঙৈসিদা যুবরাজগী থৌগল ইনবদগী লেমহৌবা সিফাইশিংবু অরুবা পাঙ্গল চঙবা থবক অমদা শীজিন্নগদবা লৈরে, খর থাবীরকউ, হায়দুনা মনাই থাদুনা হায়হল্লুবদগী নোংমৈ পায়বা সিফাই ১০০(চাম) রোমসু ফংলদুনা শেম-শারগা নুমিদাংদুদগী অহিংগী পুংজা চঙশিল্লকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী।

খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর ২১গী অহিং নোংয়ায়গী পুংফম চঙশিল্লকপদা ঈবুংশী অঙৌস্না অমসুং ঈবুংশী জিলাঙম্বগী খুৎপুশিংদু কংলা কোনুংগী অৱাং থংবা থোঙলোমদগী চঙলক্লগা নোংমৈ কাপ্তুনা ফোংনা লালহওবগী মশক্তু উৎলক্লম্মী। মসিদগী মখোয়না মতমদুগী মনিপুরগী জেল, ফাদোক [মথক্কীসিদা,৩৫৬]কৌবদুদা চঙদুনা জেল ঙাকপশিংবু ওভরপাৱার তৌরগা জেলগী থোঙ হাঙদোকুনা বন্দি ৪০০ রোম থাদোক্লম্মী অমসুং মখোয়দা খুৎলাই পীদুনা মখোয়গী লাম্মী ওইহল্লম্মী [জঃবঃ,১২৯৮(১৮৯১),৭১ অমসুং রঃকঃসঃ,১৯৭৩,১১]। মসিদগী কংলা কোনুংলেনসিগী নিংথেমকোন লানবন(Citadel)তম্না লেপ্তুনা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখি। নোংমৈ কাপশিল্লকপগী অহানবা নোংমৈ মখোনসিদা লৈমা-নিংথৌকোনগী নিংথেমগী শঙ্গাইরেন্দা চেপ্লিবা মৈদিংঙু সুরচন্দ্র মিকপ থোক্লক্লম্মী। মতমদুদা মহাক্না লান্দারক্লিবশিংদুগা লান মায়য়োক্লদুনা লাম্থেংনবগী ৱাফম খল্লমদে, থৱাই হিংলগা লোয়রে হায়না খনবগুম তৌরদুনা অহিংগী অমম্বা মরক্তুদা লৈমকোন্দা লৈরিবা নুপী অঙাং পুম্নমক হুন্দোকলম্লগা মতোমতা কংলাগী খাথোঙ / চীঙচাগু-থোঙলোমদা লোন্না থোরক্লম্মী। মসিদগী মহারাজসিনা শঞ্জেনথোংলোমদগী লাকপা মনাউ ঈবুংঙো পাকাস্না অমসুং মহাক্কী কেরানী মনিলান দেগা নোংমৈ পায়বা সিফাই ৮০গা লোইননা কোনুং কনগে লাকপগা থেংনরম্মী। মহারাজ থেংনরবা মতুংসিদা মনাউ ঈবুংঙো পাকাস্নানা খাথোঙদা চঙদুনা লালহওরিবশিংদুগা মায়য়োক্লদুনা লান শোক্লরুনবগী ৱাফম পুখৎলকখিরম্মী। অদুবু ময়াম্বুং মহারাজনা অহিংগী অমম্বদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা থেংলবা অমসুং মল্লবা অহিং অদুদা কনানা য়েক্লবনো, কনানা মীচঙনো হায়না খন্দোকপা ঙম্লোয়দৌবসিনা কংলা মনুং চঙদুনা লাম্থেংনরুবগী কান্নরোয়, হায়না কম্থোক্তুনা বৃটিশ রেসিডেন্সীদা চঙদুনা পোত্থারুরসি হায়দুনা মতমদুগী মনিপুরদা লৈরম্বা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্স, কোম্থৌজম য়ুম্ফমদা চঙদুনা মফমদুদা চঙজফম লৌখিরম্মী। অদুবু ঈবুংশী পাকাস্নাদি

মপুক্লীঙদা কয়া য়ানীঙদবনা ময়াম্লুংবু থিঞ্জিল্লম্লগা লানগী ঈরাং য়েংগে, হায়দুনা মহাক্কী খোঙলোইশিংগা লোইননা থোক্লকখি। মহারাজ সুরচন্দ্রনা কোনুংদা লান্দারক্লিবশিংগা লান মায়য়োক য়াদ্রিবসি মশাগী মরাল লৈজদুনা ব্রাখল ফত্তবনা মনাউ ঈবুংঙো কুলচন্দ্র যুবরাজ অমসুং মনাউঈবুংঙো কোইরেং সেনাপতি অনিসি লানহওসিগী লান্দারকপসিদা য়াওখ্রে হায়না খনবা অমসুং মরম অসিনা লান মায়য়োক্লদুনা লাম্হেংনরুবসু লান্মী পুম্নমক সেনাপতিগী ওইখিগদবনিনা লানফম মায়য়োক য়াবা ঙমগনি হায়বা থাজজদবগী ওইরমগদবা মাল্লি।

টেকেন্দ্রজিৎনা নিংথৌ-ফম্বাল কখোকপা

সুরচন্দ্র মহারাজনা স্নাকোনুং থাদোক্তুনা অহিং নোংয়ায় মতুং পুং ২ রোম তাবা (1.S.T)গী অদুৱাইদা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সীদা চঙখ্রবা মতমসিগী মমাঙ নিংথেমকোনগী শঙ্গাইরেন থাদোক্তুনা খা-থোঙলোমদা থোক্লকপা মতমসিদা কংলা মনুংদা ঈবুংশীজ অঙৌস্না অমসুং ঈবুংশীজ জিলাঙম্বনা জয় ওইরে হায়বসি খঙননবা নোংমৈ তোপ ৫(মঙা)রক কাপখিরম্মী[মথক্কীসিদা,১১]। অমরোমদা সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা মৈতৈ লৈপাক্তা লানহওদুনা সনাকোনুংদা লান্দাররে হায়বা পাউ অসি হেক তাবা খুদক্তা মহাক্কী (সেনাপতিগী) বোডী গার্ড ওইনা লৈবা নোংমৈ পায়বা সিফাই ২০০ অমসুং মহাক্কী অতৈ খুৎলাই পায়বা মী ২০০ রোম খোমজিন্দুনা পুরগা কোনুং কন্নবা লানহওশিংবু নমথনবা লাকখিরম্মী। মহাক অমসুং মহাক্কী লান্মীনা স্নাথোঙ (নোংচুপথোঙ) লোমদগী চঙলক্তুনা নিংথেমকোন লানবন তম্না অহিং নোংয়ায় মতুং পুং অম(1.S.T) রোম চৎলকপদা চঙশিল্লক্লম্মী। টেকেন্দ্রজিৎ সেনাপতিনা নিংথেমকোন লানবন চঙলকপা মতমদদি মহারাজদি কোনুং থাদোক্তুনা চৎখিরল্লে। অদুনা নোংমৈ কাপ্পগী চাংদি মহাক্কী বোডীগার্ড ২০০(চনি)দুনা কাপ্পা নত্তনা অতৈদি পঙতা তাদ্রে। মহাক্লা উত্রা শঙলেন্দগী কংলা শঙলেল্লোমদা য়েংশিল্লকপদা য়েক্লবা লালহওনবশিংদু মানবা মীওই খর লেপ্তুনা লৈবা উরম্মী। মতমদুদা মহাক্লা অফিং-অফাই ওইনা "লৈপাকমচাশা! কংলা শঙলেন কনসি, লানহওবা য়েক্লবশিং তাম্হোকসি!" হায়না খংলাউ লাউরগা চঙশিল্লকপদা লৈরম্লিবা খদাংচেৎ ফিমুনা চীনবুন লাকপা অনিনা চীনবুন হাঙদোক্লগা "ননাই ঐখোয় অনিনি লান হওরিবসি, হৌজিক্তি পীবীনীঙবা দণ্ডি পীনবীরো, ঈকোক্তা থোংনা লৌজরগনি" হায়দুনা মনাউ ঈবুংঙো অঙৌস্না অমসুং মনাউঈবুংঙো জিলাঙম্বনা দণ্ডবত তাদুনা খুরুমজরম্মী। ঈবুংশী কোইরেং সেনাপতি "মতম

চাদে হায়রগা লানহওরিবদি করিনো''- হায়না হংলক্লবদা- ''য়াম্নুং পাকাম্নাগী চীরোন্না ননাই ঐখোয় অনিবু শ্রীযুৎ মহারাজনা লানহওগদবগী শেম-শাবগী মরান্দা হয়েং(সেপ্তেম্বর ২২)মক ফাও হায়বা স্নায়াথং লৈব[মথক্কীসিদা,১০]না ননাই ঐখোয় অনিবু ফাহন্দুনা ঈকাইবা নঙগদবগী শরুকপুদি ঈবুধৌশিংগী সনা ফম্বাল তোংনফম কংলা ফম্বাল-মমাঙসিদা লান শোক্লদুন থৱাই থাদোকচগে খঞ্জদুনা য়াম্নুংদা হঙ্গৎলমদনা লান হওজবনি। হৌজিক্তি চুমদবা ৱায়েনগী য়াথংপীবা মপুদু কোনুংসি থাদোক্তুনা চৎখ্রবনিনা ননাই ঐখোয়গী ঈথৌ লোয়জরে। পীবীনীঙবা দণ্ডী পীবীরো, ঈশানা য়ানা লৌজরগনি''।

ঈবুংশী কোইরেং সেনাপতিনা মনাউ ঈবুংঙো অনিগী ৱাফমসি তাবদা পুক্নীঙদা ঈকাই- নুংশি য়ান্নখি। ''হি, অদু য়ৌরবকো! অদু ওইরবদি ইনাউশা, লালহওসি মায় পাক্লনবা তৌরসি'' হায়না য়াথং পীরগা কংলাগী মফম খুদিংমক্তা মখোয়গী সিফাইশিং থমদুনা মফম পুম্নমক লৌশিনখ্রে। সুরচন্দ্র মহারাজনা কোনুংদা লান্দারক্লিবা লালহওবশিংদু নমথনবা থৌরাং অমতা তৌরমদবা অমসুং য়েক্লবগা লান মায়য়োক য়ানবা থৌশীল অমতা শীল্লমদবনা অহিং অদুমক্তদা লালহওবশিং অমসুং সেনাপতিগী খুৎনা কংলাগী মফম অপুম্বা ঈরায় লায়না লৌশিনবা ঙম্লম্মী। মখোয়না তোপ-খনা, মেগজিং(Arsenal or Magazine)হায়রিবা তোপচাও ৪(মরি), নোংমৈশিং অমসুং নোংমৈ মরুশিংনচিংবা থন্বা মফমদুসু মখোয়গী মখুৎ চল্লে। অদুগা তোপগারোৎ অমসুং নিংথেমকোন লানবন ঙাক্লিবা চোংথা অঙাংতোন নত্রগা নীলমনী সিংহ, অয়াপুরেন মেজর(Major of external/foreign affairs)সু সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎকী মীচঙদা য়াওখ্রে [মথক্কীসিদা,১২]। মায়কৈ অমরোমদা মৈতৈ কোনুংদা লানহওবশিংনা লান্দারক্তুনা নোংমৈ কাপ্পবসি কংলা কোনুংগী মনাক নক্লা ময়ুম ঈংখোল লৈরিবা সুরচন্দ্র মহারাজগী মনাউ ঈবুংঙো অহুমসু তারিবনি। মনাউ ঈবুংঙো পাকাম্না শগোহঞ্জবগী ৱাফম খরদি মথক্তা পঞ্জখ্রে। অতৈ মনাউ ঈবুংঙোশিং থম্বৌম্না (কেশরজিৎ), শামুহঞ্জবা অমসুং গোপালস্না (পদ্মালোচন), ফুঙ্গানাই শঙলাকপসু মাগী মাগী বোডীগার্ড সিফাই ১০০ অমসুং ৬০গা মাগী মাগী লৈজবা মীশিং পুদুনা কোনুং কন্ননবা, ময়াম্নুং ঙাক-শেন্ননবা নোংপোকথোঙলোমদা লাক্লম্মী। মখোয়না অঙৌস্না অমসুং জিলাঙম্বগী খুৎকা লান্থেংনদুনা কাপ্পরিঙৈদা মহারাজ সুরচন্দ্রনা খাথোঙলোমদা নাম্থোকখিবগী খুদোংচাবা ফংখিবনি। অদুবু মতুং তারকপদদি সুরচন্দ্র মহারাজগী পোকমিন্নবা মনাউ অহুম অমসুং মখোয়গী খুৎপুশিংদু কংলাগী লমখৈ লানশিনবা ঙমখিদে। মখোয়না মতম খর লাঞ্জাদুনা লৈরগা

ঈ-পাউ লৌবদা মহারাজদি পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সীদা চঙখ্রে অমসুং পোলিটিকেল এজেন্ট মিঃ সেন্ট ক্লেয়ার গ্রীমউডনা রেসিডেন্সীদা চঙফম পীখ্রে, হায়বা তারবদা মখোয়সু মখোয়গী মীশিংগা লোইননা রেসিডেন্সীদা চঙদুনা ময়াম্লুং মহারাজগা পুনখিরম্মী। হায়রিবা অঙৌস্না, দোলাইরোই হঞ্জবা অমসুং জিলাঙস্বগী লানহওসিদা সেনাপতি কোইরেংনা মচীন-মনাউ মরি মরি ঈশিংগা থাউগা ওইদুনা তীন্নবা য়াররোয়দবা ফিবমদা লৈরবা, লানহওসি য়াওদ্রবসু য়াওই শোয়দনা হায়গদবা মরৈরবা তাঞ্জা অমসুং থৌদৌসিদা মপুকচেল ফত্তবশিংবু ৰারক্লবা খুৎলাই পায়খৎখিবনা লানহওসি মায় পাক্কুনা খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর তাং ২১গী অহিং নোংয়ায় মতুং পুং ৬(মসি মৈতৈগী পুংজানি, মসিগী পুং ১গা হৌজিক্কী মিনিট ২২ সেকেণ্ড ৩০গা মান্নে, অদুনা পুং ৬সি আইঃএসঃটিঃগী পুং২গা মিঃ১৫গা মান্নে) তাবদা কোনুংদু খুদম চন্দুনা লৌশিনখি। লালহওসিগী মরমদা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্সীগী চহিগী রিপোর্ট খৃঃ১৮৯১-৯২গীদা পীরিবদি:-

In September (1891) the Maharaja Surachandra Singh was driven from the palace by the two younger brothers at the instigation of the Senapati Tikendrajit Singh[A.R.M.,1891-92,4].

অসিনি। রিপোর্টসিদা ভাবনা শাজিন্দুনা অরোয়বগী ৰাফম- "সেনাপতি টিকেন্দ্রজিৎ সিংহনা ইনশিন্দুনা / ইনশিনবদগী (at the instigation of the Senapati Tikendrajit Singh)"- হায়বসি হাপচিন্দুনা "সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ"বু খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর ২১গী লালহওসি হান্ননা য়াওহল্লি।

কখোকপা অমসুং ওইজবা তানবা

ঈবুংশী দোলাইরোইঞ্জবা অঙৌস্না অমসুং ঈবুংশী জিলাঙস্বা অনিগী লালহওদা কোইরেং সেনাপতিসু য়াওশিন্দুনা লানহও মায় পাকখ্রে। লালহও' অহিংসি লেল্লগা নোংঙানল্লকপা মতমদা মহারাজ সুরচন্দ্রগী মীচঙদা লৈবা মীওইশিং- মাইস্না শামু সিংহ, কর্নেল নত্রগা লুৰাংনিংথৌ, কাংঙবা থাঙ্গাল জেনরেল, লাইশ্রবা জম্ভুবান মেজরনচিংবা লাক্কুনা মহারাজগা উন্নদুনা ৰারী-ৰাতাই শানরৈ। সুরচন্দ্র মহারাজনা মশানা মশাগী মরাল খঙজবনা মনিপুরদা লানহওরিবা মনাউশিংসিনা লৈরিবা মখৈদি মহাক্কী মপুঙ্গি নুংশাংবগী লমদাংদা শাফদে, খুদোংথীবশিংনা মিৎকুপ খুদিংগী অমসুং খোথাং / খোঙকাপ খুদিংগী লুমদুনা লৈ হায়বসি খঞ্জরম্মী। মরম অসিনা মহাক মনিপুরদা পন্থদুনা লৈনীঙদে অমসুং খুদোংথীনীঙঙাই ওইবা

মফমসিদগী উপায় অমা তৌদুনা নাম্থোকখ্রবা মহাক্কী মকুবোক মহারানী স্বর্নময়ী প্রেমময়ী নত্রগা লৈহাওগী মপাবুং ঙাংবমচা মেজরনা কলকটাগী বৃটিশ হেডক্বার্টরসতা মনিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা লৈরম্বদগী থল্লম্বা মহাক্কী ময়ুম ঈংখোল "কলকটাগী মনিকটলা রোড, কাঁকরগাছী" [রঃকঃসঃ,১৯৭৩,১৫]দা লৈরিবদুনা চৎলগা মফমদুদা লৈদুনা মতমদুদা মনিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা বৃটিশকী লমদা লৈরিবা কলকটাগী নং ১৮-শিব-ঠাকুরস লেন্দা লৈরিবা মেজর অসেম গোলাপ সিংহ [মথক্কীসিদা,১৯০] গা তান্নদুনা থোকপা অমা তৌদুনা লালহৎওবশিংসি মকোক-মরূ কক্তুনা মরূ- মপান ফুক্তোক্লবা শীল্লগা অমুক হল্লক্তুনা পাল্লগে, হায়বা ৱাখলসিদা চপ য়ুংদুনা লৈখি। মরম অসিনা বৃটিশকী রেসিডেন্সিদা লাকপা মতমদুগী মনিপুরগী লৈঙাক্লোনগী অঙম-অথৌশিংদুনা নিংথৌ খুবম হঞ্জিন্নবগী ৱাফম হৌদোকপদা য়াখিদে। নিংথৌ ওইজররোয়, নিংথৌ ওইবা তোক্লগে তীর্থ চত্তুনা লাইনীঙজখ্রগে, হায়দুনা নিংথৌগী পোৎলোই-শেনপোৎ, হী-য়াইনচিংবা পুম্নমক পীথোক্লক্লম্মী। নিংথৌ ৱারুম, শামু ৱারুম ওইনা সুরচন্দ্র মহারাজনা লমন খুম্নীঙবগী মৈরীনা মনিপুর থাদোক্লগে, হায়রিবসি সেপ্তেম্বর তারিক ২২ নিংথৌকাবা নুমিৎসিদনি। অমসুং অঙম-অথৌশিংনা নিংথৌগী পোৎলোই-শেনপোৎশংদু কংলা মনুংনা য়ৌহনখ্রিবসি।

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্লে হায়দুনা নিংথৌগী পোৎলোই- শেনপোৎনচিংবা পীথোক্লকপসিদা কংলা কোনুং মনুংদা নিংথেমকোন লানবন (Citadel)মনুংদা তীল্লিবা সেনাপতি কোইরেং, অঙৌম্না দোলাইরোই হঞ্জবা, ঈবুংশী জিলাঙম্বা, চোংথা নীলমনি সিংহ, অয়াপুরেন মেজোর, পুখ্রনবা তংকো, সুবেদার, চোংথা মিয়াসিংহ সুবেদারনচিংবা অমসুং মখোয়গী কংলা কোনুং ঙাক্লিবা সিফাই অমসুং লাল্লুপ লাম্নীগী লাল্লোইশিং অমদি পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সী চঙদুনা সুরচন্দ্র মহারাজ উন্নরুবা অমদি নিংথৌগী পোৎলোই- শেনপোৎ পুরকপা-কাংঙবা থাঙ্গাল জেনরেল, মাইস্না শামু কর্নেল, লাইশ্রবা জম্ভুবান মেজর, ঈরুংবা মেজর, লোইতাম হিরানন্দ মেজর, অধিকারীময়ুম জগধাম মেজর, য়েংখোইবা রুদ্রসিং মেজর অসিনচিংবা তীন্নদুনা মনিপুরগী লৈঙাক ৱায়েন কাংলোন, চৎলম-লুপতীন্নচিংবগী মরম পুম্নমক য়েংদুনা নিংথৌ ফম্বাল হাঙনা থম্বা য়াদবগী ৱাফম খন্নরক্লে। মতমসিদা ঈবুংশী দোলাইরোইহঞ্জবা অমসুং ঈবুংশী জিলাঙম্বা অনিনা তীল্লিবা অহল-লমনশিংদুবু খুরুমজরগা ময়াম্বুং সেনাপতি কোইরেং ওর্ফে টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহবু "মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালথক্তা লেঙখৎপীরো,

হৌনবী মতুং ইন্না মৈত্রবাক মনিপুরগী নিংথৌনি হায়না নোংমৈ তোপ-কাপ্তুনা লৈপাক মীয়াম খঙননবা লাউথোকচরগে" হায়না হঙ্গৎচখি। অদুগা তীল্লিবা অহল-লম্নচিংবনসু মতীক চারে হায়দুনা সেনাপতিগী পাউখুম ঙাইদুনা লৈনরম্মী। অদুবু নিংথৌ ফম্বাল কল্লকপীদ্রবা অমসুং মতমদুগী ভারতবর্ষগী ব্রহ্মদেশকী অমসুং প্রথিবীগী চাওখৎলবা অমসুং চাওখত্তবা জাতি পুম্নমক্কী রাজনিতি, সমাজনিতি অমসুং অর্থনিতিগী পোরোন উবা, পোমিৎ খঙবা সেনাপতি কোইরেংনা, "লাই ওইখ্রবা মপাঙ্গবুংঙো সনখ্যানা মখোয় মচীন-মনাউশিংবু অহন-নহা কায়দনা নিংথৌ ওইনরকউ, অকায়বা চৎলকপা মহাক্তু উৎ ওইনা তুম্মু হায়না স্নায়াথং তাকপীরম্মী" কোইরেং সেনাপতি মহাক্কী মথক্তা ময়াম্বুং যুবরাজ কুলচন্দ্রধ্বজ লৈরি, অদুনা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল অসি মতম অমসুং মতাং অদুদদি ময়াম্বুং কুলচন্দ্রধ্বজগী হক ওইরি। মরম অসিনা ময়াম্বুং যুবরাজ থিরকউ, কোইরেং সেনাপতি মহাক্তি কংলাদা নিংথৌ ফম্বালদু ঙাক্তুনা কনানসু লৌহন্দনবা শঙদুনা লৈগে, ময়াম্বুং কুলচন্দ্র ফংদুনা পুরক্লবা মতমদুদা নিংথৌ ফম্বালথক্তা থাঙ্গত্তুনা নিংথৌ ফম্বাল কৎসি" হায়না মনাউ ঈবুংঙো অনিদা য়াথং পীরক্লম্মী।

সেনাপতি কোইরেংগী খুম্নলক্লিবা পাউখুম, মমাঙদা তারবা নিংথৌ সিংহাসনবু অতোপ্পগীদমক্তা মহাক্লা ঙাকপীবা, মহাক্লা লৌনীঙলবদা লৌবা য়ারবা অমসুং মনাউ ঈবুংঙো অনিনা ফম্বাল লৌবীরো কৎচরবা ফাওবদা অহন-নহাগী ব্যবহার, মপাবুং সনখ্যাগী য়াথংবু ঈকাই খুম্নবনা নিংথৌ ফম্বালবু মীঙোন্দা কখোকপা, স্বার্থত্যাগগী খ্বাইদগী ৱাংলবা খম থেংলবা মতৌ অসিনা চহি অহল ওইশিল্লক্লবা নিংথৌরোল মরিগী লৈঙাক ৱায়েন-থৌদা উরক্লবা অমসুং 'ঐখোয়গী ঈনিংথৌ নুংশিখিবা' মহারাজ নরসিংহগী কখোকপগী মশক্তু হাথেংনরক্লবা কাংঙবা থাঙ্গাল জেনেরেলবু ঙাওহল্লে, অহন মহাকপু শাথীনা কপহল্লে। মমিত্তা মপীনা পুমথুম থুম্লগা, "নিংথেম, ঈপুগী নিংথেম!" হায়না শোল্লগা উচুপ য়ুংবগুম লৈখরে। তশেংনমক, সেনাপতি কোইরেংসিনা থাঙ্গাল জেনরেলবু মহাক্কী মায়কৈদা মশক উদবা শক্তি অমনা চিংশিনখরে। হায়রিবা কখোকপগী ৱাহৈ অমদি মতৌসিনা মাইস্না শামু কর্নেলবুসু হায়ফম খঙদনা লৈহনখ্রে অমসুং মহাক্তা নত্তনা তীল্লিবা অহল-লম্মন ফম্নাইবা পুম্নমক্তু য়োৎচাবীনা য়োৎকুপ, য়োত্তেক-থাঙতেক্লচিংবা চিংশিনবগুম সেনাপতি কোইরেংগী মায়কৈদা চিংশিন্দুনা নপ-নপ্তুনা লৈখ্রে।

মনাউ ঈবুংঙো অঙৌস্না অমসুং জিলাঙম্বনা মশানা হায়দোকখ্রবা য়াথংদা সরারেনগী নোংমৈ-শীঙজঙনা তারক্লবসু হোংবা লৈত্রবা ময়াম্বুং

সেনাপতিগী গুন খঙবনা থীন্থদনা যুবরাজ কদায়দা লেঙখিবা, কদায়দা লেঙশিল্লিবা, অসিনচিংবগী ৱাফমশিং ৱাহং-পাউহংনদুনা থিরকপদা ময়াম্বুং যুবরাজদি ঙরাং লাংবন ৭নি পানবগী নুমিদাং য়াচঙবগী মতম অদুৱাইদা ফোয়জীঙদা লেঙগনি হায়দুনা লেঙথোকখি হায়বসি পাউ ফংলে। অদুনা অমুক হন্না মফমদুদা লৈরিব্রা নত্রগা লৈত্রবরা হায়দুনা অচৎ-অওক্লচিংবদগী পাউ লৌবদা ময়াম্বুং যুবরাজ ফোয়জীঙদা লৈরে হায়বা পাউদু চুমলে। শেংলে হায়বা খঙলে। মদুদগী মনাউ ঈবুংঙো অনিনা অচেৎপা থাজবা য়াবা মনাই খর হান্ননা নুংথিলগী মতমদা থাদুনা পাউ চৎনরগা সেপ্তেম্বর থাসিগী তারিক ২২গী অহিংসিদা মনাউ ঈবুংঙো অনি য়াওনা নম্বোল ফোয়জীঙ তান্না হাইথদুনা ময়াম্বুং যুবরাজ কুলচন্দ্রধ্বজবু লৌরুনবা চৎখিরম্মী।

ময়াম্বুং যুবরাজ লৌবা ফোয়জীঙদা চৎখ্রিবা মনাউ ঈবুংঙো অঙৌম্না অমসুং জিলাঙম্বা লুচিংবা সনা কোনুংগী খুৎপু অসিনা ফোয়জীঙদা সেপ্তেম্বর ২২গী অহিংদু লেল্লগা অয়ুক পুমঙান ঙাল্লক্লবা পুং ৮(নিপান) তারমদায়দগী খোঙশাল্লত্তুনা ইম্ফাল তম্না লাকপনা সেপ্তেম্বরগী তারিক ২৩ লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ৯(মাপন) মখায়(মিনিট ৩০) রোম তাবদা কোনুংদা থুংলখি [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,৪৮১(মসি অয়ুক য়ুথক মতুং পুং ৪ হায়না পীবনি]। অদুগা ময়াম্বুং যুবরাজসিনা থুংলবগা হায়রিবা নুমিৎসি (তাং ২৩।৯।১৮৯০)গী অয়ুক্কী পুংফমসিমক্তদা মনাউ ঈবুংঙো অহুম্মক্তুগা অঙম-অথৌ অপুম্বগা তীন্দুনা নিংথৌ হাপ্তুনা পুং ৯গা মিনিট ৫২দা কংলা ফম্বাল ফিজেৎ থোনহন্দুনা ফম্বাল তোংহল্লগা পুং ১০মিঃ১৫দা নিংথৌগী শঙ্গাইরেন্দা চঙদুনা ঙাইহাক পোত্থহনখি [মথক্কীসিদা,৪৮১]। মশা ৱাদনা ঙাক্রা চাবা যুবরাজ কুলচন্দ্রধ্বজনা মৈদিংঙু ওইদুনা লৈপাক্কী লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা পায়বা অমসুং নিংথৌ ফম্বাল তোংবা নুমিৎসিমক্কী নুমিৎ য়ুংবগী মতমদা সেনাপতি টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহবু যুবরাজ অমসুং মনাউ ঈবুংঙো দোলাইরোই হঞ্জবা অঙৌম্নাবু সেনাপতি হাপ্লগা নুংথিলগী পুং১মিঃ৭কী অদুৱাইদা মখোয় অনিবু অভিসেক(Crowning) তৌখিরম্মী [মথক্কীসিদা,৪৮১]। অদুগা হায়রিবা নুমিৎসিমক্তা মরান্না মপোৎ ফাদুনা ফম্বালদগী চিংথখ্রবা মৈদিংঙু সুরচন্দ্রসু তীর্থ চৎপনি হায়দুনা মনিপুরদগী খোঙশানখিরম্মী অমসুং খোঙচৎসিদা অফ-ফত্ত পুন্নমকসিগী থৌবু ওইরিবা ঈবুংশী পাকাম্না শগোল হঞ্জবা অমসুং শন অশিবা মনাক্তা লেপ্লুপগী প্রয়শ্চিত্ত(Religious atonement/expiation) তৌবা নংলিবা কেশোরজিৎ অমসুং গোপালস্নাসু ময়াম্বুং মহারাজগী থৌগল তৌদুনা তুং ইনখিরম্মী। মখোয়সি তীর্থ চৎপা নত্তে, হৌদোং লম্বোইবা শাদুনা লাম্থেবা চৎপনি, বৃটিশকী মতেং নীরুনবা হুই অনাবা শাশিন্নবনি, হায়বসি মথক্কী

মতাং অমদা পঞ্জখ্রে। মখোয়না মতাৎ তৌজরবসু যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনদি ময়াম্বুং ওইবগী অমসুং মনিংথৌ ওইরম্বগী হৌনবা ঈকাই খুম্নবা উৎপা অমসুং ব্যবহার উৎপগা লোইননা লম্বীগী চাদিংনচিংবগী শেন-থুমগী মতেং পুন্নমক ৰাৎহন্দনা, মখোয়না তাল্লকপা / হায়রকপা পুন্নমক পীখিরম্মী।

ৱাখোম-ৱারোয়

মথক্তা উৎচরিবা মনিপুর ইতিহাসকী অনৌবা মতম তাংকক্কী ১৯শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাগী অনিশুবা তংখায়গী মনুংদা থোকখিবা অশেংবা থৌদোক-ৱাথোক্কী ৱারী-ৱাখুনশিং অমসুং ৱাথোক-লান্থোক্কী লীখুন-কাংখুনশিংদগী ফংলক্লিবা ৱাফমশিংসিগী মতুং ইন্না মনিপুরগী নেস্নেল হিরো বীর টেকেন্দ্রজিৎ সিংহ হায়বা মৈতৈ নিংথৌমচা অসি নিংথৌ সিংহাসনবু কল্লক-মিহৌদবা অমসুং মশাগী মমাঙদা তাদুনা লৈরবা, মচীন মনাউশিংনা নিংথৌ ওইরো হায়রবা ফাওবদা মহাক্কী হক থোক্তে হায়দুনা হক থোকপা মীশক্তুদা কখোকপা ঙম্বা নিংথৌমচানি। মহাক তমথীবা, ফত্তবা, ওক্তবা অমসুং হিংচা-য়াইতম্বগী থবক কয়ামরুম তৌখিরম্বা য়াই, মদুশিংদু মীওইবগী মচৎ-মনাৎ ওইবদগী তৌরুরিবা ঙাক্তনি অদুবু মীওইবনা মহাক্কী অওনবা অমসুং অহোংবগী ফিবম লাক্লিবসি মিৎকুপ খরখক্তগী মতমদনি। মীহাৎপা, পোৎলাকপা, দাকু রত্নাকরনা বাল্মীকি ওইরকখিবা মিকুপ খরখক্তদগীনি। সেনাপতি / যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা খৃঃ১৮৯০গী সেপ্তেম্বর থাদা মৈতৈগী অঙম-অথৌ পুন্নমকপু মহাক্কী মীচঙদা লেপহনখিবা নিংথৌ ফম্বাল কখোকপগী থৌদৌ অমসুং মদুগী মিকুপ্তুদগীনি। অদুগা মহাক্না মনিপুরগী "নেস্নেল হিরো(National Hero)" ওইরিবসি মহাক্না নিংথৌ ফম্বাল কখোকপা অদুগী মহৈনা লৈপাক মীয়াম্না মহাক্কী য়াথংদবু ঙাইনবনিনা মতমদুগী লোইলম শন্দোকপা বৃটিশকী নমফু-হাফুগী ৱায়েল-থৌদা, ঈকাই খঙদবমখৈ লমলৌ করাম্বা, হুরান-লান-নাগী নমথাক্কী মমূ য়ৈথোক্লবা মায়থীরগনি খঙলবমক্তদা মমা লৈপাক্কী ঈজ্জৎ কন্ননবগীদমক্ত থৱাই থাবা পামুদবা অমসুং লাঞ্জাও থোক্লক্লবদা ময়াম্বুংগী হাক্কন্নবদা লান শোক্লবা ফংদ্রবসু মরৈবাক কন্ননবগী ৱাখল, থৌনা-লীংজেল অমসুং পুকচেল থাদোকখিদবা, অসিশিংসিদগীনি। লান্দি লাম্মীনা শোক্লগদবনি, হুয়েন-লাল্লোংদি লুচিংবশিংনা তাক্কদবনি।

টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা যুবরাজ ওইবসিগী বৃটিশশিংদা মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা নিংথৌ ফম্বাল হঞ্জিনহবীনবা ৱাকৎপগী মিংদা মথৌ নত্তনা মথৌ শাদুনা থবক পায়খৎলগা সুরচন্দ্র মহারাজবুদি হুন্দোকপীরম্লগা যুবরাজ কুলচন্দ্রধ্বজনা নিংথৌ ওইবদি মখোয়না শকখঙ-মায়খঙখি, অদুগা

যুবরাজবুনা মনিপুরগী মপান্দা লোই থাবগী ৱাখন্দা থম্লবগী ৱাফম পুদুনা বৃটিশশিংনা অসামগী চিফ কম্মিস্নার জেঃডবলিয়ুঃ কুইন্টলবু লান্মীগা লোইননা থারক্তুনা ইম্ফালদা খৃঃ১৮৯১গী মার্চ তাং ২৩দা থুংলখি। দরবার তৌসি হায়জিন্নরগা যুবরাজ ফাগে তৌবদা মায় পাক্ত্রদুনা হল্লগে পোত্থাং মী পীয়ু, জগোয় রাস য়েংগেনচিংবা হায়জিন্নরগা থাসিগী তাং ২৪গী অয়ুক্তা মিঃ কুইর্ন্টননা লানহওদুনা মৈতৈ কোনুংদা লান্দাদুনা যুবরাজ ফানবা হোৎনখি। থৌরাংদু মায় পাক্ত্রবদা মখোয়গী লালহওদা বৃটিশনা মায়থীরগনি খঙলবদা তাইশিন্নবগী ৱা ঙাংনবদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদে। ঙাইখো চৎখিনু হায়বদা ঙকচাও থেক্তুনা বৃটিশ রেসিডেন্সীদা হনগে তৌরুবদগী লৈপাক মীয়ামগী ঈৱাং হৌরক্তুনা মিঃ সিম্পসন শকখঙদবা মী অমনা থাঙনা য়ানখি, মিঃ গ্রীমউতনা পুখ্রনবা কাজাও / ফিঙাংগী তানা লেঙদুনা শিখি। মখোয়বু কনবীদুনা থম্বসিদা প্রজাশিংগী খোল্লাউ লাক্তুনা মনিপুরগী মিলিটরী কোর্ট খুদক্কী ওইনা কৌদুনা ফল্লগা ৱায়েল তৌবদা মিঃ কুইন্টন, কর্নেল স্কেন, মিঃ গ্রীমউড, মিঃ কোসিন্স অমসুং লেফঃ সিম্পসন মার্চ ২৪সি নুমিদাং অহিং নোংয়ায়ৱাইদা কংলা নোংশা অনিগী মমাঙদা মঙক কক্তুনা হাৎপগী চৈরাক পীদুনা কংলাশা মমাঙদা অঙৌবা মকোক লোংনা তাহনখি।

বৃটিশ ওফিসার মঙাসি হাৎখিবগী লমন খুম্লনবা বৃটিশ ইন্দিয়া গোর্ভনমেন্টনা মার্চ থাসিগী ৩১দা মনিপুরগী মথক্তা লান তৌরে হায়না লাউথোক্লকখি। লান অসি মনিপুরগী ওইনদি মার্চ ২৫দা লাউথোক্তুনা বৃটিশকী মনিপুরদা লৈবা মীশিং তাম্থোকপা নত্রগা ফাবা হৌখ্রবনি। অদুগা বৃটিশ ওথোরিটিনা মনিপুরদা লান্দানবা মনিপুর ফিল্ড ফোর্শ শেল্লগা মনিপুরগী মায়কৈ অহুমগী মফম অহুম-অৱাংলোমদা কোহিমাদগী, নোংচুপলোমদা সিলচরদগী অমসুং নোংপোকলোমদা তুমুদগী লান্মী মপৈ অচৌবা অমমম থাজিল্লক্তুনা এপ্রিল থাগী তারিক ২০, তারিক ৫ অমসুং তারিক ২৩দগী মাগী মাগী লান্মী লৈফমদগী লান্দারকখি [রঃকঃসঃ, ১৯৭৩, ৫৭]। লানফমশিংসিদা নোংপোক্লোমগী লানসিনা খ্বাইদগী হেন্না কনখিরম্মী। হায়রিবা লাঞ্জাওসিদা মনিপুরনা মায়থীরদুনা চহিসিগী এপ্রিল তারিক ২৭তা বৃটিশনা মনিপুর লৌখিরম্মী।

বৃটিশনা মনিপুর লৌদ্রিঙৈগী মমাঙগী নুমিৎ এপ্রিল ২৬সিদা টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ যুবরাজগী থৌশীন্না মনিপুর কন্ননবগী অনৌবা পাম্বৈ থিনবগী থৌরাংদা মোইরাং তোঞ্জাও সুবেদারদা লুপা ৩০০০ (লীশিঙ অহুম) পীদুনা চশাৎতা ঙাইরম্লবা নুমিৎ ৩নিগী মমাঙ (এপ্রিল ২৩)দগী শীনখিবনা মহারাজ য়াওনা মী ২০০ রোম চশাত্তা চৎখি। অদুবু মফমদুদা মোইরাং

তোঞ্জাও লৈরমদে, শেল লৌথোক্লগা বৃটিশতা অরোনবা পুন্নমক হায়দোক্তুনা যুবরাজ ফাহন্নবা শিনখিরম্মী। যুবরাজনা চশাৎতা নুমিৎ খরনি লৈরুরগা তম্পাক্তা কুপ্লক্তুনা শীঙজমৈ মথক থোকচোব দেৱানগী যুমদা থুংলখি। অদুগা চহিসিগী মে তারিক ২৩ থাঙজা নুমিত্তা ফাহনখি [চৈথাঃকুমঃ,২০০৫,৪৯৭]। মসিদগী বৃটিশশিংনা মপুন্সিগী আইন মশক খঙদ্রিবা মিলিটরি ওফিসারশিংবু বীচারপতি হাপ্লগা অশেম-অশাবা খুৎশেমগী ৱায়েল তৌখি। অদুগা বীচার তৌরিবনি হায়দুনা রিপোর্ট থারগা হাত্তবা য়াদে হায়বা মওংদা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহবু থাঙ্গাল জেনরেলগা লোইননা মতমদুগী ফৈদাবুঙগী পুঙথক (হৌজিক্কী মপান কাংজৈবুঙগী সহিদ মিনর লৈরিবসিগী নোংপোক্তা)তা চহিসিগী আগষ্ট ১৩ য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিলগী পুং ২গা মিঃ৩৭ লোম তাবদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিরম্মী।

মশাগী ওইজবা থাদোকপা অমসুং কথোকপগী পুকচেল নত্রগা থম্মোই চেনবা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহবু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখ্রবসু মহাক্কী মমা লৈপাক্কীদমক্তা থৱাই কথোকপগী মকথোক্তদি মাঙহনবা ঙমদ্রি। নিংথৌ ফম্বাল মিহৌবীদ্রবা নিংথৌমচা অসিগী মফমদা মমা মৈতৈলৈমগীদমক্তা থৱাই কথোকপা অসিদি অৱাবা নত্রগা অরুবা থবক নত্তে। কথোকপগী নুংঙাইবা ফংলবা মহাক্কী থৱাই অদুদি তাইবংমপুনা মখুয়াদা চিংশিন্দুনা থম্বীরম্লগদবনি, যুবরাজসি মশাগী চহি ৩৫ থা ৭ নুমিৎ ১২ (তাং ১৩।৮।১৮৯১-২১।১২।১৮৫৫) দা মালেম তাইবংপান থাদোক্তুনা মপুগী লৈকোন্দা তীনখি মরমদি কথোকপগী গুন অমসুং পুকচেলসিদি মপু মহাক্লা তম্বীবা অমসুং শন্দোকপা ধর্ম্মনি।

মরী- মখোঙ উৎচবা

১) চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫ = লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ ১সুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ:
চৈথারোল কুম্ববা (ইম্ফাল- ২০০৫)

২) বঃকঃসঃ,১৯৭৩ = রাঃকুঃ সনাহন সিংহ, বিঃকমঃ: বীর টেকেন্দ্রজিৎ সিংহ (ইম্ফাল-১৯৭৩)

৩) জঃবঃ,১২৯৮/১৮৯১= জানকিনাথ বসাকঃ মনিপুর প্রহেলিকা (কলকটা- ১২৯৮/১৮৯১)

1) S.J.J., 1990	=	Sir Jame Jhonstone: Manipur & Naga Hills (Delhi-1990)
2) E.S.C.G., 200	= :	Ehel St. Clair Grimwood My Three years Experience in Manipur (Delhi-2000)
3) A.R.M.,1891-92	=	Administration Report of the Manipur Political Agency for 1891-92

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (নোভেল-১৯৬৮)
২) চরিক পরেং (নোভেল-১৯৬৯)
৩) যুগী পাত্রদা তশবীর (নোভেল-১৯৭০)
৪) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (পুয়া মশামক - ১৯৮৯)
৫) থাঙমৈরোন (পুয়া মশামক - ১৯৮৯)
৬) সনামহী পুয়া (অরিবা লাইয়িংথৌসিগী লাইরিক ৬খক-১৯৮৯)
৭) মৈতৈ পাংঙল হৌরকফম (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯১)
৮) মৈতৈ বামোন হৌরকফম (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯১)
৯) মনিপুরী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং (আর্কিওলোজিকেল এস্পেক্ত-১৯৯৬)
১০) নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমা-মপা থিবা (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৬)
১১) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাংলৈমা থাঙ্গপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৬)
১২) ৱাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৬)
১৩) মৈত্রবাক মনিপুরগী খুম্বোক-খুন্দারোন (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৭)
১৪) চীঙঙ্গা লাইরেম্বীগী অথৌবা (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৮)
১৫) মৈত্রবাক মনিপুরগী ফুশা-ৱানশারোন (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৮)
১৬) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (অনৌবা লোনগী ৱাহন্দোক য়াওবা-১৯৯৮)
১৭) মৈতৈ লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী ৱায়েন-ৱাখুন (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৮)
১৮) মৈতৈগী শা-লান ফাবগী থৌরম খর (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৯)
১৯) সনা-চহি-অহুম (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৯)
২০) চুপশারোল (থিজিন-হুমজিনবা-১৯৯৯)
২১) Typology & Technology of Meitei Writing Materials (Research Work-1999)
২২) মৈতৈ মচুগী মনাৎ (থিজিন-হুমজিনবা-২০০০)
২৩) লমাংদোংগী বিষ্ণু লাইশঙগী য়ুমশা-কৈশারোন (থিজিন-হুমজিনবা-২০০০)
২৪) মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজ (থিজিন-হুমজিনবা-২০০০)
২৫) সঙ্কীর্ত্তন নির্নয় (থিজিন-হুমজিনবা-২০০১)
২৬) কেক্রুপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা-২০০১)
২৭) ফাইল (থিজিন-হুমজিনবা-২০০৫)
২৮) A Dictionary of Manipur Medical Terms (Medical Work-2007)
২৯) মৈত্রবাক্কী য়োং-থাঙগী চক (থিজিন-হুমজিনবা-২০০৭)
৩০) মৈতৈ অথৌবা অহুম (থিজিন-হুমজিনবা-২০০৮)
৩১) Phamlon (Translation Work - 2009)
৩২) বামোন খুপায় (থিজিন-হুমজিনবা-২০০৯)
৩৩) মৈত্রবাক্কী মনীঙতম্বা লৈপাক্লা হওরকখিবা (থিজিন-হুমজিনবা-২০০৯)
৩৪) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ-ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌমচা মশূশিং (থিজিন-হুমজিনবা-২০০৯)